পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর

(অহানবা শরুক)

বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা

ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯒꯤ ꯃꯩꯇꯩꯆꯅꯨ ꯈꯔ

পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর

(অহানবা শরুক)

অইবা

বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর (অহানবা শরুক)

অইবা ঃ বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল।

অফোংবা ঃ বি. কুঞ্জবিন শর্ম্মা
ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল

অহানবা ফোংবা ঃ জনুৱারী, ২০১৬ ইং

কোপী মশীং ঃ ১০০০

হক ঃ অইবা অমসুং অফোংবগীনি

মমল ঃ ৪০০/- (লুপা চামরি)

মখুমগী ফোটোশিং ঃ লৌক্রাকপম ইবেমচা দেবী,
ফেলো, মার্সিএল আর্টস, ২০১৪, উচোন।

লাইরিক ফংফম ঃ অইবা অমসুং অফোংবগী য়ুম,
ইম্ফালগী লাইরিক য়োনফমশিং।

নম্ফম ঃ লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

মনুংগী চেনাশিংদা

১.	য়ুমজাও লৈমা য়াবীরোক	১
২.	তমপা ৱাংঙমলোন পান্থোইপী	২৭
৩.	মৈতৈলৈমা লাইহ্না (লাইখুরোমপী/লাইখুরেম্বী)	৪৪
৪.	লৈমা লাইনাউ তাবী (লাইশ্রা) ৱাহৌ-শৈহৌ	৬১
৫.	তমপা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী (চশুবা)	৭৮
৬.	নোংমৈহ্নু অহোঙবী	৯৩
৭.	কৌররোন নামৈহ্নু	৯৮
৮.	ঈরেম তোইবী লৈমা (লুৱাংখুবা চনু)	১০৭
৯.	মৈতৈলৈমা য়োঙ্গঈরমলোন য়াওরৈবা চনু	১২৪
১০.	খাবরোন নোংজেংসূ	১৩৩
১১.	লংমাই লীকলু লৌথিবী পীতঙঙা	১৪৩
১২.	খয়োঙ্গঈরোন কৈরু(রুং) হাঙবী	১৬২
১৩.	মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী	১৭৫
১৪.	কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বী	১৮১
১৫.	তম্ফা ৱাংঙম্লোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবী	১৯৬
১৬.	লৈমা য়োঙ্গঈরেন তোম্পোকপী	২১০
১৭.	লারালা শংনু শাফাবী	২১৭
১৮.	মৈতৈলৈমা নোংপাল্লোন লিন্থোইঙম্বী	২৩৫
১৯.	মৈতৈলৈমা শেনবী তাঙজখোমবী	২৪৮
২০.	তরুং লাইরেম্মা (মরাম চনু ঈংঙাললৈ)	২৬১
২১.	খয়োঙ্গঈরোন কোরৌ নোংথিল চায়বী	২৭৪
২২.	আমিনা বেগম	২৮০
	মরি-মখোঙ তাকপা	২৯০-২৯৬

1

১

য়ুমজাও লৈমা য়াবীরোক

ৱাহৌদোক

"য়ুমজাও লৈমা য়াবীরোক" নৎত্রগা "লৈনুং য়াবীরোক" হায়না হৈ-শিঙলবা মৈতৈ পুৱারীগী মায়চৌ-মায়নৌশিং অমসুং পাৱারী-পুৱারীগী মহৈরোইশিংনা খঙনরি-পন্নরিবসি মৈত্রবাক-মণিপুরগী পাৱারী-পুৱারীগী উরেপ-উয়ুং য়ুংখৎলদুনা য়ুমলেপ চারা লীংখৎপীরম্বা নত্রগা মৈত্রবাক্কী মাঙখ্রবা নিংথৌ পানবা লৈপাক লেপ্পনবগী থোঙলোন-থোঙজাও হাঙদোকপীরম্বা অমসুং মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী নিংথেমচা শল্লাইগী য়ুন্নাক-শাগেশিং হৌদোক্কবগী পুকোক-পুরেন ওইবীরিবা অমদি মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাকলোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেনবা-থুম্বারোনগী, ৱায়েন-চৈরাকলোনগী, অসিনচিংবগী থোং থাবীরম্বা মৈতৈগী মবুংঙো নোংদা তুকুপ্পীক নত্রগা নোংদা লাইরেন পাখংবা (খৃ : ৩৪-১৫৪) গী অপোকপী পলেম মমানি। হায়রিবী পলেম মমাসিগী থৌশীল-থৌরাংগী মখাদা মৈদিংঙুসিনা খৃ : ৩৪ দা অপীকপা লৈপাক মচা অমা মহাক্কী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাগী লমজিং মখাদা লীংখৎখি। হায়রিবা লৈবাক মচাসি মৈদিংঙু পাখংবসিগী মতুংদা মঙাশুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অহানবা মশুঙ ফাওবা লৈরম্লগা লৈপাক চাওবা হেনগৎলক্তুনা হায়রিবা মতমসিদগীদি নিংথৌ পানবা লৈপাকমচা হায়বদু ওইরকখি অমসুং মদুদগী চথরকপা লৈঙাকলোনগী পরীংদুদা তরামঙাশুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চাগী অহুমশুবা মশুঙ ফাওবা চথরক্লগা মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্ব (খৃ : ১৪৬৭-১৫০৮) গী সনা হাক্তক্তগীদি মনীঙ-মখা-তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাজবা অমসুং মশাগী মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুম্লা পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (Independent, autonomous and sovereign kingdom) অমা ওইরকখি।

লৈনুং য়াবীরোক্কী মচাঈবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংবা অসিনা তৌখিবা থবক-থৌরমশিং অমসুং মায়পাকখিবা থবকশিং, লানফমশিং পুন্নমক অমদি মহাক্কী মচা-মশূ চাদা-নাউদা ওইবা মৈতৈ নিংথৌশিংনা পুরকখিবা মায়পাক-মায়জৌবশিং অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌশিং, ওইনা মহাক্কা লীংখৎলম্বা লৈপাকসিদা পানবদা লৈবাক্কী ঙমখৈ

শন্দোক্লুনা, লমকন পাক-চাওবা হেন্দোকহন্দুনা চহী কুমশীঙ ১৮৫৭ (খৃ: ৩৪ দগী ১৮৯১ ফাওবা) মনীঙ তম্না মৈত্রবাক্কী পারারী-পুৰারীগী খোংলম তুখুনগী পরীং-পরম অমা থম্লম্লিবসি হায়রিবী মৈদিংঙুসিগী পলেম মমা লৈনুং য়াবীরোক নত্রগা য়ুমজাও লৈমা য়াবীরোক অসিনা মচা ঈবুংঙো অসিগীদমক্তা তৌবীখিবশিং, শেম্বী-শাবীরকখিবশিং-মশাগী হকচাং ফাওবা কৎথোকখিবা, মচা নুংশিবগী খুদোল অদুগী মহৈননি অমসুং মসিগীদমক মৈতৈ নিংথৌশিং, নিংথৌমচাশিং, নিংথেম- মচাশিংখক্তা নত্তনা মৈতৈ পুম্নমক্কা মহাক্কী লমন তোল্লিবনি। অদুনা মহাকপু মৈতৈ নিংথৌশিংগী ঙাকপী শেনবীবা, অয়োক-অকনগী লাইরেম্মা/লাইরেম্বী ওইনা য়ুমজাও লৈমা নত্রগা য়ুমজাও লাইরেম্বী হায়বা মিংথোলসি কত্তুনা মৈতৈ নিংথৌশিংগী কোনুংদা লাইফম শেমদুনা খুবম য়ানরকপনি।

য়াবীরোক্কী লৈঙাক্লোনগী শক্তম

লৈনুং য়াবীরোক, মৈত্রবাক্কী পারারী-পুৰারীগী লামায়দা মমি তারিবা মৈতৈ চনুরাশিংগী শক্তমশিংদা খ্বাইদগী অথোইবীশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং মৈতৈগী পুৰারীবু খুৎমাখিবী, হৌদোকখিবীনি। মহাক অসি মৈত্রবাক্কী অমসুং মৈতৈগী পারারী-পুৰারীগী নোংঙান'-তু উরকপা, অমম-অঙান শিন্নদুনা কাইরৈ য়েনখোং তল্লকপদা পুৰারীগী মৈরা পায়-পুদুনা থোক্লকখিবী শক্তম অমা ওইবনা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক শূবশিং ফাওবনা মৈতৈ নিংথৌশিংগী অয়োক-অকোন, অঙাক-অকন্নচিংবগী লাই (Guardian deity) অহুম (নোংশাবা, পাখংবা অমসুং য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা) গী মনুংদগী অমনি অমদি মৈদিংঙু নোংপোক ৰাইরং পামহাইবা অহানবা, ময়াম্বা (ময়াংঙম্বা), তখেল ঙম্বা, শমজোক ঙম্বা, গরিবনিৰাজ (লাইরবশিংবু য়োকপী-থাকপীবা), গোপালসিং, থোংনাং ময়াং ঙম্বা (খৃ : ১৭০৯-৪৮) গী স্নাহাক্তক্তা মৈদিংঙু পাখংবা লাৎপা লাইনীঙনা মকা ফল্লকপা (চৈথা : কুম : ২০০৫, ১১৩, ১১৮) গা লোইননা চাওখৎলকপনি মদু লৈনুং য়াবীরোক্কী লাইনীঙ অমসুং শক্তমনি, হায়বসি কাউথোকখ্রে, নীঙশীঙবীদ্রে, হৌখিবগী পননা থত্তুনা থমখ্রে। মহাক্না লৈঙাক্লোনগী শক্তমদা পুথোকখিবা শকফমশিং, মশা অমতনা মীশক অহুম ওইখিবা, শকফম অমতনা শক্তম অহুম শকপানখিবা, মিং-থোন অহুম অমসু শক্তম লাংখিবগী পারারী-পুৰারী অদু খঙনা খঙনা খোর্জেনা য়েকপীরমদ্রে। মৈতৈ লৈপাক লীংখৎনবা লৌখিবা শক্তম, মপারীবু নিংথৌ ওইহন্নবা পুথোকখিবা শকফমশিং অদুদি অরিবা লুবাক তাবুনুংদা অদুম নমশিন্দুনা থম্বীরল্লে। পারারী-পুৰারীগী মতমদুদা লৈনুং য়াবীরোক্না লাংখিবা শক্তম, কুম্মৈগী ফম্বাক্তা শাখিবা শকফমদুগী কুম্মৈ-ফম্বাক অদু লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তনি, শক্তম অদুনা পানখিবনা মৈত্রবাক্কী লৈমায়দা মৈতৈগী নিংথৌ পানবা লৈপাক অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী য়েক-শল্লাই, শাগৈ-য়ুম্নাক অমদি মৈতৈগী

নিংথৌরোনশিং লীংখৎলকখি অমদি পোল্লকখি। মহাক্কী থোয়জী খাদা মিতমখিবা নোংদা লাইরেন পাখংববু মতীক চাবা, অচৌবা মীশক (মৈতৈ নিংথৌ) অমা ওইনবা শেল্লকখিবী মমা অসিগী মথৌনা-মরিংজেন অমসুং থৌওং-থৌদৌসি থোইদোক্না শীঙথানীঙঙাইনি।

লৈনুং য়াবীরোক্কী মপুঙ ফাবা শক্তম

লৈনুং য়াবীরোক্কী "য়াবীরোক" হায়বা মিংলেন অসি মিংথোন-মিং/মিংখৈ অমনি অমসুং মিংথোন-মিংসি কৌদ্রিঙৈদা/থোন্দ্রিঙৈদা মহাক্কী মিংলেনসি "নোংদা নোংখললেম্বী" হায়না কৌরম্বা থেংনজে (খা : য়ুম : খুৎ : লাই:)। মিংথোন অসি নোংদা নোংখললেম্বী অসিনা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংববু পোকপীবা অমদি অঙাং ওইরিঙৈদা হায়বদি নোংদা তুকুপ্লীক ওইরিঙৈদা চাওননবা নাউয়োক-নাউকোনবীরকপা, শেম্বী-শাবীরকপা অমসুং য়েংবী-শেন্নবীরকপা, অসিনচিংবদগী লৈম-নিংথৌকোনগী, ৱাংগোন লৈমচাশিংগী (Princes and Princesses) মপী নাউয়োকপী, নাউকোনবী, নাউরোইবী নত্রগা য়োকচবী (Nurse or nursing mother) শিংদা কৌনবা মিংফম নত্রগা থোন্নবা মিংথোন অদুদগী লৌদুনা মহাক্কী থৌওং-থৌদৌশিংদগী ফংখিবা মিংদা-মিংফম মাল্লি (ম: স: কএ:, ১৯৯৪, ৮৭-৮৮ অমসুং নোং :, খুৎ: লাই :)। লৈনুং য়াবীরোক্কী অশেংবা অমসুং মপুঙ ফাবা শক্তমগী লমদাংদা মমাঙঙৈগী অমসুং হৌজিক্কী অহল-লম্মনশিংনা মচেক-ময়ানা য়ৈবা (Allegorical) গী মওং-মতৌ অমসুং মচৎ-লীচত্তা থম্বীরল্লিবা ৱাহৈ-লোন্দাশিংদি ঃ-

...পিরিৎনু।। অরৈনু।। মাইরেং হওবা চনু নোংতা নোংখললেমপী।। লইনুং য়াপী য়াখাচনু।। চাখা নুরোন পিরোন য়ামপী কৌএ।। য়িমচাও লৈমা ওইপী।। লৈমা ৩ লক সানওনপী। নিংথৌ ৩ লক ওননা লৈমা ওইপী। লৈনুং য়াপীরোকনা নোংতা লাইরেন পাখংপনে। নিংথেম পোকপা ৱানে (ম : স: কএ:, ১৯৯৪, ১-২ অমসুং খা: য়ুম :, খুৎ: লাই:)।

অসিনি। অদুগা পীবীরল্লিবা ৱারোলসিবু চাংয়েং তৌবগী পরম-পরীংদা মিৎয়েং থল্লকপা অমসুং অচুম-অরান থিদুনা নৈনরকপগী কাংলম-কাংখুন্দা তারিবদি মসি লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী শীঙবুন (Mythical or legendary tale/story) গী ৱাখল, ৱাখল্লোন অমসুং ওঙদা-নাতাদগী থৈদোক্লকই অমসুং মীওইবগী মচৎ-মনাৎকী লীচৎ-শাজৎ, মওঙ-মতৌনচিংবগী চৎলম-পরমদা তারকই নত্রগা লৈ।

লৈনুং য়াবীরোক্কী য়াবীরোক হায়বা মিংলেনসিগী মমাঙগী নত্রগা অশেংবা-অওইবা মিংদি মথক্তসু পঙ্খ্রে, অদুগা মথক্তা উৎচরিবা হেক থংনবা ৱারৌথোক/কোতেসন অসিদা য়াওরিবা মাইরেংহৌবা চনু (মাইরেং হৌবগী মচানুপী) নোংদা নোংখললেম্বী

মিংনি হায়বসিনা। লৈনুং য়াবী য়াখা চনু (লৈনুং লমদমগী/লৈপাক্কী য়াবী কৌবী, য়াখা কৌবা মী-কাংলুপু-ফুরুপকী নুপীগী মচা নিংঙোন/নুপী) হায়বসিদা মহাক্কী মপা (মমিংনা মাইরেং হৌবা), মহাক্না লৈরু-পোক্লুবা লম (লৈনুং লমদম), মহাক্কী মমানা মনুং চল্লুরিবা মী কাংলুপ-ফুরুপ অমসুং মহাক্কী মমা (মমিংনা য়াবী) গী মমিংনচিংবা পুন্নমক তাক্লি। হায়রিবশিং অসি লৌথোকখ্রগা লেমহৌরিবা নোংদা (অতিয়া/মথক্কগী তারকপী) নোংখল (অতিয়াগী / নোংথক্কী মরোন খন্দোকপা/ খায়দোকপদা) লেম্বী (ফজবী/চঙখোনবী) হায়বসিনা মহাক্কী মমিংনি। মিংসিগী ৱাহন্দোক্না নোংমদোন্দগী তারকপী নত্রগা কুম্লকপী নোংদোনগী মরোন/মখল খায়দোকপদা নত্রগা খন্দোকপদা চঙখোনবী, ফজবী, লেমজবী নত্রগা হৈ-শিঙবী, হায়বনি। তশেংনমক নোংদোন লাইরৈপাক্কগী কুম্লকপী লাইরৈমা/লাইরেম্মা নত্রগা লাইরেম্বী ওইনা মিংসিনা শক্তাক্লিবনি। অদুগা মহাক্কী শক্তাক-ৱারোলশিং ওইনা মৈতৈ লাইরিকশিংদা পীবীরিবশিংদি ঃ

১) পীরিৎনু, অরেং-অহুম্বা মাইরেং হৌবা চনু, নোংদা নোংখনলেম্বী, ইমচাও/য়িমজাও লৈমা ওইবী, লইমা অহুমথক তানফংবী, নিংথৌ অহুমনা পাননবী লয়নুং য়াবীরোক (চেখোঙ, খুৎ : লাই : অমসুং ম: স : কএ :, ১৯৯৪, ৮৯),

২) ...... পীরিৎনু অরৈনু/অরেংনু, অহুমনু মাইরেংহৌবা চনু, নোংদা নোংখললেম্বী, য়ুমজাও লৈমা, লৈমা অহুম থক্তা তানফংবী, নিংথৌ অহুম পানফবী, লৈনু য়াবীরোকনা... (মথক্কী সিদা, ১২৮ অমসুং কৈরোই, খুৎ : লাই :)।

৩) অরৈনু, পীরিৎনু, অহুমনু, মাইরৈংহৌবা চনু নোংদা নোংখললেম্বী, লৈনুং য়াবীরোকনা.... (লংথবানলোন, খুৎ : লাই)

৪) পীরিৎনু, অরৈনু, অহুমনু, মাইরেংহৌবা চনু, নোংদা নোংখললেম্বী, য়িমচাও লৈমা, লাইমা ৩ লকতা তানফংবী, নিংথৌ ৩ পানফবী লৈনুং য়াবীরোকনা... (কৈকোই, খুৎ : লাই:)

৫) পীরিৎনু, অহুমনু, অরেঙপা মাইরেঙ হওপা চনু, নোংতা নোংখনলেমপী য়ুমচাও লাইরেমমা ৱোইপী, লইমা ৩ রক তানফংপী, নিংথৌ ৩ না পালনপী লৈনুং য়াবিরোক... (য়ুমলেপ, খুৎ: লাই:)।

৬) পীরিৎনু।। অহুমনু।। অরইপা।। মাইরেং হৌপা চনু।। নোংতা নোংখল লেমপি।। লৈনুং য়াখুয়াপী চনু।। চাখা নুরোন, পিরোন য়ামপি।। য়ুমচাও

লইমা ওইপী।। লৈমা ৩ লক ওইপী।। নিংথৌ অহুমনা পাননপী।। লৈনুং য়াখু য়াবীরোকনা (পা : মৈ : খুৎ : লাই :)।

অসিশিংসিনি। অদুগা তাংখুল চীঙমী কাংলুপকী-অথোইবা অখঙ-অহৈ ব্রাইঃ কেঃ শিমরেনা নোংদা নোংখললেম্বী (লৈনুং য়াবীরোক) গী মচৎ-মতৌ (Nature) গী নত্রগা লীচৎ-শাজৎ (Character) কী ওইবা চনুরা অমা, মহাক্কী মমিং-মথা অমসুং মহাক্না নোংদা লাইরেন পাখংববু নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গৎত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা খুঙ্গং-খুনফমগী মমিং, খৃ : ১৯৭২ দা নোংদা নোংখললেম্বী ওইনা খন্ন-নৈননীঙাই ওইবা ব্রাফম পীরি অমসুং খুঙ্গং অদু তাংখুলশিংগী খুন রৈনাম (REINAM) কৌবদুনি হায়না অচেৎপা ব্রাফম পুখৎলকখিরম্মী (ঋতু-৪৪, ১৯৭২, ৩৪)।

লৈনুং য়াবীরোক্কী মশক-মতৌ অমসুং য়ুম্বানবগী পুন্সিগী খোঙবুরোই

নোংদা নোংখললেম্বী নত্রগা লৈনুং য়াবীরোকসি মহাক মশাগী ইনখৎলকপা মতম অমসুং হকচাং কায়াৎশিংগী মপুঙ-মরৈ ফারকপা পুন্সিগী লমদাংদা চঙলকপা, মশাগী চহী ১৪ দগীনা ১৬ ফাওবগী তাঞ্জাদা মহাক্কী মতমদুগী শামান লেঙমান্নবী শানৌ লৈরাংশিংবু থেম্বা শাবী পাখং কয়াবু মহাক্কী মায়কৈদা চিংশিনবী অমদি চেংলৌ শক্কী মকা ফল্লক্লবা, নুরা নুহৌতোঙনা চেংলৌগী ময়াই হাপ্লক্লবদা মতমদুগী অৱাংবা থাক্তা খুৎকন-পাঙ্গন্না মীথক থোংনা খুন্নাইদা মমিং লৈবা অমসুং মকম কল্লিবা অমদি "সরারেন" হায়বা মিংথোন্না লৈতেংদুনা "সরারেন অরিবা" হায়না অতৈ মীওইশিংনা নুংশি-হঙ্গোয়না ঈকাই খুম্নরিবা, মশানৌ লৈথি-লৈথেম্বা সরারেন অরিবা অহুম— (১) অঙোম নোংবান সরারেন, অঙৌবা পুরৈরোম্বা, (২) লুৱাং/নুংবান সরারেল, লুৱাং লংমাইবা (পোইরৈতোন?) অমসুং (৩) থাংয়ি সরারেন, সোরা/সরা পুকতাংবু মতম অমতদা নুংশি-নুংওন্না লোইনবা ঙম্বী শকহেনবী অমা ওইনা য়েকপীরম্মী। হায়রিবসি মহাক্না নোংদা তুকুপ্পীক/লাইরেনবু মতম্পাক্তা পমজদুনা "য়াবীরোক" হায়বা মিংথোলসি ফংলবা মতমদনি, য়ুম্বাল্লবা মতুংদনি।

নোংদা নোংখললেম্বী অচাওরম পাম্বী, মীথক থোংবা খোয়দাজবী, অদুগীসু মথক্তা পুক্নীঙ লৌশিঙসু চঙখোনবী ওইবনা মৈতৈ নিংথৌজা য়েক্কী নত্রগা নিংথেমচা শল্লাইগী পুকোক কোকলেন-পুরেন (Ultimate progenitor, not Immediate progenitor) ওইরিবা ৱাংঙম (মৈতৈ) নিংথৌ কোনসৌরেন কৌবদুগী চাদা-নাউদা ওইবা ৱাংঙম নহা "পুরিংলেন" হায়না মিঙ্গৌবা, "পুরৈরোম্বা" হায়বা মিংথোনসিসু খ্বাইদগী ঈহান হান্না ফংখিবা ৱাংঙম নিংথৌমচা অমগা লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী নাৎকী চৎলম (Politico-Socio-cultural code and convention) কাংলোন্না য়ারবা তাক্লোই (Legal or formal

consort/spouse) ওইনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা মশাগী চহী ১৫-১৬ তা খোঙদাখিরম্মী। অদুগা ওল্লকপা কুমদুদা মপারী নোংদা তুকুপ্লীক ফংজখি। অদুবু মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদুদা মপুরোইবা ৰাংঙম নিংথৌমচা পুরিংলেন পুরৈরোম্বনা মপুন্সিগী লমদাং তেল্লকপনা মপারী শাৎলবা মতুং কুমওন অনি লৈরগা মহাক অমসুং মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু থাদোক্লম্লগা তাইবং মীরমলেন্দগী পাইখিদুনা খমনুং শৰা পোন্দা নুংশি মিরেন লাংখিবনা নোংদা নোংখললেম্বী নৌনা লুখ্রা শীঙদা চলহৌখি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা পুরিংলেন পুরৈরোম্বনা য়াইবী থৰাই চুপখিবা মফমদি নোংপোক লইহও চীঙ (লৈহৌচীঙ, শেল্লোই লংমাই চীঙগী চীঙশা নাপোম অমদনি) দনি (ক: স: প: খুৎ: লাই:)। হৌজিক নোংমাইজিঙ চীঙগী চীঙথক্কী থেন অমদা "পুরৈরোম্বা য়ুম্ফম" হায়দুনা ৰাংঙম পুরিংলেনসিগী খুবম লৈরি।

নোংদা নোংখললেম্বীনা মপুরোইবা/মশাবী ৰাংঙম পুরিংলেন পুরৈরোম্বগী তাউজীঙ হৈরাং হৈরুনা চনু চরৈ চিন্দুনা নাকলু ফিয়াল্লগা মপারী অমা শাৎচরবদা মহাক্কী কোল্লোয় মিহুন "নোংদা তুকুপ্লীক" হায়না মিংথোঞ্জখি। অদুগা মহাক মশানা মিংথোন-মিংলেন, 'লৈনুং য়াবীরোক" হায়বসি ফংখিরম্মী অমসুং লৌখিরম্মী। অদুগা মপারী, থাদা পমনা, নমদা পোনা, তরা চাক শায়, লেমলৈ ঙারূ খন্না, নাউয়োক-নাউকোঞ্জরকখি। পেন্দ্রবা থম্মোইদুনা খোইয়ুম নোংদম মহাকপু পোৎলুমশিং অসিগী পুন-থাংননবা অমসুং থেংনরিবা পুন্সি' লানফমগী লাঞ্চাক হুনবা, লানফা-লাঞ্জনগী লানচাক থাকপা অমসুং পীনবগীদমক মশা মতোমতনা মায়রোঙ য়াবগা লোইননা মহাক্না মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু মপা-মপুগী অৰাংবা থাক, ৰাংঙম ফিদম অতাম্বা অমসুং ৰাংঙম/মৈতৈ নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচা অমা ওইবগী ফিরেপ—ফিদম, পল্লেপ-পান্দমনচিংবা লৈরিবশিং, মৈতৈ খুন্নাইগী অতৈ কাংলুপ-ফুরুপ (য়েক-শল্লাই)শিং অমসুং খুৎ-কাংবুশিংগী মীওইশিংগা থোং মান্নদবা, মচৎ তীন্নদবা, মনাৎ খেন্নবনচিংবা অমসুং ৰাংঙম নিংথৌমচা অমা ওইবগী লৈরিবা মফম, থাক, ফিরেপ অমসুং ফিভম অদুশিংদুদা লেপহন্নবগীদমক্তা মহাক্কী অতৈগা চুঙশিন-চাশিন্নবা য়ানবগী শক্তম অমদা ময়াম খ্বাইগা পুন্না পানমিন-লৈমিন্নবা য়ানবগী খোঙফমদা লেপ্তুনা লৈরকখি।

লৈনুং য়াবীরোক্না শক্তম পুথোক্লিবসি মহাক্না মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী ফম্বাক্তা খোঙদাদুনা শান্নখিবা থৌদোক-ৰাথোক্কী পরীংশিং অসিগী ফিজঙ মরূমদা শান্নরিবা কুম্মৈ-ফিয়োংগী পরমদনি।। অদুবু তশেংনমক হায়রবদি উৎলিবা কুম্মৈগী ফম্বাক্তুদা ফিজঙ-মরূমদুদগী মঙাল অমসুং মমি অনিমক্না ফাওদোরক্তুনা মিৎ থক্না উহল্লিবা মৈতৈ নুপীশিংগী মনুংদগী লমজিং মৈরা পুরিবীগী ফিরেপ অমনি। মৈত্রাবাক্কী পুৰারীনা খুদম-চাংদম ওইরগা মসিগী পনগোয়নুংগী পনখৈ মনুংদা থোকখিবা অমসুং পোকখিবা মীওইবগী লু-তোংনা শাবা হকচাংগী ওইবা মৈতৈ নুপী অমতনা মহাক্না তৌখিবা থবকশিং অমসুং

পাংথোকখিবা থৌরমশিংগী থৌদৌ-থৌওংশিং অদুগা মপা চাননা তৌখিবা ঙমখিবগী ৱাফম অমতা ফংদ্রি নত্রগা লৈত্রি হায়বা য়াই। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা কৌবা মচাইবুংঙোনা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈ, নিংথেম মচা শল্লাই অমসুং নিংথৌজা য়েক্কী পরীং লাংশঙ হুন্দুনা উরেপ-উয়ুং খীন্দুনা অপুনবা মৈতৈ লৈপাক মৈত্রবাক, মৈতৈ মী-কাংলুপ-ফুরুপকী মীরুপ (জাতী) না ৱারৌজরবসু মপারীবু মীথোই-মীহেন্নবা চায়োক-নাউয়োকপদি পুক্নীঙ পীদোনবা খক লৈখিদে। লোইদাম থাজবু য়েংলগা থাজ মাগুম তিং-তিং চাওনবা, থবী মাবু শানকৈরগা থবী মাগী মঙান্না অমম্ববু তাম্থোক্তুনা মালেম শীননা ঙানবগুম ঙানহনবীনবা তাইবং মপুবু হীরী কোননা কোরৌ লনশাজখি।

লৈনুং য়াবীরোক্না নুজা থৌদাং থৌপুরকপগী ৱাখুন-লংজীন

লৈনুং য়াবী য়াখা চনু য়াবীরোক্না মশাবী ৱাংঙম পুরিংলেন পুরৈরোম্বনা চহি অনিখক্তা ঙাইরিবা মপারীবু হুন্দোক্লল্লগা নোঙ্গাখ্রবগী পামুবা মানা নুংশি-খুদোল থল্লম্বগী নুংশি'-লমন শিঙননবা নুপীমচা থৌদাং লৌদুনা নুজা থৌপাং-থৌপুরকপগী ৱাখুন-লীখুন অমসুং লংলা-লংজীনবু মমাঙঙৈদগী ইদুনা থম্বীরম্বগী অঙৌবা চেবাং থক্তা খুদম-চাংদম উৎপা নত্রগা ৱাপাং-থৌপাং পীবা ওইনা লৈরিবশিংদুগী শেনফু কাইবা নত্রগা শৌ-লাং খন্দোক-কাইথোকপগী পরীং অমসুং পরমদা মিৎয়েং থল্লকপদা অমসুং/নত্রগা লেমলৈ খুৎহল্লকপদা থেংনরিবদি নোংদা নোংখললেম্বী নত্রগা লৈনুং য়াবীরোক হায়বীসি ৱাখল-লৌশিঙ চাওবী, থম্মোইগী মমিৎ থৌবী, পুক্নীঙ-ৱাখল মরা তানা চেৎপী, মপুঙ ফানা ৱাখল খন্থবা ঙম্বগী মতীক লৈবী, পায়রু-তৌরুবা থবক্তা উইন কনবী অমসুং পুকচেল তপ্পা অখাঙ কনবী অমা ওইনা পীবিরম্মী। অদুগা হায়রিবসিগী মথক্তা নুংশি-নুংওন্দা ঈরাং পুনা মীঙম্বী ওইবগুম কায়না মৈশা পুবগী ঈনুং পীরাংনা মোল্লাং চোৎপী, কায়নখ্রবা নুংশিবদা ৱাশক চেৎপী অমসুং মপারী-মচাবু নুংশিবদা থৱাই-হকচাং য়োম্থোকপা ঙম্বী চনুরা অমসু ওইনা মমাঙগী অইবশিংনা খোর্জৈ থাবীরম্মী। হায়রিবা পুক্নীঙগী শাফু-চৈথাশিং অসিনা পীরিবা ৱাখলগী চৈনাশিং, থম্মোই মৈচাক্কী মৈশাশিং অসিগী অমসুং অপুনবা মৈতৈ খুন্নাই অমা শেম্নবগীদমক্তা লম্বী থোল্লম্লিবা, থোং থারম্লিবা অমসুং মৈত্রবাক-তম্পাক্কী চোয়না চোয়না, মনীঙ তম্না লৈরম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক মচাশিং, অচৌবশিং অমদি খুল্লেন-খুঞ্জাওশিংবু ১৫শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামদা পুন্না তীনশিন-খোমজিন্দুনা অপুনবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা লীংখৎলগা খৃ: ১৮৯১ ফাওবদা মনীঙ তম্না, হাইনা হুম্না অমসুং মশা মতোমতনা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাদুনা পাঞ্জরম্বা অমসুং খৃ: ১৮৯১ গী চহীসিদা মতমদুদা মখোয়গী পাকচাওরবা লৈপাক (ইম্পয়ার) দুদা, লৈপাক্কী লমখৈ পাক-চাওবনা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা য়ুনাইটেড কিংদমগী খুৎকন-পাঙ্গল্লবা বৃটিশশিংগা মায়থীরগনি হায়বা খঙলবা ফাওবদসু মীরুপ-কাংলুপকী

ঈকাই খুম্নবা অমসুং ম্নীঙ তম্বা লৈপাক পানবগী মিংচৎ-মিংফম ঙাক্লনবগীদমক্তা লান থেংনখিবা অমসুং ঙসিগী চীঙমী অমদি তম্মীনা পুনবা চীঙলৈপাক-তমলৈপাক তীন্নবা মৈত্রবাক অমা মৈতৈ, মোইরাং, অঙোম, খুমন, লুৱাং, চেংলৈ-সরাং-লৈশাং অমদি খা-ঙানবা লোইননা নাই, চকপা, ব্রাহ্মন, ক্ষেত্রী, লাইরিকয়েংবা, পাঙন-মুসলিমনা শাবা মৈতৈ, কৌবা তম্মী, তম-লৈকায় মচাশিং অমসুং তাংখুল, মরিং, মাও, পাউমৈ, মরাম, থঙ্গাল, অনাল, শোংবু/কবুই, মোয়োন-মোনশাং, পাইতে, সিমতে, ৱালতে খোংজাইনচিংবা অৱাং হাও অমসুং খাগী হাওশিংনা শাবা "হাওবা" মিঙ্গৌনবা চীঙমী-চীঙলৈকায় মচাশিংনা ফংজরিবা পূম্নমক অসি লৈনুং য়াবীরোক নত্রগা নোংদা নোংখললেম্বীগী মপারি ঈবুংঙো নোংদা তুকুপ্পীক্তুনা তম্লম্বা মখুদোলদুগী পোৎলান-পোত্তম-পোৎনি। হায়রিবশিংসি ফংহন্নবগীদমক্তা লৈনুং য়াবীরোক্না মহাক্কী থম্মোই থম্বালগী লৈনাশিং শেগায়দুনা মহাক্কী নুংশিজরবা মপুরোইবনা পীশক পীক্লা খুৎশিন্নরম্লবা মচা ঈবুংঙোবু নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গৎনবগীদমক্তা মহাক্কী মীওইবগী ওইবা হকচাং অমসুং পূক্নীঙ-ৱাখলগী ওইনা লৈজবা নুংশিবা অমদি পাম্মুবা পুন্নমক্তু মচা ঈবুংঙোগীদমক্তা, মপারী ঈবুংঙোসিদা খুদোল তম্বীখিবদুননি। তশেংনমক মমা ওইবী অমনা মপারী অমদা পীখিবা নুংশিবগী মহৈনি।

মথক্তা থমজখ্রিবা লৈনুং য়াবীরোক্না মহাক্কী মপারীবু মীথক থোংনা অৱাংবা থাক্তা কাহন্নবা অমসুং মশাগী মপুঙ্গিবু মমল লৈহন্নবা থৌরাংলকখিবগী পান্দমশিং অমদি পান্দমশিংবু থবক্তা ওন্থোক্লনবগী চঙশিল্লকখিবা খোঙথাং অমসুং খোঙজঙশিং অদুদা লৈনুং য়াবীরোক্না লৌখিবা শক্লোনশিং অমদি শক্তমশিং অদুগী পায়খৎখিবা থবক-থৌরমশিং অমসুং থবক-থৌরমশিংদুদগী ফংখিবা মহৈশিং পুন্নমক অদুগী লাংলা-লংজীন (clue) অমসুং খুৎফম-খুনাম (key)শিংদি মৈতৈগী শক্তাক্লমদ্রবা ৱারেং-ৱারীগী অইবা নত্রগা কুম্বারোন ইবা অমনা নীঙথিরবা অরিবা ৱারেং-শৈরেংগী লোন্দা-পুদা অমসুং মচৎ-মতৌগী পরমদা পুথোক্তুনা থম্বীরম্লিবা ৱাহৈ-পরেংশিংদুগী মনুংদা খোমজিন-তাশিন্দুনা লৈরি। হায়জরিবা অরিবা ৱারেং-শৈরেংগী লোন্দা-পুদাগী ৱাহৈ-পরেংশিংদু মথক্তা মৈতৈ লাইরিক কয়াদগী লৌখৎচদুনা থমজখ্রে। অদুগা তানন-নৈনগদবা ৱাফমশিংগী খুদোংচাবা লৌজদুনা অমুক্কসু হন্না মখাদা থমজরি মদুদি ঃ-

... "পীরিৎনু, অরৈনু, অহুমনু, অরেংপা-মায়রেং হৌপা চনু, নোংতা নোংখল লেমপী, লৈনুং য়াপী-য়াখা চনু, নুরোন-পীরোন য়ামপী, য়ীমচাও লৈমা ওইবী লৈমা অহুমলক সানওনপী, নিংথৌ অহুমনা পানপী, লৈনুং য়াপীরোকনা নোংতা লাইরেন পাখংপনে।।"

হৌজিক্কী অরায়বা লোন্দাদা ওস্থোকপা

নোংদা নোংখললেম্বী কৌবী নুজা অসিনা মহাক্কী অনীঙবা-অপাম্বা ফংনবগী চঙশিল্লকখিবা খেন্ন-খেন্নরবা খোঙজঙ-খোঙফম কয়াদা মমিং মিংলেন-মিংফম মান্নদ্রবা মীশক-মীওইশিং — পীরিৎনু, অরৈনু (করিগুম্বদা অরেংনু হায়রম্মী) অমসুং অহুমনু" — হায়বা মমিংশিংসি হোং-হোং চঙশিনখিবীনি, লৈনুং (কুথবা-অনেম্বা লম) গী লমদমদা/লৈপাক্তা পাল্লম্বা য়াখা কৌবা মী কাংলুপকী য়াবী কৌবী শক্লাইরবী অমগী চাদা নাউদা পোকপী নুপী অসি চরৈ ফিনা ফিদুপ নাইবগুম নুপা অমসুং নুপী য়ুম্বানবগী পরীংদা "নুপী লোনবা" অমসুং "নুপা লোনবা" গী মচৎ-মনাৎ চৎপী/লৈবী অমা ওইনা মহাক্কী মতমদুগী লোন্দুদা খুৎকন-পাঙ্গন্না অমসুং খ্বাইগী মাঙজীন থানা পাল্লম্বা শক্লাইরবা নিংথৌ অহুম, সরারেন অরিবা অহুম—অঙোম সরারেন (অঙৌ/অঙৌবা পুরৈরোম্বা?); লুৱাং সরারেন (লুৱাং লংমাইবা নত্রগা পোইরৈতোন?) অমসুং থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং) সরারেন (থাংয়ি সরা পুকতাং/ঙানৈ?) গী মফমদা চেংলৌ শকশেম-শকশাদুনা নুজা শক্তম লোৎনা উৎনা, কোল্লোয় মিংলেন-মিংফম হোংনা-ওন্না চেংলৌ শক্লোন পুদুনা (অঙোম সরারেন্দা' পীরিৎনু" কৌদুনা, লুৱাং সরারেন্দা অরৈনু" কৌদুনা অমসুং থাংয়ি সরারেন্দা অহুমনু কৌদুনা) মরূম্বী, নুংশি-নুংওন্নবী (Concubine or Paramour) ওইনা মতম অমতদা নুংশি লোনচৎননা হৈরাং লোঞ্জা চামিন্না, লৈরাং লোঞ্জিন চিনমিন্নদুনা নুজা চেংলৌ শক্লা লাং থাক, শমু হকচাংনা শামু-শোং ওইদুনা ফাখিরম্মী। ফজববু পামদবা কনানো!!

মচা ঈবুংঙোবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবা মতমদুগী মী-কাংলুপ-ফুরুপ পুন্নমক্তুগী মবুংঙো-নিংথৌ ওইহন্নবা, হায়রিবশিংসিগী মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-ময়াইনচিংবদু ফংহন্নবা অমসুং মপারীনা পুন্নমক্তু মখুত্তা পায়হন্নবগীদমক্তা লৈনুং য়াবীরোক্লা মীওই অমতনা মীশক অহুম থোকপা, নুপী অমতনা নুপী অহুম শুহন্দুনা শক্লোন-শকফম অহুম লোনবগী শক্তমসি পুথোকখিবনি। অসুম্না মপারিগী মপাঙ্গল চাওনবা, মশাগী হকচাং কথোক্তুনা লৈপাম্বা খোইমুদা লৈহী পীথক্লগা পোইরৈ নিংথৌ ফম্বাল লোকখিবা অমসুং মপারীবু কদায়দা, করি শোয়খিগদবগে, কনানা লাচ' খুদুম চনখিগদবগে অমসুং কৈদৌঙৈ, করমনা খুদোংথীবা অমদি লাইবকথীবা লাক্ক-থোক্কদবগে, মদুশিংদু করম্না ঙাকথোক-কম্থোকখিগদবগে হায়বশিংসিদা মীৎয়েং থমদুনা অমসুং চেকশিন্না শেন্নদুনা অঙাক-অকন, অয়োক-অকোন তৌবীবা মমা-লাইরেম্বী অমা ওইনা মপারী নোংদা তুকুপ্লীক্কীদমক্তা মহাক্কী পুক্লীঙ-ৱাখল, থম্মোই অমসুং য়াইবী-থৱাইনা লৈখিবা অদুনা মতুং তারকপা মতমগী মখা শমথরকপা মৈতৈ নিংথৌশিংগী পাল্লিবা নিংথৌ শাগৈগী, নিংথৌ মহাক্কী ঈমুং-মনুং অমসুং মহাক্কী থৌশীল-থৌরাং, লৈঙাক-থৌদা, ৱায়েন-থৌপু-

থৌপাংবনচিংববু ঙাক- শেল্লিবী, অয়োক-অকন তৌরিবী নিংথৌলাই (Royal Guardian deity)ওইনা "য়ুমঙাক-য়ুমশঙ্বী য়ুমজাও লৈমা, য়ুমজাও লাইরেম্মা/লাইরেম্বী"— হায়বা মিংথোন-মিংখৈসি কৎচদুনা মসিগী মখাদা ঈরাৎ-থেল্লাৎলচদুনা থমজরি।

মথক্তা থমজরিবা ইশিন্দুনা থম্বীরম্বা ৱারোল অমসুং মৈহৌরোনগী নত্রগা শাগৈ-শল্লাইরোনগী চাদা-নাউদগী লীক্লম-পরীংগী ঈ-পাউগী লীখুন-ৱাখুনশিং অসিনা ঙসি-ঙসিগী মিৎয়েংদা পুরক্লিবা ৱাফমশিংদি ঃ-

মৈত্রাবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী নোং ঙানফুং-ঙানফুং তৌরকপা, নোংঙান তু উরকপগী মতম অদুৰাইদা লৈরম-পাল্লম্বী, চুঙ-ফিরাল চানা নুপী ওইবীগী মীওই-মীতৌ চুম্না ফজরবী মৈতৈ চনুরাশিংগী মরক্তগী অমা ওইরিবা নোংদা নোংখললেম্বী কোল্লোয়নবী, লৈনুং লমদমদগী হৌরকপী, য়াখু কাংলুপকী য়াবী কৌবীগী শাগৈ মচা মায়রেং হৌবা কৌবগী মচা নিংঙোন অসি মহাক্না ময়ুম-মকৈ পান্দুনা মহাক্কী অমতা পোকচরবা মচা নুপা "নোংদা তুকুপ্লীক" হায়বসি পোকচরবা মতুংদা মহাক্কী মপুন্সিগী অরোয়বা ফাওবদা শাগোন্নখিবা মমিং "য়াবীরোক" হায়বসি ফংজখি অমসুং হকপান্নবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্না নুংশি হেকমায় কামিন্নবা মরূম্বা (Paramour) অহুম মতম তাঙ্কক অমতদা লৈরম্মী অমসুং মখোয় অহুমদুগী মনুংদগী অম (পুরৈরোম্বা) দা পীরিৎনু", অম (লুৱাং লংমাইবা) দনা" অরৈনু অমসুং অম (থাংয়ি নিংথৌ) দনা "অহুমনু" কৌদুনা লোইনরক্লম্মী। মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীনা অমসুং/নত্রগা ৱারেং-শৈরেংগী, ৱাশেম-ৱারীগী, ৱারী-শীঙবুন-নাচোমগী লাইরিক নত্রগা মৈহৌবরোনগী পুয়া (পু, ঈপা-ঈপুগী ৱারোল-ৱাফমশিং, য়া-য়াবা-ইদুনা থম্বা, লাত্তুনা নত্রগা খুবম য়াদুনা থম্বা) অমতনা লৈনুং য়াবীরোক্কী মরূম্বা অহুমদুদগী অমতবু য়াবীরোকসিগী মচানুপা (নোংদা তুকুপ্লীক নত্রগা নোংদা লাইরেল পাখংবা) গী অশেংবা, অপোকপা মপানি হায়না পীবা, খুদম-চাংদম উৎপা নত্রগা লংলা-লংজীন তাকপগী ৱাফম লৈতে (পাঃ লাঃ খুৎঃ লাইঃ, পাঃ ফমঃ খুৎঃ লাইঃ, পাঃ লমঃ থঃ, খুৎঃলাই)। অদুগা হায়রিবা খুৎকন-পাঙ্গলবা অমসুং শক্লাইরবা নিংথৌ (সোরারেন অরিবা) অহুম অসিনসু লৈনুং য়াবীরোক্না পুথোক্লক্লিবা শক্লোনশিং, শকফমশিং অমসুং মদুশিংদুগী থৌশীল-থৌরাংনা নোংদা তুকুপ্লীক হায়রিবা লৈনুং য়াবীরোক্কী মচানুপা অসিগী অয়োক-অকন ওইবা মপা, ঙাকপী-শেনবীবা মপন অমসুং লাঙ্গোল-নাউকোনবীবা পম্থৌ ওইনা পুশিল্লক্তুনা থল্লম্মী। অদুবু লৈনুং চাখা নুরোন-পীরোন য়াম্বী য়াবীরোক্কী মশাগী ওইবা অরোনবদুদি মহাক্কী থম্মোই লাইয়ুমনুংদা অমসুং পুরুীঙগী ফিকোন্নুংদা অদুম্মক লৈরম্মী। অদুনা মমাঙঙৈগী অমসুং মাঙগী মাইচৌ-মাইনৌশিং অমসুং ফাথি-ফানাইবশিংনা হৌখিবগী চৎলম ইন্দুনা লৈনুং য়াবীরোক্কী শক্তম অমসুং শকফমগী মমি য়েকপদা অমসুং মহাক্কী মচৎ-মতৌ শৈথাবদা অপাবগী ৱাখন্দা

খঙননবা অমসুং পূক্লীঙদা ফাওননবা পরীং/পরম অমগী উচন-উফমদা তাদুনা লৈরিবা হায়দোক-ফোঙদোকহৈদবগী মশক অমা ওইনা লুবাক-তাবুনুংদা লীশিন্দুনা থম্বীরম্মী। অখঙবদনা খঙজসনু, হংলক-থিরকপনা খঙননবগী মরম -লমদাং ওইসনু, হায়না থুপ্লম্বসিগী মতমগী ফিজঙ হাইদোক্লকপা ঙাইদুনা লৈরিবনি।

লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা য়াবীরোক্কী শক্লোন

লৈনুং য়াবীরোক, মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংব (চাও: খৃ: ৩৪-১৫৪) গী অপোকপী পলেম মমাগী লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা শক্তম লাংলম্বগী শক্লোনসি মথক্তা উৎখিবা, মমাঙদা ইবীরম্বশিংদগী লৌথোক-শৎকৎচরকপা ৰারোল মতেক অসিদা উৎলিবা-উহল্লিবসিগী মতুং ইন্না মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীদা য়াম্না মরূ ওইবা অমসুং হায়নীঙঙাই লৈতনা মমল য়াম্বা/ৰাংবা পাৰারী-পুৰারীগী মচাক-মরন নত্রগা ঈ-পাউশিংনি। মসি ঈচম চম্না য়েংবা মিৎয়েংদা, মচী-মরূমদা লোনচৎনবী, মরূম্বা-মরূম্বী মরোন নাইবী, খুন্নাই-মীয়ামগী মিৎয়েংদা ফিরোন মরোন নাইদুনা শেৎ-চাবগুম লমচৎ-শাজৎনবী নুপীগী শকফমদা মমি-শামি ওইনা লেপ্লিবী অমা ওইদুনা খ্বাই মীয়ামগী ওইবা নুপী ওইবীগী শক্তমশিংদা অমকপা-অমোৎপা চায়শিন্দবগী শাফ-ৰাখল অমসুং য়াইফ' পূক্লীঙগা ঈরোইননা উৎপগী মশেন-মরাং ওইনা মশেক-মঙান্না শকউহল্লি। অদুগা মৈত্রবাক্কী পুৰারীগী নোংঙাল্লমদায়দগীনা নোংঙান' তু উরকপগী মতম তাঙ্কক্তু ফাওবদা লৈখ্রিবা অমসুং থোকখ্রিবা লৈঙাক্লোনগী লৈঙাক-খুনঙাক, খুনগন-লৈকন্নচিংবগী থৌদোক-ৰাথোকশিং, শাথোক-লানথোকশিং অমসুং লৈপাক ঙাক্লনবগী থৌদা-থৌশীল, থৌগায়-থৌরাংনচিংবগী থৌদাং লৌনখিবা, থবক পুনখিবশিংদু থিজিন-হুমজিন্দুনা নৈনরকপদদি লৈনুং য়াবীরোক্না মতমদুগী লৈঙাক্লোনগী-ফম্বাক্তা লেপখিবা শক্তম, লৌখিবা শক্লোন অমসুং পুথোকখিবা শকফমশিংসি য়াম্না মরূ ওইবা শক্তমশিং/মশকশিংনি। মরমদি মদুশিংদুনা মতমদুগী মৈত্রবাক্কী চীঙমী অমসুং তম্মীশিংগী খ্বাইদগী হেন্না মতীক-মঙমশিংগী মপাঙ্গল-লৈরবা লাল্লোইনবা অমসুং শীল্লোইনবা (Allied in war and working) হায়বসিগী মশক নাইরবা লৈঙাকলোনগী লুপশিংগা লোইননা থবক পায়খৎলিবা অমসুং পায়খৎনবগী মরম-লীক্লম য়াৎলিবা লৈঙাকলোনগী লুৰাংজৈ (Political administrative sceptre or staff) পায়রবী অমগী মপুঙ ফারবা শক্তমনি। লৈনুং য়াবীরোক মহাক্কী থৌশীল-থৌরাংগী, খুজীল-য়াথংগী মরূমদা মতমদুগী খ্বাইদগী হেন্না খুৎকন-পাঙ্গন্নরবা শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী মবুংঙো অঙৌবা পুরৈরোম্বা, শেল্লোই লংমাইচীঙদা পানবা লুৰাং য়েক্কী শল্লাই অমগী নিংথৌ/লুচিংবা লাঞ্জিংলেন লুৰাং লংমাইবা অমসুং শেল্লোই লংমাইচীঙগী লংমাই ৰাইরোক চীঙদা পানবা থাংয়ি (চেংলৈ-লৈশাং)গী নিংথৌনা থবক পায়খৎকদবগী পাউ লাকপা ঙাইদুনা লৈরিবনি

(পা: লা: খুৎ: লাই:)। অসুন্না পুৱারীগী থৌদোকশিং হৌরমদায়গী মতমদুদা মীয়ামদু খ্বাইদগী অতোন-অরেম ওইনা লৈরম্বীসিগী মৈতৈ লাইরিক-লাইশুগী পরীংদগী শাগৎচবা ৱাফমশিং খর মখাদা থমজরি।

লৈনুং য়াবীরোক্কী পুন্সি ৱারী

নোংদা নোংখললেম্বীনা মালেম তাইবংপান্দা মীওইবা অমা ওইনা শেল্লোই-লংমাই চীঙগী চীঙ্গোইরোনগী লমখৈ মনুংদা তাইবং ফাওরকখি। মহাক য়াখা মী- কাংলুপকী য়াবী-কৌবগী চাদা-নাউদাদা মায়রেং হৌবা কৌবগী মচা নিংঙোন, মতোম্‌তা নাইতোম তোমশাৎপীনি। পীক্লিঙৈগী হৌনা মহাক্কী মায়থোংদা শুমহৎয়াই য়াওরকপগুম তৌই। মশাগী মথোক কারকপা মতমদা শাবান-ফিরেপ চুম্বী; তুংয়ান ফজবী, মাঙগী শারেপ্পা মীপুক হুবী ওইনা হৌরকখিবা মাল্লি। মশাগী চহী ১৫-১৬ শুরকপদা মশা-মশা শকখঙ-মায়খঙন্দুনা ৱাংঙম (মৈতৈ) য়েক্কী পুরিংলেন কৌবগা নুংশি খোয়জঙনদুনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখি। নোংদা নোংখললেম্বীনা মপুরোইবা ৱাংঙম নিংথৌমচা পুরিংলেন পুরৈরোম্বগী তাল্লোই য়ুমঙাকপী ওইনা লৈরিঙৈগী মতমদুদা মহাকসি থাজনীঙঙাই ওইরবী য়ুমগী নুপী য়ুমলৈমা, মপুরোইবা নীঙবী তাল্লোয় অমসুং লময়ৌনা শকহেনবী ওইজরবসু হায়বা ইনবী লোইনবী অমা ওইরকখি হায়বসি মহাক্না মপুরোইবনা পীরম-থম্লম্বা নুংশি-খুদোল চহী অনীখক্তা ঙাইরিবা মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু পামু খুদম ওইনা মী ওইনবা শেম্বদগী হেন্দোক্কুনা মতমদুগী অথোইবা নিংথৌ ফম্বাল থক্তা খাঙ্গৎখিবা অদুনা খুদম-চাংদম ওইরি। মহাক্কী অসিগুম্বা মপুরোইবা নীঙবা, মপুরোইবগী মফমদা থাজবা থম্বা, মপুরোইবগী মফমদা মহাক্কী তৌফম খোকপা মথৌ তৌবনচিংবগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙমনচিংবসি চেল্লমদ্রবদি মহাক অঙোম য়েক্কী য়ুমলৈমা ওইনা লৈরম্বা য়াবনি। মহাকপু মপুরোইবনা মতোম-মথন্তা ওইনা পীক্লিবা মপারী, মতোমতা ঙাইজরবা মচানুপা অদুবু য়োক-থাকপা, চাওননবা লাঙ্গোনবনচিংবগী পোৎলুম পুন্নমক অদু থোনগৎপীরম্লগা মালেম তাইবংপান থাদোক্কুনা চৎথ্রবসু মহাক্না পুন্সিগী লানফমদা মায়থীরবী অমগুম খুবাম তিংনা কপ্পুনা লৈথোকখিদে। অমদি ঈরাক্লরবা মীগুম ইকা অমা ফাওবা লাম্বগী ৱাখন্দু তৌখিদে। খুত্তুম শীঙনা অৱাংবা লোইবী চীঙজাও.কাখৎনবা শেম-শাখি অমসুং কাখৎলকখি।

লৈনুং য়াবীরোকসি পায়মা লিননা ঙানবী, পূক্লীঙ লৌশিঙ চঙখোনবী অমসুং মতমদুগী খুন্নাইগী ঈরাং খঙবী, মীরক-নারক উবা, মিৎলৈ-নারৈ খঙগন-উগনবী ওইবনিনা মহাক্কী মখুন খুঙ্গং-খুন্নাইগী, শাগৈ ময়েকচা শল্লাইচাশিংগী অমসুং মীখুঙ্গং মীয়েকচাশিংগী লুচিং-লমজিং ফমলেন ওইরিবশিং, য়েক্লুপ পিবা ওইবশিংগী থাক, মঙম্নচিংবা অমসুং

মীরুপ, মী-কাংলুপ-ফুরুপনচিংবগী মকোক থোংবশিংনা পায়রি-পাংথোক্লিবা থবক-থৌরমশিং মহাক্কী মমিত্তা উরিবশিংদু চনীঙ তানা য়েংশিল্লম্মী অমসুং খঙজিল্লম্মী। অদুগা মহাক্কী চাওদ্রিবা মপারীবুসু মপাইবুংঙোনা ওইরম্বা থাক, ৱাংঙম নিংথৌমচা, পোইরৈ লৈমা মচা ওইনা খ্বাইনা ইকাই খুম্নবা অমসুং মদুশিংদুনা মতমদুগী খুন্নাইদুগী কল্লিবা মফমদুগী অদুগুম্বা থাক অমসুং ফিবম-ফিরেপ অদুদা পুখৎপদা নত্তনা মীথোই-মীহেন্না মতমদুগী খুন্নাইদুগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক অমসুং মফমদুদা থাঙ্গৎকে হায়না চেৎনা থম্মোইদা লেপখি অমদি পূক্নীঙদা নীঙজখি।

লৈনুং য়াবীরোক্না পান্দল্লিবা ৱাখলগী থাক অদু ফংনবা চঙশিন্নবগী অহৌবা লমদাংগী মতমদদি মহাকপু শৌগৎ-ঙাকখৎপীনবা অমসুং থাঙ্গৎ-পমখৎপীনবা তেংবাং-পাম্বৈ ৱাৎপনা মহাক লৌশিঙ লৌমাঙ্নবগুম তৌরম্মী। অদুবু মহাকসি মশানা মশাবু থাজজবা মীওইনিনা নুপীমচা ওইজরবসু নীঙবা কায়বগী লাংদা থুদুনা ৱাখলগী, অপাম-অনীঙবগী ময়োল তেকপদুদি তৌখিদে। মহাক, শায়বা কল্লগা ওইনমই, নোম্বা কল্লগা ফম্মেন ফংই" হায়বা পাউরৌ-পাউতাকসিগী ৱায়েল মখাদা চৎখিবগুম তৌই। মহাক্কী পুন্সি খোঙলোই ওইদুনা ৱারে ৱামিন্নগদবা, নুংঙাইরে নুংঙাইমিন্নগদবা মীরল্লেনগী তাইবং-খোঙবু অদুসু তেংবানবা মপুগী নোংদম্না খাঙঙুথক্তা কেনখ্রবসু পুন্সিগী মহাউদি হোৎনবনা পুরকপা মহৈদা লৈ অমসুং হোৎনবগী পাম্বৈদি মশক নাইদে হায়না খল্লকখি। মরম অসিনা মহাক্না শক্কী কৈথেল কাদুনা চীনবানথোংগী নুংশিবা য়োনগে থোক্লকখি। লৈঙাক্লোনগী মপাঙ্গলবু মীহকচাংনা মমল পীরগা লৈদুনা নিংথৌ ফম্বাল মনতীক্লগে চোংথোক্লকখিরম্মী। অদুনা অচৌ-অশাংনা পামগদবা, অকন-অরিংনা খোয়দাগদবা, অঙম-অথৌ অমসুং মপাঙ্গল কনবশিংনা মিহৌ-মিতাগদবা অমদি নিংথৌ ওইবা, মকোক থোংবশিংনা কল্লকচগদবা অদুগুম্বা পোৎলমশিং অদুদমক পূক্নীঙগী অনীঙবা শেন্দোং ফংননবা অমসুং ৱাখলগী পান্দম অমদি পাদমগী মমল পীবা ঙমগদবশিং অদুদমক মহাক্কী লুকমায়দা হাপ্তুনা য়োল্লম্মী। মদুশিংদুগা লোইননা মতমদুগী চীঙদা তোংবা চীঙবুরোইবশিং অমসুং তম্পাক্তা পানবা তম্বুরোইবশিং ওইনা লৈরিবা লৈঙাক-লৈকন্নগী, খ্বাইগী ৱায়েন-থৌদাগী অমদি লৈঙাক্লোনগী লীক্লম-খোংবান্দা তারিবা অমসুং তোর্ববান্দা লেপ্লিবশিংগী মফমদা মশাগী হকচিনবা মিৎয়েং থমদুনা য়েংবা অমসুং য়েংশিনবা হৌরকখি, মদুগী লৌরোক-পাম্বা ঙাইরকখি।

লৈনুং য়াবীরোক্না মহাক্কী মতমদুগী মৈত্রবাক্কী ময়ায় ওইরিবা তম্পাক্কী ময়োৎ-ময়োল ওইরিবা লমদম কংলৈ পুঙময়োলগী মতাই অমদা খুন্দা-লৈতাদুনা পাল্লি-লৈরিঙৈগী মতমদুদা পোইরৈ তমলৈকায় অমসুং লোইবী চীঙলৈকায়গী করম্বা লমতুপ-লৈয়াৎশিং, লমলেন-লমদমশিং অমসুং খুনবী-খুল্লেন, খুঞ্জাও-খুন্নৌশিংগী কনা, করম্বা

খুল্লাক-লুপ্লাকপশিং, নিংথৌ-ৰাঙ্গোননিংথৌশিংনা খুৎকন-পাঙ্গন্না পাল্লিবগে, কনানা করি তৌরিবগে, অসিনচিংবগী অচুম্বা ঈ-পাউশিং নীঙথিনা মরীক চুমনা লৌবা, খোমজিনবা ঙম্মনবগী থৌরবা লৌশিঙদু লৈরম্মী অমসুং লেপ্তুনা খোমজিল্লম্মী। হায়রিবা মতম তাঙ্ককসিদা মৈত্রবাক্কী কাংলুপ-ফুরুপশিং, হৌরক-শাৎলকফম, লাকফম-খুনলাল্লকফম, পারী-পুরীনচিংবা তীন্ন-মান্নদ্রবসু কাংবু-কাংবুশিংগী মপাঙ্গল-মতীকশিং চুঙশিন-তীনশিন্নদুনা অপুন-অপুনবা কাংলুপ অনিখক্কী মরক্তা মুক্লবা, য়েংশিন্নবা অমসুং অথোই-অহেন হিদান্নবগী ফিবমশিংদা লৈনরম্মী। হায়রিবা কাংলুপ নত্রগা খুৎ অনিসিগী মনুংদগী অমনা কংলৈ পুঙময়োন্দা পানবা খাবা কাংলুপ (মমৈথংদা য়েক/শল্লাই) কী কংলৈ লৈমাবশিংনা লুচিং-লাঞ্জিংবা (পান: খ:, খুৎ: লাই: অমসুং ম: চ: স: ১৯৯৯, ৩২-৩৪) অমসুং মখোয়গা খুন্দা-লৈতামিন্নরিবা অমসুং লাল্লোই- লানবাংনরিবনা ঙানবা কাংলুপ (মমৈদা য়েক/শল্লাই) অমদি চকপা কাংলুপশিংগী কাংলুপ-ফুরুপ খর (লৈ: ন, খুৎ: লাই: অমসুং ই: অ; স;, ১৯৮৯) অমসুং শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) দা খুন্দা লৈতারম্বদগী তম্পাক লমদমদা খুনহোং-খুম্থোকখিদুনা হৌজিক্কী কাংঙমোং/কাঙবুঙ লমদমদা পানখিবা থাংয়ি কাংলুপ (মমৈদা চেংলৈ-শরাং-লৈশাং কাংলুপ/ য়েক) কী ফুরুপ অমা (মথক্কীসিদা, অমসুং চেংলৈ ঃ, খুৎ : লাই), অসিশিংসিনি। মখোয়সি পুন্না চৎমিন্নবদা নত্তনা শীল্লোই-শীল্লংনরিবনি। অদুগা মখোয়সিগা লম্বানরিবা অতোপ্পা কাংলুপ অদুনা শেল্লোই লংমাইচীঙগী মপু অমসুং চীঙসি লমখৈ-লমকন্নুংদা লৈরি-পাল্লিবা নোংবান/অঙম/অঙোম কাংলুপ (মমৈথংদা য়েক / শল্লাই / শাগৈ), লুৰাং কাংলুপ, লুৰাং লংমাইবা কৌবা লংমাইজীঙদা পানবা ফুরুপ অমা অমসুং লংমাই ৰাইরোকচীঙদা পানবা থাংয়িগী কাংলুপ, অসিশিংসিনা শাবা, অঙোম নিংথৌ অঙৌবা পুরৈরোম্বনা লুচিং-লানজিংবা লুপনি (পা: ফম:, খুৎ: লাই: পা: লা:, খুৎ: লাই: অমসুং ও: ভ: স:, ১৯৬৭,১)। হায়রিবা লম্বানরিবা লুপ অনিসিগী লুচিং-লানজিংলিবা কাংলুপ (য়েক) অনিসি চারৌ-মৌরৌনবগী মরীনা মখোয়গী হিদান্নবদা অমসুং মুক্লবগী লমদাংদা অয়েৎপা-অথিংবা পীরবসু / লৈরবসু লাল্লোইনরিবা, খোঙ্বু ওইমিন্নরিবা কাংলুপশিংনা শাবা লুপকী অপাম্বগী শাফু, চৈথা অমসুং শউমনা হুমদুনা পুখিবনা মথক থংবা / থোংবা তান্নবগী মুক্লবা অমদি অথোই- অহেন তান্নবগী লমজেন্দুদা অমনা অমগী অশোনবা তাঞ্জাগী মতম য়েংদুনা খুদোংচাবা ঙাইনদুনা লৈনরম্মী (শ: ফ: খুৎ: লাই:, পো: খুন:, খুৎ: লাই: অমসুং খ: য়: স:, ১৯৭১,১০)। হায়রিবা মতমসিদা পোইরৈ লৈপাকসিদা তৌনরিবা লৈঙাক্লোনগী ঈরাংশিং অমসুং ফিভম-ফিরেপশিং অদুদা লৌশিঙবী লৈনুং য়াবীরোক্লা মহাক্কী ৰাখল থাদদুনা মায়কৈ কদোমদা মাগী হি হোনগদবগে হায়বদু য়েংদুনা লৈরম্মী।

লৈনুং য়াবীরোক্কী থৌরাংগী পোরম

লৈনুং য়াবীরোক নৎত্রগা নোংদা নোংখললেম্বী হায়বীসি শেল্লোই-লংমাইচীঙগী লমদমগী চনু-নিংঙোন্নি (ই: চ: অমসুং: ক:, ১৯৯৬, ১১৩)। মরম অসিনা মহাক্না শেল্লোই-লংমাইচীঙগী মচী-মচী খায়দোক্লদুনা পাল্লিবা নিংথৌ অহুম অসিগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-মথৌনানচিংবা পুন্নমক, মরু ওইনা, নোংবান পুরৈরোম্বা (অঙোম নিংথৌ) বু মশক মুন্না খংলম্মী। হায়রিবা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী চীঙশা-নাপোমশিংদা পানবা নিংথৌ/ লুচিংবা অহুম্মকসি, "সরারেন / সোরারেন [কৌব্রু চীঙজাওগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা চীঙশাং-নাপোম অমদা পানবা লাইওই-তীনওইবা মী-কাংলুপ-ফুরুপ (নোংপান/ নোংবান নৎত্রগা অঙোম কাংলুপ) গী সোরা / সরা হায়বদুগী " নিংথৌ / লুচিংবা - মকোক নৎত্রগা লুচিংলেন-পুরেন নৎত্রগা অথোইবা সরা / সোরা" হায়বনি, কৌব্রু চীঙজাওগী লমখে মনুংদা পানবা অঙোম নিংথৌদা পীবা মিংথোননি] অরিবা অহুম" হায়বা মিংহুন-মিংথোনসি ফংলম্মী (ও: ত: স: ১৯৬৭, ৯ অমসুং নিং: লম:, খুৎ: লাই:)। মখোয় অহুমসিগী চাওরাকপা মমিং মথাগী মশক অমসুং মরমদা মথক্তা উৎচখ্রে অমসুং অঙোম/ নোংবান সরারেন (অঙৌ / অঙৌবা পুরৈরোম্বা), লুৱাং সরারেন [লুৱাং লংমাইবশিং, লংমাইচীঙদা পানবা লুৱাংশিংগী নিংথৌ (পোইরৈতোন?)] অমসুং থাংয়ি সরারেন (থাংয়ি থারোং নৎত্রগা সরা/ সোরা পুকতাং) (ই: চ: অমসুং ক:, ১৯৯৬, ১১৫) অহুমসিনি হায়না লৌনৈ

লৈনুং য়াবীরোক্না মতোম্তা য়াম্না কুপ্না য়েংলবা, থিজিল্লবা অমসুং চনীঙ তানা খল্লবা মতুংদা মহাক্কী মপাম লমদমদা পাল্লিবা নিংথৌশিংসিগী লাল্লোই-শীল্লোইনরিবা অমসুং তীন্না-তোৎননা লানবাংনরিবা লুপ অদুগী মতেং লৌগে অমদি মখোয়বু শীজিন্নগে হায়না মহাক মশাগী ৱারেপ লৌজখিরম্মী। অদুগা মহাক্না লৌরিবা ৱারেপসিদগী মহাক্না পাল্লিবা অমসুং পান্দম-পাদমলিবা লাইবকফবগী ফিভম-ফিরেপ্তু পুরক্নবা নৎত্রগা ফংননবা শাদান-শাহুইশিংগী মচীঞ্জাক থাক্নদৌরিবা/পীগদৌরিবা পোৎলম-পোৎশকশিংদি — মহাক্কী মশা-হকচাংগী ফজবা অমসুং থোৎন-মেঙলবা নুপী ওইবীগী হকচাং অদুগী ময়াইননি, হায়বসু মহাক্না খনবা লোয়খ্রবনি। মরম অসিনা মহাক্না মখোয় অহুম অদুগী লুহোংলকপদা ঙাইরিবী তাল্লোই অমমমগী শক্তম লৌদুনা তুওই-ৱাওইবগী শক্তম-মিতম লাংখি। অদুবু মহাক্না মহাক্কী নুংশিজরবা মচাঈবুংঙো অমসুং মাগী ৱাখন্দা পুরিবা মচাঈবুংঙোগী অৱাংবা পান্দম অদুগীদমক্তা মহাক্কী নুপী ওইবীগী নুপী-মহকচাং মশা অমসুং মীওইবগী লূ-তোংনা শাবা হকচাং অদুবু কথোকপা অমসুং থাদোকখিবদুদগী মশাগী মহাকচাং ওইবদুনা মৱাক চম্লকপা, লৈমন চল্লকপা অমসুং কুচু থাওরকপা অদুগীদমক্তা করিসু নাচুংলুদে, মরমদি কৎফম থোকপদু কক্তুনা মহাক্কী থম্মোইনা তশেংনা নুংশিজখিবা মীশক্তুগী

শীঙঙম্লরোয়দবা লমন অমদি শিঙলবনি, হায়না অহিং, ঈনুং খুদিংদা মীকপ্নরম্বা য়াই।

লৈনুং য়াবীরোক্কা সরারেন অরিবা অহুমগী মনুংদা য়াথং পীবা/থাবা লুচিংবা অঙোম/ নোংবান সরারেন্দা পীরিৎনু কৌনা ওঙলগা খুন্নাইগী মিৎয়েং য়ৌদনবা ফিজঙ খন্দুনা থমখি, অদুগা লুৱাং লংমাইবা নুংবান সরারেন্দা অরৈনু কৌনা তাঙথরগা খুন্নাইগী মিৎয়েংবু চেরৈ ফিনা কুপশিন-খুমজিন্দুনা থমখি অমসুং থাংয়ি সরারেন্দা অহুমনু কৌনা ওঙলগা শেল্লোই মশেন-মবাই, খুন্নাই মকু-মঙাইশিংগী মিৎয়েং নাথৈ-নাকোয়না ফিখন-মায়খন্না থত্তুনা থমখি। মরম অসিনা নোংদা নোংখললেম্বী, নোংদা তুকুপ্লীক পোকঙৈগী লৈনুং য়াবীরোক মিংথোল্লবী চনুরা নিংঙোল অসিবু নুপী অহুমগী শক্লোন পুবী (নুরোনবী, পীরোনবী নত্রগা নুরোন পীরোনবী) ওইনা নিংথৌ অহুম পানদুনা নিংথৌ অহুমদা ওঙদুনা মখোয়গী অহুমগী লৈমা (তাল্লোই মরূম্বী) অহুম্লক ওইনা পানবী হায়দুনা —" নুরোন পীরোন য়াম্বী, লৈমা অহুম্লক ওইবী, নিংথৌ অহুম্না পানবী"-হায়না শৈথদুনা পীবীরম্মী।

অরোন-অরোৎ লানশঙদা নোংদা
লাইরেম্না লানগী মহৈ-মশিঙ তম্বা

শকহেনবী নোংদা নোংখললেম্বী, মিৎচুবী লৈনুং য়াবীরোক, শুমহৎপী পীরিৎনু, শাবান ফজবী অরৈনু, অপাম ঈখৌলাংহনবী অহুমনু, চাখা নুরোন পীরোন য়াম্বীনা নুংঙনবা মশুংলাংগী নুংশি-লাংথাক পোৎফম ফমদুনা নিংথৌ সরারেন অরিবা অহুম্মক্কী থম্মোই, পূক্লীঙ অমসুং ৱাখলবু শেন্দোং ওইনা ফংলবদা, মহাক্না অচেৎপা লাইনীঙ' হীরী কোন্দুনা "মদুতদি ফংলগে" হায়দুনা পূক্লীঙ ৱাখল চপ য়ুংনা থল্লকপা পান্দমদুগী পরমদা মখোয় অহুম্বু পুশিল্লরুবা হোৎনরকপগী মতম-তাঞ্জাদুদা থাংয়ি সোরারেন্দদি ঈচেল অমতদা তাউথমিন্নরকপা হিনাউশিংনা খাবক লাকপা নত্তবনা ঈচেনগী তোরৈ-তুথেক্কী ঈহন-ঈহুন্নচিংবদগী মালংগী ফৌরোই ইন্না তাউথোক-তাউথখিবগুম মতোম্বা মশা-মথন্তনা থক্তোক-থাদোকচখিরম্মী। অদুবু নোংবান সরারেন অমসুং নুংবান সরারেন অনিনা য়াবীরোক্কী অনীঙ-অপাম্বা থুংনবা মহাক অমসুং মহাক্কী মচাঈবুংঙোবু মখোয়গী লৈঙাক-ৱায়েনগী ঙমখৈগী মনুং চনবা লমখৈ লমদম "অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন [লীনৱাই তুরেনগী ঈমরূ (ঈরীন তুরেল গী হৌরকফম মরূ) অমসুং কোংবা ঈচেনগী ঈমরূ (কোংবা তুরেনগী হৌরকফম মরূ) অনিগী মরক্কী লমদম]" দা পুদুনা চৎখিরম্মী। অদুগা মফমদুদা নোংদা তুকুপ্লীক অমসুং মহাক্কী ঈনখৎলক্লিবা অরিবা অমসুং অনৌবা মরুপ মপাং, লোইন-খমইন পূন্নমকপু পুদুনা শা-লানগী মহৈ-মশিঙ তম্নবা অমসুং ঔরায়নবা নৎত্রগা শাজেন তৌনবগী লান্দমশঙ-লানশঙশিং কয়ামরুম শাদুনা হুয়েন লাল্লোং, শাফা-লানফা, শারীৎ-শারাক্লচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্বীবা হৌরম্মী। অসুম্না

অরোনবা-অরোৎপা লান্দমশঙ অসি হাঙদোক্নুনা নোংদা তুকুপ্পীকপু মহৈ-মশিঙগী লমদাংদা মথেন ফানবা—খুৎলাই য়াওদনা শাথেং-লানথেংনবা অমসুং খুৎশু-খুৎলাইশিং য়াওরগা নৎত্রগা পায়রগা হয়েন লানশোক্নবা অমসুং মফম-মতমগী খুৎশূ-খুৎলাইগী মখল মখাশিং— লীরুং-তেন, থাঙপাক, থাঙশাং, লম্বু-তা, খংনং-তা, হকথং-তা, য়োৎখোক-তেনখোক, য়োৎশুক-নুঙশুক, থেঙ্গু-তেম, অসিনচিংবা খুৎলাইশিং পায়নরগা য়েক্নবগা লম্বা পানবা, মুক্না, শারীং-শারাক্নবা, পাম্বা শাথেংননা কৈজনবা, অসিনচিংবা পূন্নমক নোংবান-অঙোম সরারেন অমসুং মহাক্কী মরোই নুংবান-লুৱাং লংমাই সরারেন অনিগী মিৎয়েং মখাদা তম্বীরক্লম্মী।

অৱাং ফাৎলৌ/ ফাললৌ লাইমকোনগী অরোনবা লান্দমশঙ অমসুং অরোৎপা লানশঙ অসিদা মতম খর থুপ্তুনা নোংদা নোংখললেম্বী য়াবীরোক্লা মচাঙ্গীবুংঙো নোংদা তুকুপ্পীক্লা ৱাইরা শাথেংনবা, হুইয়েন লাম্থেংনবা ঙন্নবা মহৈ তম্বা অনসুং মহৈ-মশিঙশিংগী শাজেন তৌবা, কুপথনা ঔরায়বনচিংবসি, থৱাই তানা য়েংদুনা লৈরম্মী। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী সরারেন অনিদা মচাগী মহৈ-মশিঙগী মপাউ হংই অমসুং মপাউ তাই। লান্দমশঙসিদা নোংদা তুকুপ্পীক অমসুং মহাক্কী খোঙলোই-লাল্লোইশিংনা শা-লানগী মহৈ মশিঙসি নীঙথিনা তম্নকখি অমসুং শাফা-লানফাদা মতীক চানা, মায় পাক্লা হৈরেকখি, হায়বসি মখোয়না (নোংদা তুকুপ্পীক অমসুং মহাক্কী লাল্লোই-লাম্মীবু নোংবান পুরেরোম্বা অঙৌবা সরারেন অমসুং নুংবান লুৱাং লংমাইবা সরারেনা মাঙ-তুং চপ্তুনা পুরকপদা) অহানবা খোঙহৌদা হনচীঙ চীঙ (হৌজিক নোংপোক ইম্ফালগী হৈঙাং খুঞ্জাওগী নোংপোক্লম ওইরগনা লৈরিবা চীঙ অমা) দগী কংলৈ পুঙময়োন (হৌজিক্কী মৈতৈ কংলানা লৈরিবা লমদম) তন্না লাকপদা লম্বী মনাক্তা লৈরম্বা খুঙ্গং তরেৎ লাম্থেংনদুনা লোই চল্লক্রম্মী। মদুগী পীবীরম্লিবা ৱারোল্দি ঃ-

... লাইরেন মৈদিংঙুদি খোইমোম ওংজা চীঙমাৱা মকাইফমগী লিসি, থাঙৱাই, মুচেং, কৈহও, নাউকল, হাওখু, তাংখম, পুন্নমবু থাঙৱাইননা হনচীঙ চীঙমৈ ইন্না... মোংবা নোংহৃমশঙ শারোঙ লপয়ান কাদা ৱাইথুংলরে (খ: য়: স:, ১৯৬৭, ২২-২৩ অমসুং পা: লাই; খুৎ: লাই:)

অসিনি। অসুম্না খুঙ্গং ৭ (তরেৎ)পু নমথরম্নগা (লোই চললম্নগা) লাকপা হায়বসি শা-লানগী মহৈসি শীজিন্নদনদি য়ারোয়। অদুনা লাক্নিবদু হান্নলা শা-লানগী মহৈ-মশিঙসি হৈরগা লাকপনি, হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মহৈ-মশিঙ অসি মতম অদুৱাইদা য়াওদবা য়াদবা, শোয়দনা চঙবা মহৈ-মশিঙ ওইনা লৈরম্মী। অদুনা অকক্নুনা মহৈসিগী তম্ফমশঙ লীংদুনা লৈত্রবসু মহৈসিগী তম্ফম ঔরায়ফম অমসুং শাজেন তৌফম লৈতবা য়াদে।

নোংদা তুকুপ্লীক অমসুং মহাক্কী লাল্লোই-লান্মীনা হৈঙাংলোমদগী কংলৈ পুঙময়োন (কংলা) রোমদা লাকখিবসিগী মতাংদা লোক্তুনা থম্বা ৰারম খর লৈরি। মতমদুগী ইম্ফাল তম্পাক্কী কংলৈ পুঙময়োনগী অকোয়বগী মচী অমদা পোকপা অঙাং (নোংদা তুকুপ্লীক) অমনা করম্না হনচীঙ চীঙমৈ (হৈঙাং) রোমদগী লাক্লিবনো অমসুং মসিগা মরী-লৈনবা থৌদোক-ৰাথোক করি লৈখিবগে হায়বসিদা মিৎয়েং থম্ফম থোকপা অদু লৌখৎফম থোকপনি। অদুগা হায়রিবা থৌরাংশিংসিগী মতাংদসু নিংথৌরোল লম্বুবা কৌবা লাইরিক্তা পীরিবা লংলা-লংজীন্দি ঃ-

য়াওরৈ নকাইফম অসিদা থৌদু তুগুম্ববু লেপ্না য়ুংখীনবা, খুনকাম নরৈনেৎতা চেঙচাতুগুম্ববু লেপ্না য়ুংবদি কনানো? নয়োল মৈতৈলৈমা লৈনুং য়াবীরোক, চাখা নুরোন পীলোন য়ামবী, য়োইবু নুয়াম শাফবী. লৈমু শেংথাকপা, লৈহৌ শেংওইবা চনু, চাখা নুরোনবী, চাখা নোংলেনবী, নুয়াম শাফবী, লৈমা অহুম্লক শানওনবী, সল্লাই খুনমাবী, চাখা নুরোন পীরোন য়াম্বী -ও তৌনা কৌয়ে। (নিং ঃ লম ঃ, খুৎ: লাই অমসুং ও: ভ: স: ১৯৬৭, ২) অসিনি। মথক্কীসিগী ৰাহন্দোক পীবা তারবদি মদু হান্না ৰাহন্দোক পীখিবদুগা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়বা থোক্লগনি। অদুবু মসিনা পীরিবা ৰারী-ৰাখোঙগী ৰাফমদুদি নত্রগা মরূদুদি হান্নগীশিং অদুগা অদুম মমান্নে।

লান্দা-লানচনগী খোঙচৎ

লৈনুং য়াবীরোক্কী মপারী নোংদা তুকুপ্লীক্তা শা-লানগী মহৈ-মশিঙ তম্বগী থৌরাং মপুঙ ফারে, শাফা-লানফাগী শাজেন নীঙথিনা তৌরে, শাফম-লানফম মশা মতোমতনা লাম্থেং-শাথেংনবা ঙম্নবগী লানশোক-লাম্থেংনবগী খুৎহাই-খোঙহাইগী মহৈ-মশিঙ ঔরায়জবদা মতোমতা মশা পুজবা ঙমলে, হায়না লুৰাং/নুংবান সরারেন, অঙোম/ নোংবান সরারেন অমসুং মমা নোংদা নোংখললেম্বীনা খল্লক্লবা, খন্নরক্লবা অমসুং য়ানরক্লবা মতমদুদা করি, করম্বা থৌশীল-থৌরাং লৌখৎকদবগে, করি থবক্তা চথগদবগে হায়বদু মখোয় মকোক থোংবা নুপা অনি অমসুং নুপী অমা, অহুমদুনা খন্নদুনা লেপ্নরক্লে। নোংদা নোংখললেম্বীনা মমাঙদগী থম্লকপা পান্দমদা মচা ঈবুংঙোসিনা ৰাংঙম নিংথৌগী শাগৈদা হৌরকপা-পোক্লকপনিনা মহাক নিংথৌ হায়বদু ওইদবা নত্রগা ওইহন্দবা য়াদে। অদুগা নিংথৌ অমা ওইবা তারবদি... ১) মহাক্কী (নিংথৌ ওইগদৌরিবা মীশক অদুগী) লৈপাক হায়বদি লম লৈগদবনি, ২) খ্বাই-মীয়াম লৈপাক্কী মী (সবজেক্ট) ওইননবা লৈবা তাবনি, ৩) লৈপাক্কী অঙাক-অকনগী খোঙমী-লান্মী লৈগনি, ৪) লৈপাক ঙাক্লবা লৈঙাকলুপ (গভর্নমেন্ট) অমা লৈগদবনি, অমসুং ৫) লৈপাক ঙাকপদা শীজিন্নবা লন-থুম (ফাইনান্সেল প্রোপর্তি) লৈগদবনি। হায়রিবা পোৎলম-পোৎশক, মী-পোং নচিংবগী

পোৎচঙ-চৈজঙশিংসি শোয়দনা লৈতবা য়াদ্রবশিংনি। হৌজিক লৈনুং য়াবীরোক্কী মচাঈবুংঙো নোংদা তুকুপ্লীক্কী লান্মী লৈরে, লান্মীশিংদু অমসুং মখোয়গী ঈমুং-মনুংনা লৈপাক মীয়াম শার-ওইরগা লৈপাক্কী মীয়াম লৈরে ; মখোয়দগী খল্লগা লৈঙাক ৱায়েন-থৌদা লুপ অমা পুখ্রনবা, নোংথোনবা, কৈরুংবা অমসুং শেল্লুংবা হাপ্তুনা শেম-শাদুনা লৈরে (খ: য়: স:, ১৯৬৭, ২৩)। অদুগা লৈপাক লমদি কদায়দগী করম্না ৱাল্লু-লৈরুগনি হায়না খন্নরকপদা হান্নদগী মুক্না-য়েংথীনদুনা লৈরিবা, শীল্লোই-লাল্লোইনরিবা খাবা কাংলুপ অমসুং মখোয়গী মরুপ-মপাংশিং, মখোয়গা মথক থোংবা তান্নরিবা, অমগা অমগা য়েংশিন্নরিবা লুপ অদুগী মহুম-মকোন থুগায়দুনা মখোয়না (খাবগী কাংলুপকী লুপ্না) পাল্লিবা পায়রিবা কংলৈ পুঙময়োনগী লমদম লৌদুনা মখোয়গী লম লৈহল্লগা মদুদা লৈপাক লীংগনি অমসুং লৈপাক ঙাকপদা, ৱায়েন-থৌদাবদা শীজিন্ননবা লন-থুমদু লৈপাক লম লৈরবদি মদুদগী থোক্লক্কনি, অদুবু মদুগী মতমদু লাক্তি-ওইরকত্রিবা ফাওবদি য়াবীরোক্না মহাক মশাগী মহকচাং লাম্থোক-য়োম্থোক্তুনা মখোয়গী মতীক-মঙম ৱাল্লিবা সরারেন অনিনা পুরি।

লৈনুং য়াবীরোক্না মথক্কী ৱাফমশিংসি মখোয় ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপ্না মকোক থোংবা, নোংবান, নুংবান লংমাইবা অমসুং থাংয়ি খরনা শাবা লুপ্তুগী লুচিং-লাঞ্জিংলিবা নোংবান সরারেন, অঙোমগী অঙৌবা পুরৈরোম্বদা হৌদোক্তুনা খন্ন-তানরবা মতুংদা খাবনা লুচিংবা লুপকী মহুম-মকোন থুগায়দুনা চায়খায়নবা লানচন-লান্দানবগী থৌরাং লৌখৎনবা লেপ্নখ্রে অমসুং খোঙচৎ-খোঙথাংদু পায়খৎনবা নুমিৎ তমখ্রে। ৱাফমসিগী থৌরাংশিংসি থৌশীল্লবা মতুংদা অঙৌবা পুরৈরোম্বা নোংবান/অঙোম সরারেন্না লাঞ্জিংলেন ওইবা, নুংবান/লুৱাং সরারেন্না লাঞ্জিংবা ওইনা নীঙলম খোমনা লাল্লম পুবা, ৱাংঙম নোংদা তুকুপ্লীক্কী লান্মী-লাল্লোই মপৈ অমা শেম-শাদুনা অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন্দগী খারোমদা মায় ওন্দুনা লীনৱাই (ঈরীন) তুরেনগী তুখুন খোংলম ইন্দুনা হাইথরক্লে। মখোয়না হুনচীঙ য়ৌরবা মতমদুদা হনচীঙদুগী চীঙমৈদা ঙাইহাক পোত্থারম্লগা হুইয়েল লাল্লম য়াত্তুনা খা-নোংচুপ ওইরপ্না খোঙশাল্লক্লগা খা মায়কৈদা পাংলকপদা লম্বীদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা - লিসি, থাঙৱাই, মুচেং, কৈহৌ, নাউকল, হাওকু অমসুং তাংখম হায়না কৌবা খুঙ্গংশিং লীনৱাই তুরেন মপান্দা পানবশিংগা লান্দা-লানশোক্লদুনা লোই চল্লম্লগা কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমলোমদা চঙশিল্লক্লম্মী। হায়রিবা লান্দা-লানচনবগী খোঙচৎসিদা লান্মী-লাল্লোই মপৈসিগী লাঞ্জিংলেন পুরেন অঙৌবা পুরৈরোম্বা নোংবান সরারেন্না য়াবীরোক অমসুং মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু য়ায়দা থল্লগা মহাক মশাগী নোংবান-অঙোম অমদি শেল্লোই —লংমাইগী লান্মী লুপশিংবু পুদুনা লুচিং-লাঞ্জিংদুনা লমজিংলগা পোইরৈ ৱাংঙম-মৈতৈ লান্মী লুপশিং লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা

লুপকী পুখ্রনবা, নোংখোনবা, কৈরুংবা অমসুং শেলুংবেনা নিংথৌ নোংদা তুকুপ্লীক অমসুং নিংথৌপোকপী লৈনুং য়াবীরোকপু থৌগল তৌহল্লগা অপুনবা লান্মী মপৈগী সাঞ্জিংলেন লুৱাং লংমাইবা নুংবান সরারেন্না মশাগী লুৱাং লংমাইবশিংগী লাল্লোই লুপশিং অমসুং লংমাই ৱাইরোকচীঙগী থাংয়ি লাল্লোই খরগা পুদুনা নীঙলম খোমদুনা লান্দা খোঙচৎসিগী লুতুং ঙাক্লকখি।

নহা ওইরিবা মশাগী চহী ২৫/২৬ কী চাংদা লৈরিবা নোংদা তুকুপ্লীক অমসুং মশাগী মপুন্সিগী চহী ৪০/৪১ গী তাঙ্কক্তা লেপ্লিবী লৈনুং য়াবীরোক, মমা-মচানা মাঙ-তুংগী লান্মী-লাল্লোই লুপশিংগী থৌগল-লাংগনগা লোইননা কংলৈ পুঙময়োন্দা লান্দানবগী খোঙজঙ চঙশিল্লক্রম্মী। মপারীবু কদায়দা করিদা শোয়খিদদগে, শোয়হন-পনহনবা য়াদে, মায়পাক-মায়জৌদবা য়াদে হায়বগী চেকশিন থৌরাং অমসুং শাশেন-হকশেন থৌরাং দা লৈনুং য়াবীরোক্না থৌশীল-খুজীল তৌদুনা লাকখিবা কংলৈ লান্দা খোঙচৎনি। অদুগা হায়রিবা লান্দা-লানচন খোঙচৎ অসিদা লৈনুং য়াবীরোক্না মপারীবু মিনা হকচাং ইনবগুম ইন্নদুনা শেন্নরম্মী, অঙাক-অকনগী থবকশিং তৌরম্মী। মরমদি য়াবীরোক মহাক্না মপারীগীদমক্তা কথোকখ্রবা থৱাই অমসুং হকচাংদুদি অমুক হঞ্জিন্না পুন্সিগী পামেলদা য়োক্লবগী মঙোন্দা তোংজবা লৈত্রে, শিন্নগদবা পুন্নমক লাঞ্জিংলেন পুরেন নোংবান সোরারেন অঙোমগী অঙৌবা পুরৈরোম্বদা শিন্নখ্রে। মহাক্কী ৱাংহৌরিবা হায়বদু মহাক্না মপারী-মচা শেম্বগী মথৌ লোয়বা ঙাইদুনা খুমনুং অশি লৈপাক্তা ঙাইরিবা মশাবী মপুরোইবা ৱাংঙম পুরিংলেন পুরৈরোম্বা মহাক্না থুনরুগদবা অদৃখক্তা মঙাইরে।

নিংথৌ ফম্বালদা নোংদা তুকুপ্লীক

চেংলৌ হেনবী নোংদা নোংখললেম্বীগী চেংলৌ-শক অমসুং নুপী ওইবীগী হকচাংনা থাকপা অয়া-অনেৎ-লাং, লীরী কিশি হাইগৎলাংনা শেম্বা ৱাংঙম পোইরৈ মৈতৈশিং, শেল্লোই-লংমাই, নোংবান-অঙোমশিং, নুংবান- লুৱাং লংমাইবশিং অমসুং লংমাই ৱাইরোকচীঙ খুন্দাবা থাংয়িশিং খরগনা শাবা লান্মী-লাল্লোইগী তেঙ্গোন অচৌবা অমা নোংবান সোরারেন অঙৌবা পুরৈরোম্বনা লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইদুনা ৱাংঙম নোংদা তুকুপ্লীকীদমক্তা নোংবান অঙোন-নিংঙোন পুরোইলেমনুগী মপারীশিংগী কাংলুপশিং খাবা-ঙানবশিংনা লৈপাক মপু ওইদুনা পাল্লিবা চকপশিং, কাংঙমোং তাবা থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং) ফুরুপ অমনা কংলৈপুঙ পনবান নক্না খুন্দাদুনা শৌগৎপা কংলৈ পুঙময়োন (কংলা) গী লমদমদা লান্দানবগীদমক্তা চঙশিল্লক্লে, হায়বসি খাবশিংসু মরোই-মনাউশিংনা ঈ-পাউ পুরক্লুনা পাউদম্লবদগী তারে। মখোয়সু মখোয়গী লৈজরিবা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা, লাল্লোই-শীনলোইনরিবা কাংলুপ-ফুরুপশিং (মথক্তা মমিং পঞ্জখ্রবা)দা লানবুঙ পুঙজাও

য়েদুনা লানবাউ পাউজেন থাদুনা লান্মী-লাল্লোইশিং খোমগৎলে, কংলৈ পুঙময়োন্দা খুৎশূ-খুৎলাইগা লোইননা পরেং লেংদুনা তীল্লগা লান মায়য়োক য়াননবা শেম-শারম্মী। লাল্লম-লানফমগী ফম্বাক্তা মচা ঈবুংঙোনা খোঙদারকপা মতম তাঞ্জাসিদদি লৈনুং য়াবীরোক্না মশাদা শাফি-লানফি শেৎলি হায়দুনা হকখেৎননা তেংবাংলুবা য়াদবনা তাইবং মপুদা মিৎলু পিরাং কৎচদুনা মচাগী য়াইফবা নীজবা নত্তনা পাম্মে লৈজরমদে। লাইনা থাবা মপারিনি, চীঙঙু মতিক চেনবনা খোইয়ুম লনকু ফংজদনা তোকখিদে।

কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমদা ৱাংঙম-মৈতৈগী লান্মীগা খাবা-য়াংবগী লান্মীগা চায়না খোঙদ্রেন হানবা, হুইয়েন লান শোক্ল-থেংনরকপদা লানগী লাল্লম-লাম্থেং ঔরায়বা তোয়বা অমসুং লানশোক-লাম্থেং' শাজেল লেপ্তুনা পাংথোকপা হেল্লবা ৱাংঙম, নোংবান অমসুং নুংবান লাল্লোইশিং, নোংদা তুকুপ্পীক্কী খোঙমী-লান্মীশিংদুনা খাবা-ঙানবা-চকপগী খাবনা লুচিং- লাঞ্জিংবা লান্মী-তেঙ্গোন অদু মায়থীবা পীদুনা কংলৈ পুঙময়োনগী ঙমখৈ-লমকন মনুংদগী তাম্থোকখিরম্মী (পাঃ লাইঃ, খুৎঃ লাইঃ)। অসুম্না খাবশিংনা পাল্লম্বা কংলৈ পুঙময়োনগী নিংথৌ পানবা লৈপাক অদু লোই চন্দুনা নোংদা তুকুপ্পীক্না অপোকপী পলেম মমাগী থৌশীন-থৌরাংদা থৌদোংদুনা লৌরম্মী। লৈপাক লৈরবসিদা নোংদা তুকুপ্পীক্না নিংথৌ ওইবগী অপীকপা নিংথৌ পানবা লৈপাকমচা (প্রিন্সিপালিতি ওর প্রিন্সদম) অমা মহাক্কী মরুপ-মপাং, মরোই-মনাউ, লোইয়িন-খময়িন, লাল্লোই-লান্মীনচিংবা পুন্নমক্তু তীন্নদুনা নৌনা লোই চেল্লিবা লমদমদুদা লীংখক্তুনা মহাক্না নিংথৌ ওইনা ফম্বাল তোংলম্মী। মহাক্না নিংথৌ ফম্বাল তোংবসিগী ফম্বাল-মিং/মিংহন্দি "নোংদা লাইরেন পাখংবা" হায়না মিংথোনসিনি।

নোংদা লাইরেন পাখংবনা মমা লৈনুং য়াবীরোক্কী মশা কথোকপা অমসুং থৌশীল-থৌরাংগী মখাদা নৌনা লীংখৎলিবা নিংথৌ পানবা লৈপাক মচা অপীকপা অসিগী পাক-চাওবা অমসুং ঙমখৈশিংগী লমদমশিংদি - অৱাংলোমদা হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেংগী চীঙশাং (চীঙমৈরোঙগী অৱাংলোমদা শন্দোকখ্রিবা চীঙশাংদুনা কোয়রেঙ্গৈগী লমদমদা লোয়বা' গী অরোয়বা পনখৈ-ঙমখৈ), নোংপোকলোমদা খুরাই অহোঙপুঙ (হৌজিক্কী তেলিপতিগী লমদমগী অরোয়বগী ঙমখৈ) ; খা- রোমদা ককৱা লমদাইপুঙ (হৌজিক্কী ককৱা কৈথেলগী খা-নোংপোক পাংনা ককৱা হাই স্কুল নত্রগা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈরিবা অনেম্বা লৈপুঙগী ঙমখৈ লোয়বা) অমসুং নোংচুপ্লোমদা তাকয়েন পাৎ অমসুং লাংজীঙ চীঙদুম য়ৌবনা কোল্লিবা লমকন অসি মখৈনি (আর কে জে, ১৯৯২, ২৩)। অসুম্না লৈপাক লীংখৎলবা মতুংদা নোংদা তুকুপ্পীক্না লৈপাক ঙাকপগী লৈঙাক-থৌদা, ৱায়েন-চৈরাকলোনগী থৌগায়নচিংবা পুন্নমক্তুগী অরুম্বা কোকথোং

থোনগত্তুনা লৌরগা লৈঙাকপা অমা ওইনা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারী অহানবা নিংথৌ ওইবগী শক্তম অদু খৃ : ৩৩/ ৩৪ দা লৌদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল লাংখিরম্মী (পা: লাই; খুৎলাই ; পা : ফম ; খুৎ: লাই : অমসুং খ: য়: স; ১৯৬৭, ২৩-২৪)। অসুম্না লৈনুং য়াবীরোক্না থম্মোই লাইয়ুম্নুংদা য়েক্তুনা পুক্নীঙ-ৰাখলগী ফিরোননুংদা কিশি কিদুনা মতোম্‌তগী ৰাখলনা খঙজনা লোন্না থুপ্না পুরকপা নীঙজবগী অপাম্বা অমসুং অচাওরমগী পান্দম অমদি পাদমবু লৈনুং চনুরা নোংদোন নোংখল্লক্তা ঙানবী মহাক মতোমতগী থৌশীল -থৌরাং, শরৌ - খুজীন অমসুং থৌরম-থৌপুনা মীমাঙদা ফিনা কুপ-খুম, মীতুংদনা ফোঙনা মকা লামনা চত্তুনা মপারি নাইতোম তোমপোকচবদুগীদমক্তা শেম্বী-শাবীখিবা অদু মপুঙ ফানা থুংহনখি। অদুবু হায়রিবী নোংদা নোংখললেম্বী নত্রগা লৈনুং য়াবীরোক্ অসিনা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীদা, মৈতৈ লৈপাক্তা, মৈতৈ খুন্নাইদা অমসুং মৈতৈ কাংলুপ-ফুরুপ অসিদা তমলম্লিবা খুদোল অমসুং মহাক্না কথোক্লিবা খুৎকথোক পুন্নমকসি মৈতৈগী য়োঈরেন (স্কোলার) শিং, মাইচৌ-মাইনৌশিং অমসুং শৈরাংবা-ফাথিবশিং অমত্তনা ফোঙনা মহাক্কী মমিংদা থম্বীদে। লোৎশিন-থুপচিন্দুনা য়ুমজাও লৈমা (য়ুমজাও লাইরেম্মা/লাইরেম্বী) হায়দুনা মৈতৈ নিংথৌগী উকল-লাই, অঙাক-অকন, অয়োক-অকোন লাইরেম্মা ওইনা কুম কাংদনা ঈরাৎনবা লাই ওইনা থম্বীরম্মী।

পুন্সিগী পোলোয়দা লৈনুং য়াবীরোক

লৈনুং য়াবীরোক মহাক্না মশাগী চহী ১৫/১৬ তা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিবনি অমসুং মশাগী চহী ১৭ (তরাতরেৎ) তা মপারী নোংদা তুকুপ্লীক শাৎখি-পোকখিবনি মপারীনা চহী অনি মপুঙ ফারগা অহুম চঙলকপদা মপুরোইবা ৰাংঙম নিংথৌমচা পুরিংলেন পুরৈরোম্বা কায়নখিদুনা লাইবক থীবী ওইনা মশাগী চহী ১৯/২০ দগী পোইরৈ তমলৈকায়দা পাল্লকখিবনি। মশাগী চহী ২১/২২ দগী সরারেল অরিবা অহুমবু ফাননবা নুরা চেংলৌ-লাং, নুপীজা শামু-শোং থাক্লককখিবনি। অসুম্না লেল্লকপনা মপারীনা চাওর' কাংদোং ফারকপা মশাগী চহী ২০ শুরকপা, লৈনুং য়াবীরোক্না মশাগী চহী ৩৭ লোম শুরকপা মতমদা অৰাং ফাৎলৌ লাইমকোনগী লান্দম-লানশঙদা খুনহোংদুনা চহী ৬ (তরুক) লোম, মশাগী চহী ৪৩/৪৪ ফাওবা লেল্লকখিবনি। হায়রিবা চহীসিদা নোংদা তুকুপ্লীক না কংলৈ পুঙময়োনগী লমদম লোই চন্দুনা মশাগী চাহি ২৬ তা নিংথৌ ফম্বাল কাখিবনি। হায়রিবা মতমসি খৃ: ৩৪ গী মতমনি অমসুং মতমসিদদি নোংদা লাইরেন পাখংবা অমসুং লৈনুং য়াবীরোকসি কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমদা কোনুং শেমদুনা পানবা হৌরে। নোংদা লাইরেন পাখংবনা পানবা চহী ২ (অনি) রোম শুরকপদা লৈনুং লমদমগী খমনুং লৈপাক্কী শৰা কোনুংগী কংলৈদগী পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা লৈনুং থোঙঙারেন কৌবা লৈনুং-খমনুংগী নিংথৌমচা অমনা মাগী মী কাংবু অমগা মচননুপী লাইস্না কৌবীগা লোইননা

খারোমদগী খুঙ্গোক-খুনহোংলক্তুনা থুংলখি। মহাক্না মচননুপী লাইস্নাবু নোংদা লাইরেন পাখংবদা কত্তুনা থাজরগা অওঙ-অউন তমদুনা লুহোংখি।

লৈনুং য়াবীরোকনা মপারী নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমৌ/মহুইরোন লাইস্নাবু মৈতৈলৈমা ওইনা খৃ: ৩৬ কী অদুৱাইদা ফংলবদা নিংথৌপোকপী মমা ওইনা খুৎয়া তুশীৎনা পানবা হৌরে। অদুবু অমুক খা-নোংপোক্লোমদগী মী কাংলুপ অমা মৈতৈ তম্পাক্তা লান্দানবা চঙশিল্লক্লে হায়দুনা লৈপাক মীয়াম পুম্নমক ঈরাং লাংনরে। নোংদা লাইরেন, অঙোম সোরারেন অঙৌবা পুরৈরোম্বা অমসুং লুৱাং লংমাইবা সরারেন্না মখোয়-মখোয়গী মী কাংলুপ-ফুরুপকী লাম্মী-তেঙ্গোন পুদুনা লান্দানবা লাক্লিবা মী কাংলুপ অদুবু লাম্বানদুনা থিংনবা লাক্লম্মী। লৈনুং য়াবীরোক্কী মচা নোংদা লাইরেন্না লান্দা-লাঞ্জঙলক্লিবা খুৎ অদুগী লুচিং -লাঞ্জিংবা পুরেন অদুগা হৢকথেংননা লান থেংনরগা মায়থীবা পীদুনা লান্দারক্লিবা কাংবু অদুবু লোই চনখি। অদুবু মখোয় অদুগী লুচিং-লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইরিবা লৈনুং-খমনুং নিংথৌমচা চীঙখোঙ পোইরৈতোন অদু মৈতৈলৈমা লাইস্নাগী মবুং অতোনবা, হান্না খুঙ্গোক-খুনহোংলকখিবা লৈনুং থোঙঙারেন (থৱারেলসু হায়) গী মনাউ নুপা ওইরমদুনা শকখঙ-মায়খঙনরবদা মায়য়োক য়ানা লাম্বা তৌনরম্বা মায়কৈ অনি অদু তাইশিন্নখিরম্মী। মসিদগী চীঙখোঙ পোইরৈতোন অসিনা মহাক্কী কাংবুগা লোইননা অহানবা খুন্দা-খুঙ্গোক্কী ওইনা শেল্লোই-লংমাইগী মরমদম চকপা অন্দ্রো/হন্দ্রোনা খুন্দা-লৈতারিবা লমদমদা ময়ুম-মকৈ লীংদুনা লৈবা হৌখি অমসুং লৈনুং য়াবীরোক্কী মপাম লমদম মনাক্তা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী খুৎসু শেল্লোই-লংমাইগী তাইতল সুনাচীঙদগী লাক্তুনা খুন্দারখি। অদুবু লৈনুং য়াবীরোক্তি মচা-মমৌগা লোইননা মৈতৈ তম্পাক্কী ময়ায় ওইবা কংলৈ পুঙময়োন্দা পাল্লি। মহুইরোন/মমৌ লাইস্নানা লৈনুং-খমনুং লমগী মচৎ-মনাৎ শারোং ফিজেৎ ফিজোন্ননা স্কা/পান্না য়াচু শায়না মতারোই হেল্লোই তরুকমক্কা লোইননা মনু-মনেম থৌগঞ্জনা মশাবী নোংদা লাইরেন পাখংবগী য়ুমলেন ঙাকপী ওইবদু য়েংলি।

লৈনুং য়াবীরোক্না মপারী নোংদা অমসুং মমৌ লাইস্না অনিগী য়ুম্বানবগী কুম্মে য়েংনা য়েংনা পাল্লকপদা মমৌ লাইস্নাগী মফমদা ৱাংঙম নিংথৌ পোইরৈ মৈতৈ পীবাবু করম্না থৌগনগদবগে, কদায় ফাওবা ঙাক-শেনগদবগে, হায়বনচিংবা তাকপী-তম্বীরম্মী। অসুম্না চহী খর পাল্লক্লগা খাবশিংনা খাবা নোংজেংবা (নোংচেনব)গী মখাদা খাবা-ঙানবশিং পুনশিনবা, লাম্মী শেমগৎপা হৌগৎলকপগী মতমদা লৈনুং য়াবীরোক মহাক্না নুংশিজরবা মপারী নোংদা তুকুপ্লীকপু থাদোক্তুনা মালেম তাইৱংপান তুংওইন্নরম্লগা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা খোঙ্গাখি। মহাক মশাগী চহী কয়া শুরকপদা মালেম-তাইৱংপান থাদোকখিবগে হায়বসি কনানসু পীবীরমদে। অদুবু ৱাখন্না লাকশিনবা য়াবদি খাবা নোংজেংবগী খুৎনা

লানহৌদুনা নোংদা লাইরেন পাখংববু কংলৈ পুঙময়োনগী তাম্নোক্তুনা কেগে মোইরাংগী লাইয়িংখৌ থংজীঙগী নশাইগোন্দা চেন্দ্রিঙৈগী মমাঙগী মতমদা ওইরম্বা য়াই, হায়বসিনি। মসি মহাক্না মশাগী চহী ৫৪/৫৫ শুরকপা খৃষ্ট কুমশীঙ ৪৪/৪৫ গী মতমদা পাবা য়াই।

ৰাখোম-ৰারোয়

নোংদা লোংখললেম্বী, পীরিংনু, অৱৈনু (করিগুম্বদা অরেংনু') অমসুং অহুমনুগী শক্লোন অহুমসু লৌখিবী, নোংদা তুকুপ্লীক নত্রগা নোংদা লাইরেন পাখংবা পোকপগী অমসুং পোকখিবগী লৈনুং য়াবীরোক হায়না মিংথোনখিবী মৈতৈ চনুরা অসি য়ুমজাও লৈমা নত্রগা য়ুমজাও লাইরেম্মা/লাইরেম্বী হায়বা মিংথোন-মিংঙ্কম অসিদা মৈতৈ নিংথৌ মশাগী অমসুং মহাক্কী ঈম্মুং-মনুংগী ঙাকপী-শেনবীবা, কোনবী-য়েংবীবা, উকন-লাঙ্গন ওইবা লাই (গার্দিয়ান গোদ/ দাইটি) অহুমগী মনুং চন্দুনা মৈতৈগী কোনুং লৈবা মফম খুদিংমক্তা লাৎনরিবা লাইরেম্মগী থাক্তা কাখ্রবী মৈতৈ নুপী অমনি। মসি মহাক্না মহাক্কী মপুরোইবা অদুবু নুংশিজবা অমসুং মপুরোইবদুনা থন্বীরম্বা অমতা ঙাইরবা মচানুপাবু মী ওইনবা শেল্লকপদা মহাক্না মশাগী লৈজবা পুন্নমক কথোকখিবদুগী মহৈননি। লৈনুং য়াবীরোক্না পাংথোক্লম্বা থবক্কী মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা তারিবা লৈঙাক-থৌদা-থৌশীলগী শক্তম-শকপানখিবগী মমিগী মরমদা অফংবা-থেংনজবা মচাক-মরনশিং খর অরিবা মৈতৈ লাইরিকশিংগী লমায়দগী লৌখত্তুনা নৈনৰুবদা থেংনজবকপা অমসুং মদুশিংদুনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবা ৰারমশিং অমদি ৰাফমশিং খরসিনা মৈত্রাবাক্কী পৰারী-পুৰারীগী নোংঙাল-তু উরকপা মতমগী অনৈবা পুৰারীগী মচাক-মথুমশিং অদুগী মফমদুদা মঙাল অমা পুখত্তুনা য়ৌহল্লি। মহাক্না লৈঙাক্লোনগী লৌফমদা লৌরকখিবা শক্তমশিং অদুগী শকলোনশিং অদুনা মহাক্কী অতৈ হিরমশিং-খুন্নাইলোন, খুন্নাই-লাইনীঙলোন, শেনবা-থুম্বারোনগী শেন্দান-শেনচৎলোন্দা খুৎহৈ-শীনহৈবনচিংবগী মশকশিংগী লমদাংশিংদা লৌরকখিবা শক্লোনশিংসু লৈরি হায়বসি ফোঙদোক্লি। অদুবু মহাক্কী অতৈ শক্লোনশিং অদুদি লৈঙাক্লোনগী লৌফমদা অমসুং ফম্বাক্তা তারিবা শক্লোনশিংগী শক্তমশিং অসিগুম মরু ওইবা শকফমশিং নত্তবনা মদুশিংদুদি থাদোকচরম্লে।

লৈনুং য়াবীরোক্না মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপা,শজীক-থাবানা মঙালগী মমি শাল্লকপা মতমদুদা মহাক্না মহাক্কী অমতা গোকচবা মচানুপাবু পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা নিংথৌ ওইহন্নবগীদমক্তা ৰাংঙম লৈপাক মচা অমা লীংখত্তবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা শক্তম লাংলকখিবদুনা ঙসিদি ঐখোয়না ঙসিগী মৈত্রবাক অসি ফংলিবনি। অদুনা মহাক্কী অদুগুম্বা শক্তম অদুদা

তারিবা মমিদি ---

> Sacrifice that causes pain is no sacrifice at all.
> True sacrifice is joy-giving and uplifting.
>
> *-Mahatama Gandhi-*

অসিনি। মহাক্কী কখোকপগী লমদাংশিংদা অৱা-অনাগী ৱাখল লৈখিদে। মপুরোইবা নৌনা কায়নবগী অৱা-ৱাখল থাদোক্তুনা মপারী করম্না শেমগদবগে, করম তৌনা নিংথৌ ওইহনগদবগে হায়বা ৱাখনসিনা লমজিং ওইদুনা থৌনা ফনা মাঙলোমদা খোঙ থাংদুনা চঙশিল্লকখিবনি।

লুখ্রাবী লৈনুং য়াবীরোক্না লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তা লৌরকখিবা শক্লোনশিংসিনা মাগী থম্মোইদা পুরিবা শক্তম অসি তশেংনমক পোইরৈ মৈতৈ নুপীশিংগী লমচত্তা লংলবা অমসুং হেন্দোক-থোইদোক্লবা মঙানগী মশক্তি, চনুরাশিংগী লমজিং-লমতাক মৈরানি। মহাকসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী মীওই অমসুং মীশক অমা ওইবগী ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইবগী মচৎ অদুনা লৈতেংবদা মতীক চারবী অমসুং ঈকাই খুম্নফম ওইরবী নুপী অমনি। মহাক অসিবু মৈতৈ নিংথৌশিং অমসুং মৈত্রবাকপু লৈঙাক্তুনা পানখিবা নিংথৌগী মচা-মশূ নিংথৌমচাশিং, নিংথেমচাশিংনা ঈয়োন /ঈবেন্ধৌ য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা/লাইরৈমা অনৌবা লোন্দাদা য়ুমজাও লাইরেম্বী হায়না মিংথোন মিংগৌজদুনা নিংথৌগী, নিংথৌগী ঈমুং-মনুংগী অয়োক-অকন অমসুং ঙাকপী-শেনবীবা লাইরেম্মা ওইনা ঈকাইখুম্নজবদা নত্তনা মৈতৈ নিংথৌগী কোনুংবু শঙবী-ঙাকপীবী, লৈপাক-নিংথৌগী খুদোংথীবা, অৱা-অনা তাগদবগী মমি লাকপদা মাঙজৌননা মালং শউম/শাহুম ওইনা পাউজেন-পাউতাকপীবী লাইরেম্মা অমা ওইনা (চন্দ্র: জি: চঙ: খুৎ: লাই) চেকশিন্না অমসুং লুনা চেৎনা নীঙজবগা লোইননা ঈরাৎ-থৌনীজরিবিনি। মহাকপু ঈরাৎ-থেল্লাৎচবা অমসুং খুরুম-খাজঙজবসি মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙলোনগী ওইনা লাৎচবা অমসুং য়ুমজাও লৈমা (হোম ওর দোমেষ্টিক দিভাইনিটি), কংলৈ লৈমাবী অমসুং ৱাংঙম পোইরৈ লৈপাক লৈমাবী (City/ Town or Urban Presiding goddess and Country /Kingdom's Presiding and Administering deity) ওইনা মথাং কয়াদা, মরোন কয়াদসু লাৎনৈ।

য়ুমজাও লৈমসি মায়কৈ অমরোমদা কংলা লানবাউ তম্বদা অমসুং শজিবু চৈরাউবগী কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা, শজিবু লৈখুন ফুনবদা থাদোকফদ্রবা লাইরেম্মা ওইনা লৈ। মহাক্কী লৈঙাকলোনগী শক্লোনশিং অসি লৈরমদ্রবদি নোংদা লাইরেন পাখংবা থোক্লরুক্লম্লোয়, মহাক্না ৱাংঙম/মৈতৈ/নিংথৌজা কাংলুপ নত্রগা য়েক্কী য়েক-শল্লাই, মখোয়গী লৈপাক অমসুং অপুনবা মৈতৈ কাংলুপ-ফুরুপ/মীরুপ (নেসন/রেস) কী পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক লীংখৎলম্লোয়। মরম অসিনা লৈনুং য়াবীরোক্কী লৈঙাক্লোনগী শক্তম অসি মৈত্রবাক্কী

পাৱারী-পুৱারীদা মমল য়াম্না লৈবসিনা মহাক্কী শক্তমসি শকফম কায়হন্দনবা পুৱারীগী মঙাল অমা থম্বীদুনা মতীক চানা ঙানহনবগী মথৌ তাই। তাইবং হকচাংদি পৎ-পুমদুনা মাঙখিগনি অদুবু মসিনা তৌরম্বা থবক্কী মমিদি মতমগী নুঙমায়দা মফম হক্কুনা, খুদম থম্নদুনা লৈহৌগনি। মরম অসিনা তুংলমচত্তা লাক্কদবা পাৱারী-পুৱারীগী ঈরাৎলোইশিং, মহৈরোইশিংনা মৈত্রবাক্কী নীঙথিরবা পাৱারী-পুৱারীগী মমি য়াৎলকপা, শক্তম শাগৎলকপা মতমদা লৈনুং য়াবীরোক মহাকপু শোয়দনা নীঙশিঙবীরকখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি।

২

তমপা ৰাংঙমলোন পান্থোইপী

য়োয়পু তমপা ৰাংঙমলোন... পলেম পীনাইতপী, পম্বৌ পানাইতপী ! নপন লাইরেন তাউরোইনাই, অশৈ ৰাংপীরাই, তুপী থিঙকোক লাইরেনপা, লাইরেন চীঙয়া ফৈথিংপা... না তমপা নাতোম শাৎপা শাৎমাপী ; নমা য়োয়পু খোইমোম লাইরেম্মা লাইনামুং নামুংপী, মালেম তম্পাক লৈরেনহনপী... য়োয়পু নতোম তোমশাৎপী,... তমপা চাকোক অখৈপী, নুকী নুরম তাপী, পাকী পারম শকপী, লূমাঙ শমলাং চকো লয়, লতুং শমচি ওয়রম হুন, খোইমোম লাইকী মপোক থোইখোয়পী... (ম: চ: স:, ১৯৯৯,৪-৫)।

মথক্তা পীজরিবা "পান্থোইপী খোঙ্গুল" কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শক্তোক্লকপা ৰাহে পরেং খরসিনা শক্তাক্লিবী চীঙঙু-খোইয়ুম লাইরুপকী খোইমোম লাইরেম্মা/লাইরৈমা নত্রগা লাই-নুপী অসি, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙু/ লাইয়িংথৌ খাগী ঙম্বা খাগেম্বা ময়াংঙম্বা, ময়ামবা, পোইরৈ নিংথৌহনবা নত্রগা সনা হিহোনহন (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) না পানবা মতমদা অপানবী (কুচু ঙৌবী) হায়না কোলোয় মিংথোন্দুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎ তৌদুনা লাৎনবা হৌদোকখিবা (চৈথা : কুম : ২০০৫, ৪১), মমৈদা মৈদিংঙু পাইখোম্ব (খৃ: ১৬৬৬-৯৭)গী সনা হাক্তক্কী খৃষ্ট কুমশীঙ ১৬৮৬ গী অদুৰাইদগী পান্থোইবী (পানবদা নত্রগা কুচু ঙৌবদা অথোইবী ওইবী, অতৈদগী হেন্না কুচু পানবী নত্রগা ঙৌবী) কৌনদুনা ঈরাৎনরকখিবী লাইরেম্মা অদুবুনি। মহাকপু পোকপা পম্বৌ মপাগী মমিংদি "লাইরেন তাউরোইনাই তুবী থিঙকোক লাইরেনবা" হায়না কৌই অমসুং মহাকপু পোকপী পলেম মমাগী মমিংনা "মালেম তম্পাক লৈরেনহনবী" হায়না কৌই। লাইরৈমা তম্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবীগী পলেম-পম্বৌ অনিসি লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপলোমদা শন্দোক্লিবা চীঙশাং নাপোমশিংগী লমখৈ-লমকন মনুংদা লৈরিবা ঈরোই শেনবগী চীঙশাং পরেংগী-চীঙশা ওইবা চীঙ-নাপোমশিংগী চীঙয়াঙ-চীঙদোন্দা পাল্লম্বগুম পীবী। মসি হৌজিক্কী মতমদা লমদেং খুঞ্জাও (নোংচুপ ইম্ফাল) গী ঈরেম তোইবী লৈমা হিদেন/ঈরেন [অঙৌবা পকপা লাইথুং (লেপ্রোসিনচিংবা) লাইনা কোক্লবা ঈরুপ্পফম] গী মনাক্তা পান্থোইবীনা লৈরম-পাল্লম্বা চীঙদুম "তমপা ৰাংঙমচীঙ" কৌবদু লৈরি।

তম্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবীসিগী মচীন-মনাউ লাইনুরা ৬ (তরুক) (মখোয়গী মমিং-মথাদি পীবীরমদে) অমসুং মবুঙ-মপ্পা লাইপাখং ৭ তরেৎ (মখোয়সিগী মমিং-মথাসু পীবীরমদে) লৈ হায়না পীবীরম্মী। মখোয় লাইনুরা তরেৎ, লাই পাখং তরেৎ অসি লাঙ্গোন চীঙ্গোন মনুংসিদা ফিবুল হাবী (ফি মতুম তাশিল্লগা ময়াম কোয়না লেপ্লগা হুন্দুনা শান্নবা মশান্না অমা) নচিংবা মশান্নশিং শান্নখিরম্মী (লাং : চীঙঃ, খুৎ: লাই :)। মহাক অসি শানওন/শাইয়োন য়াম্বী, শক্লোন কয়া মরুম পুবী ওইনা পীবীরম্মী। অমুক নমু তাইবং মী ওইবী, অমুক হিংচা-কোচাবী, নমু মীহিং চাবী ওইবী, অমুক্লা ঈচম চম্বী লাইরেম্মা ওইবী, অমুক্লা তাইবংপান পোকপী মমাগী শক্তম ওইবী অমসুং অমুক্লা নুপাগী মশক ওইবী, লুমাঙদা শম পুন্দুনা পম্বৌ হায়না কৌবদুসু "হাও" হায়না পাউখুম্বী, অমুক্লা লুতুং শমজী পুন্দুনা পলেম হায়না পাউকৌজবদসু "হাও" হায়না পাউখুম্বীবী, নুপা-নুপী অনিমক্কী শক্লোন পুবা ঙম্বী অথোইবী লাইরেম্মা ওইনা পীবীরম্মী (পান: খ:, খুৎ:, লাই:)।

পান্থোইবীগী পুন্সি ৰারী

তম্পা ৰাংঙমলোন পান্থোইবীসি অথোইবী লাইরেম্মা অমা ওইনা পীবীরবসু নমু তাইবং মী অমা ওইবগী পুন্সিগী লমদাং পরেংগী ৰারী- শীঙবুনা শাগত্নুনা থম্মী। অদুনা মহাক মালেম তাইবংপান্দা পাল্লম্বী, মহাক্কী মকাংলুপ-মফ্রুপ লৈবী অমসুং য়েক-শল্লাই (লংমাই/ নোংমাই) অমসুং শাগৈ-য়ুম্নাক (নোংমাইথেম) পোকপী ওইনা অপোকপা-অপোকপী লাৎপা লাইনীঙ (Ancestor- Ancestress Worship Cult)দসু মহাক্কী মফম কন্দুনা লৈ।

পোক্লক-শাৎলকপা অমসুং চাওরাকপা

ৰাংঙমলোন পান্থোইবীসি ৰাংঙম/মৈতৈ নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচা য়েক-শল্লাই নত্রগা য়ুম্নাক শাগৈদা মপা-মমানা পোকপা মযোম চনু /নিংঙোনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবী নত্রগা অহনবী মচানুপী ওইনা পোকপনি হায়বসি মহাক্কী মমিং মিংথোন "তমপা/তমফা ৰাংঙমলোন [মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী খ্বাইদগী অহন ওইবীদুদা কৌগদবা/ থোনগদবা মিংথোন, অমসুং পীগদবা ফমনি (খ: চ: স:, ১৯৭৫, ৩০), নুপাদা "ৰাঙ্গোন নিংথৌ (Crown-prince) নত্রগা সনামহী "হায়বা মিংথোনসি পীগদবনি (মথক্কীসিদা, ৩০)] হায়বসিনা ফোঙদোক্লি। মহাক্কী মপাবুং ঈবুংঙোসি নোংদা লাইরেল পাখংবগী মপা-মমাবু পোকপা য়াবা মীরোনগী মীওইনি অমসুং পান্থোইবীসিনসু নোংদা লাইরেনগী মপা-মমাদগী হুনবা লোননি। লাইরেন তাউরোইনাই তুবী থিঙকোক লাইরেনবসি

লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী ঈরোই শেনবগী চীঙশা নাপোমদা পানবা ৱাংঙম/মৈতৈ ফুরুপকী নিংথৌনি। মরম অদুনা অপানবী/পানথোইবীসি হেক পোকপদগী কেনা মৌনা য়োক্লকখি।

তম্ফা ৱাংঙমলোনসি পীশক পীক্লিংউ, অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মশাগী মনীঙ-মখা তম্বা অনীঙবগী মখাদা চৎপী (A girl of independent will) ওইরকখি। অদুনা মতম পুম্নমক্তা মনীঙ তমগনবী, মহাক্না অনীঙবা-অপাম্বদা মতৌবী, মীনা মহাক্কী অপাম্বা-অনীঙবদু খোয়শাওবী, মপা-মমা অহন-লম্মন্না ঙাংন-শরুবা ঙমদবী, মখুং-মপ্পানচিংবনা হায়বা-শকপা তাদবী, মহাক্না তৌনীঙবদা তৌবী ওইরকই। অদুগা মহাকসি হায়নীঙ-শক্লীঙবদা অথিংবা লৈতবী অমা ওইনা হৌরক-কারক্লবসু অতোপ্পগী মফমদা অকায়বা ওইগদবা থবক-থৌরমশিংদি পঙতৌ তৌরমদে। মশাগী মপুঙ মরৈ ফারক্লবা, মথোৎ কারকপগী হকচাং কয়াৎশিংগী ময়াই হাপ্লকলবা মতমদা শকহেনবী, লময়ৌনা কুচু ঙৌবী, মিৎচুম-মায়চুম্বী, তীঙদা-মাঙদা ফজবী অমা ওইরকখি। ইনখৎলকপা মতমনা পীরকপা নুজাগী থবাক ঈপোম নাইরকপা, খ্বাঙনা চেংলগা নীঙদুনা ঈথক হৌরকপা হকচাংগী শাওং-শাবান্না মহাকপু থাজ-য়োঞ্জবা য়াবগী তাঞ্জাদা পুরকখিরম্মী। চেংলৌ শকথোং হেনবী, নুজাগী লেঙ ফনবী, নুরা থবাক লমকনবী, মোমনু খ্বাঙনা চেংনা নীঙদু ঈপোম নাইনা তুংয়ান ফজবী ওইরকপদুনা উরুবশিংগী পুক্লিং হুবা ঙম্বা মখোয়গী মিৎয়েং চিংশিন্দুনা লৈবী ওইরকখি। শক্কী মতীক-ময়াইশিং অসিনা মতীক চারবা শাবী লৈপাম্বা কয়ানা থেম্বা অমদি পালেম-পম্থৌনচিংবা অহল-লম্মন্দা হায়না -শিঙনবা লারুখিরম্মী।

মথোৎ কারকপগী ময়াইনা পুক্লীঙ লাঙ্গোয় চনখ্রবী তম্ফা ৱাংঙমলোন ওইদুনসু নুরা-নুংশি পাউথেম্লবা তম্বা মীথোই-মীহেনবশিং অমদি অহল-লম্মন থারক্কুনা হায়না-শিঙনহল্লরিবা শাবী লমকেৎ-লমহাইনা কোল্লোয় মিংলেন ফবশিংদুগী মনুংদরা পুক্লীঙ তুজুংনা খোয়দাবা, পায়মা খোয়জঙনা পামজবা অমতা য়াওরকখিদে। লৈচোন-লৈমোননচিংবা লমদমশিংদা পানফবা থাংয়ি / চেংলৈ (শরাং-লৈশাং) কাংলুপকী নিংথৌ শাপায়বা কৌবনা মরোই লৈচোন হাওরাবা থারক্কুনা পাউথেম্লবদা তম্ফা ৱাংঙমলোন্না য়াখিদে। নিংথৌ শাপায়বা অসি পাম্থোইবী মহাক্কী মশাবী মমানমচা ওইবদা মতীক চাদে, মরূন-মথুম ৱাৎলি হায়দুনা পাউথেম্বদু য়াবীখিরমদে। অদুবু মতমগী কাংখোঙগী উঙলৈনুংদা নুপীচাগী য়ুম্বানবগী মতম হেন্দোকহনখিদনবা থৌশিন্দবসু য়াদে। অদুনা মতমদুদা খাবা শঞ্জেন-থোংগী মনাক্তা লৈবা লমলেন থেংকুচীঙ (থেঙগ্রুমচীঙ/কুরুমচীঙ নত্রগা পুরুম তাইবীলোক) দা ময়ুম ঈংখোন লীংদুনা কংলৈ পুঙময়োলগী লৈমাবা খাবা কাংলুপ (য়েক/শল্লাই) কী খাবা শোকচোম্বা অমসুং মনু/মনেম তেকআ অনিগী মচানুপা খাবা তরং খোইনুচা কৌবগীদমক্তা অহল-লম্মন্দা হায়না শিঙনরবদা অহল-লম্মন মশেন পীনরবদা পাম্থোইবী মশানা য়ুম্বানবগী ৱাফমদুদা অয়াবা পীখি। অদুনা ৱাংঙম য়েকওইবা

চনু তম্ফা রাংঙমলোন পাম্ভোইবীনা খাবা য়েক ওইবা খাবা তরং খোইনুচাগা অহল লম্মন্না হায়না-শিঙনদুনা লৌন-লৈনবগী নুহোঙ-খোঙদোংবগী মখলদা খাবা য়েক/কাংলুপকী য়ুমলৈমা, য়ুমলাই ঙানবী ওইনা শাগৈ য়ুম্নাক্কী মৌ ওইখি। চাওনা, লৈপাক পুঙজাও থীন্না লুহোং-খোঙদোং থৌরম-থৌদৌদু পাংথোকখি।

তম্ফা রাংঙমলোন্না য়ুম্নাক-শাগৈ

অমুক হন্না হোংবগী খোঙথাং

তাইবং মীওইপোক্কী লাইবক্কী নোংদম্বু অসি থোক্লগনি, অদু তৌরগনি, হায়না চপ চানা অকক্লনা হায়বা নত্রগা পীবা ঙম্বা কনা লৈখিবগে? অদুনি তম্ফা রাংঙমলোন পাম্ভোইবীগী লাইবকসু, খোইয়ুম নোংদম্বা কশা লাইয়িংথৌ মহাক্তনা খঙবা থোক্ল-ওইরগদবা লাইবক নোংদমনি, মদুগী থৌদোক-রাথোক্নি। তম্ফা রাংঙমলোন পাম্ভোইবীনা খাবা তরং খোইনুচাগী লৈঙাকলোনগী অমসুং খুন্নাইলোনগী রায়েন-রাখুনশিংনা শকখঙলবী অমসুং য়ারবী তাল্লোই/মতু ওইনা য়ুম পাল্লে। তুগা-রাগা অনিমক নুংশি নুংওন্নানা পূক্লীঙ লীচিং অমতা ওইনা হকচাং মশেন লিয়েৎনা য়ুম্বান পুন্সিদা চঙমিন্নরে। তম্ফা রাংঙমলোনসি খাবা ময়ুমগী মৌ ওইনা ফৌগং লাংবা (লৌবুক্তা নত্রগা অথাপ্পা মফম অমদা থম্বা/লৈবা কৈ/কোৎতা থম্বা ফৌ লৌরু-হোল্লুবনি), ইন চিংবা, লোং খোনবনচিংবা নুপী ওইবীগী য়ুম্বানবগী শীম্থাশিং পাংথোক্লবা য়ুমদগী মপান থোক্লক-চখোক্লক্লে। অসুম্না পনম লমলক্তা মতোমতা নত্রগা মী লোইনরগা চখোক্লকপসিদা নুজা মহাক্কা চীঙঙু লাইবক য়ুমদিন্নবা, নুজা পূক্লীঙ হকচাং তুজুংনা চেংলৌ শক্তম য়েংজনীঙবা, নুংশি খোয়জঙ-খোয়দাবা শাবী শকথোং হেনবা, পাখং কুচু পাননা ঙৌনা নুজা পূক্লীঙ হুবা অমা থেংনরুরে। মহাক অসি নোংবান কাংলুপকী লংমাই নত্রগা নোংমাই ফুরপকী নোংপোক মালং হুমওইবা, নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা হায়না কৌই, অদুগা শমজিল্লগা নোংপোক নিংথৌ নত্রগা নোংপোক শক্তসু হায়রগা খঙনৈ। নোংপোক নিংথৌবু তাংখুল শারম পাখংবা নত্রগা তাংখুল হুইতোক পাখংবা হায়বা মিং/মিংথোনশিং অসিনসু খঙনৈ। মহাকসি নোংবান (অঙোম) কাংলুপকী নিংথৌ মচানি, মহাক্কী মনাউ নুপানা অঙৌবা নত্রগা নোংবান/অঙোম পুরৈরোম্বা, অঙৌবা পুরৈরোম্বা/সরারেন হায়না কৌই। মখোয় মচীন-মনাউ অনিসি কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙশা-নাপোমদা লৈরম্বা মখোয়গী লৈপাক, মখোয়গী নিংঙোনমচাশিং খাবা অমসুং ঙানবনা চকপশিং খোমদুনা থুগায়খ্রবদা বুঙ (তাংখুল) কাংলুপশিংগী মরমদমগী মনুংদা লৈবা "খংখুই" কৌবা চীঙগী লৈখুন/চীঙনুংহুত্তা লোত্তুনা লৈরুবদগী থোক্লক্তুনা (অ: খোঙ: খোই: খুং: লাই:) তম্পাক্তা কুম্লক্লম্লগা শেল্লোই-লংমাইচীঙদা পানখিবনি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্বোইবীনা তুরেন লাংমৈপুঙগী ঈশিংদা নোংমা মতোমতা ঈরুজদুনা লৈরিঙৈদা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বনা শাদানবগী শাহুইগা লোয়ননা শাদানবা লাকপদা থেংনরে। মখোয় অনিসি লাইনা তম্বা পোৎপাগুম হেক উবা/উনবমক্তদা অমগা অমগা নুংশিবা পোক্লখি। অহানবা উনবমক্তদা নুংশি ঈহৌনরবী শাবী শানৌ অনিসি নুমিৎসিমক্তদা মশা মশা কথোক্লদুনা থম্মোই থম্মোই শিন্নখ্রে (ম: চ: স: ১৯৯৯, ৪৮-৪৯)। অসুম্না নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্বোইবী অনিসি ইনচিংফম-লোংখোনফম কয়াদা লোন্না-লোন্না মী কনাসু খঙহন-উহন্দনা লৈনরকখি, নুংশি-লৈপুন শেম্নরকখি। নোংপোক নিংথৌবু উরুবা নুমিত্তগী পাম্বোইবী ঙাওখি, অফ-ফন্তা অমতা খঙখিদে, অঙম-অরায় থিখিদে, খুন্নাইগী পন লাম্বোক্তুনা চৎনবীগী অথিংবগী ৱাংমা লাল্লকখি। অঙকপনি নুংশিবা! তম্বীরুদনা হৈরকপা, তাকপীরুদনা খঙলকপা, নুংশিবা মহাক মতোমতনা নুংশিবা মহাক মথন্তবু তম্বী-তাকপীরকই। মহাকপু উরগা নুংঙাইবা, মনাক্তা লৈরগা অপেনবা পোক্লকই, উদ্রগা, মপাউ তাদ্রগা খোয়রাংবা ফাওরকই। মরম অসিনা পাম্বোইবীনা নোংপোক নিংথৌ উনবা ফংগদবা মফমদা নুমিৎ খুদিংগী ময়ুমদগী মপান থোক্তুনা চখোক্লকই। উন-থেংনবগী অপেনবা খক লৈরক্তে।

পাৎপান্দা লোন্না খর শকয়েংনা, তুরেন মপান্দা ফোঙনা খর ৱারী শাননা তম্ফা পাম্বোইবী অমসুং নোংমাই নোংপোক নিংথৌ অনিসি থাপ্তোরুনা তোপ্না তোপ্না লৈবা উম্নরকত্রে। খাবগী ময়ুমদগী পাম্বোইবীবু চিংনবদগী হেন্দুনা মকু-মনেম্না ঙাংবা, চৈবদুগী মথক্তা মশাবী খাবা তরং খোইনুচানা হঙ্গোয়-তুক্কচনা পাম্বোইবীবু তোপ্না হুন্দোকপীরে। অদুবু পাম্বোইবীনা থৌশারুবা তৌদনা নুংশিবা মাগীদমক্তা অৱাবশিংদু মায়য়োক্লরি। মতম খর লেল্লগদি নোংপোক নিংথৌ অমদি পাম্বোইবীনা খাবগী পন্দগী নাম্বোক্লসি, য়াংবগী শম্বল চোংলসি খন্নরদুনা চীঙথাং চীঙদা ঙাইনরগা উনসি, নুংশি ৱাইথুংনরসি হায়দুনা ৱারেপ্নরগা তম্ফা ৱাংঙমল্লোন পাম্বোইবীনা খাবগী ময়ুম থাদোক্তুনা নোংপোক নিংথৌ উননবা চৎখ্রে। অদুবু হায়না-থানখিবা মফমদুদা উনবা ফংদ্রদুনা খাবগী ময়ুম থাদোক্লবী পাম্বোইবীনা মশাবীবু উননবা কোয়না চত্তুনা থিরকখি। অমরোমদা খাবগী ময়ুম মরানয়ায়দগীসু মকুবোক খাবা শোকচোম্বনা লুচিংদুনা খাবা কাংবু অমনা পাম্বোইবীবু কোয়না থিরক্লে। অদুবু খাবগী কাংবুনা ফংবা ঙমখিদে।

নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্বোইবীনা খাবগী কাংবুনা মখোয়বু থিরিবদুগী মরক্তুদা অমনা অমগী খোঙ্গুল লীনদুনা চীঙমৈরোঙগী চীঙমৈ মতাই অমদা চীঙ্গোন নিংথৌগী মকাইফমদা উনরে। অপাম-নুংশি মৈনা মৈৱাইরবা শাবী-শান্নৌ অনিদু নুংশি লাঞ্জেনবগী অৱা ঈশৌ লাংবশিংদু ফোঙদোক-পাউদম্নরগা মশা মশা য়ান্দুনা লৌন লৈনবা (love marriage) গী মখলগী লুহোঙবদা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্বোইবী নোংমাই/লংমাই

নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বদা ওঙখ্রে। অশাওবনা লূতোন কারবা, কল্লক-খমবনবনা মিৎয়েং মমহল্লবা খাবা-য়াংবশিং, মখোয়গী খুৎকন্ন-পাঙ্গনবগী নাপন কারিবা, তমথীনা য়েংথী-য়েক্লবগী মিৎয়েংগা লোয়ননা মফম খুদিং কোয়না চত্তুনা পাম্থোইবীবু থিরিবা অদুগী শাফু অমসুং শউমদগী নাথৈ-নাকোইননবা কাইনৌ চীঙশোম্বগা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীগা অনিমক পুন্না লোৎখ্রে। খাবা কনানসু য়াংবা শাগৈচা অমতনা নোংপোক-পাম্থোইবী অনিগী খোঙ্গুল অমসুং খুনাম তাহৌবা থিবা ফংখিদ্রে। অদুবু পাঙ্গল্লবা খাবা তরং খোইনুচাদি ঈকাই মায়য়োক্লখিনা মখুত্তা থাঙলেন পায়রগা মচীন্দা- "লাকচৈদা" - হায়না খা চীক্তুনা মখোয় অনিগী লোৎফম থিরি, অফংবা মফমদা হাৎকনি হায়না শীঙদুনা শরি নামুংলি।

শানওন য়াম্বী, শক্লোন পুবী তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীনা লাঙ্গোন চীঙগী ময়ায় ওইরিবা চীঙশাং নাপোম অমদা অহল মতম ওইরবী, কপ্পাক কুরু শুংলবী হনুবী অমগী শক্তম লৌরে, অদুগা মশাবী নোংপোক মালং হুমওইবসু কোংয়াঙ চৈশু পাল্লোয়নরবা অহন হনুবা অমা শারে। মখোয় অনিনা শকলোৎ-শালোৎলিবা লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশাং নাপোম অমদা লোইবী চীঙদা তোংবা - তোংবী ওইনা হনুবা অমসুং হনুবী অনিনা পাল্লে, অনিগী কোল্লোয় মমিংনা "থোঙঙাক নিংথৌ"- অমসুং "থোঙঙাক লৈমা/লাইরেম্মা" হায়না কৌরে। থৌশীল-থৌদৌ হৈবী, লাইরেন কচেং ঙানবা চনু, তুবী ঙাংয়েক নিংঙোন্নিনা অশি থোঙঙাকপা অমদি অমন থোঙঙাকপীনি হায়ন-কৌনরে। অদুবু মোংবা য়ুমজাওনুংগী কারেন লমশঙনুংদদি ইনখৎলকপা শাবী শানৌ ওইনা নুংশি শেখনা, লৈরাং খাইথননা য়ুম্বান য়ুমজঙনরে। পাখং ঈস্না, অঙৌবা ঈরীকলাইগা নুজা ঈস্নাগা অঙাংবা ঈরীক লাইগা ঈওম্নরে। শায়বা খোয়চঙলবগী তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীদি নাকলু ফিয়াল্লে, চনু চরৈ চিল্লে। খাবগী পারী-মমোম নাউপুরক্তবী পাম্থোইবীদু নোংবান-নোংমাই ঈনা মথংগী কুমবী কুমগারকপদা নুংশিরবী মমোম-মচানুপী অমা ফংজরে। মমোম কোল্লোয় মিংহুন্না "লীক্লাবীচা (নোংদমনু)" হায়না মিংখৈবীরে। মমোম লীক্লবীচানা নুংশি খুদম ওইদুনা পাম্মু খুদোল ফংজরবা নোংপোক নিংথৌ, তম্ফা ৱাঙমলোন পাম্থোইবী অনিমক নুংশি মখৈ ফংনরে।

হরাউ মীনোক্কী মরূমদা অৱাবা-খুদোংথীবনা লুমদুনা লৈরবা মীওইবা মপোক্কী পুন্সিদা লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশাং পরেংদা খঙহৌদনা খাবগী লাম্যেনা চাক্লক্লে। লাল্লবা-লঙজরুবা নোংপোক নিংথৌ অমদি তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীনা মরান লৈরুরবা ওইবনা খাবশিংগা মায়য়োক্লবা ঙমখিদে। খাবা তরং খোইনুচানা মখোয় অনি লাঙ্গোন চীঙ্গোন্দা হনুবী-হনুবা শাদুনা থোঙঙাক নিংথৌ, থোঙঙাক লৈমা ওইনা শাথুপ্পুনা লৈরে খঙখিবগা লোইননা খুদক্তা ফাননবা চঙশিল্লকপা লান্দাবগী খোঙজঙদুদা মখোয় অনিনা মিৎকুপ অমত্তং পন্থবা, করি-করম্বা পোৎলম পুদুনা চেনগদবা, হায়বনচিংবগী

খন্থবগী মতম ফংখিদে। ফম্লম-লৈরম্বা মফমদগী মথৱাই অমসুং মশা কঞ্জনবা মফমদু থাদোক্তুনা চেনবা নত্তুনা পাম্বৈ লৈখিদে। অদুনা মখোয় অনিমক্কা অমনা অমবু নুংশিজবা-নীঙজবগী খুদোল অমসুং খুদম ওইজরবা মমোম নৱা লীক্লাবীচাবু পমখৎ-পোখৎপা নংদনা পীক্লীবী মমোম, হৈনা খোঙথাংবা হৈথ্রিবীবু হুন্দোক্লমদুনা নোংপোক অমসুং পাম্হোইবী অনিমক মখোয়গী লমশঙ ময়ুম লৈরিবদুদগী লাঙ্গোন নিংথৌ অহনবা মুৱা নিংথৌ অপানবা অহনবগী মরানয়ায়-মকাইফম লৈরিবা চীঙশাং নাপোমলোমদা হৌদুনা চেল্লক্লে, অদুগা চীঙশা-নাপোমদু লান্দুনা লাক্লে। অদুগা অমুক মখোয় অনিনা মমায় চীঙখৈ ওন্দুনা লাঙ্গোন নিংথৌ (মুৱা নিংথৌ অহনবা) গী মশানৌ-মনাউ ঈবুংঙো চীঙ্গোন নিংথৌ, নত্রগা মুৱা নিংথৌ অপানবা অতোনবা নত্রগা মুৱা নহা শাফবগী মকাইফম চীঙ্গোল চীঙগী লমখৈ-লমকল্লুংদা তারক্লে। অফিং-অফাই ওইনা লাঞ্জেনরকপনা নুংশিরবী মমোম অপীশকপু হুন্দোক্লম্বদু চীঙ্গোন নিংথৌগী মকাইফমসিদা নীঙশিঙল্লক্লে। অদুবু চৎলু-লৌরুবগী ৱাখন্দি লৈত্রে, করিগুম্বা খাবনা মখোয়বু ফংখ্রবদি মালেম তাইবংপানসিদা হিংদুনা লৈনবগী ৱাফম লৈতে। অদুনা নুংশিরবী মমোমদু নুংশি-নুংশিনা শেৎন-খায়নবা তাবনি।

নোংপোক নিংথৌ, পাম্হোইবী লমকোয়রোন

নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্হোইবীনা চীঙ্গোন নিংথৌগী মকাইফম-মচীঙলেনদগী নত্রগা চীঙমৈরোঙগী চীঙশা-নাপোমদগী মমায় হান্নগুম চীঙখৈ পাংদুনা অমুক হন্না লাঞ্জেল্লক্লে। মদুনা চীঙশোংচীঙগী চীঙখোঙদা থুংলগা চীঙখোঙ নক্লা লৈরিবা লম (হৌজিক্কী তখেল খুঙ্গং) দু শমদুনা মনায় খা-নোংপোক/মৈরম ওন্না চেল্লক্তুনা শারমচীঙগী চীঙজীন্দা তারকখি। অদুগা শারমচীঙগী চীঙলৈপাক্তুদা ব্রুঙ/তাংখুল শারম পাখংবা অমসুং তাংখুল শারম নুরাবী ওইদুনা নুমিৎ খরনি লৈরম্লগা অমুক খা মায়কৈদা লৈরিবা লমদম (হৌজিক্কী শল্লুংফম খুঞ্জাও অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিং) দুদা হোংলক-তারকখি। হায়রিবা (শল্লুংফমগী) লমদমসিদগী নোংপোক্লোমদা হাইগৎখিদুনা লোইবী চীঙগী চীঙলৈপাক্তা খোইবু (মরিংগী) চীঙশাং পরেংশিংগী লমকন মনুংদা চঙখিরম্মী। মফমসিদা মতম খর খাবগী লান্দাদুগী লাম্থৈদুনা লোৎলগা অমুক খাবা লাক্লগনি হায়দুনা খা-নোংপোকলোমগী লমলেন লমদম (হৌজিক্কী পললেন খুঞ্জাও অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিং) দা লাঞ্জেল্লকখি। লমদমসিদা মতম খর শাথুপ্তুনা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্হোইবীনা লৈরমখি। মফমসি তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মপন পম্থৌ থোকপা ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপকী মীওই অকোয়বগী লমদমদুবু ঙাক-শেনবা ঈরুম নিংথৌ কৌবনা মতেং য়াম্না পাংবীখি। অমসুং মহাক্কী মোংবা মশাইগোন্দা চঙদুনা চহী কুমওন খর লেংল্লমখি।

নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্থোইবীনা ঈরুম নিংথৌগী মরুম থুপ্না শেকমায় তুরেনগী ঈশিং চাবা লমদম (পল্লেন)দা শাথুলিঙৈগী অহানবা চহীসিদা শাবী মৰা ওইবা নোংপোক মালং হুমওইবগা মশানৌ মরূম তাল্লোই মতু ওইবী পাম্থোইবীগা নুরা কুমচিং কানক শা-থোংদনা ফনেক ফিরৈ হাঙ, পাখং খ্বাঙশেৎ থাদোক্লনা চরৈ মকা ফোংনা ঈনুং ফমনুং ফমদিন্না নুংশি হেকমায় কানা হকতীন্নরবগী তুবী ঙাংয়েক চনুগী লোইদাম থাওনলৈ অপাম নুংশিনা শানওল্লকপা লৈবু লৈরাং থাকাংনখিরে। নুজা চকমোম তেমখাঙ লোননা নাউপুরবনা মথংগী ওল্লকপা কুমদুদা মমোম অমা অমুক শাৎচরে। মমোমগী কোল্লোয় মমিংবু শংত্রিক চংনীংখোম্বী নত্রগা চংনীং লৈমা হায়না থোঞ্জরে। নুংশিরবী মমোম সনরীক/শংত্রিক চংনীংখোম্বীবু উরগা অদুঙৈ লাঙ্গোন চীঙশাং চীঙ্গোন নুংদা থোঙঙাক নিংথৌ অমসুং থোঙঙাক লাইরেম্মা ওইনা পাল্লিঙৈদা শাৎচখিবী মমোম লীক্লাবীচা নৰা ওইনা মথোঙ মরম খঙদনা হুন্দোকপীরম্লবীবু নীঙশিঙবগী লাইয়ুমনুংদা তারকখি। পীক্লা লাইবক নোংদম-থীহৌরবী মহাকপু নীঙশিঙদুনা ৰাংলেন ঙাইহাক কপচরগা মমোম সন্দ্রীক চংনীংখোম্বীবু পলেম থাদা পম, মমা ওইবীগী মতম্পাক্তা থম্না নাউয়োক-নাউকোঞ্জখি। পম্থৌ মপা ওইবা নোংপোক নিংথৌসু মমোম ওইবী সন্দ্রিক চংনীংখোম্বীবু পম্থৌ নমদা পোনা নাউকোঞ্জবদা নুপা থৌদাং পাংথোক্লকখি।

ঈরুম নিংথৌগী মকাইফম শেকমায় তুরেনগী ঈশিং চাবা লমদম (পল্লেনগী লমদম) দা পাল্লকপা কুমওন অহুম শুরকপসিদা চেংলৌ হেনবী তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্থোইবী মশাবী নোংপোক নিংথৌগী লুমলেন চান্নবী ওইবনা মশাবীগা ফমজাও হকতীন্ননা তাউজীঙ হৈরাঙ লোঞ্জানমিন্না, শীঙঙেন লৈরাং লোঞ্জিনমিন্নবদা নুরা পায়মা খোয়জীখাদা অমুক হন্না তাউজীঙ হৈরু পনখরে। শমু হকচাং কায়াৎ মতীক-ময়াই ফনা লৈবনা চাদা নাউদাবগী মথৌ-মঙম পুরকপদা য়েলহৌঙৈদগী লৈহাউ ফবী ওইবনা খোয়জী খাগী-তাইবং থৰাইদু লোইদাম থাবুম খুদিংগী হম-হম- চাওখৎলকপনা নাউয়ান থা থাবুম তরাগা কোরৌ শীঙবুম তরানী শুরকপদা তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্থোইবীনা মপারী অমা অমুক শাৎচরে। মশাবী নোংপোকনিংথৌনা মপারি শাৎলক্লবদা নৰা মহাক্তি শেকমায় তুরেন্না চেনবা লমদমদা পোকপনি, শেকমায় লমদমগী মবুংঙো-মপুনি হায়দুনা মপারীবু “ শেকমায় নিংথৌ” হায়না কোল্লোয় মমিং থোঞ্জরে। পম্থৌ পামানবা, পলেম চেংলৌবু নুংদা থুপ্না চেনবা শেকমায় নিংথৌবু পম্থৌ-পলেম অনিনা চেৎনা চান্না নাউয়োক-নাউকোঞ্জরকখি।

ঈরুম নিংথৌগী মশাইগোনসিদা নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্থোইবীনা শাথুপ-শকলোৎফম লৌদুনা মচা নাউরোন অনি কারে। অরোৎপনা ফনা চেৎনা লোত্তুনসু অথিবনা লেপত্রবদি অরোৎপদু নোংমদি শোয়দনা ফোঙলগনি, অরোনবদু

শোয়দনা খঙলক্কনি। মপারী শেকমায় নিংথৌ পোকপা লোইদাম তরুক-তরেৎ ওনখ্রবদা ঈরুম নিংথৌগী মকাইফম, খা শেকমায়গী লমদম, পল্লেনগী মফম অসিদসু মতৈ-মনাউবু থিরিবা খাবা তরং খোইনুচানা অমঙবা, অমুবা নোংগী মপৈ মপৈ পুদুনা লাক্লগা অখাক-অরাউগা লোইননা নোংথাঙ কুপ্লরে। খঙহৌদনা, খাবা য়াংবা লাকপা-ওঙলকপগী শউম ফংদুনা খাক্লকপা নোংনা নোংথাঙ কুপ্লরে। খঙহৌ-উহৌদনা, খাবা য়াংবা লাকপা-ওঙলকপগী শউম ফংদুনা খাক্লকপা নোং, কুপ্লকপা নোংথাঙ ওইবনা লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বা, তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী হন্দকসু মপারী মমোম পমখৎপা, খুৎজেং হংজী লাক্লা শমবা নংহৌদে। য়াইবী থৱাই কন্নবা লৈরম্বা মফমদুদগী মায়গৈ শল্লাই খঙদবা মখৈ মমায় মখা পাংনা ওন্দুনা লাঞ্জেন্নরকলে। খাবশিংগী লুপ্নসু লুংতু পক্লা তান্নরকখিরম্মী। নোংপোক নিংথৌ, পান্থোইবী অনিনা চীঙলোন কয়া লান্না লোকনুং, তময়া, চীঙখোঙ-চীঙয়া কয়া ফাওরগা লাঞ্জেন্নরকপনা মখোয় অনি পল্লেনগী খা-নোংপোক পাংবদা লৈরিবা চীঙদোল-চীঙদোংগী চীঙলৈপাক (তেংনৌপল) লমদম তুংওইনরম্লগা শেনবী কবোগী লমদম চঙলকলে । লমলেন কোনথোঙ/ কোন্দোং লমদা চঙশিল্লক্কুনা হৌজিক্তা 'ক্বাথা' হায়না খঙনরিবা খুন নত্রগা লম অদুদা শারম-লৈরম্বা শঙ-শঙলেন খরগী শাইজীন-শায়াদা তাংদুনা মতম খর লোৎলম্মী, লোইবী চীঙগী পামেন উশা-ৱাশাদা তোংদুনা শাথুপ্লম্মী। অসুম্না শেনবী কবোগী মরমদম কোন্দোং-ক্বাথাগী লমলেনসিদা কুমজা অমা-নি লোত্তুনা শাবী-শানৌ অনি অদু লৈরম্মী।

লমলেন কোন্দোং-ক্বাথাগী শেনবী কবোগী মরমখৈ লমদমসিদা নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী অনিসিনা পোৎপা-পুঙবা ওইনা অসুম চৎমিন্নরবদি খাবা-য়াংবগী কাংবুনা থিরকপদা লায়না খঙখ্রগনি হায়না খন্নদুনা শাবী শানৌ অনিসি মতৈ-মনাউ তোখায়-তোখায় খায়দোক্লরগা লোইবী চীঙগী চীঙলৈপাক্তগী লৈনেম তম্পাক লমদমগী মতাই চীঙয়া-তময়াগী লমদমদা খুনকুম্লক্লে। তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মপন পন্থৌ শকপা পন্থৌগী মঙাই চান্নবা চকপা চাইরেন লাকপগী মরানয়ায়দা পান্থোইবীনা হান্না থুংলুদুনা মফমদুদা মশাবী নোংপোক নিংথৌবু ঙাইজখি। মশাবী নোংপোক মালং হুমওইবসু কোরৌ নুমিৎ খরনী চোন্থরগা চাইরেনগী খুনজাওদা থুংলখি। মখোয় মতৈ মনাউ অনিসিনা চকপা চাইরেন খুনসিদা চেংলৌ শকথোং লোত্তুনা কোল্লোয় মিংলেন হোংনা-ওন্না-তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী না "হৈয়াইনু" কৌনা, মশাবী নোংপোক নিংথৌনা "পাখংবা" কৌনা শাথুপ্তুনা লৈখিরম্মী। চকপা চাইরেন খুঞ্জাওসিদা মতম খর শকলোত্তুনা লৈরিঙৈসিদা তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, নুরা হৈয়াইনু কৌবীসিনা নুরা খুনথোক-খুনহোংলৈ (নুরা খুন্দোংলৈ) হায়বা শীঙঙেল লৈরাং অদুবু উবা ফংখি, শমু খুৎনা পায়দুনা নিংঙোন নাপদা লৈতেং-লৈথেৎ ওইনা চিনবা ঙমখি। হায়রিবা লৈ

অসিবু তম্ফা ৱাংঙমলোন অসিনা মহাক্কী মপোক লাংওনগা লোইনরক্রবা, মহাক্কী মপোক্কী ওইনা পীথোকপীরক্রবী শীঙনেঙ লৈরাংগুম নুজাগী নাপদা থেৎচ-চিঞ্জখি। মতুং তারকপা মতমদা নাপা ঙাননা চিল্লিবা লৈ অদুবু নাপদগী লৌথোক্তুনা শীঙেন লৈশক মুন্না য়েং, লৈরাং শংত্রিক খোয়দানা শানকৈরবদা- শীঙঙেন লৈরাং অদুগী লৈনা-লৈকা পানফম লৈনাগী ফম্বাক অদুগী মওঙ-মতৌ উরুবদা নুজাগী পূক্লীঙগী ফিগৈনুংদা ৱাখলগী মিংস্না পাংদুনা অনৌবা শীনফম-শীল্লম অমগী মঙালগী মশেক উরকখি। লৈরাংদুগী লৈকা-লৈনা’ পানফম ফম্বাক অদুগী মশক-মওঙ তমদুনা মালেম লৈপাক্লা শাদুনা, কোরৌ নোংশাদা ফৌদুনা লৈপাক্লা শাবদু কংঙহল্লগা হাওদৈ অথুম্বা ৱাংলৈ অয়াকপবু য়ুতিংনবা খোম-তুম্বা, খোংদ্রুম/ খোমতুম তুম্বানচিংবগী মহুৎ মরেঙ শিন্দুনা শীজিন্নরগে, মতম খরদি শীজিন্নবা য়াগনি, হায়বগী ৱাখলসি পোক্লকখি। অসুন্না ফুশা-ৱানশাবগী শীনফম শীল্লমসি হৌদোকখিরম্মী। অনৌবা শীনফম-শীল্লমসিদা নুগীমচা ওইবীগী য়ুম্বানবগী থৌদাংমক্কি হায়না লৌদুনা পূক্লীঙ চঙনা শীনশূ-শীষ্থাখি। হায়রিবা শীনশূ-শীষ্থাগী থৌদাং য়াদুনা থৌরম পাংথোকপা অদুনা মশাবী নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন মহাক্কী লাঞ্জেল-লাম্বেগী চকপা চাইরেন খুঙ্গংদা শাথুপ-শারোৎপগী পুন্সিসিদা চাবা-থকপা মরাং কায়না লেম্না-পানা, চা-থক্তুনা অহোঙ-অচাও থোক্লা পানখিরম্মী।

তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্বেইবীনা মশাবী নোংপোক নিংথৌগা লোইননা চকপা চাইরেন খুঙ্গংদা অহোঙ-অচাও থোক্লা চাকহোঙ- ঙাহোঙনা, শাহোঙ-য়ুহোঙনা পাল্লিঙৈগী পুন্সিসিদা মপল-মপা লাইরেন তাউরোইনাই, তুবী থিঙকোক লাইরেনববু চাক্কৌ-য়ুকৌজখি। অহলগী মতম ওইরবশিংবু নুংঙাই-য়াইফরিঙৈগী মতমদুদা চাক্কৌ-য়ুকৌবদুদা অহল-লম্মন শিং পুন্নমকপু পাউজেন-পাউকৌবদুদা নমু মীকোক খর, অহল শীঙদা চল্লবশিং খরবু নীঙথি-নুংঙাইনা চাকথুং-য়ুথুংদ্রে। চাকথুং-য়ুথুংদ্রবা অহলশিং অদুনা অশাও খাম্বী মৈৱাইরদুনা চাক্কৌ-য়ুকৌরিবা পুন্নমক অমসুং চাক্কৌ-য়ুকৌবদুদা শরুক য়ারিবা অহল-লম্মন, নহা-নুবী পুন্নমক অমতা চিথ-নাম্বদনা “লিকাম-লাইকাম কৌবা লাইথুংদু থুংলো” হায়না মীচৈ পীবগী চাক্কৌ-য়ুকৌবদু পাংথোক্লিবা অমসুং শরুক য়ারিবা পুন্নমক লিনকাম-লাইকাম লাইথুংগী লাইনাদুনা থুংলে। হায়রিবা থৌদোক-ৱাথোক অসি ওইরক্তুনা মী পুন্নমক লাইথুং থুংলবা লিনকাম লাইকাম লাইচুরবদা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্বোইবীনা মীয়ামদুগীদমক্তা নুংঙাইতবা পোক্তুনা হান্ননা চাক্কৌ-য়ুকৌখিবা মফম মহৌ ফাইবোকচীঙ [ইম্ফাল-ককচীঙ-শুগ্নু লম্বী/ রোডতা চাইরেন লমখায়গী মমাংলোমদা, হায়বদি, নোংপোকলোমদা পরেং শানা লৈরি-শন্দোক্লিবা চীঙশাং পরেং] দা অমুক হন্না মপন লাইরেন তাউরোইনাই, অহল-লম্মনশিং অমসুং নহা-নুপী পুন্নমকপু চাক্কৌ-য়ুকৌখি। মসিদদি অহল-লম্মনশিং অমসুং নহানুবীশিং অমতা চিথদনা চাকথুং-য়ুথুংখি অমসুং মীপুম

তিংনা মপুক থন্না পেন্ননবা পীজ-পীথকখিরম্মী। অসুম্না ময়ামগী অপেনবা নুংঙাইবদুনা হান্নগী লিন কাম-লাইকাম লাইথুং থুংলম্বশিং পুম্নমক্কী লাইথুং লাইকোকখি। অদুগা অকোনবগী চাক্কৌ-য়ুকৌবা নুমিত্তুদা মীয়াম পুম্নমক অদুগী হরাউ-নুংঙাইনবগীদমক্তা তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্বোইবীনা নুপীগী অথোৎ-অমেঙগী শাথেক-খুথেক, খোঙচৎ-খোঙথাং, খুত্থেক-খুৎহাইনচিংবদা নাইতোম নোয়বা (জগোয়) অমসুং নুপা-নুপী/পা-পী অনি পুন্না নোয়বা (জগোয় শাবা) হায়বা মখলশিংগী খোঙজং-খুথেক্কী অনোয় (জগোয়) শিংসু হৌদোকখিরম্মী [ম: চ: স: ১৯৯৯, ১০৬-১৬]।

কুমজা চহী খরগী মতুংদা নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্বোইবীনা হৈয়াইনু অমসু তাংখুল (বুঙ) শারম পাখংবগী মিংলেনশিং, শক্লোনশিং অমসুং চকপা চাইরেম খুঙ্গং থাদোক্তুনা মমায় অৰাং ওন্দুনা কাখৎলকখি। মখোয় অনিনা তম্ফা ৰাংঙমলোন মহাক্কী মপন তুবী অঙনবনা পাল্লিবা মকাইফমগী লমদমদা হৌবা পামেন উবাং অচৌবা অমদা লমগী চেক্লা উচেক লাংমৈ ওন্দুনা তোংলখি। মখোয়না উচেক লাংমৈ ওন্দুনা তোংখিবা লমদমবু মতমদুগী মতুংগী মতমদা লমলেন লাংমৈতোং /লাংমৈদোং হায়না থোনখি/খঙনখি । মখোয় অনিনা উচেক লাংমৈ ওল্লি-শারিবসি খাবা তরং খোইনুচা অমসুং মহাক্কী মনাই-মশনশিংনা মখোয় অনিগী লম্বী থৎলিব্রা, লম্বেন লমদাং থিংলিব্রা হায়বা য়েংলবগীদমক্তনি। খাবশিংনা লম্বী থৎত্রবদুদা মখোয় অনি মানা মানা থোকপা মমায় অৰাং-নোংপোক পাংনা লাক্ল-হাইগৎনরকখি। তম্ফা ৰাংঙমলোনদি লমফৈ চত্তনা পম্বদনা লাকপনিনা মপন ঈরুম নিংথৌগী অতোপ্পা ফম্বী মফমলেন খোংজোম লমলেন্দা থুংলগা মপন-পম্বৌ শকপগী কোল্লোই মশঙ্গাইদা চঙদুনা মশাবী নোংপোক মালং হুমওইববু ঙাইদুনা লৈখি।

চৎখি-হৌখিবা মতমগী কুমওন থাচৎ মশীঙ থিরুদবনা চহী তরানিথোই-হুমদোই লোইবী চীঙলৈপাক ক্বাথা-কোন্দোং লম অমসুং পোইরৈ তমলৈকায়, চকপা চাইরেল লমদমদা খাবগী লাঙ্গোয়দগী নাথৈদুনা শাথুপ্লুবনা হান্না লৈরম্লবা পোইরৈ তমলৈকায় লৌশীপাৎকী লমদম খোংজোম লমলেনগী ফিভমদা অওন-অহোংবা কয়া লৈরমখি। অদুনা নোংপোক মালং হুমওইবা, লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বদি চকপা চাইরেনগী মকাইফমদগী হাওরৈ লাইনা পাংবরমদা খোঙ্গায়রকপদা হাওরৈ নোংপোকলোমদা খর খিক্তং চৎখৎলুবনা লমলেন মতাইনা লোইবী লাঙঙাথেনগী লমদম য়ৌরুরগা অমুক নোংচুপলোমদা হম্বরক্তুনা লোইবী লমদম তুংওইননা পোইরৈ তমগী লৌবুক-লৌকোন কয়া লান্দুনা লাকখিরম্মী। লাঙঙাথেনদগী খোংজোম লমদমলোমদা লাকপগী লম্বীসিদা চহী কুমজা কয়া চেংলৌ শকউনদনা কায়নখিবা নমু শকথোং-খঙদনা খায়নখিবনা পম্বৌ

পাশক খঙদবী মমোম লাংলেনগা, মমোম মচাগী চেংলৌ শকখঙদবা পম্থৌ মপাগা লম্লক লুথুম্লনা পনম লুকাইনা নুংশি পাউরাননরে। খল্লে লৌশঙনুংদা লঙজ-অয়োন হৈরাং চানা, নুংশি খোঙয়ুনা খ্বাঙ পমশী কোন, থবাক ঙানফম লৈখোঙ পায়, খজাই লেঙওন চুপনা নুরা খুদৈ মায়তৈনরে। অদুবু শাবী শাবা মহাক্কা শানৌ শাবী মহাক্কা হোরেন ঈরুম নিংথৌ মকাইদা মরান য়ুমচঙলকপদদি পম্থৌ পাশক খঙলে, মমোম লাংলেন চেংলৌ শকউরে। খোইয়ুম নোংদমথীবগী মখুজীন্না মোমনু লাইবক থীবী ওইহল্লবী মমোম লাইবক চাওবীদি খোংলেন অমগী লাইজ ঈরোম্নুংদা চোংথনা শাংবা য়াহিপ তাখিবনা নমু তাইবংপান থাদোকখ্রে। অসুম্না অৱাববু নুংঙাইবনা শম, নুংঙাইববু অৱাবনা শমদুনা লোইদাম থাজ খর লেনখ্রে।

মতম লাংওন হোংলকপনা খুন্নাইগী শানওন (শাইওন) ওল্লকপনা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্থোইবী অনিনা খাবগী মৱা-মপাউ তাখিদবা, য়াংবগী মচৎ-মতৌগী পাউ ফংখিদবা মতম কুইরকলে। অদুগা মীওইবনা মতম পুম্লমক্তা অসুম শাওদুনা লৈনদবনা মখোয় অনিনসু খাবশিংদুগী ৱাখল ঈঙথরম্বা য়ারে হায়না খন্নরে। মরম অদুনা মখোয় অনি খোংজোমদগী মমায় অৱাং-নোংচুপ ওন্না পোইরৈ তম্পাক লমদমদা লাক্লে। খোংজোমদগী ৱাংজীঙ, ৱাংজীঙদগী থৌবাল তুরেনগী খোংবান তারক্লে। লমলেন থৌবাল তুরেনগী খোংবান লমদমদা নোংপোক মালং হুমওইবগী (পাম্থোইবা/অপানবগী) শেল্লোই মপাতাউ য়োৎনিংথৌ খমলাংবনা পাল্লমদুনা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাম্থোইবী মতৈ মনাউনা শেল্লোই মপাতাউ খমলাংবগী মকাইফমদা চঙদুনা মপাতাউসিগী মৱুম থুপ্না থৌবাল তুরেনগী তোবর্বান্দা তোমচীঙ চীঙদুম চীঙথক্তা কোল্লোয় মশঙ শাদুনা মতম খর পাল্লম্মী। অদুগা মফমদুদগী লাইফ্রাকপম, উৎলৌনচিংবা লমশিং খরদা লময়েংবা লমথোকখি।

নোংপোক নিংথৌ অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীনা লমলেন থৌবাল লমদমগী থৌবাল তুরেন্দা ঈরু-শাদেংবগী থৌদোকশিং থোইদোক্না শীঙথাননিঙাই ওই। পাম্থোইবীনা তুরেনসিদা ঈরুজরিঙৈদা নোংপোক নিংথৌনা পাম্বা কৈ ওইন্দুনা কিহন-খংহন্দুনা লংনগে হায়না পানবা য়েক্লাবা কৈরেন শাথিবা শানওন্দুনা শাগ্রেম-লানগ্রেম্লদুনা লংনরুবদা পাম্থোইবীনা নুপীচা ওইনা পানবা মহাকপু অকি-তুজুংবগী মহুত্তা কৈরেন মহাকপু ফাদুনা পানবা শায়ঙথক্তা তোংদুনা লাঙ্গোয় শগোন্দগী হেন্না য়াঙনা শাথৌখি। অসুম্না শাগ্রেম-লানগ্রেম্লবা- য়াদবী, পানবা কৈরেন শাফারগা শাদোংবী ওইনা লমলেন থৌবাল লমদমদা পাল্লম্মী। মতম খর পাল্লম্লবা তুংদা নোংপোক অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন থৌবাল থাদোক্লমদুনা য়াইরীপোক লমদম পাংলকখি। য়াইরীপোক লমদমদা মতম খর লৈরম্লগা য়াইরীপোক কেক্রু, খোইরোম ফাওদুনা লাক্লগা লমলেন উখোঙশাং,

উখোঙশাংদগী শিখোং-নিংঙ্গেন তারক্লগা শিখোং-শেকমায়দা মতম খর পাল্লমখি। শিখোং তুরেনগী খোংবানগী ঈঙৌরোক্কী লোকপান্দা লমকোয়-লমচৎলগা লমদমসিদা নুমিৎ খরনি লৈরমখি। তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীনা মশাবী নোংপোক নিংথৌগা লোইননা ঈঙৌরোক্তা লৈরিঙৈদা খাবা তরং খোইনুচাগা নোংপোক নিংথৌগা চায়না খোঙফেন্নবগী ৱাথোক-লাম্থোকখি। খাবা তরং খোইনুচানা মায় পাকখি, নোংপোক নিংথৌনা মায়থিখি। মসিনা মরম ওইদুনা পাম্থোইবী অমসুং মশাবী নোংপোক্না ঈঙৌরোক্কী লমদম থাদোক্কুনা য়াইরীপোক লমদম অমুক হন্না হল্লক্কুনা মতম খর পাল্লমখি। মফমদুদগী শাবী শান্নৌ মতৈ-মনাউ অনিসি লমলেন কৈরাউ লমদম অমসুং লংদুম লমলেনদা লাক্লম্মী। মফমশিং অদুদা মতম খর খর পল্লম্লগা পাম্থোইবীনা মশাবী নোংপোক্কা লোইননা লংদুমদগী উচেক্কোন লমদম তারকখি। উচেককোন লমদমসিদগী মতৈ-মনাউনা কোংবা তুরেনগী খোংলম তুংওইনদুনা লিনৱাই (ঈরীন) তুরেনগী তুখুললোমদা লাক্কুনা লিনৱাই তুরেনসি লাম্থোক্লম্মী। লিনৱাই তুরেনগী খোংবানসিদগী মতৈ-মনাউ অনিসিনা নোপোক মালং হুমওইবা নোংপোক নিংথৌ মহাক্কী অশেংবা ময়ুম মকাইফম লৈরিবা শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজীঙ) গী চীঙশাং-নাপোম কাখৎলকখি। শেল্লোই-লংমাইচীঙসিগী ময়োৎ-ময়োন ওইরিবা চীঙজাওদুদা কাদুনা চীঙজাওদুগী মরু ওইরিবা চীঙশা অদুগী চীঙথক - চীঙয়াঙদা মতৈ মনাউগী ময়ুম শঙ্গায় শাদুনা পানখি।

নোংপোক নিংথৌগা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীগনা শেল্লোই-লংমাইচীঙদা পানবা

নোংপোক মালং হুমওইৱা নোংপোক নিংথৌ অমসুং মশানৌ তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী অনিনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী চীঙলৈপাক অমসুং তমলৈপাক্কী লমদম থুংনা কোয়রু-চৎলুরগা নোংমাই ময়ুমফম শেল্লোই লংমাইচীঙদা হঞ্জিল্লক্কুনা শেল্লোই চীঙমরূ, লংমাই চীঙময়োনকী চীঙদোন-চীঙয়াঙদা কোল্লোয় মশঙ্গায় শাদুনা পাল্লবদা "শেল্লোই (লংমাই) চীঙয়াঙ লাকপা চীঙশোম্বা" হায়না কোল্লোই মিংহুন-মিংথোনখি। মখোয় অনিনা ময়ুম মকাইফমসিদা পাল্লবদা মখোয়গী লৈজবা মরুপ-মপাং, লমলোই মপাতাউ, মতারোই মফেৎলোই ওইবা পুম্নমক লাক্কুনা উনরখি। মখোয় অনিনসু অরাকপা অমসুং থুংলবা মীপুম খুদিংমকপু হরাউ-তরাম্না ওক্কুনা থৌগল লাঙ্গন লাংজখি। মতমসিদা খাবা শোকচোম্বা, মনু তেকআ অমসুং মখোয়গী মচানুপা খাবা তরং খোইনুচা-মখোয়গী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিংগা নোংপোক নিংথৌ, পাম্থোইবীগী ঈমুং-মনুংগা য়ানবা পুরকপদা নত্তনা খাবা কাংলুপকা অমসুং অঙোম/ নোংবান কাংলুপকা অনিগী মরক্তসু তাইশিন্নবা পুরকখি। মসি মখোয় খাবশিংনা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী, ময়ামদগী হেন্না থোইনা পান্না-ঙৌনা নীঙথি-ফজবীনা মীগী তাল্লোই মীতু ওইখিবগী-কল্লক কঞ্জাওবা, মিহৌ-

মিকাবা পোকলম্বা অমসুং অচাওরম কাদুনা লমকেৎ-লমহাইনা ঙক হাইগৎপগী ৱাখন্দুনা থাদোক্লুনা তাইবং মীওইবগী মীরমচত্তা মোমনু নুজা ওইবীশিংগী মরমচৎ, মহৌশা "পামদবা মকাদা পুন্সি নোংশাংনা লৈরুগদবগী শরুকপুদি পামজবা মকাদা ৱাংলেন মিকুপ অমতং লৈরগা অমন য়াইথোঙ কুমজখিগে" হায়বা ৱাখলদুনি হায়দুনা মখোয় থাবশিংনা পুক্নীঙ ফাজিল্লকপদগীনি। মরম অসিনা মখোয়না শাবী শানৌশিংগী নুংশি-নুংওন্নবগী খুদম-চাংদম ওইরিবী তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীবু মরান লৈরবী, লঙজ-য়োনজরবী অমা ওইনা লৌখিদে অমসুং মহাক মশানা ঈমুংদুদা-য়ুমদুদা অমদি য়ুম্নাক শাগেদুদা লৈতনা য়ুম্নাক-শাগে ওনখ্রবসু শগেদুগী মৌ ওইনা অদুম লৌজখি অমসুং খঞ্জখি।

শেল্লোই-লংমাইচীঙগী চীঙয়াঙ লাকপা চীঙশোম্বা অমসুং মহাক্কী তাল্লোই য়ুমঙাকপী য়ুমলৈমা ওইনা পাম্থোইবীনা শেল্লোই লংমাই চীঙদা পাল্লবা মতমদদি নোংপোক নিংথৌ, পাম্থোইবী অনিমকসি য়ুমদীন্নবীঙবা মনীঙ তম, ফমদীন্ননীঙবা মখা তল্লে। নুংশি লৈহী তোয়না থকমিন্না নুংওন পুকতীননা হকচাং মশেন লীয়েৎনরবগী নুরা ওইবী মহাক্কী পায়মা লিনগোয়নুংদা তাউজীঙ তয়াল তল্লবনা চনুগী চরৈ চিল্লে। লোইদাম থাওন তরা ওন, চাহৈ কুমওন তাল্লকপনা ময়ুম লংমাই চীঙয়াঙগী তুওই-ৱাওই কারেননুংদা মমোম লাংলেন অতোনবী চীঙগী মচা হেননৌবী, তমগী মচা লানৌবী "লংমাই চীঙজারোইবী (উমাঙ্লা চীঙজারোইবী) বু শাৎনরে। অপাম' কাবু নুংওঞ্জনা, নুংশি কাবু মিংলৌননা মমোম লাংলেন অতোনবীদু পলেম মমা তম্ফা ৱাংঙমলোন্না শেল্লোই চীঙগী নোংবান লংমাইচীঙদা নাউনৌবীনি লংমাই চীঙগী চরোই/চারোই ওইবী চরোইবীনি হায়দুনা "লংমাই চীঙজারোইবী" হায়না কোল্লোই মমিং মিংথোল্লে। মখা তানা অমুক পারী-মমোম শাৎনখিদ্রে, লংমাই চীঙজারোইবীদা খমখ্রে।

পাম্থোইবীগী পুন্সি খমখিবা

তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী, অঙোমগী নোংমাই য়ুম্লাই ঙানবী, লংমাই/ নোংমাই য়ুম্লাই ঙাকপী ওইনা অমসুং নোংবান অঙোমগী য়ুমলৈমা মৌ ওইনা শেল্লোই-লংমাই চীঙদা চীঙয়াঙ লাকপী ওইনা নুংঙাই মকা লাম্না পাল্লকখি। মতমগী লেপত্রবা খোঙজেন্দা অৱা-নুংঙাই পরেং-পরীংগী পরম-খোঙলমদা অঙৌবা মশাবী লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বগা পুন্সি খোঙলোই ওইনা চৎমিন্নরকপদা মপারী নোংবান/ নোংমাই অমা, কোল্লোই মিংলেন শেকমাইনিংথৌ অমসুং মমোম লাংলেন নোংপোল্লোন পাম্থোইবী অহুম, কোল্লোই মিংঙন্না লীক্লাবীচা নোংদমনু (অহল) সন্ত্রিক চংনীংখোম্বী নত্রগা চংনীং লৈমা নৎত্রগা চীঙঙালৈম (য়ায়মা) অমসুং লংমাই/উমাঙ্লা চীঙজারোইবী (অতোনবী) পোকখিরম্মী। মমোম লাংলেন অহল লীক্লাবীচা পাম্থোইবীদি পীশক পীক্লা লাঙ্গোন চীঙগোন্দা হুন্দোকপীরম্বনা হোঙলেম

লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা খুল্লগা য়োকখিদুনা মহাকপু য়োক-থাকপা অমসুং ঙাক-শেন-লাঙ্গোনবা ফংলক্তে। মমোম লাংলেন য়ায়মবী সন্দ্রিক চংনীংখোম্বীসু পীক্লা হুন্দোক্লম্বনা ৰাংঙম ঈরুম নিংথৌ অমসুং ঈরুম লৈমনা মপ্পা শেকমায় নিংথৌগা নাউয়োক-নাউকোন্দুনা চাওরকখি অমদি সন্দ্রিক চংনীংখোম্বীসি "চংনীং লৈমা" হায়না মিংহোংদুনা লাইয়িংথৌ সরারেনগী মপারী খোরীফাবদা ওঙদুনা নম্বোল ফোয়জীঙদা পানখি। মমোম লাংলেন অতোনবী লংমাই চীঙজারোইবী অসিদি পলেম মমা তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্বোইবী অমসুং মপন পম্বৌ কাইনৌ চীঙশোম্বনা কেনা মৌনা নাউয়োক -নাউকোল্লকখি। অঙোম চনুরাশিং নোংবাল্লোন নোংমাই ঙানবীশিংগী মরক্তা মীথোই-মীহেনবী ওইনা চাওরকখি।

মতমগী য়াওল মতুং ইন্না অরিববু অনৌবনা শেল্লক -শারকপা, উরিবু উনৌনা পুল্লকপা অমসুং অহলনা য়ুমশেম্বা নহানা য়ুমঙাকপা ওইরক্লবদা তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্বোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌগী মমোমলোই লংমাই চীঙজারোইবী অঙাং ওইরিঙৈগী পুকওঙনা থবাক মায়কৈ তল্লকপা, নৰা ওইরিঙৈগী থবাক্লা পুক্কী মায়কৈ পাংখ্রবদুনা লৈরাং লৈশাৎলক্লবী লৈশাবী ওইরক্লদুনা লৈশা মতম্লকপগী নমু মীখুৎনা খোংদ্রিবা চরৈ ফিতনা য়োম্লিবা নুরা পলেম মমা ওইবীগী হকচাং কায়াৎকী ফিভমদা লমদম্লকপগী হৈরাং তাউজীঙ হৈজিং ফানা চাওরক্লে। মমোমগী হকচাং কায়াৎকী ফিবম-ফিরেপ উরকপা, তুংয়ান নীঙদুগী শারেপ উরকপদা পলেম মমা পাম্বোইবীনা মমোমগী ময়া-থিরকপা, মচাগী মমানমচা য়েংলকপদা মৈদিংঙু মচা য়োঙ্গীরেনবা উইনহা-খ্বাঙনৌবা মিংথোংনবদা, অপোক-অশাঙা খোইয়ুম পাউতাক্তুনা হৈরাং হৈরাংনা, লৈরাং লৈকৎনা, শারেন য়ুকৌননা-হাওদৈ য়ুখোম্লা চীঙঙু লাইতাইদুনা অওঙ অউন তম্লা থাজ-য়োঞ্জখি। মমাক-ময়া ওইবৰু মকাইফম মশাইগোন শেল্লোই লংমাই চীঙগী চীঙ্গোন্নুংগী ৰাখা চীঙশা নাপোমদা ৰাংঙম মচীঙ ওইনা অউন তমদুনা মমাকপু ৰাখা লাকপা পল্লুবা মিংথোন্দুনা শেল্লোই মচীঙলেন-লংমাই মকাইফমদা পানমিন্নখিরম্মী।

তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্বোইবীনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী চীঙলোন-তমলোন কয়াদা খোঙগোই হুন্দুনা কোয়না চত্তুনা মফম কয়াদা লৌরাং শৃদুনা, চফু শাদুনা, লেমলৈ ঙামি থেম্না. চীঙদা কাইনা শীঙচন, পাম্ভা কুমদুনা লোংখোন্না কুমওন কয়া পুন্সি কুম্মে শান্নরম্লগা মহাক্কী থবাই-হকচাংগী মবুংঙো, মগুংলাংগী খাবা ময়ুম থাদোকখিবা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা মহাক্কী ময়ুম মকাইফম শেল্লোই লংমাইচীঙদা অঙোমগী লংমাই য়ুমলৈমা ওইনা পুন্সি মৈরা মুৎখি। অসুম্না তাইবং পুন্সি লোয়খ্রবদা অঙৌবা অঙোম য়েক্কী য়ুমজাও লৈমা, লংমাই/নোংমাই য়ুমজাও লাইরেম্মা ওইনা পানবদা নত্তনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লাইরেম্মশিংগী লুচিংবী অমসু ওইখিরম্মী।

ৱায়োম-ৱারোয়

তস্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীসি মহাকপু লাইরৈমা/লাইরেম্মা অমা ওইনা লাৎপা নত্রগা নীঙবগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসি মৈদিংঙু/লাইয়িংথৌ শেনবী খাগেম্বগী সনাহাক্তক্তা "অপানবী" হায়বা মিংলেন-মিংফমসিদা হৌদোকখি, হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। লাইনীঙসিগী মরী লৈননা, মৈদিংঙুসিনা লাইনীঙসিগী য়ুম্ফম অমসুং ময়োৎ ওইরিবা লাইরেম্মা অপানবীসিগা মহাক্কী পা-পীগী খোঙথাংদা য়েৎ-ওয় ওইনা শরুক য়ামিন্নরিবা লাইয়িংথৌ নোংপোক (লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বা, নোংপোক মালং হুমওইবা) কা নমু তাইবং মীরমচত্তা মরান তেংনা য়ুমগাবা (নুহোঙবা/লুহোংবা) গী থৌরম মৈদিংঙু খাগেম্বনা খৃ: ১৬৪৮ দা পাংথোকখি (চৈথা: কুম: ২০০৫, ৪১)। হায়রিবা লুহোংবগী থৌরমসি হৌজিক্কী মতমদা চীঙখৈ-চীঙ" হায়দুনা নোংপোক ইম্ফাল পানা (ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তা) দা লৈরিবা চীঙসিদা পাংথোকখিরম্মী।

"পান্থোইপী খোঙকুল" হায়না কৌবা তস্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী অসিগী মরমদা ইবা লাইরিক নত্রগা পুয়া অদুদা পান্থোইবী অসি অমুক মীওই, অমুক লাইওই মীওই, অমুক অচম্বা লাইরেম্মা ওই; অমুকনা হিংচা-য়াইতম্বী ওই অমসুং অমুক্না তাইবংপানবা পোকপী মমা ওইনা শৈথাবা, মহাক্কী হৌরকফম শাৎলকফম লৈতবী, মঙোন্দগী পুন্নমক হৌরকখিবী ওইনা পীবগী ৱাফমসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। পান্থোইবী খোঙ্গুলগী পান্থোইবী লাইরেম্মদা পুরিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন অসি শাক্ত , শাক্ত-তন্ত্র অমসুং তন্ত্র লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনশিংগী খ্বাইদগী হেন্না অথোইবী লাইরেম্মা অরান-খুবম ফাওবা পীবীবা ঙম্বী, পাম্বোম মরি পানবী "কালিকা" ওইনা, করিগুম্বদনা হুয়েল লাল্লৈমা পাম্বোম তরা পানবী "দূর্গা" নত্রগা "মহেষসাসুর্মর্দিনী (ইরোই ওইবা/ওনবা হিংচাবা হাৎপী)" থোঙ্গ্রিঙৈদো কৌরম্বা মিং ওইনা "অপানবী" নত্রগা ওইনীঙবা লাইরৈমা/লাইরেম্মা (লনলৈমা, লাইরিক লৈমা, চেঙলৈনমা কোনলৈমা, য়োৎলৈমা, থারৈমা, নুমিৎলৈমা, অসিনচিংবা) অমা ওইদুনা লৈবী, মনীঙ-মখা তম্বা-তম্বী পুন্নমক্কী মথক্তা লৈবী ওইবীগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন পীরি। অদুগা "পান্থোইবী" হায়বা অসিনা লাইরেম্মসিগী অহানবা অমসুং অহৌবা মমিংনি অমসুং মমিং অসিনা লাইরৈমা অসিগী থোৎ-মেঙবা, কুচু ঙৌনা চেংলৌ শক-হেনবনচিংবগী মতীক-ময়াইশিং ফোঙদোকলি। মসি শাক্তনচিংবা লাইনীঙশিংগী লাইরেম্মা" গৌরী" হায়বী হিম্বাল, হিমালয় চীঙজাওগী নিংথৌগী মচানুপীনি হায়দুনা হিমাবতী/ হেমাবতী হায়নসু মিংথোন্নবীসিগী মতীক ময়াইগা মান্নবা থাক্তা থম্বগুম তৌরি। অদুগা "অপানবী" মিং অসিদা মতীক-ময়াই ফোঙদোকপগী থাক অমুক হেন্না ৱাংখৎ-হেনগৎবগী ৱাহৈ-ৱাতা তপশিন-হাপচিন্দুনা "অপান্থোইবী" হায়বসি শেন্নগা অমুক লোনশেমগী ফজগদবা মওঙ-মতৌদা শেম-শাদুনা "পান্থোইবী" হায়বসি তারকখিবনি,

হায়জনীঙঙি। অদুনদি অপানবী অমসুং পাম্থোইবী অনিসিগী পী অমসুং পা ওম্থোক্লবা নত্রগা ওন্নবা মিংদা/মিংথোন্দা অপানবা অমসুং পাম্থোইবা হায়বসিনি। অদুনা পাম্থোইবীগী মপুরোইবা, মহাকপু লৌরিবা নুপা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা অসিবু অপানবা অমসুং / নত্রগা পাম্থোইবা হায়না খঙনদুনা লাই, কাঙজেরোই ১৪ (তরামরি) গী মনুংদা কাঙজেরোই অমা ওইনা য়াওরিবনি। ৱাফমসি মৈতৈ কাঙজে নত্রগা শগোল কাঙজেগী" কাঙজেরোন কৌবা লাইরিক্তা য়াওরি (কাঙ; খুং; লাই:)।

পাম্থোইবী লাইনীঙগী লাইরেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী অসি লাইরেম্মা অমা ওইনা শক্তম-মিতম কোনদা শেন (Bellmetal) না হৈদুনা লাৎলম্মী। মহাক্কী শক্তম-মিতম হৈখিবসি খৃ: ১৬৯৯ দনি অমসুং মসিনা মৈতৈগী উমংলাইশিংগী শক্তম মিতম কোননা হৈবদা খ্বাইদগী ঈহান হানবা ওইনা চৈথারোল কুম্বাবনা পীবীরম্মী। পীবীরম্লিবা মওঙ-মতৌদুদি ঃ-

> **শাইরোম মানশৈগী কুম শক ১৬২১ ....পোইনু থা..... ৬ নি ঈরাই (খৃ: ১৬৯৯** ডিসেম্বরগী অহুম শুবা চয়োন) দা পাম্থোইবীগী মূর্ত্তি হৈগদবগী অহৈবা হঞ্জবা তারিনা লৈমি তমএ। ১১ নি য়ুমশকৈশদা পাম্থোইবীগী মূর্ত্তি হৈএ (চৈথা : কুম : ২০০৫, ৬২-৬৩)।

অসিনি। মসিগী মমাঙদা লাইগী শক্তম-মিতম অমতা হৈখিবগী অইবা ৱারোল/ৱাফম লৈতে। মসিগী মতুংদা খৃ: ১৭০০ তা লাই ৱা-হায়বা (লাইয়িংথৌ সনামহী) গী শক্তম-মিতম হৈখী [মথক্কীসিদা, ৬৩]।

লাইরেম্মা পাম্থোইবীসি অনৌবা মতমগী খৃ: ১৯৬১-৬২ দা হুয়েন লাল্লেমা ওইনা দূর্গা লাইরৈমা ঈরাৎপা (পূজা তৌবা) মতমদা দূর্গা লাৎপগী লাম্বা ওইনা মৈতৈ খুন্নাইসিদা তৌন-চৎনরকখি। অদুগা মেরাগী ৫ নি পানবদগীনা ১০ নি পানবা ফাওবগী মতমসিদা লাইরেম্মা পাম্থোইবী লাৎপা অসিদি মৈতৈ মীরুপ-কাংলুপকী চৎনবী মনাৎ নত্তে, চকপা চাইরেনগী হৈয়াইনু লাৎপগী মচৎ-মনাৎনি। হায়রিবা মেরা থা অসিদদি মৈতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা নত্রগা লাইরেম্বী লাৎকদবনি (সু: অচৌ: খুং:, লাই:)। অদুবু মতমগী খোঙলৈনি, হৌখ্রবা পাৱারী-পুৱারীগী থৌদোক্তি অমুক হল্লকপা য়াদে, লাক্কদবা তুংলচৎকী থৌদোকসু খঙবা ঙমদে, অদুবু হৌজিক্কী ওইরিবা থৌদোক-ৱাথোক্কী অপাম্বসু হৌজিক্কী ঙাক্তা য়েংদুনা শেম-শাবা য়াদে। অদুনা থোক্লক্লি-ওইরক্লিবা পুন্নমক অসি চৎনবী, হৈনবী অমসুং নাৎকী য়াওন্নি, অমুক লুপ্পা অমুক তাউবনি। ঙরাংনা ঙসিগী মপা নত্রগা মমানি হয়েংনা ঙসিগী মচা নত্রগা মনাউ ওইগদৌরিবনি, অদুনা মাঙ অমসুং তুং য়েংবগী মথৌ তাই।

৫৫

৩

মৈতৈলৈমা লাইস্না (লাইখুরোমপী/লাইখুরেম্বী)

ৱাহৌদোক

> ...য়োইময়াই নুমিৎ খোয়খৈনুংকী তাউরোনাইকা লৈহৌ নিংথৌ অপানপাকা অতিংঙা য়াইপীরেন শিতপকা অহুম্মকনা .... খমতিংকোন হায়হৈপপু নোংতা চীঙখনয়াঙপু শানা লইনুং থৱাইরেন (থোঙঙারেন) অহনপপু পাউথেমলুইএ। অইতি কংলই পুঙফারে, পুললাং য়ুহওরে থোকঙমলোই-এ। শানৌ চীঙখোঙ পোইরৈতোন-ও !... তাইপংপান অথোইপতা খুনথোক-ও ! হায়রপতা... মালেম খুন ফাওরকএ। লইনুং থৱাইরেন অহনবা লাইরেন হুমচাউপপু লয়না শানা শিননরে! মালেম খুননীঙ শেম নিংথৌ সনা তরেংপতা লাইসনা হৈরোং নিংথৌ চনুপু শমু খুৎশিন্নরে (খ: য়: স:, ১৯৬৭, ১৮-২০)।।...।।

মথক্তা পীরিবা "পাখংবা ফম্বাল" কৌবা মৈতৈ লাইরিক (পুয়া) কী ৱাহৈ পরেংশিংসিদা পল্লি-পীরিবী, খোইয়ুম লাইরুপকী নুপী অসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী ৱাংঙম-নিংথৌজা য়েক্কী অমসুং ৱাংঙম/মৈতৈ নিংথৌ শাগেগী অমসুং নিংথেমচা শল্লাইগী চাদা-নাউদারকখিবী মৈতৈলৈমা নত্রগা মৈতৈগী মবেম্মা লাইস্নাবুনি। মৈতৈ লৈমা লাইস্নাগী অপোকপা মপা, মপন পম্বৌ গী মমিংদি হইরোঙ হায়বা মী কাংলুপ-ফুরুপ, লৈনুং হায়বা লমদম (মৈত্রবাক্কী লৈখা লমদমগী থরই অমসুং লেমলই, হৌজিক্কী লাংমৈদোংদগীনা পাঙলতাবী ফাওবা অমসুং ৱাংঙু-চাইরেন্দগীদনা শুগ্নু সেরৌ ফাওববু অঙনবা মতমদা কৌনরম্বা মমিংগী লমশিং লাম্বোক্লগা লৈবা কবো তম্পাক্কী লমদম) দা পানবা, খমনুং লৈপাক্তা পানবশিংদুগী নিংথৌ হইরোঙলেন/হৈরোঙলেন লোঙচুম্বা হায়না কৌই, অদুগা মহাক্কী অপোকপী পলেম মমাগী মিংলেন্না "লৈনুং পীয়াইনু" হায়না কৌই (পু: লাই: খুৎ: লাই; লৈথক: লৈখা:, খুৎ: লাই; খা: য়ুম:, খুৎ: লাই:)। অদুবু অতৈ লাইরিক (পুয়া)শিংদা পীবগা চাংদম-পান্দম্নদুনা য়েংলকপদা পীবীরম্লিবা মপা-মমাগী

মমিংশিং অসি মহাক্কী মমান-মকু অমসুং মনু-মনেমগী মমিংশিং ওইনা ফংজে, মহাকপু হাননা লৌরম্বা নুপা, মমান-মচা নত্রগা মপুরোইবগী মপা-মমাগী মমিংশিং ওইনা থেংনজে। অদুগা লাইস্না হায়বা মিংলেনসিগী মমাঙদা মহাকপু কৌনরম্বা নত্রগা খঙনরম্বা মমিং মিংখৈদি "লৈমা লাইখুরোম্বী" নত্রগা "লাইখুরেম্বী (করিগুম্বদনা "লাই খুৎলোঙবী হায়)" হায়বা অসিনি।

লৈমা লাইস্নাগী পুন্সি ৱারী

লৈনুং লাইখুরোম্বীনা নুপী ওইবীগী হকচাং কয়াৎশিং মপুঙ-মরৈ ফারক্লদুনা শীঙঙেল লৈরাং ওইবগী লৈহী চেল্লক্লবা, থাজ-য়োঞ্জবা য়াবগী চহি কুমওন কারক্লবা মতমদা মহাক হৈরোঙ মী-কাংলুপকী নিংথৌ হৈরোঙলেন লোঙজুম্বগী অমসুং লৈনুং পীয়াইনুগী মচানুপা/মপারী অহন হৈরোঙনিংথৌ হৈরোঙ ঙাঙথা ঙাঙলেনবদা ওঙখি। হৈরোঙ ঙাঙথা ঙাঙলেনবসি মমিং অনি-অহুম শুই। মহাকসি লৈনুং থৱাইরেন অহনবা নত্রগা থবারেন অহনবা অমসুং লৈনুং থোঙঙারেন অহনবা হায়নসু মিংথোন্নৈ/ কৌনৈ। মহাকসিবু সৱা কংলই পুঙফাবা, খমলই মীনুংকোনগী পুল্লাং য়ুহওবা, অমন য়াইথোঙ সীঙশূবা হায়বনচিংবা মিংথোনশিং পীদুনা অশিবগী লৈপাক্কী নিংথৌনি, অসিবগী লাইনি, হায়না ঈকাই খুম্নে। মৈত্রবাক্কী লমদম অসিবু লইথক/লৈথক (লাঙ্গোনচীঙগী চীঙ্গোন্দগীনা কৌব্রু চীঙজাওগী অৱাংলোমগী অরোয়বা ঙমখৈ ফাওবা), লইয়ায়/লৈয়াঈ (লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী খা থংবা লৈরিবা লম্ফেলপাত্তগীনা থৌবালগী অরোং তুরেন ফাওবা) অমসুং লইখা/লৈখা [থরৈ (থৌবালগী অরোং তুরেন্দগীদনা হিয়াঙলম-ৱাবগায় ফাওবা) অমসুং লেমলই/লৈমলৈ (হিয়াঙলমগী মখা লমজাওদগী শেরৌ অমসুং শুগুনুগী মৈত্রবাক্কী তম্পাক লমদমগী অরোয়বা চীঙলক্কী লমদমশিং ফাওবা) অনিনা শাই] হায়না খায়দোক্লগা মদুশিংগী ৱাংমদা লৈখিবা, খা-নোংপোকক্লোমদা শন্দোকখ্রিবা লোইবী চীঙলৈপাক্কী লমদম অমসুং কবো তম্পাক্কী লমদমবু "লৈনুং" হায়না মৈতৈ মীরুপ-কাংলুপ্না খঙনবগী ৱাফম মথক্তসু পঞ্জখ্রে। হায়রিবা মৈত্রবাক্কী ময়োন-মতাইগী ৱাংমদা খা-নোংপোক্কী লমদম লৈনুং কৌবা লমদমসিদা লৈনুং লৈমা লাইখুরোম্বী অমসুং লৈনুং থোংখোঙ শেনবা চনু লাইনাউ তাবী অনিমকপু লৌদুনা/পানদুনা লৈনুং থোঙঙারেন/থৱাইরেন/থবারেননা খমনুং কৌবা লৈপাক্কী কোনুং শৱা কংলৈদা পাল্লম্মী। লৈনুং থোঙঙারেন অহনবগী তাল্লোই অনিসি মপারী-মমোম অমতা শাত্তে, অদুনা লৈনুং থোঙঙারেনগী মচা অমত্তা লৈতে।

লৈনুং থোঙঙারেন অহনবা, খমনুং লৈপাক্কী শৱা কংলৈগী নিংথৌ অসিগী পোকমিন্নবা মনাউ নুপা অনি লৈ। মহাক্কী মথংদা লৈবা মনাউনুপা য়ায়মা অদুনা থোঙঙাক

লাকাবা কৌই, অদুগা মনাউনুপা অতোনবা অদুনা লৈনুং থোঙঙাক তাংখুতেক নত্রগা লৈনুং/খমনুং/চীঙখোঙ পোইরৈতোন নত্রগা লৈনুং পোইনাউতা নত্রগা খুনুংয়োয় চাখা অরিবা হায়না কৌই। মনাউনুপা অতোনবসি লম-লমগী ঈশিং-নোংশীৎ, নোংজু-নোংশা, অঈঙ-অশানচিংবগী মরমদা খঙগন-উগনবা, মশাদা ফাওগন্না মখোয়দুগী ঈথিন পোক্কনবা ওইনা তুংলমচত্তা মহাক্কী, লমচৎকী মমি তারকখি। লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা মনাউনুপা অতোনবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন অতোনবা লাংজেং মথোং লল্লা তাল্লোই তুথি তমদ্রিবা, পাখং মতম ওইরিববু মহাক্কী তাল্লোই অতোনবী মোমনু নহা ওইরিবী লৈমা লাইনাউ তাবীগা লোইননা, মহাকপু খোঙবুরোই খোঙলোই ওইনা মখোয়গী মরৈপাক মরমদমগী হাওরৈ লাইনা পাংবরম, অৰাং মায়কৈরোমদা শন্দোকখিবা পোইরৈ তম্পাক লমদমদা নমু তাইবংপান কৌদুনা খুম্হোক-খুন্দাবা য়াবা মফম-লমদম থিদুনা ময়ুম-ঈংখোল লীংদুনা খুন্দা-লৈতাদুনা খুনবান-লৈপাল্লগা মখোয়গী চাওখৎ-মনাৎশিং, য়াইফ-থৌরাংগী মচৎশিংনচিংবা শন্দোকলু, হায়দুনা য়াথং পীখিরম্মী। য়াথং ফংলবা পোইরৈতোন অমসুং য়াথং ফংলবী লাইনাউতাবী অনিদুসু মখোয়গী মী ২৮ না শাবা খোঙলোই খোঙবু অমা শেমদুনা পুবা হৌনবা, লোইনফম থোকপা মপোৎ-মচৈশিং পুন্নমক পুদুনা-লোইনদুনা খুম্হোকখ্রে।

মতমগী খোঙলৈদা অহোং-অওনবগী ঈথিন্দা পোইরৈতোন লাইনাউতাবী অনিনা লুচিংবা কাংবুনা খুম্হোকখিবা নোংমা-নিনিগী মতুংদা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবা শৰা কংলৈ পুঙফাবসু ঈকুই কুইদনা অৰাংলোমগী তম্পাক লম, নমু তাইবংপান অদুদা খুম্হোক-খুনহোংনীঙলক্লে। মরম অদুনা মহাক্না খুম্হোক্লবগী থৌরাং তৌদুনা মাগী লৈজবা পুন্নমক খোমজিন-তাশিল্লগা মনাই-মশনশিং পুদুনা মহাক্কী তাল্লোই অহন লাইখুরোম্বী/লাইখুরেম্বীগা লোইননা খুনহোংবগী খোঙথাংগী খোঙ থাংদোক্লক্লে। মহাক্না মনাউনুপা চীঙখোঙ পোইরৈতোন অমসুং মতৈলৈমা লাইনাউ তাবী অনিনা লুচিংবা কাংবুনা চৎখিবা লম্বী অমসুং মায়কৈগী ওন্ন-তৈনবদা মখোয়গী লম্বীদুগী তুংলোমদগী, হায়বদি, পোইরৈ তম্পাক (ইম্ফাল/মৈত্রবাক তম্পাক) কী খা-নোংচুপ পাংবা মায়কৈ, হাওরৈ থাঙঙি-ঙাংঙোই পাংবরোমদগী খুম্হোক্লকখিরম্মী। লৈনুং থোঙঙারেনগীদি খুম্হোক্লকপগী খোঙবু-খোঙলোইশিংসি মশীঙ য়ামদবা অমসুং অশম্বা লম্বী লমদাং খন-ইন্দুনা লাকপনিনা মহাক্কী লৈনুং লাইখুরোম্বীগা মতৈ-মনাউনা কংলৈ পুঙময়োল নকশিল্লকপা হাল্লম্মী।

কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙদা খাবা-ঙানবা অমসুং চকপা হায়বা মঙাই-মশেন, মচীন-মনাউ অমদি খুন্দা-লৈতামিন্না মীরুপ-কাংলুপ অহুম অমসুং থাংয়ি (চেংলৈ) কাংলুপকী ফুরুপ অমগনা তীনশিন্নদুনা শাবা অপুনবা কাংলুপ অচৌবা অমনা পাল্লম্বদগী মখোয়গী মপাঙ্গলদুবু নোংবান-নুংবান-লংমাইবা অমসুং ৰাংঙম/মৈতৈগী মঙাই-মশেন

ওইনবা, চারৌ-মৌরৌ কাংলুপ অহুমসিগী অপুনবা অচৌবা খুৎ অদুদা থাংয়ি (চেংলৈ) গী ফুরুপ অমনা শৌগৎ-পমখত্তুনা শেম্বা মপাঙ্গল অদুনা মায়থীবা পীরগা তানথোক্তুনা অপানবা পাখংবা (মেচিস্না লৈনুং খোনবা" ওইবা য়াই) (পা: লাই:, খুৎ: লাই:) না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। অপানবা পাখংবা হায়বসি লাইনীঙলোন অমসুং লৈশেমলোনগী লাইরিকশিংদা অতিংঙা নত্রগা আতিয়া শিদবা (গুরু শিদবা নত্রগা য়াইবীরেন শিদবা) হায়না কৌবা, মৈহৌবরোনশিং অমসুং শাগৈ-শল্লাইরোনশিংদা কোনসৌরেন (কেগে মোইরাংগী অহানবা লাইয়িংথৌ থংচীঙ কোয়রেন লাই) হায়না মিঙ্গৌনবা ৰাংঙম/মৈতৈ নিংথৌজা য়েক, নিংথেমচা শল্লাইশিং অমসুং নিংথৌমচাগী য়ুম্লাক-শাগৈশিংগী পুকোক কোকলেন-পুরেন [Ultimate progenitor] অদুগী চাদা-নাউদানি। পাখংবা অপানবা অসিগী ময়াম্বুং থোকপা ৰাংঙম/মৈতৈ নিংথৌমচা "পুরিংলেন পুরৈরোম্বা (নোংবান-অঙোমগী পুরিংরেন পুরৈরোম্বা নত্তে, মহাক্লা ৰাংঙম, মৈতৈ নত্রগা নিংথৌজাগী ওইবা মীশক অমনি) না নোংদা নোংখললেম্বী পানদুনা পোক্লম্বা " নোংদা তুকুপ্লী (নোংদা লাইরেন পাখংবা) সি মহাক্কী ময়াম্বুংগী মচানিনা মহাক্কীসু মচা থোকই অমসুং নোংদা তুকুপ্লীকসি মতমদুদা শেল্লোই-লংমাইচীঙ (নোংমাইজিঙগী লমখৈ-লমকন্নগী মনুংগী মচী অমদা লৈরম্মী। মখোয় অনি (অপানৰা পাখংবা অমসুং নোংদা তুকুপ্লীক) সি হাইরপ লোঙ্গা/লোন ওইনা তৌরম্মী, মহাক্লা চহী য়াম্না হনবা নত্তে, চাহী খর (মঙা-তরা) দা হনবনি।

অপানবা পাখংবসি অহানবদা নোংপোক লৈহৌচীঙদা মফমদুগী লুচিং-লাঞ্জিংবা ওইনা পাললম্বী। মহাকপু তাউরোইনাই (লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইচৎ-লাইওননি, কৌবরেন কৌব্রু, নোংবান /অঙোমগী পুরিংলেন পুরৈরেম্বা নত্রগা নোংবান সরারেন ওইবা য়াই) অমসুং অতিংঙা/অতিয়া শিদবা (গুরু/য়াইবীরেন শিদব) না শৌগৎ-ঙাকখৎপীদুনা খুৎকন-পাঙ্গল্লকখি অমসুং মহাক্লা নোংপোক লৈহৌচীঙদগী থাঙজি/থাঙহি ঙাংঙোইগী শঙ্গোঙ চীঙশাংলোমদা লাক্তুনা লান্দানবা ওঙলক-তারকখি। মতমসিদা লৈনুং/খমনুং থোঙঙারেন্না খুঙ্গোক্লকপদা মশাগী খুদোংথীবা থোক্তনবা, অতৈ কাংলুপ-ফুরুপশিংনা লাকচবা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌবা ঙমদনবা খুজীল-থৌরাং অমা তৌরম্মী। মহাক্লা হায়রিবসিগী মথক্তা পাখংবা অপানবগী মরুপ-মপাং ওইবগী খুদোংচাবা লৌননবা অমসুং মহাক্লা (অপানবনা) পাল্লিবা লৈপাক্তুগী লমদমশিংদুদা হাইনা-হুমনা লৈবা-পানবা য়ানবা, খনবা মখৈ খল্লগা মহাক্কী (লৈনুং থোঙঙারেনগী) চাবোক-চাদাদ্রবী তাল্লোয় অহনবু অপানবা পাখংবদা খুদোল ওইনা কৎলগা মশাগী ফিভম-ফিরেপ শেমগে হায়বগী ৰারেপ লৌখিরম্মী। মরম অসিনা খমনুং থোঙ্ঙারেল অসিনা মহুম -মকোন (ময়ুম/লৈফম) য়াম্না চাওবা, অৰাৎ-অপা লৈতবা অমসুং অথোইবা লাইগী পুকচেল চেনবা, থুনা য়াঙ্নামক

শারদুনা মহাক্কী তাল্লোই লৈনুং/খমনুং লৈমা লাইখুরোম্বা/লাইখুরেম্বীবু লাইসনা লৈনা শাহন্দুনা মমিং "লাইস্না" হায়না থোঞ্জিল্লগা, পোকমিন্নবা মচল নুপী ঈতোন তোনবীনি হায়জিল্লগা অপানবা পাখংবগী মফমদা তাল্লোই মতু ওইননবা কৎখি (ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪, ৮৮, ২২৬)।

লৈনুং থোঙঙারেন্না পাখংবদা মোমনু নুজা ওইবীবু তাল্লোই ওইনবা কত্তুনা অমসুং পীদুনা চারৌ-মৌরৌনবগী মচন-মচে থাজ-য়োঞ্জনবা, মমোমনা ওঙনা-লৌনবা, মশেন-মবাই, মঙাই-মশেন অমসুং/নত্রগা মরী-মতা ওইনবগী লৌন-লৈনবগী/লুহোঙ-খোঙদোংব (নুহোঙবা)গী মরী লীংখত্তুনা-হাননা থুংলবগী খুদোংচাবদু লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা লৌখিরম্মী। অদুগা মহাক মশানা হাওরে লাইনা পাংবরমদা খুম্হোক-খুল্লীংলু হায়না মশানৌ তাল্লোই অতোনবী লৈনুং-খমনুং লৈমা লাইনাউতাবী অমসুং মশানৌ-চীঙখোঙ পোইরৈতোন অনিবু খোঙলোই-খোঙবু ওইহন্দুনা থোক্লনবা য়াথং পীখিবা মখোয় অনিগী কাংবুদি থুংলদ্রি। খুম্হোক-খুনহোংবগী খোঙচত্তুদা খুন্দা-লৈতাবা য়াবা, ঈশিং-নোংশীৎ ফবা, খোঙ্গং-খুৎকংবা, লৈপাক লৈহাউ চেনগদবা লম, অশি-অনা চঙলোয়-লাক্লোয়দবা মফম থিবদা চীঙখোঙ পোইরৈতোন, লৈমা লাইনাউ-তাবী অমসুং মখোয়গী কাংবুনা লোইবী চীঙগী মফম কয়া পোইরৈ তমগী লম কয়া কোয়না চত্তুনা খুন্দা-লৈতাফম থিরকপদা অহানবদা মতৈলৈমা ওইরম্বী খমনুং থোংখোঙ শেনবা চনু লৈমা লোইনাউ তাবীনা পোইরৈতোনগী তাল্লোই লৈমা ওইরকখি। মখোয় অনিনা খুনকোয়-লৈকোয়বগী খোঙচত্তুদা মপারী মঙা —চাখা খোংহনপা, শকাং য়াইথাপা, কাঙতোন লৈনৌপা, লৈশং খেৰায়বা অমসুং শীঙতাপুঙ শীঙমিংনবা অমদি মমোম-লাংলেন অহুম খয়োঈ নুৰাহন, হুইয়াই কোংতিংনু অহনপী অমসুং হাওচেং লাংমৈনু শাফপীবু ফংজখি (ম: চ: স:, ১৯৭৯, ২৮, ৬৬-৬৭)। অদুবু নিপানসিগী মনুংদা মচানুপা শীঙতাপুঙদমক হিংহৌখি। মখোয় মতৈ-মনাউ অনিসিনা মথং-মথং কোয়রুরগা পোইরৈ তম্পাক্কী খা-নোংপোক্কী (মৈরমগী) লমদমদা থুংলরবদা লৈনুং থোঙঙারেন্না মশানা ময়াথং পীদুনা খোঙবু ওইমিন্নখিবা মহাক্কী তাল্লোই অতোনবীনা মশানৌ মনাউ নুপা পোইরৈতোন্দা ওঙখিবা অসিগী কল্লক-খম্বনবনা মনাউ নুপাগী মথক্তা লমন খুম্নীঙদুনা মখোয়বু খদোংথীহন্নবা শরৌ-খুজীন শীনখি। মনাউ নুপাগী কাংবুনি হায়বসি খঙনা খঙনা অপানবা পাখংবদা লান হৌরকপা-লান্দারকপনি হায়না হায়জিন্দুনা পাখংবগী কাংবুগা পোইরৈতোনগী কাংবুগা খুৎ থোক্নখি। লান্দুদা পাখংবা অপানবগী কাংবুনা ঙমখি অমসুং মহাক্না চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী তাল্লোই ওইরবী লৈমা লাইনাউতাবীবু মুন্দুনা মাগী তাল্লোই অতোনবী ওইনা নুমিৎ খরনি লৌরম্মী। অদুবু মতুংদা য়ানবা পুরক্তুনা তাইশিন্নরবদগী খোঙফম খোঙথাংশিংদু হন্দোক্লখি।

লাইস্না অমসুং থোইবি অহোঙবী

লৈনুং-খমনুং লৈমরেন লাইখুরোম্বীবু লাইস্না হায়না মিংথোনবীদুনা মপুরোইব। লৈনুং খমনুং নিংথৌ থোঙঙারেন অহনবনা অপানবা পাখংবদা পোকমিন্নবা মচন শক্লা থাজ-য়োঞ্জবীবদগী মহাকসু মৱা-মপাউ চাওদনা মৈদিংঙু অপানবা পাখংবগী তাল্লোয় মরূম্বী ওইদুনা ৱাংঙম নিংথৌ শাগে মচাদা ওঙদুনা পানখিরম্মী। অদুবু ঈকুই কুইদনা মহাক্লা লৈনুং-খমনুং লৈপাক্কী লৈমরেন ওইরিঙেদা মহাক্কী লোন্নবী মনাউ ওইখিবী লৈনুং থোংখোঙ শেনবগী মমোম শকহেনবী লৈমা লাইনাউতাবীসু অমুক হন্না মাগী লোন্নবী মনাউ ওইরবদুনা হন্দক্কী য়ুম্বান খোঙফম অসিদসু মহাক্কী মপুন্সিদা য়েৎলরে। মরম অসিনা মহাক মৈদিংঙু অপানবা পাখংবগী মপারী নত্রগা মমোম অমতা শাৎনখিদে, অদুনা নিংঙোনগী তম্পাক হাঙখি, মথানুংদা পারী-মমোম পম্বা ফংজখিদে।

মৈদিংঙু অপানবা পাখংবনা কুম্বী কুমওন ১১/১২ (তরামাথোই/তরানীথোই) পাল্লক্লবদা খাবা কাংলুপ, ঙানবা য়েকলুপ অমসুং চকপা কাংলুপ-ফুরুপশিং কাংলুপ অহুমগী মঙাই-মশেন অমসুং লাল্লোই-শীল্লোইনবশিংদু খাবা খুঙ্গী লীচিং মখাদা অমুক হন্না লাল্লোই লান্মী, খোঙমী-তেনকাপ মীশিং শেমগৎ-শাগৎত্তুনা খুৎকন-পাঙ্গল্লকখি। মৈদিংঙু পাখংবা অপানবগী খুৎনা নোংবান-নোংমাই অমসুং নুংবানশিংনা মখোয় মখোয়গী মশীন-মকাইফম, মশাইগোন-মরমখৈগী লৌ য়েংনরিঙে, অমগা অমগা থাপতোক্লরিঙে অমসুং খোয়জেন-লীংজেন মান্নদ-তীন্নদনা লৈরিঙেদা খাবা খুঙ্গী কাংবুনা কংলৈ লমদা লান্দারক্তুনা মৈদিংঙু অপানবা পাখংববু কুরমচীঙ (কংলাগী মনুংদা লৈবা চীঙ অমগী মমিংনি, নুঙ: অচৌ: খুং: লাই:) গী পুঙলেন-পুঙখোয়দগী তাহোকখি। মৈদিংঙু অপানবা পাখংবনা চীঙঙু অতিয়া শিদবা (ৱাংঙম কোনসৌরেন) না কৌব্রু চীঙদোন নাপোম চীঙয়াঙ-চীঙখাঙদগী খা-নোংচুপ্লোমদা খুনকুমখিবা লমদুগী পরীংদু ইন্দুনা কংলৈ পুঙময়োন্দগী হুইয়েন লাঞ্জেনখিরম্মী। অদুগা চীঙঙু অতিয়া শিদবসিনা চীঙঙু থংচীঙ কোয়রেন নিংথৌবা কৌনা চাবোক-চাদনা পানখিবা, কেগে পোকপা সরারেন, মোইরাং শাৎপা কশারেন ওইনা খুন্দাখিবা লোইবী চীঙ অমসুং লোকতাক খারা শা, তোংজেং পোপতেক হাদুনা খুন্দা-লৈতাফম শেম-শাখিবা পোইরৈ তমগী লমদমদুদা লাকখিরম্মী। মহাক্লা মহমশিংদুদা থুংলুবা মতমদি চীঙঙু আতিয়া শিদবা (কোনসৌরেন) না ওইবা চীঙঙু থাংজীঙ, কেগে পোকপা সরারেন্দু মহাক্কী মপোক-লাংওনগী মতম লোয়খিদুনা খোইয়ুম শকলোৎনা শাথুপখ্রবনা চীঙঙু খুবম হাঙদুনা লৈরম্লে। লৈরম-পাল্লম্লিবা মপা-মচা, মচীন- মনাউশিংনা ৱাংঙম চাদা-নাউদা ওইবনা মৈদিংঙু অপানবদি মশাগী মশা ওইরে। মরম অসিনা মহাক্লা "থাংজীঙ" হায়বা মিংথোল অসি লৌদুনা অনিশুবা থংজীঙ ওইনা কেগে মোইরাংগী থাংজীঙ চীঙজাওগী মাস্তক থায়ায়রোন্দা পানখিরম্মী। অসুন্না চীঙঙু থাংজীঙ খুবমসি অমুক হন্না কনখি।

খাবা খুঈগী-মপাঙ্গলগী খুৎনা লান্দারক্তুনা কংলৈ পুঙময়োনগী লমদম অমসুং কোনুং ওইবা কুরুমচীঙগী মফমশিং লানগায়নবগী মতমদুদা মীপুম খুদিংমক অসি মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা মানা মানা থোকপা, মখোয়গী মমিৎ-মখোঙনা পুবা মায়কৈদা লাঞ্জেন্নরকখি। মতমসিদা লাইস্রা, ওইবী লৈমা লাউতাবীনা নোংবান/অঙোম পুরৈরোম্বা অঙৌ/অঙৌবা, অঙোম সরারেন্দা চঙজদুনা থোইনু অহোঙবী (পা: লাই:, খুৎ: লাই: অমসুং খ: য়: স:, ১৯৬৭) কৌনা মিংলেন-মিংখৈ হোংদোক্লগা শেল্লোই লংমাইচীঙগী চীঙশা-নাপোম অমদা লোত্তুনা লৈখি (মথক্কীসিদা), অদুগা লাইস্না মিংথোনখ্রবী লৈনুং-খমনুং লৈমা লাইখুরোম্বীনা কৌব্রু চীঙজাওগী কৌবা মপু নিংথৌ কৌবরেন, চারীক মপান থাবা, নোংথৈ মউ লীংবা, অৱাং কৌব্রু অসুপ্পদা চঙজখি (থি: না: খুৎ: লাই)। কৌবরেন্না লাইস্নাবু কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোন মনুংগী মফম অমদা কনাসু খঙহন্দনা লোত্তুনা থম্বীখি।

কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙগী পুঙলেন অমসুং মসিনা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাবা লৈপাক নত্রগা লমদমশিংদি খাবা, ঙানবা অমসুং চকপগী কাংলুপ-ফুরুপশিংনা অমুক হন্না পানখিরম্মী। খাবা কাংলুপ অমসুং মখোয়গী লাল্লোইনবা, শীল্লোই-শীনশূমিন্নবা অমদি মঙাই-মশেন ওইনবা ঙানবা, চকপনচিংবা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী অপুনবা লান্মীবু লুচিং -লাঞ্জিংবা খাবা খুঈনা নোংবান/অঙোমগী অঙৌবা পুরৈরেম্বা, সরারেন অরিবা হায়বা মিংথোন ফংবসিগী মফমদা চঙদুনা মমোম লাংলেন অশেম-অশাবী ওইরিবা লৈনুং-খমনুং লৈমা লাইনাউতাবীনা মিংহোং-মিংলোত্তুনা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী চীঙ্গোনগী লম/মফম অমদা থোইনু অহোঙবী কৌদুনা লৈরিবী লাইস্রানা নোংবানলোন (অঙোম চনু/নিংঙোন) শাদুনা "নোংমোইনু (নোংমাইনু) অহোঙবী" থোন্দুনা নুপী থাজ-য়োঞ্জবগী মমল (Bride Price) মতীক চানা পীদুনা খাবা খুঈনা মাগীদমক হায়ন-শীঙনবদা থাজরকপদগী মখোয় অনি লুহোঙ-খোঙদোংদুনা লৌন-লৈনদুনা পানমিন্নখি।

খাবা খুঈনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙদা পানবা কুমওন-কুমশীঙ ১১ (তরামাথোই)রোম শুরক্লবদা অপানবা পাখংবা (অনিশুবা থংজীঙ কোয়রেন নিংথৌবা) গী ময়াম্বুংগী মপারী নাইতোম তোমপোকপা নোংদা তুকুপ্পীক্লা শেল্লোই লংমাইচীঙগী চীঙশা নাপোম কয়াদা তোংঙান-তোংঙান্না ময়ুম ঈংখোন লীংদুনা পান্নরিবা নোংবান অঙোম, শেল্লোই, লংমাই /নোংমাইশিংগী ফুরুপশিংগী কাংলুপ, নুংবান/লুৱাং লংমাইবগী ফুরুপ অমসুং লংমাই ৱাইরোক/ৱারোক-চীঙদা পানবা থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং)গী ফুরম অমগগী ঙাইশেন ওইনরবা, খুন্দা-লৈতামিন্নরবা কাংলুপশিং পুনশিনদুনা অঙোম সরারেন, নোংবান পুরৈরোম্বা অঙৌবগী লাঞ্জিং মখাদা খোঙমী-লান্মীগী অপুনবা তেঙ্গোন অমা লীংখত্তনা অৱাং ফাৎলৌ লাইমকোন্দা লান্দমশঙ অমসুং লানশঙশিং লীংখত্তুনা লান্দম্লগা, লান ঔরায়রগা অমসুং লানগী শাজেন নীঙথিনা তৌরগা লান্মী তেঙ্গোন

অদুনা চীঙখৈরোমদগী হৈঙাংগী হনচীঙ চীঙমৈ শম- ফাত্তুনা লাক্লগা খাবশিংগী মহুম মকোন ওইরিবা কংলৈ পুঙময়োন্দা লান্দারকখিরম্মী। নোংদা তুকুপ্পীক অমসুং মহাক্কী লাল্লোই-শীল্লোইনরিবা কাংলুপশিংগী লান্মী তেঙ্গোন অদুনা খাবা খুঈগী লান্মী তেঙ্গোনবু মায়থীবা পীদুনা খাবা খুঈবু হাৎখি অমসুং নোংদা তুকুপলীক্লা মখুরা অপানবনা হান্না পাল্লম্বা মরমদম-মরৈপাকপু হন্দোরকখি। খাবা খুঈ অসিবু ৰাংঙম/মৈতৈগী মরক্তা খুঈয়োঈ তোম্পোক হায়বা মিংখৈসিগী মখাদা পুশিন্দুনা থম্বীরম্মী। অদুবু মৈতৈ লাইরিক খরনদি মহাকসি অতোপ্পা শক্তম অমসুং তোংঙানবা লমচৎকী অমসুং য়েক্কী মীওই ওইনা পীবীরম্মী।

নোংদা তুকুপ্পীক্লা কংলৈ পুঙময়োন অমুক হন্না লোই চন্দুনা খাবনা লুচিংবা কাংলুপ-ফুরপশিংবু তাম্থোকখি। অদুগা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙ নত্রগা পুরুম তাইবীলোক নত্রগা থেঙগ্রুম চীঙদা অমুক য়ুম্ফম ফম্বীরেন লীংখত্তুনা পানবা হৌখি। অদুগা খাবা খুঈনা তাল্লোই ওইনা লৌরম্বা নোংমাইনু অহোঙবী, চেংলৌ শকহেনবী অদুবু খাবা খুঈ লৈখিদ্রবদা কৌবা/কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী ঙমখৈ মনুংদা পাল্লিবা মোইরাং কাংলুপকী ঙাংহুম্থোক্কী চাদা-নাউদাগী মোইরাং ফুরুপ, কৌবা/কৌব্রুগী লমখৈ মনুংদা লৈবদগী কৌবা হায়না ফুরপকী মিংথোন্নবা অদুগী কৌবরেন মচা অহনবা (কৌব্রুগী লমদমদা খ্বাইদগী ঈহান হান্না মোইরাংগী ওইবা মীওইনা খুন্দাবা) কৌবা অঙাংঙা, হায়বা লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী মিংথোন কৌব্রু হায়বসি ফংজবা মীশক্তুদা মচা ওইনা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। মদুদগী মহাক কৌবা অঙাংঙাগী মচানিংঙোন ওইদুনা মমিং মিংলেন্না "কৌবরোন (কৌব্রুগী লমখৈ মনুংদা খুন্দাবা মোইরাং ফুরুপকী চনু নত্রগা নিংঙোনগী মিংথোন্নি) নামোইনু" থোন্দুনা চীঙখোঙ পোইরৈতোন লৈনুং লৈমা লাইখুরোম্বী অমসুং লৈনুং থোঙঙারেনগী মিৎয়েংশিংসিদগী লোৎননবা অমদি লাপথোক্লবা হোৎনখি। মরমদি মহাকসি মখোয় অহুম অসিগী মফমদা মরান লঙজরবনি। মহাক্লা লঙজরিবা মরাল অমদি নুংশিববু মীনম্বনি, অদুগা অতোপ্পা অমনা মীগী মকাদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না য়েৎপনি। মরম অদুনা মহাক্লা মখোয় অহুম্মকপু ঈকাইবনা উনবা ঙমখিদে অমসুং উননীঙখিদে।

লাইখুরোম্বীনা লাইস্না ওইনা অমুক মৈতৈলৈমা ওইবা

নোংদা তুকুপ্পীক্লা পলেম মমা নোংদা নোংখল্লেম্বী নত্রগা লৈনুং য়াবীরোক্কী মথৌরাং-মখুজীন্না সরারেন অরিবশিংবু শক্কী লাংনা ফাদুনা মাগী লৈজবা পুম্বা কখোকপগী মহৈনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙগী পুঙখোয় নেৎলবদা লৈনুং-খমনুং লৈমা লাইখুরোম্বী লাইস্নানা মালেম লৈনেমথক পোইরৈ তমলৈপাক লমদমসিদা অমুক হন্না হল্লকখি। মতমসিদ মিহাকসি সৰা কংলৈদা মহাক্লা খমনুং লৈপাক্কী লৈমরেন ওইদুনা

পাল্লিঙৈদা লৈমিন-পানমিন্নরকপী মতারোই-মখোয়নৌ তরুক (১) মহুমনু (২) লফুৰী তোনথাংনু, (৩) থোইনু, (৪) চীৎনু লৈমা (৫) লৈমা অৰাইনু/তানু অমসুং (৬) থেরে লোংবচনু থিবা লাকখিবনি (পু: লাই:খুৎ: লাই:)। মখোয় তরুক অসিগা মহাক মশাগা থারগা মখোয় তরেৎ অসিবু লাইস্না হেল্লোই (চেংলৌ শকহেনবী লোইনবী লাইস্নাগী মখোয়নৌ) তরেৎ হায়না মৈতৈ লাইরিকশিংনা পীরি (মথক্কীসিদা; লৈথক-লৈখা; খুৎ; লাই: লৈশেম: অরি:, খুৎ: লাই: অসিনচিংবা)। মতমদুদা লৈমা লাইস্নানা তম্পাক লমদম থোক্লকপা অসিদা নোংদা তুকুপ্লীককী অঙম-অথৌ, অকন-অরিংশিংনা চেংলৌ শক্লা হেনবী, পুনুং লিননা ঙানবী ওইবী চনুরা মহাকপু থেম-নৌদুনা নোংদা তুকুপ্লীক্তা ওঙহনখি। মৈদিংঙু নোংদা তুকুপ্লীক্লা "নোংদা লাইরেন পাখংবা" হায়বা ময়ুম কাংলুপশিং ৰাংঙম, নোংবান, শেল্লোই-লংমাই/ নোংমাই, নুংবান (লুৰাং) লংমাইবা অমসুং থাংয়িগী লুচিং-লাঞ্জিং-ফমগী মিংঙ্গল-ফম্বাল মিংথোন-মিংঙ্গন) সি লৌদুনা ময়ুম কাংলুপ ফুরুপশিংগী লৈঙাক-ৰায়েন-থৌদা তৌনবা লৈঙাক-লৈকনগী-থৌদাং লৌনবা, খুনশেম লৈশেম্বলচিংবগী থৌগায় পায়নবগী লুচিং-লমজিংবগী ফম্বাল কাবা অমসুং তোংবদা লৈমা লাইস্নাসু "মৈতৈলৈমা লাইস্না হৈরোঙ নিংথৌ হৈরোংলেন লোংজুম্বা চনু" হায়বা ফম্বাল মিংঙ্গনসি লৌদুনা নোংদা লাইরেনগা ফম্বাল তোংমিন্নখিরম্মী (খ: য়: স: ১৯৬৭, ১৭-১৮)।

মৈতৈলৈমা ওইনা লাইস্না

নোংদা লাইরেন পাখংবগা মৈতৈলৈমা লাইস্নাগা মতৈ মনাউ অনিসি মা-মাগী মী-কাংলুপ-ফুরুপ তীন্নদে। পাখংবনা ৰাংঙম/মৈতৈ মীরুপ কাংলুপকী লাই (Lai) মী-কাংলুপ/ফুরুপকী মনুংদা চল্লি। অদুগা লাইস্নানা লৈনুং-খমনুং লমদম/লৈপাক্কী পোই কাংলুপ-ফুরুপ (Poi or Pai/Payi section of the Tai race)তা চিংঙি। লাই কাংলুপসি অৰাংবা লমদম (High land or Heaven) দা পানবা অমসুং লৈনুং পোই কাংলুপসিনা অনেম্বা লমদম (Low land on Neither land/world)দা পানবা / লৈবা কাংলুপশিংনি। মরম অুদনা লাইস্নানা নোংদা লাইরেন পাখংবনা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা লৈঙাক-থৌগায়গী মথৌ-মঙম তৌদুনা লৈখিবনা মহাক্কী মনাক্তা লৈতবদুদা পাখংবসি অতোপ্পা নুপী লোইনরব্রা হায়না য়াম্না চিংনখি অমসুং মশামক্লা মচীন্না থোক্লা হংখি। অদুবু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মখোয় অনিগী মী কাংলুপ- ফুরুপ খেন্নবনা মচৎ-মনাৎ খেন্নবনি হায়দুনা শেংদোকখি অমসুং থবক-থৌদৌনা মদুগী খুদম উৎখিরম্মী। অসুম্না মশাবী-মশানৌ অনিগী মরক্তা লৈরম্বা চিংনবগী পল অদু নমখায়খিদুনা মৈতৈ লৈমা লাইস্নাসি পাখংবগী লাংবন তৌস্না তৌরীক লাইনা চকমোম তেমখাঙ লোনখি। মতৈ মনাউ অনিসিনা লৌন-লৈনদুনা পানবা চহী কুমওন খরগী মতুংদা মপারী অনি মমিং ওইনা

পল্লবদা (১) য়োইচীঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গৈমোংবা অমসুং (২) য়োঙ্গৈহেতোন তাউথিংমাং অমদি মমোম লাংলেন তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী (অনিশুবী) নত্রগা লৈমা লাইরোকলেম্বী শাৎন-পোক্লখি। অসুম্না লৈনুং-খমনুং লৈমা লাইখুরোম্বীনা লৈমা লাইস্না ওইদুনা নোংদা লাইরেন পাখংবগী তাল্লোয় মতু ওইদুনা মৈতৈলৈমা (Meitei queen) ওইনা পানখিরম্মী।

খাবশিংগী লানহৌ ঃ

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা কুরুমচীঙদা পাল্লকপা কংলৈ পুঙময়োন ঙাক্লকপা কুমওন খরগী তুং, অঙাং-নৱা ওইরিবশিং-য়োঙ্গৈচিঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গৈমোংয়না মশাগী চহী ৭ (তরেৎ) মশানৌ য়োঙ্গৈহেতোন তাউথিংমাংনা মশাগী চহী ৫ (মঙা) অমসুং মমোম-মচন লাইরোকলেম্বী কুমওন ৩ (অহুম) রক লেল্লকপগী মতমদা হান্নদগী লাল্লোই-শীল্লোইনবা মচীন-মনাউ ওইবা অমসুং চারৌ-মৌরৌনদুনা মঙাই-মশেন ওইনবা কাংলুপ-ফুরুপশিং-খাবা, ঙানবা অমসুং চকপশিংনা খাবা নোংজেংবগী লুচিং-পরমদা চহী কয়া চঙনা অনৌবা খাবা-ঙানবা-চকপগী অপুনবা খোঙমী-লান্মীগী মপাঙ্গল শেমগৎ-শাগৎলগা ফোঙ্না লানহৌরকখি। মখোয়না পুরুম তাইবীলোক্কী নোংদা লাইরেন পাখংবগী কোল্লোয় মশঙ্গায় তম্না লান্দারকখি। হান্ননা লানগী থৌরাং-করিসু তৌহৌদবনা খাবা, ঙানবা অমসুং চকপশিংনা লাকচখিদুনা নোংদা লাইরেন পাখংবা অমসুং মহাক্কী ৱাংঙম খোঙমী-লান্মীশিং, লাল্লোইবা মঙাইশিংদু মায়থীদুনা মখোয়গী খোইফু -মহুম ওইবা কংলৈ পুঙময়োনগী হুইয়েন লানশঙ অদু কায়খি। লান্দারকপা অদু ঙাকথোকপা ঙমদদুনা নোংদা লাইগী খুৎকী কাংবুদু মহৈ-মহৈ মানা-মানা থোকপা লাঞ্জেন্নখি। নোংদা লাইরেনসু মহাক্কী ঈমুং-মনুংগী নুপী-অঙাং অমসুং মতু-মচাশিং লোইনা-থিনবা নংখিদে অমসুং মহাক্তি লাইস্না অমদি মচাশিং হন্দোক্লম্লগা মখুরা থোকপা পাখংবা অপানবনা থংজীঙ ওইদুনা পাল্লিবা থাঙহি ঙাঙঙোই লমদম কেগে চাওপুঙ, মোইরাং শাংবয়ায়দা লাঞ্জেন-লাম্থেখি।

মৈতৈলৈমা লাইস্নানা খাবশিং অমসুং ঙাইরোইনবা খুৎকী খঙহৌদনা তকশিল্লকপা লান্দা অদুদা নোংদা লাইগী লাল্লোইনবা-খুৎলোইনবা খুৎনা লাম্বানবা ঙমদদুনা মায়থীবগী খোঙফমদা তারদুনা হুইয়েন লাঞ্জেন্নবদা অমসুং মপুরোইবা নোংদা লাইরেন্না মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা খায়ন-কায়নদুনা লাঞ্জেনখ্রবা মপারী মচানুপা অনি অমসুং মমোম-লাংলেন অতোনবীবু শমু মখুৎ শম্না পুদুনা লাঞ্জেনখিরম্মী। মহাক্না অদুঙৈ খাবা খুঈগী লানহৌ-লান্দাদা চঙফম লৌদুনা মশা কঞ্জখিবা কৌবা মপু নিংথৌ কৌবরেল কৌব্রু অমসুং কৌনু লৈমরেনগী মকাইফম কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙদোনদা পলেম-পম্থৌ শকপা অনিগী মশাইগোন্দা লাঞ্জেল্লকখিরম্মী (থি: না: খুৎ: লাই:)। মফমদুদা মপারী অনি অমসুং মমোম

অতোনবী লোইননা চঙজফম লৌদুনা লোত্তুনা লৈখিরম্মী। খাবশিংগী খুদক্তা লান্দবগী ঈরাং অমসুং অফং-অফংবদা তকশিন-তকথবগী খোঙথাংদুনা খর নেমথরক্লবদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী ঈ-পাউ লোন্না লোন্না লৌবা অমসুং মহাক্কী লৈফম-লোংফম থিনবা হোৎনদুনা লৈখিরম্মী। অদুবু অকোনবগী লানগায়নবা অসিগী মতুং চহী কুমওন ৯ (মাপন) লোমদি মপুরোইবা নোংদা লাইগী শউম অমসুং শামিন অমতা ফংলমদে।

লাইস্নাগী থৌরাং-থৌশীন ঃ

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা ঙাংঙোই মকাইফম কেগে মোইরাং লৈপাক অতাম্বদা হুইয়েন লাঞ্জেনফম ওইদুনা কেগে থংজীঙ কোয়রেন লাইদা চঙজদুনা মোইরাংদা শকলোৎপা ওই, কেগেদা মীরোৎ ওইনা লৈখিরম্মী। মহাকপু মোইরাংগী মপু থংজীঙনা অতোপ্পা মীওই-মীরান্না পঙখঙ-খঙলোয়দবা, মীতোপ-মীয়ান্না পঙউ-উরোয়দবা মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌ নত্রগা কেগে-ঙাংঙোইগী লোইরেন সনাপুঙ কৌবা মফম/লমদমদা থমখি-লৈহনখিরম্মী। লমদমসিদা নোংদা লাইরেন অসি মোইরাং কাংলুপকী মুংয়াং মী-ফুরুপকা লৈমিন-পানমিন্নরম্মী। য়ুমগী নুপী অঙাং য়াওদনা লৈবনিনা লাঞ্জেন-লাল্লোৎলকপা ওইবগী ৱাফম অমসুং মদুগী ৱাখন্দু কাউথোকখিদুনা মুংয়াং ফুরুপসিগী খুল্লাক-লুচিংবা "মুংয়াং চাও" কৌবগা তোরোৎ-খাদানবা, চেৎনা-চান্না তীন্ন-তোৎনবা হৌরকখি। মসিনা মাগী ঈমুং-মনুংগা চামিন-থকমিন্নবা, কোইনা-হঙ্গোয়নদনা লোইনরকখি। মদুনা মুংয়াং চাওগী তাল্লোই "য়ুনম" কৌবী মুংয়াং য়ুমঙাকপীগা নকশিন্নবা হেল্লকখি, শকহেনবী নুজাদুগী শুমহৎয়াইনসু পাখংববু শুমহৎখিরম্মী। অদুনা মতম খরগী মনুংদদি পাখংবনা য়ুনমবু লোইতান্নখি, ঈনুং ফমজাওনুংদা হকতীন-শাতীন্নবগী কুম্মৈ শান্নখি। মসিনা য়ুনমগী পায়ম লিনগোয়নুংদগী নোংদা লাইরেনগী মপারী অনি, মমিং পল্লবদা ৱাংঙমনহা মুংয়াং চাওবা অমসুং মনাওনুপা ৱাংঙম নহা তাক্রু লুময়িবগা শাৎলকখি (খাঃ য়ুমঃ খুৎঃ লাইঃ)। অসুম্না চহী কুমওন ৯ (মাপন) লোম নোংদা লাইরেন পাখংবা মোইরাং লোইরেন সনাপুঙ (থম্বান নোংশারৌ) দা নোংবান-নুংবান, খাবা-ঙানবা, চকপা-তাংবনচিংবা কাননসু খঙদনা থুপ্তুনা লৈখরম্মী।

খাবা নোংজেংবগী লানহৌ মতুং চহী কুমওন ১০ (তরা) শুরবদা মৈতৈ লৈমা লাইস্নানা অরোনবা পাউগী লীখুন অমদগী মহাক্কী পীবুক্লুংগী মপারী অনি য়োঈমোংবা অমসুং তাউথিংমাং অমদি মমোম লাইরোকলেম্বী পোক্ল-শাৎনরিবা পম্ভৌ মপা, মশাবী ৱাংঙম নিংথৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌদা শাথুপ্তুনা লৈরে, হায়বসি খঙলকখি। নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈ পুঙময়োন্দা পানবা মতমদা ৱাংঙম খোঙমী-লান্মীনা মতীক-মপাঙ্গল শোন্থখিবসি হান্না ৱাংঙম-মৈতৈ লান্মীগী শৌগৎ-

পমখৎনবগী শৌরা-পান্বে ওইরম্বা নোংবান/অঙোম পুরৈরোম্বা নত্রগা সরারেন অরিবগা লাপথোক-থাপ্তোক্লরকপা অমসুং মখোয়গী চৈঙাক-উঙাক ফংলক্তবদগীনি, হায়বসি মৈতৈলৈমা লাইস্নানা নীঙথিনা খঙলকখি। হায়রিবা শেল্লোই-লংমাইচীঙদা কাইদোংলকপা হান্নগী শারোই-লাল্লোইবা ফুরুপ-কাংলুপশিং- থাংয়ি-চেংলৈগী ৱাইরোকচীঙ তাবা ফুরুপ, নুংবান লুৱাং লংমাইবা ফুরুপ, শেল্লোই ফুরুপ, লংমাই /নোংমাই ফুরুপ অমসুং নোংবান/অঙোমগী য়ুমলেন ফুরুপ্না ৱাংঙম-মৈতৈগী লান্মী শীঙলুপ্তগী লাপথোকখ্রিবসি নোংদা লাইরেন পাখংবনা শেল্লোই লংমাইগী চীঙ্গোনগী লমখৈ-লমকন্নুংদা খুন্দা-লৈতাবা (মরু ওইনা তাইতল সনাচীঙদা) চীঙখোঙ পোইরৈতোন, মৈতৈ লৈমা লাইস্নাগী মবুংদা হেঞ্জিনবা পুক্নীঙ থম্বা, হেন্না খোয়জঙনা লোইন-তীন্নবা অমসুং লৈনুং য়াবীরোক, নোংদা লাইরেনগী অপোকপী পলেম মমা লৈখিদবদগী নোংবান/অঙোমগী অঙৌবা পুরৈরোম্বা/সরারেন্না থাপ্তোক-লাপথোকখিবনি, হায়বসিসু মৈতৈলৈমা লাইস্নাগী মমিৎমক্না উরবা থৌদোকশিংগী ৱাফমনি। মরম অসিনা মহাক্না মনু-মনেম ঈবেম্মা লৈনুং য়াবীরোক্না তম্বী-তাকপীরম্বা লীক্লম-খোঙ্গুল ইন্দুনা কায়না-খায়নরিবা পুন্নমকসি তাইশিন্নবা হোৎনখি। মহাক্না শেললোই-লংমাইচীঙদা চত্তুনা অঙোম পুরৈরোম্বদা হায়জখি, মতেং পাংবীনবা নীজখি। অঙোম পুরৈরোম্বনসু য়াবীখি, নোংদা লাইরেনগী তাউরোইনাই শাদোং ওইবীরগে তাকপীখি। অসুম্না মৈতৈ/ৱাংঙমগী হান্ননা মঙাই-মশেন, মরুম-মপাং, লাল্লোই শীল্লোইনবনচিংবা ওইরম্বশিংদু অমুক হন্না মৈতৈলৈমা লাইস্নানা খোমজিনখি। অদুগী অপুনবা ৱাংঙম খোঙমী-লান্মী তেঙ্গোন অমা অমুক হন্না শেমগত্তুনা হান্নগী মপাঙ্গলদু ফংনবা নুপীচা ওইবী মৈতৈলৈমা লাইস্নানা থৌশীন-থৌরাং তৌখি।

পোইরৈ মৈত্রবাক্কী ময়ায় লম, কংলৈ পুঙময়োনগী অকোয়বদা ৱাংঙম লৈঙাক শৌগৎনবা অপুনবা মপাঙ্গল অমা অঙোম পুরৈরোম্বগী মখাদা শেমগৎ-শাগত্তুনা থম্লে। অদুগা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী লমকন্নুংদা য়ুমদাংবী ওইনা লৈরিবী মৈতৈ লৈমা লাইস্নানা মবুং ওইবশিং অমসুং ৱাংঙম চৈঙাক ওইবশিং থম্মল্লগা মপারী য়োঙ্গমোংবা-তাউথিংমাং অনি অমসুং মমোম ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী পুদুনা মপুরোইবা উনবা মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌদা খোঙগুম্লকখি। মফমদুদা মপুরোইবগী মনাক্তা লৈখিরম্মী। মতমসিদা নোংদা লাইরেন পাখংবদা ওঙদুনা মপারী অনি শাৎলবী মুংয়াংলৈমা য়ুনম কৌবীদি মপারী অনি পুরগা মহাক্কী হান্নগী মশাবী মুংয়াং চাওগা অমুক হন্না হঞ্জিন্নদুনা পানমিন্নখি।

মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মোইরাংদা লাক্তুনা ঙাংঙোইগী লমদমদা পাল্লবা অসিদগীদি নোংদা লাইরেন পাখংবনা মতোন থংজীঙদা হায়জদুনা পোইরৈ মৈতৈ কংলৈ পুঙময়োন্দা পাল্লিবা খাবশিংগী মথক্তা লান্দানবা খোঙমী-লান্মী অমসুং ঈশিংগী লান্মীগী তেঙ্গোনশিং

শেমগৎপা হৌখিরম্মী। মোইরাং লৈপাক্তা লান্মী-লাল্লোইশিং খোমগৎপা অমসুং অতৈ থৌরমশিংগী থৌপু-থৌপাংবদা মৈদিংঙুগী মচাঈবুংঙো য়োঈমোংবনা কেগে ঙাংঙোইগী মীওইশিং অদুগা অসুপকী মতীক লোন্দীন্না তোরোৎ-খাদাননা অমসুং লুনা-চান্না তীন্না-তোৎননা তৌবীখি, মদুদি, ৰাংঙম নহা য়োঈমোংবা মহাকপু মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌ, ঙাংঙোইগী লোইরেন সনাপুঙদা লৈবা মীনি হায়দুনা-"ঙাংঙোই য়োঈমোংবা"-হায়বা মিংথোল পীখি। মোইরাংদা থংজীঙগী মতেংনা শেমগৎলিবা পাখংবগী খোঙমী-লান্মী অসিগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন্দি লীকাপ-তেকাপ হৈরবা, লীশূ-তেনশূ চঙখোল্লবা মোইরাং চাওবা মেল্লৈবা, শবোন/শৌবোল শানৌঙম্বা কৌবা লাল্লোইরেন্নি। মহাক্না লমজিং-লমতাক্তুনা লানগী শাজেন কন্না তৌরম্মী। অসুন্না লান্দানবগী থৌরাং পুন্নমক শেম শাবা লোয়রবদা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা লাল্লোই খর থাদুনা নোংবান পুরৈরোম্বা অঙৌবা সরারেনবু মোইরাংদা লাক্নবা পাউকৌরে। অঙৌবা পুরৈরোম্বসু মহাক্কী অকনবা লাল্লোই খরগা লোইননা কেগে মোইরাংদা কুম্লক্লে, মৈদিংঙু নোংদা লাইরেনগী অনৌবা শেমগৎপা লান্মী তেঙ্গোনগা পুল্লরে।

নোংদা লাইরেন্না মোইরাংদগী লানগারকপা

নোংদা লাইরেন পাখংবগী অনৌবা শেমগৎপা খোঙমী-লান্মীগা অঙোম পুরৈরোম্বগী লান্মী-লাল্লোইশিংগা মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌদা পুল্ল-তীন্নরবদা পোইরৈ কংলৈ পুঙময়োন্দা খোঙ্গানবা কোরৌ নুমিৎ অফবা ৰাংলেন পুঙজা য়াইফবা অমা য়েংলে। অদুগা অপুনবা লান্মী তেঙ্গোন্দু অঙৌবা পুরৈরোম্বনা তাউরোইনাই ওইনা ঙাক-শেল্লগা নোংদা লাইরেন অমসুং কেগে চাওবা মেল্লৈবনা লুচিং-লাঞ্জিংলদুনা থম্বাল নোংশারৌদগী খোঙহৌদুনা খোঙশাল্লক্লে। কেগে লোক্তাক খোংবান্দগী ৰাকয়ৈ হি তোংদুনা লোক্তাক ঈশা ৯ (মাপন) লাননবা হিদোংখৎলে। নোংদা লাইরেন পাখংববু নোংবান সরারেন্না তাউরোইনাই হিরেন ওইনা হিদোংহন, মৈতৈলৈমা লাইস্নাগা মপারী অনি, মমোম লাংলেন অমগা লোইননা মোইরাং চাওবা মেল্লৈবনা লাঞ্জিংবা খোঙমী-লান্মীশিং, অঙোম পুরৈরোম্বনা পুরকপা ৰাংঙম অমসুং নোংবান লান্মী-লাল্লোইশিংনা হিয়াঙ-হিরেন তোপ্পা তোপ্পা তোংদুনা হি হোল্লকলে। মৈদিংঙু ৰাংঙম নিংথৌবু কেগে থংজীঙনা খুঙ খোংনা, মদাইরেম থারুক অশৈবা, মোইকায় থাবু লিবনা পেনা খুত্তা শূনা লমইন শৈরোন-শৈরাংনা লোক্তাক ঈপাক লান্নবা তোংজেং হিহোল্লকপদা পেনাগী শামৈ তৎলে। লৈনুং থারুক অশৈবনা পেনাগী শামৈ শম্না শম্না পেনা শেন্না শেন্না তাউরোইনাইগী হিরেন হোল্লকপদা লমলেন মদাইমা লাঙ্গৈাই শামুরৌ লমদমদা থুংলখি। লমদমদুদা থুং বা মতমদুদা লৈনুং থারুক অশৈবনা পেনা শেম্বসু লোয়জখি। মরম অদুদগী "পেনা শেল্লিঙৈদা শামুরৌ য়ৌই" হায়বা পাউরৌ-পাম্বৈ অদু থোকখি।

নোংদা লাইরেন পাখংবগী নোংবান সরারেন অঙোম পুরৈরোম্বনা তাউরোইনাই ওইনা পুরকপা, কেগে মোইরাংগী চাওবা মেৎলেবনা লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইবা লান্মী তেঙ্গোন্দু লোক্তাক তুবৎ লান্দুনা শামুরৌদা কংফান খোঙগারগা লাল্লম-লাম্বোঙ শীন্নদুনা পোইরৈ তম্পাক্কী ময়ায় লম কংলৈ পুঙময়োন তম্না কাখৎলক্লে। মোইরাং চাওবা মেৎলেবনা লাঞ্জিংবা তেঙ্গোনগী শরুক্না মাঙদা তেল্লোই-লাল্লোই লান্মী ওইনা চাওবা মেৎলেবগা শাগোন্নবা লান্মীশিংনা হান্না কংলৈ চঙগে মতাগুম খোঙকাপ লাওনা অমসুং য়াঙনা থাংদুনা চঙশিনখি। নোংদা লাইরেনগা শাগোন্নবা লান্মী-তেঙ্গোনগী লাল্লোইশিংনা মৈদিংঙুগী পুয়োক-পুকল্লোই ওইনা নিংথৌগী নাক য়েৎ-ওয়, মাঙ-তুং শেন্দুনা খুঙ, পেনা খোং, লাংদে পুঙখৎ তোয়না মাঙদা চৎপা তেঙ্গোনগী মতুং ইল্লক্লি। অঙোম সরারেন অঙৌবা পুরৈরোম্বনা লাঞ্জিং-লমজিংবা, মৈতৈলৈমা লাইস্না অমসুং মপারী-মমোম য়াওবা লান্মী তেঙ্গোন্না শমু নীঙদা খোম্না চিথ-নাম্বুবা পুম্নমক পুখৎলক্তুনা কংলৈ পুঙময়োন তম্না মাঙগী লাল্লোইশিং, খোঙমী-লান্মীশিংগী তুং ইন্দুনা লাক্লি। অসুম্না নোংদা লাইরেনগী লান্মী তেঙ্গোন অসিনা খাবা-ঙানবা অমসুং চকপগী কাংলুপ-ফুরুপকী খোঙমী-লান্মীনা পল্লোন নাইনা কোয়দুনা ঙাক্লিবা কংলৈ পুঙময়োন পুরুম তাইবীলোক্কী কোনুংদা লান্দাখি। খাবশিংনা হান্ননা লান্দারকপগী পাউসি ফংবনা, মখোয়গীসু লাল্লম-লাম্বোঙ শীন্দোক্লদুনা ঙানবগী লান্মী তেঙ্গোন অমসুং চকপগী খোঙমী-লাল্লোইগী তেঙ্গোন্না মপান্দা ঙাক্লগা খাবশিংগী লান্মী তেঙ্গোন, খাবা নোংজংবা, খাবা নোংঙানবা, অসিনচিংবা লাঞ্জিং-লুচিংবশিংনা মনুং থংনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙগী অকোয়বদা ঙাক্লম্মী।

নোংদা লাইরেনগী লান্দাবগী লান অসিদা কেগে মোইরাংগী চাওবা মেৎলেবা, শবোন শানৌ ঙম্বসি, মহাক্কী মচানুপা লোকপা লাইবা কৌবনা অৱাং কৌৱুগী লমদম "কৌবা লম্মহন" কৌবা মফমদা শাখিবা হু-তৈবা তেঞ্জে অদু লীরুংদা তেনগা থোং লাকা তেনমৈ লাক্লা পায়রগা ময়ামগী মমাঙ থানা লান চঙলকখি। ঙানবা অমসুং চকপগী কাংলুপ অনিগী ঙাক্লম্বা লান্মী তেঙ্গোনগী পল্লোন অনি অদু তকখায়-থুগায়দুনা হুয়েন-লাঞ্জেনহনখ্রে। হাৎনীঙলিবা খাবশিংগী খোঙমী-লান্মীশিংগা থেংনরগনি খনবদা কেগে মোইরাংগী খোঙমী-লাল্লোইশিংদু মপুক্লীঙদা লান শোক্লনীঙবগী অমসুং লান পাম্বগী ঈথক-ঈপোম হৌরকখি। মোইরাং চাওবা মেৎলেবদি মহাক্কী লাঞ্জঙবগী ফিভম-ফিরেপ, খোঙজং-খোঙফম্নচিংবা হোংদনা চঙলক্লি অমসুং খাবা নোংজেংববু থিরকখি। মহাক্না পুরুম তাইবীলোক্কী পুঙথক (লাংশঙ শঙলাংমৈ : কংলাগী সিতিডেন মথক্তা উত্রাগী মায়কৈ মরিগী কা ৪ গী মনুংদগী অৱাং থংবা কা) নত্রগা কুরুমচীঙগী পুঙখোয়দা খাবা নোংজেংবগা থেংনরম্মী অমসুং মফমদুদা মখোয় অনি লাম্বা তৌনদুনা লান শোক্লখি। লাম্বেংনবদুদা মোইরাং চাওবা মেৎলেবসিনা খাবা নোংজেংববু মফমদুমক্তদা হুগী তেন্দুনা

থাদুনা হাৎখি। মহাক্না খাবা নোংজেংববু হাৎপসিদা নত্তনা খাবা নোংজেংবগী মচানুপা "সঙঙাই তেন-হনবা অমসুং মচানুপী "কাংকম ঈচুপ্পী" অনিবুসু হাৎলগা মপা খাবা নোংজেংববু হাৎপা মফম, পুরুম তাইবীলোক্তা মখোয় মপা-মচা অহুম্মকপু মফমদুদা ফুঙ্গা লোংজুম শানা (ফুঙ্গাগী মখোঙ অমমমগী কাচীন অহুম নাইনা লৈবা অদুগুম্না ফুমখি (চাদা : লাই :, খুৎ লাই: অমসুং ন: খ: স:, ১৯৬৭, ৩-৪)। অসুম্না খাবগী কাংলুপ অমসুং মখোয়গী মচীন-মনাউ ওইবা ঙানবগী কাংলুপ, মঙাই-মশেন ওইনবা, চারৌ-মৌরৌনবা চকপা কাংলুপ —ফুরুপশিং অমদি থাংয়িগী ফুরুপ অমগী অপুনবা লাম্মী তেঙ্গোন্না ঙাক্লিবা কুরুমচীঙগী পুঙফমবু লান্দাদুনা লৌরগা নোংদা লাইরেন পাখংবা অমসুং মৈতৈলৈমা লাইস্নানা পুরুম-তাইবীলোক্কী লুচিংবা-লুচিংবীগী ফম্বাল অমুক হন্না হঞ্জিনখি। হায়রিবা থৌদৌ-থৌওং অসি মৈতৈলৈমা লাইস্না মনেম লৈনুং য়াবীরোক্কী পাউতাক লৌদুনা মপুরোইবগী ফম্বাল হঞ্জিন্নবা থৌশীল-থৌরাংবদগীনি। অদুনা মহাকসু মনেমগী লাংওন ওইনা য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা নত্রগা য়ুমজাও লাইরেম্বীগী শীঙদা চল্লি নত্রগা শীঙথাই।

পুন্সিগী অরোয়বা শরুক অমসুং শিবা

মৈদিংগুু নোংদা লাইরেন পাখংবনা খাবশিং তাঙ্খোক্তুনা অমুক হন্না ফম্বাল হঞ্জিল্লবদা মৈতৈলৈমা লাইস্না হৈরোঙ নিংথৌ চনুনা লৈমা লুচিংবী ওইনা পোইরৈ ৱাংঙম লৈপাক্কী খুনঙাক-লৈঙাকমিন্নখি। মতমদুগী পোইরৈ ৱাংঙম লৈপাক্তু য়াম্না পীকপা, নোংপোক্তা খুরাই অহোঙপু (হৌজিক্কী তেলীপতিগী খুনফম), খাদা ককৱা লামদাইবুঙগী পুঙফম, নোংচুপ্পা ৱাংথোনবী পুঙগী পুঙফম অমসুং অৱাংদা অচানবী কৈগী অহোঙপুঙগী পুঙফম (হৌজিক্কী কোইরেঙ্গৈ য়ৌদবা মফম) ফাওনা কোয়শিল্লিবা লমকল্ল অসিখক্তনি। খাবশিংনা মখোয়গী লৈপাক মুনখ্রবদা মখোয়গী মথক্তা লানহৌ-লান্দাদুনা লৈপাক অমুক হন্দোক্লবগী নোংদা লাইরেনগী ৱাখলদা ঈথিন পীখিবসি তশেংনমক লাইস্নানা পীবা, পুক্নীঙ থৌগৎপা অমসুং থৌনা-লিংজেন হাপ্পননি হায়বা খঙখি। নোংদা লাইরেন্না পানবা মতমসিদা লৈমা লাইস্নাগী থবক্কী খুদোল কয়ামরু য়াওখি অমসুং অতৈ নুপীশিংদগী হেন্দোক-থোইদোকপা থৌরম-থৌদা কয়ামরুমসু পাংথোকখি। মরম অসিনা মৈতৈলৈমা লাইস্নাবু য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা (মৈতৈ নিংথৌগী, মাগী ঈমুং-মনুং অমসুং মচা-মশূগী অঙাক-অকন্ন ওইবী, থোক্লগদবা থৌদোক মাঙজৌননা মালং শউম্না পাউতাকপী, লৈপাক-নিংথৌগী উকল ওইবি) ওইনা শীঙথাবদা নত্তনা মৈতৈগী মচৎ-মনাংকী পোৎলম-চৈরমশিং নৌনা পুথোকপী, খুদম ওইনা শারোঙফি ফিজেৎনবী (গু: ক: শ:, ১৯৮১, ৩৪), নিংথৌফি শাবা হৌদোকখিবী (নিং: শা: খুৎ: লাই:), কুমলং (অমুবা লংগী ফনেক/কানক শাবা হৌদোকখিবী, খামুচপ্পা হৌদোকখিবী, লৈ (অঙাংবা মচু) চপ্পা ফি হৌদোকখিবী, শমজীন

কোকয়েৎ পুথোকখিবী, ঈয়োং পাংদিং (হোরাইজেন্তেল লূম) পুথোক-হৌদোকখিবী, অসিনচিংবা শীনশূ-শীন্থাগী মমা ওইনা পীবী। অদুগা মৈতে মীরুপ (নেসন) গী য়েক (ক্লান) তরেৎমক পোকপী মমা ওইবগী মিংচৎ অসিসু মহাক্কী মমিংদা থম্মী। মৈতে শগোল কাঙজৈ শান্নবদা, লাই কাঙজৈ শান্নবদা হৈয়া-পোখা পীজবা হৌদোকখিবী ওইনসু মহাকপু শীঙথানৈ। মসিশিংসিগী মথক্তা অমুকসু মহাক্কী মবুং শাবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না মহাকপু লমদেং-লমহাম (হৌজিক্কী লমদেং খুন, নোংচুপ ইম্ফাল) গী মকাইফমদা চাক্কৌ-য়ুক্কৌখিবদগী পোইরৈ ৱাংঙম/মৈতৈগী মনাত্তা মবুং-মপ্পানা মচন-মচেবু চহী অমগী মনুংদা অমুক্তংদি চাক্কৌবগী-মচৎ অসি হৌদোকখিবগী ৱাফমসু পীরি। অদুগা অমুকসু হায়রিবা মবুংনা মচন চাক্কৌবগী অহানবা থৌরমসিদা পীজখিবা য়েনশাং মথেন খোই ঙানম (খোইগী মচা/মরূম্না ঙানম নম্বা, হায়বদি মহী হাপ্পনা মৈনীন-মৈশাদা মুনহনবা) অদুদগী খোইমচা/মরূমগী মওং-মতৌদুগী মতৌ তমদুনা য়েক্লবা/নম্লবা ময়েক্তু লোল্লগা মৈতৈনুপীশিংগী ফনেক (Loin/waist dress/gear of Meitei Females) ফিবান্দা খোই লোনবা (খোইজাও লোনবা/লোনবী অমসুং খোই অকোয়বী লোনবা/লোনবী)। হৌদোকখিবগী য়ুম্ফম ওইবগী মিংচৎকী ৱাফমসু পীবীরম্মী।

মৈতৈলৈমা লাইশ্নানা নোংদা লাইরেন পাখংবদগী হেন্না পুন্সি শাংবা, তুং কোয়না পালহৌবগী ৱাফম পীবীরম্মী। মহাক্কী মপুরোইবদি তাংজা শানওন্দুনা শান্নবা লিল্লাবগী শক্তম ওইবা ঙম্বনি। নোংমা মৈতৈলৈমানা লাইশ্নানা ফৌরাদা ফৌ ফৌরম্লগা পনম/লম্লক্তা চথোকখিদুনা মখোয়নৌ মতাশিং উন্নবা চৎখিরম্মী। ফৌরাদগী ফৌ অদুনা নাকন নামা কংলবা মতমদা নোংদা লাইরেন্না খোইয়ুম লাইরুপ তীল্লুবদগী মকোল্লোই/ময়ুমদা হনজিল্লকপদা শুম্যাঙদা ফৌ ফৌরম্বদু উরম্মী। মশানৌ মনেমমচা ময়ুমনুংদা লৈ, অদুনা লংনদুনা ফাগী তৌগে হায়না খল্লদুনা নোংদা লাইরেন্না তাংজা লিন অমগী শক্তম লৌদুনা শুম্মাঙদা ফৌরা মথক্তা ফৌরিবা ফৌ অদু মথক-মখা ওন্নবা ওৎকে হায়বগী মওংদা ফৌরা মথক্তুদা কাখৎলম্মী। মতমদুদা নোংদা লাইরেনগী মচাশিংবু শেন্নরিবা খাবা নোংঙানবা [মহাকসি খাবা নোংজেংবগী মথক্তা লান্দারকপদা য়াওখিবদুনি, খাবশিংনা মায়থীরবদা মহাক্তি নোংদা লাইরেনগী ফম্বাল মখাদা চঙদুনা লোৎলগা মথৱাই কনবীনবা হায়জবদগী কনবীখিবনি, অদুগা মহাক্না মখা তানা নোংদা লাইরেন্দা চঙদুনা নোংদাগী মচাশিং শঙবা, শেন্নবা অমসুং মহৈ তম্বীবা ওইদুনা লৈখিবনি, মহাকসি খাবা তৌশূবা (তৌ পায়বা) হায়না খঙনরকখিগনি] নোংদা লাইরেন্না লিন ওন্দুনা তৌরিবদু উরম্মী। অদুবু নোংদাগী মচা ("খূঈ" হায়না পী, য়োঈমোংবা ওইরম্বা য়াই) অদুনদি খঙদে। অদুনা মহাক্না লিন লাইরেনবুদি তৌনা থিন্দুনা হাৎকদবনি, তৌনা ঙম্বনি হায়বসি খঙদুনা অঙাংদুদা, লিননা ফৌ চাগদৌরে তাঙ্গোকলু, হাত্তোকউ" হায়না তৌ অমা পীরগা থারকখি। অঙাংদুনা

মপানি খঙদবনা তৌদুনা থিন্দুনা লিন অদু হাত্তোকখি। অদুগা লিন্দুগী অশিবা মশাদু নুংজেং পাত্তা লংথখি ।হায়রিবা মতমসিদা খাবা তৌশূবা (নোংঙালব) দি মহাক্না মতম কুইনদগী লমন খুমগে ঙাইরকপগী মথৌ অদু পাংথোক্লকবনিনা পুরুম তাইবীলোক্কী লমদমদু থাদোক্কুনা চেনখ্রে অমসুং মফম খঙদনা চীকমাঙনখ্রে।

মৈতৈলৈমা লাইস্নানা পনম চথোক্লুবদগী মরানয়ায়দা হঞ্জিল্লক্রে। শুস্মাঙদগী ফৌরাদা ফৌ ফৌরিবদু লৌশিনবা মতমদা মপারী অহননা থোকখিবা থৌদোক্তু পাউদল্লে। ৰাফমদু তাবদা লাইস্নাগী পুক্নীঙদা চিংনদুনা তাংজা লিনশক য়েংগে হায়দুনা নুংজেং পাৎপান্দা লাক্লে। তাংজা লিনগী অশিবা মশা নুংজেং পাৎকী ঈশিং ঈমায়দা তাউদুনা লৈরম্লে। অহানবা মিৎয়েং শানকৈবমক্তদা তাংজা লিনশক খঙলে, মশাবী নোংদা লাইরেন পাখংবনি হায়বদু উরে। খুদক্তুমক্তদা লাইজা ঈশিংদুদা চোংথদুনা মশাবীগী থৰাই য়াওদ্রবা তাংজা লিনশক ওইরবা মশা অদু খুঞ্জরে। খোইয়ম নোংদম্বগী খেৎফদ্রবা মনোংদমনা থোকখ্রবনি, অমুক হল্লকউ হায়বা য়াররোয়দবনিনা মশাবীগী তৌফম থোকপা পুরোয়-লৈকোয়বগী মথৌ মঙম তৌরে। পুরুম তাইবীলোক্কী পুঙখোয়দা মশাবীবু পোইরৈ খুনফংথৌ, ৰাংঙম নাইফংথৌ, লৈপাক পুবা অঙম-অথৌ অমসুং অকন-অরিংশিং য়াওনা মালেম লৈরোন চল্লে, অশি মংজল্লে।

লৈমা লাইখুরোম্বী নত্রগা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মশাবী মপুরোইবনা তাইবং মালংপান থাদোকখ্রবা মতুংসিদা মপারী অনি অমসুং মমোম লাংলেন অতোনবী পুন্সিগী কুম্মে য়েংদুনা চহি কুমওন খর লৈরে। মপারী অনিগী মহুই-মমৌ ফংলে, মমোম লাংলেনগী ময়া-মমাকসু ফংলে। অদুবু কপ্না লাকপা তাইবংপানসিদা মশাবী শেৎনবা, মশানৌ খায়নবশিংনা কপ্পগী পোলোয়ফম থম্লদে, তাইবং পুন্সি খল্লবদতা মিৎলু পীরাংগী পোলোয়ফম ওই। অদুনা মৈতৈ লৈমা লাইস্না পীরাংপিরোইননা তাইবং পুন্সি লোয়বা ঙাইরি। অদুগা মহাক্না তাইবং পুন্সি চেংজেন লোয়দুনা মহাক্কী শমু হকচাংনা মালেম লৈদা, তরং লাইজদা, মাল্লং নোংশীত্তা, খাম্বী মৈদা অমসুং কোরৌ নোংদা তীন্দুনা মহনফমদা হনখ্রবদা মহাক্কী য়াইবী থৰাই মঙা, মিগা থানা তরুক্না মনু-মনেম ওইবী ৰাংঙম/মৈতৈ নিংথৌ শাগেগী য়ুমজাও লৈমা ওইদুনা লৈরিবীদা তীনশিনখি। মরম অসিনা মহাক অসিসু মোংবা য়ুমজাও ঙানবী, মরান য়ুমঙাকপী, মশাইগোন মকৈ শঙবী য়ুমলৈমা, য়ুমজাও লাইরেম্মগী লাংওন অথোইবনি হায়না চেৎনা থাজনৈ অমসুং লাৎনৈ।

৪

লৈমা লাইনাউ তাবী (লাইশ্রা) ৱাহৌ-শৈহৌ

ৱাহৌদোক

... লৈমা লৈনাউতাপী (লাইনাউতাপী) খমনুং ঙানপা মপু নিংথৌ চনু, চইরই লাকা পানপাপু খোংখৈনপী, সুকমু থনপাপু ৱাঙনপা লাংয়া থনপাপু ৱাতেম পাচনু, চাখা খুনুং লইহনপনা পোকপী লইমা লইহননু, লাইচম থোংখোঙ সেনপা, চিঙয়া লাইফা তেংপা চিঙনুং থরো লাইহৎপনা য়েনপী খমনুং লওরী সেনপা সীঙকাঙ তাউপা, নুৱোক সেনপা, মথেল তইপাচনু পুরোয়লেমনুসু লিনকোয়কি খমনুং থোংঙাইপা ৱায়েন চুমপানা পোকপী, মপাম হেল লাননীকিতি মহও নুঙচোংচা লিলা হাওতমথীপু অহোঙ লাললূ তইনা সুংপাচনু (ম: চ: স: ১৯৭৯, ৪-৫)... ।

মথক্তা থমজরিবা "পোইরৈতোন খুন্থোক" কৌবা লাইরিক্তগী শক্তোক-লৌথোক্লকপা ৱাহৈ পরেং খরসিনা শক্তাক্লিবা খোইয়ুম-খোইমোম লাইরুপকী নুপী অসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নমু মীরুপ (নেসন) কাংলুপশিংগী লুৱাং/নুংপান অমসুং খুমন/ নোংয়াই হায়না খঙনবা কাংলুপ (মমৈথংদা য়েক) অনিসিবু চাদা-নাউদাদুনা পোকপী-শাৎপীরক্লিবী/শাৎখিরকখিবী মবেন্ধৌ লৈনুং-শৱা লৈমা লাইনাউতাবীবুনি। মহাক্কী অপোকপা মপন-পন্থৌ মপাগী মমিং মথক্তা থমজরিবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শক্তোকক্লবা ৱারেং মতেক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা অঙোম-চনু নিংঙোল, নোংবাল্লোন পুরোয়লেমনুসু কৌবী নোংবান/অঙোম মী কাংলুপ, মমৈদা অপুনবা মৈতৈ কাংলুপ অচৌবা মীরুপকী য়েক (clan of the Meitei nation) কী পুকোক (Immediate progenitor) অঙৌবা পুরৈরোম্বা, সারারেন অরিবা অহুমগী লুচিংবা নোংবান/অঙোম সরারেনগী মমোম-মচন অদুনা পোকপা মপারী, ঙানবা কাংলুপ (মতুংদা শল্লাই, খাবা ঙানবা য়েক্কী) কী পুকোক ঙানবা খমজিংকোন/খমচীংকোন হায়হৈবনি [মহাকসি কেগে- মোইরাংগী অনিশুবা থংজীঙ (অপানবা পাখংবা) গী তাল্লোয় লেরা/লীৱা লৈমা লৈশন থানবী নৎত্রগা অয়াং লৈমা কবোক চায়বী অহনবী নৎত্রগা কোয়রেনলৈমা ঙাংশাবীগীসু অপোকপা মপানি (মো: নিং: লম:, খুৎ: লাই:)]। অদুগা লৈমা লাইনাউতাবীসিগী-

অপোকপা পলেম মমানা শেল্লোই-লংমাইচনু অমনি, অশেংবা মমিং-মথাদি পীবীরম্রে, অদুগা লংমাই/ নোংমাই চনুরা নৎত্রগা অঙোম য়ুমলেনগী চনুরা,হায়বদুসু পীবীরম্রে।

লৈমা লাইনাউতাবীসি শক্লোন-মিংলোন য়াম্বী, অমসুং শানওন-শাইয়োন হকপীনি। মহাক্কী মিংথোন-মিংহুন্না লৈমা লইহননু/লৈহন্নু হায়বসিনি, অদুগা মতুং তারকপদা মতমশিংদা- "লাইস্রা, থোইনু অহোঙবী, নোংমোইনু/ নোংমাইনু অহোঙবী, কৌবরোন নামোইনু, অমসুং য়ুমোইনু (ইমোইনু) অহোঙবী"-হায়বনচিংবসি মথং-মথং মফম-মতমগী মতুং ইন্না কৌরকখিগনি অমসুং হোংলকখিগনি।

লৈমা লৈনাউতাবীগী পুন্সি-ৱারী

লৈমা লৈনাউতাবীসি পোক্লক-শৎল্লকপদগী মিৎচুম-নাচুম্মী, তীংদা-য়াঙদা ফজবী, চেংলৌ শকথোং হেনবী, পুক্নীঙ-ৱাখল লৌশিঙবী ওইনা মালেম তাইবংপান্দা ফাওরকখি। মহাকসি লিরী-খোয়রীবী অমা ওইবদা নত্তনা চেকশিন-লীকশিন হৈবী অমসু ওইরকখি। লৈমা লাইনাউতাবীনা লৈশাবী মপুঙ ফারক্লদুনা হকচাং কয়াৎশিংগী ময়াই হাপ্লক্লবা. য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা য়াররক্লবদা পলেম-পম্থৌনা থাজ-য়োঞ্জবীদুনা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবা কৌবা, খমনুং লৈপাক্কী সৱা কংলৈদা খুনলিংথৌ ওইদুনা পানবা নুপা অদুদা ওঙদুনা তাল্লোয় তুরোন্নবগী অতোনবী ওইদুনা য়ুম্বানবগী শৈহৌ ওইখিরম্মী। অদুগা মহাক মপুরোইবা থোংঙারেনগী মপারী -মমোমদি শাৎখিদে।

লৈমা লাইনাউতাবীনা পোইরৈতোনগা লোইননা তাইবং খুন্থোক্লকপা

লৈমা লাইনাউতাবী, লৈনুং লমদমগী খমনুং কৌবা লৈপাক, শৱা কংলৈ [হৌজিক্কী ম্যান্মারগী শেবো (SHEBO) টাউন অসি ওইবা য়াই] দা কোনুং ওইবদুগী লৈমখুবী নৎত্রগা লৈমা অতোনবীনি। মতমদুদা লৈপাক্তুগী অৱাং লাইনা পাংবরমদা লৈবা পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা য়াওরৌ শাওইবা নমু-পোংনা পান্দুনা লৈপাক লৈতাদনা লৈবা তাঞ্জানি। অদুনা পোইরৈ তমসিদগী নোংদা চীঙ্খনয়াঙ (শবি (Vole বু খঙনৈ) কৌবনা খমনুং লৈপাক্তা লাক্তুনা লৈনুং থোঙ্ঙারেন অহনবদা পোইরৈ তম্পাক্তা খুন্থোক্তুনা পাল্লুসি, চাওখৎ-খোঙথাং লৌখৎলুসি হায়না থেম্লম্মী। অদুবু লৈনুং থোঙঙারেন্না, "মহাক্তি খমনুং লৈপাক ঙাক্তুনা পাল্লি, খুন্থোকপা য়াদে" হায়রবদা ৱাংঙম তম্পাক্কী লমদমসি য়াইফ-নুংঙাই ওইগদবা লমনি, লেমনা থাদোকখিবা চুমদে হায়না খুন্থোরুনবা তকশিল্লক্লবদা লৈনুং থোঙঙারেন্না, মহাক্কী মনাউ নুপা অতোনবা চীঙখোঙ (লাইগী ঙমথং ওইবা মী নৎত্রগা নিংথৌমচা অমসুং ৱাংগোন নিংথৌগুম্বদা কৌন-হায়নবা মিংথোন/ৱাহৈ) পোইরৈতোনবু অৱাং পোইরৈ/ৱাংঙম তমলৈপাক্তা খুন্থোক্তুনা খুন্দা-লৈতারু হায়না য়াথং পীখি। মদুদা চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না মহাক্তি ময়ুম পান্দ্রি, পাখং ওইদুনা মপা হাঙলি,

মফমসিদা নুপী থিদনা/লুহোংদবনা নুপী য়াওদনা পাখং ওইনা লৈবসিনা মফমদুদসু পাখ্রা ওইনা নুপী য়াওদনা নুপী থিবা খঙদনা/ফংদনা অদুম পাল্লুরগনি, মীনোক চাওবা তাইবংনিনা শোয়দনা ঐবু নোক্লরগনি, হায়রিবা নোক্লবদু তাবা ঙমজরোয়, ঈকাইজে; অদুনা ঐহাক খুম্হোকপা ঙমজরোয়, হায়দুনা মশা কনথোকখ্রে (মথক্কীসিদা, ৮)। মদুদা লৈনুং থোঙঙারেন্না, মহাক্কী তাল্লোয় অতোনবী, নহা ওইরিবী মশক-মতৌ চঙখোল্লবী লৈমা লাইনাউতাবীবু মহাক্কী খোঙবু-খোঙলোই ওইনা লোইনখিদুনা হিংবা-পানবদা চঙগদবা মচাক-মথুম ওইবা পোৎলমশিং অমদি মখোয়দু পুথোকপা, শাবা-শেম্বা ঙম্বা মীশক-মীওইশিং পুন্নমক পুদুনা তাইবংপান্দা খুম্হোকলু, হায়না য়াথং পীরম্মী (মথক্কীসিদা, ৯-১১)।

লৈমা লাইনাউতাবীবু মপুরোইবা শৱা কংলৈ পুঙফাবা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা মনাউনুপা তাল্লোয় তুথি তমদ্রিবা, পাখংগী পুন্সি ওইরিবা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা লোইনা-খোঙলোইদুনা হাওরে লাইনা পাংবরমগী লমদম, পোইরৈ ৱাংঙমগী মরমদমদা খুম্হোক-খুন্দারু, হায়বা য়াথং পীদুনা থারকখি। ৱাংঙম-পোইরৈ মরমদম-মরৈপাক্তুগী চীঙলৈপাক-চীঙলৈকায় থুংনা কোয়, তমলৈপাক-তমলৈকায়গী তম্পাক লমদম শিন্না থুংনা চত্তুনা খুন্দা-লৈতাবদা শাফগদবা, লৈপাক-লৈহাউ চেনবা, নোংজু-নোংশা মরাং কায়বা, ঈশিং-নোংশীৎ ফবা, অমসুং চথোক-চৎশিন খুদোং চাগদবা, খুন্দা-লৈতাফম থিদুনা পোইরৈ লৈরীং-খুল্লীংলু, খুনবান লৈপাল্লু! মদুনা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা, হাৎনা-ঙনদুনতা লৈরবা লৈনুং খমনুংগী অৱাংলোমদা লৈরি-পাল্লিবা খুন্নাই অদুদা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন অমসুং লনতান-লনচৎলোনগী নুংঙাই, য়াইফবা ফংহন্নবা খুম্হোকলু। শাগুম-ঙাগুম পাল্লিবা নম-মু, তাই-পোং, চকপা-তাংবা, কবো-খামরন্নচিংবদুদা শেৎপা-চাবগী মরমশিং—-ফিশা-লোনশা, ফুশা-ৱানশা, থোপশা-লুকশানচিংবগী শীল্লম-শীম্হোঙশিং; হিংনা চাবা, ফুৎল-থোংলগা চাবা, লৌর-য়াইরগা চাবা চীঙ্গাক মখল-মথেলশিং অমসুং লৌউ-শীঙউ, শাদান-ঙাতানচিংবা হিরম-লমদাংশিংগা লোইন্ননা খুনবান-লৈপানগী লৈঙাক-খুনঙাক, ৱাতেম-ৱাতাইনচিংবগী মচৎ-মনাৎনচিংবা হৌদোক-পুথোক্লবা, শন্দোক-তম্বীরুনবা খুম্হোক্তুনা খুনবাল্লু হায়না য়াথং পীদুনা থারকখি।

লৈমা লাইনাউতাবীসি চেংলৌ হেনবগুম মশা-মউ তনান-তনানবী, শেৎলু-চারুবা ফিজোল-ফিজেৎ পুন্নমক্তা পকচবী, তৌথোক্লকপা খুদিংমক্তা চুনবী ওইবগী মতীক-ময়াই চেনবীসু ওই। মহাকসি চেকশিন থৌরাং হৈবী, তুংগী পোরোন-পোরম উবী, চৎন-লোনচৎকী চৎলম-পরম খঙবী অমা ওইবনিনা তাইবংপান্দা খুম্হোক্লবগী খোঙচত্তুদা চঙগদবা পোৎচঙ-চৈজঙশিং, শীনশূ-শীনথাগদবা মী-পোংশিং পুন্নমক্কী থৌরাং তৌদুনা-হিংনা চাবা য়াবা মরম (পোৎলম) ১০০ (চাম্মা), মুননা চাবা মরম ১০০ (চাম্মা),

ফৌগী ফৌরমগী মরম ৫ (মঙা) [তরা ফৌ, তোংনুফৌ, লীকসি খারোন-ফৌ, য়াইশেন-য়াইফৌ অমসুং চাজাক চাহাউ-ফৌ- (ম: চ: স:, ১৯৭৯, ১০] অমসুং চীঙখোঙ পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লাইনাউতাবী মশা থারগা নমু মীকোক ৫৫ (য়াংখৈ মঙা)- ১) তাপোৎশাবা, ২) তায়াল শাবা, ৩) হাওফি শাবা ৪) লাইফি শাবা, ৫) অন্তৌরীবা, ৬) শাগরীবা, ৭) চংনীংহেনবা, ৮) মোইফেংবা, ৯) মরী লীশাবা, ১০) মরাং লাংশাবা, ১১) তাঙখোক থাঙখোক তেনখোক শাবা ১২) তানমরোঙ শীন্নাইবা, ১৩) তান্তেক থাঙশাবা, ১৪) অমুবা, ১৫) অঙৌবা, ১৬) থৌঙানবা, ১৭) য়ৌঙানবা, ১৮) হিশাবা, ১৯) লৈফনবী, ২০) লৈরাম্বী, ২১) মীয়াইনু, ২২) থোঙঙাইনু, ২৩) লিরী লীফোঙবী, ২৪) মাঙৱাইবী, ২৫) তুংৱাইবী, ২৬) শাজী লাংকাপ্পী, ২৭) খাবা লাংথঙচা, ২৮) থীকনম-ফোইনম্বা, ২৯) চোপ্পা চোপ, ৩০) নোংতমশন, ৩১) চিংমা, ৩২) খমনুং মকারিবা খুংখোংবা, ৩৩) চকারীবী খুংখোংবী, ৩৪) তকুপ-তকাইয়াঙ ৩৫) খুন্‌মরোঙ অথৌবা, ৩৬) মায়মরোঙ অকনবা, ৩৭) শেরাই কংচা, ৩৮) অমুদোন লেরাবা ৩৯) চীঙচরোয় অমুবা, ৪০) খোইঙান য়ুশুংবা, ৪১) থোংনাং ময়াং ওইগদবা মী, ৪২) তখেন লাংনং ওইগদবা মী, ৪৩) শেনবী কবো ওইগদবা মী, ৪৪) চগোৎ তাংখুন ওইগদবা মী, ৪৫) তরাউ ওইগদবা মী, ৪৬) তরাং ওইদবা মী, ৪৭) মরিং ওইগদবা মী, ৪৮) খোইবু ওইগদবা মী, ৪৯) কবুই লমশাং ওইগদবা মী, ৫০) খারম ওইগদবা মী, ৫১) চকপা-তাংবা ওইগদবা মী, ৫২) কেগে মোইরাং ওইগদবা মী অমসুং ৫৩) পোইরৈ মৈতৈ ওইগদবা মীনা শাবা খুহোক-লুপ/কাংবু অমা শেম-শাদুনা থোক্লকখি। মখোয়বু নোংদা চীঙখনয়াঙ [ঙানবা খমজীঙকোন হায়হৈবনি হায় (খ: য়: স: ১৯৬৭, ১৮)] কৌবা পোইরৈ তম্পাকসিগী মী অসিনা লমচিংলগা খুহোক্লকখি।

মখোয়না খুহোক্লকপগী লম্বী অসি মৈতৈ তম্পাক্কী, তুরেন অচৌবা (ইম্ফালবু খঙনৈ) না মৈত্রবাক্কী তম্পাক অমসুং খাগী চীঙগোনগী চীঙনুং-মানুং ফাওরগা লৈনুং লমদম (হৌজিক্কী ম্যান্মারগী মৈতৈ কবো নৎত্রগা কাসে শানগী তম্পাক্কী লম) গী মচীন ওইবা লমদা তাখিবগী-পরীং, হৌজিক্কী সুগ্নুদগী কিলোমিটর ১২.৮ (তরানিথোই পোইন্ট নিপান) লোম লাপ্পা লৈরিবা চীঙনুংহুৎ ফাওরকপা লম্বীসি ওইরম্বা য়াই। লম্বীসি অহানবদা নুঙনা ফুঞ্জিন্দুনা চৎপা য়াদ্রবদা নোংতম শন (নোংদমশন) কৌবা (মশীঙ ৩০,) দা লৈরিবা) অসিনা হাঙদোক্লবা শেম-শারগা লৈনুং লমদগী থোরকখি। মদুদগী অমুক খর চৎলগা লম্বী ময়ায়দা পাম্বা কৈ তামা লৈদুনা চৎপা য়াদ্রবদা খোইঙান য়ুশুংবা কৌবা (মশীঙ (৪০) দা য়াওরিবা) অসিনা কৈ অদু তাহোক্লগা লাকখিরম্মী (ম: চ: স:, ১৯৭৯, ১২-১৩, ১৫-১৮) পোইরৈতোন্না খুনথোক্লকপসিদা লৈমা লাইনাউতাবিসি মতৈনা ওইনা অহানবদা লাকমিন্নবনি, অদুবু লমদম খর কোয়রক্লবা মতুংদদি মখোয় অনিসি লৌন-লৈনদুনা মতৈ-মনাউ ওইখি।

লৈমা লাইনাউতাবী অমসুং চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না খুন্থোক্লকপসিনা মথং-মথং ওইনা-খমনুং মশীনবীদগী হৌনা খমনুং লমবু কাউগদবা, শৱা কংলৈবু নীঙশিঙহন্দবা ঙম্বা, অশি-অনা চঙদনা লৈবা লম অমবু খুন্দাফম ওইনবা থিদুনা খুন্থোকলকখি। খমনুং মশীনবীদগী তেল্লোঙ লম্পাক, মহৌ চনালোক, লোইবী খুনুংশৈ, লোইবী খোঙথীনপুঙ; মারেম য়াংহনচীঙ, লোইবী অনপাইচীঙ, হেম্বা থাংলাংমৈ, থারোন, পানফৌচীঙ, খোঙকনলোক, হুইরূয়ান, কারী তেন্দোংয়ান, লাইচম, তুরেক, শেল্লোই খালোন পুঙ, কোয়রেং লৈরুমলেন, শীরাংতাক, লাংতে লৌমল্লাং, চঙবীলোন, লাকেনফা, ঈশল মহিদেন, পল্লু লৈময়ায়, থেংয়া চাঙৌরোক নৎত্রগা থেংয়া/কিয়াং চাঙৌরোক, তেকপী খাচমচীঙ, তাঙশা, তোংহু লৈমাঙ, খেকমোই লাংচঙ, পায়কোয় লমনুংশি, তুমু, মোলোক, তোমফাং, হাইকু, তোংশা, মাকুশা, মরূ/লীরূ, মংশা, মুনোয়, হাই, শংশঙ, ওকতোং, চুমলে, বোশা, মারু, পনশা, হাইনু, তুমু, মংশা, খাবা লৌতাংখুন, তেখাওলৈ, থুংবা খুল্লেনলৈ, মরাম, অঙাম, চীঙখৈ, ঈতাক খুল্লেনলৈ, পাকোন লূথেংচীঙ, উচীমৈ, তাইতল সুনচীঙ, লমমাশী, অনশুং/কাশুং, মকন খুল্লেনলৈ ফাইবোং লম্পাক, অরুম, মরিং খুনবীরোক, ময়েঙচীঙ, মরিংখমতোয়া, চাখা য়াবীরোক, কাঙওই, খুতৈ, কারোঙ, শেংৱাই ঈনম শেং, মৈচৎ, খুনচীন-ইন, তরাউ চীঙফৈ, ময়োন খুল্লেনলৈ, মোনশাং খুল্লেনলৈ, নোংপোক শারৈচীঙ, অনাল খুনথক খুনখা, নানফৌ, সেরৌ হংবকোন, নুঙখীল, কৌবা ঈরোক, নুঙ্গনান, থৌদু নুঙপায়নুঙ/নুঙপৈনুঙ, খমলাং পারমলান ঈরেং পুরমলান, শারেন, অশোঙ, নুঙকোন, তোনশেন, শাইরেম য়াকপী-রোক, শচুপুঙ, কৈথেনমানবী, থৌদু নুঙমায়াচাম, তুম্বী, য়াংগেন মতম্বাক, নুঙলেপ পোংমান অমসুং থৌদু নুঙমিচাও হায়বা চীঙ অমসুং তমগী লমশিংসি কোয়খিরম্মী। অদুগা মতম খর শেল্লাই-লংমাইচীঙগী ঙমখৈ লমকল মনুংদা খুন্দাদুনা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী মকাইফমদা খাম্বী মৈশেং মৈ লীংখৎলমখি। মদুদগী অমুক নোংচুপলোমদা খুনহোংদুনা পানবদা মফমদুদা মচানুপা ঈতোন তোনবা শীঙঙুৎ শীঙদবুঙ শীঙমিংনবা পোকখিরম্মী। মফমদু মমাইবা থোংনাং কাইবয়াঙগী খোমলেন মঙজঙ শোয়বা লম ওইদুনা লমতেং লমহাম থোল্লবসু লৈতা-খুন্দাবা য়াগদবা মফম ওইবনা পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লাইনাউ তাবীনা ময়ুম-মকৈ লীংদুনা ঈংখোন-শম্বন খাদুনা অমসুং লৌবুক-লৌফম শেমদুনা পানখিরম্মী।

লৈমা লাইনাউ তাবী অমসুং চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না পোইরৈ খুন্থোকপা হৌরকপগী মতমসিদা পোইরৈ মৈতৈ/ৱাংঙম তম্পাক্কী ময়ায় কোয়রেন কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমসিদা খাবা, ঙানবা অমসুং চকপা কাংলুপশিংনা পুনশিন-তীনশিন্নদুনা শারোই-লাল্লোইনদুনা, চারৌ-মৌরৌনা শীনশূ-শীন্থামিন্না অমসুং পুন্না খুন্দা-লৈতামিন্নদুনা অপুনবা শক্তম অমসুং মপাঙ্গল অমা শেমদুনা কুরুমচীঙ (থেক্রুমচীঙ/পুরুম-তাইবীরোক) তা

কোনুং শেমদুনা পাল্লম্বদা ৰাংঙম/মৈতৈ-কাংলুপকী পুকোক কোকলেন অতিংঙা/অতিয়া /য়াইবীরেন/গুরু শিদবা মৈহৌরেন্দা কোনসৌরেন, (কেগে মোইরাংগী অহানবা থংজীঙ ওইরকখিবা) গা তাউরোইনাই (লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইচৎ-লাইওন—-কৌবরেন কৌব্রু নৎত্রগা নোংবান সরারেন; শেল্লোই লংমাইচীঙগী-ওইনা হায়রগা অঙোম/নোংবান পুরিংলেন পুরৈরোম্বা)গা অমসুং নোংপোক লইহওচীঙ/লৈহৌচীঙ (নোংপোক শেকমায় অমসুং শীখোং খুনশিংগী মনাক্তা লৈবা চীঙ)দা পানবা কোনসৌরেনগী চাদা-নাউদা/মশূ ওইবা অপানবা পাখংবা (মচিসনা লৈনুং খোনবা ? মোইরাংগী অনিশুবা থংজীঙ ওইখি) গা অহুমসিগী থৌরাংনা খাবা, ঙানবা অমসু চকপা কাংলুপশিংগী অপুনবা মপাঙ্গলবু মায়থীবা পীদুনা থেঙগ্রুম চীঙদগী অপুনবা মপাঙ্গলবু মায়থীবা পীদুনা থেঙগ্রুমচীঙদগী তাম্থোক্তুনা পাখংবা অগানবনা কুরুমচীঙ/থেঙগ্রুমচীঙগী পুঙখোয় নেত্তুনা পাল্লি।

লৈমা লাইনাউতাবীগী মপারী-মমোমশিং

লৈমা লাইনাউতাবীসি পলেম-পম্বৌনা থাজ-য়োঞ্জদুনা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবদা অহানবা ওইনা ওঙখিবনি। অদুবু মতমদুদি মপারী-মমোম অমতা শাৎখি-পোকখিদে, হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। মহাকপু মশাবী মপুরোইবা লৈনুং থোঙঙারেনগী মনাউনুপা চীঙখোঙ পোইরৈতোন, পাখংগী মতম ওইরিবগা পোইরৈ ৰাংঙমগী তাইবংপান্দা খুম্থোকলু হায়না য়াথং পীদুনা থৌশীরকপদগী মশানৌসিগা খোঙবু-খোঙলোইননা খুম্থোকমিন্নরকপনি। মসিনা মখোয় অনিসি লৌনা-লৈনরো হায়বগুম থোকখি। অসুম্না মথক্তা পঞ্জখিবা চীঙ অমসুং তমগী লমশিং অমসুং খুঙ্গংশিং কোয়দুনা নুমিৎ কয়ানি চৎমিন-লৈমিন্নরকখিবনি। অসুম্না লমশাং কয়া শাংনা শাংনা চৎমিন্নরকপা লোইবী চীঙঙম কয়া ৰানা ৰানা কামিন্নরকপসিদা শমু হকচাং মশেননা থেংননু হায়বদি য়াদবনা লমদম কয়া কোয়না লাকমিন্নরকপসিদা নুংশি হৈরাং চামিন্নরে, লৌন-ওঙনরে। অসুম্না মখোয় অনিনা তুগা-ৰাগা ওইনা চৎমিন্নরকপা খোঙচৎসিদা লমদেং-লমহাম য়ৌদুনা খুন্দা-লৈতাবগী অরেপ্পা মফম লৈত্রিঙৈসিদা মপারী মরি অমসুং মমোম অহুম শাৎনখি। মখোয়গী মিপারী মরি অদুগী কোল্লোয় মমিংলেনশিংদি- (১) চাখা খোংহনবা, (২) সগাং য়াইথাবা, (৩) কাঙতোন লাইনাউবা অমসুং (৪) লৈশং খেকৰাইবা-হায়না কৌই। অদুগা মমোম লাংলেনশিংগী মিংথৈ-মিংহুন্দি- (১) খয়োঙ্গ নুৰাহন, (চ) হুইয়াই কোংতিংনু অহনবী অমসুং (৩) হাওচেং লাংমৈনু শাফবী (মথক্কীসিদা, ১৮) নি।

চীঙখোঙ পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লাইনাউতাবীনা লমদেং-লমহাম য়ৌদ্রিঙৈদা পোকখি-শাৎখিবা মপারীশিং অমসুং মমোম লাংলেনশিংসি লোইমোম পোমকংনবগুম নৎত্রগা কাইরৈ য়েরুম্না য়েন্নাউ চাওন্দনা মাবগুম অঙাং ওইনা লৈখিদে। মদুশিংদু লৈমা

লাইনাউতাবীনা চাখা চীঙমৈশাংদা পানবা য়েন মোরি শন্থোঙচীঙদা ওঙবা য়েন শনথোঙ তাইময়েন, অখোম শীঙঙুৎয়েন, নারবসু শিদয়েন, শিরবসু পুমদয়েন কৌবা শিদহীদাক (মথক্কীসিদা, ২৪-২৫, ২৮) অদু কাউরমদুনা পুরক্তবদগী থোক্লিবনি, হায়না চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না লৈমা লাইনাউতাবীদা তাইনরম্মী অমসুং মপারী-মমোমশিংদুনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবগীদমক্তা তেংথাদুনা কপ্লম্মী। অদুবু মখোয়না লমদেং-লমহামগী লমদম য়ৌরবদা মপারী অমা পোক্লে। মহাকপু "শীঙঙুৎ শীঙদবুঙ তবুঙ শীঙমিংনবা হায়না মিংথোক্লে। অদুবু শীঙদবুঙদুসু অশিবগুম ৱাম্বদুনা তারুরগা অশিবগী লাই (থোঙঙারেন অহনব)না অশি লৈপাক্তগী অমুক হন্না থাবীরকপগুম হিংগৎলকখি, ৱাখল-লৌশিঙ লাকখিরম্মী।

লৈমা লাইনাউ তাবীনা লান্নং-লাঞ্জেন্নবা

চীঙখোঙ পোইরৈতোন, মাগী তাল্লোই লৈমা লাইনাউতাবী অমসুং মখোয়গী খুন্থোক-খুৎনা কংলৈ-পুঙময়োনগী খা-নোংপোক/মৈরম পাংবা মায়কৈরোমদা খুন্থোক্লক্তুনা হৌজিক্কী লাঙ্ঙাথেন-চীঙগী চীঙনুং-চীঙ্গোন লমদমসিদা থুংলখি। মখোয়না অনৌবা চীঙনুং-চীঙ্গোনগী লমদমসি ফংবগী হৱাউ-তয়ান্নদুনা ঈরাং-লাংনরিঙৈগী মতমদুদা অকনবা অমসুং অচৌবা মী কাংলুপ অমগী লাম্মী-তেঙ্গোন্না মখোয়গী মথক্তা লান্দারক্লে। মখোয় নুপা ৫০ (য়াঙ্খৈ) রোম অদুনা চোংথোক্তুনা লাম্বা ঙাইহাক তৌনবদা মায়থীবা নত্তনা মখোয়না করিসু ফংদ্রে, মখোয়না ৱাখল ফুম্বংনরিঙৈদা মখোয়গী লুচিংবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন অমসুং মহাক্কী তাল্লোই লৈমা লাইনাউতাবী ফাখ্রে। মখোয়গী মপোৎ-মচৈ, মরল-মথুন্নচিংবা পুন্নমক লোয়না মুনখ্রে অমসুং খোমখ্রে। পোৎ-চৈদগী হেন্দোক্তুনা চীঙখোঙ পোইরৈতোনগী তাল্লোই শকহেনবী লৈমা লাইনাউতাবী ফাওবা মুন্দুনা-মত্তুনা লৌখ্রে। অসুন্না লৈমা লাইনাউতাবীনা পোইরৈ-মৈতৈ লুচিংবা ৱাংঙম পাখংবা অপানবনা লানফা তাল্লোই ওইনা লৌখিরম্মী।

লৈমা লাইনাউতাবী, ৱাংঙম লৈমচা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌমচা পাখংবা অপানবগী তাল্লোই অখুবী লৈমা অতোনবী (অনিশুবী নুপী) ওইনা লাইশ্রা (লাইস্না-লাইখুরোম্বীনা লৈমরেন্নি, থৱাইরেন/থোঙঙারেন্না লাইস্না থোন্দুনা মচন শক্লা অপানবদা কৎখ্রবনি: মৈতৈলৈমা লাইস্নাদা য়েংবীয়ু) মীঙ্গৌদুনা ওঙদুনা পানখি। অদুবু লৈমাখুবী লাইশ্রা নৎত্রগা লৈমা লাইনাউতাবী, অপানবা পাখংবগী মপারী মমোম অমতসু শাৎখিদে। অসুন্না ৱাংঙম মৈদিংঙু অপানবা পাখংবা লাইখুরোম্বী/লাইখুরেম্বীবু লাইস্না হায়বা মিংলেন অসিগী মখাদা মহাক্কী লৈমরেন নৎত্রগা লৈমহন ওইনা অদুগা লৈমা লাইনাউতাবীনা লাইশ্রা হায়বা কোল্লোয় মিংহুনসিদা মাগী লৈমাখুবী নৎত্রগা লৈমা অতোনবী ওইনা চহী কুমওন

১১/১২ রোম পানদুনা পানখিরম্মী। ৱাংঙম মৈদিংঙু অপানবা পাখংবনা পাল্লকপা চহী কুমওন ১১ (তরামাথোই) মপুঙ ফাখ্রবদা খাবা কাংলুপ, ঙানবা কাংলুপ অমসুং চকপশিংগী কাংলুপ-ফুরুপশিং পুনশিন্দুনা অপুনবা লান্মী লুপ অমা শেমগত্তুনা খাবগী খুঙ্গীগী লুচিং-লাঞ্জিং মখাদা লান হৌরক্তুনা ৱাংঙম অপানবা পাখংবা অমসুং মাগী শারোই-লাল্লোইনবা কাংলুপশিংবু লান্দা মায়থীবা পীখি। মায়থীরবা অপানবা পাখংবা মহাক্কী শাগৈ-নাতৈশিংনা লৈরিবা কেগে মোইরাং লৈপাক্তা চেনখি। অদুগা মফমদুদা অহানবা থংজীঙ ওইনা লৈরম্বা অতিয়া/অতিংঙা শিদবা (গুরু শিদবা নৎত্রগা কোনসৌরেন)না তাইবং পুন্সি চেঙজেল লোয়দুনা থুপগ্রবদগী ৱাংঙম মৈদিংঙু অপানবা পাখংবসিনা মোইরাংগী অনিশুবা থংজীঙ ওইদুনা পানখিরম্মী।

মৈদিংঙু অপানবা পাখংবনা লান্দা মায়থীরবদা লৈরম্বা মৈতৈ/ৱাংঙমগী মী পুন্নমক মানা মানা থোকপা চেনখ্রবদা মৈদিংঙু অপানবগী লৈমরেন লাইস্নানা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী ঙমখৈনুংদা চেনখ্রে। অদুগা লৈমাখুবী লাইস্রা নৎত্রগা লৈমা লাইনাউতাবী শেল্লোই-লংমাই চীঙজাওগী লমখৈ-লমকন মনুংদা লাঞ্জেনখি। মহাক্না শেল্লোই-লংমাই চীঙজাওগী কোরৌ ৱাংবকোনগী মপুরেন অঙৌবা পুরৈরোম্বা, চীঙ্ঙু সরারেন মিংথোন্নবগী মফমদা চঙজফম লৌজখি। চেংলৌ শক্লা হেনবী, শাওং শাদা, শাবান-শারেপ্পা মীথেম্বী, শকনৌ-মায়নৌ ওইনা নৌদুনতা লৈবী লৈমা লাইনাউতাবী লাইস্রা মিংথোংফবীদি অমুক হন্না "থোইনু অহোঙবী" হায়বা মিংস্কল-মিংখৈসি লৌদুনা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী ময়োন ওইবা চীঙশা-চীঙপোম অমদা শাথুগ্গুনা লৈখি (খ: য়: স: ১৯৬৭, ৩৫)।

খাবা খুঙ্গী শাথিবনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুম চীঙগী চীঙখোয় নেৎনা পাল্লবদা মপুম (মামাগী) শেল্লোই লংমাইগী ৱাঙনবা নোংবান-নোংমাই মপুরেন অঙৌবা পুরৈরোম্বা নৎত্রগা মহাক্কী মহুৎশিনবগা চারৌ-মৌরৌনদুনা চান্নবগী মরী লীংখৎকে, ঙাই-শেন মরী থন্নগে হায়বগী খাবা খুঙ্গীগী মরোই-মনাই অনি - (১) নুঙবা থায়াঙবা অমসুং (২) শেঞ্জা হায়হৈবা কৌবা থাদুনা চনু নিংঙোন হায়না-শীঙনবগী খুদোনপোৎ অমসুং চনু-নিংঙোলমন (নুপীগী মমল) পুহন্দুনা মমোম-লাংলেন পীবীয়ু, মচা নিংঙোন থাজবীয়ু, হায়না হায়জহল্লম্মী। মতমসিদা অঙৌবা পুরৈরোম্বগী মমোম লাংলেন নোংবান তম্ফা নোংবাল্লোন লৈতবনা থোইনু অহোঙবীবু মমোম লাংলেন শক, মচা নিংঙোন শীঙদা চনহন্না " নোংমাইনু-অহোঙবী" হায়না কোল্লোয় মিংলেন হোংনা থাজ-য়োঞ্জখি। অওঙ-অউন পুন্নমক নোংবান অঙোম নিংথৌ পুরৈরোম্বনা তমদুনা লৈমা লাইনাউতাবী, লাইস্রা, থোইনু অহোঙবী নৎত্রগা নোংমোইনু অহোঙবী খাবা খুঙ্গীদা থাজদুনা নুহোঙ-খোঙদোংখি।

অসুম্না নোংমাইন্নু অহোঙবীনা খাবা খুঈদা ওঙদুনা তুগা ৱাগা ওইদুনা খাবা খুঈগা নোংমোইন্নু অহোঙবীগা পানমিন্নখি। অদুবু মখোয় অনিগী মপারী-মমোম ফুয়খিদে।

খাব খুঈ অমসুং নোংবান্লোন নোংমোইনু অহোঙবী, কংলৈ পুঙময়োন মপুরেন অমসুং মপুরেনবী ওইদুনা চাই কুমওন ১১ (তরামথোই) পাল্লরুবদা ৱাংঙম কাংলুপকী মৈদিংঙু শাগৈ ওঙবী নোংদা নোংখললেম্বী নৎত্রগা লৈনুং য়াবীরোক, মমা যুমজাও লৈমা ওইবী, শুমহৎ-লাংথাক হৈবীগী অহন ইন্না উপখিদুনা খাবা খুঈগী মপুম (মমাগী মবুং নৎত্রগা মপা) শেল্লোই লংমাই চীঙনিংথৌ-নোংবান পুরৈরোম্বা অমসুং শেল্লোই-লংমাইগী চীঙশা-নাপোমশিংদা পানবা নুংবান/লুৱাং-লংমাইবা অমসুং থাংয়ি/ চেংলৈ (সরাং-লৈশাং) গী সরা লুচিংবা, কন-থৌবদা, মতীক-মঙমদা "সরারেন অরিবা অহুম" হায়না শীঙথানবা মীশক-মীওই অহুমসিনা লৈনুং য়াবীরোক্কী মপারী ৱাংঙম নোংদা তুকুপ্পীক্কী মীচঙদা লেপ্পকখি। মখোয় পুন্নমকসিদগী থাংয়ি সরারেন্না মশাদা লীখোকখ্রবসু অতৈশিং অদুনা চুঙ অমসুং চুঙ্গোয় ওইনা য়োম্লগা নোংদা তুকুপ্পীক্কা হুয়েন লান হৌরকখি। লান্দা খাবা খুঈবু হাৎলগা খাবা কাংলুপ অমসুং কাংলুপকী মীচঙ ওইবা ঙানবা কাংলুপকী অমসুং চকপা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী মীওইশিংবু পুরুম তাইবীলোক্কী লমদমশিংদগী তাম্থোকখি। লৈমা লাইনাউতাবী নৎত্রগা লাইস্রানা খাবা খুঈবু ৱাংঙম নোংদা তুকুপ্পীক্কা হাৎখ্রবদা কৌব্রু চীঙগী-চীঙলক্তা চেনখিদুনা অমসুং লাইন্থে-লাল্লোৎখিদুনা লোৎখিরম্মী।

লৈমা লোইনাউতাবী শানওন/শাইওন

লৈমা লাইনাউতাবীনা লাইস্রা থোইন্নু অহোঙবী অমসুং নোংমাইন্নু অহোঙবী হায়দুনা মিং হোং-হোংদুনা শক্লোন মরি পুথোক্নুনা শানওন/শাইওন (শাইয়োন) অহুম শান্নখ্রবা মতুংসিদা অমুক অনৌবা শানওন অমা নৎত্রগা শক্লোন অমা লৌনন্নবা থৌৱাং তৌরকখি। মহাক্না কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙগোন মনুংগী চীঙনেম-থেননেম, চীঙদুম-চীঙমচাশিংগী মপুনি, নিংথৌনি হায়না কৌবা মচা অহনবা অমসুং কৌব্রু হায়বা মিংথোন-মিংখৈসি পীদুনা খ্বাইনা ঈকাই খুম্নরিবা মোইৱাং কাংলুপকী কৌব্রু লমদমদা খুন্দাবা নৎত্রগা কৌবা ফুরুপকী কৌবা অঙাংঙা, কোরৌ নোংখাম নিংথৌ কৌবগী মফমদা চঙজফম লৌখি। মোমনু নুজা ওইবী লাইনাউতাবী মহাক্কী নৌদুনতা লৈরবী শকথোং-শকফম, শাওং-শাদা, চেংলৌ-মায়থোংনচিংবদুদা কৌবা অঙাংঙাগী তাল্লোয় ৱাংঙমলোন/লৈমা লাইরোকলেম্বী নৎত্রগা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী ২ শুবীনা নুপীমচা মশেন নুংশিনবদগী মমোম লাংলেন শকনা চীকোন-লাঙ্গোনবীদুনা চঙজফম পীখিরম্মী। অসুম্না কৌব্রু চীঙ্গোনগী চীঙলৈপাক লমদমদুদা লৈমা লাইনাউতাবী মহাকপু পম্থৌ পাথাং শিনবা কৌবা অঙাংঙা অমসুং পলেম পীথাংশিনবী লৈমা লাইরোকলেম্বীনা "কৌবরোন নামোইন্নু"

হায়না নুরা কোল্লোয় মিংথোঞ্জে। মোইরাং কাংলুপকী কৌবা ফুরুপকী চনু-নিংঙোনগী শক্তাক-শকখঙ মিংথোন "কৌবরোন" মিংথোন-মিংলৌনা কৌবরোন নামোইনু মিংস্নলা লৈমা লাইনাউতাবীনা কৌবা মচীঙলেন্দা পানখিরম্মী। হায়রিবা থৌদোক-থৌদৌ, শানওন-শক্লোনসি ওইরকখিবসি লৈমা লাইনাউতাবী, চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা কায়ন-খায়নরকপা কুমওন কুমশীঙ ২৫ (কুলমঙা) রোম হৌখ্রবগী মতুংদনি। মতমদুদদি মহাকপু কনানসু শকখঙখিদবগুম তৌখ্রে।

কৌররোন নামোইনুগী ৱারী-ৱাখুন - কৌবা অঙাংঙাগী মমোম লাংলেন লৈমা লাইনাউতাবীনা কৌবরোন নামোইনু ওইদুনা কৌরুগী লমদমদা পান্দুনা লৈররে। মতম খরগী তুংদা নুংবান/লুৱাং খুনথিবা নৎত্রগা নুংবান পোনবী/ পোম্বী লুৱাংবা/লুৱাওবনা শনশেন-শনঙাক ঙম্বগী মতম হেন্দুনা পাখং ৱাই-ৱাই ফারক্লবা মতমদা লুৱাং মকাইফম লমদেং-লমহামদগী কৌবা চীঙদা কারক্লুনা কৌবা অঙাংঙানা পাল্লিবা লোইবী মচীঙলেন্দা পনম চখোল্লকখি (নুং: প: লু: খুৎ লাই:)। লুৱাং খুনথিবা হায়বসি চীঙখোঙ পোইরৈতোননা লাইনাউ তাবী পানরগা শীঙতাবুঙ পোক্লগা শীঙতাবুঙনা শম্থোঙ পুনেম্বাচনু পানরগা নুংবান পামিংনবা অমুক পোক্লগা পামিংনবসিনা শম্থোঙ হুইমু লৈমা পানরগা পোকপা মচানুপা/মপারীনি (ম: স: ক: এ: ১৯৯৪, ১৮-২৯, অসিনচিংবা)। লুৱাং খুম্থিবনা কৌবা অঙাংঙাগী মশাইগোন্দা লাকপদা কৌররোন নামোইনুবু উখিরম্মী। মসিদগী ময়ুমদা হনখ্রগা মপন-পম্থৌ পামিংনবা অমসুং পলেম মমা শম্থোঙ হুইমু লৈমদা, পাউদমদুনা হায়না-শীঙনবগী থবক লৌখৎহনখি (নুং: প: লু: খু: লাই:)। অসুম্না অহল-লম্মনশিং মশেন পীন-য়ানদুনা অমসুং মশা-মশানসু নুংশি-চান্নজদুনা কৌবরোন নামোইনু অমসুং লুৱাং খুনথিবা নৎত্রগা নুংবান পোনবী লুৱাংবা পুন্সি লৈপুন শেমদুনা নুহোঙ-খোঙদোংদুনা লৌন-লৈনখি।

লুৱাং খুনথিবগী ময়ুমদা কৌররোন নামোইনুনা ওঙলক-লৈরকপা লোইদাম খরগী মতুংদা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা লৈমা লাইনাউতাবীনা কৌবরোন নামোইনু ওইনা লুৱাং খুনথিবদা ওঙদুনা তাইবং কুম্মে শান্নরি, হায়বসি খঙদুনা (কৌবরোন নামোইনুগী খোমলেন মঙলান্দা লাক্লুনা খমনুং লৈপাক্তা শৱা কংলৈ-কোনুং মকাইফমদা হল্লক্লো" হায়না পাউকৌররে ---মথক্কীসিদা)। লৈমা লাইনাউতাবী নৎত্রগা কৌবরোন নামোইনুনা তাইবং কুম্মে লোয়দ্রি, পুন্সিগী নুংঙাইবগী- মহাউ পেন্নবা চুপত্রি হায়না শিখাঙ-খাঙদুনা লৈখি। মদুনা অশি-অমনবগী খোইয়ুম, খমনুং-শৱাগী লাই অদুনা লৈমা লাইনাউতাবীবু মহাক্কী মকাদা পুরক্লবা কৌবরোন নামোইনুগী য়াইবী থৱাইবু থেমদুনা লৌরুনবা খমনুং কিকোই লল্লোনবী/ লৌওনবী, অশি পাউথেমহৈবীবু থারকখি। মসিনা মরম ওইদুনা কৌবরোন নামোইনুদু লুৱাং খুনথিবগী ময়ুমদা অনা-লাইকারে, লাইওং খঙদনা নারে। মশাবী লুৱাং খুনথিবনা অমাইবা-অমাইবী কয়া কৌদুনা খরাই লাইকন্নববু লাইকন্নবা

ঙমদ্রে। খমনুং কিকোই লৌওনবীনা য়াইবী মথৰাই-মমিরেন থেমদোক্তুনা পুখিবনা কৌবরোন নামোইনু অমন'-খমলৈ কুমলে, অশি' লৈপাক পাংখরে। মশাবী লুৰাং খুনথিবনা মশানৌগী শমু মহকচাংবু শুম্মাঙ মথৌবুঙদা থেন্দুনা শৰা মংজন্দনা মশানৌ মাবু মালেম তাইবংদা হল্লকখো! হায়দুনা লাবা থিয়াঙ থেক্লা শাফি-লানফি শেক্তুনা মশানৌ শঙদুনা লৈখরে।

কৌবরোন নামোইনুবু হাওশি মংজনদা, অমন' মথৌ-মঙম পাংদুনা খমনুং-শৰা লৈপাক্লা য়াইবী থৰাইবু থিন্দবা অদুনা অমন-শীঙদা চনবা, অশিবা লক্তা তীনবা য়াদবনা মহাক্কী মথৰাই-মমিরেন্দু মহাক্কী শমু- মহকচাংদুদা তোংদুনা লৈবনা খমনুং থোঙঙারেন অহনবা, অশি ৰায়েনবনা কৌবরোনগী য়াইবী লৌরুনবা থোঙঙাক লাল্লোইশিং থারকখি। মখোয়বু লুৰাং খুনথিবনা চায়ন-খোঙফেন্নদুনা ফারগা মহাক্কী কংলৈ মশুম্মাঙদা মখুৎ তুংবুন্নদুনা মালেম শাংবা য়াতাননা থমখরে। খমনুং থোঙঙারেন অহনবনা মশানৌ য়ায়মবা থোঙঙাক-লকাবা অমসুং মশানৌ অতোনবা থোঙঙাক চীঙখোঙ পোইরৈতোনবু কৌরৰোন নামোইনুগী য়াইবী-মিরেন লৌরুনবা থারকপবু মখোয় অনিমক্তু লুৰাং খুনথিবগী মরান লানফা ওইদুনা লৈখ্রে। অমুক থাননবা থোঙঙাক লাল্লোই লৈত্রবনা অশি লৈপাক্কী মপু খমনুং থোঙঙারেন অহনবা মশামক লাক্তুনা লুৰাং খুনখিবগা নুংবান কংলৈ মশুম্মাঙদা চীন্দা-পাউতাননা খৎনরম্বদগী শমু মখুৎ য়াওনা/ থোরুদুনা চায়নরে। খোইয়ুম নোংদম্বা চীঙঙু কশারেন মহাক্কী মনোংদম-মথৌরাং ওইবনিনা চীঙঙু থোঙঙারেন্না নুংবান পোনবী লুৰাংবা খুনথিববু মায়থীবা পীবা ঙমদরে।

মালেম তাইবং মপুরেন, মাল্লংপান-নোংলৈপাক ৰায়েনবা তাইবংপানবা পুন্নমক্কী মপুনা তুগা ৰাগা ওইদুনা পুন্সি লৈপুন শেন্নবদি তাইবং য়ুমলেপ চারা থন্নম্লবগী মৰায়েন-মনোংদম লৈবনা খমনুং থোঙঙারেন অমসুং লুৰাং খুনথিবা অনি তাইশিন্নখি। চীঙঙু থোঙঙারেন্না লুৰাং খুনথিবদা কৌবরোন নামোইনুবু হনবীরগা পুন্সি চহি কুমওন চামা পান্দুনা লুৰাং চাদা-নাউদানা পাল্লু হায়না থৌজান লনকুবীরম্লগা মরোই, মনাউ পুন্নমক পুদুনা খমনুং মকাইফম, শৰা মকোন্নুংদা হনখি।

কৌবরোন নামোইনুনা লুৰাং মশুম্মাঙগী মালেম লৈমায়থক্তা ৰাখল-লৌশিঙ য়াওদনা লৈরম্বদগী লৈনুং থোঙঙারেন্না লুৰাং খুনথিববু থৌজাল লনকুবীরবদা ৰাখল-লৌশিঙ লাক্তুনা হিঙ্গৎলকখি। অদুগা মশাবিগা লোইননা চীঙঙু থোঙঙারেনবু পুরমজখি। চীঙঙু খোইয়ুম মহাক্লা মরান লমদা হনখ্রবদা কৌবরোন নামোইনু অমসুং লুৰাং খুনথিবা মতৈ-মনাউনা অমুক হন্না মোংবা য়ুমজঙখি। মরান তেংনা য়ুমগাদুনা পুন্সি চহি চাম্মা অমগা পানখি।

নুংবান লুৰাং পামিংনবা (মপাগী মমিং শীঙদবুঙ হায়বা মিং অসিনা মমিং অদুম্মক কৌবা নৎত্রগা ওইবা, হায়বদি পামিংনবা শীঙদবুঙনা মমিং ওইবা) গী মপারী নুংবান পোনবী লুৰাংবসিনা লমদেং-লমহামদা লৈরিবা চীঙখোঙ পোইরৈতোন্না হৌদোক্লস্বা অমসুং থম্বীরম্বা ময়ুম-ঈংখোন, মখুন খুঙ্গং অসি থাদোক্তুনা লমদেংদগী কৌরু চীঙলোমদা মনুং হঞ্জিনবা নৎত্রগা চঙশিনবা লমদা খুন, ওইনবা লম থিখি। মসিদগী মহাক্কী মমিং লুৰাং খুনথিবা' হায়বসি কৌখি। নুংবান পোনবী লুৰাংবনা লমদেংদগী খুন থিদুনা মনুং চঙশিনবা লমদম খন্দুনা লুৰাংচীঙ ("খামরন" খুঙ্গংগী মনীঙ নৎত্রগা নোংচুপ্তা অমসুং লোইদাং খুন্নৌগী মমাঙ নৎত্রগা নোংপোক্তা লৈবা চীঙ, মসি "হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী পোক্লফম ও ইবা চীঙনি) দা খুনহোংদুনা কৌবরোন নামোইন্নুগা লোইননা পানখি। মফম চীঙসিদা লুৰাং খুনথিবগী ঈনা কৌবরোন নামোইনুনা ১) লুৰাং/নুংবান পুদাংকোই খুৎকোইবা ২) নুংবান হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা অমসুং ৩) লুৰাং শেলহোঙবা (ঈরেম তোইবী লৈমগী অপোকপা পন্থৌ) কৌবা মপারী অহুমসি শাৎখিরম্মী। কৌবরোন নামোইনু নৎত্রগা লৈমা লাইনাউতাবীগী ৰারী-ৰাখুনসি "নোংবান/নুংবান পোনবী লুৰাংবা/লুৰাউবা" কৌবা লাইরিক্লা ময়েক শেংনা পীদুনা - লীদুনা লৈরি। লুৰাং খুনথিবসি পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লাইনাউতাবীগী ঈতোন তোনবা মচা শীঙদবুঙগী মশূনি। অদুনা লৈমা লাইনাউতাবীগা লুৰাং খুনথিবগা অনিসি চাদা-নাউদা/য়ুম্নাক-শাগৈ অমতদা মীরোন (Generation) অহুম খেন্নরি। অদুনা ওইথোকপা য়ারোয়দবগী ৰাফম/লীক্লম/পরম অমা ওইনা লৈ। অদুগা কৌবরোন নামোইনু" অসিনা লৈমা লাইনাউতাবীগী শানওন/শাইওন নৎত্রগা শাইয়োন (Manifestation) ওইরবদি ওইথোকপা য়াই। অদুবু অহল লম্মনশিংনা থম্বীরম্বা ৰাফমনিনা লাল্লি নৎত্রগা চুম্মি হায়বগী ৰাফম থমজবা ঙমজদে।

য়ুমোইনু/ইমোইনু অহোঙবী ওইরকপা

লৈমা লাইনাউতাবীনা কৌবরোন নামোইনু ওইদুনা লুৰাং খুনথিবদা মপারী অহুম পোকচরে। শাবী-শানৌ অনিসিনা মপারীশিংবু নাউয়োক-নাউকোন্দুনা লুৰাংচীঙদা পাল্লম্মী। মতমগী লেপ্তবা খোঙজেন্দা মহৌশা লাইরেম্মগী থৌশীন্দগী নমু মীওইবগী শমু হকচাং অহল ওইশিল্লকপগী চৈথা চাগনু হায়বদি খক য়াদে, অদুগা মদুগী শাফুনা হেঞ্জিল্লক্লগা তাইবং থৰাই চেক্লানা মীওইবগী হকচাংদগী পাইথোকখি। অদুনা লুৰাং খুনথিবদি তাইবং পুন্সি লোয়দুনা নুংবান লুৰাং-চীঙসিদা কৌবরোন নামোইনু অমসুং মপারীশিং থল্লম্লগা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা অমন-য়াইথোঙ কুমখি। কৌবরোন নামোইনুনা মপারীশিংবু পলেম মমা ওইবীনা লাঙ্গোন-নাউকোনফম থোকপদু পাংথোক্তুনা পুন্সি শাংনা হিংহৌখি। তশেংনমক হায়রবদা খমনুং থোঙঙারেন অহনবগী তাল্লোই অখুবী/অতোনবী, অহিং

তরা চাথোৎপী, নোংথিন শংলৌ য়েললাংবী, লৈমা লাইনাউতাবী, মশানৌ পাখং চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা তাইবং খুম্ণোকমিন্নরকপদুগী মশানৌগা ওঙনদুনা পোইরৈ তম্পাক লমদমগী লমদেং লমহাংদা পোইরৈ মৈতৈ মীরুপ কাংলুপ অচৌবগী কাংলুপ ফুরুপ নত্রগা মমৈথংদা য়েক-শল্লাই ওইরকখিবা নুংবান/লুৱাং অমসুং নোংয়াঈ/খুমনগী ফৌদী মরু থম্নখ্বীদি নুংবান মশাইগোন লুৱাং মকাইফমদা মশাবীনা থুপখ্রবসু পালহৌখিরম্মী।

কৌবরোন নামোইনুনা মপারী নাউয়োক-নাউকোল্লকপদু চাওরক্লদুনা শরেপ কাংদোং ফারক্লে। মাগী মাগী ময়ুম মকৈ পান্দুনা ঈংখোল-শম্বল লীংদুনা তোপ্না তোপ্না মরৌ-লৌকোন শেমদুনা লৌবুক-লৌফম উন-শূন্নদুনা হিংনবগী লানফম মায়য়োক য়ান্নরক্লে। মতমসিদি মচানিপা য়ায়মবনা লুৱাং কাংলুপকী লুচিংবা নিংথৌ ওইদুনা মমা কোন্দুনা চারি-পাল্লি। মহাকনা লাঙ্গোন চীঙজাওগী নোংচুপ থংবা চীঙশাং পরেংদা লুৱাং পামং খুন শেমগত্লুনা চীঙশাং পল্লংলাদুগী নোংচুপ থংবা চীঙমায়, তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীগী মপন পম্থৌ তুবী থিংকোক লাইরেনবা মকাইফম, তম্ফা ৱাংঙমলোন্না কাইদোংলম্বা চীঙ, তম্ফা ৱাংঙম চীঙগী খা থংবা চীঙয়াঙগী নাপোমদুদা "লুৱাং মকুবী চীঙ" হায়না মিংথোন্দুনা পামং খুন্দুদা নুংবান- "লুৱাংচীঙ"দগী য়ুমহোং-কৈহোংলক্লুনা পাল্লম্মী। মতমসিদা অমসুং লুৱাং মকুবীগী নুংবান পামং খুনসিগী য়ুমজাও শঙ্গায় মনুংগী-ফুঙ্গা কাগী ফুঙ্গা মৈনীঙদা ফমদুনা অহল মতম ওইদুনা কপ্পাক কুরু শুংলবী, মিৎমৈ পাখোঙ শুম্লবী চৈশু পালোয়ননা শমু খোঙথাংবদা খোঙথাং নীক্না শোল্লবী পলেম মমা কৌবরোন নামোইনু লৈমা লাইনাউতাবীনা শক্লোন-শানওনবী/শাইয়োনবীনা ঈমুংদু কুপশেন-শেন্ননা অহোঙ-অচাও থোকহন্না য়ুমশঙ-কৈশঙলি। পলেম মমাদুবু হাওদৈ অখুম্বা ৱাংলৈ অয়াকপনা কোককাদুনা য়ুপিং-য়ুঙাওববু ফঙ্হনবা ঙম্বী, য়ুগী লাইনা লাইয়েংবা হৈবী অমাইবী মোইবীনি হায়দুনা য়ুমোইনু অহোঙবী হায়না কোল্লোয়দুনা য়ুমকোইরি। য়ুমোইনু অসিগী মরমদা খুমন কংলৈরোন অমসুং খুমন নিংথৌরোন লম্বুবা কৌবা লাইরিক অনিদা পীবীরম্বদি ঃ

... য়ুমোইনু অহোঙপী, ফুঙকা মইনীঙ ফমনা য়াঙকোইরিপী, হননু মিৎমই পারোঙ সুমনা চইসুনচরিপী, কপলাক হইকও সানা সমু খোঙথাং খঙতরপী, মিৎয়েং উয়োন থিরপী অতুপু খোইমোম হীওইরিপী, চীঙঙু লাইওইরিপীনে... (খু: কং: খুৎ: লাই:; খু: নিং: লম:, খু: লাই: অমসুং ব: ক: শ:, ১৯৯৮, ৩৫-৩৬) অসিনি।

অদুগা মহাক্না লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমগী ময়ুমদা য়ুমোইনু অহোঙবী লৈরম্লিবসি "ফৌওইবী ৱারোল কৌবা লাইরিক্তা "লোইমোম ফৌওইবীনা... হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবদা তাংথখিয়ে" (ফৌ: ৱা: খুৎ: লাই:), হায়বসিদগী লৌদুনা ফৌওইবীনা ওইখিবনি, লাকখি-লৈখিবনি হায়না লৌনৈ। ফৌওইবী অমসুং হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ

পুন্সিবা অনিগী মরীগী ৱারম/ৱারোন্দি "ফৌওইবী ৱারোল" গী ৱারোল মতেকসি নত্তুনা অতৈ অমতা থেংনজদে/লৈতে।

লুৱাংগী নিংথৌ পুন্সিবা অসিনা লোইবী চীঙগী চীঙদোন অৱাংবদা কাখত্তুনা হোঙনেম-এ (লাইদা শা অমসুং য়ু কত্তুনা লৈখিদ্রবা মপা-মপুবু পেলহল্লগা মীয়ামদা পীজ-পীথক তৌবা, কুম্মে য়াওরগনা হোঙনেম কুম্মে তৌবা কৌই) হায়দুনা মহাকপু হোঙনেম লাৱাং/লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা কৌখি (মথক্কীসিদা ১৬)। মহাকসি লুৱাং অমসুং খুমন মী কাংলুপ (মমৈদা য়েক) অনিসিগী পুকোক্লি। মহাকসিবু মপুন্সি য়াম্না শাংবা চারোন (মচা মরোন/মীরোন) তরুক পুন্সিবা অমসুং শূরোন তরেৎ/তরুক পুন্সিবা হায়না চহি ৪০০-৪৫০ (চামরিদগী চামরি য়াঙ্খে) রোম পুন্সিবা মীশক ওইনা পীরি। মহাক্কী মনাক্তা/ময়ুমদা য়ুমোইনু অহোঙবী, মহাক্কী পলেম মমা কৌবরোন নামোইনু নৎত্রগা লৈমা লাইনাউতাবীনা পুন্সিগী মমৈ ওইরকপা মতমদা লৈরম্বগী ৱারী-ৱাখুনসি খুমন নিংথৌরোন লম্বুবদা ময়েক শেংনা য়াওরি। অদুগা খুমন কংলৈরোন্দসু য়াওবদা নত্তুনা মৈতৈগী চীনবুঙ-চীনফাগী ৱারী-শীঙবুন্দসু লীন-শক্করিবা ৱারীনি, মদুদি ঃ-

হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা মাগী মতমদা লৈরম্বা মী কাংলুপ অমসুং ফুরুপকী চনু-নিংঙোন নিপান লৌদুনা পানরবা মতুংদা মহাক্কী ঙানুরোন থোংঙাইবা চনুনা পোকপা লুংবা অহনবনা কাংলুপ-ফুরুপ ওন্থোক-হোংদোক্লগা খুমন/নোংয়াই কাংলুপ ওইদুনা চাদা-নাউদারকদগী তরুক শুবা শূথাং [১) লুংবা ২) য়োইরোংপোক পুন্সিবা, ৩) কজেং-ৱাহেং মাংবা, ৪) মোংবা খোনবা, ৫) খোনবা নিংথৌবা অমসুং ৬) অদোন লাইফেংবা] অদোন লাইফেংবনা পোকপা খয়োঈরোন (খুমন/নোংয়াই নিংঙোন/চনুদা পীবা মিংথোন) ঙানুথুম্বী (খুমন পুন্সি য়ুমোইবগী মমোম মচন্নুপী) সি লুহোংদুনা লৌরম্মী। খয়োঈরোন ঙানুথুম্বীনা লুৱাং মকুবী চীঙগী পামং খুন্দা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা পানদুনা নুংবান/লুৱাং শেনবা মিমাবা পোক্লম্মী। সেনবা মিমাবনা পলেমগী খোল্লাং চুপলিবা অঙাং নরা ওইরিঙৈদা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী তাক্লোই তুরোন্নবা কেৎ-ৱা, লোন্নবী মশেন খৎন-ৱাদগী খয়োঈরোন ঙানুথুম্বীনা লুৱাং ময়ুমদা লৈররোয়, নুংবান মাগা খায়নরগে হায়দুনা মপারী সেনবা মিমাবা পুদুনা মপাম খুমনপুঙদা চৎখি অমসুং খয়োঈরোন ঙানুথুম্বীগা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগা চাননা খায়নবা হায়বদু ওইখি।

খয়োঈরোন ঙানুথুম্বীনা মপারীবু মপাম খুমন চাওবপুঙগী লমলেন কোকচায় মরমখৈগী খুমন কোনুং মনাক্তা মদু-মবুং খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগী মশাইগোন-ময়ুমদা য়োক্লককখি। লুৱাং শেনবা মিমাবা লোইদাম থাজা মহাক্না নোংমা নোংমগী হম-হম চাওখৎলক্তুনা মকোয় ফারকপগুম শঞ্জেন-শনঙাকপগী মতম হেল্লক্তুনা মদোম য়াওরৌ শাদানবা চৎপা ঙম্বগী তাঞ্জাদু ওইরে, পাখং য়ক লাউবগী ফিবম ওইরে। কোরৌ নুমিৎ

অমদদি নুংবান শেনবা মিমাবনা মদোম লাবা খুমন পুনা য়াংদৌ শারম লীরক্লস্মী। মতোম্‌তনা য়াওরৌ শা শঙাই চীরেন তোমপোকপা অমগী খুদুং ইন্দুনা তান্নরকপদা খুমনগী ঙমখৈ লাম্থোক্তুনা লুৱাংগী ঙমখৈ/লমখৈ লমকন মনুংদা চঙলক্লে। মহাক্না লুৱাংগী লম, "মকোই নোংলোই পাই, লেমবা থাঙয়ানলম, মৈদিংঙু, লোইনাই থৱানথাবা খোক্লাং তাখোয়পুঙ, তিমেন তাচুমপুঙ," হায়বদি হৌজিক্কী লাংজীঙ (সি: আর: পি: গী কেম্প লৈরিবগী মফম) লাম্থোক্লকপদা শা শঙাই তোমপোকপদু তানা লেঙদুনা তুরে। মফম অদুৱাইদা লময়েংদুনা লৈরম্বা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা শঙাই অদু শায়াইকোৎ চঙবা (লাইদা কৎপদা লাইনা পাম্বা শা) য়াবা শানি খঙলদুনা অমসুং মচা অদুবু মশক খঙদবনা "মাগী শা অদু লৈজরগে, মমল কয়া লৌগনি" হায়না হংলক্লস্মী। মদুদা শেনবা মিমাবনা, "মহাক্তি শাদুগী মতীক-ময়াই খঙদবনা শাদুগী মমল-খঙদে, মহাক্কী অপোকপী পলেম মমাদা হংলুখিগে, শাদু পান্নবদি ঙাইরম্মু" হায়রম্লগা থুনা য়াঙনা চৎখিদুনা মমাদা পাউ পুন্নমক্তু তম্লগা শাদুগী মমল কয়া/করি লৌগদবগে, হায়না হংলম্মী।

খয়োঙ্গরোন ঙানুথুম্বীনা, শাদুগী মওং-মতৌ অমসুং লৈগে হায়রিবা মীদুগী মীওই-মীতৌ, শারেপ-শাবান, ফিজেৎ-লাকশেৎ, ফিরোই-ফিঙাম্নচিংবা মচাদা হংদুনা ঈপাউ লৌরুগা শা, শঙাই তোমপোকপদু শায়াইকোৎ চঙনগে হায়দুনা শাদু লৈজগে হায়রিবা নুপা অহন্দু মহাক্কী মশাবী-মপুরোইবা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনি হায়বা খঙলম্মী। মরম অসি ময়ুমদা ফুঙ্গা মৈনীঙ ফমদুনা লৈরিবী অহন মতম ওইরবী হনুবী, হীওই-য়াইওইবী, চীঙঙু খোইমোম হীপু-য়াইপুবী অদুনা শা অদুগী মতীক চাবা মমল ওইগনি হায়দুনা তাকপীরম্মী। মদুদগী লুৱাং শেনবা মিমাবনা মাগী য়াওরৌ শা, শঙাইনা তুদুনা লৈরিবা লাংজীঙগী মফমদুদা লাক্তুনা অহল অদু উন্নরগা শাদুগী মমলদু হায়রম্মী। য়াওরৌ শাদুগী মমলদা য়ুমোইন্নু অহোঙবীবু হায়রকপদুদা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌনা ঙক্তুনা শেনবা মিমাবগী মপা-মমাগী মমিং-মথা হংদুনা খঙলবদা মহাক্কী মচানুপানি হায়বা খঙলম্মী। অদুনা য়ুমোইন্নু অহোঙবীবু শিন্নখিবা য়াই হায়বসি খন্দুনা শা অদু লৌহৌরগা মপারীবু লুৱাং মকুবী চীঙগী পামং খুন্দা পুদুনা মপা-মচা, মচীন-মনাউশিং পুন্নমক খঙনহল্লগা য়ুমোইনু অহোঙবীবু খুৎশিন্নদুনা পলেম মমাগী মনাক্তা খুমন পুঙদা থারকখিরম্মী। সেনবা মিমাবনা য়ুমোইনু অহোঙবীবু পুদুনা খুমন পুঙদা লাকপদগী মহাক, মহাক্কী পলেম মমা খয়োঙ্গরোম ঙানু থুম্বী অমসুং মহাক্কী ময়ুম-ঈংখোন পুন্নমক চাওখৎপা, হেনগৎ-থোইগৎপা অমদি তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা মায়পাকপা, কান্নবা-ওইজবা ফংবা অমসুং নুংঙাই-য়াইফবা ওইরকখি। মতমসিগী মতুংদা মতম খর লৈরগা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইববু মমোম লাংলেন খয়োঙ্গরোন কৈরূ/কৈরুং হাঙবী অমসুং মমাক নুপা মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩)না চাক্কৌ-য়ুকৌরম্মী। মদুদা থোংবা শাদুগী মরূ-ময়াঙশিংদু

খোমজিল্লগা মথক্তা লৈপুঙ অমা থোনখি অমসুং মদুবু কাইবী শওস্মুঙ (হৌজিক্কী নোংপোক ইম্ফালগী শওস্মুঙ) থোনখি। চাক্কৌ-য়ুকৌবদুদা খুমন নিংথৌনা পেনবীদুনা মানা ঙম্বা থাক্কী মনুংদা নীনীঙবা অমা নীজৌ, হায়রম্মী। মদুদা মৈতৈলেমা কৈরুং হাঙবীনা মৈতৈ লৈপাক্তি পীকই, অদুনা লম খর পীবীয়ু হায়না নীজরম্মী। খুমন নিংথৌনা অদুদি নখোয়না পীজরিবা শা অসিগী মকোক অসি লীনৱাই (ঈরীন) তুরেনসিদা থাদগে, মসিবু ঈশিংগী ঈচেন্না পুথদুনা পল্লুবা মফম অদুগী লম ফাওবা লৌজরো হায়না তাকপীরগা শওম মকোক্তু লীনৱাই তুরেনগী ঈশিংদা থাদখিরম্মী। শওম মকোক্তু লীনৱাই তুরেনগী ঈশিংনা পুথরক্লগা শাহৌপাৎ (লিল্লোং) কী ইম্ফাল তুরেন্দা তারক্তুনা অমুক ঈশিংগী ঈচেন্না পুথরক্তুনা লৈশাংখোং য়ৌরমদায়গী লমতুপ অমগী তোরৈ তুথেক্তা লৈশিন্দুনা পনখি। মফমদুবু "কাইবী শক্তমপন" হায়না থোনবদগী মমৈথংদা শওস্মুঙ হায়না ওল্লকখি অমসুং খুমন কাংলুপকী ওয়নাম শাগৈনা লমদমদুদা অমুক খুন্দারকপদগীদি "ওয়নাম শওস্মুঙ" হায়না খঙনখি (হৌজিক্কী "ইম্ফাল বেরেজ" লৈরিবা ওয়নাম শওস্মুঙ নোংচুপ ইম্ফাল-২)। অসুম্না হায়রিবা "শওমপন" নৎত্রগা "শওস্মুঙ" গী লম অসি ফাওবা মৈতৈগী লম ওইখিরম্মী।

মৈতৈ লৈপাক্কী লমনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী সনা হাক্তা শওমপন য়ৌরক্তুনা খুমন লৈপাক্কী লম পীকশিল্লকপা অসিদা লম পীথোকখিবা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইববু খুমন লৈপাক্কী মীশিং, মরু ওইনা লাল্লোই (warrior) শিং, লাল্লোইলেনশিং অমসুং অঙম-অথৌশিংনা শাওনখি, অমদি লান হৌনীঙবা নৎত্রগা নিংথৌ মফম লৌথোক্কীঙবগী ৱাখল পোক্লখি। মসিনা য়ুমোইনু অহোঙবীগী থৌজাল-লনকুনুংদা লৈবা লুৱাং/নুংবান শেনবা মিমাবদা খুদোংচাবা অমা পীখি নৎত্রগা ফংহনখি। খুমনগী মীয়াম অদুনা খুমন নিংথৌ ওইনবগী ৱাফম পুখৎলক্লম্মী অমসুং মহাক্কী লুচিং মখাদা লানহৌদুনা অদোন পুন্সি য়ুশোইববু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথরম্মী। অদুগা লুৱাং শেনবা মিমাববু নিংথৌ হাপ্লম্মী অমসুং খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবা, মহাক্কী মচানুপা য়োঈথোংঙাই অমদি মখোয়গী ঈমুং-মনুং পুম্নমক খুমন লৈপাক্তগী তাম্থোকখিরম্মী। অসুম্না য়ুমোইনু অহোঙবীগী থৌজান্দগী নুংবান শেনবা মিমাবনা খুমন নিংথৌ ওইনা পানখিরম্মী।

খয়োঈরোন ঙানুথুম্বী অমসুং হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিগী মপারী নুংবান শেনবা মিমাবনা য়ুমোইনু অহোঙবীগী লনকুদগী খুমন লৈপাক্কী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপা কুমওনা অহুম শুখ্রবদা অদোন পুন্সি য়ুমোইবনা নোংগাখ্রবদা মপারী অদোন য়োঈথোংঙাইনা মশেন পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ নাউথিংখোংগী মতেং লৌদুনা খুমন লৈপাক্তা লান্দারক্লম্মী। অদুগা লান্দা লুৱাং শেনবা মিমাবা, মহাক্কী মপারী অনি হাত্তুনা অমসুং মপারী অমনা

মরিং খুনবীরোকলোমদা তাম্থোক্নুনা মরিং ওইহন-ওনহনখ্রগা খুমন লৈপাক অমুক হন্দোক্লুনা পানখিরম্মী। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা কৌবরোন নামোইন্নু নৎত্রগা য়ুমোইন্নু অহোঙবীসি খমনুং শরা তান্দুনা অমন' য়াইথোঙ কুমখিরম্মী। মসিগী মতুংদগীদি য়ুমোইন্নু অহোঙবীসি হী-য়াই ওইবগী ৱাখন্দা পুশিনখিদুনা খুমনগী শৌবোন য়াই হায়না খঙনখি। মসিনা তাক্লিবদি লৈনুং থোংখোঙ শেনবা চনু লৈমা লাইনাউ তাবীসি তাইবংপান থাদোক্লুনা খমনুং শরা কংলৈদা হনখ্রে, মীওইবগী শক্তম মুংখ্রে, হায়বনি।

ৱাখোম-ৱারোয়

লৈমা লাইনাউতাবী, লৈনুং থোঙতারেন অহনবা খমনুং লৈপাক্কী শরা কংলৈদা পানবা অশি-অমনবগী লাইয়িংথৌগী তাল্লোই অখুবী, অহিং তরা চাথোৎপী,নোংথিন শংলৌ য়েল্লাংবী, চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা লোইনদুনা তাইবং খুনথোক্লকখিবী, মালেম খুনফাওরকখিবী অসিগী চম্মন্নবা পুন্সি ৱারী, মৈদিংঙুগী লানফা-তাল্লোয় ওইবগী লাইশ্রা মিঙ্গৌনবা, শেল্লোই-লংমাইচীঙদা লাইন্থে-লাল্লোৎপদা থোইনু অহোঙবী মিং ওনবা, খাবা খুঙ্গদা ওঙবদা নোংবাল্লোন, পুরৈরোম্বা চনু ওইনা নোংমোইন্নু অহোঙবী মিংহোংবা, অমুক হন্না হুইয়েন লানজেনখ্রগা কৌবরোন নামোইনু ওইনা শাফোঙলকপা অমসুং লুৱাংনিংথৌ পুন্সিবগী পলেম মমা ওইনা লাঙ্গোনবীরগা হীওই-য়াইওইবী খোইমোম লাইরেম্মা য়ুমোইন্নু অহোঙ-অচাওবী ওইনা থোক্লকপা অসিগী ৱারী-শীঙবুনশিং থমজবনি। হায়রিবা ৱারী-শীঙবুনশিংসি পারারী-পুরারী ওইনা পান-লৌনরিবা মতমগী লমদাং-পরমদা পোইরৈতোম্না খুম্থোক্লকপা হৌরকপসি খৃষ্টগী অহানবা চহীদগী হৌরগা মৈদিঙু নাউথিংখোংনা পানবা মতমগী খৃ: ৭০০ ফাওবা (খৃ: ১-৭০০) চহি ৭০০ (চাতরেৎ) লোমগী মতমসি ফংজে। হায়রিবা মতমসি মী অমগী নৎত্রগা মীরোন অমগী পুন্সিদা লৌরবদি অঙাওবা তাদুনা তোকনি।

পরারী -পুরারীগী চক্তা নিংথৌ অমনা পাল্লম্বগী চহিসি মালেমসিগী ওইনা চহি ২৫ (কুনমঙা) গী মতম পানৈ অমসুং মী অমগী পুন্সিসি চাংচক্তা চহী ৪০ দগী ৫০ ফাওবা লৌনৈ। অদুনা লৈমা লাইনাউতাবীগী পীরল্লিবা শক্লোনশিং নৎত্রগা শানওন (শাইয়োন)শিং অসি মপোক লাংওন অমমম ওইনা হায়বীরম্লবদি নৎত্রগা ওম্থোক্লবদি শাকপাদবনি। অদুবু মাওগী/মমাওগী/মমাঙঙৈগী অহল-লম্মনশিংনা তৌবী -পীরমদবনা অপাঙবা ঐখোয়না খুং থাবা ঙমজদে। অদুগা ৱারী-শীঙবুনশিং অসিদি অমুক লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী শীঙবুন ওইনা অমসুং অমুক্কা পারারী-পুরারীগী তাইবং-মীওইবা (ম্রী) গী ৱারী-ৱারোল/ৱাখুন ওইনা হিংদুনা লৈরি।

৫

তমপা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী (২ শুবা)

ৱাহৌ-শৈহৌ

(১) ঙাংঙোই য়োঈমোংপতি মোংপা চীঙমহুৎতা চঙনা লাইরেন মতেহৈপু সানথুপখিয়ে। লাইরেন ঙাংঙোই য়োঈমোংপতি মোংপা য়ীমচাওসাংপু কারেল মাপন সুনা তাউখঙলে। মমোম তমপা ৱাংঙমলোনপু মোংপা মাঙসোক কাচাও য়ানা, খাঙসু লায়রপা থিংক্রুক খাওচাও তানপা, অসই ৱাংপীলাইপু চেংলৌ মিৎথিৎলে। ৱাংঙম রু-রু খাওনীঙশংপীতা তিমেন তাৱায়খিএ।।.... অসই ৱাংপীলাইপু লৈকায় তিমেন তাৱায়পনা তিমেন মখুৎসূনা চইপীরে। নিংথৌ পোংপা ১০ মক কোনতে খুৎচুম মাইপা, মমোম তমপা ৱাংঙমলোনকনা... সিকোয় লূরাংপীরে (খ: য়: স:, ১৯৬৭, ৪১-৪২)।

(২) থপী ঐতি লেপঙমলরোয়-এ, হায়না ৱাকনঙম-এ। লাইরেন তাউরোইনাই। অসই ৱাংপীলাইনা তুপী মৈনা কোননা । থৌখামঙম-এ হায়না পাউমেনপপু নিংথৌ পোংপা ১০ মনা ৱাতাথিখিএ। তৌয়িকিতি তুপী ঙাংয়েকচনু, তংকাননুপী পুয়তিংৱাক... মপন লাইরেন তাউরোইনাইপু পাউথেমলুৱো, থৌনেকখিপতা... তমপা পানপা ফাপী, খাপী লেংনাউ মোমপীনা পাউথেমখিএ।। ... অঙানবা সনা লইকোয়রেনকিপু কোয়খৎলকঅো, হায়না পাউথেমলপকা, খাপী মচীন লেঙ-লেংনা, ঙকসম তোংতম পৈরপনা অমাই ময়াথংকিপু য়োঈময়াই তাউতনপা তুপী মকোননুংকিপু য়াঙনা লমহওখৎলক এ (ও: ভ: ১৯৭৭-৩৫-৪১)।

মথক্তা থমজরিবা "পাখংবা ফম্বাল" অমসুং "নুমিৎ কাপ্পা" কৌবা অরিবা মৈতৈ লাইরিক পুয়া অনিদগী শত্তোক-লৌথোকচরকপা ৱারোল মতেকশিং অসিদা পল্লিবা অমসুং পীরিবা খোইয়ুম-খোইমোম লাইরুপকী লাইরৈমা তমপা ৱাংঙমলোন অনি অসি মীশক অমখক্তনি। মহাকপু অতৈ লাইরিকশিং খরদা "পান্থোইবী" হায়না পীবী। তশেংনমক পান্থোইবী হায়বা অপুন'-ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্দোক্তি "পানবদা নৎত্রগা ঙৌবদা অথোইবী ওইবী, হায়বদি, কুচু ঙৌরোক ঙৌবী নৎত্রগা শকহেননা কুচু পানবী-ঙৌবী, তিঙদা-

য়াঙদা ফজবী, হায়বনি। অদুনা শক ফজবী খুদিংমকপু নৎত্রগা কুচু কাহেন্না ঙৌবীশিংবু পাম্থোইবী হায়না কৌনৈ / খঙনৈ। অদুগা মথক্কী লাইরিকশিংদগী লৌথোক্লকপা ৱারোলশিংদা পীরিবা নুপী অসিসু মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙুগী মচানুপীনি। মহাকসি মৈতৈ/ৱাংঙম ফুরুপ/কাংলুপ নৎত্রগা য়েক্কী নিংথৌনা অঙোম/ নোংবান য়েক্কী নিংথৌগী মচানুপী লৌরগা পোকপী, নিংথৌজা/ৱাংঙম-নিংথৌমচা য়েক্কী নুপী অদুনা অমুক অঙোম/ নোংবান কাংলুপকী/য়েক্কী নিংথৌদা ওঙলগা পোক্লকপী, অঙোম/ নোংবান য়েক্কী চনু/নিংঙোন অদুনা অমুক মৈতৈ/ৱাংঙম/নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌদা ময়ুম পাল্লগা পোক্লক-শাৎলকপী নুপীনি।। অসুম্না অঙোমগা নিংথৌজাগগী নিংথৌশিংগী অমসুং মচানুপীশিংগী ওঙন-লৌনবগী কাইদা (ক্রোসিং/crossing) সি অহুম্লক থংনা থংননা তৌরগা পোক্লকপা মচা অহানবা অদু নুপা ওইরবদি "সনামহী" কৌই, নুপী ওইরবদি তমপা (তম্ফা) কৌই (খ: চ: স:, ১৯৭৫, ৩৪)। অদুগা মৈতৈ নিংথৌগী অতৈ মচা নুপী/নিংঙোনশিংবুনা "ৱাংঙমলোন" হায়না কৌই (পেন: তেং: খুৎ:, লাই:)। অদুবু ৱাংঙম/মৈতৈ/ নিংথৌজা কাংলুপ/ য়েক্তা ফুরুপ/শল্লাই অচৌবা অনি ১) কাংপু শেল্লুংবগী চাদা-নাউদা অমসুং ২) কোনসৌরেন নৎত্রগা নোংদা লাইরেন পাখংবগী চাদা-নাউদা হায়না খায়দোক্তুনা লৈবনিনা, অহানবগীসিগী চনু-নিংঙোনশিংবু "ৱাংঙম লাকহিমোম" অমসুং অকোনবগীসিগী চনু-নিংঙোনশিংবু "ৱাংঙমলোন" অমদি "তমপা ৱাংঙমলোন" হায়না কৌনৈ।

মথক্কী খন্ন-নৈনবগী মখাদা লৈরিবী তমপা/তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী (২শুবী) অসিগী অশেংবা মমিং-মিংলেন্দি "তম্ফা ৱাংঙমলোন" নৎত্রগা "লৈমা লাইরোকলেম্বী" হায়না কৌই। মহাক্কী অপোকপা মপন-পম্থৌগী মমিংদি "নোংদা তুকুপ্লীক" নৎত্রগা "নোংদা লাইরেন পাখংবা" কৌই অমসুং অপোকপী মপন পলেম মমানা মৈতৈলৈমা লাইস্না (লৈনুং লাইখুরোম্বী/ লাইখুরেম্বী) কৌই। অদুগা অতোপ্পা পাৱারী-পুৱারীগী লীখুন-কাংখুন অমদা মহাক্কী মপন পম্থৌ মপাগী কোল্লোয় মমিংলেন্দি মৈদিংঙু খুঈয়োম্ন তোম্পোক (খৃ ১৫৪-২৬৪) কৌই অমসুং মপন পলেম মমাগী কোল্লোই মমিংলেন্না নোংপাল্লোন নোংমোইনু/ নোংমাইনু অহোঙবী কৌই। মহাক্কী পোকমিন্নবা মদু নিংথৌ মবুং অনি লৈরম্মী, অনিদুগী অহন নৎত্রগা মবুংহন্না- য়োঈচীঙলেন তমহৈবা য়োঈমোংবা (ঙাংঙোই য়োঈমোংবা) কৌই অমসুং মবুংতোন্না য়োঈহৈতোন তাউথিংমাং [মৈদিংঙ্ঙু তাউথিংমাং (খৃ: ২৬৪-৩৬৪)] কৌই। মহাকসি মবুং অনিসিগী মতুংদা তাঙনা শাৎচবী ৱাংঙমলোন্নি।

তস্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবী ২ শুবীগী পুন্সি ৰারী

তস্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবী অনীশুবী নৎত্রগা লৈমা লাইরোকলেস্বী (লৈরোংজাম্বী)সি মশাগী চহি কুমওন অনিশুরক্লবদা খাবা নোংজেংবনা লুচিং-লাঞ্জিংবা খাবা কাংলুপ, ঙানবা কাংলুপ, চকপগী ফুরুপ-কাংলুপ অমসুং থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং) গী ফুরুপ অমগনা শাবা অপুনবা লান্মী তেঙ্গোন অমনা খঙহৌদনা লানহৌদুনা লান্দারকপদগী কংলৈ কোনুং লানগায়দুনা মপন-পন্থৌ নিংথৌনা মায়কৈ খঙদনা হুইয়েন লাঞ্জেনখ্রবদা মখোয়গী পলেম মমা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মহাকপু মবুং অনিগা লোইননা হাওরৈ লাইনা পাংবরম অৰাং কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোননুংদা কৌবা মপু কৌবরেন লাইয়িংথৌ অমসুং মহাক্কী তাল্লোই কৌনু লাইরেম্মগী মফমদা চঙজদুনা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙশা নাপোম অমদা শাথুপ্তুনা লোৎথিরম্মী (থি: ন: খুৎ: লাই:)। মহাক্না কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙঙ্গোন্নুংদা চাওরক-শাংলক্তুনা মশাগী চহী কুমওন ১২ (তরানীথোই) রোম শুরক্লবা মতমদা মমা ঈবেস্মা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মপাবুং নোংদা লাইরেন পাখংবনা লাঞ্জেন্দুনা শাইদাং-শাথুপ্লিবা লমদম/লৈপাক খঙলকখি। মতমসিদা মখোয় মচীন মপ্না অহুম অমসুং মপন পলেম মমাদা খাবশিংগী মীওৎ-মীনৈ, মখোয়গী লৈঙাক-ৰায়েন্নচিংবা পামদবশিংনা মপাবুং ঈবুংঙোবু থিদুনা কৌরু-থেমগৎলুনবা অমসুং খাবশিংগী লুচিংবা খাবা নোংজেংবু হাত্তুনা কংলৈ পুঙময়োনগী পুরুম তাইবীলোক কোনুংদগী খাবশিং, মখোয়গী মচীন-মনাউ ওইবা ঙানবশিং অমসুং মঙাই-মশেনশিং অমদি লাল্লোই-শীল্লোইনবা ওইরিবা চকপশিংবু তাস্থোকখিদুনা অমুক হন্না কংলৈ পুঙময়োন্দা পাল্লনবা হায়রু-তানরুনবা ৰাকৎ-ৰানারখি।

ৰাকৎ-ৰানাররিবা, য়োকখৎ-শৌগৎপগী ৰাতাইনরিবা মীয়াম-মীরুপ্তুগী মচীন চৎপা, য়ায়তোঙ-খমতোঙবা নমু মীকোক ১০ (তরা) (নিংথৌ পোংপা তরা, হায়না পী) না লৈমা/ৰাংঙমলোন লাইরোকলেস্বীদা ৰাচৎ-ৰানোল্লখি (ও: ত:, ১৯৭৭, ৩২-৩৭)। তম্পাৰাংঙমলোন পান্থোইবী (লৈমা লাইরোকলেস্বী) না নিংথৌ পোংবা তরাদুদা মপন পন্থৌনা পাল্লমগদবা পোৎলম-চৈরমশিং শেম শাহল্লগা, মদুশিংদুনা মপন-পন্থৌ নিংথৌদা, খুন্দোনপোৎ ওইনা পীরগা কংলৈ পুঙময়োন্দা কাররুবা/লারুনবা হায়না-শীঙনরুগে হায়না নিংথৌ পোংবা তরাদুদা হায়রবদা য়ানরদুনা নিংথৌ পোংবা তরানা পোৎলম-চৈরমশিংদু লাংনা-ফংনবা থৌরাং তৌখ্রে। পোৎ-চৈশিং অদু পীরবদা তম্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবনা পুরদুনা মপন পলেম মমা অমসুং মদু নিংথৌ মবুং অনিগা লোইননা মপন পন্থৌ নোংদা লাইরেন্না শাথুপ্লিবা কেগে মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌ নৎত্রগা লোইরেন সনাপুঙদা কুম্লকখি।

মোইৰাংদা পম্লৌ মপা উনবা

তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বীনা পলেম মমা মৈতৈলৈমা লাইস্না অমসুং মবুং অনি (য়োঙ্গমোংবা অমসুং তাউথিংমাং) গা লোইননা খাবী অমাইবী শাদুনা মৈত্রবাক্কী নুমিৎকী মশক ওইরবা পাখংববু খেমগৎপা লাকপসিদা মপন পম্লৌ নিংথৌবু লাইরেন মকোন্নং কেগে মোইৰাংগী থম্বাল নোংশারৌদা উনবা ফংখিরম্মী। পীশক পীক্লা লৈহৌবী মপন পলেম মমাগী তম্পাক্তগী, নঙ্গন্দগী হেনহৌদরিবী মমোম লাংলেন অপীশক্লা নৱা ওইরিঙৈগী পুকওংনা থবাক মায়কৈ তম, অঙাং ওইরিঙৈগী থবাক্লা পায়মা পুকপু তমনা লৈশা, লমদাংদা চঙলকপা, নুপী ওইবী মীওই-মীতৌ শুরকপদু উরগা মপন পম্লৌ মপানা কয়াগী মতীক হৱাউজখি। মরম অসিনা মপাঙ্গবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংবা, তাউরোইনাই অঙানবা, কোরৌহনবা নুমিৎকুপ্পবা, অশৈ ৰাংবীরাই থবীরেন, হায়না অৰাংবা থাক্কী ওইবা অশৈ-ঈশৈদা শৈথানদুনা শৈশক্লরিবা চীওঙু খোইয়ুম লাই অদুনা মমোম লাংলেন্না হায়জবদা য়াবীখি, মতাক্লোই মৈতৈলৈমা লাইস্নানা পুক্লিং থৌগৎপগী ৰাফমশিং তাবীখি। মমোমগী মৱাহৈ ফৌশুখোননে, মশানৌ ৰাকৎ-পাউকৎখোন্নে অনিসিনা তরেং হুংশোন লৈবগুম অহিং-নোংথিল ঙংলকপদগী মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা খাবা নোংজেংবগী মথক্তা লান্দাননবা লাক্লোই খোম্বা হৌরকখি, লাম্মী শেমগৎলকখি। মপন পম্লৌ নিংথৌ তুপী/তুবী লাইরেনগসু চাংদম্নবা, লাইরেন তাউরোইনাইগা লোইনদুনতা লৈ, থানদে হায়বদগী তাউরোইনাই হায়বসিসু মিংওইনবা নোংদা লাইরেন পাখংববু লাইরেন তাউতনপা, তাউহুইরেং অহনবা মশানৌ নুমিৎসনা অঙান-অপানববু ওইনা লৈগা-নোংগা তাইনা পাউথেম্লু-থেমলুববু ঙমমে হায়দুনা তম্ফা ৰাংঙমলোন মহাকপু খাবী শীঙদা থা, অমাই মাইবী লক্তসু চনহনখি। মপন পম্লৌগী মপান্না তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বীসি ময়িম কেগে লমদম, ঙাংঙোই মরৈপাক্তা চহি কুমওন অহুমলোমদি মরৈরমখি।

কংলৈ পুঙময়োন্দা হুঞ্জিল্লকপা

ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী, মবুংহন য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গমোংবনা মশানৌ য়োঙ্গহৈতোন তাউথিংমাংগা লোইননা মপাবুং নোংদা লাইরেনগীদমক্তা মোইৰাংগী থম্বাল নোংশারৌ লোইরেনসনাপুঙদা লৈনা লৈনা কেগে মোইৰাং লৈপাক্কী ঙানখা/ঙাংখা, খুয়োন, কেগে, মোইৰাং, ঙাংঙোই, খাম্বী, ওকচীল অমসুং হিগাগী লমদম-লৈকায়শিংদগী লাক্লোইরেনশিং, লাক্লোইশিং, খোঙমীশিং, তেক্লোইশিং, থাঙশূ-তাশূবশিংনচিংবগী লাম্মী খোম্বদা, শীম্থা-শীল্লংমিন্নবদা অমদি থৌদাং-থৌগায়শিং থৌপুমিন্নবদা অশুপকী মতীক লোন্দীন-খোয়তীম্নমা লোইননা-তীনখি। অদুনা য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গমোংববু

মখোয়গী মোইরাংগী ঙাংঙোই লমদম নৎত্রগা লৈকায়/লৈয়াৎ নৎত্রগা লমতুপকী মীনি, হায়দুনা "ঙাংঙোই য়োঙ্গমোংবা" হায়না অনৌবা মিংথোল অসি পীখিরম্মী। মোইরাংদা শেমগৎলিবা নোংদা লাইরেন পাখংবগী লান্মী তেঙ্গোন অসি কেগে থংজীঙ কোয়রেন লাইগী শৌগৎপগী মিৎয়েং মনুংদনি। অদুগা লান্মী-তেঙ্গোন অসিগী লুচিংলেন-লাঞ্জিংলেন পুরেন্দি মোইরাং চাওবা মেল্লেবা, শবোন শানৌ ঙম্বা, হু তৈবা তেন শীজিন্নবা হৈবনি।

মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌবা নোংদা লাইরেন পাখংবনা খোঙমী-লান্মী শেমগৎলিঙৈগী মতমসিদা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মবুং চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা নকনা তীনমনবদগী অমসুং মনু-মনেম লৈনুং য়াবীরোক নোঙ্গাখিবদগী নোংদা লাইরেন্দগী লাপথোকখ্রবা অঙোম-পুরৈরোম্বা অঙৌবা সরারেন অমসুং শেল্লোই-লংমাইগী লান্মী অমদি মহাক্কা লাল্লোইনবা লুৱাং লংমাইবা সরারেন, মহাক্কী ফুরুপকী লান্মীনচিংববু তাইশিন্নদুনা নোংদা লাইরেনগী মীচঙদা য়াওহন্নবা অঙোম পুরৈরোম্বা মশামক উনদুনা হায়জবদগী মোইরাংদগী নোংদা লাইগী লান্মীনা কংলৈ পুঙময়োন্দা লান্দানবা লাকত্রি-কারকত্রিঙৈগী মমাঙদা পুরৈরোম্বা অঙৌবা মশামক মোইরাংদা লাকপীনবা হায়জবদা য়াবীরক্তুনা মতম চানা পুরৈরোম্বা অমসুং মহাক্কী লাল্লোইশিং অমসুং লাল্লোইলেনশিং খর মোইরাংগী থম্বাল নোংশারৌগী লান্দমশঙ অমদি লানশঙশিংদা লাক্তুনা তীন্নরখি।

মতীক চানা শেমগৎলবা অমসুং নীঙথিনা লান্দম-লানঔরায়রবা অমদি লানগী শাজেন ফজনা তৌরবা নোংদা লাইরেন পাখংবগী লান্মী-তেঙ্গোন্দু মোইরাং চাওবা মেল্লেবনা লাঞ্জিংবা তেল্লোই-লাল্লোই লান্মীশিংনা মাঙ থংলগা অঙোম/নোংবান পুরৈরোম্বনা তাউরোইলাই ওইনা পাখংববু ঙাক-শেল্লগা লৈনুং থারুক অশৈবা, মোইকায় থাবু লীবনা লমইন পেনা খোং, মোইরাং থংচীঙ কোয়রেন লাইনা খুঙ খোংদুনা খোঙহৌরক্লগা কেগে লৈপাক্কী হিগা লৈকায়/লৈয়াৎ/লমতুপকী লোক্তাক খোংবান্দগী হি তোংদুনা লাকখি। লোক্তাক ঈশা মাপন তুবৎ লান্দুনা লমলেন শামুরৌদা থুংলখি। লোক্তাক ঈশা মাপন্দা হিয়াঙ হিরেন হোল্লকপদা লমইন পেনা খোংলকপদা পেনা শামৈ তৎখি অমসুং মদু শম্নবা নত্রগা শামৈদু শিন্নবা লৈনুং থারুক অশৈবনা হোৎনববু শামৈ শমদ্রি-শিন্দ্রিঙৈদা শামুরৌ লমদমদা থুংখি-য়ৌখিবনা হানখি। মদুদগী "পেনা শেল্লিঙৈদা শামুরৌ য়ৌই" হায়বা পাউরৌ/পাথৈসি থোকখি। শামুরৌদগী নোংদা লাইরেনগী লান্মী-তেঙ্গোন্দু মোইরাং চাওবা মেল্লেবনা মাঙ থারগা কংলৈ পুঙময়োন তম্না খারোমদগী হাইগৎলক্লম্মী। কংলৈ পুঙময়োনগী ঙমখৈ চঙশিল্লকপদগী য়াওরক্লিবা তেল্লোইশিংগা লোইননা মখোয়গী লীরুংশিংদুদা তেঞ্জৈ পাল্লগা লকা তেনশৈ লাক্তুনা তেন চীঙলগা চঙশিল্লক্লম্মী।

নোংদা লাইরেনগী লান্মী তেঙ্গোন্দুনা ঙানবা অমসুং চকপশিং লাল্লোই-লান্মীশিংবু তকখায়-থুগায়দুনা পুরুম তাইবীলোক্কী কোনুংগী অকোয়বা লমদমশিংদা চঙশিল্লক্লে। মোইরাং চাওবা মেল্লৈবা, হুতৈ তেন পায়বনা খাবা নোংজেংবনা লৈরিবা মফমদুদা লান্দারম্মী অমসুং মোইরাং চাওবা মেল্লৈবগা খাবা নোংজেংবগা মায়য়োক্নবা লম্বা তৌনদুনা লাম্থেংনরম্মী। লানফমদুগী লান্দুদা মোইরাং চাওবা মেল্লৈবনা খাবা নোংজেংববু হু তৈবা তেঞ্জেনা কাপ্তুনা হৌজিক্কী লানশঙ/লাংশঙ শঙলাংমৈ লৈরিবা মফমসিদা হাৎখিরম্মী। মহাকখক্তসু নত্তনা মহাক্কী মচানুপা শঙ্গাই তেনহনবগা মচানুপী কাংকম ঈচুপপীগা অনিবুসু হাৎলগা মখোয় অহুম ফুঙ্গা লোঙজুম (ফুঙ্গাগী য়োৎশবী মখোঙ অহুমগী মওং মতৌ) শাবগী মওংদা ফুমখিরম্মী (চা: লাই:, খুৎ: লাই:)। মতৌ অসুন্না নোংদা লাইরেন পাখংবনা নিংথৌ ফম্বাল অমুক হন্না হঞ্জিনখি অমসুং কংলৈ পুঙময়োনগী লম অমুক হঞ্জনখিরম্মী।

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মখুরা থোকপা পাখংবা অপানবা (মেচিন্না লৈনুংখোনবা ওইবা য়াঙ্গৈ) না মোইরাং থংজীঙ কোয়রেন নিংথৌবা ওইদুনা লৈরিঙৈদা খাবা নোংজেংবনা লানহৌদুনা নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথরগা কংলৈ পুঙময়োনগী লৈপাক অমসুং কোনুং কুরুমচীঙ (পুরুম তাইবীরোক) মুন্দুনা লৈহৌখিবদগী নোংদা লাইরেননা মোইরাংদা চেন্দুনা থংজীঙগী মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈবা মতম অদু লাইগী চহীদা চহী ১০০ (চাম্মা) হায়না পীবীরম্মী (ল: ক: স: ১৯৬৫, ১৪৩)। অদুগা মহাক্না হাৎখিবা খাবা খুঙ্গৈ অদুবুনা খুঙ্গৈয়োঙ্গৈ তোমপোক থোন্দুনা মাগী মচা, লাইস্নানা পোকপা ওইনা পী।

লৈমা লাইরোকলেম্বী নুহোঙবা

লৈমা লাইরোকলেম্বী নৎত্রগা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী ২শুবীসি মশাগী চহী তরামরি শুরকপদা মপন পম্থৌ অমসুং পলেম মমাগী মতুং ইন্দুনা মবুং অনিগা লোইননা কংলৈ পুঙময়োন্দা কারকখি। মখোয় খাবা নোংজেংবগী মথক্তা লান্দাবা লাকপা লান্দা খোঙচৎ অদুদা য়াওরকখিবনি। মপাবুং নোংদা লাইরেন পাখংবনা লান ঙমদুনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙ/ থেঙগ্রু মচীঙ (পুরুম তাইবীলোক) গী ফম্বাক্তা হঞ্জিন্দুনা পাল্লবদা মমোম লাংলেন তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী/লাইরোকলেম্বী, নুজা ওইবীগী হকচাং কায়াৎশিং মপুঙ-মরৈ ফারে, মতীক-মঙম শুরে, মহী-ময়াই চেল্লে। অদুনা য়ুম্বান-পুঙ্গিদা খোঙদাবগী মনুং-মতম চারক্লদুনা লৈনুং ঙাংশাবীনা পোকপা মোইরাং কাংলুপকী ঙাংহুনথোক্লা চাদা-নাউদারকপা অৱাং কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী অনেম্বা চীঙগী লমদমদা পানবা কৌবা ফুরুপকী কৌবা মুহেংগী মপারী” কৌবরেন মচা অহনবা কৌব্রু” হায়বা মিংথোলসি ফংবা নুপা, কৌবা অঙাংঙাদা থাজ-য়োঞ্জদুনা নুহোঙখি/লুহোংখি।

কৌবা অঙাংঙাসিবু লৈমা লাইরোকলেম্বীগী মবুং অহন ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবগী হাক্কন্নবদা /হক্কন্নবদা অঙোম কাংলুপকী সরারেন নোংবান পুরৈরোম্বগী অশাওবা নেমথ-ফাথহন্দুনা সরারেনসি শাওবদগী নোং চুহনবা খামখি হায়দুনা "কৌবা কোরৌ নোংখাম-নিংথৌ" হায়বা মিংথোল অসিসু পীখি অমসুং ফংখি। অসুন্না তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবী (২ শুবী), লৈমা লৈরোংজাম্বীনা অহল-লম্মন মশেন হায়না-শীঙনরগা নুহোঙ-খোঙদোংবগী মখলগী লৌন-লৈনবগী পরীং অমসুং পরমদা মোইরাং মী কাংলুপকী কৌবা মীযুরপকী অঙোংঙাদা ওঙখি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবী লৈমা লৈরোংজাম্বী অৱাং কৌব্রু চীঙজাওগী ঈরোক লাইচমশিং লোকলেন লোকচাও, লোকখু-লোকপীকশিং য়াম্না কুংনা লৈবা চীঙ্গোনগী লমদমগী মপু কৌব্রু চীঙজাওগী ঙমখৈ-লমকন মনুংদা মোইরাং ফুরুপকী মীওইশিংগী মনুংদগী ঈহান হান্না খুন্দা-লৈতাখি হায়দুনা "কৌবা মচা অহনবা কৌব্রু" হায়না মিংথোনবদা ওঙদু না ঈরোক-লাইচমশিং অদুদা চীঙনা-লেমনা পানখি হায়দুনা ৱাংঙমলোন লৈরোংজাম্বীবু, "লৈমা লাইরোকলেম্বী" হায়না মশাবী কৌবা মপু নিংথৌনা মিংলেন-মিংহুনবীখি। লৈমা লাইরোকলেম্বীনা কৌবা মমান লমদম, কৌব্রু মনু লমদা ওঙলক-লৈরকপা ঈকুই কুইদ্রিঙৈদা নহান মখৈ চহী কুমওন ১৪/১৫ (তরামরি/তরামঙা) রোম কৌব্রুগী চীঙ্গোনুংগী লোকুং-য়ানুংদা লাম্থৈ-লাঞ্জেল্লক্লুনা শাথুপ-শারোত্তুনা, লোত্তুনা লৈরক্লবী লৈনুং-খমনুং লৈমাখুবী লৈমা লাইনাউতাবী, লানফা তাল্লোয় ওইনা ৱাংঙম/পোইরৈ/মৈতৈগী লাইস্রা, শেল্লোই-লংমাই মশাইগোন্দা থোক্নু অহোঙবী, অঙোম পুরৈরোম্বগী থাজ-য়োঞ্জরকপী ওইনা নোংবাল্লোন নোংমাইনু অহোঙবীবু কৌবা চীঙশা নাপোম অমদা অঙাং-নৱা ওইবীগুন্না থেংনরুরে। চঙজফম লৈজদ্রবী লাইস্রা লাইনাউতাবীগী নুপীচা ওইবগী পীদোঞ্জবা মতৌদু উরুবদা মশাবী মপুরোইবদা হায়জদুনা চঙজ-থুপচফম পীহনখি। পুন্সি চহিনা হক্লবসু চেংলৌ শক্তম-শক্লা নৌবী, চরৈ লকা পানবী লৈমা লাইনাউতাবীবু মমোম লাংলেন শকনা কৌবরোন নামোইনু কোল্লোয় মমিংথোন্না নাউয়োক-নাউকোনখি।

খোইয়ুম নোংদম্বা চীঙঙু কশা মহাক্লা তন্নক্লবা নোংদমখোনবু খেত্তোক-ককথংপা ঙম্বা খোইয়ুম খোইমোম কনা য়াওখিবগে? অদুগা হৌরক-কারক্লিবা নুংশিবগী ঈথিনবু থিংজিন্দুনা থম্বা, নোংমতা ওইরবসু নুংশি' মকাদা ফোঙদোক্লমদনা তোকপা ঙম্বা কয়াবু য়াওখিবগে? কৌবা মপু কৌব্রুগী মমোম লাংলেনগী শীঙদা চন্দুনা কৌব্রু চীঙশা নাপোমদা কৌবরোন নামোইনু কৌবী শকনৌ-শকহেনবীসি শাবী মথোক্লকপা পাখং অমগী মিৎয়েংগী মিংথোঙ ফম্বাক্তা তারুরে। পামিংনবা (শীঙতাবুঙ ২ শুবা) লুৱাং নিংথৌগী মপারী নুংবান পোনবী লুৱাংবা (লুয়াং খুনথিবা) না পনম চখোক্লকপদা কৌবা

অঙাংঙা মশাইগোন্দা চেংলৌ শকউনদুনা পাখং-লৈশা অনিসি শকখঙ-মায়খঙনখি। লুৱাং খুনথিবগী পলেম মমা শনথোঙ হুইমু লৈমনা মপারীগীদমক পুকয়ু-ৱাইয়ু, খোময়ু পুরক, হৈশীঙ খৱায় পুরক্তুনা নুরা মাবু শুম্মায় উরোঙ খীনগে, য়ুমজীন কাকফৈ থাগে ৱাচৎলরে। নুজা কৌবরোন নামোইনুসু হাওদৈ অথুম্ববু য়ুতংবদুনা ফোঙদোক্লে। পাগী ময়কৈদসু পীগী মায়কৈদসু নাকন অনিমক য়ান-পেনরে। হৈশীঙ খরায় পুনা অপোক-অশাৎ থানা লৈরোং লাইদা কৎলগা মরান নুহোঙ-খোঙদোংবা লেপ্পরে। থবী মথং থাজনা লেং থাজ মথং থবীনা শমদুনা কোরৌ শীঙবুম হৌথিবনা মমোম লাংলেন কৌবরোন নামোইনু মথংলেন নাক্তা য়ৌ, মশাবী কাদা থুংখরে।

তম্ফা ৱাংঙমলোন্না মদু-মবুংগী তেংবাংবা

তম্ফা ৱাংঙমলোন লৈমা লাইরোকলেম্বী মমোম লাংলেন্না নুহোঙ-খোঙদোংখিবা চহি কুমজা খরগী মতুংদা লৈমা মহাক্কী মপন পঙ্থৌ নিংথৌ মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা, ৱাংঙম তুবী অচঙবা, মৈতৈ লাইরেন অহিংবনা নমু তাইবং মীগী মপোক থাদোক্তুনা শমু মহকচাংনা মালং-নোংশীৎ ওই, চকমোম খাম্বী মৈ ওই, তরং লাইজা ঈশিং ওই, মালেম লৈপাক লৈওই, কোরৌ অতিংঙা/অতিয়া অহাঙবা ওইনা লাংওনখ্রে। মপন পঙ্থৌনা নোঙ্গাখ্রবদা মালেম লৈদা পাননা য়াঙ্গোয়হৌরিবা মদু মবুং অনিনা কংলৈ পুঙময়োনগী কুরুমচীঙগী চীঙখোয় নেৎ, থেঙগ্রুমচীঙগী খুবমলেন, পুরুম তাইবীলোক্কী ফম্বাল ফম্ননবা ৱাকয়ৈ হিদান্নরক্লে। মদু-মবুং অহন য়োয়চীঙলেন তমহৈবা ঙাংঙোই য়োঈমোংবনা খ্বাই মীয়াম্না শকখঙ-মায়খঙবা, থবক-থৌরম খুদিংমক্তা হৈ-শিঙবা অমদি মীথোই-মীহেনবা, খুৎকন-পাঙ্গনবা অমসুং থৌনা-লিংজেন লৈবা হেল্লি। খুদম চাংদম ওইনা - ১) শঙ্গায় য়ুমদা - মোংবা য়ুম, মোংবা শঙ্গায় (মোংবায়োঈ শঙ্গায়) অমসুং মরান মোংবয়ায়; (২) লম্বী-লম্বেন্দা—মোংবা লম্বী; (৩)চীঙনুংহুত্তা—মোংবা চীঙনুংহুৎ ; (৪) তুরেন্দা—মোংবা তুখুন, মোংবা তুথেক, মোংবা তোরৈ; (৫) উমং-ৱামংদা—য়োংবহনবা তল্লা উয়োক (কোন) ; (৬) মহী-ময়াই (ফত্তবগী) কনবা উচেক-শরাদা-মোংবা (উচেক) য়ুমজঙ্বা, অসিনচিংবনি। মসিশিংসিনা মরম ওইদুনা মদু মবুং য়োঈহৈতোন তাউথিংমাংগা চাংদম্নরুবা নৎত্রগা লম্বা পানরুবা/তৌনরুবা ওইথোক্তে। শাফাদা, লানফাদা, ঈথিংদা, পনথিংদা, মুক্নাদা, লমজেন্দা, চেঙ্গোঙদা, মাঙজোঙদা, খুবৈদা, খোঙয়ায়দা, অসিনচিংবদা ঙাংঙোই য়োঈমোংবনা লোয়না হেল্লি। শেল্লোই-লংমাইচীঙ্দা মহাক্কী মমিংদা থোনখিবা লমমিংগী লম "মোংবা কম্বোংপুৎ লৈরি (লং: চীঙ: খুৎ: লাই:)।" ঙাংঙোই য়োঈমোংবসি অঙোম সরারেন/পুরৈরোম্বা (মসি অঙোম খাংহন অহনবা পুরৈরোম্বা ওইবা য়াই) ফাওবা শাগ্রেম-লানক্রেম্নবা নৎত্রগা লংনবা ঙম্মী, হায়বসি মৈতৈ কংলা কোনুংলেন ওইরম্বগী মনুংদা লৈরিবা তুরেনগী ঈরেন "তুরেন লাংমৈপুঙ" কৌবসিনা

খুদম-চাংদম ওইরি (চা: লাই: খুৎ: লাই)। অদুগা য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গমোংবনা পীবা ফমলেন লুচিংবা নিংথৌ ওইবসি মশাগী চহীদসু মহাক্লা হল্লি, মপোক্কী ময়াইদসু মপা মমানা পোকপগী অহননি, অদুনদি মহাক্লা শোয়দনা লুচিং-ফমলেনসি ওইখিবা তাবনি।

য়োঙ্গহৈতোন তাউথিংমাংদি কুরুমচীঙগী খুল্লাক —খুননিংথৌগী ফম্বালসি ফংনীঙবনা ঙাওরিবনি। অদুনা মহাক্লা অফববু ওইরবসু ফত্তববু ওইরবসু পাম্বে অমা থিদুনা ফম্বাল ফংনবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্কী তৌদবা য়াদবা মথৌ ওইরম্মী। তাউথিংমাংনা মহাক্কী মতেং পাংনবা, উপায় তৌবীনবা অমসুং পাম্বে ওইবীনবা মীচঙ থিরকপদা মখোয়গী মচননুপী মমোম লাংলেনতোন তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্ভোইবী (২ শুবী) লৈরোংজাম্বী নৎত্রগা লৈমা লাইরোকলেম্বীগা অমসুং মচন নুপীসিগী মথংলেন, মশেননুপা কৌবা অঙাংঙাগা অনিসিদা চঙজখি অমসুং মখোয় অনি নত্তনা মতেংসি তৌবীবা/পাংবীবা ঙমগদবা অতৈ কনাসু লৈত্রে হায়না খনখি। মরম অসিনা মহাক্কী অনীঙবা-অপাম্বদু মচন নুপীসিদা হায়দোক-ফোঙদোক্তুনা অঙম্বা মতেং পীনবা হায়জরম্মী। ৰাফমসি মশেন নুপাগা খন্নবদা ময়াম্বুং য়োঙ্গমোংববু তাইবং মীওইবগী শক্তম লাংলিবদুগী শক্তম মিতমদু মুখৎপা নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈরমদে। হায়রিবা থবকসি লৌখৎপদা ফোঙনা শীঙনদুনা, লম্বা পানদুনা পাংথোকপসু ওইথোক্লমদে। মহাক্লা য়াম্না কন্না তরুবা অমসুং হায়জবদগী মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোন অমসুং মশেন কৌবা অঙাংঙানা তেংবাংনবগী ৰাফম য়ারে। অদুগা মহাক্লা পাম্লিবা থবক, য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈববু মাঙহন্নবগী থবক্তু মখোয় মতৈ-মনাউনা মখোয়গী শরৌ লাংথাক অমসুং খুজীন-থৌরাংগী মখাদা লৌখৎলগে, মখোয়না পাম্বে অমা থিদুনা শোয়দনা পাংথোক্লগে, হায়না মখোয়গী অয়াবা পীরে।

য়োঙ্গমোংবা হাৎপা

য়োঙ্গহৈতোন তাউথিংমাং, তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী অমসুং কৌবা অঙাংঙা মখোয়সি মীচঙ ওইনদুনা তৌনরিবা ফত্তবা খুজীন-থৌরাং অমসুং খঙনা খঙনা শীনলিবা লঙজ-লাঞ্জবগী থবকসিগী মমি উদ্রিবা অমসুং শহুম-লাংহুম ফংদ্রিবা ঙাংঙোই য়োঙ্গমোংবদি খুদোংথীবনা মহাক্কী মতুংদা ইন্নরি, মপুক্সি মিকুপ খুদিংমকপু অৰাবা তাহনগদবগী লুমদুনা লৈরে খঙদবনা করিসু অরানবা খল্লুবা তৌদনা চৎলি-লৈরি। অকন-অরিংবা, অথৌবগী পুকচেল চেনবশিং কনানা কনাবুসু ফত্তবা তৌরক্কনি, হায়বগী ৰাখল তৌদে, অমসুং চিংনদে, অদুবু অকন-অথৌবা পুম্নমকসি অশোনবশিংনা লুমফু, লাললুমদুনা লোয়শিনখিবা ঙাক্তনি। হেক পোকন্নিবা মবুংগা ওইবনিনা মখোয়মক্কী কাংলুপ-ফুরুপ,

মচা-মনাই নৎত্রগা ঈমুং-মনুংগী মীনা ঈফোঙ ফোঙনা হেক তৌরুবদি ফজদবনিনা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবীসিনা চকপা-তাংবা কাংলুপ-ফুরুপ অমদগী লায়রখ্রবা নুপা, মপাঙ্গল কল্লবসু মশাগী মখুৎলাই-মখুৎশূ তিমেন তা অমা ফাওবা লৈজ-লোইজবা ঙমজদবা, হিংন-পান্নবগী থবক শূ-নোম্লবসু মীঙোন্দগী য়োৎ-থাঙজৌ পূ-ৱায়দুনা শূবা "খাংসু নহা লায়রবা" কৌবা নুপা অমবু তিমেন-তা পীরগা (ৱায়হন্দুনা", হায়, —পা: ফম; খুৎ; লাই:; পা: লাই: খুৎ: লাই: অমসুং খ: য়: স:, ১৯৬৭) থবক অদু পাংথোক্লবা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্হোইবীসিনা শিন্নরে।

চকপা খাংসু নহা লায়রবনা মতম কুইনা খুদোংচাবা ফংগদবা মতম-তাঞ্জা লুমদুনা য়োঈমোংববু শেন্নদুনা লৈরকখি। খুদোংথিবা থোকউ, অৱাবা-অনাবা তাউ, হায়দুনা তমখ্রবা লাইবক্কী নোংদমদা অয়োন-অরানবা থবক ওইদুনসু থোক্তনদি খক তোকখিদে। কোরৌ নুমিৎ অমদদি য়োঈচীঙলেন তমহৈবো, ঙাংঙোই য়োঈমোংবনা মরোই-মনাউ কনাসু য়াওদনা মহাক মথন্তা খাবা শঞ্জেনথোং (হৌজিক্কী ইম্ফাল কংলৈগী ময়ায়দা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং) গী খোংবান খুল্লম/ খোংলম/তুখুনগী মখারোমদা ইন্দুনা খাজিক্তং চথরগা লৈরিবা মফম (হৌজিক্কী মোংবহনবা উয়োককোন লৈরিবদুগী হনুমানগী চেক্কী কিয়োং লাইশঙ লৈরিবদুদগী অৱাংলোমদা মিটর ১৫০ রোম চৎখৎলগা নোংচুপলোমদা মিটর ৩০ রোম চঙশিল্লগা লৈবা লৈপুঙগী মফম) দা লোইদাম কালেন অশাও থাগী নোংশাগী মঙান্না য়াক্লকপা মতম, লাইরেন-লিননচিংবা মপুক্লা শীক্তুনা চৎপশিংনা মালেম লৈখুননুংদগী মপান লৈমায়দা থোক্লরকপগী তানফম থোক্লক্লম্মী। নহানঙৈগী মখৈদগী লুমদুনা শেন্নদুনা লৈরক্লবা চকপা খাংসু নহা লায়রবনা তুরেন খোংলমগী ওয়থংবা খোংবাল্লোমদা চৎলিবা য়োঈমোংববু নারক্তগী লোননা তারোন তানা হুল্লক্তুনা নময়াঙদা তিমেন তাপাল্লে, লৈমায়থক্তা হাইথদুনা তুরে। মতমদুদা চকপা খাংসু নহা লায়রবনা নারক-মোংশোংলক্তগী চোংথোক্লক্তুনা মশাগী হকথং তানা অমুক্সু থিন্দত্তুনা খোয়ওৎনরে, তিমেন তাওৎনরে। ঙাংঙোই য়োঈমোংবনা তিমেন তাপানবগী চৈনাখোল খাঙবদা হকচাং ফর-ফর হাই-ওন্দুনা খাঙলম্লগা য়াইবী থৱাইনা হকচাংদগী মপান থোকখিদুনা মালং নোংশীত্তা তীনখি। অসুম্না য়োঈচীঙলেন তমহৈবা ঙাংঙোই য়োঈমোংবনা তিমেন তানা পান্দুনা তুখিবা, মহাক্কী য়াইবী থৱাই চুপখিবা মফম/লমবু মহাক্কী খুবম য়াদুনা "মোংবহনবা লাইফম" থোন্দুনা হৌজিক ফাওবদা মোংবহনবা তল্লা উয়োককোন হায়না লৈরি। হায়রিবা তল্লা উয়োককোনসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ১৭০৯-৪৮) না মহাবলী হনুমানগী লাই শক্তম মীওই-মীতৌ শুনা নুঙ না খৃ: ১৭২৯ দা শাদুনা লাইশঙ শারগা লাৎলম্বদগী (চৈথা : কুম ২০০৫,৮৯) মহাবলী উমং "হায়নসু খঙনৈ। মহাবলী হনুমানগী লাইশঙ চেক্লা কিয়োঙ [Burmese/Myanma or Mramma KYAUNG] গী মখল অমসুং

মওংদা শাদুনা লৈরি। হায়রিবা কিয়োং লাইশঙসিগী য়ুস্ফমদগী অৰাংলোমদা মি : ১৫০ রোম চৎখৎলগা উমং মনুংলোমদা মি: ৩০ রোম চঙশিল্লগা য়োঙ্গৈচীঙলেন তমহৈবা ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবগী থৰাই চুপখিবা মফম/লাইফম অসিদা লৈপুঙ মচা অমা থোনগৎলগা খুবম য়াদুনা লৈরি। ৰাফমসি মথক্তসু থমজখ্রে। অদুবু লাইফমসিদা মৈতৈ নিংথৌশিংনা ঈরাৎ-থৌনি তৌনখিবা মরুওইবা লাইফম অমা ওইবনা অমুক হন্না থমজবনি।

অশিবগী মথৌ-মঙম পাংথোকপা—

ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবা, য়োঙ্গৈচীঙলেন তমহৈবা মোংবহনবনা অমন-য়াইথোঙ কুমদুনা খমনুং-শৰা তানখ্রবদা তৌরিবা লৌ খঙহৌদবা শউম/শাহুম-শফম ফংহৌদবা লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং, অকন-অরিংশিং অমসুং মখোয়গী তাল্লোই য়ুমলৈমশিং য়াম্না নুংঙাইতবা পোক্লখি। মখোয়না মহাকপু ৰাংঙম ফমলেন লুচিংবা, কুরুমচীঙগী খুননিংথৌ ওইনা পোইরৈগী নিংথৌ ওইবা মীশক ওইনা নিংথৌ মমাইবা কোন্দে খুৎচুম মাইগা লোইননা ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবগী অশিবা মংজম-মংথিনবগী মপোৎ-মচৈ, পোৎচঙ-চৈজঙ পুন্নমক শুনা লাংদুনা হাওশী মংজন্না অশিবগী পাংথোকফম থোকপা মথৌ-মঙম পুন্নমক পাংথোকপীখি। মসিদা য়োঙ্গৈমোংবগী মমোম মচন ওইবী থৌশীল-থৌরাং হৈবী তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বীসু অখঙবনা খঙদবা শা, অরোৎপনা অফোংবা ওইদুনা মদু মবুং অহন্নি হায়বা শাদুনা অশিবগী মথৌ-মঙম তৌনা-পাংথোক্লবা ৰাতানবা, মপোৎ-মচৈ লাংবা, থৌবু-থৌদাং য়াবনচিংবদা মায়পুনরগা মশানা তৌখিবা অয়োন-অরান অমসুং লঙজ-লাঞ্জবগী অরোন-অরোৎপদু কুপশিন-খুমজিন্নবা হোৎনখি। তশেংনমক খোঙজঙ-খোঙফমদুদা মায়পাকখি। অদুগা মদু মবুং য়োঙ্গৈচীংলেন তমহৈবগী অশি-নোঙ্গাংথৌগী ঈরাৎ-থেল্লাৎনচিংবদসু মায়পাক্লা শুরুক য়াখি [মথক্কীসিদা, ৩৫]।

ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংববু কংলৈ পুঙময়োনগী থেঙগ্রুমচীঙগী ফম্বাল (নিংথৌ ফম্বাল) গীদমক্তা লোয়শিনখিবগী মতাং অসি মৈতৈগী লাইরিক "তুতেংলোন" কৌবনা পীরিবদি— য়োঙ্গৈমোংবা অমসুং তাউথিংমাং মচীন-মনাউ অনিসি কুরুম চীঙগী ফম্বাললাংগীদমক্তা কিকোৎ/কেকু লোৎপী মশান্না অসি ৪(মরি)রক শান্নখ্রগা মঙারকশুবা মশান্নদা ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবনা লোৎপগী লেঙ তাখি, খুৎলোৎ অসিনা মশান্নসিদা মচীন-মনাউ শান্নবগী অরোয়বা খোঙফমনি। অরোয়বগী খুৎলোৎ অসিদা ময়ামবুং য়োঙ্গৈমোংবনা লোৎখিবদগী মনাউ তাউথিংমাংনা ময়াম্বুংবু তাইবংপালসিদা অমুক হন্না উবা ফংখিদ্রে হায়না ইরি [নোং: ম:স:,১৯৮৮,৩৪]। মসিনা তক্লিবদি মতমসিদা (কেকু মঙারকশুবা লোৎখিবগী মতমদুদা) ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবসি লোয়শিনখ্রে হায়বনি। অদুগা মোংবহনবা উয়োক/উমং অসি ঙাংঙোই য়োঙ্গৈমোংবগী কেকু লোৎফম মফম অমা

ওইনা পীরি [মথক্কীসিদা,]। অদুগা "পাখংবা লাইহূই", "পাখংবা ফম্বাল" কৌবা মমিং তোংঙান্নবা অমসুং মনুংদা য়াওরিবা মচাক-মথুমশিংদি চপ মান্নবা লাইরিক্তনা ঙাংঙোই য়োঙ্গমোংবসি চীঙনুংহুৎ (শুগ্নুদগী মখারোমদা মাইল ৮ লোম চৎলগা লৈরিবা ইম্ফাল তুরেন্না তম্পাক লমদমদগী চীঙলক্তা চঙখিবগী ঈচীন/মচীন) তা লাইরেন (Python/ Boa) ওন্দুনা লৈখি— হায়দুনা পীরি [খ:য়:স:, ১৯৬৭,৪১]।

তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মাপারী-মমোমশিং

তম্ফা ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী মশাগী চহী ১৬ (তরাতরুক্তা)তা কৌবা অঙাংঙাদা য়ুম পাল্লকপনি। মহাক্না য়ুম পাল্লকপা নৌরিঙৈদা মমোম-লাংলেন অহন কৌবরোন নামোইনু ফংজবা, নাউয়োক-নাউকোল্লকপা অমসুং মমোম লাংলেন থাজ-য়োথঞ্জখিবগী ৱারী-শীঙবুন মথক্তা থমজখ্রে। অদুবু কৌবরোন নামোইনুদি মহাক্কী মবুক থোক্কী মচা নত্তে, য়োকচ-থাকচবী মমোম্নি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, লৈমা লৈরোংজাম্বী নত্রগা লাইরোকলেম্বীনা মশাবী-মপুরোইবা মোইরাং কৌবা অঙাংঙাগা তুগা ৱাগা ওইনা পানদুনা কৌবা চীঙ্গোন্নুংদা চহি কুমজা কয়া নুংঙাই-য়াইফনা পাল্লম্মী। মখোয় অনিগী তুগা-ৱাগা ওইনা য়ুম্বানবগী পুন্সিসি মায়পাকপা পুন্সিনি। লৈমা লাইরোকলেম্বীসি নুপী ওইনা য়ুম্বানবগী লৈহাউ চেন্নবী, চাদা-নাউদা হোঙবী, মশাবী-মৱাবু পেনহনবা ঙম্বী অমসুং মশা-মউ ফনা নাউপু-নাউচেন ফবীনি। মখোয় মতৈ-মনাউ অনিগী মপারী ৫ (মঙা) পোক্লম্মী, মখোয়দুদি ঃ—

১. খোইনাই অহনবা নত্রগা খুয়োলথোঙ্গী থোকচাও থোকচাও অহনবা (নিংথৌখোংগী থংনরেন),

২. খোইনাই য়ুমথংবা,

৩. য়ুকোক্‌থোং য়ায়মবা,

৪. য়িরুম লৌথিবা অমসুং

৫. নারুম অতোনবা, [ম:স:ক:এ:,১৯৯৪;৩২৩]

অসিশিংসিনি। অসুন্না খুৎকন-পাঙ্গন্না পানবা শাগৈ-য়ুম্নাক অমা ওইরম্বদগী কৌবা অঙাংঙাগী অমসুং লৈমা লাইরোকলেম্বীগী চাদা নাউদাশিংসি মখোয়গী মতুং চহি ১০০ (চাম)গী মতমদদি মী ফুরুপ অমা নত্রগা শল্লাই অমা ওইরকখি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী, মপারী মঙা নাউয়োক-নাউকোন্দুনা পাল্লকপী চাহৈ কুমশীঙ য়াল্লক্লবা, মপারীশিংনা শরেপ কাংদোং ফারক্লবা অমদি মপারীশিংগী মহুইরোন মমৌশিং থিরক-লৈরক্লদুনা খুৎয়া তুশীৎনা পানপা হৌরক্লম্মী।

কেগে মপল্লমদা খোঙগুম্বা

মোইরাং কৌবা অঙাংঙাগা মতাল্লোয় লৈমা লাইরোকলেম্বীনা মপারীশিং অমসুং মহুইরোনশিংগা হরাউ-নুংঙাইনা কৌরুগী লমদম পাল্লিঙৈসিদা কেগে মপল্লম, ঙাংঙোই মপুরম মোইরাং ঈৰাং (ঈশিংনা ৰাংখৎপা লমদম, লোক্তাক মপান্দা খুন্দাবা মীশিং নত্রগা লীংবা লৈপাক) লমদমদা পাল্লম্বা ঈৰাং পুরীকলাইদু লৈখিদ্রে, মোইরাং লৈপাক্তা নিংথৌ পান্দ্রে; কৌবা অঙাংঙাবু মোইরাং ঈৰাংগী লৈপাক্তা পুরিক্লাই নিংথৌ ওইররো, লৈঙাক ৰায়েন-থৌদা তৌররো, হায়দুনা মী থারক্তুনা কৌররে। মরম অসিনা কৌবা অঙাংঙা মপারী-মচানুপাশিং অমসুং মহাক্কী তাল্লোয় তম্ফা ৰাংঙমলোল লাইরোকলেম্বী নত্রগা লৈমা লৈরোংজোম্বীবু পুদুনা কৌরুগী কৌবা চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী লমদমদগী কেগে মোইরাংগী মায়কৈ তমদুন খুনকুম্লক্লম্মী। মখোয়না মথং মথং অসুম লাকপনা নিংথৌখোং হায়বা লমদম অদুদা থুংলরে। মফম অসিদা মতম খর পন্দুনা লৈরম্মী অমসুং মখোয়না নিংথৌখোংদা পন্দুনা লৈরিঙৈসিদা হাননা অ- মমাঙদা কেগে মোইরাংদা কুমখিদুনা লৈখ্রবা মচানুপা অহন খোইনাই অহনবা, খুয়োলয়োঙ্গ থোকচাও, থোকচাও অহনবা (মোইরাং য়েক্কী কৌবা শল্লাইগী থোকচোম শাগৈ-য়ুম্লাক্কী পুকোক) হায়না কৌবা মোইরাং লৈপাক্কী খুয়োল লৈয়াৎ/লমতুপ নত্রগা লৈকায়দা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখিবা, খুয়োলনা/খুয়োলগী মীশিংনা, খুয়োল লৈকায়না য়োকপী-থাকপীবা, শেম্বী-শাবীবা মীওইনি/নুপানি, হায়দুনা "খুয়োলয়োঙ্গ থোকচাও, থোকচাও অহনবা" হায়না মিংথোন্নবা মপারী অসিনা মোইরাংগী খুয়োলদগী লাক্তুনা মপন-পষ্টো কৌবা অঙাংঙা, পলেম মমা তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী অমসুং মশানৌ মনাউ মরিগা উনরলম্মী অমদি ওক্লা-থেংনরম্মী। অদুনা মরম ওইদুনা কৌবা অঙাংঙাবু নিংথৌখোংগী লমদমসিদা "ওক্লরেন (লাইয়িংথৌ ওক্লরেন)" অমসুং মপারী খোইনাই অহনবা নত্রগা খুয়োলয়োঙ্গ থোকচাও থোকচাও অহনববু মফমসিদা "থেংনরেল", লোন থৈথরক্লগা "থংনরেন (লাইয়িংথৌ থংনরেন)" হায়না মিংথোন্নখি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা নিংথৌখোংসিদা মখোয় অনিসিবু লাইয়িংথৌশিং ওইনা খুবম য়াদুনা লাৎলি।

পুন্সি পোলোয় তানবা

কৌবা অঙাংঙা, মপারীশিং অমসুং তম্ফা ৰাংঙমলোন পাম্থোইবী নত্রগা লৈমা লাইরোকলেম্বীনা নিংথৌখোংদা পন্দুনা লৈরিঙৈসিদা কৌবা অঙাংঙানা মোইরাং মপনলম কেগে মপু লৈপাক্তা মোইরাং পুরিক্লাই লৈতরে হায়বদু চুম্লবরা নত্রগা চুমদবরা, মতমদুদনা করি করম্বা ফিবম অমসুং ফিরেপ্তা লৈরিবগে, হায়বসি য়েংলুচো হায়দুনা কৌবা মপু অঙাংঙানা তয়ুম মদাইরেম হাওবা লৌশিঙব [ম:নো:,১৯৯৬,২৭]বু থাদুনা য়েংহল্লুরম্মী।

হাওবা লৌশিঙবনা কেগে চাওপুঙগী মোইরাং কংলৈ কোনুংদা চঙদুনা করি, করম তৌরিবনো হায়দুনা য়েংলম্মী। মতমদুগী মমাঙ লোইদাম থাজ খরগী মমাঙদা মোইরাং পুরিক্লাই চোথে থাঙৱাই পাখংবা (থিংক্রি নাচাওবা) না চীঙঙু লাইদা পুক্লীঙ থম, অৱাং কৌবা চীঙগী চীঙঙু নোংথৌ সরারেনবু থম্মোই-লাইমিৎ মাঙদা থম্না খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা পুক্লীঙ-ৰাখন্না চৎ, শমু হকচাংনা ৰাখল-লৌশিঙ মাঙদুনা তাদুনা লৈবা মতমদা অমন-য়াইথোঙ কুমলে, শৰা পনকেল্লে, মোইরাং নিংথৌ পুরীক্লাই লৈত্রে, হায়না তৌরম্বদগী পুরীক্লাই চোথে থাঙৱাই পাখংবা থিংক্রি নাচাওবনা ৰাখল-লৌশিঙ তারক্তুনা কোরৌ মথোঙজীন্দগী হল্লক্তুনা কংলৈ কোনুংদা য়াঙ্গোয়রিবা নমু মীপুম পুন্নমক্লা হরাউনরিবদু মিৎয়েং শানখৈরুরে। মদুদগী মহাক্লা কেগে ঈৰাং কংলৈদগী লমলেন নিংথৌখোংদা হলৱাইরক্লে।

কৌবা অঙাংঙাগী মদাইরেম হাওবা লৌশিঙবনা কেগে কংলৈ, মোইরাং কোনুংদা চৎলুরগা লমলেন নিংথৌখোং লমদমদা হল্লক্লগা কৌবা মপুগী মফমদা কেগে ঈৰাং কংলৈদা মহাক্লা উরক-তারকপা পুন্নমক্তু তম্লরে। কৌবা অঙাংঙানা মোইরাং ঈৰাং পুরিক্লাই কৌরৌ মথোঙজীন, ৰাংবন মরাকতাইদগী হলৱাইরক্লে; কেগে নিংথৌ লৈরে, মোইরাংদা ঈৰাং পুরীক্লাই পাল্লে, হায়বা পাউসি তারে। অদুগা কৌবা অঙাংঙানা কেগে মপাচা মোইরাং লৈঙাক-থৌপুবশিংদা কেগে পুরীক্লাই হল্লক্লবনিনা মোইরাং ঈৰাংগী নিংথৌ লৈরে। অদুনা মহাক্কী চন্নফম লৈত্রে, মোইরাং মরম অসিদা মহাক লমলেন নিংথৌখোংসিদগী মশাগী হান্নগী খুন্দা-লৈতাফম কৌবা লমদমগী লমলেন মদাইমদুদা হনখ্রগে হায়না হায়রে। কেগে চাওবা পুঙ, মোইরাং শাংবয়াঈগী লৈঙাক-ৰায়েন-থৌদা পুবা অঙম-অথৌশিং অমসুং অকন-অরিংশিংনসু ৰাফম অদু য়ারে। অসুন্না কৌবা মোইরাংগী ফুরুপকা ঈৰাং মোইরাংগী ফুরুপকা য়ানরবা মতুংদা কৌবা অঙাংঙা, মহাক্কী তাল্লোই তম্ফা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী মপারীশিং, মহুইরোন (মমৌ)শিংগা লোইননা কেগে নিংথৌখোংদগী কৌবা চীঙ্গোনগী লমলেন মদাইমদা হনখিরম্মী।

লৈমা লাইরোকলেম্বী নোঙ্গাবা—

লৈমা লাইরোকলেম্বী, "তম্ফা ৰাংঙমলোন পান্থোইবী, খাবী লেংনাউ মোমবী নুমিৎ সনাখোমদোনবু কংলৈ পুঙময়োন্দা থেমগৎপী," হায়না কোল্লোয় মিংন্থন্নবীনা মশাবী মোইরাং কৌবা অঙাংঙা অমসুং/নত্রগা নোংপোক লৌরাংবী পান্থোইবী, নোংপোক মালং হুমওইবা, লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বগী য়ুমলৈমগা অমতা ওইনা য়েৎশিন তোৎশিন্নদুনা লৈবা, য়ানশিন-তীশিন্নদুনা পীবগুম তৌরি। ৰাফমসি চৎনবীগী পরীং অমা ওইনা চেম্বরক্লবসু অমসুং মীশক-মীওই অমতগুন্না ৰারী-শীঙবুন কয়াদা পীবিরক্লবসু

মাগী মাগী মশক-শক্তম, থৌদোক-ৱাথোক্কী লীখুন-খোংলমদা তারিবা থৌদৌ-থৌওংগী পরম, ম-চা অমসুং মশক খায়দোক্তুনা মাগী মাগী মমিং-মথা চুন্না শীজিন্নবনা অফবা ওইগনি। হায়রিবসি নত্রবদি চানবী হৈবী লাইরেম্মশিং অসিগী অশাও-মিৎয়েং অমসুং মীচৈ ফংগদ্রা হায়না কিজে। লাইরেম্মনা চানবীবা ওইসনু।।

৬

নোংমোইনু অহোঙবী

ৱাহৌদোক

"চীঙঙু অৱাংকোন্দগী নোংবাল্লোন নোংমোইন্নু অহোঙবীনা নিংথৌ পোৎলোই মশীঙ শুনা কোরৌ তাচীরে, ৱাংবন তাতারৈসু নেমথরক-এ।। রিরী চীললেকপা, অনং ফিহাইবা খোইনীং শেললোইনাই নুঙনাং শাকুরাংবা, শাশা পুশা শায়িং তোং লৈত্রেং চয়োমচৈ শূ, মনখাং মনতা ৱাইরৌ পাম্বসু খমথাঙ কোকচা লাইচা শীনয়ানথাঙ মোংবয়োঙ্গ শঙগাই মাঙদা নেমথরকয়ে।। লৈরেন লৈচাওগা খুতোন খুদাং হাপ, শামৈ শমদোন য়োম, শমজীহুক তুংথাংনা, নীঙশোং ফাললাংথক্তা খোঙশীৎ মানবন হৌনা ৱাহোং মৈবু নোয়, লাংমৈতোং নেমনোয়বু নোয়, ফম্বালদা নোয়ঙম্বা [খু:য়া:স:, ১৯৬৭,৩৯-৪০]।।"

মথক্তা থমজরিবা "পাখংবা ফম্বাল" নৎত্রগা "পাখংবা লাইহুই" কৌবা পুয়া/লাইরিক্তগী লৌথোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পাল্লিবা "নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী" হায়রিবী অঙোমচনু অসি মৈদিংঙু খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক (খুঙ্গনা য়োক্লক-শেম্লকপা নাইতোম পোকপা মচানুপা) (চাওরাক্লা খৃ: ১৫৪-২৬৪) কী মৈতৈলৈমা, তাল্লোই ওইখিবীনি। মহাকসি লাইগী লৈপাক অৱাংবা মফম নৎত্রগা মওং-মতৌদা লৈবা লাইরৈপাক্তা লৈবী, লাইরৈপাক্তুদগী মীরম মীরৈপাক তম্পাক লমদম অসিদা লেঙথরক-কুমথরকপা ওইনা ৱারেং মতেক অসিদা শৈথারি। মতাং অসি মহাক্লা মৈদিংঙু খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্তা হায়না-শীঙনদুনা অমসুং অওঙ-অউন মতীক চানা তমদুনা নুহোঙ-খোঙদোংলকপা অমদি মহাক্লা নীঙথিবা ফিজোল শেত্তুনা, ফজবা লৈতেং-লৈথেৎ চীন-থেত্তুনা অওঙ-অউন পোৎশিংদুগা লোইননা নুপা ময়ুম, খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী ময়ুমদা থুংলবগী মতম-মতাংদুগী মরমদা শৈথারি।

নোংমোইনু অহোঙবীগী শক্তাকপা

নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী, শেল্লোই-লংমাইচীঙদা পানবা অঙোম য়েক্কী নিংথৌ অঙৌপাম্বা পুরৈরোম্বা অঙৌবগী য়োকচবী মমোম লাংলেন ওইনা পীরি।

[মথক্কীসিদা, ৩৮]। অদুবু নোংমোইনু অহোঙবীবু শক্তাকপদা পাখংবা ফম্বাল নত্রগা লাইহুইনা পীবীরম্লিবদি ঃ—

নোংদা লাইরেন পাখংববু খাবা তৌশূবনা খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্তা ইনশিন্দুনা হাৎহন্দুনা নোঙ্গারবদা [মথক্কীসিদা, ৩৩] অশিবা মশাদু পুরুম চীঙখোঙ পাত্তা হুস্থরবদা মৈতৈলৈমা লাইস্নানা মশা-হুকচাংদু পুরুম চীঙখোঙগী পাৎ নুঙজেং ঈকোন্দা লোং খোন্দুনা লৌখৎলগা [মথক্কীসিদা, ৩৪] তৌফম থোকপা মথৌ-মঙম তৌদুনা অশি মংজন্দুনা ফুমখ্রে। অদুদগী "লাইস্না খোইমোম লাইনা শাবীনা কংলৈ পুঙখোঙ নেৎঙমদরবগী মালেম তম্পাক লৈনেমথক, কৌরৌ ৰাংবকোন্দা থোইনু অহোঙবী লৈনা শানা শাথুপখরে [মথক্কীসিদা,৩৫]।" অদুগা মখা তারকপা মতম, খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্না নিংথৌ ওইরবা মতমদা "নিংথৌ পোংবা তরা (Council of Ten Ministers who support and follow the king) মক্লা কোন্দে খুৎচুম মাই (Priest who sustains the kingship)না, খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কা তাউবা হুইরৈ চিংগীবু তৌশিকলে (লাইগী য়াথং শোয়বা য়াদ্রববু পাংথোক্লে) হায়না নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী, চীঙঙু অৰাংকোন্দা শানথুপ্পী (লোৎলিবী) বু কচেং নাইফা থাঙ লেঙদবনা পাউকৌএ, মদাইরেম অনি থৌশীএ [মথক্কীসিদা, ৩৮]।

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা "নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী" হায়বসি মৈতৈলৈমা লাইস্নানা পাখংবা শিখ্রবদা খাবশিংনা লানহৌদুনা লৈপাক পানবা ঙমদ্রবা অমসুং ওৎ-নৈবদা তম্পাক লমদমদা লৈবা ঙমদদুনা অঙোম পুরৈরোম্বদা চঙজদুনা পুরৈরোম্বগী অৰাংবা চীঙলৈপাক শেল্লোই-লংমাইচীঙদা লাইনা পানবা লাইরৈপাক্কুম্বা মফমদা লোত্তুনা লৈখিবী "থোইনু অহোঙবী" শাখিবী নত্রগা মিংথোনখিবী মৈতৈলৈমা লাইস্না অদুনি। লাইস্নাসিদি লৈনুং লমজাওগী খমনুং লৈপাক্তা "শৰা" কৌবা কংলৈ শেমদুনা পাল্লম্বা খমনুং থোঙঙারেন/থৰারেন অহনবগী তাল্লোই অহন লৈমা লাইখুরোম্বী অদুনি। হায়রিবা লাইখুরোম্বী অসিগী মপাগী মমিংদি লাইরেন হুমজাওবা কৌই [ম:চ:স:,১৯৭৯,৯]। অসুম্না মীশক অমতনা মমিং অনি অহুম কৌদুনা নত্রগা থোন্দুনা থৌদোক-ৰাথোক কয়াদা শক্তম লাংবা শানওন/শাইয়োন-লাংওন কয়া শান্নবগী ৰাফম ৰারম, ৰারী-শীঙবুননচিংবসি থাদোকচরম্লগা মাঙগী অহল-লম্মনশিংনা থম্বীরম্বা অমসুং শেমগৎ-শাগত্তুনা পীবীরম্বা পাৰারী-পুৰারীগী লীখুন-খোংলম ইন্দুনা নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবীসি মৈদিংঙু খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী তাল্লোই মৈতৈলৈমা ওইনা লৌখৎচরি।

নোংমৌইনু অহোঙবী নুহোঙবা

খুঙ্গইয়োঙ্গ তোম্পোক্না মপুঙ-মরৈ ফাদুনা খাবশিংবু নমথদুনা অমসুং তাঙ্হোক্তুনা মৈতৈ নিংথৌ ওইরবদা মৈতৈলৈমা য়াওদ্রবদি লৈপাক পানবা য়ারোয় হায়দুনা লৈপাক্কী থৌগায় অমসুং থৌদাং পুরিবা অঙম-অথৌশিং, অশৈ-অমাইশিং অমসুং নিংথৌ পোংবা তরানা তানদুনা খুঙ্গইয়োঙ্গ তোম্পোক্কী মপা চানগদবা নুপী অমা থিরম-য়েংলম্মী। মতমদুদা শেল্লোই লংমাইচীঙদা হাইনা-হুমনা পাল্লিবা, চীঙঙ্গু সরারেন, চীঙঙ্গু, খোইয়ুম-খোইমোমশিং পুন্নমক্কী নিংথৌনি হায়না শক্না-শোন্নরিবা অঙোম নিংথৌ পুরৈরোম্বা অঙৌবগী মমোম লাংলেন অমা লৈ হায়বা তারদুনা মহাক্তুবু য়েংলুনবা অমদি হায়না-শীঙনরুন্নবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী অঙম্বশিংনা নিংথৌগা তানরগা তম্বা নুপা অনি, মমিংশিংনা নুঙপা থায়াঙপা অমসুং শেনশা (শেঞ্জা) হায়হৈবা কৌবশিং শেল্লোই লংমাইচীঙদা অঙোম পুরৈরোম্বগী মনাক্তা অমসুং মফমদা থারম্মী। মখোয় অনিবু অঙোমশিংনা তরাম তরাম্না ওক্লম্মী। অনিসিনা অঙোম নিংথৌদা মচানুপীবু খুঙ্গইয়োঙ্গ তোম্পোক পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌদা থাজবীনবা হায়জবগা লোইননা মতমদুদা চৎনবা পীফম থোকপা নুপী থাজমল পুরক্তুনা নোংবান পুরৈরোম্বগী সনা ক্বাগোক হাল্লে, নিংঙোন-মল মংকৎশেন কৎলে। মদুদা অঙোম পুরৈরোম্বনা পেনবীরদুনা সরারেন মিংথোন ফংলবা শেল্লোই লংমাইচীঙদা পানবা অকন-অথৌ অহুমগা তানা-য়ানদুনা মখোয় অনিদা মশক নাইবা ফি অমমম পীরম্মী। মদুগী ৱারোন্দি ঃ—

... ... নুঙবা থায়াঙবদা চৈরৈ পরোইথেং, মাললৌ কোয়চা য়েকপু লনকুপীঙমএ।। শেঞ্জা হায়হৈপদা শঙদিঙলোন অঙাংববু লনকুনা ৱাচুন্নখিএ [খু:য়া:স:,ম ১৯৬৭-৬৯]।

অসিনি। ফি অনিসি, অহানবগীসিনা— লৈরোং য়েকপা, খোই অকোয়বা লোনবা ফি ইন্নফি ঙবোং অমসুং অকোনবগীসিনা— শাফি-লানফিদা পুমশেং শেংলবা মচু অঙাংবা— হায়বনি। অসুমনা নুহোঙবগী ৱাফম য়ানবগী ৱারোয় পুরকখিরম্মী।

নোংবাল্লোন নোংমৌইনু অহোঙবীনা খুঙ্গইয়োঙ্গ তোম্পোক্তা নুহোঙ-খোঙদোংলব্রবদা মহাকপু অওঙ-অউনপোৎ, অউন্নাই-অউনশননচিংবা পুন্নমক্তা লোইননা মৈদিংঙু খুঙ্গইয়োঙ্গ তোম্পোক্কী মোংবা য়োঙ্গকোনুংগী কোল্লোয় মশঙ্গাইদা পুরক্তুনা থুংলখি। মহাক্না নুহোঙবগী থৌরম লোয়রগা মৈতৈ কোনুংদা থুংলবগী ৱাফমসি ৱারেংসিগী ৱাহৌদোক্কী চৈজীং খুৎমাবদা থমজখ্রে, মফমসিদসু মতাং চাবগী খুদোংচাবা লৌজদুনা অমুকসু হন্না থমজরি, মদুদি ঃ—

... ... মৈতৈলৈমা নোংমৌইনু অহোঙবী, চীঙঙ্গু অৱাংবা মমোমলোনবু নুঙবা থায়াঙবনা নমচৎঙৈ, শেনচা হায়হৈবনা মনহোল্লকঙৈ কোরৌ মচীরৈ ৱাংবন তাতারৈবু

নেমথরকপী, লীলী চীললেকপা অনং ফিহাইবা খোইনীং শেল্লোইনাই নুঙনাং শাকুরাকপগা কোরৌ নোংথাঙকোনগী শাশা পুশাকা কোনঙৌ নুংতোংকা শয়ী তোংলৈ তরেংগা মনথাঙ মনতাকা ৱাইরৌ পানবা লুখাম থাঙ কোকচরাইপা শীনয়াঙথাঙবু মোংবা য়োইশঙ কাইদা নেমথরকপী, লৈরেন লৈচাও পুং, লাংমৈ পুঙলেন চীন, খুতোন খুতা হাপ্পা শমমৈ শমতোন য়োম, শমচীহুক তুংথাংনা থপাক ঙৈথোমনা চীঙশোং ফাল্লংথক্তা খোঙশীং মানপন হৌ, লাংমৈ তোননেম নোয়বু নোয়না ঙমহৌবী নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী... ... ... [ও:ভ:স:,১৯৬৭,৬]।

অসিনি। অসুন্না মহাক্না খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী ময়ুমদা থুংলরবসিদা খাবা তৌশূব্দু লৈবা য়ারক্তদুনা য়ুমদু থাদোক্তুনা লোৎখ্রে অমসুং চেনখ্রে। অদুগা খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক অমসুং নোংমোইনু অনিনা নুংশিনরবা মতৈ-মনাউ ওইনা খুয়া তুশীৎনা নুংঙাই-য়াইফনা পাল্লম্মী।

নোংমোইনুগী য়ুম্বানবগী লন্নাই পুন্সি

নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবীসি খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী পুক্নীঙনা খোয়দাজরবী তাল্লোই ওইখিরম্মী। অদুগা মহাক্সু মশাবী মৈদিংঙু অসিদা মশাগী পুক্নীঙ-হকচাং অমসুং থম্মোই কখোকচখি। মখোয় অনি মতৈ-মনাউ অনিসিনা নুপা-নুপী অমমম ওইনা অহিং ঈনুং মোল্লাং তপ্তাই তীন্নমা চীনবান-চীনবান চীন্দীননা হকচাং অনি লীয়েৎননা নুংশি শেখনা, অপাম খায়থননা লেনবা মরন্নাইগী পুন্সিদু নীঙবা থুংখি অমদি য়ুম্বানবগী মহৈ য়ানখি। নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবীসিনা মৈদিংঙু খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী ঈনা মপারী অনি, কোল্লোয় মমিংনা য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈবা য়োঙ্গমোংবা (মোংবহনবা নত্রগা ঙাংঙোই য়োঙ্গমোংবা) অমসুং য়োঙ্গহৈতোন তাউথিংমাং [মতমদুগী তুংলমচৎকী মৈদিংঙু তাউথিংমাং (চাওরাক্লা খৃ:২৬৪-৩৬৪)] অমদি মমোম লাংলেন অমা, কোল্লোয় মমিংনা তম্ফা ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী [লৈমা লৈরোংজাম্বী, মোইরাং কৌবা/অনৌবা /থোকচোমগী পুকোক "কৌবা অঙাংঙা"দা ওঙখি]গী মপন পল্লেম মমা ওইবা ফংজখি।

মৈদিংঙু খুঙ্গয়োঙ্গ তোম্পোক্কী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেনবা-থুম্বারোন অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্লোনগী থবক-থৌরমশিংদা থৌদাং লৌবা অমদি শরুক য়াবদা নত্তনা ঈমুং-মনুংগী থবক ইনখাংদা তাদুনা লৈরবা নুপী থৌদাং পুন্নমক নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবীনা পুরকখি। অদুবু মশাগী হকচাং-কায়াৎকী শুমহৎয়াইনা মপুরোইবনা চাদা নাউদাগী লমদাংদা অপাম্বগী ময়াই কারকপদুগী পেন্নবা তৌবদা মহাক খক চোকথবা লৈরমদে। চাবোক-কাংথং শীননা লোইনরবসু পুক্নীঙ-ৱাখনগী অপাম্বগী মতুং ইন্না ফমদীন্নবদি নুরা হকচাং কখোকপা মখৈ শরুক য়াখিবীনি। অদুনা মপুরোইবনা চেৎনা চানা তৌখিবীনি।

পুন্সিগী পোলোয় তানবদা

নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী মাল্লেম তাইবংপানবসিদা চহি কুমশীঙ কয়া হিংলম্বগে হায়বদুদি কনানসু খঙ্গদে। মহাক করম্না নোঙ্গখিবগে হায়বগী মরমদসু খঙ্গদে। মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগী পল্লোন মনুংদা পুশিন্দুনা লাইরেম্মা অমা ওইনা লৌবা তারবসু মীওইবা অমা ওইনা পুন্সিগী পন্দোন লোমফম অমা লৈবা অমসুং পোকপা-শিবা হায়বসি মীওইবগা লোইনদুনা লৈবনিনা মহাক্কীসু শিবগী মতম লৈফম থোকই। অদুবু খুংশেমগী পারারী-পুরারীগী পরীংদা লৈবা শক্তম অমা ওইনা থম্বীরম্বনিনা নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবীগী পুন্সিগী পোলোয় তানখিবগী রারমসি ফংজবা ঙমজদে। মহাক্কী মশাবী খুঈয়োঙ্গী তোম্পোক অসিসু শিখি-নোঙ্গখিবা লৈতবা নত্রগা নাইদবা মৈতৈগী অহানবা নিংথৌ তরেৎকী মনুংদা চনবনিনা মহাক্কীসু নোঙ্গাবগী মতম লৈফম থোক্তবা ওইনা থম্বীখিবনা ফংদবরা খঙ্গে।

রারোয়শিন

নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী, পারারী-পুরারীগী ওইবা মৈতৈলৈমশিংগী মনুংদা অনিশুবীনি। অদুবু মহাক্কী হৌরক-শাৎলকফম অমসুং শক্তোক-শকখঙহনবগী মরমদা চম্মম্নবা লীখুনগী তোরৈ অমদা থম্বীরম্মী। মহাক্কী পীবীরম্লিবা পুন্সি রারীগী রারোন্না হৌজিক্কী মীরোন্দা পীরিবদি মৈতৈগী লুহোংবগী চৎনবীদা নুপী মমল (Bride price) লৌবগী চৎনবী লৈরম্মী, হায়না-শীঙনদুনা নুহোঙবগী রায়েনসু চৎনবী ওইরম্মী, অদুগা অপেনবা-অপাম্বা নত্রগা নীঙবা থুংলবদা খুদোল পীবা, অমসুং মনা-মথুম পীবগী চৎনবী মচৎসু লৈরম্মী হায়বশিং অসিনি। অদুগা মতমদুদা শীজিন্নবা নুপীগী ফিজেৎ-চাকচাগী ফিরোই-ফিঙাম অমসুং লৈতেং-লৈথেৎশিংসু মশক তাক্লি। মখোয়সিনা মৈতৈ হায়বা মী কাংলুপ-ফুরুপসিনা লৈপাকসিগী পারারী-পুরারিগী ঙাল্লিমৈগী মতমদা করম্না পুন্সি লেলম্বগে হায়বদুসু তাক্লি। মখোয়সি মী কাংলুপসিগী চাওখৎ-খোঙথাংগী শক্তাক্লিবা মরন-মথুম্লি। অনৌ-অনৌবা পোৎলম-পোৎশক্তা পাম্নরবা মীওইবগী খুন্নাইদা অরিবা পোৎলমশিং, মখোয়গী মতমদুদদি অনৌবা পোৎশক ওইরম্লিবনি, হায়বসি ঐখোয়না রাখন্দা থমফম থোকই অমসুং কাউফম থোক্তে মরমদি অনৌবা পোৎশক হায়বসি অরিবা পোৎলমদুগী মচা-মশূনি।

৭

কৌররোন নামোইনু

ৱাহৈদোক

(১)... ... ... কৌপা মপু নিংথৌকি মমোমলোন, পলেম পীনাইতনা পীওইপী, পম্বৌ পানাইতনা পাওইনপী, চকমোম খামপী মৈখাঙকোনকুপীপু সঙতীঙ থোইনা নামিপী, নূরা মেল্লোঙ খুৎসাপী মমোম কৌপারোন নামোইনুপু চেংলৌ সকনা হেনবী, সঙতীঙ থোইনা নামিপীপু চেংলৌ মিৎথীৎলা, মিৎয়েং সানখৈরাপাকি... [ন'খ:স:, ১৯৯১,(২),(১৫)]

(২)... ... ... কৌপা মাপু নিংথৌ মমোমলোন।। পনলেম পীনাইতা নামু ওইপী।। চকমোম খামপী ময়খাং কোনকুমপী।। সঙতীঙ থোইনা নামিপী।। নুরা মেনলোং খুৎসাপী।। কৌপারোন নামোইনু।। সঙতে ঙায়নুপীপু।। চেংলৌ মিৎথীৎলাপাকী [ই:লু:,১৯৮২,১৫]

মথক্কী "নোংবান পোনবী লুৱাউবা" কৌবা লাইরিক্কী লৌথোকচরকপা ৱারেং মতেক অনিসিদা পল্লিবা "কোবরোন নামোইনু" হায়রিবী নুপী অসি কৌক্র চীঙজাওগী লমকন মনুংগী চীঙদোন অমদা পানবা মোইরাং য়েক্কী কৌবা (মোইরাং অনৌবা নত্রগা থোকচোম) শল্লাইগী পুকোক কোকলেন কৌবা অঙাংঙাগী মচানুপী ওইনা পীবীরি। অদুবু নুপী অসিগী মরমদা অমুক লাইরিক মশামকসিদা পীবীরম্লিবদি ঃ—

... ... অসাইকি লৈমা লৈনাউ/লাইনাউ তাপীতী অৱাং কৌপা মপু নিংথৌতা ৱাইথুংলে।। খোইমোম কৌব্রন্না পাউমেনঙম্মে। ঈমোম লৈরাং শাফপী নঙপু কনানো? ঐপু ঈপারী সাত্তে, ঈমোম ফুয়তে হায়পকীপু ঈপা-ঈপু সিতপনা লনকুপীরকপনরিঙেনে।। ঈমোম লেপলৌ সিনকুমনা লাংকোনচকে হায়না লোন্না-থুপনা কৌঙমএ।। অতুনোংকীপু কোল্লোয় মমিংথোংসুঙ কৌপরোন নামোইনু—ও তৌনা কৌএ।। মমোম কৌপরোন নামোইনুসু মপন মরানয়ায়তা য়াংকোয়রে [ন:খ:স:,১৯৯১,(১৩)]।

অসিনি। অদুনদি কৌবরোন নামোইনুসি লৈমা লাইনাউ/লৈনাউতাবীনি। মহাক্না শানওন (মশক-মশা ওন্থোকপা) নত্রগা শাইয়োন ওনবনি, লাংওন থৱাই অমতা ওইবরসু হকচাং তোংঙানবা নত্রগা মপোক অমদা ওন্না পোক্লকপা নত্তে, লৈমা লাইনাউ তাবী মশামক্নি [লৈমা লাইনাউতাবী (লাইস্রা)দা য়েংবীয়ু]। অদুবু মহাক্না মমিংসিদা পুন্সিগী শক্তম তোংঙানবা অমা লাংলি নত্রগা পুথোক্লি। পুথোক্লিবা শক্তমদুগী থৌদোক-ৱাথোকশিং নত্রগা পুন্সি-ৱারীদি ঃ—

কৌবরোন নামোইনু পুন্সি ৱারী

কৌবরোন নামোইনুগী পুন্সি ৱারীসি লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন ওইনা পীরম্মী। পোকপা নাইদবী নত্রগা লৈতবী মপা মমা লৈতবী ওইনা পীরি, মরমদি কৌব্রুগী লমদমসিদদি মহাক্কী মপা-মমা লৈতে, মাগী কনাসু লৈতে, মহাক্না খুন্থোকমিন্নরকপা পোইরৈতোন অমসুং লাকমিন্নবা অতৈ মীওইশিংগা মহাক্না খায়ন-কায়নদুনা কৌব্রুগী চীংঙন্দোনসিদা মহাক থুংলবনি অমসুং চঙফম লৌরবনি। মরুপ-মপাং, মতারোই-মখোয়নৌশিংনচিংবা কনাসু উদ্রবা-লৈত্রবা মফমসিদা মীওইবগী পুন্সি অমগী শক্তম লৌদুনা হিংনবগী লান মায়য়োক য়াবা তাবনি।

মপা-মমা অমসুং মখুন-খুঞ্জাশিং

"কৌবরোন নামোইনু" হায়না মিংথোল্লবী লৈমা লাইনাউতাবীনা কৌব্রুগী চীঙ্গোন অমদা চঙজ-থুপফম থিরকপদা মপারী পোকচদবা, মমোম শাৎচজদবা চীঙগোলদুগী নিংথৌ কৌবা অঙাংঙা কৌবগা থেংনরে। মহাক্কী পীদোনবা মতৌ উবদা কৌবা অঙাংঙানা য়োকচবা মপা (Adoptive father) ওইনা লৌশিনবীরে। মরম অসিনা মপা-মমা লৈরমদবী কৌবরোন নামোইনুদু মপন পান্থৌ মপা, মপন পল্লেম মমা লৈখ্রে অমসুং ফংখ্রে। ময়েক-মশল্লাই লৈরক্লে, মচীঙ-মকাই ফংখ্রে। অমসুং মখুন-খুঞ্জাশিং থোক্লক্লে। পন্থৌ মপানা কৌবা মপু নিংথৌ অঙাংঙা, পল্লেম মমানা মপন কৌবা অঙাংঙাগী তাল্লোই ৱাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী (তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী অনিশুবী), মৈদিংঙু খুঈয়োঙ্গ তোম্পোক (চাওরাক্লা খৃ:১৫৪-২৬৪) চনুনি অমসুং মচীঙ-মকাইফম্না কৌবা মচীঙলেন (কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙশা অমা)নি। অসুম্না কৌবা চীঙদা কৌবা অঙাংঙাগী ময়ুম-মশাইগোন্দা মমোম লাংলেন ওইনা লৈশা মথোৎ কারকপী ওইনা পানখ্রে। লোইবী কানা শীঙ য়ান, কৌবা পামদা লৌরাং শূনা লৈখ্রে। নমু তাইবং কন্নানা কৌবা অঙাংঙাগী মমোমলোন কৌবরোন নামোইনু অহেনবী, হায়না খঙনরক্লে।

মরান তেংনা য়ুমগাবা

কৌবরোন নামোইনুনা মপুঙ ফারবী, মশক মতৌ ফজরবী লৈশাবী অমা ওইনা কৌবা অঙাংঙাগী ময়ুম-মশাইগোন্দা পাল্লিৌঙেদা লুৰাং/নুংপান য়েক-শল্লাইগী নিংথৌ শীঙতাপুঙ শীঙমিংনবগী মপারী নুংপান পামিংনবা (মপাগী মমিং অদুম্মক কৌব) না শম্থোঙ হূইমুরৈমা পানদুনা পোকপা নুংৰান পোনবী লুৰাউবা নত্রগা লুৰাং খুনথিবনা পাখং মপুঙ ফারক্তুনা পনম (অহাঙবা লম্লক্তা) চখোল্লকপদা কৌবা মপুগী ময়ুম-মশাইগোন্দা চঙলক্তুনা নামোইনুগা চেংলৌ শকখঙনরখি। মদুদগী হৌনা পাখং-লৈশা ওইরিবা নুংৰান পোনবী লুৰাউবা অমসুং কৌবরোন নামোইনু অনি চেংলৌ শকচানরগা নুংশি মিতম লাংনখি। নোংদম্বা কশা সরারেন্না তল্লকপা মপু মাগী তাইবংপানগী কুম্মৈনি।

নুংবান পোনবী লুৰাউবসি মতমসিদা মপা ঈবুংঙোগী কোল্লোই মশঙ্গাই লৈরিবা লমদেং-লমহামদা লৈরি। মহাক্লা কৌক্রু মপু নিংথৌগী মচীঙ-মকাইফমদা চঙদুনা কৌবা মপুগা চেংলৌ শকখঙনরুবদা কৌবা মপুগী মমোমলোন কৌবরোন নামোইনুবু চেংলৌ শকচানরুবা অমসুং নিংঙোন মায়থোঙ উরুবদগী পাখং পুন্সি মহৌশা অপাম-নুংশি ৰাখন্না চুখরে। ময়ুম মোংবা মরানয়ায় য়ৌরগা মশুঙ মমান্নবা, মপীজাশিংদা হায়দুনা পল্লেম মমা শম্থোঙ হূইমু লৈমদা পাউদমদুনা কৌবা মপুগী মমোম কৌবরোন নামোইনুবু লুৰাং খুনথিবা মহাক্কী তাল্লোই তুনুংচঙ ওইনবা হায়না-শীঙনবা, শেনকু নানমদুনা শুম্মায় উরোঙ খীন্নবা থৌশীনবীয়ু হায়জরে। পল্লেম মমানা পম্থৌ মপাগা তানদুনা হৈরাং নীঙথিবা, হাওদৈ অথুম্বা পুদুনা কৌবা মপুগী মরানয়ায়দা চত্তুনা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বী, কৌবরোন নামোইনুগী পল্লেম মমাগা তাউজীঙ হৈরাং চামিন্ননা চীন্‌গোয় ৰারী শাদুনা মমোম মচানুপীবু লুৰাং খুনথিবদা থাজবীনবা হায়নরে। পল্লেম মমা অনিদি য়ানরে। অদুগা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বীনা মমোম থাজবগী ৰাফমসি কৌবা মপুদা হঙ্গত্তুনা পাউ ফাওনরে। অমরোমদা লুৰাং ময়ুমদগী, নুংবান মকাইফমদগী পুরকপা হাওদৈ অথুম্বদু কৌবরোন নামোইনুনা থক-তঙ, হায়ন-শীঙনবগী খোম-য়ুদু, নুজা মহাক্লা থক-য়োংদুনা নিংঙোনগী পুকনীঙনা নুহোঙবদু (লুহোংবদু) য়ানীঙবগী ৰাফম ফোঙদোক্লে। অসুন্না মায়কৈ অনিমক য়ানদুনা কৌবা মপু কৌবা অঙাংঙাগী নাইতোম ওইবী মমোম কৌবরোন নামোইনুদু নুংবান পোম্বী লুৰাউবদা থাজদুনা অওঙ-অউন তমদুনা চাওনা লুহোং-খোঙদোংলে [নি:খ:স:,১৯৯১,(১৫)-(২০)। অসুন্না নুংবান পোম্বী লুৰাউবা অমসুং কৌবরোন নামোইনু অনিগী লুহোংবগী থৌরমগী মতাংদা পীরম্বা ৰারোল অমদি ঃ—

... ... তাল্লোই মরুমপীনা, হয়েং কোরৌ নোংকা শোয়, লোইয়া তমলোন ঙাল্লপকা হৈরাঙ লুথোং পু, খুমলোঙ নাকথং লোননা, চেঙলুক লমকোয় শূ, ঙাপা

পৌতোং য়ান, কাওরেন সনফাং হোই, মল্ল মসীঙ শু, লাংনা লৈখোম তৈ, নুংপান পুমনা হুপ, লুৰাং পাকনা তাইনা কৌপা ময়ুম নাক্তা ৰাইথুংলে [মথক্কীসিদা, (১৭)] ।

অসিনি। মসি লুৰাংগী নুপা ময়ুমগী কাংবুনা লুহোংনবগীদমক্তা কৌবগী নুপী ময়ুমগী মনাক্তা কৌক্রু চীঙ্গোন্দা লাকপগী শক্তমগী মশক তাকপা ৰারোন্নি।

কৌবরোন নামোইনুদা অৰা'-তুরৈ চনবা

কৌবরোন নামোইনু লুহোংলবা মতুংদা কৌক্রু চীঙ্গোনগী কৌবা অঙাংঙা, মপন পন্থৌগী ময়ুম-মকাইফমদগী নুংবান পোম্বী লুৰাউবগী ময়ুম-মকাইফম লমদেং-লমহামগী মোংবা মশাইগোনগী কোল্লোই মশঙগাইদা লৈরে। নুহোঙবগী নুংঙাইবা, নুংশি নাক্তা থুংবগী হৱাউবগী মতমদু খঙহৌদ-উহৌদনা চৎখরে। চীঙঙু নোংদম্বনা তম্লকপা নোংদমগী ৰায়েন্না নুংবান পোম্বী লুৰাউবগী মপন পন্থৌ নিংথৌ লুৰাং পামিংনবসু নোঙ্গাখ্রে। নুংবান মশাইগোন, লুৰাং মকাইফমদসু অৰা তুরৈ-ঈরৈ চনবা হৌরক্লে। অশিবগী লাই ওইরিবা খমনুং থোঙঙারেন্না মহাক্কী তাল্লোই অতোনবী লৈমা লাইনাউতাবীগী য়াইবী থৰাইনা চঙদুনা ওইরিবা কৌবরোন নামোইনুগী য়াইবীবু মরমদম লৈনুং লমদমগী খমনুং লৈপাক্কী শৰা কংলৈগী কোনুং মশাইগোন্দা হল্লকপা পাম্লক্লে। মহাক্না মচা-মনাইশিং, অশি-অমনগী থবক তৌবা, য়াইবী-থৰাই পাউথেম্বা, শিননবগী পাউকৌবা, অশি'-থৰাই' ফা-পুনবশিং, থারক্তুনা কৌবরোন নামোইনুগী মমঙ-মহাদা তম্নররে, অকি-অখং থোকহল্লরে। মতম খরদংগী মনুংদা কৌবরোন নামোইনু অনা-লাইচঙলে, তোপ তুনা নারে। নুংবান পোম্বী লুৰাউবনা অমাইবা-অমাইবী থি, লাইয়েং-হৈবা মাইবা কৌদুনা থৰাই ৰানা লাইয়েংলে। অদুবু নোংদম্বনা শীল্লকপা খুজীন্নিনা অনা-লাইকন্নবা ঙমদ্রে, অমন-য়াইথোঙ কুমলে, য়াইবী থৰাইনা অশি'-লৈপাক্তা খোঙগুমখ্রে, কৌবরোন নামোইনু শিরে।

নুংবান পোনবী লুৰাউবনা কৌবরোন নামোইনুগী অশিবা হকচাং লৈরোন চন্দনা খমনুং মংথিন্দনা থম্লে। অশিবগী লাইবু শীঙনদুনা মাগী মতাল্লোইগীদমক্তা মহাকপুসু অশি-লৈপাক্তা পু, হায়নবগীদমক্তা শাফি-লানফি শেৎ-চাদুনা ঙাইদুনা লৈরে। ৰাফমসিগী মতাংদা থম্বীরম্লিবদি ঃ—

মথংলেন নুংপান মনেমমচাদি কোরৌ নোংদা কাগে, কাঙমদে; মাল্লেম লৈদা লীৎকে লীৎঙমদনা কোরৌ থোইনা য়েংনা মাল্লেম লৈদা ওন্না মীকপ্লে। "মোমনু য়োঙ্গবুনাই-ও ! খমলৈ কুম্বসুং ঈবীঙঙা কুম্মন্নসে, নতোম শৰা পনকেনগনো... ... ... শমু হকচাং অতিংঙা অসিপু নুংপান নয়ুম্নাক্তা য়াতাখি-ও ! লাইরেন শাংবা য়াতাখিও !... ... ... ।।নুংবান পোনবী লুৰাউবনা উনবী মখোয় শাউ, য়ারেন খোঙখৈ চীক, তকলৌ শীদং

শোন, শয়েঙ পানবু তিং, শমু খোঙবু থীন... কৌবরোন নামোইনু শমতে ঙাইনুবীগীদমকপু লৈনুং থোঙঙারেন অহনববু, সৌৰা কংলৈ পুঙফাবা খোইমোম লাইয়িংথৌবু নুংবান ঐনা সোঙকিরোয়, চায়না খোঙফেন্নগে, মরোং চুফুনা খোকলাং পমসীনগে, হয়েং নুংবান ঈমায় ওল্লবদি কোরৌ নোংনা য়েং, মাল্লেম লৈনা খঙসুনো... ... ... [মথক্কীসিদা, (২৪)]।

অসিনি। অসুম্না নুংবান পোনবী লুৰাউবনা থোঙঙারেন অহনবা, অশিবগী লাইবু লানশীঙনদুনা মাগী শুম্মাঙ মথৌবুঙদা কৌবরোন নামোইনুবু খাঙেঙনদুনা থম্লগা ঙাইদুনা লৈরে। অদুগা মাগী লানশীঙনবগী পাউদু শুম্মাঙদুদা চাক্তারিবা নোংদা চীঙখনয়াঙ, য়াওশবী (শবী) দা পাউ চেল্লম্মী— "ঐগী তাল্লোইগী মথাই-মমি লৈনুং থোঙঙারেন অহনবগী মনাক্তা লৈবরা য়েংবীরু, মদুদা লৈরম্লবদি মাগী মথৰাই মমিদু হনবীরকউ হায়না লৈনুং থোঙঙারেন্দা হায়বীরু, করিগুম্না হনবীরকলোয় হায়রগা ঐগা লানথেংননবা শেম-শাদুনা লাকউ, ঐগী ঈশুম্মাঙদা ঙাইদুনা লৈরি, হায়না তম্বীরু হায়জরম্মী। শবীদুনা পাউদু পুদুনা চৎখিরম্মী।

নামোইনুগী মথৰাই মমি হনবীরবা

নোংদা চীঙখনয়াঙ, শবীনা নুংবান পোম্বী লুৰাউবগী পাউ পুদুনা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবগী মনাক্তা থুংলরে। মাগী মৰা-মপাউ পুম্নমক তম্লরে। পাউদু তারবদা লৈনুং থোঙঙারেন্না, "ঐগী নুপী অতোনবী লৈমা লাইনাউতাবীনি, ঈনাউনুপা পোইরৈতোনগা মীরমচৎ শীল্লু-তম্বীরু, হিংনা চাবা মরম চামা, মুননা চাবা য়াবা মরম চামা পুথোক্লু হায়না থারুবনি, মহাক্কী মথৰাই অমুক হনবা ঙম্লরোয়, থোঙঙারেন ঐবু উশীত্তদুনা লানশীঙলবদি লান শোয়দনা থেংনগনি, শোয়দনা চায়নগনি," হায়রে। অদুগা মনাউনুপা অতোনবা পোইরৈতোনবু নুংবান পোম্বী লুৰাউবগী মথক্তা লান্দারুনবা, মাগী মশুম্মাঙদা চত্তুনা চায়না খোঙফেন হানরুনবা থারক্লে। চীঙখোঙ পোইরৈতোনগা নুংবান পোম্বী লুৰাউবগা চায়না খোঙফেন্নদুনা হুইয়েন লানথেংনবদা নোংবান পোম্বী লুৰাউবনা ঙমদুনা পোইরৈতোনবু ফারগা লানফা ওইনা মখোঙ-মখুৎ পুন্দুনা লুৰাং খুনথিবগী কংলৈ মশুম্মাঙদা থম্লে। মদুদা নুংবান পোম্বী লুৰাউবনা পোইরৈতোন্দা হায়খিবা ৱাফমদি ঃ—

লৈনুং খোঙফাং অতোনব-ও ! নঙতি হুইয়েন ঈৰান ওইরে। তাল্লোই ঈরুমপীনা হাওশি মংথিনপা, শিঙপাক পাহুনবা, ৰাংলেন পুঙহৌবা, অমন শিথিননোংদা য়াংলৌ মংকারানবু ওইনগে। খোয়মা নমায় লৈগুনো, ৰাইরা ঈশা ওই, হুইয়েন ঈৰান ওইরে [মথক্কীসিদা, (৩৩)]।

মসিদা পোইরৈতোন্না "ঙাইখো" হায়না খাল্লগা নোংদা চীঙখনয়াঙবু নেত্তুনা ময়াম্বুংগা পাউ থাদুনা মহাকপু কনবীনবা, কৌবরোন নামোইনুগী য়াইবী মথৰাই মমি হনবীরক্রবা

পাউ থাখিরম্মী। নোংদা চীঙখনয়াঙ শবীনা পোইরৈতোনগী পাউসি পুদুনা খমনুং থোঙঙারেনগী মনাক্তা শৌৱা কংলৈদা থুনা য়াঙনা চৎখিরম্মী।

লৈনুং থোঙঙারেন অহনবা অশি'কংলৈ মপুনা মনাউ অতোনবা পোইরৈতোন খোঙফাং অতোনবগী পাউজেন্দু তারগা অশাউবনা মৈ থোক্কা খমনুং লৈনুং লৈপাক্কী অকন-অথৌবশিং পুন্নমক্কা লোইননা নমু মীপুম খুদিংমক কৌখত্তুনা মনাউ অতোনবগী লমন খুন্নবা অমসুং মহাকপু নুংবান পোম্বী লুৱাউবগী মখুত্তগী হন্দোক্লবগী ৱাফম খন্নরে। ময়াম্না ৱারেপ তানবগী মতুং ইন্না কন-থৌরবা খমনুং থোঙারেন অহনবগী মনাউ য়ায়ামবা থোঙঙাক লাকাবা কৌববু নুংবান মকাইফম লুৱাং মশুম্মাঙদা নুংবান পোম্বী লুৱাউবগী মথক্তা লান্দাদুনা মনাউ অতোনবা পোইরৈতোনবু হন্দোক্লবা থারক্লে। থোঙঙাক লাকাবগা নুংবান পোম্বী লুৱাউবগা চীঙখোঙ পোইরৈতোননা তৌখিবগুম খুৎশূ-খুৎলাই পুন্নমক থাদোক্লরগা হাও মুকনা লেঙফাই চন, মোংবা তাজীন খুরৌ য়েৎননা মুকনা শান্নদুনা পাঙ্গন য়েংনরে। মুকনা লৌহৈবা নুংবান পোম্বী লুৱাউবনা থোঙঙাক লাকাববু মাল্লেম ফুপাক্লনা চিংথুরে, শল্লাং তরৈ য়েংনা হুইয়েল লান শারে [মথক্কীসিদা, (৪২)] অসুন্না মচীন-মনাউ অনি পোইরৈতোন অমসুং থোঙঙাক লাকাববু মাগী তাল্লোইগী মংজনবদা লূখা থানবা মংজনলান ওইনগে হায়দুনা কুরাউ হংচন্দুনা মশুম্মাঙদা পুন্দুনা থম্লে। লানগী লানফা ওইরবা পাম্বে লৈত্রবা মচীন-মনাউ অনিসিনা ফিবম অসিগী পাউ অসি থোঙঙারেন অহনবদা তম্বীরুনবা, মখোয় অনিবু কনবীরনবা নোংদা চীঙখনয়াঙদা হায়জদুনা পাউজেল্লে। নোংদা চীঙখনয়াঙনা থীষ্টদনা চৎখিদুনা লৈনুং থোঙঙারেন অহনবদা পাউ অসি তম্লুরে। লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা পাউ অসি তারবদা ঈকাইবা অমসুং অশাওবনা মায়থোঙ পুঙমদ্রে। মহাক্কী লৈজবা খুৎশূ-খুলাই, মহী-ময়াই কনবা লানগী পোৎলম-চৈরম পুন্নমক পুদুনা লৈনুং লমদমগী অকন-অথৌ লাল্লোই-লাল্লোইলেন পুন্নমক্কা লোইননা লুৱাং ময়ুম্ফম নুংবান পোম্বী লুৱাউবগী কংলৈ মশুম্মাঙ তম্না লান্দানবা লাক্লম্মী। মহাক লাকপগী লানবাউ অসি নুংবান পোম্বী লুৱাউবসু ফংলম্মী। লৈনুং থোঙঙারেন অহনবনা লুৱাং কংলৈ মশুম্মাঙদা ৱাইথুংলরদুনা নুংবান পোম্বী লুৱাউবগা চেংলৌ শকউননা মায়য়োক্লরবদা নুংবান পোম্বী লুৱাউবা নোল্লুক্লা হায়খি ঃ—

হে খোইমোম লাইয়িংথৌ-ও! নদাইরেম মোমনু তাল্লোই ঈরুম্বীবু লাংলেন ৱাপুম খায়গুম্না করম খায়-ও! হায়বনো? পোইরৈ শিদ'হৈ, ৱাংঙম নাদ' হৈবু লনকুবীরম-ও! নদাইরেম ঐদি চীঙঙু নথৌজাল, খোইমোম নরকুগী নুংবান খুল্লীং-ও, লুৱাং খুল্লেপ-ও হায়বদি পাহাঙ নোংজং ওই, খারা থমনোং ওই, তাল্লোই নাকতা থাদনা ঈদোম করম খুল্লীংও হায়বনো, খুল্লীং ঙমলোয় [মথক্কীসিদা, ৪৮]।

ৰাহৈশিংসি তাবদা খমনুং থোঙঙারেন অহনবনা শাওরপ্না পাউখুম পীরক্লম্মীঃ—

নুংবান মীনম্বা নঙবু নহান নঙনা খমনুং কোন্দে পাউহল্লবা য়াওশবী য়াঙমা তোনবদা কোল্লোয় পাউমেনবা, কোঙগোয় নৰারেপ অসিবু মেঞ্জরদি খমনুং ঐবু হুয়েন লানহৌরকলোয়। শানৌ অনিমদুম থৌদু নুঙনা ননবদুম থুনা লৌথোকও! খমনুং ঈপুঙয়ায়দা হনৰাইখিগে।

খোইমোম নঙবু শুস্নায় লাথা কোয়গুম্না করিগী কোয়রিবনো? নশানৌ তিল্লাং খোয়দাবীবু লৈমা নুরাং খাম্বীবু পাউয়ৈখায় কবো য়াংগোন তাউবা শারক খায়গুম্না খায়খিরবদি নুংবান খুল্লেপ ঙমলোয়, লুৰাং খুন্‌থিনঙমলোয়। মোমনু হৈনা মতুং ইন্না সনা মমৈ ৰাইনা চীঙঙু সনা নখোঙ খাদা য়াঙ্গোয়রগে, নদাইরেম ঐবু তাইবং নোংশাপান্দা থম্বীরমগুনো [মথক্কীসিদা, ৪৮]।

অসুম্না নোংবান পোম্বী লুৰাউবগী নোল্লুকপা ৰাহৈশিং, মাল্লেম তাইবংপানগী চীঙঙু নোংদম্বনা নমু তাইবং মীবু তাইবংপানবদা থারকপগী মরম অমসুং তাইবং মীনা মপাং য়াওদনা করম্না হিংবা ঙমগদবগে, চারোন-নাউরোন শমথদুনা নমু তাইবংগী মীরোন শমথবা ঙমগদবগে, হায়বশিংসি খল্লুবদা খমনুং থোঙঙারেন অহনবনা নুংবান পোনবী লুৰাউবদা মীনুংশি পোক্লে। খোইয়ুম লাইনিনা থৌজানবীগে খল্লে। অদুনা চীঙঙুলাইগী পরম ইন্দুনা হায়রকখি—

... ... খমনুং ঐবু অচঙ-অশি লুংবসুং শমু খুত্তা থুমলিএ, হয়েং ঐবু খমনুং ৰারীনহৌ-ও! নপন ঐগী ঈরনকুবু নিংথৌ মঙারক শানওনববু তানফংজ-ও! হৌজিক অমুক্লকসু লনবীহৌবীগে, মোমনু তাল্লোই নরুম্বীসু পোইরৈ শিদা-য়েন, শীরবসু পুমদা য়েন, মাল্লং অয়াঙবা খমগোন অহুম্ববু খোয়রেন য়েন, হুমলেন পোইওই য়েন, শম্বোঙ তাইময়েন, আখোম শীঙঙুৎয়েনপু শমু খুৎতা থমলৌরো।"

হায়দুনা থৌজান লনকু পীনবীরে। অদুগা কৌবরোন নামোইনুবু হিংগৎহনবীরম্লগা খমনুং থোঙঙারেন অহনবা লৈনুং লমদমগী খমনুং মরৈবাক্তা হনখরে। কৌবরোন নামোইনু তুম্লুবগী মীকপ থোক্লকপগুম হৌগৎলক্তুনা মশাবী নুংবান পোম্বী লুৰাউবগা ৰাইথুংনজরে।

চাদা-নাউদাবা

নুংবান পোম্বী লুৰাউবনা কৌবরোন নামোইনুগা অমুক হন্না থুংনদুনা পাল্লে। মতম ঈকুই কুইদনা মতৈ-মনাউ অনিসিনা লুচিংদুনা লুৰাংগী মীশিং লমদেং-লমহামগী খুন অসি লৈবা-পানবদা খুদোং চাদবা লাকপদগী কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোন মনুং হুনজিনবা

লম অমদা খুন হোংনবা থৌরাং তৌরে। অসুন্না নুংবান পোম্বী লুৰাউবা অমসুং কৌবরোন নামোইনুনা খুন্দা-লৈতাবদা খুদোংচাগদবা চীঙ অমা ফংলদুন লুৰাংগী মীশিং খুনহোংলে। লুৰাংশিংনা খুন্দাদুনা পানবা চীঙনি হায়দুনা চীঙ অদুবু "লুৰাং-চীঙ" হায়না কৌরে। চীঙ অসি হৌজিক নোংচুপ ইম্ফাল পানা [Imphal West District] কী অহানবা শরুক্কী খাগ্রন খুনগী হেক মনীঙ (নোংচুপ)তা অমসুং লোইদাং খুন্নৌগী হেক মমাঙ (নোংপোক) তা লৈরি।

লুৰাংচীঙদা লুৰাং খুনথিবা অমসুং কৌবরোন নামোইনা পাল্লবা মতমদা নামোইনুগী পায়মা লিনগোয়নুংদগী মপারী অহল লুৰাং পুদাংকোই খুৎকোইবা, মচা নুপা য়ায়মা হোঙনেম অমসুং মচানুপা অতোনবা লুৰাং শেনহোঙবা পোকখিরম্মী। মখোয়সিগী মনুংদা লুৰাং পুদাংকোই খুৎকোইবা অমসুং লুৰাংখুবা শেনহোঙবা অনিসিদি মচানুপা পোক্তবনা অদুক মরু ওইবা মীওইশিং ওইখিদে। অদুবু লুৰাং/নুংবান হোঙনেমদি লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়না মিংথোন্দুনা লুৰাং য়েক্কী লেঙদ্রবা য়ুম্বীরেন ওইনা লৈরি। মসি কৌবরোন নামোইনুগী খুদোন্নি হায়বদা লাল্লোয়।

পুন্সিগী অরোয়বা শরুক্তা

কৌবরোন নামোইনু মশাবী মপুরোইবা নুংবান পোম্বী লুৰাউবগা মপারী অহুম য়োক্তুনা লুৰাং চীঙগী মশাইগোন্দা পাল্লরুম্মী। নমু তাইবং মীওইপোক অসিনা শিবা হায়বসি থাদোকপা য়াদ্রবা পুন্সিগী থৌ অমা ওইনা কশা নোংদম্বনা পীবীরকপনা নুংবান পোম্বী লুৰাউবা নুংশিরবী তাল্লোই কৌবরোন নামোইনু অমসুং পামুরবা মপারীশিং থাদোক্তুনা তাইবং মপুগী মনাক্তা চৎখ্রে।। অদুবু কৌবরোন নামোইনুদি মপীরী অহুম তোংঙানরকপদা অমসুং লুৰাংশিংনা লুৰাং চীঙ থাদোক্তুনা লুৰাং পামংখুন কৌবা লুৰাং মকুবী চীঙদা লৈবা খুন (ঈরোই শেনবগী চীঙমৈরোমদা শন্দোক্লক্লিবা লাঙ্গোন চীঙগী চীঙশাগী নোংচুপলোম থংবা চীঙমায়দা কমেং অমসুং লমদেংগী মপাদা লৈরিবা চীঙ্গোনগী মতুপ) হোংবদা য়াওদুনা মচা নুপা য়ায়মা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী য়ুমদা ফুঙ্গা মৈনীঙদা ফমদুনা লৈখিরম্মী। মসিদগী ফৌওইবীগী লাংওন ওইবী "অহোঙ-অচাও থোকহনবী য়ুমোইনু অহোঙবী" ওইনা লৈখিরম্মী। অসুন্না কৌবরোন নামোইনুনা অনিশুবা শানওন (শাইওন) গী শক্তম নত্রগা লৈমা লাইনাউতাবীগী অহুমশুবা শক্লোন/শানওনগী মশক ওইনা লৈখ্রে।

কৌবরোন নামোইনুনা য়ুমোইনু অহোঙবী [ব:ক:শ: ১৯৯৮,৩৫]ওইনা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌগী য়ুমদা লৈরিঙৈদা মপারী হোঙনেমগী ৯শুবী মমৌ, মানা লুনা-চান্না থৌগন তৌজবা, অহাওবদা খন্দুনা পীজবা অদুশিংদুনা মমৌ মাগী মফমদা য়ুমোইনু

মহাক্কী অহোও-অচাও থোকহনবগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম্নচিংবদু খঙহল্লম্মী। মমৌ খয়োঙ্গৈরোন ঙানুথুম্বীনা মপারী খায়নদুনা মপাম খুমন লৈপাক্তা খোঙদাখ্রবদা মতোমতা চীক্লা লৈরম্মী। অদুবু মপারীনা শয়াইকোৎ চঙবা য়াবা য়াওরৌ শঙাই অমগী য়ুমোইনু অহোঙবী মহাকপু মশূনুপা শেনবা মিমাবা, খয়োঙ্গৈরোন ঙানুথুম্বীনা পোকচবদুদা পীথোকখ্রবদা মশূনুপানা পোরগা পুদুনা খুমন কংলৈ পুঙদা চৎখিরম্মী। মফমদুদা মমৌ খয়োঙ্গৈরোন ঙানুথুম্বীগা উনখি অমসুং লৈমিন্নখি। অসুন্না য়ুমোঙ্গৈনু অহোঙবী নত্রগা কৌবরোন নামোইনু খুমন কংলৈপুঙদা মশূনুপা শেনবা মিমাববু খুমন নিংথৌ ওইনবা শেম্বী-শারগা পাল্লম্মী। অদুবু মৈদিংঙু নাউথংখোং (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) গী মতেংনা হাননা খুমন নিংথৌ ওইরম্বা পুন্সি য়ুমোইবগী মচানুপা অদোন য়োঙ্গৈথোংঙাইনা শেনবা মিমাববু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথরগা মহাক অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনিগা হাৎখ্রবা অমদি মচানুপা অতোনববু তাম্থোকখ্রবদগী য়ুমোইনু অহোঙবী তাইবং মাল্লংপান থাদোক্তুনা কোরৌ লাইরৈপাক্তা তীনখি। য়ুমোইনু অহোঙবী নত্রগা কৌবরোন নামোইনুনা থুপখিবা খুমন কংলৈপুঙ অসি হৌজিক খুমন কোনুং লৈরিবা ময়াং ইম্ফালগী লমদমদনি [মথক্কীসিদা, ২৯-৩০,৪০-৪২]।

ৰাখোম-ৰারোয়

কৌবরোন নামোইনুগী পুন্সি ৰারীসি লৈমা লাইনাউতাবীগী লাংওন ওইনা ৰাংঙমলোন লাইরোকলেম্বীগী পায়মা লিনগোয়নুংদা কৌবা অঙাংঙাগী ঈনা নাউপুরগা পোকপা ওইনা পীরম্লবদি য়াম্না মরীক চুম্বা পুন্সি ৰারী অমা ওইরমগনি। লৈমা লাইনাউতাবী অসিগী মরমদা পীবীরম্লিবা ৰারোলদি —

... ঙানপা খমচীঙকোনকী মমোমলোন, লাইচম থোংখোঙ সেনপাচনুনা পোকপী, চীঙয়া লাইফা থেংপনা য়েনপী... [ন:খ:স:, ১৯৯১,(২০)] অসিনি।

অদুগা মীওইপোক্কী পুন্সিনা মীরোন কয়া পুন্সিবা, লাইগী মপোক ওইবসি হৌজিক্কী কম্পুটরগী মতম অসিগা চুনদে। কৌবরোন নামোইনু হায়বীসি লুৰাং নিংথৌ হোঙনেমবু পোকপীনিনা অসিগুম্বা শাগৎ-ৰারীদা থম্বসি পকচদে। অদুনা মহাক্কী অচুম্বা ৰারী অমা থিদোক্তুনা নত্রগা শেমদুনা থম্বা ফৈ, হায়বা ৰাফম অসি থমজরি। মঙলান্দা অসুম থল্লবদি মী কাংলুপ অসিগী ঈকাই ফিরুক খুম্নীঙ ওইরক্কনি।

৮

ঈরেম তোইবী লৈমা (লুৰাংখুবা চনু)

ৰাহৌ-শৈহৌ

...... থাংয়ি চেংলৈ পাম্বদি তাল্লোই তুলুংশি অপা স্বীব্ লৈতবগী নুংবান পাইরৌগাই, লুৰাং শৈল্লেঙাই পামং হোঙনেম্বীনা পোকপী, য়ুচিং থাংঙবনা য়েনবী, ঙারা থাঙথোংননা, শারেং মৈহন্নবা চনু ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাংখুবা চনুবু মপন মরান য়ায়দগী য়ুমজীন কাকফৈ থা, শুস্নায় উরোঙ খীন মললা মশীঙ শু, হৈনা মরীন তত্তনা, শয়াল মপাল কুমদবনা হোইথিরবদা, মপন মচীঙশাং মদু মরানয়ায়দগী থাংয়ি মপন লমদা মদোম য়াঙ্গোয়মিন্নরে [নোং:স:স:,১৯৮৯,২৫]।

মথক্তা থমজরিবা চেংলৈরোন কৌবা মৈতৈ লাইরিক অরিবদগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৰারেং মতেকসিদা পল্লিবা "ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাং খুবা চনু" হায়রিবীসি লুৰাং মকুৰী চীঙ (ঈরোই শেনবগী চীঙশাং পরেংদুগী নোংচুপ থংবা চীঙমায়দা হৌজিক্কী লমদেং খুন্দগী নোংচুপ কমেংগী মপা ফাওবদা লৈরিবা চীঙগী শরুক) গী নুংবান/লুৰাং পামং খুন (খুন অসি হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা লুবাংচীঙদগী খুনহোংলক্তুনা শেমগৎখিবা খুন্নি) দা লৈবী ঈরেম লমদম (ঈরোই শেনবদগীনা কাংচুপ য়ৌরমদায় ফাওবদা লৈরিবা লমতুপ/লৈয়াৎ) দা লৈবী, "তোইবী লৈমা" হায়বা মিংলেন-মিঙ্গৌসিদা মমিং চৎপী নুপী অমনি। মহাকসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী পৰারী-পুৰারীদা অঙৌবা পকপা লাইনা (Leprosy) লাইয়েংবগী অমসুং লমগী ৰায়েল-ৰাখুন (Land laws) গী পরীং-পরমদা মফম কলহনবা অমসুং মমিং লৈহনবা য়াবী নুপীগী শক্তম অমনি। হায়রিবশিংসি মহাক্কী পুন্সিগী থৌদোক-ৰাথোকশিংগা মরী লৈননা থোকখিবা ঙাক্তনি। অদুনা মদুশিংদু মাগী তুংলমচৎকী মীওইশিংনা মাগী থৌদোকশিংদু নীঙশিঙদুনা থবক লৌখৎনখিবনি।

শক্তাক-ৰারম

য়োয়রুমলোন ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাং পামং খুন্দা পোকপী অমসুং খুন্দুদা য়োক্লক-চাওরকপীনি। মহাক্কী অপোকপা মপন পঙ্খৌগী মমিংদি "য়ুচিং থাংঙবা" নত্রগা

"লুৰাং খুবা [মথক্কীসিদা,২৫] "নত্রগা "লুৰাং শেনহোঙবা" হায়না কৌই। অদুগা অপোকপী পল্লেম মমাগী মমিংনা "পামং হোঙনেম্বী" হায়না কৌই। মপন পষ্টৌ লুৰাং খুবসি হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী য়াম্না নক্কবা মশানৌ-মনাউনুপানি অমসুং লুৰাং পামং খুন্দা মরন-মথুম লৈবা, মীনাই-মীশন লোইবা অমসুং লুৰাং-নুংবান মীয়াম খ্বাইনা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌগী মথংদা ঈকাই খুমনবা মীশক অমনি। অদুগা ঈরেম তোইবী লৈমসি ঈনাক-কৈরাক খুনবগী অমতা পোকপী মচানিংঙোন ওইবদা নত্তনা মশক মতৌ লৈবা, চুঙ-ফিরান চানা শারেপ-শাবান ফজবী, চেংলৌ শকহেনবী অমা ওইবীনি। মসিগী মথক্তা মীকৌ-মীওক ফজবী, পীজ-পীথক ফবী, মীগী পুক্নীঙ শুমহৎপা ঙম্বী অমসুং মীগী পেন্নবা তৌবা হৈবী অমা ওইনা ঈরেমগী লমতুপ-লৈয়াত্তা মমিং চৎপীনি। ঈরেম তোইবী লৈমসি চেংলৈ, শরাং অমসুং লৈশাং হায়রিবা, থাংয়ি কাংলুপকী নত্রগা চেংলৈ নত্রগা শরাং-লৈশাংথেম য়েক্কী শল্লাই (Subclan)শিংগী পুকোকশিংগী অপোকপী মমানি।

ঈরেম তোইবী লৈমগী পুন্সি-ৰারী

ঈরেম তোইবী লৈমা, নুংবান নত্রগা লুৰাং মী কাংলুপ নত্রগা অপুনবা মৈতৈ কাংলুপ অচৌবা (Nation or Race) গী য়েক (Clan)কী নিংঙোন, য়োঈরুমলোন হায়না মিংথোন পীনরিবা অদুগী শীঙলুপ্তা চনবীনি। মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিগী মরমদা পীবীরম্বগী ৱারোল নত্রগা ৱারম/ৱাফম অমতা মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিংদা লৈতে। মহাক্কী মরমদা ৱারী ইরিবা "চেংলৈরোন" কৌবা পুয়া নত্রগা লাইরিক্তসু মহাক্কী লুহোঙবা/নুহোঙবগী মতাংদগী পল্লম্লগা হৌই।

নুহোঙবা অমসুং য়ুম্বানবগী পুন্সি

য়োঈরুমলোন (ঈরেম) তোইবী লৈমনা নুপী ওইবীগী হকচাং কায়াৎশিং শুরক্লবা অমসুং মপুঙ মরৈ ফারক্তুনা কায়াৎশিংগী মহী-ময়াই চেল্লক্লবা অমসুং মতীক মঙম লৈরক্লবদা থাংয়ি খোংজ্রোম্বা অমদি নোংবাল্লোন অঙোম পুরৈরোম্বা চনু পেনু লৈমা অনিগী মপারী অতোনবা থাংয়ি তাউপুঙ/তবুঙ খোংতৌবা/খোংদৌবগা নুহোঙ খোঙদোংনবগীদমক্তা মপন পষ্টৌ মপা অমসুং পলেম মমাদা হায়না শীঙনরখি। হায়না শীঙনবা অদু য়ানরদুনা মতীক চারবা নুপী মমল নুপা ময়ুম্না পীরগা নুপী ময়ুম্না লৌদুনা থাজা-য়োঞ্জখি। অদুদগী লুৰাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা লৈরম্বী ঈরেম তোইবী লৈমসি থাংয়ি চেংলৈশিংগী মপুঙ-মকাইফম চেংলৈ লৈশাংখোং খুন্দা লৈখিরম্মী। মহাক্কী মশাবী থাংয়ি তবুং খোংদৌবগী মমা পোকপা মপু অসি অঙোমগী নিংথৌ পুরৈরোম্বা (অশেংবা মমিং পীবীরমদে) ওইবনিনা অমসুং অঙোম/ নোংবান কাংলুপ অসিনা মতম

অদুৱাইদা খুৎকন-পাঙ্গনবা কাংলুপ অমা ওইবনিনা মখোয়গী মপান্না থাংয়ি অসিসু অতৈ মী কাংলুপ-ফুরুপ্তুগী তোম্ব-হম্বনা লৈরমদে।

য়োঈরুমলোন তোইবী লৈমগী য়ুম্বানবগী পুন্সিদু মায়পাকপা পুন্সি ওইখিরম্মী। অদুগা ঈরেম তোইবী লৈমসিসু চাদা-নাউদাবগী নত্রগা চাবোক-নাউশোংবগী হিরমসিদা লৈহাউ ফবী/চেনবীগী হকচাং ওইবনা মতৈ-মনাউগী পুন্সিদু নুংঙাইনা লেনবা পুন্সি ওইরম্মী। মখোয় অনিনা নুহোঙবা মতুংগী অহানবা কুমওন্দুদা মপারী অমা শাৎলকখি। মপারীদুবু "য়োঈপাংথং পাংথং অহনবা" হায়না কোল্লোই মমিং থোনবীরে। মতম অসিদা য়োঈরুমলোন তোইবী লৈমদি মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক)তা মশুরম্মী। অদুনা মহাক্কী চেংলৌ শক্কী অমসুং হকচাং কায়াৎকী ফজবনা মীওইশিংবু চিংশিনবদি হেনগৎলক্লি। অদুনা মতুং চহি অনি-অহুম লৈরগা মচানুপা অমগা অমুক পোক্লে অমসুং অঙাং অদুগী মমিং য়ুনাউরোই য়ায়মবা হায়না মিংথোল্লে। অসুম্না মপারী অনিগা লোইননা মশাবী থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবগা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লক্লম্মী।

তোইবীলৈমা লাইথুং-লাইনারকপা

ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৱাং খুবা চনুনা মপারী অনি নাউয়োক-নাউকোন্দুনা পাল্লকপা কুমওন-কুমশীঙ তরানিথোই চৎখরে, মশাগী চহি ২৮ (কুননিপান) শুরক্লে। চীঙঙু নোংদম্বা মহাক্না নুজা মহাক্কী পুন্সিদা থৌদোক কুম্মৈ শান্নগে মতাগুম ঈরেম তোইবী লৈমগী কুচু কুমেন্দা মৱাক চাল্লকপগুম লফু লায়োনগুম তরু-তঙাং তঙাংনা ফজরম্বা কুচুদু মকশিললকখি। কোরৌ নুমিৎ খরনি ঙাংলপ্পা মায়থোং, পাম্বোমশিং অমসুং হকচাং কায়াৎ অতৈশিংদা কুচু থাউরম-কারম্নগা তাইফেৎ তাইরক্লে। নুজা মতোম্‌তা চম্মম্নরম্বদগী মশাবী মফমদা হায়-তাক্কুনা খন্নরে। মশাবী তবুঙ খোংদৌবসু ৱাখল লাম্বা ফংদ্রদুনা লৈপাক মাইবা খুরায় তাঙবা, নোংথৌ মাইবা চীরায় তাঙবা কৌদুনা মশানৌগী উনশাগী মওং-মতৌনা কুচুগী ফিবম ওল্লক-হোংলকপদুবু য়েংহল্লে। লৈপাক মাইবদুনা কুপ্না লাইখায় তানা য়েংলবা মতুংদা লুৱাং খুবা চনুদি "মপাম লুৱাং লাই, খোয়মা লাইয়েক লাই, মোমনু খুজীন চুচিন-লাই, চরৈ ফিৱাং তুবোন লাই [অহোরাই নত্রগা অঙৌবা পাকপগী লাইনা-লাইথুং (Leprosy or Leprous disease)] না নারে, লাইথুং পক্লে, অদুনা তোপ্না লৈহল্লু, মহাক্কী শঙ অমা শাদুনা তোপ্না থম্মু, হায়না হায়রে। মশাবী থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা মশানৌগীদমক লমশঙ অমা শাদুনা ঈরেম তোইবী লৈমবু মতোম্‌তা তোপ্না থমদুনা লৈহল্লে।

য়োঈরুমলোন তোইবী লৈমনা মশাগী লাইনা-লাইথুং অসিনা মরম ওইদুনা মরম চেংলৈপুঙগী থাংয়ি মশাইগোন্দা লমশঙ শঙ অমদা মদোম তরক-তোখায়না লৈরে।

খোয়নৌ মতারোই, লমলেন চেংলৈ লৈশাংখোংদা লৈবা চেংলৈগী নিংঙোন মৌ কনা অমতগসু তীন্নদ্রে। ময়াম তীন্নদুনা ইনজিং-লোংখোন্না লেমলৈ ঙাতা-ঙাফাবা, নুপীচা ময়াম পুন্না লোইবী চীঙদা কাদুনা শীঙজন-শীঙয়ানবা; হৈবা মনা হেকপা, মুকথুবী মনা-মপান হেকপনচিংবা চীঙগী শংলৌ য়েনশাং য়েল্লাংবা; লবুক-লমহাঙদা কুমদুনা য়েল্লাং-কোংঙোই, পেরুক্লচিংবা হেকপা অমতা য়াওবা ঙমজদ্রে, কুমওনগী পাম্থা (Season) ওল্লকপগী নিংঙোন-মৌ পুন্না হৌদুনা চাকচা-হৈজামিন্নবা, হরাউ-তয়ামমিন্নবা, য়ুম্বান-শীনশূ-শীন্থাদা নুপী থৌদাং য়াদুনা চরৈ ফিশাবা, ফুশা-ৰানশাবা, তরেং মাঙদা থাদুনা শীন্নৌ মোইথাপ নাইবনচিংবা অমতসু শরুক য়াবা ঙমজদ্রে। কৈরোই-লৈকায়গী মশুঙ-মমান্নবী কনাসু মাগী নাক্তা লাকপী-চঙবীরক্তে্র। মশাবী মপুরোইবসু মশানৌ নাক্তা চঙরক্তে, মপারী মচানুপা অনিসু মপন পম্থৌগী খুদুং ইন্দুনা পলেম মমাগী মনাক্তা চঙলক্তে্র। শোক্ল-শন্না য়াদবীগুম মশাবীনসু য়েংবীদনা, মপারী অনিসু হন্না য়েংদনা মতোম্‌তা তোংঙান্না লমশঙনুংদা খাঙলি। মথন্তা চাকথোং-ৰানথোংনা চাজদুনা কনানসু য়েংবী-চেকশিনবীদনা মতোম্‌তা থম্মোই থীৎনা অৰাবদু খাঙজরি।

মতমগী খোঙচত্তি লেপ্তবনা কুমওন অনি হৌজিনখ্রে। মশাবীনা লাইয়েং-লাইকন্নবগী থৌরাংসু তৌবীদ্রে, মপারী অনিনা অনা-লাইকোক্লবগী থৌবাংনবা থৌশীনসু শীনবীদে। নুজা লাইবক থীবীদি থীদকো লাইবকসে, কপচবা নত্তনা লৈজদ্রে পম্বৈ অমতসু। ঈশাবীনা হুল্লানবীরে, ঈপারীশিংনা থৌশাবীদ্রে, ঐবু করম তৌশিগে, হায়দুনা মওল-মওল খল্লক্লে। নিংঙোন মপামদা হন্দুনা নুজা পুন্সি লেল্লুরগে, ঈশাবীসু লৈহৌরসনু, ঈপারী অনিসু লৈজহৌরসনু, মখোয়বু অমুক নুংশিররোয়, মখোয়নদি হন্না য়েংদ্রগা ঐনদি করিগী মখোয়গীদমক খল্লুগদবগে, নিংঙোন ঈপামদা পাংলগে, হায়না মতোম্‌তা ৰারেপ তাজরে। ঙমদা ঙমদা হৌগত্তুনা চেংলৈ পাখং অমা নেক্তুনা পলেম মমা পামং হোঙনেম্বীদা মহাকপু চেংলৈ মকাইফমদগী নুংবান-লুৰাং মশাইগোন মকুবী চীঙগী মরমদম লুৰাং পাম্মং খুন্দা লৌবীরনবা পাউ থাম্রে।

তোইবী লৈমা অনাবা ফরকপা

ঈরেম তোইবী লৈমনা মপাম লুৰাং পামং খুনগী পলেম মমা পামং হোঙনেম্বীনা মহাকপু লৌবীরনা পাউ থাখিবদু মপন পলেম মমানা ফংলে। মমোম-লাংলেনগী মপাউ তাবদা, মশাবী থাংয়ি খোংদৌবনা থৌশাবীদ্রে, লাইয়েংনবা থৌরাং অমতা তৌবীদ্রে, মপারী অনিনসু হন্না য়েংবীদ্রে, কৈরোই-লৈকায় মচা কন্নাসু চঙবীদ্রবনিনা অনাবী মমোমদু মদোম তরক্লে, হায়বদু তারবদা মমোন্না ৰারমগদবা, নুংঙাইরম্নোয়দবদু খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইরমদে। মশাবী লুৰাংখুবা শেলহোঙবা, তোইবী লৈমগী মপন পম্থৌদা মমোমগী

পাউগী ৱারম পুন্নমক তমদুনা তাহল্লে। অদুগা অনাবী মমোমবু লৌরুনবা, মপন পলেম মমা মশামক চত্তুনা লৌরুবদা লোইননবা খোঙলোই মী কাংবু অমা থৌরাং তৌহল্লে। লুৱাংলৈমা পামং হোঙনেম্বীনা থীহ্নদনা মমোমবু লৌরুননবা চেংলৈ মরৈপুঙ, লমলেন লৈশাংখোং পাংলক্লে। ঈরেম তোইবী লৈমনা লৈরিবা থাংয়ি মখোয়গী নাক্তা থুংলরবদা মখোয়গী ওইরল্লিবা শক্তম অমসুং ফিবম অদু উরুবদা লুৱাংলৈমা পামং হোঙনেম্বী থনুং থীৎনা শাওরম্মী। অদুবু মমাক থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবদা ৱা অমতা হায়রমদনা, মশুনুপা অনিদা ৱাফম অমতা থম্লমদনা মমোম য়োঈরুমলোন তোইবী লৈমবু পুদুনা ময়ুম লুৱাং মচীঙ তম্লকখি।

ঈরেম তোইবী লৈমনা পলেম মমাগা লোইননা লুৱাং মকুবী চীঙদা ৱাইথুংলরবদা নুংবান পামং খুন্দা লৈবা মচেম-মনেম, মচীন-মনাউ, মখুরা-মতোন, মপন-মপনথৌ, মবুং-মপ্পানচিংবা কয়ানা ওক্তুনা মহাকপু মপুক্লীঙ নুংঙাইহল্লম্মী। মখোয় লুৱাংগী মমাইবা, নুংবান লাইয়েং-হৈবশিংনা মহাক্কী লাইনাদুগীদমক্তা লাইয়েং-তীনয়েংনবগী ৱাফম খন্নখিরম্মী। মপন পম্থৌ নুংবান শেলহোঙবা, লুৱাংখুবনা মমোমগীদমক মকুবী চীঙগী চীঙ্গোনগী চীঙ নাপোম অমদা তোপ্না মশঙ-শঙলেন অমা মহাক্কী মোংবা মরান ওইনবা, মদুদা লাইয়েং থৌরাং চখনবা শাবীরগা মহাকপু থম্বীরম্মী। ঈরেম তোইবী লৈমনা মশঙ শঙলেন্দুদা লৈদুনা লাইয়েংবগী থবকশিং চখবা হৌরক্লম্মী। মপন পম্থৌনা মরন-মথুম লৈবা, ঈনাক-কৈরাক খুনবা অমসুং মীরক তীনবা নুপা অমা ওইবনিনা পোইরৈ তম্পাক্তা লৈরিবা মৈতৈ/ৱাংঙম, খাবা-ঙানবা, নোংয়ায় খুমন, নোংবান-অঙোম/ শেল্লোই-লংমাইনচিংবা মী-কাংলুপ-ফুরুপশিংদগী খ্বাইনা শকখঙবা মমিং চৎপা অমাইবশিং, লাইয়েংবা মাইবশিং খুদিংমকপু অমমম কৌদুনা মপাম নুংবান/লুৱাংগী মাইবশিংদগী হেন্দুনা লাইয়েংবগী থবক পায়খৎখি। অদুবু মাইবা কনা অমতগী লাইয়েংনা ঈরেম তোইবী লৈমা লুৱাং খুবা চনুগী লাইনাদুবু ফহন-লাইকোকহনবা ঙম্লমদে। অসুম্না লোইদাম থাবুম খর হৌখ্রবদা তোইবী লৈমা মশানা লাইথুং-লাইনাসি লাইকোক-তীনকোকপা লৈররোইদ্রা হায়না মিপাইজরে। অদুগা মপন পম্থৌ অমদি পলেম মমানসু নুংনাংবা পোক্লক্লে। অদুনা চীঙঙু লাইদা চঙজবা হৌরক্লে।

তোইবী লৈমা ঈরেন

য়োঈরুমলোন (ঈরেম) তোইবী লৈমনা মপামদা লৈদুনা লাইয়েংলকপা লোইদাম থাবুম মাপল্লোম হৌখ্রবদা মশা মতোম্‌তা ৱাখল লাকশিনবা ঙমদ্রগা মহাক্কী মোংবা মরানগী মশঙ-শঙলেনদুগী মাঙ্গোন্দা ফমদুনা ৱাখল লীশাং থাদুনা লৈরিঙৈদা কনাগুম্বা শকখঙদবা অহল অমা লাক্তুনা মহাক্কী লাইনাদু কোক্লনবগী থৌরম তাকপীরম্মী। অদুবু

"চৈংলেরোন" লাইরিক্তদি চীঙঙু নোংথৌ সোরারেন্না কোরৌ নোংমদোন্দগী লাউথরকপা ৰারমশিংগা শমজিন্নদুনা থম্মী [নোং:ম:স:, ১৯৮৯,২৮]। অদুবু তাকপীরম্লিবা অহনসিগী মশক -মমিংসু পীরমদে। ৰাহৈশিংদুদমক থম্বীরম্মী অমসুং তোইবী লৈমগী লাইনা লাইকোকপগী ৰাফমগা লোইননা থম্বীরম্মী, মদুদি ঃ—

... ... ফুমং লমনামুংবু নাতৈননা চেংলৈ লুৰাং-ঈদা শান্দেং-ও ! নোংয়ায় শময়োক ফাবাচীঙদা য়োংদাল-লৈ, পামেল-উয়ুম-লৈ নারেংববু থৌদু নুঙবু ওইনা নন্না-ও ! —হায়না পাউতাক্লবদা মমোম তোইবী লৈমনা কোংয়াং চৈশু পাল্লোইনা, মপাম শেল্লোই লুৰাং-ঈদা শান্দেংলবগী ময়ু খোইয়ুম কৌব্রুনা লনকুঙমএ।। মপাম লুৰাং লাই খোইয়ুম লাইয়েক লাইপৌ-শা, মোমনু খুজীন শোনজীন লাই, চরৈ ফিবাং তুপোলয়োল লাইবু লাইকোকলে। নহান নৰাঙৈ মতৌগুন্না নৌহৌরবগী মোমনু চেংলৌশক্লা হেল্লে... ... ...[মথক্কীসিদা,২৯]।

অসিনি। অদুগা লুৰাং-ঈ (লুৰাং ঈশিং/ঈচেন) হায়রিবা তুরেন মচাসি অৰাংলোমদগী ফুমংদগী চেঙ্গরক্কুনা লাঙ্গোন চীঙশাংসিগী নোংচুপ/মনীঙ থংবা চীঙখোঙ চীঙয়াদা ঙা-থেংদুনা চেনবা তুরেন্নি অমসুং ঈরোই শেনবগী চীঙমৈ লাম্থোক্লগা ৰাইশেন/লম্বুল (নম্বুন) তুরেনগী মরীন্দা তীনখি। ঈরোইশেনবা চীঙশাংগী শরুক লুৰাং মকুবী চীঙগী চীঙখোঙ-চীঙয়াদা চেল্লিবা ঈচেন, লুৰাং-ঈ তুরেনগী শরুক ঈরেম তাইবী লৈমনা ঈশিংদা উয়ুম পাম্বী [Oak specis (Salix tetrasperma, fam, Salicaceae] গী মনানা নুঙনা তক্কুনা নুরা ননবগুম নন্দু ঈরুজখিবা মফম/শরুক অদু মতুংদা "তোইবী লৈমা ঈরেন নত্রগা হিদেন" হায়না থোন্দুনা খঙনখি। হায়রিবা তোইবী লৈমা ঈরেন/হিদেনসি মৈতৈগী অনা-লাইয়েং-লাইকনগী য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি অমসুং ঈরেন/হিদেন অসিদা অঙৌবা পকপা লাইনা/লাইথুংশিং (leprosy and allied diseases) না নারবা/লাইথুংলবা মীশিং ঈরুজহল্লগা/ঈরুপহল্লগা লাইথুং থুংলিবা (অঙৌবা পক্লিবা) হকচাংগী মফমশিংদুদা উয়ুম মনানা তক্কুনা ঈরুজহল্লগা লাইনা-লাইথুং ফৈ/কোকই, হায়না লাইয়েংসি লৌখৎনৈ/তৌনৈ। তোইবী লৈমা ঈরেন/হিদেনসি হৌজিক ফাওবা লৈরি/হিংলি।

লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবা

ঈরেম তোইবী লৈমনা অনাবা ফরবা, অঙৌবা পকপগী লাইথুং কোকখ্রবা মতুং লোইদাম থাওন তরুক, পাম্থা অনি ওনখ্র-চৎখ্রবা মতুংদগীদি মহাক্কী মাঙলুরবা কুচু অমসুং হকচাং কায়াৎশিংগী ফিবম-ফিরেপশিংদু অমুক লোয়না হঞ্জিল্লক্লে, লৈশাবীগুম তনৌ তনৌরক্লে। মহাক মপাম লমদম লুৰাং পামং খুন্দুদা মপন পন্থৌ অমসুং পলেম মমাগী

মিৎয়েং মখাদা ময়ুম পান্দ্রিবী লৈশাবীগুম অমসুং মচা লৈত্রিবী নহা-নুবীগুম হাইনা হুন্না মনীঙ তৌদুনা লৈরে। অদুবু মশাগী চহিদি ৩৫ (কুষ্মামণ্ডা)রোম শুরে, মচানুপা অহন্না চহি ১৯ (তরামাপন)লোম অমসুং মচানুপা অতোনবা/য়ায়মনা চহি ১৬ (তরাতরুক)লোম শুরে, মমৌ লোয়না ফংলে। অদু ওইদুনসু মহাক্তি মপুরোইবা য়াওদনা মপামদা লৈবনিনা অমসুং মচা-মমৌগী মশক উদবনিনা চহি ৩৫ শুরবদু চহি ১৫/২০ গী ৰাখন্দা লৈরি। অদুগা মতমসিদা মহাক্না মশাবী মপুরোইবগা অমুক হঞ্জিন্নখিগদ্রা নত্রগা অসুম পুন্সিগী খায়নরগদ্রা হায়বদুগী ৰাফম মহাক্কী ৰাখন্দা খক থমদে। মসিনা মহাক লমচৎ নাইদবী, অতোপ্পা পাম্বী, পুক্নীঙ ৰারকপা ঙমদনা মশা কথোকপী নত্রগা অতোপ্পা লমলানবা নুপা অমগা মরী লৈনবগী ৰাফম নত্তে। মহাক্না মপা-মমানা থাজবীবদগী লৌন-লৈনদুনা নুংশিবা মশক খঙহনবীরকপা মহাক্কী মশাবী থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা মহাক্না নারিঙেগী চহি ৭/৮গী মতম অদুদা চৎখিবা লমচৎ অদু মহাক্না অসুপকী মতীক শাওনীঙখি অমসুং তাথীখি, অদুনা মহাক্কী মশক শুপয়েং য়েংনীঙখিদে। তশেংনমক্তি মঙোন্দা থৱাই-হকচাং কথোক্কুনা হিংজগে খঞ্জখিবনি। অদুবু নুপা মহাক্কী ওইরবী নুপী মহাকপু লাইথুং থুংলে হায়দুনা হন্না য়েংবীদনা থম্বীখিবদুদি নুংশি খঙদবা মীনুংশি লৈতবা নুপাগী পুকচেন্নি হায়না য়াম্না ৰারৌখিবনা মহাক মপামদা নৌবীরনবা পাউ থাখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক লাইনা-লাইথুং পুন্নমক কোক্লে, য়ুম পাল্লবসু য়াই, পান্দ্রবসু করিসু কায়দে, হিংফম থোকপগী হিংদবদি য়াদে, হায়না ৰাখলসিনি, মহাক্না চেংনা কোল্লিবসি।

কুমওনগী পাম্বানা ওল্লকপনা লোইদাম লাংবন থা লাক্লে। থাসিদা অপোক-অশাংকী লাইশিংদা শাকৎ-য়ুকক্তুনা ঈরাৎ-থৌনীবা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী চৎন-ঙাক্নরিবা চৎলম ৰায়েন্নি। অদুনা থাংয়ি তবুং খোংদৌবনা মপালাই মপুলাইদা কৎনবা লাইশা তান্নবা চেংলৈ-থাংয়িগী লাল্লোই পুন্নমক পুলপ খোমগত্তুনা মরোই লোইনবা শঙাইরাবা (শোকঙাইরাবা) গা লোইননা লুৱাং ঈ তুরেন্দা হি হোনগত্তুনা লাক্লগা লুৱাংশিগী লমখৈ-লমকনগী মনুং চনবা কৌরু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী ঙমখৈ মনুংগী লম অমদা লাক্লম্মী। মখোয়না শাদান্দুনা শা মখল কয়ামরুম ফারগা শাশিংদু পুদুনা হল্লকপদা পোখাখিসি, হায়দুনা লুৱাংগী লমদা পনখি। মদুগী ৰারোন্দি ঃ—

... থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবনা... লাংবন ইশা তানগে হায়বগী মরোই শোকঙাইরাববু ঙাইরোইননা কৌবা মদাইমা, লুৱাং মখলমা, খোয়দোং শনশেনবনা শনশেনলোক... ৰাকয়ৈ খোঙওইননা, খুমু পাল্লোইননা চেংলৈ লুৱাং ঈদা লাংবন ইশা তানববু য়াওরৌ শাশীঙ ১০০ শুনা ফা, ওক্লেন লাবা খারোনবসুং পানবা অথৌবা কৈরেন য়েকলাবনচিংনা শজি, শঙাই, তোকপা, কামবা, শায়ু, লৈরাং, নুংওক, পাইবং, খুবিং, খুবাই, য়োংমু, য়োংশেন,

শাফু, লাংহৈ, খৈরোই, উপেং, তিংসিৎ, নাওশং য়াওনা শায়াম ফারবদা... মরান ওন্দেরক মচীঙ হলৱাইরক্লবদা থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবনা, তায়মশিং-ও অৱা পোখাখিসি, য়াংলৌ লমদনখিসে... [মথক্কীসিদা, ২৯] ।

অসিনি। মখোয় চেংলৈ মচাশিং অদুনা থাংয়ি তবুং খোংদৌবনা পাম্বগী মতুং ইন্না ঈরেম তোইবী লৈমগী পঙ্গৌ মপা-মপন হোঙলেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী হিদেন্দা হি থাংদুনা পোখাখি। হায়রিবা চেংলৈশিংনা হি থাংলিবা হিদেন অসিনি, মথক্তা, "তোইবী লৈমা ঈরেন/হিদেন" হায়দুনা পীজখ্রিবদু। থাংয়ি তবুং খোংদৌবনা হিদেনসিদা পোখারবদা মরোই শোকঙাইরাববু কৌশিন্দুনা "মহাক্কী মতাল্লোই য়োঙ্গৈরুমলোন তোইবী লৈমদু মাগী মনাক্তা লৈরিঙৈদা মপাম লুৱাং লাই, মোমনু খুজীন চুচিন লাই (অঙৌবা পকপা)না নাবদগী "মপাম লুৱাংদা মপা-মমাগী মনাক্তা লাইয়েংগনি হায়দুনা চৎখিবদু, নঙনা মৈ লৌবা শাজিন্নদুনা মখোয়গী ময়ুমদা চঙদুনা করম তৌরবগে হায়বদু য়েংলুচো" হায়না থারকখিরম্মী।

চেংলৈগী শোকঙাইরাবনা (শঙাইরাবনা) থুনা য়াঙনা চৎখিদুনা লুৱাং পামং খুন্দা চঙলক্তুনা ঈরেম তোইবী লৈমনা লৈরিবা লুৱাং শেলহোঙবা/খুবগী ময়ুম-মকাইফমদা মৈ লৌবা শাজিন্নদুনা চঙলকপা মতমদা য়োঙ্গৈরুমলোন তোইবী লৈমদি মপন পঙ্গৌগী ময়ুমদুগী ফিশাশঙদা ফি শাদুনা লৈরম্বা অদু উরম্মী। মদুনা শোকঙাইরাবা কৌবসিনা পুক্নীঙদা কিশি কিরগা মচীন্দা খোইহী তৈদুনা ৱাঙাং-ৱাতা ফজনা শেম-শারগা, "মৈ লৌগে লাকচবনি, চকমোম খাম্বী মৈবু লৈবরা"— হায়না হংলম্মী। ঈরেম তোইবী লৈমনা মহাক হেক উবমক্তদা মশক খঙলম্মী। মহাক্না শোকঙাইরাবসিনা মৈ লৈবরা হায়না হংলরিবা অসিবু মহাক কদায়দা চৎলুবদগী মফমসিদা চঙলক্লিবনো? মহাক্তি ঈশাবী মহাক্না খক থানদবনি, ঈশাবী মহাক্না ঐগী ঈওং-ঈতৌ করম তৌরিবগে য়েংলুচো হায়না থারকপা শোয়দনা ওইগনি, হায়না মহাক্কী ৱাখল্লা মাগী থম্মোইদা হায়রম্মী। অসুন্না ৱাখল তৌনা তৌনা মায়থোং লুকথরগা মচীন্না থোকনা হায়রকখিরম্মী— "হে খাম্বী মৈনীরিবা নহাকপু কনানো, নঙগী নশক ঐনা খঙদে। অদুবু খাম্বী মৈদি পীরগে"— হায়দুনা খাম্বী মৈ পীরে।

মরোই শোকঙাইরাবদু নুজাদু কনানো, করি কোল্লোই কৌবনো, চেংলৌ শক্তি ঈরেম তোইবী লৈমা মাল্লি। হায়না খন্না খন্না মৈদু লৌরগা, নুজাসি ঈতৈলৈমা তোইবী লৈমরা হায়বদু লেপথোক-খঙদোক্তবা য়াদে, মখোয়গী খরায় থোঙ্গানসিদা ঐনা পুরক্লিবা খুনু (লমখুন/লংখুনু) সি লৌবা শাদুনা মহাক্কী মওং-মতৌসি কুপ্না য়েংলগা মশক লেপ্পা অমসুং খঙবা ঙমত্রা য়েংগে হায়দুনা লুৱাং খুবগী খরায় থোঙ্গান, ঈরেম তোইবী লৈমবু

উবদি ফংগদবা মফম অমদা মৈ হৌগত্তুনা খুনু লৌননবা থৌরাং তৌখ্রে। ঈরেম তোইবী লৈমদি মরোই শোকঙাইরাবু উরুবদগী হৌখ্রবা পুন্সিবু নীঙশিঙবগী ঈপাক্তা লুপ্তুনা লৈখ্রে। চরৈ ফিসু শাখিদ্রে, তেমথেং মখোল থোকখিদ্রে, তুমিন্না ফমদুনা লৈখ্রে। মরোই শোকঙাইরাবনা মহাক্কী মতৌদু চেপথ চেপথ য়েংদুনা, মহাকসিবু ঈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন্দু নত্তরবানে হায়না মতোম্‌তা ৱাখন্দা ঈরাক্লরি। অসুন্না পুঙখায় অমরোম য়েংশিল্লক্লবদা ৱাখন্না লাকহৎখিদুনা মৈদা লৌরিবা খুনুদু মথক-মখা ওনবা কাউরে। মতমদুদগী ঙাইহাক লৈরগা ঈরেম তোইবী লৈমগী পলেম মমা অহন মতম ওইরবীনা ময়ুমগী ঈমুংদগী মমোম লাংলেনবু মমিং পন্না কৌরকপা মরোই শোকঙাইবাবনা তারে অমসুং ঈরেম তোইবী লৈমনা ফম্লম্বদগী হৌগত্তুনা ঈমুংদা চঙখিবসু উরে। মহাক্লা ঙশাই মখৈ য়েংলক্লিবদুগী অরেপ্পা-অশেংবা পাউখুমদু ফংলে। হরাউবগা লোইননা লৌরিবা খুনুদু লৌখৎলগে, চৎলগে, হায়দুনা য়েংলুবা মতমদদি খুনু অদু মৈতান ওন্না কারম্লে। অদুদগী মহাক্লা ময়াম্মা মবুংঙো থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবদা পাউ তমলুনবা থুনা-য়াঙনা চেনখ্রে। অসুন্না লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবগী থৌদোকসি থোকখি। অদুবু চেংলৈরোন লাইরিক্তদি লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবগী থৌদোক অসি য়াওদে, পন্দে (মথক্কী সিদা, ৩০-৩১); লীনবা ৱারীদদি থৌদোক অসি পীনৈ-লীনৈ।

তোইবী লৈমাগা খোংদৌবগা হঞ্জিন্নবা

মরোই শোকঙাইরাবনা ঈরেম তোইবী লৈমবু চেংলৌ মশক তশেংনা খঙলবা মতুংদা থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা পোখাদুনা ঙাইহৌবা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌগী হিদেন্দা থুনা-য়াঙনা লাক্কুনা পাউ পুন্নমক্তু তম্লরে। ঈরেম তোইবী লৈমগী লাইনা-লাইথুং পুন্নমক্তু কোকখরে, ইনখৎলকপী লৈশাবীগুম মহাক্কী চেংলৌ মশক্কী ফজবদু হঞ্জিল্লকহৌরে, হায়না পাউদমখি, মদুদি ঃ-

...য়াম্মা তাম্থোং লৈমাবা, লেমথোং মপু নিংথৌ-ও! নরোই ঐনা মিৎয়েং শানখৈরুবদি য়াম্মা লৈমা লুৱাং খুবা চনুদি নমানগী শাংদিং ফিশাশঙদা চরৈ ...ফিবু শাঙম-এ। মপাম লুৱাং লাইবু লাইকোকলে, নহান নাউৱা মখুঙৈগী নুরা মহৌতোঙ গুম্না নৌহৌরে। শেল্লোই চীঙশামা, লংমাই লংবা চীঙদা শানবা (শাৎপা) লৈ, কাইনৌ শমজীলৈ, শমজী তোমথেৎ লৈগুম্না নীঙথিঙম-এ, হায়না ৱাহম্লবদা... (মথক্কীসিদা, ৩১)।।

অসিনি। ঈরেম তোইবী লৈমদু লাইনা-লাইথুং পুন্নমক কোকখ্রে, মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈ ইনখৎলকপা মতমগী ফজবা শকফমদু হঞ্জিল্লকহৌরে, হায়বদুদা থাংয়ি তবুং খোংদৌদু অমুক কল্লক-খম্বনবনা মপুক্লীঙদু পুমথন থনখ্রে।

শকশেম-শকশাগী থৌরাং —

থাংয়ি তবুং খোংদৌবনা ঈরেম তোইবা লৈমনা লাইনা কোক্লে, মশক-মতৌ হান্নগুম্না ফজ-নীঙথিহৌরে হায়বা পাউ অসি মরোই শোকঙাইরাবগী মচীন্দগী তারবদুদা মহাক ঈরেম তোইবী লৈমবু অমুক হঞ্জিনদুনা লৈমিন্নবা পাম্লম্মী। মখোয় মতৈ-মনাউ অনিসি তশেংনা খায়নখিবদি নত্তে, অদুবু তোইবী লৈমনা অঙৌবা পকপগী লাইথুং-লাইনানা নারকপদুদা মহাক্না থৌশা-ৱাশাদনা মহাকপু নীঙথি-নুংঙাইনা তৌবীখিদবা, লাইয়েংদুনা লাইনাদু কোক্লবা হোৎনবীখিবগী মহুত্তা মহাকপু তুক্কচনীঙঙাই ওইবা পোৎশিংগুম, শোক্লা-শম্লবা য়াদবা মীওইগুম মনাক্তা ফাওবা চঙবীখিদবা, তাল্লোই মতু নত্তবগুম তোপ্পা-তোংঙান্না থম্বীখিবা, অসিনচিংবা মহাক্কী মীনুংশি খঙদ্রবা লীচৎ-শাজৎশিং অদুদা ঈরেম তোইবী লৈমনা থম্মোই শোকখিবদগী মহাক মতোমতা শাওমনবা অমসুং নুংঙাইজদবদগী মপামদা পাউজেন্দুনা মমা-মপানা লাইয়েংগনি, হায়দুনা পুখিবনি। মহাক্কী নুংঙাইতবগী মৈচাক অদুবু নমহৎপা ঙম্বা শিবা-নাবা থোকপা য়াবা থৌদোক অমগী শক্তম উহন্দ্রবদি মহাক্কী থম্মোয়সি ওনহনবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। হায়রিবা মওং-মতৌসি হৌজিক খুদক অসিদা করম্না উৎপা য়াগনি, হায়রিবা ৱাফমশিং অসিদা মহাক্না য়াম্না কুপ্পা খল্লবা মতুংদা মীশি-মীনাগী কুম্মে অমা উৎননবা অমসুং ঈরেম তোইবী লৈমগী থম্মোই ওলহন্নবা মহাক্কী মমিত্তা উহন্দবা য়াদে হায়দুনা মদুগী থৌশীন শীনবা হৌরে।

থাংয়ি তবুং/তাউবুঙ (তৌবুঙ) খোংদৌবনা মহাক্কী মপারী অনি —পাথং অহনবা অমসুং য়ুনাউরোই য়ায়মববু থাদুনা চীঙদা কারগা হৈঙাং (Prunus, specis, I am. Rosaceac) [হৈ অসিগী মহীসি ঈগুম্না ঙাংঙি] হেক্লুনবা থাদুনা হেকহল্লুরগা মদুগী মহী লৌরে। হায়রিবা মহীদু ফি খরদা লুপতুনা চুহল্লে, লৈমায়দসু হেন্দোক্তুনা লৈমায়দু ঈ তাবা মানহল্লে। অদুগা হি মথক্তা ঈ চুরবা ফি মানবশিং খর য়ান্দুনা থেৎ-খন্দুনা লৈরগা মহাক্না হিনুংদা ফম-হিপ্তুনা লৈনবা শেম-শারে। মতুং তারকপদা মহাক্না মরোই শোকঙাইরাববু কৌশিন্দুনা— থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবা মহাক শা তানবদা শানা (কৈনা) শাথীনা শোক্লে, শিবা য়ানা শোক্লবনা শিনীঙচিত্তা লৈরে, নহাকপু অমুক্তং অরোয়বা ওইনা উননীঙঙি হায়না ঙাইহৌরি, হায়না মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা কৌরুচো, ঐহাক হি মনুংদা ঙাইদুনা লৈরমগে" হায়না হায়রদুনা মরোই শোকঙাইরাববু ঈরেম তোইবী লৈমগী মনাক্তা থারক্লে। মরম অসিনা শোকঙাইরাবনা পন্থবা তৌদনা লুৱাং মকুবী চীঙদা কাখৎলক্তুনা তোইবী লৈমগী মনাক্তা লাকলে, অদুগা মহাক্কী মশক তাক্তুনা ঈরেম তোইবী লৈমদা থাংয়ি তবুং খোংদৌবনা শিন্নরকপা ৱাফমশিংদু হায়ররে। মসিগী মতাংসিদা থম্বীরম্বা ৱারোন্দি ঃ-

...পোনবী শোকঙাইরবনা, "হে মোমনু চেংলৌ শককোয় হেনবী-ও ! অসাইঙৈদি য়াম্মা লৈমবু নত্তবরা খানীক-এ। য়াম্মা নিংথৌ থাংয়িবদি ময়ুম তাম্থোং পুমনা হৌ, লেমথোং পাক্লা তাইনা ৰাকয়ে খোঙওইননা, খুমু পালোইননা নপাম নুংবান নরমখৈ অসিদা য়াওরৌ শাতানবদা পানবা অথৌবা কৈরেন য়েকলাবনা ঙমপল্লবগী ঈঙাং পাকতৈনা ঈমু ফাফেন্নরে। পায়মা নিংশা খমনীঙ খোক্মৈনেমগে তৌগুমলে।। চেংলৌ মিৎকুপ মরমদবু লৈরায় নকুম্‌লম্‌, হিদেন নতারমদা তারক-ও ! হায়ঙমলকএ।। নাহননোংগী তাল্লোই অপাম্বী লুমলেন হঞ্জবীনে। মোমনু তাল্লোই ঈরুম্বীবু চেংলৌ শকউনরমগে।। কমবোং ঈপুঙয়ায়, ঈরান মোংবা য়ুমদাংশাং য়ৌঙমদনা য়াংলৌ লম্মখাঙদা নোংমনগবরা খঙ্‌ঙমদে, হায়ঙমলক-এ [মথক্কীসিদা, ৩১-৩২]

অসিনি। ৰাহেশিংসি তাবদা ঈরেম তোইবী লৈমনা থাংয়ি তবুঙ খোংদৌববু কৈনা চীক্তুনা অশিবগী লম্বীদা চৎকদবগী ঙাইদুনা লৈরে হায়না খল্লদুনা মিৎলু পিরাং শীন্থনা খোঞ্জেল হৌনা কপ্লক্লম্মী। অদুগা মরোই শোকঙাইয়বদা মহাক্না মহাক্তি ময়ুমগী মশুম্মাঙ লাম্থোক্লরোয়, অদুনা শুম্মাঙদসু থোক্লরোয়, কোম্থোঙ হেন্দোকপা য়াদবনা চথোক্লুরবদি লুৰাংগী ঈপা-ঈপল, ঈবুং-ঈপ্পাশিংনা থীনা চৈরগনি, মখোয়না ঐবু নোক্লবীরগনি, অদুনা ঐদি থোক্ল-চৎলরোয়। নঙগী নবুংঙো থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবদু শিবনা হাল্লগনি, অদুনা নঙ চৎখ্রো, অদুগা ঐবুদি লুৰাং ঈপা-ঈপলনচিংবগী মমাঙদা চোপ্পা, ঈকাইবা অমুক নংহল্লগনু— হায়না হায়রম্মী। মদুদা মরোই শোকঙাইরাবনা, ঈতৈমা লৈমা-ও ! অদুন্না হায়বীগনু; মতম থেংজিল্লক্তুনা নুমিৎ তাখিবনা হাল্লগনি। নীঙথিনা চত্নুনা অমুক্তং উনবীয়ু। নপারী অনি শাৎমিন্নরিবনি, হয়েং অশি-লৈপাক্তা উনবদসু উনররোয় হায়দুনা থৈদোক-লৈথোক্লবা তারবা ? অসিনচিংবা হায়দুনা মরোই-মনাউ শোকঙাইরাবনা থেম্লকপদা য়োঈরমলোন তোইবী লৈমদু লুৰাং মপা-মপন, নুংবান মবু-মপ্পা কনাসু খঙহন-উহন্দনা হিদেন তাফমলোমদা থোক্লক্লে।

হিদেন তাফম অমসুং হিদেন অদুদা থাংয়ি তাবুঙ খোংদৌবনা ঈরেম তোইবী লৈমগী মপুক্লীঙ ওলহন্নবা অমসুং মহাকপু নুংশিবা পোকহন্নবা উৎলল্লিবা শক্তম অমসুং শকফমশিং অদুগী মরমদা পীবীরল্লিবশিংদি ঃ—

মথংলেন থাংয়িবদি মরৌ লৌনা হৈনা খোয়বুঙ তুগুম্বদা লৌশাঙম-এ।। ৰাকয়ে মখুনেৎসু, থাংয়িবা শমু মহকশাংসু ঈঙাং ফাফেন্নবা শানা, তাউজীঙ হৈঙাং পুমনা তৈনা, ৰাকয়ে হিকুনুংদা চরৈ ফিকোয় খান্না ঙাইখমঙমমে।। মরোই পোমবী শোকঙাইরাবনা ৰাকয়ে হিবান পায়না, কোল্লোই অমেঙবনা ৰাহমখি-এ।। য়াম্মা নিংথৌ থাংয়িবা-ও ! য়াম্মা লৈমা নুংবান লুৰাং খুবা চনুবু লাক্লে হায়না পাউমেনববু নাতারবগী ৰাকয়ে হিকু

নুংদগী য়াৱা খোনজেন মিনা, কাংসু তাওবা থৌশিখোন... ... ... কাংবী মশা তাবনা পাইবা ঙমদবা খোনজেনগুন্না, হয়িং পেংলোই খোনগুম নেমনা পাউমেল্লক-এ।।

অসিনি। মসিগী শন্নপ্পা ৱারমদি— থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবদি হৈনা মরৌ তৌদুনা শরৌ শীল্লম্মী। মশানা তোংলিবা হি অমসুং মশাগী হকচাংদুসু ঈ অঙাংবনা পুতে তৈরবা মান্নবা হৈঙাং হৈগী মহী তৈশিন্দুনা শেম-শারম্মী, অদুগা হিদা ফি কোয়না খাজিন-কোয়শিল্লগা মহাক্না মনুংদা লৈরগা ঙাইদুনা লৈরম্মী। মরোই শোকঙাইরাবনা হিগী মপান্দা পায়দুনা য়াম্না তপ্না— ঈয়াম্বা থাংয়িবা-ও! ঈরেম তোইবী লৈমা লাক্লে হায়না হায়বদু তারদুনা মহাক্না হি মনুংদগী খোঞ্জেন নেম্না কাং খোঞ্জেলমুক্তা ওইনা হয়িংগী মখোলগুম মিরবা খোঞ্জেন্না হায়রকখিরম্মী— হায়বনি। অসুম্না কৈনা অশোক্লবা ঈ তৈরবা শিগদৌবা মী শাজীন্নদুনা তোইবী লৈমগী মপুকচেল ওলহন্দুনা তোইবী লৈমবু হি মনুংদুদা মথৱাই ৱানা চঙহল্লগা অহানবদা অশোক-অশোনবা শাদুনা থেম্লগা নুপীদুনা হি মনুংদা মাগী মনাক্তা য়ৌরবা মতমদা মখুদাং পায়দুনা ফারগা মখোয় অনি হঞ্জিনরসি, খুদক্কুদা চেংলৈপুঙদা ময়ুম মরানয়ায়দা চৎলসি হায়দুনা পাঙ্গল শীজীন্নদুনা ফারম্মী। মদুদা ঈরেম তোইবী লৈমনা মখোয় অনি খায়নরবনি হায়দুনা লুৱাং মপা-মপনশিং, মবুং-মপ্পাশিং অমসুং নুংবান মচেম-মনেমশিংগী মমাঙদা খায়দুনা লৈনরগা অদুন্না হঞ্জিন্নবা অদুদি ঈকাইজে— হায়না হায়জরবা ফাওবদা থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা মহাকপু নম্দুনা হিথক-হিনুংদা হাপ্লগা হি হোন্দুনা ময়ুমদা পুখিরম্মী। ঈরেম তোইবী লৈমবু অসুম্না মপুক্নীঙ ওলহন্দুনা মপামগী ময়ুমদগী পুথোকখিবা, তুরেন্দা থাংলিবা হিদা কাখৎহনখিবা অমসুং হি মনুংদা চঙহন-তোংহনখিবসি থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবগী থৌৱাং, কৈনা চীকপগী অশোকপা শাবদা ঈ লৈমায়দা মতৎ মতৎ তাহনবা, ঈ তৈবা ফিশিংনা হিথক্তা কোয়শিন্দুনা ফিজঙ খনবা, মরোই শোকঙাইরাবগী শক্তম লাংবা হৈবগী ৱাঙাং-ৱাতাগী হৈ-শিঙবা অমসুং থাংয়িবা মশাগী কুম্মৈগী শক্তম পুথোকপা হৈবগী মচৎ-মনাৎ অদুননি। মসি তশেংনমক কুম্মৈ [লীলা (Drama, Melodrama, Opera, Ballet, etc.)] গী মশকনি, খুদোন্নি। অদুনা থৌদোক অসি মৈত্রবাক্কী কুম্মৈগী শক্তম-লাংবা (Dramatic acting or performance) অমসুং শকশেম-শকশাব (Make-up) গী হৌরকফম ওইনা থম্বা য়াই।

মখা তাবা পুন্সিগী পরীংদা

ঈরেম তোইবী লৈমা লুৱাং খুবা চনুবু থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা কুম্মৈগী থৌওংনা লৌনম তৌদুনা মপুক্নীঙ ওলহন্দুনা ময়ুমদগী কৌথোক-পুথোক্লগা পাঙ্গল শীজীন্নদুনা ফাদুনা হিথক্তা হাপ্পুনা লুৱাং-ঈ তুরেন্দা হি হোম্বদুনা পুরক্লগা ৱাইশেন খোংলম/তুখুন মরীন তারক্কুনা লমলেন চেংলৈপুঙ, লৈশাংখোং (ৱাঙ্গোই) দা ময়ুম-মরানয়ায় য়ৌখ্রে।

নাকন অমরোমদা লুৰাং পামং খুন্দা লৈরিবা নুংবান শেনহোঙবা লুৰাং খুবদা থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা কৌব্রু চীঙ্গোলগী লুৰাংগী ঙমখৈ মনুংদা লাংবন লাইশা তামবা লাক্লগা লুৰাং খুবগী মমোম লাংলেন ঈরেম তোইবী লৈমবু লৌনম তৌদুনা কৌথোক-পুথোক্লগা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা নমজা-নমথেক্লরগা ফাদুনা পুখ্রে হায়বসি উহৌবা মীশিংনা পাউ তল্লবদগী মপন পঙ্গৌ লুৰাং খুবনা লাকচৈদা হায়দুনা নুংবান লাল্লোই খর খোমদুনা হি তোংদুনা লুৰাং-ঈ তুরেন্দা হোন্থরক্লুনা তান্নরকখি। অদুবু মতম কান্নমনখিবনা মখোয়না তান্নরিবদু ফংলমদে অমসুং তনবা মুকতম থেন, ৰাংদৈ হামেংচীঙ য়ৌরগা চীঙদু কাদুনা য়েংলুবদা থাঙ্গা কাম্বোংশিংগী মরমদমবু হেন্দোক্লুনা চৎখিরল্লবদগী মফমদুদগী হল্লকখি। মসিগী মতাংসিগী ওইনা পীবীরম্লিবদি ঃ—

... ... মপন লুৰাং খুবনা নাতারবগী... ... ... ঈমোম তোইবী লৈমা লুৰাং খুবা চনুবু থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবনা নুংবান ঈরমখৈ লুৰাং ঈশাইগোন্দা... য়াওরৌ শা তাল্লবদা... ... ... পাউথেমখিরে, কল্লক-এ।। নুংবান ঈপাচা ঈখোয়বু মীরাই-এ, লুৰাং ঈখোয়বু তাংশক্তে, হায়না... ... ... লুৰাং মনীন নাইনা তাল্লকপবু লুৰাং নোংবান চৌবৃ শোয়শেনৰাই, ... চীঙঙু নোংথৌ সোরারেন্দা ঈমু খয়োম শানা নীনা শোয়, তনবা মুকতম থেন, ৰাংদৈ হামেং চীঙদা, মরাং চীঙদা কানা মিৎয়েং শানকৈরুববু কম্বোং ময়ুমনাকপু নাতৈখিরবগী তক্লৌ শিদং শোননা, লাবা কচক হৌনা হলৰাইখি-এ, হায়দবরা [মথক্কীসিদা, ৩৪-৩৫] ।

অসিনি। অসুম্না লুৰাংশিংনা তান্নরকপদু ফংদদুনা হল্লকখি অমসুং ঈরেম তোইবী লৈমদু মশাবী থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবগা মশাদা অঙৌবা পকপা লাইথুং (অহোরাই) গী লাইনানা নারকপদগী খায়নরুবদু মতৈ-মনাউদু অমুক হঞ্জিন্নখি।

মপারী অতোনবা পোকপা—

ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাংখুবা চনুনা হায়না-শীঙনদুনা লৌনা-লৈনবা মশাবী মপুরোইবা থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবগা চহি ৫/৬ (মঙা/তরুক) হেন্না খায়নদুনা লৈরুবদগী অমুক হন্না হঞ্জিন্নদুনা থাংয়ি চেংলৈপুঙদা পানমিন্নরে। মতৈ-মনাউ অনিসি চাদা-নাউদানবগী মতীক-ময়াই মশাদা নীঙথিনা চেল্লিবা অমসুং ঈরেম তোইবী লৈমসিনা মশা-মউ ফবী, তীঞ্জেন-লাইচেন্দ্রবী অমসুং চাবোক লৈহাউ চেনবী নুপী অমা ওইবনিনা মখোয় অনিনা হঞ্জিনবা চহি কুমসিগী ওল্লকপা কুমদা মপারী অমা অমুক শাৎচরে। নৰা মপারীসিগী কোল্লোই মমিংদি "য়োঈকামু কামু অতোনবা" হায়না মিংথোল্লে। হান্নগী মপারী অনিদি ময়ুম-মকৈ পান্দুনা য়ুম তারবনি (চাকখুম খাইরবদি, অনৌবা ময়ুম শঙ অমা শাদুনা হোংদোকখ্রবনি)। মমা ঈরেম তোইবী লৈমনা মপারী য়োঈকামু কামু অতোনববু চেকশিন্না, লুনা-চান্না তৌদুনা নাউয়োক-নাউকোল্লকখি।

ঈরেম তোইবী লৈমগী মপারী অহুম অসি থাংয়ি কাংলুপ নত্রগা চেংলৈ নত্রগা শরাং-লৈশাংথেম য়েক্কী শল্লাই অহুম— (১) চেংলৈ, (২) লৈশং (লৈশাংথেম) অমসুং (৩) শরাং (শরাংথেম) শল্লাই/ফুরুপশিংগী পুকোকশিংনি। মচানুপা অহল য়োঙ্গৈপাথং পাথং অহনবনা চেংলৈ শল্লাইগী, মচানুপা য়ায়মা যুনাউরোই য়ায়মবনা লৈশাং শল্লাই অমসুং য়োঙ্গৈকামু কামু অতোনবনা শরাং শল্লাইগী পুকোকনি।

লম মুন্নবগী ৰায়েন-ৰাখুন্—

মতমগী লেপত্রবা খোঙচৎ-খোঙথাংগী চহি-কুমওনগী চৈথাগী শাফু মীওইবগী তাইবং হকচাংনা চাদুনা অহল ওইশিল্লকপগী লম্বী-পরীংদা নোংমা-নোংমগী লেপ্তুনা চঙশিল্লি অমসুং মদুনা মীওইবগী হকচাংসিনা মৰাক চাল্লক্তুনা মচু থাউরক্তুনা অমন য়াইথোঙ কুমখি, অশি লৈপাক্তা চঙখি। অসিগুম থিংবা য়াদ্রবা মহৌশাগী ৰায়েন অসিনা পুন্দুনা থাংয়ি তবুঙ/তাউবুঙ (তৌবুঙ) খোংদৌবসু খমনুং শবা তানখরে, মালেম তাইবংপান্দা মহাক্কী পামজরবী তাল্লোই ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাং খুবা চনু অমসুং নুংশিজরবা মপারী/মচা নুপা অহুম--- য়োঙ্গৈপাথং পাথং অহনবা, য়ুনাউরোই য়াঙ্গৈমবা অমসুং য়োঙ্গৈকামু কামু অতোনববু হুন্দোক্লম-থল্লমদুনা অমন শীঙগুমখি। মহাক লৈখিদবগী মথৌ-মঙমশিং অশি, পোৎলোয়-হিথাবা, মংলেন-মংজনবা, কৌরৌ নোংদা য়াইবী থৰাই থিনগৎপনচিংবগী থৌরমশিং পুন্নমক মতাল্লোই মরূম্বী অমসুং মপারী অহুন্না থৌদৌ মতোন লোন্না পাংথোকখি। অসুন্না থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবা মালেম-তাইবংপান থাদোকখি।

তোইবী লৈমগী থৌদীক-থৌশীন—

থাংয়ি তবুঙ খোংদৌবনা খোইয়ুম লাইরমলেন্দা তীনখিবা কুমওন মঙা শুখরে। মপারী য়োঙ্গৈকামু কামু অতোনবসু অচাও লেপফারে, শাংবসু ঙমদমলে, পাখং শারেপ ফাদুনা তাল্লোই তুথি তমলে। মতমসিদা মখোয়বু পোকপা পল্টৌ মপানা থম্বীরম্বা মরৌ মশিঙ য়েল্হোক্লদুনা মাগী মাগী ময়ুম-ঈংখোন লেপ্পদুনা মখোয় মচীন-মনাউ অহুমদু পান্নরম্মী। পলেম মমা ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৰাং খুবা চনুদি মচা অতোনবা য়োঙ্গৈকামু কামু অতোনববু কোন্দুনা মহাক্কা চামিন্নরি। ঈরেম তোইবী লৈমসি মহাক্কী মচানুপা অহন অনি অদুগী মথক্তা ৰারুম-থরুম পুদুনা লৈ অমসুং মদুগী থবক লৌখৎ-পায়খৎকে, হৌখিবগী লমন খুমগে অমদি মমা ওইবীগী মতীক খঙহনগে, হায়দুনা শীঙদুনা লৈবগী ৰাখল অমা থম্মোইদা চেংনা কিশি কিদুনা কুমজা কয়াগী মমাঙদগী থল্লক্নম্মী। মরম অসিনা মহাক্না মচানুপা অতোনবা য়োঙ্গৈকামুসি চাওরকপা ঙাইদুনা লৈরকখিবনি। মচানুপা অতোনবসিনা মশাগী ময়ুম লেপচবা ঙম্লক্লবসিদদি ঈরেম তোইবী লৈমনা মতম চারে খন্দুনা মপারী য়োঙ্গৈকামুবু কৌশিল্লগা হায়রকখি, মদুদি ঃ—

"পারী অতোনবা-ও ! নহান নপন পলেম নমা ঐনা ঈপাম লুৱাং লাইবু লাইথুংঙৈ, মোমনু খুজীন শোঙ্জিনলাইবু লাইকাঙৈদা নপন থাংয়িবনসুং ঈঙা লৌখোং থৈগুন্না থৈদোকঙৈদা নচী পাংথং অহনবগা য়ুনাউরোই য়ায়মবগা অনিমসুং নপন ঐবু মীরায়-ওএ।। পলেম নমা ঐবু লাঙ্গোন্দে।। নচী লমবু লমমুললো।। লমলেন লমবুন ৱায়েপ-শি, ঙাশেপ লাইকা-ঈ, কুম্বা লাইবক ঈবু ঙাপী ঙারুম-শোয় অচৌবনে।। হয়েং পোইরৈ চাদোননা কাউদনবা, ৱাংঙম শূদোননা নীংননবা, লমবু লম্মুললো, হায়না ৱাহমলবগা... ... ... [মথক্কীসিদা, ৩৫-৩৬]

অসিনি। মসিনা হায়রিবদি মপানা থম্নবদা "লম্সুন ৱায়েপশি হেশোনপান" অসি ঙা য়ামনা ফাবা অচৌবা শোয় [ঙা ফাফম মফম (Fish or Fishing Farm)] নি। মসি মচানুপা অহন য়োঙ্গপাথং পাথং অহনবগী লম ওইনা শোয় চাদুনা লৈরি। মহাকসি ঈরেম তোইবী লৈমনা অঙৌবা পকপা লাইথুং, থুংদুনা নাদুনা লৈরিঙৈ, মপা থাংয়িবনা মমাসিবু হন্না য়েংবীদ্রবা মতমদুদা মপারীসিনসু মমাবু থৌগন-লাংগন তৌদুনা লাঙ্গোনখিদে। অদুনা মহাক্না শোয় চারিবা লমসি মুন্দুনা লৌ হায়না মপারী অতোনবদা ইনশিনবগী ৱাফমনি। মসিদা মচানুপা অতোনবসিনা ময়াম্বা অহনসিনা ৱা হায়রুবদি মহাক্না করিসু তৌরুবা য়ারোয়, মখোয় মচীন মনাউ অহুমসি মপা অমতগী অমসুং মমা অমতগী মচাঙাক্তনি হায়না হায়রম্মী। মদুদা মমানা মখোয়না করিসু তৌবা য়ারোয়, মহাক্না মখোয় অনিগা মান্নদে, খেন্নে অমসুং মখোয়না ৱাফমদু হায়রকপদা মহাক্না করি খুমগদবগে হায়বগী পাউখুমদু মমা ঈরেম তোইবী লৈনা তাকপীরম্মী। তাকপীখিবা পাউখুম অদু কামু অতোনবনা খুমখিরম্মী, মদুদি ঃ—

... ... মপারী অতোনবা কামু কম্বোংবনা পল্লেম থৌতীকখোনগীবু কোরৌ নুমিৎমদি মচী পাথং অহনবদা পাউমেনখি— ঈশাবী চেংলৈয়োঙ্গ পাথং অহনবা-ও ! লেমলৈ অকুম-শোয়, লমপুন শোয়রেন অচৌবদি কোরৌ অসি নুমিৎমদগী নশানৌ ঐগী লমনে হায়না পাউমেমখি-এ।। মশাবীনা পাউখুমঙম এ— শানৌ অতোনবা-ও ! করি ৱাবু হায়ঙম্বনো।। পলেম পীমচা, পম্থৌপামচানে।। নুমিৎ ঐনা হাননা উই-এ, থাবা ঐনা হাননা খাই-এ, শোইরেন ঐনা হাননা হুনবনিগীনা লমপুন শোয়ঙাকঙমলে, লমলাং শোয়শেনঙমনে,।। নচীলমবু কদৌবা লমমুলবনো? হায়না পাউখুম্ববু মশানৌ কামু অতোনবনা, শাবী-ও ! নঙদি নপন পামদবী, পলেম ওন্দেবী মচানে। নশানৌ -ঐদি ঈপন হনজবী, পলেম অচানবী মচানে।। —হায়না পাউখুমলবদা মশাবী পাথং অহনবনা পায়মা উনগোয়নুংদা নীঙথনখি-এ।। পলেম থৌতীকখোনবু ওইরিঙেনে হায়না তাংজা মরু লুকনা... ... ... [মথক্কীসিদা, ৩৬] ...।

অসিনি। ৱাফমসিদা পীবা খেন্নবদি পাথং অহনবগী মমাদি খায়নখ্রবী অমসুং মপাম চৎখ্র-হনখ্রবী মমা (ঈরেম তোইবী লৈমা) নি। অদুনা মপাগী মরন মথুমদা হক লৈতে, অদুগা য়োঙ্গকামুগী মমাদি মপানা পাম্বা নুপী খুদিংমক্তা খ্বাইদগী মথক থংবী হঞ্জবী ওইবী অমসুং পামজনা পান্নদুনা লৌরবী অপাম্বী নুপী মচানি, অদুনা মপাগী মরন-মথুম, লৌ-ঈংখোন্নচিংবা পুন্নমক্কী মপুনি, পুন্নমক্তা হক লৈ। হায়দুনা মখোয় অনিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদু উৎখি। মমাদু মীশক অমতা ওইরবসু, খায়ন-কায়খ্রবী ওইবগী মতমদা নত্রগা মতমগী মমাঙদা পোকপা খায়নখ্রবীগী মচা অমসুং পান্না লৌজনা লৈরিবা মমা নত্রগা খায়নরুরবসু অমুক হঞ্জিন্নদুনা পামজনা/পান্না পানদুনা লৈরিবা মতম পোকপা অপাম্বী নত্রগা পামজবীগী মচা হায়না মফমগী, মতমগী অমসুং থৌদোক-ৱাথোক্কী ফিবম-ফিরেপকী মতুং ইন্না মীগী মশক, থাক, মহী-ময়াই অমসুং মতীক খায়দোক্নুনা উৎলি।

মথক্কী উৎলিবা খেন্নবা অমসুং মান্নদবগী মশক-মওং, ফিবম, থাক অমসুং চাং অসিশিংনা ৱায়েন-চৈরাকলোন্দা চঙদুনা মপাগী/মমাগী/মপুরোইবগী মরন-মথুম (লৈজবা মমল য়াম্বা অমসুং মমল লৈবা পোৎ-চৈনচিংবা) লৌ-ঈংখোল (লম) য়েন্নবা অমসুং মুন্নবা (ফংননবা হোৎনবা) দা চৎলম-ৱায়েনগী ৱাখন ওইনা শীজিন্নবা য়াবা লীক্লম-লীকখুন, কাঙলম-কাঙখুন নত্রগা পোরম-পরমনি। তশেংনমক পাথং অহনবা অমসুং কামু অতোনবা মচীন-মনাউ অনিগী থৌদোক নত্রগা ৱাথোকসি মপানা থম্বীরম্বা লম মুন্নবগী ৱাথোক্নি।

ঈরেম তোইবী লৈমা নোঙ্গাবা—

য়োঙ্গরুমলোন/ঈরেম তোইবী লৈমা মশাগী চহি কয়া শুবা ফাওবা মালেম তাইবংপান্দা হিংলম্বগে হায়বসি কনা অমত্তনা হায়রম্বা লৈতে, অদুবু মহাক, মহাক্কী মশাবী (মপুরোইবা) নোঙ্গাখ্রবা মতুং চহি মঙা-তরা নত্রগা মদুদগী হেন্না পুন্সিরম্মী, হায়বসিদি চেংলৈরোন পুয়ানা খুদম-চাংদম পীদুনা লৈরি। মহাক্না মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুং চহি মঙা-তরাগী মতমদা মমা নুংশিবা খঙদবা মহাক্কী মচানুপা অনিবু ৱাহৈনা হায়বনদি ৱারকপা য়াররোয় হায়দুনা মচানুপা অতোনবদা মখোয়গী মপানা থল্লম্বা লম মুনহন্দুনা ৱারক্লবা মতুংদা মচানুপা অতোনবা কোন্দুনা চহি কুমওন খর পাল্লম্মী। মহাক্না মচানুপা অহন ৱারকপসি মচা নুপা অহন্দু মশামক্তা খঙজখি, মনাউ অতোনবনা মহাক্কী লম মুক্লিবসি মমানা ইনশিন্দুনা তৌরিবনি হায়বসি মশানা খঙজখি [মথক্কীসিদা, ৩৬ অমসুং ও:ভ:স; ১৯৬৭,১২৮]।

য়োঙ্গরুমলোন তোইবী লৈমনা মপারী অতোনবা য়োঙ্গকামু কামু অতোনবা অমসুং মমৌ-মহুইরোন য়োঙ্গরুমলোন য়াওরৈবা চনু (মৈয়েংবম নিংঙোন) কোন্দুনা চেংলৈপুঙদা

লৈরম্লগা চেংলৈপুঙগী মোংবা মরানয়ায়দা তাইবং পুন্সি লোয়দুনা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা কাখিরম্মী। মহাক্না নোঙ্গাখিবসি লাইরেন মৈদিংঙু নাউফংব (খৃ: ৪২৮-৫১৮) গী সনা হাক্তক্তা পাবা য়াই।

ৱাখোম-ৱারোয়

য়োঈরুমলোন ঈরেম তোইবী লৈমা, লুৱাং খুবা চনু হায়না পন্থৌ মপাগী মমিংগা লোইননা কোপ্লোই মিংলেন পীরিবী নুপী অসি লুৱাং/নুংবান কাংলুপ/ য়েক্কী ওইনা মমিং চৎপী নুপী অমনি অমসুং থাংয়ি/ চেংলৈ নত্রগা শরাং লৈশাংথেম কাংলুপ/ য়েক্কী পুকোক ওইবী মবেনথৌ অমসুং শল্লাই অহুমগী পুকোকশিং পোকপী মমানি। অদুনা মৈতৈ কাংলুপ অচৌবসিগী মী কাংলুপ -ফুরুপশিং নত্রগা য়েক-শল্লাইহৌরকপগী লমদাংদদি মহাক্কী মফম অমা কল্লিবী চনুরানি। অদুগা মহাকসি অপুনবা মৈতৈ কাংলুপ অমসুং পোইরৈ মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা, মরু ওইনা লাইথুং তীনথুং অমসুং লাইনা-তীন্না অমদি মসিশিংসিগী লাইয়েং-তীনয়েংগী অকন্নবা অমসুং অখন্ননা অঙৌবা পকপা (মপাম লুৱাংলাই, মোমনু খুজীল চুশিন/ শোঞ্জিল্লাই, অহোরাই নত্রগা ঈঙ্গেজীদা, লেপ্রোসি।) লাইথুং/লাইনা অমসুং মসিগী লাইয়েংদা মহাক্কী মমিং পন্নরি-লীনরিবী অমদি মহাক্কী খুদুং ইন্নরিবী নুপী অমনি। অদুদসু নত্তনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী কুম্মৈ-ফিয়োংদা শকশেম-শকশা (Make-up) অমসুং কুম্মৈগী ফম্বাক-লৈতেং (Stage craft and stage management) দা মমিং শীঙথাবা য়ারিবী অমসুং লৈঙাক-ৱায়েনগী ৱায়েন-চৈরাক্লোন (Judiciary) গী পৱারী-পুৱারীদা মপা-মপুগী লন-থুম ফংহৌবা (Inharitance) গী ৱায়েন ৱাতেমদা লম মুন্নবা (Dispute of /on land) গী হিরমদা মফম অমা কলহনবা য়াবী থায়নগী নুপীগী শক্তম অমনি।

ঈরেম তোইবী লৈমগী লমচত্তা নুপাগী নুপী অমা ওইবগী চাওথোকচবা লৈবী, অখাঙ কনবী অমদি মমা অমা ওইবগী মচা ৱারকপা, শেম্বা অমসুং নাউয়োক-নাউকোন হৈবগী মচৎ লৈ। মীনা ফনা তৌরগা মহাকসু ফনা তৌবী, ফত্তনা তৌরক্লগা ফত্তনা তৌবী অমসুং কনাগুম্বা (মশাবী মপুরোইবা ওইরবসু) না শীঙনরক্লবদি শীঙনরক্লিবা অদুগা মান্ননা পাউখুম পীবী থৌনা লৈবী নুপীনি, হায়বসি মরোই মনাউনুপা শোকঙাইরাবনা মহাক থেম্বা লাকপা নত্রগা থেম্বদা মহাক্না পীখিবা পাউখুমদুনা খুদম অমসুং চাংদম ওইদুনা লৈরি। মহাক থম্মোই কনবী ওইদুনসু নুপী ওইবী থম্মোই পাল্লি। অদুমকপু মহাক নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম তৌগনবী থরুম-ৱারৌ পুগনবী অমা ওইবগী শক্তমসু উই।

৯

মৈতৈলৈমা য়োঙ্গৈরমলোন য়াওরৈবা চনু

ৱাহৌদোক

... ... মৈতৈলৈমা য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনু য়াওরে লৈয়াথি, খুনকাম লৈনামুংবু অশৈনবা চনু পনথৌ মপাপোকপু সনা লাইহুইবদি কনানো ?...

(নিং: খ: স:, ১৯৬৬, ৩)

মহাক্তা থমজরিবা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক "চাদা লাইহুই" কৌবদগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "মৈতৈলৈমা য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনু" হায়রিবীসি মৈতৈগী উমংলাইশিংগী লাইরক্তা "মৈয়েংবম/ময়েংবম লাইরেম্মা/লাইরেম্বী" হায়না শীঙজমৈ ময়েংবম লৈকায় (নোংচুপ ইম্ফাল) দা লাইকোন লাইবুঙ লীংদুনা খোইমোম খুবম য়াদুনা লাৎলি-খুরুম্নরিবী লাইরেম্মা অসিনি। মহাকসি নুংবান মী-কাংলুপ নৎত্রগা লুৱাং য়েক্কী চনু নিংঙোন্নি, অদুনা মহাকপু "য়োঙ্গৈরুমলোন" হায়বা মিংথোলসিনা মিংহৌ ওইনা তপ্লিবনি। মহাকপু লুৱাং য়েক্কী মৈয়েংবম/ময়েংবম শাগৈ (Family) নৎত্রগা য়ুম্নাক (Surname) অসিনা মখোয়গী চনু নিংঙোননি হায়দুনা মখোয়গী শাগৈ-লাই ওইনা লাৎলিবনি।

শক্তাক-ৱারম

য়াওরৈবা চনু অসিগী অশেংবা মমিংসি পীবীরমদ্রে, মপন-পঙ্গৌ নিংথৌ য়াওরৈবা কৌবা নুপাদুগী মমোম লাংলেন নৎত্রগা মচানুপী/ নিংঙোন্নি হায়দুনা মপাগী মমিংদা পক্তুনা পীবীরম্লে। মসিনা খ্বাইনা কৌনবা মিংলেন ওইরমগদ্রা, অদুবু মমিং ওইনদি পীবীরম্লে। মহাক্কী অপোকপা মপন পঙ্গৌগী মিংলেন মমিংসি য়াওরৈবা কৌই হায়বসি মথক্কী ৱারোন্দা য়াওখ্রে। মহাক্কী অপোকপী পলেম মমাগী মমিংসি লাইরিক অমতদা পীবীরম্বা থেংনজদ্রি।

য়াওরৈবা চনু অসি লৈশাবী মপুঙ-মরৈ ফাদুনা ময়ুম পানবা য়ারক্লবা মতমদা থাংয়ি নৎত্রগা চেংলৈ-শরাং-লৈশাং কাংলুপকী থাংয়ি খোংজ্রোম্বা কৌবা নুপা অমগা

হায়ন-শীঙনদুনা নুহোঙ-খোঙদোংখিরম্মী। হায়রিবা থাংয়ি খোংজ্রোম্বা অসিগী ঈনা য়াওরৈবা চনুসি চনু চরৈ চিননা নাকলু ফিয়ানবা (নাউপুবা) লোইদাম থাবুম ৩ (অহুম) শুরবদা য়াওরৈবা চনুসিনা ৱাংঙম/মৈতৈ মী-কাংলুপ নৎত্রগা নিংথৌজা য়েক্কী মৈদিংঙুচা নাউখম্বা (তুংলমচংকী মৈদিংঙু, খৃঃ ৪১১–২৮) গা থেংনরুবদগী মশা-মশা য়ানা-নুংশিনদুনা ৱাংঙম/মৈতৈ/নিংথৌজাগী মৈদিংঙুচাদা ওঙখি। মহাক্না থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মচা থাংয়ি নাউফং অহনবা অমসুং মৈদিংঙু নাউখম্বগী মপারী মৈদিংঙুচা/লাইরেন নাউফংবা পোকখিরম্মী।

য়াওরৈবা চনুগী পুন্সি-ৱারী

য়াওরৈবা চনু খৃষ্টগী ৪ শুবদগী ৫ শুবা কুমশীঙ চামশিংগী মথংশীংনা ২ শুবা অমসুং অহানবা তংখায়শিংদা হিংলম্বা মীওইনি। মহাকসি নুপীমচা অমা ওইনা মশক-মতৌ চঙখোনবী, মিৎতা নাতা চুম্বী, তিঙ্গা-য়াঙদা ফজবী অমসুং শাবান-ফিরেপ্না চেংলৌ শকহেনবী অমা ওইবগী ময়াই হাপ্লিবী ওইরকই। মহাকসি শেল্লোই-লংমাহচীঙগী ঙমখৈ মনুং চনবা লংমাই ৱারোকচীঙদগী লাগুবা মফম অমদা ময়ুম-মকাইফম ওইদুনা পোক্লক-শাৎলকখিবনি অমসুং চাওরক-শাংলকখিবনি। মহাকসি পীক্লিঙৈদগী হৌনা অচুম্বা পাম্বী অমসুং অচুম্বগী মায়কৈদা মতম পুম্নমক্তা লৈবী ওইরকখি। মহাক্কী অচুম্বা পাম্বগী মচৎ অসি মহাক্কী পুন্সিদা তুংদা থোক্লিবা থৌদোক্না খুদম-চাংদম পীরকখিগনি। অদুগা য়াওরৈবা চনুসি নীঙখিবা খবক্তগী হোংগন্দবী অমসু ওইখি।

অনিশুবা পুন্সিগী খোঙথাংদা

য়াওরৈবা চনুনা মশাগী হকচাংগী কায়াৎশিংনা মপু-মরৈ ফারক্লবা, মায়খোংদা মীনোক্কী শুমহৎপা য়াওরক্লবা মতম, মশাগী চহী ১৪/১৫ শুরক্লবা মতমদা মতমদুগী মচীন তুমখৎলক্লিবা পাখং কয়ানা মহাকপু থেম্লখি অমসুং মখোয়গী অহল-লম্মন থারক্তুনা য়াওরৈবা চনুগী মপল পম্ৗৌ অমসুং পলেম মমাদা হায়না শীঙনরখি। অসুম্না হায়না-শীঙনবশিং অদুগী মনুংদগী লংমাই ৱারোকচীঙ (নোংমাইজীঙ চীঙগী ৱারোকচীঙ) দা পানবা থাংয়ি মী-কাংলুপকী নিংথৌ-মচা অমা ওইবা থাংয়ি খোংজ্রোম্বা হায়বসিগী হায়না-শীঙনরবা মতমদা অহন-মশেন য়ানদুনা মহাক্কীদমক য়াওরৈবা চনুবু থাজখি। অদুনা মখোয় অনিসি খ্বাই ময়াম খঙনা নুহোঙ-খোঙদোংবগী থৌরম পাংথোকখি। অসুম্না লুহোংলবা মতুংদা মহাক থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মতুং ইন্দুনা চৎখি অমসুং থাংয়িগী মৌ ওইনা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মোংবা মশাইগোন্দা লৈখিরম্মী। মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদুদা থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী ঈনা হৈরাং মচা য়ান, তাউজীঙ হৈরু পনখি।

য়াওৰৈবা চনুনা মৈদিংঙুচা নাউখম্বগা লৌনা-লৈনবা -

য়াওৰৈবা চনুনা থাংয়ি খোংজ্রোম্বদা ওঙবসি নুজা পূৰুীঙনা থাংয়ি মাবু খোয়জঙ-খোয়দাদবগুম তৌরম্মী। নুজা পায়মা লিনগোয়নুংদা পারী-মমোম খঙদ্রিবনা নাউয়াল্লবসু থম্মোইদা নুংশি মমি তমদবগুম তৌরম্মী। নুজা মানা নাউপুবা লোইদাম থাবুম অহুম চঙলকপগী নোংমা কোরৌ নোংজা অমদা য়াওৰৈবা চনুনা পুল্লাং শামু খুত্তা পায়দুনা লাইজা ঈপাল লাংনা ঈমু ময়োন শৎকে লাকপদা মৈদিংঙুচা নাউখম্বনা লীরুং তেনশীঙদুনা য়াওরৌ শা তানবা লাকপদা ওক্লরে। লাইনা থাবা পোৎপা , খোইয়ুম্না শেম্বা তুমা ওইবনিনা অনিদু অমনা অমবু চিংশিন্নৈ। ঙাইহাক লেপ্তুনা ৱাহং-পাউহংনরে, কোল্লোই মিংলেন তাক্লরে, কাংলুপ-ফুরুপ ফোংদোক্লরে। অদুম্না নুমিত্তুমা হৌখরে। মথংগী নুমিত্তদি শাবী-শানৌ ঙাইনরে, উননীঙবগী ৱাখল পোক্লরে। মথংগী উনবদুদি পূৰুীঙ-ৱাখল ফোংদোক্লরে, মাগী মাগী ফিভম তাক্লরে, ফিরেপ লেপ্পরে। মতুং অমুক উনবদদি লৌনসি-লৈনসি ৱারেপ্পদুনা য়াওৰৈবা চনু মৈদিংঙুচা নাউখম্বগী মতুং ইল্লক্লে। মশা মশা য়ানবা, নুংশিনদুনা লৌন-লৈনবনিনা য়াওৰৈবা চনুগী লিনগোয়নুং পুরিবা লোইদাম থাবুম অহুমগী তাউজীঙ হৈরুদো মৈদিংঙুচা নাউখম্বনা মচা ওইবদা য়ানরে। অসুম্না য়াওৰৈবা চনুনা থাংয়ি-চেংলৈ ময়ুম থাদোক্তুনা খোংজ্রোম্বা কায়নরগা ৱাংঙম মৈতৈগী ময়ুম ওঙ্দুনা মৈদিংঙুচা নাউখম্বগী তাল্লোই ওইখি। থাংয়ি খোংজ্রোম্বনা নুপী মশানা য়াখিবনা পাম্বে করি লৈতনা মৈদিংঙুচা নাউখম্বদা করিসু হায়বা ঙমখিদে।

মৈতৈলৈমা ফম্বাল ফম্বা

য়োইরুমলোন য়াওৰৈবা চনুনা মৈদিংঙু নাউখম্বদা ওঙদুনা ৱাংঙম পুঙখোয় নেত্তুনা পানমিন্নরবা মতুংদা খৃ: ৪১১ দা মৈদিংঙুচা নাউখম্বগী মপন পম্ণৌ মৈদিংঙু কাউখঙবা (খৃ: ৩৯৪-৪১১)না খোইয়ুম লাইরিক তীনখ্রবদা পোইরৈ কংলৈ পুঙময়োনগী লৈমাবগী ফম্বাল হাঙলে। অদুনা মৈদিংঙুচা নাউখম্বনা কংলৈ পুঙময়োনগী ফম্বাল কাদুনা মৈদিংঙু ওইরে। অদুগা য়োঈরুমলোন য়াওৰৈবা চনুসু মৈতৈলৈমগী ফম্বাল কাদুনা ফম্বালদুদা ফমফম্লে। মৈদিংঙু মৈতৈলৈমা অনিনা পোইরৈ চৎনৱা হায়মিন্না, ৱাংঙম নুৱা তেম্মিন্নদুনা পানবা হৌরে। মখোয় অনিনা পানবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়াওৰৈবা চনুগী খোয়জী খাদা পুরকপা তাউজিঙ হৈরুনা মপারী অমা শাৎচরে। নৱা কোল্লোই মিংলেন্না "থাংয়ি নাউফং অহনবা" হায়না মিংখৈ-মিংলেন মিংহুল্লে।

য়োঈরুমলোন য়াওৰৈবা চনুনা মৈতৈলৈমগী ফম্বাল ফংবা কুম খৃ: ৪১১ সিদা মৈতৈলৈমনা মৈদিংঙুগী মপারি অমা অমুক ফুয়জরে, নাৱা কোল্লোই মিংলেন্না মৈদিংঙু-চা লাইরেন নাউফংবা হায়না মিংল্ল-মিংথোল্লে। মপারী অনিসি মৈতৈ কংলৈ পুঙময়োনগী

কোনুংদা নুমিৎ-থা ওইদুনা চাওরকখি। অঙাং অনিসিগী মতৌনা মৈতৈ কংলৈপুঙদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকপু শুমহৎলে। মৈতৈলৈমা য়াওরৈবা চনুনা মপারী অনিবু নমদা পো, থাদা পমনা অথোই-অহেন চাংদম নাইদনা নাউয়োক্লম্মী। খেন্না-তোপ্নবা লৈতনা নাৱা অনিদুনা থবীনা কারিঙৈ কারক, থাজনা চাওরিঙৈ চাওরক্তুনা নোংমা নোংমগী অসুম-অসুম চাওরকখি।

মৈদিংঙু নাউখম্বা নোঙ্গাবা

লাইরেন মৈদিংঙু নাউখম্বা অমসুং য়াওরৈবা চনুনা মপারী অনি শাৎলবা তুংদা খৃষ্ট কুমশীঙ ৪১৪ দা মমোম লাংলেন অমসু পোক্লকখি। মমোম নীঙথিবীদুগী কোল্লোই মমিংনা তম্ফা ৱাংঙমলোন য়োঙ্গৈরুম চেংবী হায়না মিংহন্নে। শানৌ লৈরাং মহাকসু মদু-মবুং অনিগী খুদুং ইন্দুনা পোইরৈ ৱাংঙম কোনুংদা চাওরকখি। পলেম-পহৌগী য়ুম লেপহৌগদবা শাগেগী য়ুমথোং চারা লীংহৌগদবদি মপারীশিং ওইবনা নিংঙোন মমোম ওইবদি তোপ্না হল্লানবগুম মতৌবী, অদুবু মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন্দুনা চারৌ-মৌরৌনবগী লীপুন্না মপারী-মদু ওইবশিংদা খুৎকন-পাঙ্গনবগী মরী অদুদি খক শীঙথাদনা তোক্তে।

মপারীশিং অমসুং মমোম লাংলেনগী মতৌ য়েংলিঙৈদা কোরৌ শীঙবুম হৌখিবনা মৈদিংঙু নাউখম্বনা কংলৈ পুঙময়োনগী ফম্বালদা ফম্লকপা কুমশীঙ তরাতরেৎ হৌজিনখ্রে। নোংদম্বা চীঙঙু মহাক্না কল্লকপা পুন্সিগী কুমশীঙনি, খোইয়ুম মানা তম্লকপা ফম্বালগী চাহৈ কুমশীঙনি, মিকুপ অমা হেনবা, ৱাংলেন তাবা য়াবা নত্তে। অদুনা মৈদিংঙু নাউখম্বা অমন থরৈ কুমলে, শৱা লেমলৈ তারে। নুংশিজবা মশাবীনা মনুং মতম চাদনা খমনুং শৱা তানখিবনা মৈতৈলৈমা য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনুদি মিৎলু পীরাং শিন্থনা কপহৌরে, নৌনা লুখ্রা শীঙদা চলহৌরে। ফনা কপ্তুনা, ফনা য়াম্না ৱাদুনসু খমনুং শৱা পোন্দা কাইদোংখ্রবা থৱাই চেক্লানা অমুক তাইবং-মালংপান্দা হল্লকপা লৈতবনা লাইবকথীবী য়াওরৈবা চনুদো কপ্পা তোক্লে। হিংবগী লান থেংনদবা য়াদবা, মপারীশিং অমদি মমোমগী খন্দবা য়াদবনা মিৎলুগী পিরাং তৈথোক্লে, অদুবু থম্মোইনুংদদি খোইয়ুম নোংদম্ববু ৱারৌরি।

কংলৈ ফম্বালগী ৱাথোক

মৈদিংঙু নাউখম্বনা খৃষ্ট কুমশীঙ ৪২৮ দা খোইয়ুম লাইরক্তা তীনখ্রবনিনা কংলৈ পুঙময়োনগী, পোইরৈ ৱাংঙম-লৈঙাক-থৌদাগী মৈদিংঙু নিংথৌগী ফম্বালদি হাঙহৌরে। মৈতৈ নিংথৌ নোঙ্গাবগী নোঙ্গাথৌগী মথৌ-মঙম তৌফম থোকপগী লাংনরিঙৈদা কংলৈ পুঙময়োনগী ৱায়েনবা নিংথৌ ফম্বালগী মরমদসু খন্নরক্লে। পোইরৈ মৈতৈগী চৎলমদা, ৱাংঙম নিংথৌজাগী চৎনবীদা পোইরৈ মৈতৈগী নিংথৌ ফম্বাল ফংবগী হকসি নিংথৌদুগী মপারী মচানুপা অহন্দা অহানবা খুদোংচাবা পী অমসুং মসিগী খুদোংচাবসি

পোইরৈ মৈতৈগী মীপুম খুদিংনা য়ানৈ অমদি ঈকাই খুম্নৈ। মরম অসিনা থাংয়ি নাউফং অহনবনা য়াওরৈবা চনু মৈতৈলৈমগী মচানুপা অহন ওইনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল ফংনবা ৱাফমগী ৱা থাঙ্গৎ-পুখৎলে। ৱাথাঙ্গৎ অসিদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক-থৌদা পুরিবা, ৱায়েন-চৈরাকলোন পায়রিবা অঙম-অথৌশিং অমসুং অহল-লম্মনশিংনা য়াদ্রে। থাংয়ি নাউফং অহনবদি ময়ুম থাংয়ি (চেংলৈ-শরাং-লৈশাং) কাংলুপ্পি, পোইরৈ ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপ নত্তে। অদুনা পোইরৈ ৱাংঙম/মৈতৈগী ফুরুপ-কাংলুপকী নিংথৌ ফম্বাল ফংবা য়াবা নৎত্রগা ফংবগী হক লৈবা মীওই লৈরিঙেদা ৱাংঙম নিংথৌ ফম্বালগী হক্কী ৱাফম থাঙ্গৎপা য়াদে হায়না পোইরৈ মৈতৈগী অঙম-অথৌশিংনা খন্নরে অমসুং চীন্না থোক্লা থাংয়ি নাউফং অহনবদা হায়রে। অদুবু থাংয়ি নাউফং অহনবনা অঙম-অথৌশিংগী ৱাফমদু য়ারমদে, মহাক্লা থাঙ্গৎ-পুখৎলিবা ৱাফম নৎত্রগা ৱাথাঙ্গৎ অদুদা মপূক্কিং চপ য়ুংদুনা লৈখ্রে অমসুং মহাক্লা হায়রিবদুদি ঃ-

লাইরেন মৈদিংঙু নাউখম্বনা কোরৌ নোঙ্গাখিরবদা নাউফং অহনবনা ৱাহমখিএ। হে ঈদাইরেম পোইরৈ খুনফাংথৌ, তাইয়ম নাইফাংথৌশিং-ও।। লাইরেন ঈপা মৈদিংঙুনা কোরৌ নোঙ্গাখিরবনিনা।। নুমিৎ ঐনা হান্না উই-এ, থাবা ঐনা হান্না খাই-এ।। ঈনাউদি উনৌকোন্দে কোন্না হুনবনে, ঐদি শোয়রেন লৈখৈ হান্না হুনবনে। চোয়নৌ সনা ফম্বাল্লাংদি ঐনা ফমঙেনে।। হায়না ৱাহম্ববু। পোইরৈ খুনফাংথৌ... (নোং: মঃসঃ, ১৯৮৯-১৮)।।

অসিনি। মসিদা থাংয়িশিংগী হিরম পূম্নমক্তা লমজিংবা, থৌদাং পুবা অমসুং লৌবা অমদি থৌরমশিং থৌদৌ-থৌপাংবা মদাইরেম শঙাইরাবা কৌবনা,— "হে নাউফং অহনবা-ও! নহাক্তি চেংলৈপুঙগী লমদমদগী থাংয়ি চেংলৈপাম্বনা পোকপা থাংয়ি কাংলুপ-ফুরুপকী মচানি, থাংয়িনি; ৱাংঙম-মৈতৈ কাংলুপকী লৈমা-নিংথৌগী মচা নত্তে, অদুনা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালগী হক তানফম থোক্তে। অদুগা ননাউ নুপা মৈদিংঙুচা নাউফংবদি পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌগী শেংলবা ঈনি, মহাক্লা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বাল ফংফম থোকই। অদুনা মহাক্লা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল ফম্লুরবদি খোইয়ুম লাইশিংদা লঙজবা থোকই, মখোয়দা লাঞ্জ-য়োঞ্জবা ওইগনি, মদুনা মরম ওইদুনা চীঙঙু লাইশিংনা নঙোন্দা অশাওবগী মিৎয়েং থম্লক্তুনা নহাক অৱাবা তাগনি। অদুনা নহাক্লা মৈতৈ-নিংথৌগী ফম্বাল ফংনবা তানবসি থাদোক্লো"— হায়না হায়ববু থাংয়ি নাউফং অহনবনা শুপয়া য়ারমদে (মথক্কীসিদা, ১৮-১৯)। ময়াম চঙদুনা থাংয়ি নাউফং অহনববু থেম্বা অসি য়াদ্রবদা পলেম মমা য়োঙ্গরুমলোন য়াওরৈবা চনুনা মচানুপাদা, — "পারী নাউফম অহনবা-ও! পোইরৈ মৈতৈ মীয়াম্না হায়রিবসি অচুম্বনি, নচীন মনাউ অনিবু খৎনগনু, নহাক্লা ৱাংঙম ফম্বাল ফম্বা য়ারোয়"— হায়না হায়রম্মী। মহাক্লা হায়খিবদুগী ৱারোল ওইনা পীবীরম্লিবদি ঃ-

"পারী নাউফং অহনবা-ও ! নপোইরৈ খুঞ্জা পূন্নমক্কা ৱাহঙ্গবু ৱারম অওকপা মক্লে, ৱাকয়ৈ নবিংঙাবু-কেৎনগুনো ! চোয়মৌ সনা ফম্বাললাংবা অনি ফমফরোয়-এ। কোরী থরাউচী, থোঙলেন লানপাউ ৱাকনা কসা পাউতাকপপু নোংথৌ সোররেন্না পাউয়াদে (মথক্কীসিদা, ১৯)।

অসিনি। হায়রিবা পলেম মমাগী ৱাফম অসি তাবদা থাংয়ি নাউফং অহনবনা মখোয়-মরীন থীৎনা শাওরম্মী অমসুং অশাওবনা লাকহত্তুনা লৈবদু উবদা মখোয় মচীন মনাও অনিদু ঈশিংদা ঈরুপ্পদুনা কুইনা লুপ্পা (Ordeal test/examination) য়েনরুরো হায়না হায়রম্মী। মহাক্কা হায়খিবদুগী পীবীরম্লিবদি—

... পারী করি ৱানো, শানৌ নচীন-ননাওবু খোইমোম মিৎয়েং তাংজুম্বনা চুমশুনো। পোইরৈ লৌরক শীঙকোংৱা, পরীং লাংশঙ ৱাবু নত্তে। লমলেন মদাইমা চেংলৈ অৱাংকোনবু নাতৈননা, নয়ু ঙাংঙোই য়োঙ্গীমোংবনা শানথুপফমবু ঙমলোননা, খোইয়ুম লাইগী পাৎ অরুবদা পারী নবিংঙাবু, তুবী একয়েংননা, লাইরেন এক (য়েক) তৈনরু-ও ! " (মথক্কীসিদা, ১৯)।

অসিনি। মসি হৌজিক্কী লোন্দা-পুদাদা শন্না হায়বা তারবদি ঈচা ঈবুংঙো ! নখোয় অনিগী ৱাফমসি লাইগী অচুম্বা মিৎয়েংদুনা অচুম-অরান লেপ্পসনু, চেংলৈগী অৱাংদা লৈবা লম লাম্থোক্লগা নবুধৌ য়োঙ্গীমোংবনা কেকু লোৎলম্বা মফমদুগা লোন্নবদা খোইয়ুম লাইগী পাৎ-য়াম্না কিনা-লুনা তৌনরবা লৈবনি, মদুদা ঈরুপ্পদুনা নিংথৌ ওইফম থোকপা য়েক, তুবী লাইরেন ময়েক থোকপা, হায়বদি চাদা নাউদাদু কনানো হায়বদু নচীন-ননাউ ঈরুপ্পরগা কুইবা তান্নদুনা য়েংনরুরো"— হায়বনি। হায়রিবা মফমসি মোংবহনবা উয়োককোন (মহাবলী হনুমান/হনুমন্ত ঠাকুরগী উমং) গী খা-নোংপোক্কী কাচীন্দা হৌজিক ইম্ফাল তুরেনগী খোংলম-তুখুন্না নোংচুপলোমদগী লাক্লগা খারোমদা থেকখিবা তোরৈ লৈরিবা অদুদনি হায়না থাজনৈ। মফম অসি লাইয়িংথৌ পাখংবগী ঈরেন্নি হায়না থাজনৈ। মফমসিদা মৈদিংঙু বোধচন্দ্র/বুধচন্দ্রনা খৃ: ১৯৫৩ গী সেপ্তেম্বর তাং ৭ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং নোংয়ায়দা ঈরুপখি (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৬৭১) অমসুং খৃ:১৯৫৪ গী জানুৱারী তাং ২০ য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মৈদিংঙু বোধচন্দ্রগী য়াইফনবা লাইয়িংথৌ পাখংবদা নামৈরাকপম দিনচন্দ্র পণ্ডিত, থোঙামচা মাধবসিং পণ্ডিত, নাউরেম অমুয়াইমসিং পণ্ডিত ৩ মনা ঈরাৎ-থৌনী তৌখি (মথক্কীসিদা, ৬৭৩)।

মোংবহনবা (ঙাংঙোই য়োঙ্গীমোংবা) উয়োককোন মনাক্কী হায়রিবা পাৎ অদুদা (মসি হৌজিক্কী জন্মস্থানগী অৱাং অমসুং অৱাং-নোংপোক্কী শরুকশিংসু য়াওরি) থাংয়ি নাউফং অহনবা অমসুং মৈদিংঙচা নাউফংবা অনিনা অঙম-অথৌশিংগা লোইননা

ঈরুপ্পনবগীদমক্তা চৎলম্মী। অঙম-অথৌশিং অদুনা ঈশিং মপান্দা ৱায়েনবা ওইনা য়েংনবা, খরনা মীচঙ-মীচঙ ওইনা খোংবান চেন্নবা অমসুং খরনা ঈরুপ্পবদুগী থৌরাং-ঈরাং তৌনবা শেম-শাদুনা লৈরগা মচীন-মনাউ অনিদুনা ঈশিং কুমথরগা ঈরুপ্পরম্মী। মখোয় অনি ঈরুপ্পখিবা অদুগী মিৎনা উবা পাউদম ওইনা থম্বীরল্লিবা ৱারোন্দি ঃ-

...শানৌ মচীন-মনাউদি লাইজ ঈদা কুমনা একয়েংনগে হায়বগী পোইরৈ পুমনা হৌ, ৱাংঙম খুঞ্জা তীননা একয়েংনববু মশাবী থাংয়ি নাউফং অহনবদি হাননা লাইজা ঈদা কুমনা লুপখিববু খোইয়ুম লাইনা য়াদবগী কোম্বে (কোমবে) তুগুম্ববু মতু নীক, চরাং নমশাং য়ানগুম্না মশক মোৎলে।। মশানৌ নাউফোংবদি তুবী ময়েক তীন্না লাইরেন ময়েক লারে; মখা লাইখা য়েক, মমৈ লাইমৈ তানা লাইরেন ময়েক থোক্লে। অদুনোংগীবু থাংয়ি নাউফং অহনবদি য়েকশোয় (একশোয়)-পাৎ, মশানৌ নাউফোংবদি একলাপাৎ-ও তৌনা কৌএ। শানৌ মচীন-মনাউদি, মপন মৈতৈলৈমগী সনা মখোঙখাদা ৱাইথুংলরে (নোং: ম:, ১৯৮৯, ১৯-২০)।।

অসিনি। হায়রিবা মফমসিগী থাংয়ি নাউফং অহনবনা ঈরুপ্পা মফমদুবু "য়েকশোয়-পাৎ" অমসুং মৈদিংঙুচা নাউফংবনা ঈরুপ্পা মফমদুবুনা "য়েকলা-পাৎ" হায়না থোন্ন-খঙনখি।

থাংয়ি নাউফং অহনবা অমসুং মৈদিংচা নাউফংবা অনিনা ঈরুপ্পদুনা লাই-ৱায়েন তৌনবা লোয়রবা মতুংদা মখোয় অনিমক পলেম মমা য়াওরৈবা চনুগী মনাক্তা লাক্লম্মী। মখোয় অনিগী মরক্তা কনানা ঈরুপ্পবদুদা কুইনা লুপ্তুনা মায় পাক্লবগে হায়বসি খঙলবা মতুংদা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদা মখোয় অনিগী মনুংদা কনানা ফমগদবগে. হায়বদুগী ৱায়েনগী য়াথং লাউথোক্লে, মৈদিংঙুচা নাউফংবনা নিংথৌ ফম্বাল ফংবা তারে, মৈতৈগী নিংথৌ মৈদিংঙু ওইবা তারে- হায়না হায়রে। হায়রিবা ৱায়েনগী য়াথং, পল্লেম মমাগী মচীনমক্না হায়বা ৱাহৈশিং অসি তাবদগী থাংয়ি নাউফং অহনবদি ময়াম মমাঙদুদা ঈকাইবনা খাঙবা ঙমদ্রদুনা মহাক্কী কাদা চঙলগা মশা মতোমতা থরাই হাৎচদুনা শিজখি। মমা য়োঈরুমলোন য়াওরৈবা চনুনা লাইবক থীবা থৌদোক্তুদা নুংঙাইতবা পোক্লবসু অচুম্বগী মায়কৈদা লেপখিবনা নুংঙাইতবা মৈচাক্তু খাঙবদা থোইদোক্লা ৱাখিদবগুম তৌরম্মী।

পুন্সি পোলোয় তানবদা

মৈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন য়াওরৈবা চনুনা মশাবী মৈদিংঙুনা খৃ: ৪২৮ দা থুপখ্রবদা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালগী ৱাথোক মপারী অনিগী মরক্তা থোক্লকপদুগী ৱায়েন-ৱাতাইবা লোয়রগা মপারী লাইরেন নাউফংববু চহি অসিমক্তদা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ হাপ্তুনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক ৱায়েন থৌদা পুহনখি। মহাক্লা মচানুপা অসিদমক মমৌ ওইনবা

নহাক্কী মবুংগী মচানুপী য়াওরৈবা চনু অমবু হায়না-শীঙনদুনা লুহোঙখি। অদুগা মথংগী চহিদা মচানুপা মৈদিংঙু নাউফংবগীদমক্তা খুমন নিংথৌ য়োঙ্গৈরাঙপোক পুন্সিবগী মনাউনুপা কচেংখু য়াবগী মমোম লাংলেন খয়োঙ্গৈরোন কাইরৈমবু নুহোঙ-খোঙদোংনবা হায়না-শীঙনরুবদা নোংয়ায় খুমন নিংথৌমচা অদোন মোংবা খোনবগীদমক মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোন য়োঙ্গৈরুম চেংবী (লাইরম লাংবী) বু নুহোঙ-খোঙদোংনবা পীয়ু হায়দুনা খুমন নোংয়াই নিংথৌনা নীরকখি। হায়রিবা চারৌ-মৌরৌনবগী মৌ অমমম পীনবা/থাজ-য়োঞ্জনবগী ৰাফমশিংসি অৰাং পোইরৈ মৈতৈ অমসুং নোংয়ায় খুমনগী নিংথৌ শাগৈগী মায়কৈ অনিমক্কা য়ানদুনা খয়োঙ্গৈরোন কাইরৈমনা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু নাউফংব (খৃঃ ৪২৮-৫১৮) দা ওঙলকখি। য়াওরৈবা চনুগী মমৌ-মহুইরোন ওইখি অমসুং তম্ফা ৰাংঙমলোন য়োঙ্গৈরুম চেংবীনা অদোন নোংয়ায় নিংথৌমচা খুমন মোংবা খোনবদা ওঙদুনা খুমনলৈমা ৰাংঙমলোন পেংশীবা চনু লাইরুম চেংবী (বঃ কঃ শঃ, ১৯৯৮, ২৬) গী মহুইরোন/মমৌ (মৈতৈরোমগী মরীদা য়েংলবদি মশূশূথাং থোকই/ওই) ওইখি। অসুন্না য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনু মপারী অমসুং মমোমগী ময়ুম-মকৈ পানব (নুহোঙ-খোংদোংবা)গী মথৌ-মঙম পুন্নমক লোয়শিল্লগা পোইরৈ মৈতৈগী কোনুংদা মচা-মমৌশিং কোন্দুনা নুংঙাই-য়াইফনা পাল্লম্মী।

পুন্সিগী অরোয়বা য়াহীপ্তা

য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনু মৈদিংঙু নাউখম্বগী মৈতৈলৈমনা মশাবী মৈদিংঙুনা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মপা-মমা ওইবনা মপারী-মমোমশিংগী তৌবীফম থোকপা মথৌ মঙমশিংদু পাংথোক্লগা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌপোকপী ওইনা চহি কুমজা খর মৈতৈ সনা কোনুংদা মচা-মমৌ কোন্দুনা লৈরম্মী। মমৌ অনিগী মনুংদা অদোন নোংয়ায় চনু খয়োঙ্গৈরোন কাইরৈমনা পায়মা লৌশিং থোইবা হেনবনা মচেম য়োঙ্গৈরুমলোন য়াওরৈবা চনু ২ শুবীবু মথক থঙ্গৎখিদুনা মৈতৈলৈমা (লৈমরেন) গী ফম পায়খিরম্মী। অদুবু মাগী মাগী মতমনিনা করিসু হায়রুবা য়াদে, মিৎনা য়েংদুনা লৈবা তাবনি। অসুন্না কুমওন খর মৈতৈ কোনুংদা অহন অমা ওইনা লেল্লম্লগা অহল ওইরকপগী চহিগী চৈথা চাদুনা তাইবংপানবগী পুন্সি থাদোক্নুনা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা কাখিরম্মী। অদুবু মতমসিদা মৈতৈগী কোনুংসি কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমসিদা লৈ হায়না লৌনৈ, অদুনা মহাক্না লৈখিদবসি কংলৈ পুঙময়োনসিদনি, হায়না থাজৈ।

ৰাখোম ৰারোয়

য়োঙ্গরুমলোন য়াওৰৈবা চনু অহানবী অসি মৈয়েংবম/ময়েংবম লাইরেম্মা হায়নসু খঙনৈ। মহাকপু ময়েংবম লাইরেম্মা ওইনা শীঙমৈদা লাৎলকপসি কয়া য়াম্না কুইরবগে হায়বসিগী অরেপ্পা হায়জবা ঙমজদে। অদুবু থাজজবদি মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃ: ১৮৪৪-৫০) গী মতমদা মৈতৈ কংলাগী তাম্হোং লৈমা /লাইরেম্মা অমসুং লেমথোং লৈমবু মথং শীৎনা শরাংখেম লাইরেম্মা অমসুং লৈশাংথেম লাইরেম্মা হায়দুনা শাগৈ লাই ওইনা লাৎনরকপগী মতম (চৈথা: কুম: ২০০৫, ২৭২) দুগা থংমুন-নাউমুন ওইরম্বা য়াই। মতমসিদদি অতৈ শাগৈগী লাইরেম্মা (য়ুমজাও লাইরেম্মা) শিংসু য়াম্না লাৎনরে।

য়োঙ্গরুমলোন য়াওৰৈবা চনুসি মৈতৈগী ৰায়েন চৈরাকলোন (Judiciary) গী ৰায়েনবা ঙম্লকত্রবা, ৰায়েন-ৰাপাংবা (witness) অমসুং ৰাপাংনবা খুদম-চাংদম (evidence and evidential clue, material, etc.) লৈত্রবদা লৌখৎনবা ৰায়েন পরীংগী লাই-ৰায়েন চাংয়েং (ordeat test), ঈশিংদা ঈরুপ্পবা, মৈদা খুৎ থিংজনবা, সনা-লুপা লাইমাঙদ থম্লগা লাক্লবা, অসিনচিংবগী হৌদোকপী (Founder or Introducer/Initiator) ওইনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকলোনগী পাৰারী-পুৰারীদা মফম পীবা য়াই। হায়রিবসি মহাক্কী মমাঙদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী "ৰায়েন মীচপ" (N.I.S., 1976, 25) নত্তনা লৈত্রি। মরম অসিনা মৈতৈলৈমা অসিসু পোইরৈ মৈত্রবাক্তা মহাক্লা ঙমজবা খুদোল তৌজরম্বী অমনি, হায়না লৌবীগনি।

১০

খাবরোন নোংজেংসূ

ৱাহৌদোক

নয়োল মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংচেংসূ-ও, তৌনা কৌয়ে। খাপা খাংহন চামপনা পোকপী, নোংপোক মহৌ লৈরাই পাংকা নিংথৌচনু, হাওরৈ খানা পাংপরম, মপাম লমলেন মতাইমা, খাপা সনসেনথোং... লাললোই লিক ৬পোক অচনপপু পুমনা চননা অসৈনপা চনু [ও:ভ:স:,১৯৬৭,৩০-৩১]।

মথক্তা পীজরিবা নিংথৌরোল লমপুপা "কৌবা মৈতে লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরক্তুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা মৈতৈলৈমা (Queen of the Meitei) অসি" খাবরোন (খাবা কাংলুপ/ফুরুপ নত্রগা য়েক/শল্লাইগী নিংঙোন/চনু নত্রগা নুপীবু শক্তাকপদা/শকখঙহনবদা পীবা/শীজিন্নবা মিংথোন/মিংফম) নোংজেংসু (নোংজেংবা/নোংচেনবগী মশূ) হায়না মিঙ্গৌনৈ। মসি নত্তবা মহাক্কী মমিং অতে অমা লৈতে। খাবরোন নোংজেংসূসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী অঙনবা/অরিবা মতম তাংকক্তা লৈঙাক্লোনগী চৎলম-পরম (Political trail and trend) দা মহাক্কী মমিংনা মফম অমা কল্লিবী মৈতৈলৈমনি। মহাক্কী কাংলুপ- ফুরপ/য়েক-শল্লাইসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারী হৌদ্রিঙৈদা অমসুং হৌগৎলকপগী মতমদা কংলৈ পুঙময়োন (হৌজিক্কী মৈতৈ কোনুংলেন কংলা অমসুং মসিগী অকোয়বগী লমদমশিং) দা মনীঙ মখা তমনা মশা মতোম্‌তনা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাদুনা পাঞ্জরম্বা কাংলুপনি অমসুং ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপকা য়াম্না য়েংথীনবা, অমনা অমবু তুমনা মাঙহন-মুত্থৎনবা হোৎন-লাক্লনবা কাংলুপ/ফুরুপনি। অকোনবদা খৃষ্টগী ৫ শুবা কুমশীঙ চামগী মতমদা ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপ নত্রগা নিংথৌজা য়েক্লা মখোয়বু মায়থীবা পীদুনা মরূ ফংনা মুত্থৎখি। মদুদা ৱাংঙম, মৈতৈ কাংলুপ্তা নত্রগা নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌদা চঙজদুনা (Surrendered) নোঞ্জদুনা হিংহৌবা অমসুং লৈহৌ-পালহৌবা খাবা কাংলুপশিংগী লেমহৌবা মীওইশিংগী মনুংদগী অমগী মচা নিংঙোন্নি।

শক্তাক ৱারম

খাবরোন নোংজেংসূসি কংলৈ পুঙময়োনগী খা পাংনা লৈবা মফম, খাবা শঞ্জেন-থোং [হৌজিক্কী ইম্ফাল কংলৈগী ময়ায়মক্তদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ ইম্ফাল পানা (District) অনি শন্নহল্লিবা, ইম্ফালগী তুরেনগী মথক্তা শারিবা থোংগী অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিং] গী লৈয়াৎ/লমতুপ্তা মপাম লমদম ওইবী চনুরানি অমসুং লমদমসিবু শৈথা-শৈশক্লদুনা পানবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কী অপোকপা মপন পন্থৌগী মমিংদি "খাবা খাংহনচাম্বা", নোংপোক্লোমগী মহৌ ফাইবোক চীঙদা চেন্দুনা লোৎলুবদগী নোংপোক মহৌ লৈরাই পাংগা নিংথৌ" হায়না কৌই [মথক্কীসিদা ৩১]। অদুগা মহাক্কী অপোকপী মপন পলেম মমানা "মঙাং নিংথৌচনু (মঙাং কাংলুপ/য়েক্কী নত্রগা মীওইশিংগী ফুরুপ/শল্লাইগী নিংথৌ/পীবাগী মচা নুপী)" হায়না পীবীরম্মী [ম:স:কএ:,১৯১৪,১৬-১৭,নচিংবা]। "মঙাং নিংথৌচনু" হায়বসি অকক্লবা মী অমগী মমিং নত্তে, কাংলুপ/ফুরুপকী নিংঙোন/চনুবু ময়াম খঙনবা মমিংনি। অদুগা "মঙাং" হায়বসিনা লোইচীঙ-ফৌওইচীঙদা [লমলেন নোংচুপ তাফুরোন অতে শাফু তাউ, মঙাং হাওতময়াশিং... থোংনাং ওনতেরম, ময়াং হন্নচীঙ, লোইচীঙ শারোনয়া—(ও:ভ:স:,১৯৬৭,৩৫)] খৃষ্ট কুমশীঙ ৭০০ ফাওবদা পাল্লম্বা মী কাংলুপ অমনি, মখোয়গী মতমসিগী নিংথৌ মঙাং কোনখুচা অতেংববু মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃ:৬৬৩-৭৬৩) না হাত্তুনা মখোয়গী কাংলুপসি থুগায়খি [মথক্কীসিদা, ৩৫-৩৬]।

মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূ অসি মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা (খৃ: ৫৬৮-৬৫৮), পনম নুমিৎ থোকপপু চুনবনা লৌদুনা মৈতৈলৈমা ওইখিরম্মী। মহাক্না মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী ঈনা মপারী মরি— (১) য়োঈনাউহন নাউহন অহনবা, (২) য়োঈচারোন, (৩) হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবা অমসুং (৪) নিংথৌ লাংঙা, অনা লাংঙা অমদি মমোম লাংলেন ৱাংঙমলোন নাউরেমতোন [পুরীক্লাই উরা খুন্দাবদা ওঙবী] পোকখিরম্মী। মহাকসি চহি ১০০ (চাম)রোম পুন্সিদুনা মশাবীনা চহি ৯০ (মরিফুতরা) পাল্লম্লগা নোঙ্গাখিবগী মতুং ফাওবদা চহি খর হিংদুনা লৈহৌবগী ৱাফম পীরি।

খাবরোন নোংজেংসূগী পুন্সি-ৱারী

মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূ, খাবা খাংহনজাম্বা, মহৌ লৈরায় পাঙ্গা নিংথৌগী খাবা শঞ্জেনথোংগী মরানয়ায় কংলৈ পুঙময়োনগী লমতুপ মনুংদা লৈবা মফমদা মমা মঙাং নিংথৌ চনুনা পোকখিরম্মী। হেক পোক্লকপদগী মরাইবক থম্বাল শাৎলক্লবী, মপন পন্থৌনা খাবা কাংলুপ ওইরুবগী ৱাংঙম/মৈতৈ কাংলুপকা য়েক্ল-য়েনমৌনবা তোক্তুনা চান্নবগী থোং থারকপা মতমদা পোকপী খাবরোনসি শকথোং-মায়থোং নুংশিবী,

য়েংলুবদা অমুক হন্না য়েংনীঙবা পোকহনবী ওইনা অঙাং ওইরিবৈগী পুন্সি লেল্লকখি। অঙাং ওইবগী পুন্সিদু চাওরৈ কনবী ওইনা হম-হম চাওরকখি, নোংমদোন লোইদাম থাজনা কোরৌ শীঙবুম তরামঙানিখক্তদা থানীন-থাবুঙ তান্দুনা লোইদাম্বা মকোয় ফারকপগুম নৱা পুন্সি তুংওইনরমলে।

মহৈ-মশিঙগী লমদাংদা

খাবরোন নোংজেংসূনা নৱা ওইরিবৈগী শারেপ-শাবান থাদোক্তুনা ফনেক/কানক খোয়দোম শেৎলকপা, কুমলং নাদা চীনবা হৌরকপদগী, মতমদুগী খুন্নাইদা লৈরিবা চনু-নিংঙোনশিংগী মহৈ-মশিঙ তম্বগী লীক্লমদা লৈশা-ফান লীংনরম্বা তোক্তুনা খুঙ্গং-খুঙ্গংগী লৈচেৎ লৈকায়শিংদা লৈশাফানগুম অকক্লবা মফম/শঙ লীংদদুনা লৈকায় য়ুমথোঙগী লৈশা-মথোক্লকপী লৈবা ঈমুংদা লেঙ নাইনা নুরা চনুরাশিংনা শীনশূ-শীন্থামিন্ননা শীন্দম-শীনতাক্লবা শীন্নাইফম/শীন্নাইশঙ কাবা/চৎপগী পুন্সিগী তাংকক্তুদা চঙবা হৌরক্লে। অঙাং-নৱা ওইরিবৈদগী খঙগন-হৈগনবী অমসুং হৈথোই-শিঙথোইবী ওইনা পুক্লীঙ-লৌশিঙ লোইনরকই নত্রগা লৈরকখি। শীন্নাইফম কাবগী লমদাংদা নিংঙোন লীকতাকপীনা তাকপা শীল্লম-শীহ্লোঙ, তম্বীবা শীনশূ, লীবীবা ৱারী-শীঙবুন মৈহৌরোন-মীহৌরোনগী ৱারী, অকন-অথৌগী ৱারী-ৱাতাই, নুজা য়ুম্বান থৌগী থৌদাং অমসুং থৌগায়, নুপী ওইবীনা চৎকদবা লীচৎ, নুপা ওইবশিংগী শাজৎ-লমচৎ, শা-লানগী মতমদা নুপানা লৌগদবা থৌদাং, নুপীনা পুগদবা থবক, অসিনচিংবা তাক্লক-তম্বীরকপা, লীরক-শারকপা পুম্নমক পুক্লীঙ চঙনা তাশিল্লি, খঙদ্রগনা হংই। অদুগা মতোম্‌তা অমুক ৱাখল তৌদুনা খন্দোক-খঞ্জিন তৌজে। অসুম্না শীন্নাইশঙদু শীনশূ-শীন্দামিনবগী মফম ওইবদা নত্তনা পুক্লীঙ লৌশিঙ তান্নবা চীঙঙু লাইয়ুম অমসু ওইনা খাবরোন নোংজেংসূনা শেমজখি।

পীথোক্লকপা মতীক-ময়াইদা লুচিংবী অমা ওইবগী ময়াই য়াওবনা ঙাংথোক-শক্তোক্লকপদা তানীঙবা, নোল্লুক-নোম্থনা ঙাং-শকপা, মীগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-মথৌনানচিংববু ঈকাই খুম্নবা, অমসুং মীতীক-মীরৌ খঙগনবী ওইনা লৈরকই। অদুবু নুজা ওইবগী লৈতেং ওইজবী ঈকাইথিবা নত্রগা ঈকাই খঙবগী মতৌদুদি খাবরোন নোংজেংসূগী মতম পুন্নমক্কী ওইনা মায়থোঙদা পুই। অদুগা করিগুম্বদা শাওদোক্লবদি তমথীবগী অয়ৌবী থাক্তা লেপ্পী ওই, অদুবু ৱাখন্না অশাওবা ফাদবদা অথুবী ওইরম্মী। খাবরোন নোংজেংসূ নুপীমচা ওইবগী শীল্লম-শীহ্থাগী মহৈ মশিঙদা ফিশা-লোনশা, ফুশা-ৱানশা, ফিরোন-ফিৱীবা, য়ুতিঙ-য়ুহৌবনচিংবা তল্লক হৈরকখি। মহাক্না চাকথোং-ফৌশু, লৌরীং-লৌউবগী লৌঙাক-লৌপেংবা, ইনচিং-লোং খোনবনচিংবগী মথক্তা লৈঙাক-খুনঙাক্লোনগী অহল-লম্মনশিংনা লৌখৎলিবা থৌরমশিং অমসুং থবকশিংদা মিৎয়েং

কুপ্না য়েংদুনা নীঙথিনা খঙনবা হোৎনখি। নুপী ওইজরবসু হোৎনবা কনবী অমসুং মশাগী শাজেন লেপ্তুবী ওইনা তৌরকখি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খাবরোন নোংজেংসূ

ফনেক খোয়দোম শেৎলিঙেদগী মহৈ-মশিঙ তম্লক্তুনা মমান্নবী মীমান্ননবা হোৎনরকপী খাবরোন নোংজেংসূসি মপুঙ-মরৈ পুমফা ফারে। কুচু ঙৌবী, ৱাং-চাওবী, মায়থোং মকা লামদুনদা লৈগনবী ওইনা মশাগী চহি তরামঙা মপুঙ, তরাতরুক মচেত্তা লেপ্তুনা লৈরে। মহাক্কী মপন পন্থৌসি ৱাংঙম নিংথৌ শাগৈগা লোন্দীনবা, তোরোৎ-খাদানদুনা লৈবনা মহাক অমসুং মমা মঙাং নিংথৌচনুসু মৈদিংঙুগী ঈমুং-মনুংগা তোৎনৈ--তীন্নৈ। ইনখৎলকপা শাবী-শানৌশিংগী মফমদদি তোৎন-তীন্নবা অসিনা অপাম-নুংশি ঈহৌহন, অপাম মউ লীংগল্লি, নুংশিবা মপান থাগল্লি। মদু মৈদিংঙু শমৈরাং (খৃ: ৫১৮-৬৮)গী মপারি পনম নুমিৎ থোকপবু চুনবগা খাবা খাংহনজাম্বগী মমোম খাবরোন নোংজেংসূগা অনিগী মফমদা থোক্লরে। মপন পন্থৌ মপা অনি, মপন পল্লেম মমা অনিসু শাবী-শানৌ অনিগী থম্মোই লাইয়ুমনুংগী অরোনবা কাচীনগী অথুপ্পা মফমদা লোৎনরিবা অরোৎপদু খঙনরে।

অফোঙবা ওইরবা মৈদিংঙুচা উরা কোন্থৌবা অমসুং খাবরোন নোংজেংসূগী থম্মোইগী মরী অদুগীদমক মপন-পন্থৌ মশেন হায়নরে, পলেম মমা মশেন শীঙনরে, শাবী-শানৌ মশা-মশাসু য়ানরদুনা নুংশি-লৈপুন শেন্নবা ৱা লোয়নরে। মখোয় অনি হায়না-শীঙনদুনা লৌন-লৈনবগী পরীংদা মরান লুহোং-খোঙদোংলে। খাবরোন নোংজেংসূ ৱাংঙম নিংথৌ শাগৈগী মৌ/লৈমা ওইরে। অসুন্না নুংশি চান্ননা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা মৈদিংঙুচা উরা কোন্থৌবা অমসুং খাবরোন নোংজেংসূ খোঙদামিন্নরে। নুরা নোংজেংসূগী য়ুম্বানবগী পুন্সিদু মহৈ য়ানবা ওইখি, শাবী-শানৌগী হকচাংগী নুংঙাইবদুসু মপুঙ ফানা ফংখি অমসুং পুক্নীঙ-ৱাখনগী নুংঙাইবদুসু নীঙথিনা, অ্পেনবগী মখে ফংনা ফংজখি।

মৈতৈলৈমা ফমথোন ফংবা

খাবরোন নোংজেংসূনা মৱা-মপুরোইবগী অমসুং মনেম-মকুগী থৌগন ফংজদুনা মশাবীগা লোইননা নুংঙাইনা কুমওন মঙা লেল্লক্লবদা মমান-মকুদি চীঙঙু মনোংদম খোইয়ুম মথৌদা লোম্লবগী তাইবং নোংশাপানবু থাদোক্তুনা কোরৌ নোংলৈপাক, ৱাংবন লাইরৈপাক্তা কাখরে। কংলৈ পুঙময়োনগী নিংথৌ ফম্বাল, মৈদিংঙুগী ফাললাং-মৈতোংফমবু হাঙহৌরে। পোইরৈ লৈপাক পুবা ৱাংঙম লৈঙাক থৌরাং-থৌশীনবা অঙম-অথৌশিং, অমসুং অকন-অরিংশিং তীন্না ফম্মিন্নদুনা মৈদিংঙুচা উরা কোন্থৌববু নিংথৌ ফম্বাল কাহন্নবা খন্নরে। নিংথৌ ফমবাল কারবদি নিংথৌগী লৈমগী ফম্বাল

কাবসু চৎনবী ওইনা থম্বীরম্বনা খায়রোন নোংজেংসূবুসু মৈতৈলৈমগী ফম্বাল কাহন্নবা লেপ্পরে। অদুনা মমান ঈবুংঙো শমৈরাং য়োঈরেনবনা থুপখিবা চাহি কুমশীঙ ৫৬৮ অসিদা নিংথৌ অমসুং লৈমগী ফম্বাল কাহন্নবা লেপ্লদুনা শেম-শারে।

খৃষ্ট কুমশীঙ ৫৬৮ দা ফম্বাল কানবা থৌরাংদুনা মৈদিংঙুচা উরা কোন্থৌবনা ফম্বাল কাবগী ফিজোন অকোয়বী মতেক শেৎলগা খ্বাঙচেৎ অমা য়েৎলগা লেঙয়ান ফিনা য়েৎলোমদা খাওন্নরগা কোক্তা চীরোঙ হাপ্লগা খুত্তা থাঙপাক তোনককপা পায়দুনা লৈতেংলে। অদুগা খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈলৈমগী ফম্বাল কানবা মৈতৈলৈমা লাইম্নাগী ফিজেৎ চিনফি কানক, কুমশঙ/কুমলং ফনেক, লাংলা খাওথাং শামবা [ক:ধ:স:,১৯৭৪,৬]শেৎলে। অদুগা লৈমা নিংথৌ অনিমক মাগী মাগী ফম্বাল ফিদাদা ফমদুনা অঙম-অথৌনচিংবনা কোয়না ফন্নগা "মৈদিংঙুচা উরা কোন্থৌবনা মৈদিংঙু নিংথৌ ওইরে অমসুং খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈলৈমা ওইরে" হায়না লাউথোক্লগা অঙম-অথৌশিং অমদি অকন-অরিংশিংনা লেপখত্তুনা খুবাক তাবুঙ ফু, জুগোয় লেপলৌ শানা হরাউ-তয়ান্নরে। অসুম্না খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈলৈমা ওইদুনা মশাবী মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মরূম থুপ্তুনা পোইরৈ লৈপাক ঙাকমিন্নরম্মী।

মৈতৈলৈমা ওইনা নোংজেংসূ

খাবরোন নোংজেংসূ হৈথোই-শিঙথোইবী নুপী অমসুং মৈতৈলৈমনি। অদুবু মশাবী মপুরোইবগী লৈপাক খ্বাইনা ঈকাই খুম্নরিবা অদুদা শোক্কদবা থবক্তি তাল্লোই অমা ওইনা তৌফম থোক্তবনা লৈঙাক্লোনগী থবক থৌরমশিংদা করিসু খঙদবীগুম মীমাঙদা লৈশিল্লি। করিগুম্বদা য়েক্লবা লৈবাক নত্রগা কাংলুপকী মীওইশিংনা পোইরৈ মৈতৈগী ৱাফমশিংদা হেঞ্জিল্লক্লবদি মৈদিংঙুদা মহাক্লা থৌদোংদনা তোকখিদে। শেল্লোই লংমাইনা হাওকপ চীঙশাং থেংগে, খুনফম ঙাংচেং লান্দাগে লাকপদা ৱাংঙম মৈতৈগী ঙমখৈ মনুংদা শোয়শেন শোয়ফল্লিবা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মদাইরেম নোংবান কদেম শোয়শেনববু লাকচরম্বগী নোংবান কদেমনা চেল্লক্তুনা পাউদম্লরবদা খাবরোন নোংজেংসূনা মৈদিংঙুদা থৌদোংখি। মদুনা মরম ওইদুনা কংলা য়াইখুঙ য়ৈদুনা মৈতৈ লাল্লোই অকন-অথৌশিং থীন্দনা কৌখত্তুনা শেল্লোই-লংমাইশিংনা হল্লকপদা লান্দানবা লমলেন খোম্বীতোৎ (খোম্বীদোক) লমদমদা হুইয়েন লাল্লুম্নবা মৈদিংঙুনা য়াথং পীখিবদু মৈতৈলৈমনা পাংলমদ্রবা অমসুং থৌদোংদ্রবদি (ইনশিন্দ্রবদি নত্রগা পুক্নীঙ থৌগৎত্রবদি) থবক পাংথোক্লল্লোয়।

মৈতৈলৈমা নোংজেংসূসি অচাওরম কাদবী লৈপাক্কী মীচম-মীয়াম্বু নুংশিনা, লুনা চান্না তৌবী লৈমনি। অদুনা পোইরৈ মৈতৈগী মীশিংগী মরক্তা য়েংথীনবা লানহৌনবগী ঈরাং তৌবা অমসুং চীঞ্জাক ফংনবগী থৌরাং-থৌদৌদা চায়নবা, খৎন-চৈনবা অমসুং

মুক্ল-য়েংশিন্নবা থোকখিবগী ঈ-পাউ লৈতে। মহাকসি লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংনা ঈকাই খুম্নবা অমসুং নুংশিনা মাগী থবক পায়নীঙ-তৌনীঙবী অমসু ওইরিবীনি। মমা অমা ওইনা মপারী-মমোমবু লাঙ্গোন হৈবীনি। মমোম-লাংলেন অমতা য়াওজবীবু কেগে পুরীক্লাইদা থাজবদা মনা-মনীন নাইদনা মমোম্না হায়বা ইনখিবদু মহাক্কী মচা ৰারকপা হৈবা, ৰাঙাং-শাঙাং হৈবা অমদি পাউথেম-মীথেম হৈবগী মতীক-ময়াইননি।

মপারী খুঞ্জাওবগী ৰাথোক

খাবরোন নোংজেংসুগী মচানুপা মরিগী মনুংদা লাক্ল-ফানবা ৰাবা, ৰাথোক-লাম্থোক ওইগনবসি অহুমশুবা মপারী, ময়ুমদা খুঞ্জাওবা কৌবা, হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহৈ-মশিঙ তম্বীদুনা য়োক-থাক্লকখি হায়না খ্বাইনা হোঙনেময়োঈ খুনজাওবা থোনবা অমসুং মচা অতোনবা ("নাউথিংখোং" মরীং চীঙমী কাংলুপকী মরোন্নি, মখোয়না কৌবা থোনবা মিংনি) ওইনা মৈতৈনিংথৌ ওইবদগী "মৈদিংঙু নাউথিংখোং" মিংথোন-মিংহুন্নবা অসিনি। মহাক্না চাওবা লেপতম ফারক্লবদা লাঙ্গোই শগোল তোংগে হায়বদা লাইরেন মপা মৈদিংঙুনা থিংলুবদগী ৰারৌ-পুক্লৌদুনা অমসুং শাওদুনা মৈতৈ কোনুং থাদোক্তুনা মপা-মমা, মচীন-মনাউশিং হুন্দোক্লমদুনা চৎখি অমসুং লোৎখি। মহাক কদায়দা, কনাগী ময়ুম-মশাইগোন্দা লৈরিবগে, করি তৌরি, করি চারি, হায়বনচিংবগী ঈ-পাউ অমতা মচীনঙৈগী মতমদদি মৈতৈ কোনুংদা ফংলমদে, মাগী পাউ অমতা তারমদে।

মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা মৈতৈ কোনুংদগী থোরক্লগা শেল্লোয়-লংমাই চীঙগী চীঙ্গোনগী লমদমদা লাক্লম্মী। মফমদুনা মহাক্না নোংবান অঙোমগী লংমাই/ নোংমাই ফুরুপকী অচোং য়ুম্লেনবম (য়ুম্লেম্বম) শাগৈগী ৰাংমৈ লাম্থবা পুরৈরোম্বগী নাইতোম পোকপী মমোম লাংলেন লংমাই পিতঙঙানা শেল্লোই ঈশিং-খোংদগী লাইজা ঈশিং শোক্লুরগা কারকপদা থেংনখি। পাখং-লৈশা ওইবগী অপাম-নুংশি ফোঙদোক্লদুনা লাকমিন্নরগা মপন-পঙ্থৌ অমসুং পলেম মমা লৈখিদ্রবী লংমাই পিতঙঙাগী ময়ুমদা চঙদুনা অহিং ঈনুং নোংফাইরম্মী। অদুদগীদি শাবী-শানৌ অনিদু তশেংনা লৌন-লৈনদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদু পিতঙঙা লৌদুনা মহাক্কী ময়ুমদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈখ্রে, মদু শেল্লোই-লংমাইগী মীপুম তিংনা খঙনখি। মতমসিদা শেল্লোই-লংমাইনা হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেং লান্দাবা চৎপদা, ৰাংঙম মৈতৈগী লম ফাওদুনা চৎপদা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবগী মনাই নোংবান কদেম শোয়শেনববু লাকচনা তৌরম্মী। মদুদা মৈতৈনা শাওদুনা লমলেন খোম্বীতোৎ উঙামফৈদা ইম্ফাল তুরেনগী তোর্ববান্দা লাল্লুমদুনা শেল্লোই-লংমাইশিংনা হল্লকপদা লান্দাদুনা শেল্লোই-লংমাইগী মীশিং তুমনা হাৎখি, সুপ্নগী মী তরা খক্তং হিংদুনা মশাইগোন্দা থুংলদুনা পাউদম্লখি।

লমলেন খোম্বীতোৎ উঙামফৈগী থৌদোকসিদগী শেল্লোই-লংমাইশিংনা মখোয়গী মরমদা মমোম পিতঙঙাগী ময়ুমদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবু হাত্তুনা মপা মৈদিংঙুনা তৌখিবগী লমন খুমগনি, হায়দুনা লাক্লম্মী। অদুবু লৌশিংঙ চাওবী, লৌ হৈবী পিতঙঙানা চাক চামিন্নখিগে হায়শিন্নরগা য়ুদা হীদাকমনা য়ানশিন্দুনা ঙাওহল্লগা, চাক থোংঙিবনি, পান ফুৎলিবনি হায়দুনা থৌদু নুঙদুম ফুৎলগা ময়ামদুনা য়ু ঙাওরিঙৈদা মশাবীবু ময়ুমগী ফক্লাং হোগায়দুনা চেনহনখিদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী থরাই কনখি। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা শেল্লোইগী লমদগী খুমন লৈপাক্তা চেনখিদুনা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবগী মফমদা চঙজখি। খুমন নিংথৌনা মরাইবক থম্বাল শাংপা মৈতৈ নিংথৌগী মপারীনি খঙদুনা মমোম লাংলেন কৈরুং হাঙবী থাজদুনা ময়ুম-মকৈ শাবীদুনা খুমন লৈপাক্তা লৈহনখি। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা খুমন লৈপাক্তা শাইদাংলিঙৈসিদা কেগে পুরীক্লাই, মোইরাং নিংথৌ সনা রাখুৱা (রাখ্বা) না খুয়োন (তেবী-তেশৱা) ৱাহোঙখি। মদুদা খুমন নিংথৌদা য়াওবীরনবা পাউজেন থারকখি। খুয়োল ৱাহোঙবসিদা খুমন নিংথৌনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু মোইরাংদা ৱাহোঙবগী কুম্মে ফিয়োং য়েংহন্নবা পুখিরম্মী। মদুদা মোইরাং পুরীক্লাইনা মৈদিংঙুচাসিগী মতীক-ময়াইগী মমি খঙ-উদুনা মমোম ঈৱাংলোন লৈমা নামুন চাওবীবু থাজদুনা পীখি। অদুগা ঈৱাংলোনবু পুদুনা খুয়োল ৱাহোঙবা লোয়রগা খুমন নিংথৌ অমসুং মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা খুমন লৈপাক্তা হল্লক্লম্মী।

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু অৱাং পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ওইরগদবগী মমি উদুনা মহাক্লা খঙজ-হৈজবা মহৈ-মশিঙ পুন্নমক খুমন লৈপাক্তা তম্বীরবা মতুংদা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেনবা-থুম্বারোন অমসুং লাইনীঙলোনগী মখা তাবা অচেৎপা মহৈ-মশিঙ তল্লুনবা অৱাং মায়কৈদা লৈবা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী ঙমখৈ-লমখৈ মনুং চনবা লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশাংগী মনীঙ (নোংচুপ) লোমগী চীঙমায়দা লৈবা লুৱাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা পাল্লিবা হৈথোই-শিংথোইরবা অমসুং পুন্সি নোংশাংলবা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা থারম্মী। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা খুমন লৈপাক্তগী তাল্লোই অনিগা লোইননা "হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাও" ওইননা লুৱাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুনগী মপু, হোঙনেম কুম্মে পাংথোকপা, চীঙঙু লাইদা শাকৎ-য়ুকত্তুনা লোইবী চীঙদোন, "লা" অৱাংবদা হোঙনেমমী হায়দুনা হোঙনেম মিংথোন্নবা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা চৎখিরম্মী। অদুগা মহৈ-মশিঙ তমদুনা মফমদুদা লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙু নোঙ্গবা অমসুং নিংথৌ খনবা

পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবনা খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈলৈমা ওইদুনা নুংঙাই-য়াইফনা চাহৈ কুমশীঙ ৯০ (মরিফুতরা) পাল্লে। অহল মতম ওইশিল্লকপগী পুন্সি মমি শাম্লক্লবা মতমসিদা মশানৌ খাবরোনবু কৌশিন্দুনা কুইনা চেংলৌ মশক উহন্দনা লোৎখ্রবা মপারী খুঞ্জাওবদি লুরাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাও লৈ, হায় হায়না তক্লন্মী। অদুগা তাইবং চেঙজেন লোযরবা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবদু খৃ: ৬৫৮ দা নমু তাইবংপান থাদোক্তুনা খমনুং শরা পোন্দা থরাই মিরেন্না কাইদোংখি। মশাবী শেৎনরবী মপুরোইবা কায়নরবী খাবরোন নোংজেংসূনা মিৎলু পিরাং খকঙমদা কোরৌ নোংবু য়েং, নোংমদোন লৈচীন শানকৈন্না ৱানা খাঙজখি। মীওইপোক্কী কায়নবা, শিবগী লমন পোক্লকপদগী তোল্লক্লবনা অমসুং থাদোকপা য়াদবনা মশাবী মৈদিংঙুনা তাইবং মাল্লংপান থাদোকখিবনি হায়না পুক্লীঙ ফাথরগা মশাবীগী মংজন্নবা মালেম লৈরোন চন্দুনা মথৌ য়াঙ্গেন্নবা থৌশীল্লে।

পোইরৈ নিংথৌ খনবা

লাইরেন মৈদিংঙু নোংগাখ্রে, ৱাংঙেম নিংথৌ লৈত্রে, পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল হাঙলে। ৱাংঙম চৎলম, পোইরৈ চৎনরোল পরমদা ৱাংঙম নিংথৌ ফম্বাল কুইনা হাঙহৈদে, পোইরৈ লৈঙাক মহাম তাগনি, কল্লক-য়েংথি মরাং হৌগনি, য়েক্লবা লানহৌ লাক্কনি। অদুনা পোইরৈ নিংথৌ থুনা য়াঙনা খন্দবা য়াদে। অঙম-অথৌশিং অমসুং অকন-অরিং লাল্লোই-লাল্লোইরেনশিং পুন্নমক সনা কোনুংদা তীল্লরে। মখোয় পুন্না তীন্নদুনা মৈদিংঙু মপারী অহনবা, মৈদিংঙুচা সনা খোম্মহন, মচী য়োঙ্গনাউহন নাউহন অহনববু নিংথৌ লৈতবগী নিংথৌ মহুৎশিন্দুনা লৈঙাক্লবা পোইরৈ লৈঙাকপা, ৱাংঙম নিংথৌশাববু খন্দুনা মপন পম্থৌগী নোঙ্গাথৌবু পাংথোক্লে। মালেম লৈরোন চন্না পোৎলোয় হিথারে, হাওশী মংচল্লে। মশাবী অশি-নোঙ্গাথৌবু পাংথোক্লবদা খাবরোন নোংজংসূ পোইরৈ লৈঙাক-থৌবু মৈতৈলৈমা পুক্লীঙনা খোয়দাদে। লৈঙাক-থৌদি অদুম পাংথোক্লি, লৈপাক থৌগায়দি অদুম মপুরি।

খুঞ্জাওবা পামং খুন্দগী লৌররবা

পোইরৈ মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল হাঙ, মপারী অহন নাউহন্না লৈঙাকপা ওইদুনা লৈঙাক থৌ পুরিবসি অশেংবা, অরেপ্পা নিংথৌ ফম্বাল কাদুনা তঙ তারবা নিংথৌ থম্নবা পোইরৈ মৈতৈগী লৈপাক পুরিবা অঙম-অথৌশিংনচিংবা কৌদুনা খন্ন-নৈনবা হৌরক্লে। কনা কনাগুম্বনা অতোপ্পা

মপারীশিংবুসু নিংথৌ ওইহন্নবগী ৱাফম হৌদোক্লক্লম্মী। 'লৈঙাকপা' ওইনা মচানুপা অহন নাউহন্না লৈরক্লিবসি চহি কুমওন মঙা শুরক্লে। অদুবু তঙ তাবা নিংথৌ ওইহনবদু খাবরোন নোংজেংসূনা পাম্লমদে, মরমদি মহাক মমিং নামা তাংঙি। অদুনা মহাক্লা নিংথৌ ওইবগী মতীক-ময়াইদা মতীক চাদবা ওই, হায়না মৈতৈলৈমা নোংজেংসূনা হায়রম্মী। অতৈ মচানুপশিংগী মরক্তা নিংথৌ ওইবা য়াবা অমসুং য়াদবগী মরমদসু মৈতৈলৈমসিনা হায়রম্মী, মদুদি মচানুপা য়োঙ্গচারোনসু মশা মহকচাং নাকল অনি মান্নদে, শারেপ-শাবানগী ফিবম শোয়, অদুগা মচানুপা অতোনবা নিংথৌ লাংঙাসু মপুক কংই, নিংথৌ ওইবা য়ারোয়, অদুনা নিংথৌ ওইগদবদি, শেল্লোই-লংমাই চীঙগী লংমাই লীকলু লৌথিবী লংমাই পিতঙঙাদা য়াওঙ ইনবা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওবনি; মহাক লুৱাং মকুবী চীঙগী পামং খুন্দা, লুৱাং নিংথৌ পুঙ্গিবা হোঙনেমগী মনাক্তা লৈ হায়, মহাকপু নিংথৌ ওইহন্নবা লৌরুচো হায়রম্মী। খাবরোন নোংজেংসূনা হায়খিবশিংসি ইশিন্নদুনা থম্বীরম্বা ৱারোলশিংদুদিঃ—

ঈদাইরেম পোইরৈ খুনফাংথৌ, তয়ুম নাইফাংথৌশিং-ও! লাইরেন ঈশাবীদি কোরৌ নোঙ্গারে।। তুবী ফমমোইমিৎতি হাঙফরোই, ফল্লাংমৈদি তিংফরোই-এ।। লাইরেন ঈপারী সনা খোম্মহন, মচী য়োঙ্গনাউহন অহনববু ফম্মোই মিৎতা ফমহনসে হায়বসু চেংলৌ মঙম শোয়এ, ফল্লাংমৈবু তোংফরোইএ।। ঈপারী য়োইচোরোন অৱাং লাংচা লৌপুংফৈ তোংবসুঙ শমু পাংশোই নাকএ, ফম্মোইমিৎতা ফমফরোই।। পারি সনা খোম্মতোন নিংথৌ লাংঙা, অনা লাংঙা ফম্বান চুমবা, লানলোই চীঙঙা লৌখোং তোংবসুঙ পায়মা মপুক কংএ। মাসুঙ ফম্মোইমিৎতা ফমফরোই।। ঈদাইরেমশিং-ও! লাইরেন ঈপারী সনা খাঙৱাইগী চীঙবন খোম্মুক অঙললা, মমাঙ শাৎকবরা শাৎতবা, হুইয়াই লীকলু অথেঙঙা মতুং কুইনা ফুয়গবরা ফুয়দবা, ময়ীম শেল্লোই সনাচীঙ, লংমাই তরঙ চীঙখুৎশাদা য়োয়বু ঈহুইরোন লংমাই লীকলু লৌথিবীদা নুয়ীনববু লৈএ।। ... নুংবান নাউয়োকপবু পামং মরানয়ায়দা অহোঙ লোইরেন খৈনা য়াঙ্গোইববু লৈবনে।। পারী হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওববু থুনা পাউকৌরুও! ফম্মোইমিৎতি মানা ফমঙৈনে, ফল্লাংমৈদি মানা তোংঙৈনে—হায়না পাউমেল্লবদা... ... ... [নিং:খে:স:, ১৯৬২,৬৯-৭১]

অসিশিংসিনি। মসিনা "মৈতৈ নিংথৌ, পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মৈদিংঙু নিংথৌ" ওইবগী ওইগদৌরিবা নিংথেমচা নত্রগা নিংথৌমচা অদুগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম্নচিংবা শেম-শাবগী চৎলম-লুপতীনগী খোংলম-লীক্লম, ৱায়েন-ৱাখুন, কাংখুন-পরম্নচিংবগী লম্বী শেল্লম্মী অমসুং থোং থারম্মী। অসুম্না মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈলৈমা অমা ওইনা পোইরৈ মৈতৈগী ৱাংঙম লৈঙাক্লোন্দা মহাক্লা ঙমজবা খুদোলসি তৌরম্মী।

মালেম তাইবংপান থাদোকপা

মৈতৈলৈমা খাবারোন নোংজেংসূনা মশাবী মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগা মতম শাংনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকপু লৈঙাক-খুনঙাক্কুনা পানমিন্নরকখি। মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুংদা মশাবীগী অশি-লাইথৌ পাংথোক্কুনা তাল্লোই অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌ-মঙম পাংথোকখি। মপুরোইবনা লৈখিদ্রবা মতমসিদা মচানুপা অহন নাউহন অহনবা চেংলৌ মঙম শোয়ব (মমি তাঙবা) না পোইরৈ মৈত্রবাক লৈঙাকপগী মিংদা চহি কুমওন মঙা (খৃ: ৬৫৮-৬৬৩) লৈরিঙৈগী লৈঙাকপগী অপোকপী মমা ওইনা পোইরৈ মৈত্রবাক লৈঙাকপগী থৌরাং-থৌশীনশিংদা লৈঙাকপী অমা ওইনা শরুক য়ারকখি, হায়বসি মহাক্না মপারী খুঞ্জাওববু নিংথৌ হাপ্পবা শীনখিবা থৌশীল-থৌরাংদুনা খুদম-চাংদম ওইরি। অদুনা মহাক্না মচানুপা অহুমশুবা, হান্নদগী লাক্ল-ফানবা ঙমদ্রবা, মপা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদগী মপা শিরবা মতুং চহি মঙা লানখ্রবা ফাওবদা ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্ত্রবা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওববু লৈপাক খ্বাইগী অমসুং মীচম-মীয়ামগী য়াইফগদবা য়েংদুনা খৃ: ৬৬৩ গা “মৈদিংঙু নাউথিংখোং” হায়বা ফম্বাল মিংথোলসিদা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হাপখিরম্মী।

মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূ, নিংথৌ পোকপী ওইনা খৃ: ৬৬৩দগী চহি কুমওন খর তাইবং চীঞ্জাক চাদুনা লৈরম্লগা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা পাল্লিঙৈগী সনা হাক্তক্কুদা মালেম তাইবংপান থাদোক্কুনা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা তীনখি।

ৰাখোম-ৰারোয়

পোইরৈ মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূ, ৰাংঙম পোইরৈ মৈত্রবাক অমসুং ৰাংঙম নিংথৌ শাগৈ লীংখৎলম্বা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা (চাওরাক্না খৃ: ৩৪-১৫৪) গী খ্বাইদগী হেন্না তুক্কচরবা খাবা নোংজেংবগী মমিং লৌদুনা মিংথোনবী খাবা কাংলুপ/ফুরুপকী নিংঙোন অসিনা মৈতৈ নিংথৌমচাদা নত্রগা মৈতৈ নিংথৌদা ওঙদুনা মৈতৈলৈমা ওইবসিনা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারী হৌদ্রিঙৈদগী খাবা অমসুং ৰাংঙম/মৈতৈ (নিংথৌজা য়েক) অনিগী য়েংথীনবা, য়েক্লবা অমসুং তাথীনবগী লান অমদি মরী অদু লোয়খ্রে, তাইশিন-য়াশিন্নখ্রে, নুংশি-চান্ননা পানমিন-হিংমিন্নরে হায়বা তাকপনি। অদুগা মৈতৈলৈমসিগী মশাবী-মপুরোইবা উরা কোন্থৌবসিনা চহি ৯০ (খৃ: ৫৬৮-৬৫৮) পানবা অসি পাৰারী-পুৰারীগী লীক্লম অমসুং ৰায়েন-ৰাখুন্দা অকায়বা ওইনীঙঙাই ওই, মরম অসিনা লাইগী পরম ওইনা ওইরোয়দবা ৰারম-ৰাফমসি শেমদোক-শাদোকপনা শাফগনি। মৈতৈলৈমসিদি মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোন্দা খুদোন কৎখিবী ওইনা অদুম লৈজসনু।

১১

লংমাই লীকলু লৌথিবী পীতঙঙা

ৱাহৌ-শৈহৌ

... ... লংমাই তরং চীঙখুৎশাদা, লাইরেন মনেম মচা, নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীকলু লৌথিবী, নুয়াম শাফাবী, শেল্লোইচা নুরা, শমলা লংমাই নিংথৌচনু ৱামৈ লান থাবনা য়েনবীদা নুয়িনগে হায়না শেল্লোই নুয়িনঙৈ... ... ... [নিং:খে:স:, ১৯৬৭,৩]।

মথক্তা, থমজরিবা "নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা" কৌবা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীকলু লৌথিবী" হায়রিবী অসি মৈতৈ মী-কাংলুপকী মপা-মপু লাংপা-নীঙবা লাইনীঙগী উমংলাই লাইরুপকী খোইমোম লাইরৈমশিংগী মনুংদা লৈরি-চল্লিবী য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মগী লাংওননি হায়না লৌন-নীঙনরিবী লাইরেম্মা/লাইরেম্বী অমনি। মহাক্না মশাবী কাদা কখোক-থাদোকখিবা খুদোলগী মহৈনা খোইয়ুম লাইরক চন্দুনা মহাক্কী মপাম লমদম শেল্লোই-লংমাই (নোংমাইজীঙ) চীঙজাওদা চহি কুম খুদিংগী কুমলেপ-চৈরেপ্পুনা লোইদাম লমদা থাগী ২৮ নি পানবা খুদিংদা কাদুনা মহাক্কী নীঙশিঙ-থৌরম (Megalithic Culture নি), মশাবীনা হৌদোক্লম্বগী খুদুং ইন্দুনা, চেঙকোয়/চীঙোয় তুরেন্দা লুপ্পুনা পাংথোক্লিবা মৈতৈ নুপীশিংগী কখোকপগী শক্তম পান্দুনা লেপ্লম্বী ওইনা লৌনরবী মৈতৈ/শেল্লোই/লংমাই চনু অমনি।

শক্তাক ৱারম-ৱাফম

নোংবাল্লোন (অঙোম য়েক ওইবী চনু/নিংঙোনশিংদা পীবা মিংথোন-মিংখৈ)/লংমাই পীতঙঙা অঙোম নত্রগা নোংবান কাংলুপকী/য়েক্কী লংমাই নত্রগা নোংমাই ফুরুপ/শল্লাইগী পুরৈরোম্বা নত্রগা অঙোম/নোংবান-নিংথৌ ৱামৈ লাম্বাবগী মমোম/মচানুপীনি, হায়বসি মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোক্লকপা ৱারোল মতেক অসিদা য়াওদুনা লৈজরে। অদুগা অপোকপী মপন পলেম মমাগী মমিংনা ৱাহেংসু [ম:স:ক এ:,১৯৯৪,২৭৯] কৌই হায়না পীবীরি অমসুং মহাক্কী মদু-মবুং নত্রগা মদু-মপ্পা "চুগোক" নত্রগা লংমাই/নোংমাই

চুগোক কৌবা অমা লৈ হায়নসু পীবীরি [মথক্কীসিদা,২৭৯]। লংমাই পীতঙঙাসি নোংবান কাংলুপকী লংমাই/ নোংমাই ফুরুপ/শল্লাইগী অচোং য়িমলেনবম (হৌজিক্কী "য়ুমলেম্বম") শাগে অমসুং য়ুম্লাক্কী চনু/নিংঙোন্নি।

মহাক (লংমাই পীতঙঙা) সি ৰাংঙম/মৈতৈ কাংলুপকী নিংথৌ মৈদিংঙু নাউথিংখোং [খুঞ্জাওবা, হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাও, মঙাং ঙম্বা (খৃ: ৬৬৩-৭৬৩)]গী খ্বাইদগী ঈহান হানবী তাল্লোই অহন্নি। অদুবু খুল্লক্তা লৌবা নুপী ওইবনা কোনুংগী লৈমা য়োঈবু-য়োঈহৈশিংগী মনুংদা/মরক্তদি চনখিদে। অচোং য়ীমলেনবম/য়ুম্লেম্বম চনু নোংবাল্লোন/লংমাই লীকলু লৌথিবী নত্রগা শমলা লংমাই নিংথৌচনুসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী পাৰাবী-পুৰারীদা "নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীকলু লৌথিবী" হায়না মহাক্না পাংথোকখিবা থবক্কী মমল ফোঙদোক্তুনা অমসুং থবক খুৎপাংথোক্কী মওং-মতৌগী-মশক তাকপা মিংথোন্না শক্তাক্তুনা থম্বীরম্মী। মহাকপু মহাক্কী তৌবীমল খঙবা উৎচবগী ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা খোইমোম লাইরেম্মা লক্তা শীঙথাদুনা মোংবা য়ুমজাও লৈমগী/লাইরেম্মগী লাংওনগী থাক্তা থমদুনা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীদা মফম পী— হায়বসি মথক্তসু থমজখ্রে। মহাক্কুম্বীশিংগী মশাগী ওইজবা থাদোকপগী ৰারী-শীঙবুনশিংনা পোইরৈগী পাৰারী-পুৰারীদা লৈবসি মী-কাংলুপসিগী চাওথোকচনীঙঙাইনি।

পুন্সিগী থৌদোক ৰারী

মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদদি মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা হায়বা মমিংসি কৌরম্মী। মতুং তারকপা পুন্সিগী খোঙফমদা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেনবা-থুম্বরোন, খুন্নাই লাইনীঙলোন্নচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্বী-তাকপীদুনা য়োকপী-থাকপীরকখি হায়দুনা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাও কৌরম-থোল্লম্মী; অদুগা মৈতৈ নিংথৌ ওইবদা মচা অতোনবনা নিংথৌ ওই হায়দুনা নিংথৌ ফম্বাল মিংহন্দা "নাউথিংখোং" (মরিং মরোন্নি, ৰাহন্দোক্না "মচা অতোনবা" হায়বনি) হায়না মিংথোনখিবনা মৈদিংঙু নাউথিংখোং" কৌখিবনি। হায়রিবা মমিংসিনা মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী লামায়শিংদা মমি তারি। মহাকসি মপন পন্থৌ নিংথৌ পনম নুমিৎ থোকপু চুনবা [ও:ভ:স:,১৯৬৭,২৪] নত্রগা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌব (চাওরাক্না খৃ: ৫৬৮-৬৫৮)না পাল্লিঙৈদা য়ান্না ঙাওনা হৌরকখিবা অঙাং অমা ওইখি। পুঙকক চাওরক্তুনা পাখং ফারক্লবা মতমদা মপাঈবুংঙোগা শগোনগী মরমদা নীঙঙাই-শঙদানরকপদগী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা মৈতৈ কোনুং থাদোক্তুনা চৎখি, মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী।

খুঞ্জাওবগা পেতঙঙাগা উনবা অমসুং

লৌন-লৈনদুনা পীতঙঙাদা য়াওঙ ইনবা ঃ---

"মৈতৈ/ৱাংঙম কোনুং" থাদোক্তুনা থোক্লক্লগা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা মখোঙনা পুবা মায়কৈদা চৎলক্লে। মহাক্না মফম-মরাং খঙদনা লাকপনা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী ঙমখৈ মনুং, লংমাই চীঙ্গোনগী পনগোয়নুংদা চঙলক্লে। অদুবু কদায়দা থুংগনি, কনাগীদা চঙগনি, হায়বগী অরেপ্পা পল্লেপফম খঙদনা লাকপনি। থুংলরিবা মফমসু খঙদে, অদুগা মতমসু নুমিৎ তাশিল্লক্কদৌরে। মফমদুদগী খর চৎলগা ঈশিংখোং অমা লৈ। হায়রিবা ঈশিং খোংদুদা ঈশিং শোক্লুবী শকহেনবী অমখক লাক্লম্মী। মতমদুদা মফমদুদা কনাসু লৈত-লাক্তবনিনা খুঞ্জাওবনা শকহেনবীদুদা ৱারী শাবা হৌরে। অহানবা উনবমক্তদা নুংশি খোয়দানবা, অমনা অমবু পাম্নবা ওইদুনা মমিং-মথা তাক্লরে, লৈফম-চাফম হায়দোক্লরে। অদুবু খুঞ্জাওবদি শেল্লোই-লংমাইসিদা পীদোনবা, লমলানবা অমসুং নুমিত্তুগী থুংফম-নোংলেনফম লৈত্রিবা মীশক্লি হায়বসি লংমাই পীতঙঙানা খঙলে। অদুনা মহাক্না খুঞ্জাওববু পুরদুনা লাক্লগা মহাক্কী ময়ুমদা লৈহন-লেকহনখি। অদুগা মখোয় অনি মশা-মশা য়াননা লৌন-লৈনবগী ৱাফম শেল্লোই-লংমাইগী অহল-লম্মনশিংগী মফমদা থমখি। শেল্লোই-লংমাইগী অহল-লম্মনশিং অদুনা লংমাই পীতঙঙাগী ৱাফম অদুদা য়াবীরদুনা লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মপারী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগা লংমাই অচোং য়ুমলেনবম নিংঙোন পীতঙঙাগা মশা-মশা য়াননা নুহোঙবগী মখলদা লৌন-লৈনদুনা মতৈ-মনাউ ওইখি। অসুম্না মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা পীতঙঙাগী ময়ুম, শেল্লোই-লংমাই চীঙগী মখা ঈথং থংবা চীঙলেন-চীঙশাংগী চীঙশা নাপোম হুইথখিবা, হেমবা ময়াই চাওবা চোংচি চীঙমতোন, থরাম মোইকায়চীঙদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈখি [নিং:খে:স:, ১৯৬৭,৩]।

মৈতৈগা লংমাইগা য়েংথীনরকপা

মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা অমসুং নোংবাল্লোন পীতঙঙা অনিনা লৌন-লৈনদুনা মৈদিংঙুচানা লংমাইচীঙদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈখিবসি ৱাংঙম মৈতৈশিংগা অঙোমগী শেল্লোই অমসুং লংমাই/ নোংমাইশিংগা য়েংথী-য়েক্লদ্রিঙৈগী মতমদনি। অদুবু মতমগী খোঙজেনগী লৈরিবা মকোয়নুংদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক অমসুং শাথোক-লাম্থোকশিংগী পরীং-পরমগী মনুংদগী অঙোম অমসুং মৈতৈগী ৱাথোক-লাম্থোক অমনা মনীঙ-মখা তম্না পান্নরম্বা মী কাংলুপ অনিসিগী য়েংথী-য়েক্লনবগী মরীসি পুরকখি। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা অমসুং লংমাই পীতঙ্ঙা অনিগী মফমদদি মসি থোক্লকহন্নীঙদবা থৌদোক্লি। হায়রিবা থৌদোকসিগী ৱারী পরীংদি ঃ---

শেল্লোই-লংমাইশিংনা থাঙঙা (কম্বোং)গী মী-ফুরুপ্পা পাল্লিবা হাওকপ-চীঙশাংগী খুনফম-ঙাংচেংদা লান্দারুগে হায়দুনা মখোয়গী লাম্মী তেঙ্গোন অমা লাক্লম্মী। মখোয়না লান্দানগী লাক্লিবা লম্বীসি পোইরৈ মৈতৈগী ঙমখৈ মনুং চনবা নাগ তুরেন্না থত্তুনা চেল্লিবা লমদু ফাওদুনা চৎলম্মী। মতমদুদা নাগ তুরেন্দা শোয় শেমদুনা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মদাইরেম নোংবান কদেম শোয়শেনবনা ঙা ফারম্মী [ও:ভ:স:,১৯৬৭,৪১]। শেল্লোই-লংমাইশিংনা লান্দানবগী লানগী মথোই কাদুনা, শারাউ-লাল্লাউদুনা খুৎশূ-খুৎলাই হাইনা হুম্না লাকপদুদা নোংবান কদেম্না মহাকপু হাৎপীখিগদ্রা হায়না কিরদুনা ঙা অপুম্বা মশাদা তৈশিন্দুনা মনম নমথিহল্লগা শিজিন্নদুনা মখোয়না মাবু লাম্থোক্তুনা চৎখিনবা তৌরম্মী। শেল্লোই-লংমাইশিংনা মহাক্কী হকচাংদু থেংনবদা মখোঙনা কাও-কাওদুনা, মখুৎনা মেৎলগা য়েংদুনা অমসুং খুৎলাই মনীঙ-মনম্না ইন-ইন্দুনা পুদুনা চাংয়েং তৌরগা মহাক তোৎলে (শিরে), হোরেন তেরকপদা (হল্লকপদা) মকোক লৌর-কক্লসি হায়দুনা থম্নম্নগা হাওকপ চীঙশাংগী খুনফম ঙাংচেং লান্দানবা মৈতৈগী লম ফাওরগা চৎখিরম্মী। "মখোয়না তোৎলে" হায়বসিদগী লমদমদু খোম্মি-তোৎ (খোম্বীতোক/খোম্বীদোক) কৌখি।

শেল্লোই-লংমাইশিংনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা নোংবান কদেম শোয়শেনবনা হৌগত্তুনা মৈতৈ কোনুংদা থুনা-য়াঙনা চেল্লক্লগা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবদা শেল্লোই লংমাইশিংনা মৈতৈগী লম ফাওদুনা চঙশিল্লগা থাঙঙা-কম্বোংনা খুন্দারিবা কৌরু চীঙ্গোলগী লাঙ্গোন অমসুং চীঙ্গোন নিংথৌগী চীঙ্গোনগী অৱাং থংবা চীঙশাংদা লৈরিবা হাওকপ-চীঙশাংগী খুনফম-ঙাংচেংদা লান্দাবা চৎখ্রে। মহাকপু মৈদিংঙুগী মদাইরেমনি হায়বা খঙনা-খঙনা মখোঙনা কাওদুনা, মখুৎনা মেত্তুনা লাকচনা য়েংলম্নগা শিরে হায়দুনা হুন্দোক্লম্বদগী মহাক হিংহৌবনি। মখোয় লংমাইশিংগী উশীৎ-থৌওইদবসিগী লমন খুম্বীয়ু হায়না ৱাকত্তুনা পাউদম্লম্মী। মহাক্কী মথৱাই শোকপগী মতৌদুদা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা কংলা য়াইবুঙ থীন্দুনা পোইরৈ-মৈতৈগী অঙম-অথৌ অমসুং অকন-অরিং লাল্লোই-লাল্লোইরেনশিং পুম্নমকপু লানবাউ পীদুনা কৌখৎলম্মী। থৌনা ফৱবা মৈতৈগী লাললোই লাম্মীশিংদুদা মৈতৈ কোনুংদা থুংলরবদা, "শেল্লোই-লংমাইশিংনা মৈতৈগী লম হেঞ্জিল্লক্লে, মখোয় হাওকপ চীঙশাং খুনফম ঙাংচেংদা লান্দাবা চৎখি, মখোয়না হোরেন হল্লকপদা মখোয়গী মথক্তা লান্দানবা নাগ তুরেনগী তোর্ববানদা লাল্লুমদুনা লৈরুসি হায়না লানবাউগী য়াথং পীরম্মী। মৈতৈগী মপুঙ ফারবা লাম্মী তেঙ্গোন অমা শেম্লগা মৈদিংঙু মশামক্লা লাঞ্জিংলেন ওইদুনা নাগ তুরেনগী তোর্ববান্দা লাল্লুম্বগী লানগী-খোঙচৎ লৌখত্তুনা খোঙশাল্লম্মী।

মৈতৈগী লাক্লিবা লান্মী তেঙ্গোন অসিনা নুংবান নাউখোংজাম্বা চানকোনথোং লাম্থোক্লগা নাগ তুরেনগী তোর্ববান্দা তেঙ্গোন শাদুনা শেল্লোই-লংমাইশিংনা হাওকপ চীঙশাংদগী হল্লকপা ঙাইদুনা লাল্লমদুনা লৈখিরম্মী। মতম খরগী মতুংদা শেল্লোই-লংমাইশিংনা হাওকপ-চীঙশাংগী খুনকম, ঙাংচেংগী থাঙঙা-কম্বোংশিংবু লান্দাদুনা চায়খায়রক্লগা লানঙমদুনা হরাউনা হল্লক্লম্মী। মখোয়না মৈতৈ লান্মীশিংনা লাল্লুল্লিবা মফমদুগী মপা য়ৌরকপদা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবনা লাঞ্জিংলিবা মৈতৈ লান্মীশিংদুনা শেল্লোই-লংমাইশিংবু মায়কৈ খুদিংমক্তা কোয়শিন্দুনা থল্লগা মখোয়গী মথক্তা লান্দাশিল্লম্মী। নাগ তুরেন মপানগী লানফমসিদা মৈতৈ লান্মীশিংনা শেল্লোই-লংমাইশিংবু যান্না শাগী-তমথীনা হাৎখিরম্মী। মায়কৈ পুম্নমক্তা চেনফম লৈতনবা থীং-থৎলগা হাৎলকপদা শুপ্পগী শেল্লোই লান্মী তরামক্তং মখোয়গী মপুঙ ফারবা তেঙ্গোন্দগী হিংখিরম্মী [চৈথা: কুম'২০০৫,৫]। লানসিদা শেল্লোই-লংমাইগী লান্মী তেঙ্গোনগী লুচিং-লাঞ্জিংলেন নাউশংবা হোংচান তৌলীক-তোপ থৌরাং অথৌবা কৌবদু হাৎখিরম্মী। [ও: ভ: স:, ১৯৬৭,৩০]

অসিশিংনি। মথক্কী পোইরৈ মৈতৈ অমসুং শেল্লোই-লংমাইশিংগী নাগ তুরেন মপানগী লানফমগী লান অসিদগী ৱাংঙম মৈতৈগা শেল্লোই-লংমাইগা অনিসিগী মরক্তা য়েংথি-য়েক্লবগী মরু হুনখি অমসুং শেল্লোই-লংমাইশিংনা মৈতৈশিংগী মথক্তা লমন খুম্ননবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈখি।

পীতঙঙানা মশাবীগী থৱাই কনবা

পোইরৈ মৈতৈ অমসুং অঙোমগী শেল্লোই-লংমাইগী নাগ তুরেন মপান, খোম্নীতোৎ/খোম্বীদোক্কী লান অমসুং ৱাংঙম-মৈতৈনা শেল্লোই-লংমাইশিংগী লাঞ্জিংলেন পুরেন অমদি লুচিং-কোকচিংবা/নিংথৌ য়াওনা লান্মী তেঙ্গোনগী লাল্লোই লানপু-লাল্লুপ অমবু লাল্লোই-লান্মী তরাখক্তং হিংহৌবগী খুৎহাৎ-খুৎকমদা হাৎখিবগী ৱাপোক-লাম্থোকসিগী লমন খুম্নীঙবগী থরুম-ৱারুম থম্মোইদা পুদুনা ৱাখন্দা লানগী মৈফম অমা লীংখত্তুনা লৈরি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। মখোয়না পোইরৈ মৈতৈগী কংলৈ পুঙময়োনগী লমদমদা লানশিন্দুনা মৈতৈ কোনুং চঙদুনা লান তকশিনবা অমসুং মৈতৈগী লাঞ্জিংলেন মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবগী মথক্তা লান্দাদুনা লমন খুম্নবগী মতীক-মঙম লৈরমদে অমদি মদুগী খুদোংচাবা অমসুং তাঞ্জাসু ফংলমদে। অদুবু মখোয়গী লমন খুম্নীঙবগী মৈচাত্তুদি মৈরী থোক্লা চাক্তুনা মৈচাক ফবা, অমদি মৈশা কনখৎলকপা হেনগৎলক্লম্মী। মরম অদুনা লমন খুম্ননবগী লম্বী অমসুং পাম্বৈ থিনবা, ফংনবা অমদি পুথোক্লবা মখোয়না কদায় করি লৈবগে, করম তৌরগা য়াগদবগে, হায়বনচিংবদা মথং

মথং খন্নরক্লম্মী। মমৈথংদা মখোয়না মখোয়গী মখুন খুঙ্গংদা মখোয়গী নিংঙোন, অচোং য়ুমলেনবম ময়ুমদা পুরৈরোম্বা ৰামৈ লাম্থাবচনু নোংবাল্লোন লংমাই পীতঙঙা লৌদুনা মহাক্কী ময়ুমদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিবা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী অহুমশুবা মচানুপা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু নীঙশিঙলকখি। মহাকপু হাৎলবদি মপা উরা কোন্থৌবগী মথক্তা লমন খুম্বনি হায়না লেপ্পরম্মী। মরম অদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাববু হাত্তুনা মপা ঈবুংঙোগী মফমদা লমন খুম্নবগী ৰাফমসি য়ানবদুনা মহাকপু হাৎননবগী থৌরাং শেম-শারকখি।

লংমাই পীতঙঙাগী লৌওন-লৌ

লংমাই পীতঙঙাবু "পীতঙঙা লীকলু লৌথিবী" হায়বা মিংথোন পীরিবসি মহাক্কী "লৌওন-লৌ" তিঙয়িগুম্না মীপুক হু, খারাগুম্না লৌওনবা অসিগীদমক্তনি। হায়রিবা লৌ অসি মহাক্না থিরকপা (লৌখৎলকপা) নত্রগা তৌরকখিবসি মহাক্কী মথৰাইদগী হেন্না মমল য়াম্মী খঞ্জবা, মহাক্না নুংশিজরবা মশাবী (মপুরোইবা)গী য়াইবী মথৰাই কন্নবগীদমক্তনি অমসুং মহাক্কী লৌ অসিগী থৌরাংসি মায়সু পাকখি।

শেল্লোই-লংমাইশিংনা মখোয়না লেপ্পখিবা লমন খুম্নবগী ৰারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক্তা মখোয় ময়াম পুন্না হৌদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিবা লংমাই অচোং য়ুমলেনবমগী মশাইগোন লংমাই পীতঙঙাগী ময়ুম মকাইফমদা লাক্লম্মী। মখোয়না লমন খুম্নবগী ৰাতানখিবা অমসুং ৰারেপ্পখিবগী শউম খর মখৈ ফংলবী অমদি শেল্লোই-লংমাইগী মবুং-মপ্পাশিংনা মখুত্তা খুৎলাই পায়দুনা পুন্না হৌদুনা লাক্লগা মহাক্কী ময়ুম-ঈংখোল কোয়শিন্দুনা লেপ্লবা অমদি থম্লবগী থৌদৌ-থৌওংসিদা ৰাখল-লৌশিঙ লৈরবী লংমাই পীতঙঙানা ঈমুংদগী মপান্দা থোক্লক্তুনা লংমাই মবুং-মপ্পাশিংদুগা ৰাহং-পাউহংনদুগা ৰারম-থৌরমদুগী ৰারী-ৰাতাই শানরম্মী। শেল্লোই-লংমাই, মবুং-মপ্পাশিং অদুনা মখোয়গী হৌখ্রবা লাইবক থীবা থৌদোক-লাম্থোক্তুগী মরমদা ৰারম পুন্নমক লীদুনা পীতঙঙাদা তাহল্লবা মতুংদা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা মপাগী মথক্তা লমন খুমগদবগী শরুক্তুগী মৈদিংঙচা খুঞ্জাওববু হাত্তুনা খুমগনি, অদুনা মহাকপু খুদক্তুদা মখোয়গী মমাঙদা পুখোকউ অমসুং মখোয়দা খুৎশিন্নৌ হায়না নোংবাল্লোন পীতঙঙাদা হায়রম্মী অমসুং তক্লরম্মী। মতমসিদা মশাবী মহাক্কী মহাকথংগী লংমাই লীক্লু লৌথিবী হায়বা মিংথোন ফংহৌগদৌরিবী, মপুরোইবা নীঙবী অমসুং পায়মা লৌশিঙ চাওরবী নোংবাল্লোন পীতঙঙানা পায়ম লৌ থিদুনা লংমাই মপা-মতোন, শেল্লোই মবুং-মপ্পাশিংবু নোল্লুক্লা থেম-নৌদুনা হায়জরক্লম্মী—

"লংমাই ঈপনঙাই, শেল্লোই ঈবুং ওইবশিং-ও! শেল্লোই ঈপা-চাশিংনা পোইরৈ মৈতৈগী মরম, শেল্লোই ঐখোয়গী মীরমদম অদুদা মপু তাক্তনা লমদু ফাওরা-শম্লগা

অতোপ্পগী লমদা লান্দারুনবা চঙবগী হল্লকপদা মরম ফাওরগা মপু তাক্লম-খঙহল্লমদনা লম হেঞ্জিন্দুনা চঙলকপগী লমদুগী মপুনা শেল্লোই-লংমাইশিংবু হাৎখিবসিদি শেল্লোই ঐখোয়না লানবা-লঙজবগী থৌদৌগীনি। অদুগা মপন পন্থৌগী মথক্তা লমন খুন্নীঙবদু ঙমদ্রগা অমসুং ফংদ্রগা করিসু খঙজদবা মপারী-মচাগী মফমদা লমন খুমগনি, মহাকপু হাৎকনি হায়রিবা মচাদুদি লংমাই নিংঙোল, শেল্লোই চনু ঐহক্কীদি ঈশাবী-ঈপুরোইবনি, মহাক্তি ঐখোয় শেল্লোই-লংমাইগী ঈরক্তা লৈদুনা ঐখোয়গী ঈচেঙ চাদুনা হিংলকপা অমসুং হিংলি-লৈরিবা মীশক্লি। মহাক ঐহাক্কা মপুঙ ফানা মথোক্লকপা মতমসিদা মাগা ঐগা কায়নৌ-খায়নৌ হায়বসি অমুক্তা খন্থবিখো। নমোম-নচন ওইবী ঐবু ঐগী পুন্সিসিগীদমক য়েংবীদুনা মহাকপু হাৎপা-তুপ্পগী ৱাফমসি থাদোকপীয়ু। লাকপীরিবা ঈপা-ঈপন, ঈবুং-ঈপ্পা পুন্নমকসি পারী শাৎনরিবা, ঈমোম ফুয়নরিবা, মচন-মচে লৈনরিবা ঙাক্তনি, মখোয়দুগুম নৌজরিবী ঐহাকপু নৌনা লুখ্রা শীঙদা চল্লু হায়না তাকপীরিবা ৱাফমসি তৌবীগনু। নমোম-নচন ওইবী ঐহাকপু লুখ্রা ওইহনবীগনু... ... ...।

হায়দুনা [নিং:খে:স:, ১৯৬৭,১৫-১৭] খুরুমজদুনা হায়জরম্মী। মখোয়গী কাংলুপ-যুরুপকী মচীন-মনাউশিং হাত্তোকপীখিবগী লমন খুন্নীঙবনা ঙাওরবা শেল্লোই-লংমাইগী নুপাশিং অদুনা নোংবাল্লোন পীতঙঙানা হায়জবা ৱাফমশিংদু তাবীরমদে, মনাদা হাপ্পীরমদে। মখোয়না হায়জবদুদা থৌজালবীবা অমসুং মীনুংশি উৎপগী মহুৎতা মখোয়গী মচীন-মনাউশিংদু হাৎখিবগী কাউঙম্লরোয়দবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু হাত্তুনা শোয়দনা লমন খুন্ননবগী অচেৎপা ৱাফম শরী নামুংবগুম্না থম্লক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ১৮]।

শেল্লোই নুপাশিং লংমাই মচাশিং অদুগী ফিব্বম-ফিরেপ্পু খঙলবী লংমাই পীতঙঙানা পায়মা লৌশিঙগী লৈজবা লৌ পুথোক্তুনা মশাবী মপুরোইবগী য়াইবী-থৱাই কনবা নত্তনদি হায়জ-নোঞ্জবা, চঙজ-পুরুমজবা নত্রগা অতোপ্পা পাম্বৈনা মপুরোইববু কনবা ঙম্লরোয় হায়বসি খঙখিরম্মী। মরম অসিনা মহাক্লা লংমাই মপা-মতোন, শেল্লোই মবুং-মপ্পাশিং অদুবু থেমদুনা, মহাক্লা মশাবী-মপুরোইবা ওইনা লৈমিন্নরক্লবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু মপুন্সিগী অরোয়বা ওইনা চামিন-থকমিন্ননবগী মতম অমসুং মতেং পীবীয়ু, অদুগা মখোয়না য়ুমগী অকোয়বদা হাওদৈ য়ু (অতিঙবা) য়ুঙৌ থক্তুনা [মথক্কীসিদা,২৯] নুংঙাইনা চেনথোকখিদনবা শঙদুনা লৈবীয়ু হায়না হায়জরম্মী। অসুম্না নোংবাল্লোন পীতঙঙানা মপুরুীঙদা লৌ ফুমদুনা চীম্বালদা খোইহী তৈদুনা পুথোক্লপা শরৌ লাংথাকসি খঙদবনা শল্লোই-লংমাইশিংসিনা খঙদবা অমসুং থাজরুদবনা লংমাই পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীনা হায়জবদু য়াবীরম্মী।

নোংবাল্লোন পীতঙঙানা নীঙথিরবা, ময়াই কারগদবা অফবা হাওদৈ য়ুগী খরুংশিং থাংদোক-পুথোক্লক্তুনা শেল্লোই মপা-মতোন অমসুং লংমাই মবুং-মপ্পাশিংগী মমাঙদা থরুনবা খীন্দুনা থম্লরে। শেল্লোই য়ু পাম্বা, লংমাই হাওদৈ খোয়দাবশিংদুনা পুথোক্লক্লিবা য়ুগী চফুশিংদু অশাওবা, শাওনীঙ্বা অমসুং খোয়শাওবা পুন্নমক ফাথদুনা য়ুদু থকপা হৌখ্রে। অদুগা লংমাই পীতঙঙানা মহাক্কী লৌ লৈবগী মচৎ অমসুং ৱাখল-লৌশিঙ শীজিন্নবগী মনাৎনা চফু মনুংদা পান শাদুনা থৌদু নুঙদুম হাপ্তুনা খাম্বী মৈথক্তা শংলৌ পান ফুৎলিবনি হায়দুনা লৌনম লাংথাক্কী থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। লাইজা ঈশিংদা শংলৌ পান ফুৎপদি মুনবগী মতম লৈ, অদুবু থৌ নুঙ ফুৎপদি মুনবগী মতম লৈতে। শেল্লোই মচা ময়াম্না হাওদৈ অথুম্বা, মৈখু ঈদাক মনা নোয়শিল্লবা ৱাংলৈ কোককাবা থক্লিকৈঙে অমসুং লাইজা হাপ্পা চফু খাম্বী মৈথক্তা থাঙ্গৎতুনা শংলৌ পানফুৎ তমলিকৈঙেগী মতমসিদা লংমাই লীক্লু লৌথিবীনা মহাক্কী থৱাই-হকচাংগী মবুংঙো মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু মতৌ করম্না কনবা ঙমগনি, করম্না য়ুমগী মনুং অদুদগী মপান্দা লাম্থোকহনখিগনি অমসুং মপানগী শেল্লোই-লংমাইগী মীশিংগী কোয়রিবা পনগোয়নুংদুদগী নাম্থোকহনখিগদবগে হায়বা ৱাফম অমসুং থৌদৌশিং অসিগী মরমদা কুপ্না খনবা হৌরম্মী। অদুবু মহাক্না মশাবীগী মফমদা পাউশিং চীথদনা তমদুনা লাঞ্জেন্নবা লাম্থোঙ শীল্লম্মী। অদুগা হায়রিবা পাংথোক্কদৌরিবা লাঞ্জেনবগী থবক্তুদা মরু ওইরিবদি মখোয়না লৈরিবা য়ুমদুগী মপান্দা কোয়শিন্দুনা শঙলিবা শেল্লোই-লংমাইশিং অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা অসিনি। অদুনা কোয়না শঙলিবা মখোয়দুবু মপুঙ ফানা য়ুদু মঙাও থিনা ঙাওহন্নবা লংমাই পীতঙঙানা শীল্লম্মী। অদুগা মখোয়না য়ু ঙাওদুনা তুদ্রিবা ফাওবদি পীতঙঙানা মশাবীবু মপান্দা খক থোকহল্লমদে।

নুমিত্তুগী মতম তাংকক খর হৌখিদুনা কোরৌ অঙানবনা নোংচুপ মায়কৈ পাংখিদুনা নোংথিনগী মতম য়ৌশিল্লক্লবদা মখোয়বু শঙলিবা শেল্লোই-লংমাই মচাশিং অদুনা মতম ফম্না কুইরে, চামিন-থকমিন্নবা লোয়রম্লগনি হায়দুনা লংমাই পীতঙঙাদা নশাবী খুঞ্জাওবা পীরো, লমন খুম্নবগী থবক লৌখৎলগে হায়রক্লম্মী। অদুবু লংমাই লীক্লু লৌথিবীনা শেল্লোই-লংমাইগী মবুং-মপ্পাশিংদু য়ু ঙাওদ্রি, ৱাখল লৌশিঙ লৌমাঙদ্রি হায়বা খঙলম্মী অমসুং লৌহৈবী লংমাই চনুসিনা অমুকসু থেম-নৌদুনা হান্নগীদুদগী ময়াক-ময়াই হেন্না কন্না শেম-শাদুনা থম্লবা হাওদৈ য়ুঙৌ পুথোক্তুনা পীরগা মখোয় অনি চাননবা ফুৎপা শংলৌ পান্দু মুদ্রি, খাম্বী মৈথক্তা ঈৱান ৱাললোঙদু লৈরি, খাম্বী মৈ মুথক্ত্রি হায়না ঈৱান ৱাল্লোং উক্তুনা ৱাংলেন খরদং ঙাইবীখো, হায়দুনা শেল্লোই লংমাইশিংদু অনৌবা অমুক হন্না য়ু পীথক্তুনা মবুক ফারম্মী। অসুম্না অনৌবা ময়াক-ময়াই কনবা য়ুদু লেপ্তুনা পীশিন্দুনা পীথক্লকপদা য়ুগী মহাউ ময়াক্তুদা পেন্নরবা শেল্লোই-লংমাইশিংদুনা পঙথক্তা থক্তুনা য়ুগী ময়াই কাবা হৌরক্লে। য়ুগী নুংঙাইরবা ময়াইদুনা শেল্লোই-লংমাইগী নুপাশিংদু

তপ্না তপ্না শুস্বা হৌরক্লে। মমৈথংদদি চরৈ ফমুং, মোল্লাং-তপ্তাই থিদনা মালেম লৈমায় লৈকনথক্তুনা নুংঙাইনা তুমখুন হুন্নখ্রে। হায়রিবা তাঞ্জাসিদা মতম লাইরৈমগী খোঙথাংসু য়াচঙবগী ৱাংলেন তুংওইনরক্লে।

নুমিদাংগী পুঙ্গোয়না মাঙদা লেপ্পবা মতম, লংমাই পীতঙঙা অমসুং মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা অনিবু শেন্নদুনা শঙলম্বা শেল্লোই-লংমাই মচাশিং অদুনা য়ুগী ময়াক অমসুং ময়াইনা লাকশিন-লাকহত্তুনা তুম্নীঙ-হীপ্নীঙবগী মায়কৈদা হোয়দুনা পুখিদুনা খোমলেন তুমখুন হুনবা হৌখ্রবদা, মসিগী মতৌ, তাঞ্জা অমসুং মতমসিগী খুদোংচাবা লৌগদবগী মতম তাঞ্জা ঙাইরক্লিবী নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীনা মশাবী মমান মচাগী মফমদা মতমদুগী, মফমদুগী ওইরিবা ফিবম পুন্নমক্তু খঙহল্লম্মী। অদুগা মহাক্লা মহাক্কী মপা-মতোন অমসুং মবুং-মপৃশিং ওইবা শেল্লোই-লংমাই মচাশিং অদুনা পান্দম্লিবা লমন খুম্বগী পান্দমদা মহাক্কী মশাবীগী পুন্সি লোয়শিনবা হায়বসিদগী হন্দোক্লবা খামজিনবা য়াদ্রে, মরম অসিনা মহাক্লা মফমসিদগী (শেল্লোই-লংমাইচীঙদগী) মখোয় শেল্লোই কনা অমতদা মহাক্কী মশক অমুক উহন্দনবা লোন্না অমসুং লোৎনা চৎপীখ্রো, হায়না মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদা হায়জরম্মী "নঙগা ঐগা কায়নৌ হায়না চীঙঙু কশা লাইয়িংথৌনা তম্বীরম্বনা হকচাং মখৈ খায়নরবসু ঐগী থম্মোইনুংদা পুরিবা নঙগী নুংশি শক্তমসিমদি ঐগা খক কায়না-শেৎনররোয়। অদুননে মৈদিংঙুচা পাম্মুবা! নহাক য়ুমসিগী ফক্লাং-লোঞ্জাগী পুল্লিবা পয়াশিংসি থদত্তুনা ফক্লাং নামা হাইদোক-হাঙদোক্লগা য়ুমগী ঈমুংদগী মপান থোকখিদুনা য়েনখা ফাওরগা চেম্পোকখিদুনা শেল্লোই-লংমাইগী ঙমখৈ লাম্থোক্তুনা চৎপীখ্রো, অদুগা নহাক্লা চৎখিবা মতমদা ৱাংঙম মৈতৈ নঙগী পোইরৈ নরমদম, নপন পম্বৌ মৈদিংঙু উরা কোম্বৌবনা পাল্লিবা লমদম অদোমদা চৎপীখিগনু, মদুগী খারোমদা লৈরিবা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবা পাল্লিবা অদোন খুমন লৈপাক্লোমদা চৎপীখো [মথক্কীসিদা,২১-২২],য়েক্লা-য়েংথীনবা কনাসু ওক্ল-মায়য়োক্লরোয়। লাইবক থীরবী ঐগীদমক্তা করিসু খনবী-ৱাবীরুগনু, ঐনা থোকপা তৌদুনা নুংশি নঙগীদমক্তা ঐহাক হিংজখিগনি [মথক্কীসিদা, ২৩],হয়েং তুংলমচত্তা নহাক্লা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল ফম্নবদা লাইবক থীবী ঐনা শাবী নহাক্কী ননাক্তা লাকচবা মতমদুদদি ঐবু কাউথোকপীরমগনু" —হায়না লংমাই পীতঙঙানা মশাবী খুঞ্জাওবদা হায়জরগা মশাবীগী নীঙখম লৌথোকপীরগা ফুরিৎ হৈরু (কুদাম) পানশিনবীখি। অদুগা ফি লেঙহুম নাইনা ইনশিনবীরগা মকোক্তা শমজীন চৌল্লিবদু লৌথোকপীরগা পাকলোই কোকয়েৎ য়েৎপীদুনা কাউবা ঙম্লরোয়দবা মওংদা পুকমেন-পাউমেন্নখিরম্মী। অদুগা মশামক্লা ফক্লাংগী পয়াশিং থদত্তুনা ফক্লাং কাথোকহন্নবা চিংথোক্তুনা মশাবীগী লম্বী ফাত্তোক্লন্দুনা মপুরোইব্বু ঈমুংদুদগী থোকহন্দখিদুনা য়েরুবশিংগী কোয়শিল্লিবা পন্নুংদুদগী নাম্থোকহনখি।

মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা নোংবাল্লোন পীতওঙা লীক্লু লৌথিবীগী মনাক্তগী ফক্লাং হোগায়দুনা থোক্লক্লবা মতুংদা অপাম-নুংশি শেৎননা য়েক্লবশিংগী পনগোয়নুংদগী নাম্বোক্লকখি। অদুগা মহাক্কী তাল্লোই নুংশিবী লংমাই পীতওঙানা তাক্লকপা লম্বী পরীং ইন্দুনা শেল্লোই-লংমাইগী মরমদমগী লমকন্নগী ঙমখৈ লাম্বোক্লখি অমসুং নোংয়ায় খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবগী মরৈপাক খুমন লৈপাক্তা শাইদাংলুনবা লাকখিরম্মী।

মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা লংমাই অচোং য়ুমলেনবম নিংঙোন নোংবাল্লোন পীতওঙা লীক্লু লৌথিবীগী ময়ুমদগী শেল্লোই-লংমাইশিংনা হাৎকে হায়দুনা হোৎনবদগী লংমাই পীতওঙানা কন্দুনা লোন্না নানথোক্লকপসিগী মতুং মতম পওকান কান্নদনা, য়ুগী ময়াই কাবদা পওথদুনা লৈরুরবা শেল্লোই-লংমাইশিংনা ৰাখল-লৌশিঙ তারক্লবদা মখুত্তা খুৎলাই পায়দুনা অমুকসু পুন্না হৌদুনা লংমাই অচোং য়ুমলেনবমগী ঈমুংদুদা থোঙ হাঙদোক্তুনা চওলগা মখোয়না লমন খুম্নবা পান্দমদা লাক্লিবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু মখুৎমক্লা ফংনা হকথেংননা হাৎকে হায়দুনা চওলকখি। অদুবু মহাক মখোয়না মফমদুদা কোয়শিন্দুনা থল্লম্বদুগী নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়বসি খওলকখিরম্মী। অদুবু শেল্লোই লংমাইগী নুপাশিং অদুনা মহাক্লা চেনখ্রিবসি লংমাই পীতওঙাগী থৌশীল-থৌরাংননি হায়বসিসু খওলমদে। অদুনা মখোয়না পীতওঙাদা — "হে ঈমোম ওইবী! নওগী নশাবী ওইবা মৈদিংঙুচাদু কদায়দা লৈবগে, নহাক্লা মহাকপু কদায়দা লোত্তুনা থল্লিবগে? মহাকপু লোত্তুনা থম্বগী করিসু কান্নবা ফংলোয় অমদি মহাকপু লোত্তুনা থম্বগী মতমসু নৎত্রে"। হায়দুনা থৌদুনা হংলম্মী। মদুদা পাইরক্কী লৌশিঙ চাওবী অমসুং তুংগী পোরম, পোথাংফম উনা লৌশিঙলবীদুনা, "হে শেল্লোই-লংমাই ঈপা-ঈতোন অমদি ঈবুং-ঈপ্পাশিং-ও! নখোয় পুম্নমক্লা নখুত্তা খুৎলাই পায়দুনা মহাকপু শেন্নদুনা শওবনি, নখোয়গী থৌদৌদুদা মহাক্লা চিংনদুনা লোন্না নাম্বোক্লবা পাম্বৈ থিদুনা নাম্বোক-চথোকখিবা শোয়দনা ওইগনি, নমোম ওইবী ঐদি খওহৌদে, কদোমদা নত্রগা কদায়দা চৎখি-থোকখিবগে হায়বসু খওহৌদে [মথক্কীসিদা, ২৭] হায়না হায়রকখি। অদুগা মখোন থোক্লসু কপ্লম্মী।

লংমাই পীতওঙাগী ৰাঙাং অমসুং মতৌদুদা শেল্লোই-লংমাইগী নুপাশিং অদু অমুক মখা তানা ঙাংবা-শকপা ঙমখিদ্রে। অদুগা মখোয় ময়াম পুন্না হৌদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু শেল্লোই-লংমাই চীঙনুংগী ঈরোক লাইচম, লোক-তাই, উমং-ৰামং, নারক - মোংশোংনচিংবা মফমশিংদা কোয়থি থিরম্মী। অদুবু মখোয়না মাবু ফংবা লৈখিদে অমসুং মখোয় কন্না অমতনসু মাগী লীখুন ফংবা ঙম্লদে। মখোয়না থিবা ফংদ্রবদুদা মৈদিংঙুচাসি শেল্লোই-লংমাই চীঙ্গোনগী ঙমখৈ নাম্বোক্তুনা চেনখিরম্লগনি, হায়না লেপ্পরে অদুবু মখোয়না পেন্দবদগী মহাক্লা চৎলম-চেল্লম্বা য়াবা লম্বী-লমদাংগী নাশোন অমসুং শউম য়েংদুনা অথেংবা অহিং ফাওবদা মাগী লম্বী য়েংলম্মী। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদি মতাল্লোইনা হায়রক-

তাক্লকপগী মতুং ইন্দুনা শেল্লোই-লংমাইগী মখা থংবা চীঙজীন্দা কুমথখিদুনা লিনৱাই (ঈৱীন) তুরেন লাম্বোক্লগা তুরেন খোংলমগী তুখুন পরীং ইন্দুনা চৎখিদুনা তাক্লা লাম্বোক্লগা মাকতিংগা লোন্নবা লমদম ফাওদুনা খুমন লৈপাক য়ৌনবা চৎখি। শেল্লোই লংমাইগী নুপাশিংনা মহাকপু থিবদা/তান্নরকপদা মাকতিং ফাওবা লাক্লম্নগা মফমদুদগী ময়ুমলোমদা হুনখি।

লংমাই পীতঙঙানা লংমাইচীঙদা

লংমাই লীকলু লৌথিবী লংমাই অচোং য়ুমলেনবমচনু পীতঙঙানা মশাবী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু য়েক্লবা শেল্লোই-লংমাই মচাশিংনা হাৎকে তৌবদগী কন্দুনা মহাক্কী ময়ুমদা য়াওঙ ইনবদগী খুমন লৈপাক্তা চেনহনখ্রগা মহাক মশাদি মহাক্কী হান্নগী ময়ুমদুদা অদুম লৈরম্মী। মহাক্লা মশাবী মপুরোইববু কন্নবা, চেনহনখিবগী থৌরাংদা ফক্লাংগী পয়াশিং থদৎ-লৌথোক্তুনা ফক্লাং হোগায়বা নত্রগা মচেৎ অমা ফক্তোকপা অদু মপুরোইবনা য়ুমদু থাদোকখিবা নুমিৎ নিংনী হুমনীগী মতুংদা অমুক শেমজিন-শাজিনখি। মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা মশুংলাংগী পাউথোকপীরবী লংমাই চনুসি মহাক্কী লেপখ্রবা পুক্লীঙ অদুদগী খোঙফম নামা ফাওবা তুংলোমদা হন্দোক্লখিদে, মাঙলোমদসু থাংজিনখিদে অমসুং নাকন য়েৎ-ওয়দসু থাংদোকখিদে। মহাক্লা নুজা খোয়দোম শেৎলকঙৈদগী নুংশিবা মাগী মথানুংদা তুমজরকপা মাগী ৱাখলদুদগী হোংদুনা পান্না লমলান চাজরুদে, মীরান মায়য়োক্লনা মীতোপ মায়থোং য়েংলুদে।

লংমাই পীতঙঙাগী মপন পম্বৌ নোংবান/নোংমাই ৱামৈলাম্বা, পুরৈরোম্বসি শেল্লোই-লংমাই নত্রগা নোংমাই ফুরুপ (শল্লাই) কী নিংথৌ ওইবদা নত্তনা নোংবান নত্রগা অঙোম কাংলুপ (য়েক)কী নিংথৌ (রেন) পুরৈরোম্বা ওইরম্বা, মশাগী মপুন্সি তেল্লকপনা ঙন্না নোঙ্গখিবা ওইরবসু শেল্লোই-লংমাইগী মরমদম-মরৈপাক্তা নত্তনা অঙোমগী লম, মরৈপাক অমসুং মখোয়না খুন্দা-লৈতারিবা, শন্দোক্তুনা পাল্লম্বা লমদম খুদিংমক্তা মহাকপু অমসুং মাগী ঈমুং-মনুং, মপারী-মমোম্নচিংবা পুন্নমকপু অঙোমগী মীওইশিং পুন্নমক্লা ঈকাই খুম্নবা, কিনা-হঙ্গোয়না তৌনবা অমসুং লুনা-চান্না লোইনবনি। অদুগা পীতঙঙাগী মপ্পা নোংবান/নোংমাই (লংমাই) চুগোক, অঙোমগী পুরৈরোম্বা (নিংথৌ অঙৌপানবা) ওইদ্রবসু শেল্লোই-লংমাই ফুরুপকী লুচিং-লঞ্জিংবা অমা ওইনা লৈরিবনা লংমাই পীতঙঙাদা শেল্লোই মচা কনানসু লংমাই নুপা অমতনসু উশীৎ-থৌওইদবা, করেম-কথায়নবা অমসুং হম্বনা য়েংবা ঙম্লমদে। মপন পম্বৌগী মিংচৎকী মরূম থুপতুনা অমসুং মপ্পাগী ঈকাই খুম্নবা, য়েংশিন-চেকশিনবীবা, শৌগৎ-য়োকখৎপীবা, অসিনচিংবগী মিৎয়েংগী মখাদা লংমাই পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবী মহাক্কী মপন-পম্বৌগী ময়ুম মরানগী মগাইদা লৈরি। মপ্পাগা

য়ুম তোংঙান্না চাকখুম পুন্দনা মতোম্‌তা তোপ্না লৈদুনসু শেল্লোই-লংমাই কনানা লাকচ-খুদুম চনবা ঙম্লমদে, মতোম্‌তা মনীঙ-মখা তম্না পাল্লম্মী।

শেল্লোই-লংমাইগী চোংচি চীঙমতোন, থরাম মোইকায় চীঙদা শেল্লোই চনুরা লংমাই পীতঙঙানা মশাবী খুঞ্জাওবনা মহাকপু থাদোক্তুনা ময়ুম নোংয়ায় লম, অদোন খুমন লৈপাক্তা হুইয়েন লাঞ্জেনখ্রবদা নুংশিবা মাবু লাইনীঙ ওই, অপাম্বা মাগী শক্তম্বু থম্মোই লাইয়ুমনুংদা লাক্তুনা নুজা মতোম লাক্কদবা মতমবু ঙাইদুনা পুন্সি লেপ্লি। মশাবী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী কোল্লোই মপাউ হংবা-থিবদি চোকথবা লৈতে। অদুবু নুংশিবা মাগী মপাউ ফংবা ঙমদ্রবদা মহাকপু বরম লেল্লমগনি, করি চা-থক্লমগনি, কনানা থৌগল তৌবীরমগনি, হায়বা ৱাহংশিং, হৌখ্রবা পুন্সিগী পুঙজা কয়া নুংশি নাক্তা লেনখিবশিংদু নীঙশিঙদুনা মতোম্‌তা হংজরগা অহাঙবদগী পাউখুম ঙাইখিরম্মী। অতৈ কনাগী ৱা তাদা, ৱারম-ৱাফম অতৈ খল্লুবা তৌদনা নুংশিজরিবা মাবুদা হঞ্জিন হঞ্জিন খন্দুনা লৈরম্মী। অয়েংবা-অউবা কনাগী মমিত্তসু নুজাগী অৱাবা উখোক-উহন্দে, নুংশুক-নুংজানবগী মতৌ তৌদে। তৌগদবা-পাংথোক্কদবা থবক্তা পুক্নীঙ থমদুনা মহাক্কী ৱাখন্দা পুরিবা মশাবী মাগী চেংলৌ শক্তমগা তীন্নহল্লি। থবক্না মশাবীগী থৌগল ওইদুনা চীঙমায়গী পামদা লৌরাং শূবনা কায়নবগী অৱাবা কাউদুনা নীঙজবা মতম ঙাইরি। মহাক্না চেৎনা থাজজৈ, মশাবী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী ৱাংঙম নিংথৌ ফম্বালদা ফম্বগী নুংঙাইরবা পাউদু নোংমদি নুজা মাগী নাপদা শোয়দনা য়ৌরকখিগনি। মতমদুদা নুংশিবা মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা পাম্মুবা মহাক্কী ওয়থংবদা ফম্বাল লাংদুনা, তাল্লোই নাক্তা থানা পাল্লখিগনি। মতম অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবদি নুজা পুন্সি লোমফদে, নুংশি ৱাখল থাফদে, হায়দুনা মতোম্‌তা ৱাখলগী পল্লোম্নুংদা থমজরি। শানৌ-লৈরাং ওইবী লংমাই পীতঙঙাদি শেল্লোই-লংমাই মচীঙলেন্দা মশাবী মপাউ ঙাইদুনা তেক্ত-কায়না পাল্লি।

লাইরেন নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইরকপা

চীঙঙু কশা নোংদম্বনা নমু লাইবক খেল্লাইথোংদা ইরকপা অৱা-নুংঙাই পুন্সিগী থৌদোকশিং খোইয়ুম কনানসু খেত্তোকপা ঙমদে। অদুনি মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী চীঙঙু মরাইবক অমসুং পুন্সিগী থৌদোকশিংসু মৈদিংঙুচা অসিনা মশানৌ তাল্লোই মরূম্বী লংমাই চনু পীতঙঙাগী হাক্কন-উকন্না শেল্লোই-লংমাই চীঙদগী নাম্থোক্তুনা লাঞ্জেল্লগা খুমন লৈপাক্তা থুংলরগা নোংয়ায় নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবদা চঙজফম লৌদুনা খুমন লৈপাক্তা লৈখ্রে। অদোন নোংয়ায় নিংথৌসিনা মমোম খয়োঈরোন কৈরুং হাঙবীবু মৈদিংঙুচাসিদা থাজদুনা ময়ুম শাবীদুনা নিংথৌ মমাক ওইনা য়োকখ্রে। অসুন্না খুমন লৈপাক্তা লৈরকপা কুমশীঙ খর হৌখ্রবদা ময়ুম কেগে মোইরাং লৈপাক্তা ঙাংঙোই

পুরীক্লাই সনা রাখুৰা/রাখ্বানা খুয়োল ৰাখোঙ ৰাপেংদুনা ৰা-হোঙবগী লাইথৌ অমসুং কুম্মৈ পাংথোকপদা য়াওরনবা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবদা পাউজেল থারক্লম্মী। মদুদা খুমন নিংথৌনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু মোইরাংদা পুবীদুনা ৰাহোঙবগী থৌরম অমসুং কুম্মৈদু য়াওহল্লম্মী। অদুগা মোইরাং নিংথৌ পুরীক্লাই সনা রাখ্বানা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদা মমোম ঈৰাংলোন নামুন চাওবী থাজদুনা পীরম্মী। অদুনা খুমন লৈপাক্তা ঈৰাংলোন নামুন তাওবী পুরক্তুনা খুমন নিংথৌ অমসুং মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা হল্লক্লম্মী।

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদা চেল্লিবা নিংথৌ ওইবা য়াবগী মতীক-ময়াইশিংদু খঙদুনা মহাক্না খঙজ-হৈজবা মহৈ-মশিঙ পুম্নমক তম্বী-তাকপীবা লোয়রবদা মখা তাবা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন্দান-শেনচৎলোন্নচিংবগী মহৈ-মশিঙশিং তমথরুনবগীদমক্তা লাঙ্গোন চীঙ্গোনগী নোংচুপ থংবা চীঙশাং পরেংগী মনীঙ/ নোংচুপলোম থংবা চীঙমায়দা লৈরিবা লুৰাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা পাল্লিবা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা চত্নুনা লৈরুনবা অমসুং মখা তমথরুনবা পাউতাক পীরম্মী। মদুদগী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা তাল্লোই অনি, খয়োঈরোন করুংহাঙবী অমসুং ঈৰাংলোন নামুন চাওবী পুদুনা লুৰাং পামং খুন্দা চৎখি-লৈখিদুনা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মহৈ-মশীঙ তম্বীবা, য়োকপী-কোনবীবনচিংবগী মিৎয়েং মখাদা লৈরকখি। মসিদগী মৈদিংঙুচাসিবু "হোঙনেম য়োঈ (হোঙনেম্না য়োকপী-কোনবীবা) খুঞ্জাও (বা)" হায়না মিংথোনখি। হায়রিবা মতমসিদা লংমাই পীতঙঙা শেল্লোই-চীঙগী চোংচি চীঙমতোন, থরাম মোইকায় চীঙগী য়ুম, মশাবী খুঞ্জাওবগা লৈমিন্নখিবা মোংবা মরানয়ায়গী শঙ্গায়দুদা মশাবী খুঞ্জাওববু লাইনীঙ ওইদুনা নুংশি মপাউ ভাইদুনা লৈরি।

মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওনা লুৰাং মকুবী চীঙগী নুংবান পামং খুন্দা লৈদুনা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবদা মহৈ-মশিঙ তমদুনা লৈরকপা চাহৈ কুমওন মরি-মঙা হৌখিদুনা খৃষ্ট কুমশীঙ ৬৫৮ দা কুম লেপ্লি। মতমসিদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা ৰাংঙম নিংথৌ মৈদিংঙু উরা কোম্বৌবা পুন্সি চেঙজেল লোমদুনা খমনুং শৰা তানখ্রে, পোইরৈ নিংথৌগী ফম্বাল হাঙদুনা মৈদিংঙুচা নাউহন অহনবা (হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবগী ময়াম্বুং অহন) না পোইরৈ লৈঙাকপা ওইনা নিংথৌ ফম্বাল ঙাক্লি। হায়রিবসিগী চাহৈ কুমওন মঙা চৎলকপা পোইরৈ অঙম-অথৌশিং অমসুং ৰাংঙম মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসুনা মৈতৈগী নিংথৌ ফম্বাল হাঙহৈদে, নিংথৌ ফম্বালসি হাঙহন্দনবা নিংথৌ ওইগদবা মীশক-মীওই খন্নরকপদা মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসুনা— মচানুপা অহন নাউহন অহানবা, পোইরৈ লৈঙাকপা ওইরিবসি মমিৎ উদে/তাঙঙি, অদুনা নিংথৌ ওইবা য়াদে; মথংগী মচানুপা য়ায়মা য়োয়চারোনসু হকচাংগী শরুক নামা শোয়, নিংথৌ ওইবা য়াদে; অদুগা মচানুপা অতোনবা নিংথৌ লাংঙাসু মবুক কংই, হকচাংগী ফিবম-ফিরেপ চাদে-চুমদে,

অদুনা নিংথৌ ওইবা য়াৰোয়। কোনুংদা লৈরিবা মচা অহুমসিনা নিংথৌ ওইবগী মতীক-ময়াইদা লঙজবা, য়োংনবা/লানবা অমসুং মতীক চাদবা ওইবনি। অদুগা মচানুপা য়াঈমগী মথং য়াইমা খুনজাওবা, লুৰাং মকুৰী চীঙদা মহৈ তমদুনা লৈরিবসিদি নিংথৌ ওইবগী মতীক-ময়াইদা অশোয়বা লৈতে, মাবু কৌরগা নিংথৌ হাপকদবনি— হায়বা ৰাফম পুথোক্লকপদগী হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওববু মৈতৈ কোনুংদা লাক্লনবা পাউ থারক্লম্মী।

খৃষ্ট কুমশীঙ ৬৬৩ চঙলকপদা মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবনা মৈতৈ কোনুংদগী অপোকপী মমা মৈতৈলৈমা অমসুং পোইরৈ লৈঙাক থৌপুবা অঙম-অথৌশিংনা থারকপা পাউ ফংলে। অদুবু মতমসিদা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুঙ্গিবনা তাইবং-মাল্লংপান থাদোক্তুনা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা কাখ্রবনা মহাক্কী অশি-লাইথৌ পাংথোকপা, পোৎলোয় হিথাবা, য়াইথোঙ শীঙ্জনবা, অসিনচিংবগী মথৌ-মঙমদা কোরৌ শীঙবুম খৰ লুৰাং পামংখুন্দা লৈরম্লগা মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবা পোইরৈ কংলৈ পুঙময়োন্দা হরাউ-তয়াম পাংথোক্তুনা মৈদিংঙু নাউথিংখোং হায়বা ফম্বাল মিংসিগা লোইননা পোইরৈ নিংথৌ ফম্বাল কাখি।

লংমাই পীতঙঙা মৈতৈ-কংলৈদা লাকপা

লংমাই লীকলু লৌথিবী নোংপাল্লোন পীতঙঙানা মপাম শেল্লোই-লংমাইচীঙগী চোংচি চীঙমতোন থরাম মোইকায়চীঙদা মশাবী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী নুংশি শক্তম্বু থম্মোই নুংদা লাৎচদুনা মশাবী মহাক্না পোইরৈ খুননিংথৌ ওইবা, নিংথৌ ফম্বাল ফম্বগী য়াৰা মপাউ ঙাইরিঙৈদা নোংমা, কোরৌ নোংজা অমদা খৌরাংনা ঙাইরিবা মপাউদো থুংলরে, মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা পোইরৈ নিংথৌ ওইদুনা মৈদিংঙু নাউথিংখোং মিংথোন্ননা ৰাংঙম নিংথৌ ফম্বাল ফমলে, হায়বসি লংমাই পীতঙঙা মশামক্না তারে। নুজা মহাক্না কুমওন কয়া লেপ্তুনা নীঙজরকপা লাইনীঙগী মহৈ য়াল্লে খঞ্জদুনা নুরা মোমোন মীনোকখি। খায়ন্নরমদায়গী পুঙজাদা হায়নখিবা ৰাফমগী মতুং ইন্না লংমাই লীকলু লৌথিবী পোইরৈ কংলৈ পুঙময়োন্দা চৎপা তাবনি, মশাবী মনাক্তা থুংলুবা তাবনি। নুংশিবা মহাক্কী মফমদা নিংঙোনগী লৈজবা পুম্বা কখোকখ্রবনি, হৌজিক পামুকাদা চৎপসিদা করি অমুক পুনীঙঙাই লৈরি। অদুবু নুংশিবা মহাকপু য়েক্লবশিংগী মখুত্তগী কন্নবা হোৎনবদা নিংঙোন্না পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নদুনা শংলৌ পাননি হায়দুনা পান শাদুনা ফুৎখিবা থৌদু নুঙদুম খৰসিদি পাম্মু মঙোন্দা লেন্নরুনবা, নুংশি খুদোল ওইনা উৎলুনবা পুরগে হায়দুনা নুরা শমদা হাপচিল্লে। চৎননবগী নুমিৎ তমদুনা থৌরাং পুম্বা লোয়শিল্লে। মদু-নিংথৌ লংমাই চুগোক, মচন-মনীঙনচিংবা ঈমুং-মনুং পুম্বা পাউতাক্লে, লৈকায় মচেম-মনেম, মবুং-মপ্পা পুন্নমক্তসু খঙহল্লে। অসুন্না লংমাই লীকলু লৌথিবী মতম কুইনা শেৎন-খায়নরবা মশাবী নাক্তা চৎলনি, পাম্মু কাদা থুংলুরবনি, হায়বগী ৰাখন্দা লুপ্তুনা নুংঙাই মথোই কাজরি।

লংমাই পীতঙঙানা মহাক্না তমজবা কৌরৌ নুমিৎ অদুদা মপাম লমদম থাদোক্তুনা পোইরৈ তম্পাক তারক্লে। য়ারল পাৎ তুংওইনরম, লীনৱাই ঈরম লান, কোংবা ঈচেন কৈনা তুপ্পা খুরায় লমলেন শমদুনা কংলৈ পুঙময়োনগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলক্লে, কংলৈ-পুঙময়োন কুরুম চীঙ (থেঙ্গ্রমচীঙ নত্রগা পুরুম তাইবীলোক) দা কোনুং ওইদুনা মোংবা শঙ্গায় শারিবা মফমদু তম্না লাক্লম্মী।

লংমাই পীতঙঙাগী নীঙবা কায়বা

লংমাই পীতঙঙানা মৈতৈ কোনুং তম্লকপা মতমসিদদি মহাক্কী ৱাখন্দু নুংঙাইরবা মঙলান্দা তাউদুনা চৎলম্মী। মশাবী মহাক্না নুজা মহাকপু লৈপাক পুবা অঙম্বশিং, শাথোঙ-লাম্থোঙ শীনবা অকন-অথৌশিং, মৈতৈ কোনুংগী য়োঙ্গবু-য়োঙ্গৈহেশিং অমসুং পোইরৈ মৈত্রবাক্কী খ্বাই মীয়ামগী মমাঙদা মশানৌ তাক্লোই-অহেনবীনি, হায়দুনা তরাম তরাম্না ওকপীগনি, পাম্মু-নুংশি তুংথ-মাঙথ চৎমিন্নদুনা কোনুংগী শঙ্গায় চঙমিন্নগনি; তয়ুম মদাইরেনশিংনা হৈরাং-লৈরাংগী লুকশিং চীঙঙু লাইদা কত্তুনা কুইনা খায়ন-কায়নরুবগী খোইয়ুম-লাইশিংবু ঈরাৎ-থেল্লাৎকনি, মহাক্না মশাবীগী নাক্তা ওয় থংনা ফমদুনা চীঙঙু লাইশিংবু খুরুম-খাজঙজগনি,— অসিনচিংবগী ৱাখলগী মঙলানশিংদা শমু মখোঙনা মহাকপু পুশিল্লক্তুনা কোনুংগী শঙ্গায়রেন য়ৌরক্লে।

মতম অদুদা চহি কুমওনগী কুমহৌবগী লোইদাম থাদুগী থাহৌবা কোরৌ নুমিৎ (শজিবু নোংমা পানবা) ওইবনা কোনুংগী ফম কাবী নুপীশিংগা অমাইবা-অমাইবীশিংগনা ঈরাৎ-থেল্লাৎ তৌবগী পরেং লেঙদুনা ফম্লগা লীরোন ঈশৈ শক্তুনা লাইনীঙ-লাইশোন তৌদুনা লাই খুরুম্লিবা অমসুং পুরুম-থৌনীরিবা মতমনি। অদুগা মসিদা লাইরেন মৈদিংঙু নাউথিংখোং, লংমাই পীতঙঙাগী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা য়েত্তা, খয়োঙ্গরোন কৈরুং হাঙ্বীনা মৈদিংঙুগী ওয়দা য়ুমগী লপলেন কাদা ফমফম্নদুনা মীয়াম পরেং শানা লেঙলগা ফম্লিবা মরক্তা নুংঙাই-মরাং কায়না হরাউ-তয়াম্নরি। মতমসিমক্তদা লংমাই লীকলু লৌথিবী নোংবাল্লোন পীতঙঙানা মৈদিংঙুগী শঙ্গায় কাখত্তুনা চঙলক্লগা থাঙঙা লপলেন কাসিদা পম্থদনা চঙশিল্লক্তুনা লাইরেন মৈদিংঙুগী মাঙদা লেপ্পরে। মহাকপু উবমক্তদা চেংলৌ শকখঙলবা মৈদিংঙুনা— "হে লংমাই পীতঙঙা! কাউঙমদ্রবী নুংশিবী! পলেম ঈমা শক্না ঐবু য়োক্লক-থাক্লকপী। ঐগী য়েৎথংবা নাকনসিদা ফমলরো, পোইরৈ লৈপাক ঙাকমিন্নরসি"— হায়না তরাম তরাম্না কৌশিল্লকখি। অদুবু মদুনা লংমাই পীতঙঙাগী পুকনীঙগী অনীঙবা পুন্নমক কায়খি অমসুং মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী খুৎকৌশিন-লাক্কৌশিন অদুদা লংমাই পীতঙঙানা খঞ্জখি— করি মতৌনো তৌরিবসিবো! অসুপ থুনা নুংশিববু কাউথোকখ্রে, ঐবু মতাল্লোয়নি নীঙশিঙদ্রে। মপন পল্লেম মমা ওইনা খন্দুনা ঐবু মাগী য়েত্তা ফমলো হায়বসিদি! শেল্লোই লংমাইচীঙগী ঈয়ুম ঈরানয়ায়দা—

শেল্লোই ঈপা-ঈতোন, লংমাই ঈবুং-ঈপ্বাশিংনা মহাকপু হাৎকনি হায়দুনা য়ুমদু কোয়শিনখ্রবদা মশানৌ মতাল্লোই ঐগী থৌরাংনা য়াইবী মথৰাই কল্লগা নাম্থোক্লবা লম্বী ফাৎলকবা, কায়ন-খায়নরমদায়গী মিকুপ্তুদা হায়নখিবা পুন্নমক্তু কাউখ্রে, ওন্থেকপনি নুপা ওইবগী পুকচেল"। অদুগা মহাক পাউখুম অমতা পীরমদনা মফমদু থাদোক্লুনা চৎখিরম্মী। মীয়ামদুগী হরাউবা মতৌ, চৎলিবা মনাৎকী থৌরম পরেংনা খুদক্তুদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লংমাই পীতঙঙাবু খাল্লমদে অমসুং থিরমদে।

লংমাই পীতঙঙানা লাই ওইখিবা

লংমাই পীতঙঙা লীকলু লৌথিবীনা মপাম শেল্লোই-লংমাইচীঙদগী মশাবী খুঞ্জাওবনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ওইরে, মহাকপু মৈতৈ তম্পাক্কী ৰাংঙম কোনুংদা উনরুরগনি, কুইনা ঙাইজরকপগী নুংঙাইবা মহৈদু ফংলগনি হায়না চৎলুরগা মশাবীগী ৰাঙাং তাবদা নীঙবা পুন্নমক কায়দুনা কোনুংগী শঙ্গায় য়ুমজাওগী থাঙঙা লপলেনকা থাদোক্লুনা থোরক্লবা মতমদা মমায় হাওরৈ খা পাংনা লাকখি। লমদম খর চৎলগা শাওনীঙবা অমসুং নীঙঙমদবনা মহাক্কী হকচাংদু চেন্থুগদৌরে। হৌখ্রবা পুন্সিগী থৌদোকশিং—শেল্লোই ঈশিংখোংদগী কারকপদা মশাবী মাবু থেংনবা, অপাম-নুংশি খন্দনা ৰারী-ৰাতাই শানরগা নুজাগী মশাইগোন্দা পুশিনবা, ঈচম চন্না অহিং নোংলেন-নোংফাইমিন্নবা, নুংশিবগী থৌরীনা পুনশিল্লকপা, অহল-লম্মনশিংদা খঙহন্দুনা নুহোঙবা অমসুং য়াওঙ ইনবা, শেল্লোই মপা-চা, লংমাই মবুং-মপ্বাশিংনা মশাবী হাৎকে লাকপা লৌওন-লৌথুপ তৌদুনা মশাবী কনবা অমসুং কায়নবা, অসি পুন্নমকসি নীঙশিঙদুনা মপুক্কীঙ পেন্না কপ্লে।

লংমাই পীতঙঙানা পামেল উখোঙ অমদা ফমথরে। মহাক্না শমদা হাপ্তুনা পুরকপা মশাবী কনবদা পান শাদুনা ফুৎখিবা থৌদু নুঙশিং অদু শমদগী লৌথোক্লগা উখোঙ অদুদা থম্লে। অদুগা নুঙদুমশিং অদুদা শঙত্রিক য়েংলগা অমুক মিৎলুদা পীরাং শীন্থরক্লে। অদুগা নুঙশিং অদুদা কপ্পা কপ্পা হায়রকখি— "হে থৌদু নুঙশিং-ও ! নখোয়দি ফুৎলবসু তুমদে, মাঙদে অমসুং নখোয়গী চেংলৌ নশক ওন্দে, অদুবু নুপা ওইবগী মফমদদি নুংশিবগী মশক মাঙখ্রে, নুপা ওইবগী পুকচেলসু ওনখ্রে, অদুনা নখোয়না খুদম ওইবা নুংশিবদু লৈত্রে, মাঙখ্রে, নখোয়না ঐগী ঈনাক্তা লৈবগী কান্নবা লৈত্রে, অদুনা নখোয় ঙসিদগী মফম অসিদা পামেল উখোঙসিদা লৈহৌরো" — হায়রগা মফমদু থাদোক্লুনা চৎখ্রে।

শেল্লোই-লংমাই চনু অসিনা মপাম শেল্লোই-লংমাই চীঙদা হনবসু ঙম্লরোয়, মশাবী মৈদিংঙুগী মনাক্তসু অমুক হন্না চঙলরোয় হায়না মশাগী ৰারেপ লৌজরে। নমু তাইবং

মীরমলেন অসিদা মহাক্কী লৈফম লৈত্রবগুম খল্লক্লে। পোক্লবদি শিগদবনি, শিরবদি পোক্লক্কদবনি, হন্দক্কী মপোক লাংওনসিদা নীঙবা থুংঙু হায়না কশা নোংদম্বা মহাক্লা তম্বীরমদ্রে। হয়েংমুক্কী মপোক্তা নীঙবা থুংলুনবা অমদি নুংশি ৱাইথুংননবা চীঙঙু লাইগী খুৎয়া তাল্লগে, হায়না চেৎনা লেপ্লদুনা মশাগী থৌরাং পুন্নমক লোয়দুনা খোইয়ুম লাইরক্তা তীনখরে। খোইমোম য়ুমজাও লৈমা/লাইরেম্মা, মৈতে নিংথৌগী হাক্কন-উকন ওইবী, অয়োক-অকন তৌবী, থোক্ল-ওইরক্কদৌবা খুদোংথীবা থৌদোক্কী মাঙজৌননা পাউতাকপীবী অমসুং লাক্কদবা য়াইফ-থৌদোক্কী চানবী-থৌজানবীদুনা চাক্কু-লনকুবীবীনা লংমাই পীতঙঙা লীকলু লৌথিবীবু তরাম্না ওক্কুনা খোইমোম মকাইফমদা পুশিন্দুনা নীঙথিনা থম্বীখি। মহাক্কী য়াইবী থৱাই মঙাবু খোইমোম মতীক-মঙম লনকুবীখি।

ৱাখোম-ৱায়োয়

মথক্তা থমজরিবা মৈত্রবাক্কী পারারী-পুৱারীগী পরীংদা লাইরিক-লাইশূগী অৱাংবা থাক্কী পরমদা ময়েক লানা তাদুনা লৈরিবী মশাবী-মপুরোইবা নীঙবী লংমাই/ নোংমাই অচোং য়ীমলেনবম (হৌজিক্কী অঙোম য়েক্কী "য়ুলেম্লম্বম" শাগৈ/য়ুমনাক) নিংঙোন/চনু নোংবাল্লোন পীতঙঙানা মপুরোইবা ৱাংঙম নিংথৌমচা খুঞ্জাওবগী পুন্সি/য়াইবী/থৱাই কনখিবগী ৱারীসিনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোন, অমসুং খুন্নাইলোনগী লমদাংশিংদা পুরক্লিবা ৱাফমদি, "নুংশিবা" হায়বসি হিরম-ৱারম অমসুং মরী-মতা ওইনবগী লীপুন পুন্নমক্কী মথক্তা লৈ, হায়বসিনি। হায়জরিবা ৱাফমসিদা পুক্লীঙ-হকচাং থমজদুনা মশাগী লৈজবা পুন্নমক কখোক্তুনা মপুরোইবগী থৌগন তৌজরিবী চনুরা নিংঙোনশিংঙু "মপুরোইবা নীঙবী" হায়বা কাংলুপ-শীঙলুপসিগী মখাদা/মনুংদা থম্লে। হায়জরিবা ৱাফমসিদা মিৎয়েং থমজদুনা লংমাই পীতঙঙাগী শক্তম অসিদা য়েংলকপদা মহাকসি থোইদোক্লা লৌশিঙ লৈরবী, অফবা ৱাখল-লৌশিঙগী মঙাল লৈরবী অমদি মীকৌ-মীওক হৈনা থবক পাংথোকপা ঙম্বীনি। নোংবাল্লোই পীতঙঙাসি ফিদমনীঙঙাই ওইনা মপুরোইবা নীঙবী অমসুং "লীক্লু লৌথিবী" হায়বা মিংথোল পীবদা মতীক চারবী নুপী ওইবীগী শক্তম অমনি। মহাক্কী মপুরোইবা নীঙবগী থৌদৌ-থৌপাং অমসুং মহাক্লা তাল্লোই অমা ওইনা মপুরোইবা নীঙজবগী থৌওংদি, ৱাফমশিং অসিগীদমক্তা মহাক্কী মথৱাই ফাওবা কখোকপা ঙমখিবী, অথোইবী মৈতে চনু অমনি।

মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী থম্মোইদা নোংবাল্লোন পীতঙঙাগী মফম

মৈদিংঙু লাইরেন নাউথিংখোংগী থম্মোইদা শেললোই-লংমাইচনু নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীগী মুৎনাইদ্রবা মফম অমা কল্লিবসি মপুরোইবা নীঙবী অচোং য়ীমলেনবম নিংঙোনসিনা মপুরোইবগী মথৱাই কনখিবা অমসুং মপুরোইববু মপুরোইবা

ওইনা মতম চুপ্লদা নীঙখিবা, অদুগুম্বা থম্মোইদুগী তৌবীমল উৎপা অমসুং মহাক্কী শীঙথানীঙঙাই ওইরবা কখোকপা ঙম্বগী পুকচেল অদুগীদমক্তনি। লংমাই পীতঙঙানা মহাক্না য়াইবী থৰাই কঞ্জখিবা মপুরোইবসিগী নুংশি লাইনীঙদু মতম পুন্নমক্তা থাদোক্তে অমদি মহাক্কী অৰা-অনা অমসুং য়াইফ-নুংঙাইগী পাউ পুন্নমক লৌজরম্মী। মহাক্না মপুরোইবনা খয়োঙ্গৈরোন কৈরুং হাঙবী, খমশূরোন চীঙয়াইশূ অমসুং ঈৰাংলোন নামুন চাওবীবু তাল্লোই শীঙদা চনবদা করিসু মিহৌ-খম্বনবা লৈখিদে।

মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা লুৰাং মকুবী চীঙগী পামং খুন্দা নুংবান হোঙলেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহৈ-মশিঙ তাকপী-তম্বীদুনা য়োকপী-য়োঙ্গৈবীদুনা লৈরম্বদগী হোঙনেম লুৰাং নিংথৌনা নোঙ্গাখ্রবা অমসুং মৈদিংঙুচাগী মপা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা নোঙ্গাখ্রদুনা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালগীদমক কৌরক্তুনা নিংথৌ ফম্বাল খৃঃ ৬৬৩ দা কাদুনা ৰাংঙম নিংথৌ ওইনা পানখিরম্মী। মপুরোইবগী য়াইফরবা পাউসি তারদুনা মপুরোইবগী শেগা থুপচবা, মরূম থুপ্পা হিংজবা য়াবগী মতম লাক্লে হায়না খঞ্জদুনা নিংঙোনগী মপাম শেল্লোই-লংমাই চীঙগী ময়ুম মকাইফম থাদোক্লগা পোইরৈ তমদা তারক্তুনা কুমথরকখিরম্মী। অদুগা মৈতৈ কোনুংদা চঙদুনা মপুরোইবা উনরম্লগা মহাক্না নীঙজরকপগা মপুরোইবনা খল্লিবা ৰাখনগা তাইওন্নরে খঞ্জদুনা মশা মতোম্তা মথৰাই থাদোকখি। মপুরোইবনদি তীল্লিবা ময়ামদুগী মমাঙদা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ, চঙজফম লৈত্রবা, লেকফম-চাফম লৈত্রবা মতমদা লেকফম-চাফম পীদুনা মমা অমনা মচাগী মফমদা তৌবা অদুগুম্না লাংগোল্লকপীনি হায়না লেন্নজনীঙদুনা অমসুং মহাক্না নিংথৌ ওইবা ফংলিবদু লংমাই পীতঙঙা মহাক্না মথৰাই কন্নবীখিবা অদুনা ওইবা ফংলিবনি হায়না খ্বাই-ময়ামদুদা উথোক্তুনা মহাক লৈরি হায়না চাওথোকচবা-পোঙথোকচবা অমসুং উৎচনীঙদুনা মনাক্তা য়েত্তা ফমলো লা-উ, হায়বনি, হায়বগী ৰাখনসি ওন্ননা লৌদুনা খয়োঙ্গৈরোন কৈরুং হাঙবী মমাঙদা তাল্লোই নত্তে, হায়বা উৎনীঙদুনা য়েত্তা ফমলো-লাউ হায়বনি হায়না ৰাখল শেরান্ননা লৌদুনা ৰা অমতা খুল্লমদনা থোকখিদুনা মফমদু থাদোকখিবনি। অদুগা লাইরেন নাউথিংখোংনা তাল্লোই ওইনা অথাপ্পা মফমদগী ফাওবা লাক্লবী মহাক্না অদুক থুনা অদুম্না থৰাই কথোকখিগনি, পুন্সি মাঙহনখিগনি হায়বসি থাজরুদবনা থৌরমদু পাংথোকপা লোয়রবা মতুংদা উনরগে, কোননা ৰারী-ৰাতাই শারগে হায়না খনখিদুনা লংমাই পীতঙঙাবু খুদক্তদা খামলমদবা অমসুং থিরমদবা ওইরম্বা য়াই। মীনা নীঙবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়দুনা তাইয়োন্না ৰাখন্দগী তাইয়োন্নবা থৌদোক্তু থোকখিবনি।

মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লংমাই পীতঙঙানা তৌখ্রিবা মতৌদুদা মশা মতোম্তনা মতোমতবু পেঞ্জদবা, মপুক্কীঙ নুংশিবা অমদি নীঙমহৌদবগী ৰাখলশিংনা মফাং-মফাংনা য়োমশিন-কুপশিল্লদুনা তৌফম-খাঙফম খঙদনা, কপশি কপঙমদনা, চেংলৌ মিত্তনা

য়েংলগা অৱাবদূ খাঙখি। হায়রিবা নুংশি-ৰাকাউঙমদবগী কৈনীঙচিংকী নীঙমদবসিনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নোংবাল্লোন পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীগী মপাম-মরৈপুঙ শেল্লোই-লংমাইচীঙসিগী চীঙথক চীঙয়াঙদা চেনবা ঈচেন/তুরেন চেঙকোয় নারল-ঈ (চীঙ্গোয় তুরেন) দা নুজা মহাকপু কাউদনবা নীঙশিঙদুনা ঈরুপ্পগী থৌরম অমা চাহে কুমওনগী চীঙথাউ/চীঙথ্রাউ লৈনা লৈশাৎ তম্লকপা লোইদাম থাজগী কোরৌ নোং শিথরকপা থাজনা থাশি ওইগদবা নুমিৎ শীঙবুম নিনী ৰাংলৈঙে (লোইদাম লমতা থাগী ২৮ নি পানবা) দা পাংথোকপা হৌথিরম্মী। নুংশিবগী থম্মোই লাইয়ুমনুংদা মহাক্কী নীঙশিঙ থৌরমসিনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ-মতাল্লোই নুংশিবী লংমাই পীতঙঙাগী নুংশি-লমন শীঙবীখি— [মথক্কীসিদা, ৮৫-৮৬]। অসুমনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী থম্মোইদা লংমাই পীতঙঙাগী মফম অমা ময়েক লানা কন্দুনা লৈ।

হৌজিক্কী লাইথৌদা

লংমাই/ নোংমাই অচোং য়ীপ্লেনবম চনু পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীনা মপুরোইবা মৈদিংঙু লাইরেন নাউথিংখোংগী য়াইবী মথৱাই কনখিবা অমসুং মশাগী নুংশিবগী ঈকাই খুম্নবা কন্নবগীদমক্তা পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীসিনা মশাগী মথৱাই কথোকখিবগী ৱারী-শীঙবুনসিদগী হৌজিক ফংজরিবদি— মৈতৈ মী-কাংলুপসিগী চহিগী লাইথৌ-থৌরম ওইনা পাংথোক্লিবা চীঙ্গোয় ঈরুপ্পা অসি মৈদিংঙু নোংচুপ/ভালোক ৱাইরং পামহৈবা নত্রগা চৌরজিৎ নিংথৌরেন (খৃ: ১৮০৪-১৪) গী স্না হাক্তক্তা পাংথোকপগী ৱারোল চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা লাইরিক্তা য়াওরি, মদুদি ঃ—

... ঈরোম কোইবগী কুম শক ১৭২৬... লমতা থা... ২৮ নি ঈরাই (খৃ:১৮০৪গী মার্চ ২৯)দা মহারাজনা চেঙ্গোইদা ঈরুপ্পা চৎপদা ঈরীন্দা শামুগী তায় চেপথৈ ।... [চৈথা: কুম: ২০০৫,১৮৯]... ।

অসিনি। অদুবু মসি হিন্দুগী বারুনী লাইথৌ নুমিত্তা ভগবান শিব (মতম চুপ্পদা য়াইফবা পীনবীবা চীঙঙু) মহাদেব (অচৌবা লাই) বু খুরুমসি হায়দুনা মৈদিঙু চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃ: ১৮৫০-৮৬) গী সনা হাক্তক্তা হাপচিল্লক্তুনসু চেঙ্গোয়/চীঙ্গোই তুরেন্দা ঈরুপ্পগী লাইথৌসিগী ঈরুপ্পগী-থৌরম অসিদি থাদোক্লদে। মরম অসিনা নোংবাল্লোন/লংমাই পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীনা মপুরোইবা কনখিবগী থৌদোকসিগী ৱারী লিখুনসি মুত্রি, হৌজিক ফাওবদসু নীঙশিঙলি অমসুং নীঙশিঙ উরোঙ খীল্লি— হায়বসিনি।

১২

খয়োঙ্গৈরোন কৈরু(রুং) হাঙবী

ৱাহৌদোক

"হাওরৈ খানা পাংবরমদা ইয়ু নোংয়াই খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবদা ৱাইথুংলুরে। লাইরেন মনোংয়াই ঐবু য়োয়না থৌজান মায়য়োক্লনা নাউয়োকঙমমে। নোংয়াই মঙোন্দা য়ুমকারে, অদোন মঙোন্দা চাকতাংএ।। মমোম খুয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবীবু লাইরেন মনোংয়াই ঐঙোন্দা কাওজনঙম্মে। ময়িম নোংয়াইপুঙদা কোপ্লোয় তৈনা শানা য়াংগোয়রবদা..." [নি:খে:স:, ১৯৬৭,৫৯]

মথক্তা থমজরিবা "নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা" কৌবা পুয়াদগী লৌথোক্লপা ৱারেং মতেক অসিদা য়াওরি-পল্লিবা "খয়োঙ্গৈরোন কৈরু(রুং) হাঙবী" হায়রবী খুমন চনু অসি, মৈতৈ নিংথৌ নাউথিংখোং (চাওরাক্লা খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) গী অনিশুবী তাল্লোইনি। মহাকপু পল্লিবা মতাংসি মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা (হোঙনেময়োঙ্গৈ খুঞ্জাওবা নত্রগা নাউথিংখোং) না শেল্লোই লংমাইচীঙদগী থৱাই হিংনবা খুমন লৈপাক্তা চেল্লকপদা খুমন নিংথৌনা তরাম তরান্না ওকপীদুনা লুনা চান্না তৌবীরকপা, মচানুপী খয়োঙ্গৈরোন পীদুনা য়োকপী-থাকপীরকপা অমসুং নাউয়োক-নাউকোনবীরকপগী ৱাফমসি মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবসিনা লৈঙাক্লোন, ৱায়েল্লোন-চৈরাক্লোন, খুনশেম-লৈশমলোন শেন্দান-শেনচৎলোন্নচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্নবা লুৱাং মকুবীচীঙগী নুংবান পামং খুন্দা, হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা লাকপগী থুংলবা মতমদা, হোঙনেম লুৱাং নিংথৌসিনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদা, "কনানো, কদায়দগী, কমদৌনা, করিগীদমক লাকপনো, হায়না ৱাহং-পাউহংলকপদা মৈদিংঙুচা অসিনা মশাবু শক্তাকপা অমসুং ৱারী-ৱাফমশিং তাকপা-লীবদা হায়খিবা ৱাফমশিংদা পল্লিবনি।

খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবীগী পুন্সি-ৱারী

খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবী, খৃষ্টগী ৭শুবা অমসুং ৮শুবা চহি চামা অনিগী লোন্নবগী মরক্তা খুমন লৈপাক্তা পাল্লম্বা খুমন নোংয়াঙ্গৈ নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবা (য়ুগী

মাইবা ওইবা) না খুমনলৈমা ঙাননুরোন (ঙানবা শল্লাইগী-চনু/নিংঙোন ওইবী নুপী) পীয়ারোক [পীয়ারোক কৌখিবদি মনীঙ-মচন ওইবী খয়োঙ্গৈরোন ঙানু থুম্বীগা লোইননা লন-থুমগী লাইরেম্মা য়ুমোইনু অহোঙবীবু লুনা-চান্না নাউয়োক-নাউকোনমিন্নবদগী কৌখিবনি (ব:ক:শ:, ১৯৯৮,৩৮-৩৯)] পানদুনা নোংয়াঙ্গৈ লৈকোয়পুঙ (হৌজিক্কী ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক অৱাং লৈকায়দা লৈরিবা খুমনগী কোনুংগী মফম) দা পোকখিবী মমোম লাংলেনহন্নি। মহাক্কী মখাদা মপ্পা অমা লৈ, মমিংনা অদোন নোংয়াঙ্গৈ য়োঙ্গৈথোংঙাই কৌই, কোন্না খুমন লৈপাক্কী নিংথৌ ওইখি। খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবী পীক্লিঙৈদগী থৌনা ফবী, পানবা কৈরেন অথৌবা, মখুৎনা শোয়রবসু ময়ানা হৈবা, ময়ানা শোয়রবসু মখুৎনা ফাবা শাবু কিদবী, কৈ মাগী অশিবা মশাগী মউ-মতোঙবু শেত্তোক-ফাত্তোক্লা মরূ-ময়াঙ ফংনা-উনবা হাঙদোকপা হৈবীনি হায়দুনা কোনলোয় মমিংথোংবু কৈরূ/কৈরু হাঙবী থোনখি-কৌখিবীনি।

চাওরক-শাংলকপা অমসুং মহৈ-মশিঙ

খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবী, পন্থৌ পুন্সি য়ুমোইবা নোংয়াঙ্গৈ নিংথৌ অমসুং ঙাননুরোন পীয়ারোক খুমন লৈমা অনিগী মিৎয়েং মখাদা খুমন কংলৈপুঙ, অদোন শাংবয়াঙ্গৈদা চাওরকখি। পল্লেম-পন্থৌগী কোকহন-লাইহন ওইবী মমোম ওইবনা তরা চাকপুম শায়না ইন, লেমলৈ মতোঙ শৎনা তংহন্না পোনা-পমনা য়োক্লিকখি। পীশক-পীক্লিঙৈদগী নীঙঙাই চাওবী, চক্রি কনবী অমসুং ৱাথোক-লাম্থোক চেনবী ওইরকখিদে। পল্লেম ফমুংদা কোন-না তা, নাউশুম ফমুংদা শাংনা হীপ, অঙাং নাউৱা ওইরিঙৈদা মনীঙ তন্না লেল্লকখি। শন শানা চৎপা ঙম্লকপদগী লেপনা কোয়না চৎলকপগী মতম ফাওরদা পল্লেম খোমলাং মায়য়োক্লবা মতমদা নত্তনা পল্লেম ফৈরা তাজীন থক তম্পাক ফৈবাক তান্দা ফল্লক্তে, কোয়চেন চেন্না শান্নরকখি। মদু-মপা লৈরক্লবা মতমদা পীক্লিবী মহাক্না মপ্পাগী হাক্কন চঙজবদা পল্লেম-পন্থৌনা কুম্মৈ ওইজে। খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবীনা মশাগী চহি ৬/৭ (তরুক/তরেৎ) শুরকপা মতমদগী পল্লেম মমা ঙাননুরোনগী ঈমূং-মনুংগী থবক-ইনখাং শূ-নোম্বগী মতৌ তমদুনা চাকথোংবী শান্নবা, খ্বাঙগী ঈয়োংদা ফিশাবগী মতৌ তম্বা, ঈমুংগী ৱাইশীৎ-লমশেংবগী মওং তমদুনা শান্নবা, অসিনচিংবগী মহৈ-মশিঙশিং, মতৌ তমদুনা শান্নবনা মহৈ তম্বা হৌরকখি।

কৈরু হাঙবীসিনা লৈশাগী মতৌ তমখৎলকপা মশাগী চহি ১২ (তরানীথোই) চঙলকপা মতমদগী মতমদুগী খুমন খুন্নাইদা হিংলম্বা লৈশা ফান্দা মিং চন্দুনা লৈশাফান কাবা হৌরকখি। লৈশা ফানসি খুমন লৈকোয়পুঙ নোংয়াঙ্গৈ য়োঙ্গৈকংলাদা লীংবা ফাননি। মসিদগী মহাক্না লৈশা ওইবীগী শীনফম-শীল্লম, মোইথাপ নাইবা, তুনুং লংজা চিংথোকপা,

তৌওৎ-তমং পায়দুনা তুনুং লংজা য়েৎশীনবা, লংজাগী লংখাই শাবা, কপত্রেং লৈদুনা শীনৌ লশিঙগী মরু লৌথোকপা, তরেং লৈদুনা লংচাক চাকপা, মাক্লৌ ফিশানবা ফিহৌবা, চরৈ ফিশাবনচিংবা ফিশা-লোনশাগী মহৈশিং তম্লখি। অদুদসু নত্তনা চরৈ ফিরোন, মাক্লৌ ফিরীবা, পাংয়োক ঈয়োংদা ফিশাবা, খুনেৎ নাকতৈ কাংদুনা তুনুং লংচাক য়াওরবা তেম (মমৈদা পাঙন-তেম/পাঙন্দেম) য়েৎনা হুল্লগা শমু ওয়না ওক, ওয়না হুল্লগা শমু য়েৎনা ওক্তুনা শমচেৎ তেমথেং পীদুনা চরৈ ফিশাবসু শীন্দল্লকখি। অদুগা কোল্লোয় মশঙ্গাইদা নিংঙোন-কা তোপ্না নাই, ফিশা-কা তোংঙান্না খায়না নিংঙোন শীনশূ-শীষ্থাবা মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) গী মতমদগী হৌরকখি। অসুন্না ঈমুং-মনুংগী চাকথোং-ফৌশু, খোম-য়ু হাওদৈ শেম্বা, ফিশূ-ফিজাম্বনচিংবগী থবকসু য়াওনা নুপীচাগী শীল্লম-শীষ্থা কয়াসু তমনা-তমনা শূরক-নোল্লকখি।

মরান তেংনা য়ুমগাবা

খয়োঈরোন কৈরু হাঙবীনা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) শুরক-চঙলকপা লাংবন থাগী কোরৌ নুমিৎ অমদা তাখি— ময়ুম শেল্লোই-লংমাইচীঙদগী তম্বা মথোক লকপা, অৰাং পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ পনম নুমিৎথোকপু চুনবা নত্রগা শাৰা-চেক্লা উরা কোনথৌবা (খৃ:৫৬৮-৬৫৮) কোল্লোয়নবগী মপারী অমা নোংয়াঈ খুমন লৈকোয়পুঙ, "নোংয়াঈ ফেনতা লৈকোয়পুঙ তাওতেক কোননা-তা" কৌবদুদা ৰাইথুংলরে, মপন পন্থৌ নিংথৌনা তরান্না ওকপীদুনা ৰারী-ৰাতাই শারি— হায়না হায়নখি। মৈদিংঙুচা মহাক্তো চেংলৌ শককোয় হেল্লি, হায়বদি তায়, অদুবু চেংলৌ মমিৎমক্নদি পাখং মাগী চেংলৌ শক্তম উজদ্রি। মতুং নুমিৎ খরনী হৌখ্রবদা অমুক তারে— মপন পন্থৌ নিংথৌ অদোন নোংয়াই পুন্সিবা য়ুমোইবনা মমোম কৈরু হাঙবীবু মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা, লোক-ঈ শেল্লোই নাইদা থাজরে হায়বা। পন্থৌ ময়াথং কোক্তা থোংনা শকখঙনদ্রিবা মৈদিংঙুচাদা খুমনগী চৎনবী ৰায়েন ইন্না মরান নুহোঙ-খোঙদোংলে। নুহোঙবগী ঈনুং নুমিদাংদুদা মশাবী মপুরোইবা ওইরবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগা শকখঙ-মায়খঙনরে। নুংশি শক্তম অহেনববু উজরবদা পায়মা খৈনা খোয়জঙলবগী নিংঙোনগী য়াইবী থৰাইগা শমু হকচাংগা কৎচরে। অপাম-নুংশি ৰাইথুংনবা, হানননা শক-মায়খঙননা অপাম কাদা থুংনসি, নুংশি নাক্তা ৰাইথুংনসি শরী-নামুংনবা লৈশা-পাখংগুম নুজা' পুন্সি কৎনা মৈতৈ নিংথৌমচাদা ওঙজরে।

খয়োঈরোন কৈরু হাঙবীনা নোংয়াঈ-খুমন কংলৈপুঙগী কংলা মেন তোংনফম কোনুং চাওগোয়নুংদা মৈদিংঙু মচা মহাক্কী তৈনা শাবা, তোপ্না লৈবা শঙ্গাইদা মশাবী মনেম্মচাগী থৌগন তৌদুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা চেপ্না তাগে মনীঙ তম্, কোলনা হীপকে মখা তৌনা পাললক্লে। নুজা থৌগন নীঙথিবনা মৈদিংঙুচাগী মপুক্লীঙ পেনহন্দুনা

লংমাইচনু পিতঙঙাগী কায়না' মৈশা লাংবনা অশাবগী মনীন্দা ঙৌরবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী থম্মোইদা অঈংবা ঈরীক খীক্লে, ৱাখল' লাংজা পুনদুনা চীবোন চীবোন লেপ্লবা হরাউ য়াকা তম্লক্লে। মশানৌগী নাক্তা ফমদুনা নুংশি-নুংওন ৱারী শারক্লে, তীঙখং অমনা য়ুরবদি তীঙখং অমনা হললি, হায়বদুনি, মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী পূক্লীঙ-ৱাখন্দা খায়ন-মৈচাক্কী মকোন শারম্বদু থুগায়দুনা হরাউ-নুংঙাইবগী মহুম ওল্লক্লে।

কুমচৎ-থাচৎনা পূরকপা থৌদোক্কী পরীং-পরেংনা কেগে মোইরাং লৈপাক্কী খুয়োল ৱাখোঙ পেংবগী তেবী তেশাৱা হোঙদুনা থৌনীবগী লাইথৌ কুম্মৈ লাক্লে। কেগে মোইরাং নিংথৌ পুরীক্লাই সনা রাখুৱা (রাখ্বা) না খুমন নিংথৌ অদোন পুথিবা য়ুমোইববু খুয়োল ৱাখোঙ পেংবগী লাইথৌ কুম্মৈদা শরুক য়াবীরবা পাউজেল-পাউকৎ থারক্লে। খুমন নিংথৌনা ময়ুম মোইরাংগী কেগে চাওবপুঙ, ঙাংঙোই শাংবয়ায়দা খুয়োল ৱাপেংবগী লাইথৌ কুম্মৈ য়াওবা চৎপসিদা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু পুদুনা চৎলম্মী। কেগে মোইরাং নিংথৌনা মৈদিংঙুচসিগী চেংলৌ শকথোঙ উবদা পায়মা পীবুক নুংওনখি। চেংলৌ মশক খঙদ্রিবা মহাকপু খুমন নিংথৌনা চেংলৌ শক্তাক্লকপা, কোল্লোয় মমিং হায়রকপা অমসুং অৱাং পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মচানি তাক্লকপদা মমোম লাংলেন পীদুনা মৈতৈগা ঙাই-শেন ওইগে খন্দুনা মৈদিংঙুচাদা চীঙ্গোয় মপাউ হংলবদা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা তুংলমচৎকী লৈঙাক্লোনগী মরীদা হেন্না চেৎনবা অমসুং শাফনবগী পরমদা মিৎয়েং থমদুনা য়ারে। অদুনা কেগে মোইরাং নিংথৌ সনা রাখুৱানা মশানৌ মোইরাং লৈমা চীঙঙু লৈমা নোংখাই নিংথৌচনু য়াইপীলীক [ও:ভ: ১৯৮২,৮০] না পোকপী ঈৱাংলোন নামুন চাওবীবু মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা মোইরাং খুন্নাইলোনগী লৌনা-লৈনবগী চৎনবী ৱায়েনগী মতুং ইন্না নুহোঙলগা মহাকপু অওঙ-অউনগা লোইননা খুমন লৈপাক্তা খয়োঈরোন কৈরু হাঙবীগী মনাক্তা হল্লকখিরম্মী। অসুন্না খুমন কংলৈপুঙদা লৈমা কৈরু হাঙবী অমসুং লৈমা নামুন চাওবী তাল্লোই অনিগা লোইননা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা পাল্লক্লম্মী।

খুনহোং-লৈহোংবা

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবা নহা ওইরিঙৈদো নীঙথিনা মহৈ-মশিঙ তম্লকপা, লাইনীঙলোন, ৱাউঙলোন (Philosophy), লৈঙাক্লোন, ৱায়েন-চৈরাক্লোন্নচিংবা মহৈ-মশিঙশিং তম্লকখি, হায়রিবা মহৈশিংসিগী অখঙ-অহৈশিং— মঙাং লাইনীঙশিঙ, হোঙনেম লুৱাং নিংথৌনচিংবা খল্লকই অমসুং তীন্নরকই। অদুনা মীগী মায়থোঙ য়েংল-উরগা মাগী লোত্তুনা লৈরিবা মহী-ময়াই, মতীক-মঙন্নচিংবা খঙবা ঙম্লম্মী। মহাক্লা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী মায়থোঙদা তারিবা তুংমলচত্তা নিংথৌ ওইরগদবগী মমি অদু খঙবা ঙম্লম্মী।

মরম অসিনা মহাক (খুঞ্জাওবা) পু নিংথৌ ওইবশিংনা খঙদ-হৈতবা য়াদ্রবা মহৈ-মশিঙ, ৱায়েন-পথাপ, লৈঙাকপগী পরীং-মরম্নচিংবগী লৌশিঙশিংসি লৈহন্দবা য়াদে, খঙহন-তমহন্দবা য়াদে হায়না চেৎনা লেপ্লম্মী। মরম অসিনা মহাক্না মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা মাগী মফমদগী মহৈ-মশিঙ তম্নবা থাগে, হায়দুনা খল্লম্মী. অমসুং থারক্লম্মী। অদুগা মহাক্না হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ লৈফম মখুন-ময়ুম্নচিংবা তাকপগী মতাংদা পীবীরম্লিবদি ঃ—

... লাইরেন ঈনোংয়ায়-ও ! নঙবু নোংয়ায় ঈপুঙয়ায় অসিদা পুনসি মতোন লোমফরোয়। ... লাইরেন নঙবু হয়েং পোইরৈ খুননিংথৌবু ওইঙেনে। ... লাইরেন নঙদি নোংয়ায় ঈরমশাং, পোইরৈ ঈঙাই ঙাইথিরম ৱাংঙম লমচাওরেন, খুনুং ঙাইরমলেন, ৱাংঙম সনা লমদাংলেনবু ইন্দানখিগুনো। লাইরেন নপা মৈদিংঙুগী তুবী সনা মখোঙ খাদা ৱাইথুংলুগনো।।নমায় হাওরৈ লাইনা পাংনা হাওয়েন য়াঙ্গৈই ঈবু ফৈনা শম, লমলেন লোইয়া তমলোনমা লামৈ লাকপা লাসোং পাম্বা হাওমুরক্কী কম্বী ফাবা, হাওসমলক্কী ঙাইখোম্বা লাবা খোকমৈ সোনলম, লাললু মচেন-লমবু য়াংলৌ লমশাং ইন্না নরান পোইরৈ খুনকাখি-ও ! অৱাং কৌবা চীঙলুখুম, য়েনবঙ ফাইবংপোকপা, পুংফাই তোনয়াম পানবা চীঙদা নয়ু নুংবান হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা মরান য়ায়দা, ৱাইথুংলু-ও ! নয়ু পুনসিবা মরনকু, নুংপান য়োয়না মথৌজানবু য়োনদনা লনকুঙমঙৈনে, হায়না নোংয়ায় খুমন নিংথৌনা... [নি:খে:স:, ১৯৬৭,৫১-৫২]

অসিনি। অসুম্না তাকপীবদগী মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবনা মতাক্লোই অনি— খয়োঈরোন কৈরু হাঙবী অমসুং ঈৱাংলোন নামুন চাওবীগা লোইননা মনাই-মশন, মপোৎ-মচৈ পুম্নমক পুদুনা খুমন লৈপাক্তগী হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচীঙ লুৱাং মকুবীচীঙ [মথক্কীসিদা, ৬২] গী পামং লমওনথোক [মথক্কীসিদা, ৬৩] কী পামং খুন্দা খুন্দা-লৈতাদুনা মহৈ-মশিঙশিং তমখি। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌনা য়োকপী-কোনবীরক্তুনা (য়োঈবীরক্তুনা) মহৈ-মশিঙ তম্বীরকখি হায়দুনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু "হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবা" হায়বা মিংথোন-মিংফম অসি পীখি। অসুম্না খয়োঈরোন কৈরূ হাঙবী মশাবী মপুরোইবগী শমু মতুং ইন, মাঞ্জ মমৈ ৱাইনা খুমন কংলৈপুঙদগী নুংবান মকুবীচীঙগী লুৱাং পামংখুন্দা খুনহোং-লৈহোংখি।

মৈতৈ কংলৈপুঙদা কৈরু হাঙবী

মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবনা লুৱাং পামং লমওম্থোক্তা খয়োঈরোন কৈরু হাঙবী অমসুং ঈৱাংলোন নামুন চাওবীগা লোইননা লুৱাং মকুবীচীঙগী পামং লমওম্থোক্কী পামংখুন, লুৱাং কংলৈপুঙদা লৈদুনা ময়ু (মপু/মথৌ) হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবদা

মহৈ-মশিঙ তমদুনা লৈরম্মী। মদুদা তমখিবা মহৈ-মশিঙগী হিরম-ৰারমশিং অদুগী মরমদা থম্বীরম্লিবা ৰারোন্দি— থায়না মালেম লৈহৌঙে, য়েনহৌ খোইরা অহানবা, নমু পোং চারী শমথরকপা, পোংথাঙ চারী তৎতবা, চীঙঙু ওচা চীঙমাবনা— মমোম কোরৌ অৰাংবীগা মদু হৈনা কোঙ্গোয় শেমনা শামদোন মশা ককনা ৰা, পোংনু কোনলি-ও পাউমেন-শৈ, ঔগ্রী কোনলৌ-ৰাক হংগেন কোনলো পাউতাক-শৈ, খেনচো লাংমৈ লীহৌৰাক, পোইরৈ ৰারমলেম অরুবা, লাইজা তরঙ ঈপাকথক্তা মালেম লীরী লীহৌৰাক, তানথোঙ লেমথোঙ খাঙবরম, উকাক লাথা হৌনা ৰা"— হায়বা মৈতৈ লৈপাক্কী ৰারমলেন অরুবশিংনি। অসুন্না মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবনা ময়ুম মশঙ্গাই অনৌবা শাদুনা লুৰাং মকুবী চীঙদা পাল্লবদা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা অরুবা মহৈ-মশিঙশিংসি তাকপী-তম্বীরম্মী। মদুদসু নত্তনা পোইরৈতোনগী মপারী শীংতাপুঙ শীঙমিংনবনা অমন য়াইথোঙ কুম্লুবদগী হিংগৎলক্লবদা খমনুং থোঙঙারেন্না পাউতাকপীরকপা কংলৈ শাঈ তাহন্না মমী য়োঈওক্লবগী ৰানচিংবসু তাকপী-তম্বীরে।

মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবনা লুৰাং পামং খুনসিদা লৈরিঙৈদা লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী পাউতাকশিংদু ইন্দুনা "উ হোঙগে" হায়না খল্লদুনা 'চীঙথাং থোললাংমৈ' কৌবা চীঙদগী উ কারোঙ লোঙবা অমা য়ান্দুনা চিংলুরগা পামং খুনগী মহাক্কী ময়ুম মনাক্তা য়ুংলগা ময়াম্বু পীজ-পীথক তৌদুনা মপুক পেলহল্লগা উ হোঙখিরম্মী। অদুগী মতুং তারকপা মতমদা হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী পুন্সি চেঙজেন লোয়দুনা অমন নোঙ্গারে [মথক্কীসিদা, ৬৫-৬৬]। মহাক্কী নোঙ্গাথৌ, অশি-লাইথৌ থৌরম পুন্নমকপু ময়ুম নুংবানশিংগা মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবগনা পাংথোক্লে [মথক্কীসিদা, ৬৬-৬৭]। অসুন্না মতম খর অমুক লৈরগা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবগী তাল্লোই খয়োঈরোন কৈরু হাঙবীনা পোকচবা মমোম ৰাংঙমলোনবু খোইয়ম নোংদমখোন্না কনবনা নাউৰা ওইনা নোঙ্গারে [মথক্কীসিদা, ৬৭]। অঙাং নাউৰাবু পোকচবী পল্লেম মমাদি লৈমায়থক্তা ওননা-থোইনা কপলে। অদুবু মপন পল্লেম মমানা কপচৈ-কৌজে হায়দুনসু হিংলক-হলক্কদবা লৈতবনা অশি মংজল্লে, অশিবগী মথৌ-মঙম পুন্নমক পাংথোক্লে [মথক্কীসিদা, ৬৭-৬৮]।

মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবগী লুৰাং পামং খুন্দা পানবা পুন্সিসিগী অৰাবগী থংনা থংনা লাকলিবা পরেংসিগী মথংগী থৌদোক লাক্লে। মৈদিংঙুচাসিনা নাউৰা ওইবী মমোম লৈখিদবগী মিৎলু পিরাং কংফাৎত্রিঙৈ ময়ুম মৈতৈ কংলৈপুঙদা মৈদিংঙুচাসিগী পনথৌ মপা মৈদিংঙু উরা কোম্হৌবা নোঙ্গাখ্রে। মহাক্কী অশিবা হকচাং পোৎলোয়নবা থৌরাং তৌরকপদা নিংথৌ ফম্বাল হাঙহৈদে, মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালদি অতৈনা ফম্বা মতীক চাদে, ঈচানুপা হোঙনেময়োঈ খুঞ্জাওবদনা ফমগদবনি, মহাক্তনা নিংথৌ ওইগদবনি,

হায়না মমা মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংশূনা হায়রে। অদুগা খুঞ্জাওবসি লুৰাং মকুবী চীঙদা লৈরিবনি, মহাকপু মৈতৈ কংলৈপুঙদা লাক্কনবা পাউ পীখো হায়না য়াথং পীরে। অদুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী অঙম্বশিংনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবদা পাউ পীররে। থাদোকফদ্রবা মথৌ থৌদাংগী ৰাফম লাক্লবনিনা মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওবা লুৰাং পামং খুন্দগী তাল্লোই অনি— খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবী অমসুং ঈৰাংলোন নামুন চাওবীগা লোইননা মনাই-মশনশিং অমসুং মরন-মথুমশিং পুন্নমক পুদুনা পোইরৈ মৈতৈ কংলৈপুঙদা কারক্লম্মী। মখোয়বু মৈতৈলৈমা খাববোন নোংজংসূ অমসুং মৈতৈগী অঙম-অথৌ, অকন-অরিং, অচৌ-অশাংনচিংবনা তারাম-তরাম্না ওকপীরম্মী। অসুন্না খয়োঙ্গরোন কৈরু হাওবীনা মশাবী মপুরোইবা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওবা অমসুং মনাউ ঈবেম্মা ঈৰাংলোন নামুন চাওবীগা লোইননা পোইরৈ মৈতৈ কংলৈপুঙগী সনা কোনুংগী লৈমা-নিংথৌকোন্দা থুংলখি অমসুং লৈরখি।

কৈরু হাঙবীনা মৈতৈলৈমা ওইবা

পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙু উরা কোঙ্থৌবনা চাওরাক্লা খৃ: ৬৫৮ দা থুপখ্রবদা মচানুপা অহন নাউহন অহনবা, চেংলৌ মঙম শোয়ব (মমিৎ উদবা/তাঙবা) না চহি কুমশীঙ ৫ (মঙা) লৈঙাক-থৌ পুদুনা পাল্লবা মতুংদা মৈদিংঙুচা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওববু পলেম মমা মৈতৈলৈমা খাবরোন নোংজেংসূনা মৈতৈ নিংথৌ ওইনবা খনবনা পোইরৈ মৈতৈগী অঙম-অথৌশিং অমসুং মীয়াম্না খৃষ্টকী কুমশীঙ ৬৬৩দা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদা থাঙ্গৎলে, মৈতৈ নিংথৌ ওইহল্লে। মতম অদুদা হোঙনেময়োঙ্গ খুঞ্জাওববু "মৈদিংঙু নাউথিংখোং (মরিং মরোন্নি, ৰাহন্দোক্লা "মচা অতোনবা", হায়বনি)" হায়বা ফম্বাল মিংথোন পীরে। অদুগা মতমদুদা খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীনা মৈদিংঙুগী নাক্তা লৈরিবী মহাক্কী তাল্লোই অহন ওইবনা মৈতৈলৈম (মৈতৈগী মবেম্মা নত্রগা লৈমরেন/মহারানী) গী ফম থিন্দোকলে। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ওইবগী পাউ অসি লমদম অশোমগী চীঙ-তমগী খুন-খুঙ্গং, লমতুপ-লমচেৎ, লৈপাক লৈচেৎ, পুন্নমক শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রে অমসুং মফম পুন্নমক তানখ্রে। পোইরৈ মৈতৈবু শৌগৎপা, মখোয়গী মীচঙ ওইবা অমসুং মখোয়গা য়ানবা মী কাংলুপ-ফুরুপশিং পুন্নমক হরাউ-নুংঙাইনখ্রে।

চহি কুম অমা ওল্লবদা মৈদিংঙু নাউথিংখোং অমসুং মৈতৈলৈমা খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবী অনিনা মৈতৈগী লৈমা-নিংথৌ ওইবগী অরেপ্পা মশক/মফম খঙনবা (কনফার্মেসন/ Confirmation তৌনবা) লৈমা নিংথৌ অনিমক্লা ফম্বাল তোংবগী লাইথৌ কুম্মৈ (Coronation celebration) পাংথোক্লম্মী। হরাউ-নুংঙাইবনা থল্লবা থৌরমদুগী

কুম্মৈদুদা মৈদিংঙুগী শঙ্গাই য়ুমজাওগী লপয়ান-কা (মথক্তা পোৎ-চৈ হাপ্পুনা থম্বা, লীবা, কনবা নত্রগা লোত্তুনা থম্বা য়াবা লীফক/ৱাচেৎফক য়ান্দুনা থম্বা ঈমুংগী কা) দা য়োম্বিবু-য়োম্বহৈশিং অমসুং নিংথেমনুবীশিংনা কোয়শিন্দুনা মৈদিংঙু নাউথিংখোং অমসুং মৈতৈলৈমা খয়োম্বরোন কৈরু হাওবী অনিনা খন্নাংননা ফমদুনা নুংঙাই মরাং কায়না নোক-খেরি [মিথক্কীসিদা, ৮২] । মতমসিদা মপাম শেল্লোই চীঙদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওবা ওইনা লংমাই পিতঙঙা লৌরগা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিঙৈ, লাইরেন মপা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবনা লমলেন খোম্মীতোক উঙামপৈ (হৌজিক্কী নোংপোক ইম্ফাল পানাগী "খোম্বীদোক" খুঙ্গং) দা শেল্লোই-লংমাইশিংনা হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেং লান্দারুবগী হল্লকপদা লাল্লুম্লম্লগা শেল্লোই-লংমাই তুমনা শুপ্পগী মী ১০ (তরা) খক্তং হিংহৌরগা হাৎখিবা অদুগী করোঙ খুৎকুমগে (লমন খুমগে) হায়দুনা মখোয়গী মরম লংমাই পিতঙঙাগী ময়ুমদা য়াওঙ ইল্লিবা মৈদিংঙুচা খুঞ্জাওববু হাৎকে লাকখিরম্মী, মদুদা পিতঙঙানা লৌ তৌদুনা শেল্লোই-লংমাইশিংদু য়ু পীথক্কুনা ঙাওহন্দুনা থল্লগা ফক্লাং হোগায়দুনা মৈদিংঙু খুঞ্জাওববু পুথোক্লকুগা কাউনদনবা ৱাফম কয়া ঙাংনরগা খুমন লৈপাকলোমদা চেনহনখিদুনা য়াইবী মথৱাই কল্লকখি। মশাবীনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ওইরে হায়বা পাউ তাবদগী মপাম লমদম থাদোক্লমদুনা মশুঙলাংগী 'লৌথিবী' মিংথোল ফংহৌরবীনা পাম্মুবা মনাক্তা ৱাইথুংলুরগে লাকপদা মৈতৈ নিংথৌগী কোল্লোয় মশঙ্গাই চঙলকপদা লপয়ান কাদা মশাবীগা খয়োম্বরোন কৈরু হাওবীগা য়েৎকা ওয়গা খন্নাংননা ফম্লম্বদু উবদা লংমাই লীকলু লৌথিবী পিতঙ্ঙা নীঙবা কায়খিরম্মী। অমুক্কা হেন্না থম্মোই শোকখিবদি মশাবী মমানমচা মহাক্লা মহাকপু উবীরকপা মিকুপ্পুদা,— "শানৌ নোংবাল্লোন পীতঙঙা, নুংশি কাউঙমদবী থৱাই মিরেন অচেৎপী, পল্লেম পীথাং শিননা নাউয়োক্লকপী! নঙবু লাউ-ও, লাইরেন ননেম মচা ঐগী শারেন য়েৎলম ফমলরো। পোইরৈ লৈপাক ঙাকমিন্নরসে"— হায়না কৌশিল্লকখিবা [মিথক্কীসিদা, ৮৩] অসিনি। নীঙজরুবনা পাম্মুবা মাগী তাল্লোই ওইনা, নীঙবী-খনবীরম্বনা মাঞ্জা মাগী পল্লেম মমা ওইনা, হায়বসি খল্লুবদা লোননবীশিংগী মমাঙদা কললক মমাঙদা চাং তারে, হায়না চপ য়ুংনা লেপখ্রে। হিংলুবগী কান্নদ্রে, নীঙখ্রে। অদুনা খুদক্কুদা মৈদিংঙুগী মশঙ্গায়গী লময়ানকা অদুমক্তদা লংমাই পিতঙঙা লীকলু লৌথিবী য়াইবী থৱাই থাদোক্কুনা খোইমোম লাইরক্তা তীনখি। তৌরিবা মতৌদুদা খয়োম্বরোন কৈরু হাওবীনা লংমাই পিতঙঙাগী ৱারী-ৱাখোঙ খঙলক্লবদা মিৎলুদা পিরাং শিঙ্খনা পিতঙঙাগী শমু হকচাং কোনখি। অদুবু চীঙঙু কশা মানা য়াৎলকপা পোরম ওইবনা লংমাই লীকলু লৌথিবীদু তাইবং মাল্লংপান্দা হল্লক্কুনা খোইমোম লাইরেম্মা লাংওনখি। হায়রিবসিগী নুংঙাইতবগী মৈচাক্লা খয়োম্বরোন কৈরু হাওবীনা মৈতৈলৈমগী ফমসি থাদোকনীঙখি।

কৈরু হাঙবীনা লম নীবা

মৈদিংঙু নাইথিংখোংনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ওইনা অমসুং খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবীনা ৰাংঙম মৈতৈলৈমা ওইনা পোইরৈ ৰাপী হায়, ৰাংঙম নুৰা তেম্না পাল্লকপা কুমজা খর লেল্লক্লে। মতমসিদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মহাকপু মী অমা ওইনবা শেম্বীরকখিবা অমসুং পুন্সি লম্বীগী লমজিং-লমতাকপীরকখিবা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইববু মচানুপী খয়োঙ্গৈরোন কৈরু হাঙবী, মৈতৈলৈমোগা ৰাতানদুনা চাকৌ-য়ুকৌদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎচগে খঞ্জখি। মৈদিংঙুগী খোঙলোই অয়াঙবা থাদুনা অদোন খুমন নিংথৌদা কোল্লোয় মপাউমেনবু পাউকৎলুরে। লৈমা কৈরু হাঙবীগা খন্নদুনা চাকৌ-য়ুকৌবগী শারেন য়েনশাং মথেনদি কাইবী শওমগী শানা কৎচগে লেপ্পরে। অদোন নোংয়ায় খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবসু মমাক/মনোংয়াই পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ অমসুং মমোম লাংলেনহন পোইরৈ মৈতৈলৈমা অনিগী পাউকৌ-পাউকৎ মতুং ইন্না মপারী খুমন নিংথৌমচা নোংয়ায় য়োঙ্গৈথোংঙাইগা লোইননা মৈতৈ কংলৈপুঙ, ৰাংঙম কোনুং মকাইফমদা খোঙ্গারক্লে। মপা-মচা অনিনা মৈতৈগী কোনুংদা চঙদুনা লাংঙম্মিবা থৌরাংদুগী চাকৌ-য়ুকৌবদুদা পুক্নীঙ পেন্না চা-থক্লে। অসুন্না চাবা-থকপা অমসুং অহোঙ লোইরেন খৈবগী কুম্মৈগা কোন্নবা থৌরাং অমদি থৌরম অদুদা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগী পুক্নীঙদা য়াম্না পেনবীখি। অদুনা মমাক-মচানুপী অনিমক্তা মখোয়না অপাম্বা অমা নীজৌ হায়না তাকপীরম্মী। মদুদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা করিসু নীজদ্রবদা মৈতৈলৈমা কৈরু হাঙবীনা লম নীজখি। হায়জরিবসিগী লমদাংদা থম্বীরম্বা ৱারোন্দি ঃ—

... ... নিংথৌ পুনশি' য়ুমোইবা কংলৈপুঙদা কারক্লে। মমান নিংথৌ থুংলরবদা লৈপাক পুন্না হুপ, লাবা কজেং থাঙহাইনা অহোঙ কুম্মৈ চাওনা তৌ, মরম লমলেন মদাইমা হাওরৈ থাঙৱাই পাংবগী ফকনুং চীঙগী চীঙমৈদা ঈরোক লাইচম খুদিংগী ৱাইরা শাবু তানখি... ... ... চীঙঙু মাগী মথৌরাং শওম খোইয়া লীথুরে... য়াওরৌ শাদু শাতুরে, তরা চাকপু হৌদুনা শংলৌ মথেন লাংখরে, তরা চাবা লোয়রবদা... মমোম মৈত্রেমা য়েংদুনা খুমন নিংথৌনা— "ঙসি কৌবা নোং নখোয়না পীজ' তরা চাক, হাওদৈ অথুম্বা ৱাংলৈ অয়াকপবু পেন্না থক... পেল্লে, ওক্লে, নপা'না পীগে নীরো নীনীঙবা"। ... মপন খুমন নিংথৌদা নীজৈ কৈরু হাঙবীনা— "ঈপা ঈবুংঙো অপোকপা ! পম্বৌনা লনকুবীবনা নমোম ৰাৎপা লৈজদে, অদুবু নীজৌ তাকপীরবনা, লাইরেন নমাক ঈবুংঙো, কংলৈ তাংবন মপুনি হায়, লৈপাক খুঞ্জাদি খরদা; নিংথৌ শামান্নবা মাঙদুদা হুয়াই পোম্বী শেনকোয়জৈ, ঈপন পনথৌ লমচাওরেন্দগী লৈপাক খুঞ্জাগা লোইননা লমলেন মচেৎ খরদং পীবীয়ু পনথৌনা নমোমদা" [ইয়ু:এন:এ:, ১৯৮০,২৭-২৮]।

অসিনি। মসিদা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি' য়ুমোইবনা মচানুপীদা মমোমদুগী ঈরেমখাক্লা পোক্লুকপা মপ্পা নোংয়ায় য়োঙ্গীথোংঙাইগী শরুক কায়দনবা য়েংল-খাক্লগা মহাক্লা পাম্বা লমগী শরুক অদু নীয়ু, শোয়দনা পীগনি হায়রম্মী। মপন পন্থৌগী ৱাহৈ অদু তাবদা লৌশিঙ চাওবী কৈরু হাঙবীনা মপন খুমন নিংথৌদা হায়জরকখি ঃ—

তাবীরো দুদি অপোকপা! নমোম ওইবী ঐহাক্লা খুঞ্জা লমনীজবসে, লমগী লমখৈ পঞ্জরোয়, থিংলৌ থারোন (শওম) অসিগী চোন্মায় অকোয়বা শওম মকোক অসিবু লিনৱাই ঈরীকলাইগী ঈচেন্দা থাদজগে, তাউহনগে, চেন্থসনু ঈচেন্না, কোরৌ নোংবুম চুপ্পবু শওম মকোক অসিনা পনবা লমদম অদুফাও পীনবীয়ু নমোমদা।। থিংলৌ থারোন অদুগী অতৈ শমু অরেমখাক মফম সিদা ফুল্লমগে, শত্তম ফুম্মি— "শওমফুম' কৌরমগে, ঙসিদৈ, কংলৈ চাদোন-শূদোনগী ওইহৌসনু লীহৌৱাক" [মথক্কীসিদা, ২৮-২৯]।

মফমসিদা হায়রিবা লমদম অসি মতমগী মতুং ইন্না মমিং "শওমবুঙ (নোংপোক ইম্ফালদা লৈরিবা)" হায়না খঙনরকখি। অদুগা ঈরীন (লিনৱাই) তুরেন্দা থাদখিবা শওম মকোক অদু ঈচেন্না পুথরক্লগা লিল্লোং য়ৌরে মদুদা ঈরীন তুরেন্না তুরেন অচৌবা (মণিপুর/ইম্ফাল তুরেন) দা ঈতীল্লবদা তুরেন অচৌবগী ঈচেন্দা অদুদা তাউথরকখি। শওম মকোত্তু নোংমদি তুরেন অচৌবগী "লাইথংফান্দা ওয়নাম খুন (ৱাঙ্গোয়/লৈশাংখোং মথক্কী) গী খুন্দোন্দা পল্লম্মী। মদু লৈপাক মীয়ান্না য়েংনদুনা শওম পল্লি হায়দুনা "শওমপল" থোনখি [মথক্কীসিদা, ২৯]। মফম অসি ফাওবা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবনা মচানুপী কৈরু হাঙবীদা পীখি অমসুং মফম অদু ফাওবা মৈতৈগী লম ওইখি। মফম অসি হৌজিক্তদি "ওয়নাম শওম্বুঙ" হায়না খঙনরে।

খুমন লৈপাক্কী লানহৌ অমসুং মদু নমথবা

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা য়ুমোইবনা মচানুপী মৈতৈলৈমা খয়োঙ্গীরোন কৈরু হাঙবীদা খুমন লৈপাক্কী লম মচেৎ অমা পীথোকখিদুনা ওয়নাম শওমপল (ওয়নাম শওম্বুঙ) ফাওবা মৈতৈ/মৈত্রবাক্কী লম ওইখিবা অসিদা খুমন লৈপাক্কী লাইথা (অৱাং থংবা শরুক) অমসুং খাথা (মখা থংবা শরুক) পানা অনিগী হুইথৌ-খোঙথীন, আক্রান্নচিংবা মীয়ামশিং অমসুং লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং, অকন-অরিংশিংনচিংবা পুন্নমক্লা য়ান্না শাওনখি। মখোয়না অনি তীন্না, অহুম তীন্না মচী-মচী খুদিংদা মফম মফম পুন্নমক্তা পেন্দবগী ৱারি শানখি। অকন-অথৌশিংগী মরক্তা মখোয় মশেন পুনশিন্নদুনা লৌতুনরগা খুমন নিংথৌসিবু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথনবা অমসুং খুমন লৈপাক্তগী তাম্থোক্লবা খুজীন থৌরাং তৌনবা শরৌ-লাংলৌ কয়া শীন্নখি অমসুং লানহৌ-থৌরাং লৌখৎনবা থৌরাংশিং তৌখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩০]। খুমন মচাশিংনা অসুম্না লাংনরিঙৈগী তাঞ্জাসিগা খুমন

নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবসিগী মচন নুপী খয়োঈরোন ঙানুথুস্বীনা লুৱাং নিংথৌ হোঙনেমদা ওঙলুরগা খায়নরবদা মহাক্না মপাম খোঙদারকপদা পুরক-চেল্লকপা লুবাং নিংথৌ পুন্সিবা হোঙনেমগী মচানুপা লুৱাং শেনবা মিমাবা কৌবসি য়াম্না মপাঙ্গাল কনখৎলক্লম্মী। খুমনমচাশিংনা শেনবা মিমাববু মখোয়গী লুচিংবা খল্লম্মী অমসুং থুনমক লানহৌবগী থবক লৌখৎলম্মী।

লুৱাং শেনবা মিমাবনা লুচিংদুনা খুমন মচাশিংনা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগী মথক্তা লান্দারকপা মতমসিদা খুমন নিংথৌসিগী লান্মী লৈরমদে। অদুনা মহাক মচানুপা য়োঈথোংঙাইগা লোইননা লৈয়ান কৌবা খুরোই হাওবা লমলাংতোং (লম্মাংদোং/ বিষ্ণুপুর)গী মনীঙ (নোংচুপ) দা লৈবা লম অদুদা চেন্দুনা লৈরম্মী। অদুগা খুমন লৈপাক্তদি নুংবান শেনবা মিমাবনা নিংথৌ ওইদুনা পানখিরম্মী [মিথক্কীসিদা, ৩০ অমসুং ব:ক:শ:, ১৯৯৮-৪০-৪১]। অদোন নোংয়ায় নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবা মতাল্লোই ঙাননুরোন পীয়ারোক অমসুং মপারী অদোন য়োঈথোংঙাইনা থৌগন তৌদুনা লোৎনা-থৈনা পাল্লস্বদগী মহাক্কী হিংনবগী মতম লোয়রদুনা লৈয়ান মপুঙয়াঈদা নোঙ্গাখরে। মচানুপা নোংয়ায় য়োঈথোংঙাইনা মপাঈবুংঙোগী অশি-লাইথৌ লৈয়ান মপুঙয়াঈদা পাংথোক্লম্মী। মহাক্না ঙাননুরোন কাইরৈমা পানদুনা লৈয়ান লমদমদা পাল্লম্মী। মফমসিদগী মহাক্না মচেম মৈতৈলৈমা খয়োঈরোন কৈরু হাঙবীদা মপন পঙ্থৌ নোঙ্গখিবা, পলেম মমা পীয়ারোক অমসুং মহাক্কী অৱাবা অমদি খুমন লৈপাক্তা লুৱাং শেনবা মিমাবনা খুমন নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবগী ঈ-পাউ পুন্নমক পাউ থাদুনা খঙহল্লম্মী। অদুগা মবাই ঈবুংঙো মৈতৈ নিংথৌবু থুমনক মতেং পাংবীদুনা খুমন লৈপাক হন্দোক্লবগী থৌরাং শেম-শাবীনবা হায়জরক্লম্মী।

মৈতৈলৈমা কৈরু হাঙবীনা মপাবুং লৈখিদগী পাউ তাবদা হায়নীঙঙাই লৈতনা কপ্পুনা তেংথাজরম্মী। অদুগা মপ্পা ঈবুংঙোগী খুদোংথীবা অমসুং অৱাবা ঈপক্তা তাবা অমদি মীনা মরৈবাক মুনবীখিদুনা মরৈপাক-মরমদম লৈজদবগী পাউশিংদা থম্মোই শোক্লম্মী। থীন্দনমক পাম্বৈ অমা তৌদুনা মপ্পাগী মরৈপাক হঞ্জিনহন্দবা য়াদে, মরমদি মপ্পানা মরৈপাক মাঙজরিবদু মহাক্কী মরমদগীনি, মহাক্না খুমন লৈপাক্কী লম নীরুদুনা মপা নিংথৌনা মঙোন্দা লম পীবদগী খুমনমচাশিংনা শাওদুনা মপাবুংগী মায়য়োক্তা লেপ্পুনা লানহৌরগা মপাবুং তাম্থোক্লগা মতৈ লুৱাং শেনবা মিমাবদা নিংথৌ হাপখিবনি, হায়বগী পাউসিসু মহাক্না ফংলম্মী। মরম অসিনা মহাক্না মশাবী পোইরৈ মৈতৈনিংথৌ মৈদিংঙু নাউথিংখোংদা মপ্পা নোংয়ায় য়োঈথোংঙাইগী মতেং পাংবীনবা অমসুং মৈতৈলান্মী পুদুনা খুমন লৈপাক্তা য়োঈথোংঙাইগা লোইননা লান্দাদুনা লুৱাং শেনবা মিমাববু হাৎলগা মপ্পাবু খুমন নিংথৌ হাপপীনবা হায়জরম্মী। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মহাক্কী তাল্লোই অহন মৈতৈলৈমগী ৱাফমসি তাবীদুনা নোংয়াই য়োঈথোংঙাইবু মৈতৈ

লৈপাক্তা লাক্লবা পাউ থাগ্রগা মৈতৈগী লান্মীগী মতীক চারবা অকন-অথৌশিংগী লাল্লোই নীঙথিনা শেমগৎলম্মী। নোংয়ায় য়োঙ্গথোংঙাইনা পোইরৈ সনা লৈপাক্কী ৰাংঙম মরৈপুঙদা থুংলরবদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশেন-ঈবুংঙোগা লোইননা মৈতৈ তেঙ্গোল পুদুনা খুমন লৈপাক্তা কুমদুনা খুমন কংলৈপুঙ, নোংয়ায় য়োঙ্গকোন্নুংদা লান্দারম্মী। মৈতৈ লান্মীনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা লুৰাং শেনবা মিমাবনা লুচিংবা খুমন লান্মীশিংবু মায়থীবা পীরগা শেনবা মিমাবা অমদি মহাক্কী মচানুপা অনিবু হাৎলগা, মচানুপা অতোনববু চীঙমী ওইহন্নবা চেনহন্খ্রে অদুগা নোংয়াঈ য়োঙ্গথোংঙাইবু খুমন নিংথৌ হাপখিরম্মী [মিথক্কীসিদা ৪১-৪২ অমসু ইউ:এল:এ:, ১৯৮০,৩০]।

কৈরু হাঙবীগী য়ুম্বনবগী পুন্সি

খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীগী য়ুম্বানবা পুন্সিগী মরান্নাইগী ওইবা পুন্সিসি য়াম্লা ঈং তপ্পা পুন্সি অমা নুহোঙ মতুং চহি অনিরোমদং লৈরম্লগা মশাবী খুঞ্জাওবনা ঈৰাংলোন নামুন চাওবীবু পুরক-লৌরকপা মতমদুদগী খর চরাংনবা হৌরকখি। তুরোন্নবা ঈমুংগী নুপী/তাল্লোই অহন ওইবনিনা মপুরোইবগা লোইন-তীন্নবা, হকতীন-ফমদিন্নবা অমসুং নুপাগা হেদো-হৈরাউ কানবগী মতৌ-মচত্তা খর লাপথোকপগী মওংদা লৈরকখি। অদুবু মশাবীনা মাগী কাদা অচীকপা মতমদা চঙলকপদদি উদশিন্না মিৎলাওবী, চাদশিন্না চখোম চাওবীনি। হায়জরিবা ৰাফমসি মহাক্লা মশাবী মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী ঈনা মপারী অনিগী মমা ওইজবা ফংলবসিনি। মহাক্লা পোকচবা মপারী অনি অসিংগী মমিংদি অহন্না মৈদিংঙুচা নিংথৌহনবা অমসুং অতোনবনা মৈদিংঙুচা নিংথৌখুবা কৌই [ম:স:ক:এ:,১৯৯৪,২৩২]। খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীসি মচানিংঙোন ৰাংঙমলোনসু পোক্লম্বা য়াই। মৈতৈগী চাদা-নাউদারোন পীবদা মচা নিংঙোনশিং পীবীরমদবা অসিনা খঙবা ঙমদবনি। খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীনা মচা নিংঙোন পোক্লম্বা য়াবগী ৰাফম থমজরিবসি, মহাক্কী লোন্নবী ঈৰাংলোন নামুন চাওবীগী মতাংদা শঙ্গায় ফম্মাঙ" কৌবা পুয়ানা— "নামুন চাওবীনা মচা নুপী অমা পোক্তুনা পামংদা শিরে। — হায়না পীবিরম্বসিননি [মিথক্কীসিদা, ২৩১]।

ৰাখোম-ৰারোয়

মথক্তা থমজরিবা খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীসি মতম খরদি, হায়বদি, মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা খমশুরোন চীঙয়াইশূ লুহোংদুনা লৌরক্ত্রিবা ফাওবদি মৈতৈলৈমা (মৈতৈগী মহারানী) ওইরম্মী। মহাক মৈদৈংঙুসিগা কয়াম কুইনা লোইনরম্বগে, করম্বা মতমদা নোঙ্গাখিবগে, হায়বসি খঙজবা ঙমদে। মহাক মৈদিংঙুসিগী কোনুংদা নোঙ্গাখি, হায়না চেৎনা থাজজে। অদুগা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মতমদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী কোনুংসি

শওমফুম নত্রগা শওম্বুঙগী লমদম অসিদা ওইরম্মী হায়বসি মৈদিংঙু নাউথেংখোংনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবা য়ুমোইববু মফমসিদা চাকৌ-য়ুকোখিবা, মফমসিদা অহোঙ লোইরেন খৈখিবা অমসুং মদুগী কুম্মৈ তৌখিবশিং অদুনা খুদম-চাংদম ওইরি, মরমদি অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি মীশিংনা মাগী মাগী ময়ুম ঈংখোন্দা পাংথোক্লখিবা তৌনখিবা ঙাক্তনি। অদুনা খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবীসু মফমসিদা হায়বদি শওম্বুঙদা নোঙ্গাখিবনি। অদুগা মৈতৈলৈমসি মৈতৈলৈপাক অমসুং মৈতৈ নিংথৌদা মানা ঙমজবা খুদোন তৌজরম্মী হায়বসি শওমপন নত্রগা ওয়নাম শওম্বুঙ লৈরিবা মখৈদি মুত্তনা লৈহৌরগনি।

১৩

মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী

ৱাহৌদোক

নয়োন মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী ও তৌনা কৌএ। মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী, অতোন নোংয়াই খুমন নিংথৌচনু, নোংয়াই থিংকোনহনবা, পাশি লাংলোইঙম্বা, লাংয়া চাহৈ নেনবা, পাশি তোনবা ওকলূ-য়ান, খুমন তোনৱা ঙাপা-য়ান, অতোন তাইপং চামপা লোকলূখুম, খোয়নৌ লাংমৈথেৎ, শামন কচেং লম... .... (ও:ভ:স:,১৯৬৭,৭৩)

মথক্তা থমজরিবা নিংথৌরোন লম্বুবা কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরপা ৱারেং-মতেক অসিদা পীবীরিবা "হাওরৈমা (খুমন য়েক্কী নিংঙোন/চনু) তমহৈবী" হায়রিবীসি মৈত্রবাক্কী লৈঙাক-ৱায়েন পথাপক্কী চৎলম-ৱাকোক (Constitution) পুথোক-হৌদোক্লম্বা মৈতৈ নিংথৌনি হায়না খন্ন-লৌনরিবা মৈদিংঙু লোইয়ম্ব (চাওরাক্লা খৃ: ১০৭৪-১১২২) গী অপোকপী মপন পলেম মমানি। মহাকসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা খুৎহৈ-শীনহৈবগী অহক-অকুপ্পা মহৈ শীল্লম (Sophisticated Art) ওইরিবা শক্তম-মিতম্বা নত্রগা শক্তম-শকফম শাবা (Sculpt/ Sculpture or Sculptural art) হৌদোকপী অমা ওইনা পীবীরম্মী (মথক্কীসিদা, ৭৫-৭৬)।

শক্তাক ৱারম

খয়োঈরোন/হাওরৈমা তমহৈবী, খুমন কংলৈ লৈকোয়পুঙ (হৌজিক্কী ময়াং ইম্ফালগী কোনচাক অৱাং লৈকায়) দা পানবা অদোন খুমন নোংয়াই নিংথৌ থিংকোনহনবা/ থিঙ্গোনহনবগী মমোম লাংলেননি, মপন পলেম মমাগী মিংলেন্না "ঙানুরোন (ঙানবা শল্লাইগী নিংঙোন/চনু) শংলৈমা হাওয়েন (হৌয়েন) খোংতৌবী" হায়না কৌই। মহাক্কী মমাতোন পাশি খুনবু লৈতংচনু কৌবী অমা লৈ। অদুগা মহাক্কী মপা মমা তীন্নবা মবুং অনি— শেকমু কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং কাংচীন লৈনাউ তাবা কৌবগা অমদি মমাতোন্না পোকপা "খোয়বা তেনহৈবা" কৌবা মবুং অমগসু লৈরম্মী। মহাক খুমন নিংথৌ শাগৈগী

নিংথৌ মচানুপীনি। মহাক্কী মপন পম্থৌ নোংয়াই থিংকোনহনবসি লৈমতাক লমদমদগী ময়াং (কছাড়ী/ডিমাসা/কলিশা) শিংবু ফারগা খুমন লৈকোয় পুঙগী মনাক্তা ময়াংশিংবু খুন্দা-লৈতাহন্দুনা ময়াং য়ীম্ফম নত্রগা ময়াং ইম্ফাল খুল্লীংবা হৌদোকহনখিবা মীশক্নি।

হাওরৈমা তমহৈবীগী পুন্সি ৱারী

হাওরৈমা তমহৈবী হায়রিবী খুমন নিংথৌ থিংকোনহনবগী মচানুপীসি পলেম মমা ঙানুরোল শংলৈমা হাওয়েন খোংতৌবীনা খুমন কংলৈপুঙগী নোংয়াই কোনুংদা খৃষ্টগী ১০ শুবা কুমশীঙ চামগী কুমশীঙ ৯৬৫ অদুৱাইদা পোকখিবনি। মহাকসি মপা-মমানা পোকপশিংগী মনুংদা নিংঙোন মতোমতা য়াওবনা কেনা-নৌনা হৌরকখি। অঙাং ওইরিঙেদগী হৌনা পুক্নীঙ-লৌশিঙ চঙখোনবী অমসুং পাইরক্কী লৌশিঙ লৈবী ওইরকখি। লৈশাবী পুঙকক ফারকপদগী মতমদুদা চৎনবা নুপীচাগী মহৈ-মশিঙশিং, মরু ওইনা ফিশা-লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, লংনাই-মোইথাপনাইবা, ফুশা-ৱানশাবা, য়ুতিঙ-য়ুহৌবনচিংবা তম্লকখি। মশাগী চহি অমা-অনী হাইগৎলক্লগা লৈশা ফান মুৎখিবগী লৈমহৌখাক শীন্নাইশঙ/শীন্নাইফম কাবদা লুচিংলকপী অমসুং নিংঙোন লাকপীশিংনা চানবী ওইদুনা খুন্নাইলোনগী চৎলম-পরম, চৎনবী পরীংগী ৱায়েন কাংখুন-লীকখুন, পোমিৎ-পোরোনশিংবা তম্লকখি। মহাক্না লৈশাবী ওইরক্লবদা খোয়নৌ মমান্নীশিংগা লেমলৈ ঙাফা তান্দুনা চাকচা-হৈজানবা, থম্বৌ-লেনফু, কাউখা কাউথুম্নচিংবা তান্দুনা চামিন্নরগা হরাউ-তয়াম্মীন্নবা, কুম্বী কুমগারকপা অমসুং পাম্বা থাওন লাকপদা চীঙঙু লাইথৌ তৌদুনা কুমদম-কুমখায় পোমিৎ তুনা থেল্লাৎ ঈরাৎমিন্নবা, অসিনচিংবা কয়া শরুক য়ারকখি। অদুবু পম্থৌ মরানগী নুজা শীনশূ শীম্বাশঙ, নুরা নিংঙোন-কাদি নোংমতা শীম্বাদনা চৎহনখিদে।

নুহোঙ-খোঙদোংবা অমসুং য়ুম্বানবা

হাওরৈমা তমহৈবীনা নুজা মথোক্লকপা মশাগী চহি ১৩-১৪ শুরকপা, হকচাংগী শাবান অমসুং কায়াৎকী মওং অমসুং ফিবম হোংলকপা, নুপীচা ওইবগী ঈকাইবনা মায়থোঙদা লৈতেংলকপা অমদি মোমোম মীনোক্না য়েংলকপশিংগী মিৎশিংবু ঈকায়-ঈকায়না ওকপা হৌরকপা মতমদগী মকা ফোঙনা ঙাংদবা খোইরাবশিং ইনবা হৌখ্রবনি। লৈকায়গী খোইমু মায়থকপা, মীরৈকায় খোইরাবা মায়শোনবা অমসুং মীরম-মীরৈবাক খোইরেন খ্বাঙজেংবশিংনা কোয়পাই পাইররবসু নুজাগী মিত্তনা নোকপা চীনবান্দি কাঙদবা পাউখুম্না কোয়না পাইরিবা খোইশিংনা নিংঙোন্দি পলেম-পম্থৌনা থাজ-য়োঞ্জগদবনি, হায়বসি ৱাখল-লৌশিঙ তানরম্মী। নুরা তমহৈবীগী মায়থোঙগী মশেক অমসুং শাবানগী মঙানসি পৌইরৈ তম্পাক শীন থুংলম্মী। অৱাং পোইরৈ মৈতৈ, ঈৱাংমা কেগে মোইরাং,

খাগী হৈরম-খুঞ্জান, নোংপোক্কী নোংবান-অঙোম্নচিংবগী মমিং লৈরবা পাখংশিংনা হাওরৈমা তমহৈবীবু তাদবা লৈরমদে।

অৱাং পোইরে মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু য়াংলৌ কৈফাব (চাওরাক্লা খৃ ৯৬৯-৮৪) না লংথবান্দা কৈ ফাবদা অদোন খুমন নিংথৌগী মমোম লাংলেন শকহেনবী অমা লৈ হায়বসি তাখিরম্মী। মপারীগী মহুই মমৌ ওইগে খন্দুনা মদাইবেম হুইতোন নোংথোন তেংমায় থিনববু ময়ুম নোংয়াই লৈকোয়পুঙদা থাদুনা মৈদিংঙুচাগীদমক্তা খুমন নিংথৌগী মমোম হাওরৈমা তমহৈবীবু হায়না শীঙনরুরে। অদোন নোংয়াই নিংথৌনসু মচা নিংঙোনবু থাজ-য়োঞ্জগে হায়না য়ারদুনা নুহোঙনবগী কৌরৌ নুমিৎ লেপ্পরে। অদুনা খৃ: ৯৮০, হাওরৈমা তমহৈবীগী মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) দা মৈদিংঙুচা কাইনৌ ঈরেংবগা মরান নুহোঙ-খোঙদোংখি। অসুম্না খুমন কংলৈ পুঙদগী পোইরে ৱাংঙম কংলৈপুঙগী কোনুং (মতম অদুৱাইদা মৈতৈ নিংথৌগী কোনুং অসি শওমবুঙদগীনা শেক্তা ফাওবা অমসুং অৱাংলোমদা খুন্দ্রাকপম মখাগী মপা ফাওবগী ঙমখৈগী লমকন মনুংসিগী লম অমদা ওইরম্বা/লৈরম্বা য়াই) দা লৈরখি। মৈতৈ কোনুংসিদা হাওরৈমা তমহৈবী পুক্লিঙ-ৱাখল নুংঙাইনা মশাবী মপুরোইবগী থৌগল তৌদুনা লৈরকখি।

হাওরৈমা পীদোংনু নুহোঙলকপা

হাওরৈমা পীদোংনু নুফাবী চীঙদাই চীঙদা পানবা চীঙদাই নিংথৌ খায়িংপা/খাইংবা হায়না মিথোন্নবা নোংয়াই খামলংবা [মহাকসি খুমন নিংথৌ থিঙ্গোন লীকমাবগী মচানুপা য়ায়মনি, মহাক্কীদি থিঙ্গোনহনবসি মশূ-শূথাংনি; খামলংবগী মনাউনুপা য়াইথিংবা— শময়োক ফাবা— থোংবু শামুকনু— থিংগোনহনবা] গী মমোমনি [থাঙয়ৈ:পু:, খুৎ:লাই:]। হায়রিবী পীদোংনুসিনা মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংববু পামজ-নীঙজদুনা নুংশি লাং থাক্তুনা ফারগা লৈরকখিবনি। অদুনা মহাকপু "নুফাবী" হায়বা মিংথোনসি পীরিবনি। অদুবু মপা খামলংবা/খায়িংবনা অওঙ-অউন তমদুনা থাজরকখিরম্মী। মহাক্কী অউনপোৎকী মতাংদা হাওরৈমা পীদোংনুসিনা অতৈ অতৈ উনবীদ্রবসু লোইবী চীঙদাই চীঙদা হৌবা ৱা, চীঙদাই অরোন শৌবোনখোক, অৱাং নোংনেম চাখুংখোক কৌবা ৱা অদু মশীঙ ১০০ শুনা উনবীয়ু, মশাবি কাইনৌ ঈরেংবগী শা তানবদা শীজিন্নবা তাগী তাখোক ওইসনু অদুগা মতোন ওইবা ৱাদুনা মহাক্কী ফিশাপৌ পৌরা লং তিংনবা পৌদু ওইনজগে, হায়খিরম্মী। মদুদা মপন পম্ট্রৌ খামলংবা/খাইংবনা পৌ/পৌরাশিং অদু উল্লকখি। অদুদগী পৌশিং খুৎশিন্নরকখিবা মফমদুবু পৌরাপী/পৌরাবী হায়না খঙনখি। অসুম্না হাওরৈমা পীদোংনু নুফাবীসিনা হাওরৈমা তমহৈবীগী লোন্নবী মনাউ ওইখি অমসুং মখোয় অনিসিনা থৌগল তৌদুনা মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংবা নুংঙাইনা পানখি।

মৈদিংঙুচা লোইয়ম্বা পোকপা

হাওরৈমা তমহৈবীনা মশাগী চহি ১৯ (তরামাপন) শুরকপা মতমদা মশাবী কাইনৌ ঈরেংবা নুঙনাং কৈতোন থৌবনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। মসিগা লোইননা হাওরৈমা তমহৈবীসু মৈতৈলৈমা (Queen of Meitei) গী ফম্বাল কাখিরম্মী। অসুন্না মৈতৈলৈমা ওইদুনা হাঙ্গনা হুন্না পাল্লরুবা মতমসিদা মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবনা মশাবী মৈদিংঙুগী ঈনা মপারী অমা খৃ: ৯৮৫ দা শাৎচখি। মপারীগী কোল্লোই মমিংদি লোইয়াম্বা, মৈদিংঙুগী মচানি হায়দুনা "লোইয়াম্বা/ লোইয়ম্বা" হায়না মিংথোনখি। মপারী লোইয়ম্ববু থাদা পম, নমদা পোনা মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবীনা নাউয়োক্লকখি।

মপারী লোইয়ম্বনা লোইদাম থাশীঙ ৬ (তরুক) শুরক্লবদা পলেম মমা হাওরৈমা তমহৈবী তরা চাকপুম শায়, লৈমলৈ ঙাতোং শৎনা মপারীবু তরা চাকইন্দুনা নাউকোঞ্জখি। মতমসিদা মৈদিংঙুচা লোইয়ম্বগী পলেম মমাতোন হাওরৈমা পীদোংনু নুফাবীনা মপারী খমলাং-পামশাবা কৌবা লোইয়ম্বগী মনাউ ঈবুংঙোসি পোকখিরম্মী। মৈতৈ কোনুংদা মপারী অনিসিনা খ্বাই পুন্নমক্কী পোথাফম ওইদুনা পাল্লকখি। মতন্না মীওইববু নোংমা-নোংমগী অহল ওইশিল্লকপগী ফিবমদা পুদুনা চেন্থবনা মৈতৈ নিংথৌ কাইনৌ ঈরেংবা অমসুং মহাক্কী তাল্লোই অনি হাওরৈমা তমহৈবী অমসুং হাওরৈমা পীদোংনু নুফাবী অহনগী মতম ওইশিল্লক্লম্মী।

মৈদিংঙু ঈরেংবগী শক্তম শাবা

মীওইবনা অশিবগী লমন তোন্দুনা লাক্লবা ওইবনা মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংবা নুঙনাং কৈতান থৌবা খৃ: ১০৭৪ দা নোঙ্গারে। তাল্লোই অনি অমসুং মপারী অনিনা অশিবগী লাইথৌ মতোন লোন্না পাংথোক্লে অমসুং মপারী অহন লোইয়ম্বনা নিংথৌ ফম্বাল কাখরে। মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী নিংথোপোকপী ওইরে। অদুবু মশাবী মপুরোইববু নীঙজবী মৈতৈলৈমসিনা মশাবিগী চেংলৌ শকপানথোং, পুনুং লেপ্পান-থোংবু ৱাখলগী মমিত্তা উদুনতা লৈখিরম্মী। কোরৌ নুমিৎ কয়ানিগী অহিং ঈনুং কয়াবু খোমলেন তুমখুল হুন্দনা মিৎস্না মিৎশেন খাঙনা ফম্মুং মোল্লাং কোন্দুনা কপ্পুনা লেঞ্জখি। মমৈথংদা মশাবী শক্তম অমা শাহন্দুনা মহাক্কী মরানয়ায়গী কাদা থমজদুনা লাৎচগে খঞ্জখি। মতমসিদা অসিগুম্বা শক্তম কনাদা হায়রগা শাবা ঙমগদবগে হায়বসি খনবা মখৈ খল্লুরগা মদাইরেম খুৎহৈ-শীনহৈবা কবুই হাওচোং নুঙমুচা কৌবদা মশাবীগী শক্তম শকফম চুন্না শানবা য়াথং পীখিরম্মী।

হাওচোং কবুই খুনগী নুঙমুচা কৌবসিনা মৈতৈলৈমা নিংথৌপোকপীগী য়াথংসি ফংলবদা করি পোৎলম-পোৎচাক্লা শক্তমসি শাশিগে হায়না মওল মওল খল্লুরগা কুরাউ

উ য়াল্লগা উদুগী মকুদু খোক্তোক্লগা মকুদুনা শাগে হায়না লেপখিরম্মী। মরম অসিনা মহাক্না কুরাউ থিদুনা য়াল্লে, উদুগী মকু-মরাং হিদোক্লে অদুগা মদুনা মৈদিংঙু ঈরেংবগী শক্তম শারে। শারবা কুরাউগী শক্তম অদুদা য়াইঙংনা মচু য়েক-তৈদুনা ফজনবা শেম-শাখিরম্মী। অদুবু শক্তমগী শকফমদু মান্দবনা লৈমকোনগী নুপীশিংনা মৈদিংঙুবু নীঙশিঙদুনা কপ্পীংবা পোকখিরমদে, মদুগী মরমদা থম্বীরম্বা বারমদি ঃ—

... ... মদাইরেম কবুই হাওচোং নুঙমুচা কুলাউ শনচোং য়াননা পামেন মায়থা তেংনা লাইরেন মৈদিংঙুগী চেংলৌ শকপানথোং, পুনুং লেপ্পানথোংবু য়াইঙং শংচু য়েক য়োঈবু কপনীঙদবীনা কপনীঙখিয়ে (ও:ভ:স:,১৯৬৭-৭৫)।

অসিনি কুরাউনা শরিবা য়াইঙংনা মচু তৈরিবা মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংবগী শক্তম অসিনা মান্দ্রবসু অমসুং শকফমগী মওং-মতৌ তাদ্র-চুমদ্রবসু মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবীনা মশাবী শক্তম শানবগী তকশিনবা অদুদি লেপ্পমদে। অদুনা কবুই হাওচোং নুঙমুচাগী শক্তম শাবগী থবক্তুসু তোক্লমদে। মতুং তারকপদা মৈতৈলৈমনা মশাবীগী শক্তমসি খোইরূনা শাহনগে হায়দুনা মনাইশিং থাদুনা খোইরূ থিহনখি। মনাই কাইবী লায়ানখোংদা লৈবা থিঙ্গোন নাশিলেং কৌবা খুমন মচা খোইরূগী শীনফম পায়ববু শেল্লোই লংমাইচীঙগী তাইতন শূনাচীঙদা খোইরূ থিহল্লুববু ফংলমদে। মতুং নোংমা অমদা মনাই লেরা খোংনাং মচা লানশূ কৌববু থাদুনা লম্বান্দা খোইরূ থিহল্লুববু মদুদসু ফংলমদে। অদুবু মৈতৈলৈমনা হনবা লৈতনা খোইরূ ফংনবা থিহনখি অমসুং পোৎচাক্তু লৈরবা মতমদা মনাই কাইবী লায়ানখোংগী থিঙ্গোন নাশিলেং, খোইরূগী থবক্তা হৈ-শিঙলবা মহাকপু কৌদুনা মশাবীগী শক্তমদু শাহনখি। হন্দক্কী খোইরূনা মিতম্লগা শাবসিদদি লাইরেন মৈদিংঙু ঈরেংবগী শকফম চুনরে অমসুং অয়েংবা-অঁউবা পুন্নমক পেন্নরে, কোনুংগী লৈমা-শীজশিং পুন্নমক মৈদিংঙুবু নীঙশিঙদুনা কপ্পরে। হায়রিবশিংসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি ঃ—

... ... ঈদাইরেম কাইবী লায়ানখোং থিংকোন নাশিলেং অতোন খোইরী শুম্বা, শীন্নাই নানিরোংবা নঙবু লাউ-ও, খোইরূ তৌদম লাউ-ও ! লাইরেন নশাবীগী চেংলৌ শকপামথোং, পুনুং লেপ্পানথোং, কোরী নাপোমথোং, চীনবান মোইকায়-য়াৎ, মিৎমৈ তোরাল্লম, খজাই নাকলৌ-শিন, নাপ্পা শীনশূ লেন, সনা কোনফম তৌররো ! হায়থরবদা মদাইরেম শীন্নাই নানিরোংবনা লাইরেন মশাবীগী চেংলৌ শকপানথোংবু শানচুরে। পুনুং লেপ্পানথোংবু লৈৰাইরবগীনিনা য়োঈবু কপ্পীঙদবী কপ্পীঙখিয়ে, য়োঈহে নুংশিদবীনা নুংশিখিয়ে (মথক্কীসিদা, ৭৬)। ... ...

অসিশিংসিনি। অসুন্না মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবীনা মশাবী মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংবগী শক্তম, শকফম মওং তানা শাদুনা মহাক্না মশাবীসিবু নীঙজবা অমসুং নুংশিজবদু মশক থোক্না ফোঙদোকচখি। মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবীনা মশাবী মৈদিংঙু নুঙনাং কৈতাল থৌবা কাইনৌ ঈরেংবনা নোঙ্গখ্রবা মতুংদা মশাবী শক্তম শাখি অমসুং হিংদুনা লৈহৌখি। অদুবু মহাক করম্বা মতমদা, করম্না নোঙ্গাখিবগে হায়বগী ৱারোল অমতা থেংনজদে। মরম অসিনা মহাক, মচাঈবুংঙো মৈদিংঙু লোইয়ম্বনা পানবা মতমদা গুপখি, হায়বা ৱাফম থমজরি।

ৱাখোম-ৱারোয়

মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী, খুমন নিংথৌ নোংয়াই থিঙ্গোনহনবা অমসুং মহাক্কী তাল্লোই ঙানুরোন শংলৈমা হাওয়েন খোংদৌবী অনিগী অমতা ঙাইরবী মমোম লাংলেন্নি। মহাক পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু কাইনৌ ঈরেংবগী তাল্লোই অহনবী মৈতৈলৈমা ওইখিরম্মী। মহাক্কী পায়মা খোয়জী খাদগী মৈদিংঙু লোইয়ম্বা পোকখি। মহাক মশাবী মপুরোইবা নীঙবী অমনি। মহাক্না মশাবীবু নুংশিজবনা মপুরোইবনা লৈখিদ্রবা মতমদা মশাবীগী চেংলৌ শক্তম খোইরুনা মিতমদুনা শাহনখি। হায়রিবা শক্তমসি শাবসিনা মৈতৈগী অমসুং মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীদা খুৎহৈ-শীনহৈবগী লমদাংদা হৌজিক ফাওবগীদি অহানবা ৱাফম ওইরি। মসি মহাক্কী পুক্নীঙ-ৱাখন্দা লৈজখিবা মপুরোইবা নীঙবগী শক্তমদুগী খুদোন্নি। মৈতৈলৈমা হাওরৈমা তমহৈবী পোইরৈ ৱাংঙম কংলৈপুঙ কোনুংদা নোঙ্গাখি অমসুং পোইরৈ মৈতৈগী লৈমশিংগী মংদা তীনখি।

১৪

কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বী

ৰাহৌ-শৈহৌ

... ... নোংয়ায় শীঙজা ৰাইকোইবনা নাতারকএ।। মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বী-ও! নথংলেন নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বদি হৈরম মরকশি কোনয়া থৈথোক-পান্দা শাইবা পনয়েখা লাংখোং ঈতাশি পনম খোময়েখায়ববু লাননংলে হায়না পাউমেল্লবদা লৈমা নামুন খামবীনা কোরৌ নোংবু য়েং, মালেম লৈবু থীননা তকলৌ শীতং শোন... (ন: খ: স:, ১৯৮৮-২২)...।।

মথক্তা থমজরিবা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক 'চায়নরোল' কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৰারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "কেকে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বী" হায়রিবীসি মশাবী-মপুরোইবা নীঙবী, মপুরোইবগী মরূ খুননা হাৎখি-শিখিবগী লমন খুমখিবী মোইরাং ঈৰাং চনু নোংয়ায় খুমন ওংবী নুজা অমনি। মহাক্কী মমিং "কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বী" হায়বসিদা "কেগে মোইরাম্বা চনু" হায়বদি মোইরাং মী-কাংলুপ (য়েক) কী ঈৰাং (ঈশিংনা ৰাংবা হায়বদি অচৌবা ঈপাক/লোক্তাক খোংবান্দা খুন্দাবা/লৈবা) মী-ফুরুপ (শল্লাই) কী মোইরাংথেম (মোইরাং নিংথেম) শাগৈ নৎত্রগা য়ুম্লাক্কী চনু /নিংঙোন, হায়বনি। মহাক্কী মমিংদি "নামুন-খাম্বী" হায়বসিনি। মহাক্কী অপোকপা মপা অমসুং অপোকপী মমাগী চপ চাবা মমিং মথাদি পীবীরমদ্রে, "কেগে মোইরাম্বা চনু" হায়বসিদমক পীবীরম্মী অমসুং মসিদগী মৈতৈগী অরিবা লাইরিক ইবগী নৎত্রগা শূব (লাইশূ) গী চৎনবী মচৎকী পরমদা মিৎয়েং থমজদুনা য়েংলবদি মহাক কেগে/মোইরাং লৈপাক্কী / লমদমগী মোইরাম্বা (মোই-মোইবুঙ লাম্বা) কৌবা নুপা অমগী মমোমনি/মচানুপীনি, হায়বসি ফাওবা থম্বা য়াই, অদুবু "কেগে মোইরাম্বা চনু" মোইরাংগী নিংথৌ নৎত্রগা নিংথেম শাগৈ (মোইরাংথেম শাগৈ) গী নিংঙোনবু খঙনবনা (ন: খ: স:, ১৯৬৭, ৫৮-৬২) মহাক অসি মোইরাংথেম শাগৈগী চনু/নিংঙোন অমনি, হায়বসিদা অদুম্মক লেপ্তুনা লৈ।

শক্তাকপা

লৈমা নামুন খাম্বী, পোইরৈ তম্পাক্কী নোংয়ায় খুমন লৈপাক্তা নোংয়ায় খুমন নিংথৌ পুন্সিবা খুরেন চনবা, পুয়াম য়ুমলেনবা, তন্দু লান্দাবনা পানবা মতম [মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু লোইনাই থৱানথাব (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) গী স্না হাক্তক্তগী মৈদিংঙু খুমোম্ব (খৃ: ১২৬৩-৭৮) গী স্না হাক্তক ফাওবা পাল্লম্বা] দা লৈরম্বা, নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বা তাথৌবা হায়না কৌবা লাল্লোইলেন অদুদা মোইরাংদগী ময়ুম পাল্লক্তুনা খুমন্দা ওঙলকখিবী ঈৱাংলোন অমনি। মহাক্না খুমন্দা ওঙলকপা চহি কুমওন্দ্রিঙৈগী মতমদা মহাক্না লুখ্রা শীঙদা চন্দুনা মশাবী শেৎন-খায়নরবদা মপুরোইববু লৌনম-মীনম তৌদুনা চায়না খোঙফেন হানবদা হাংখিবগী মহাক্না লৌখৎখিবা লমন খুম্নবগী হোৎনবা অমসুং লমন খুম্বগী মতমদা ওইখিবা মহাক্কী লমচৎ অমসুং শক্তমগী মমিশিং অদুনি মৈতৈগী অরিবা লাইরিক চায়নরোলদা য়েক্লিবা অমসুং তারিবসিনি। মহাক্কী শক্তমসি নুপী ওইবীনা মশাবী-মপুরোইবা নীঙবগী শকফমদা থাক খ্বাইদগী হেন্না ৱাংলবা থাক্তা লৈবী অমসুং থৌনা লীংজেন পানবী অমগী শকওং-শক্তাদা য়েক্লম্বনি। মহাক্কী শক্তমসিদা ফিদম্নফম ওইরবী অকন-অথৌগী শকফম অমসুং লমচত্তা মপুরোইবা মশাবীগী ঈগী লমন ঈনা খুম্নবা থৌরাংদুনা মশাবু শক্তাক-শকখঙহনখিবীনি। মহাক্না মপুরোইবনা মরৈপাক্কী, মকাংলুপকীদমক্তা পুকচেল তিংনা চায়না খোঙফেন্নবগী খোঙফমদা চোংথোকপা মতমদা লৌনম ৱাঙাং অমসুং মীনম্বা লাংথাক্কী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা হাৎখ্রবা অমসুং তাংজা লুরেন লৌখ্রবদা ককখ্রবা কোক অদুবু য়েক্লবগী মখুত্তগী হন্দোকপীরকপা অদু নুজা শমু মতম্বাক্তা পমজদুনা নুংশি লমন শিঙজরগা নৌনা লৈরোন চন্দুনা মপুরোইবগী তৌফম-পাংথোকফম থোকপা অশি-লাইথৌ, অমন শীঙগুমথৌ পাংথোক্তুনা মপুরোইবা নীঙবগী লংলবা খুদোল অমসুং খুদম উৎচরম্বী মোইরাংথেম নিংঙোন ঈৱাংলোন, খুমন-নোংয়ায় ওংবী খুমন লৈমা কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বীসি মোমনু নুজা ওইবী নুপী ওইবীশিংগী কোক্কী লৈতেং চেক্লা নোইনিংখোই মতু-নৎত্রগা শাৱা উরোক-মতু উরেকশেক ওইনা শীঙথানবা য়াবী অমনি।

থৌদোক ৱারী

খৃষ্টগী ১৩ শুবা কুমশীঙ চামগী মতমদা পোইরৈ তম্পাক লমজাও-লমদমগী নোংয়ায় খুমন লৈপাক্তা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবা, পুয়াম য়ুমলেনবনা পানবা মতমদা খুমন লৈপাক্কী খাথংবদা য়ুমলোন-য়ুমথংননা পাল্লিবা হৈরম-খুঞ্জান (হৈরম লৈয়াৎ/লমতুপ লমদমগী নুংৱান লুৱাংগী মী-কাংলুপকী/ য়েক্কী খুঞ্জান ফুরুপ/শল্লাই)গী হৈরেম কাঙবীশূ কৌবা, মতমদুগী অকন-অথৌ/অরিং ওইনা নাইতোম লম্বা তৌনদুনা

চায়নবা (Combat/Duel) দা খ্বাই মীয়াম্না কিনা-হঙগোয়নবা মীশক অমা লৈরম্মী। মহাক্না খুমন লৈপাক অমসুং হৈরম-খুঞ্জান লৈপাক অনিসিগী তাইনবা লমদমশিংদা খুমনগী নুপা নৎত্রগা নুপীশিং কনা অমতনা শীঙচনবা, ঙা ফাবা, য়েনশা-নাপীশিং (য়েল্লাং কেঙঙোই, পেরুক্লচিংবা) হেকপা য়াদে হায়দুনা থিংলম্মী, চঙহল্লমদে। মহাক্কী মতৌ-মওংসিদা থৌদৌ-লাকতৌদুদা খুমন মচা কনা অমতনসু মহাক্না শীঙনবা নৎত্রগা চোঙথোক্তুনা চায়নবা ঙম্লমদে অমসুং হায়রিবা খুমন-মচাশিংনা শীঙজনবা, ঙাফাবা, য়েনশাং—য়েল্লাং-কেঙঙোই, পেরুক্লচিংবা হেকপা য়াদবা অসিনচিংবগী ৰাফমসি লৈপাক্কী ৰাথোক-লানথোক্কী ৰাফম ওইনা খুমনগী ফম্বৈ-ফম্লুপকী কংলা থৌকাফমদা য়ৌরক্লম্মী। অসুন্না খুমন লৈপাক্কী মতমদুগী শেনবা-থুম্বারোনগী শেন্দান লম্বীগী পরম-পরীং অমা ওইরিবা লম্বেনদুদা অপনবা অমা থোক্লক-ওইরক্লিবদু লৌথোকখিনবা খুমনগী ফম্লুপ ফম্বৈগী কংলা থৌকাফমদা ৰা হৌদোক্লদুনা খন্ন-নৈনখি অমসুং তান্না-তীন্নখি। অদুবু থৌকাফমদুদা তীল্লি-ফল্লিবা মচীন তোংবা, মৰা চৎপা খুমন অঙম-অথৌশিং অমদি অকন-অরিংশিংদু কনানসু হৈরেম কাঙবীশূগা নাইতোম লাম্বা তৌন-পানদুনা চায়না খোঙফেন্নগদবা কি-হঙ্গোয়নবনা কনা অমতা মমায় থাঙ্গত্তুনা ৰা ঙাংবা ঙম্লমদে।

খুমন চাখা মোইরেম্বা চোঙথোক্লকপা

খুমনগী ফম্বৈ-ফম্লুপ তীন্নবা, লৈপাক্কী থৌদা-থৌদাং অমসুং মথৌ-থৌগায় থৌকাফমদা নোংয়ায় অকনবা খ্বাইনা ৰা ঙাংনদ্রবা, খুমন অথৌবা ময়াম্না তুমিন্না লৈনখ্রবদা লৈপাক্কী মীপুম খুদিংমক্কী মথৌ-থৌদাং ওইরিবা হৈরেম কাঙবীশূগী অথিংবগী ৰাফমসি লৌথোক্লবগী মহাক্না শীঙনদুনা চায়নবগী থবক-থৌরম অমসুং ৰাফমসিদা খুমন ফমদৌ ফমলুপ্তা-তীন্দুনা কংলা ফম্বৈদা কাজরকপসু কুইদ্রিবা, মশা নহা/অঙাংসু ওইরিবা অমদি মশা নুহোঙ-খোঙদোংবসু চহী ফাদ্রিবা "নোংয়ায়/খুমন চাখা মোইরেম্বা" কৌবনা হৈরেম লমদমগী খুঞ্জান মচা কাঙবীশূবু খুমন লৈপাক্কীদমক্তা তিমেন তা চায়নরুগে হায়না চোঙথোক্লকখি। মদুদা খুমন লৈঙাক-ফম্বৈদগী মীয়াম্না থাগৎনবগা লোইননা থৌনা ফরবা খুমন চাখা মোইরেম্বগী ৰাফম, ৰাথাঙ্গত্তু তরাম্না ওকপীখি। মতুংদা চাখা মোইরেম্বসিনা মথংগী নুমিত্তুদা হৈরেমদা চত্তুনা খুঞ্জান কাঙবীশূগা চায়নরুগে হায়রম্লগা অহল-লম্মন ময়ামদুদা উৎফম থোকপা ঈকাই খুম্নবা উৎলম্লগা মহাক ময়ুমদা হল্লকখিরম্মী।

নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা ময়ুম য়ৌরক্লগা মহাক্না খুমন থৌপৈ-ফমবৈ থৌকারুবগী ঈ-পাউ পুন্নমক মহাক্কী তাল্লোই মরূম্বী লৈমা নামুনখাম্বীদা তম্লম্মী অমসুং মথংগী নুমিত্তুদা মহাক হৈরেম লমদমগী কন-থৌবদা মমিং চৎলবা খুঞ্জান কাঙবীশূগা তা চায়নবা

চৎকনি, অদুনা শাচৎ-লানচৎপগী চাকয়োম-য়ুয়োমদুনা মথংগী নুমিত্তা শেম-শানবা মাগী মতাল্লোই লৈমা নামুন খাম্বীদা হায়রম্মী। চায়নবগী ৰায়েন-ৰাখুনশিংগী মতুং ইন্দুনা চায়নবা চৎপদা চৎলিবা নৎত্রগা লাম্বা তৌনগদৌরিবা মীশক অনিদু চামিন্ননবা "চয়োম-য়ুয়োম" পুদবা য়াদে অমসুং চায়নবা লোয়রবদা অমনবু মায়পাক্লবসু, অমনবু মায়পাক্লবসু চয়োম চামিন্নদবা, য়ুয়োম থকমিন্নদবা য়াদে। মরমদি চায়নবগী লোয়শিনবসি অচঙ-অশি কায়নবগী পান্দম্নি, থৌদৌনি নৎত্রগা পনখৈনি। অদুগা করিগুম্বদা মসি থোকত্রবদি লাইবক ফরবনি।

নামুন খাম্বীনা য়ুয়োম-খোমহানবা

লৈমা নামুন খাম্বীনা মশাবী মপুরোইবগী ৰাফমদু তাবদা মপুক্লীঙ-ৰাখন্দা নুংঙাইতবা ফাওরম্মী অমসুং নুমিত্তুগী মমাঙগী অহিংদুদা মহাক্কী মমঙদা তুরেন-লৈরায় কুমথদুনা ঈশিং শোক্লুবদা মনাদা শিবা/য়ানবা নায়ান-নায়িন ঈশিং তাখিববু শীঙনাংনা খুনগৎনবা কোৎশিনগে তৌবগী লাম্বদা লাম্বা অদুম ফংখিদ্রে, অদুগা মশাদা শেৎপা-পকপা ফিসু ঈশিংদা তাখিরম্মী অমদি মকোক্তা ফৈজা শানবা ফি অদুসু ঈশিংদা তাউথখিবগী মঙ মঙলম্মী। হায়রিবশিংসি ফত্তবা, খুদোংথীবা লাক্কদবগী মাঙতাক খুদম পীবনি, হায়না পাউদম্লম্মী। করিসু কান্নদবা, অরেম্বা থবক্তা খুৎ থাবা হায়বদু ওইরগনি, চায়নবগী থবক্তু তৌবীরুগনু, থৌওং-থৌদৌদু থাদোকপীয়ু, হায়না য়াম্লা কন্না হায়জরম্মী। অদুবু নোংয়ায় চাখা মোইরৈম্বনা হায়দোকখ্রবা ৰাফমদু হোংদোকপা ঈকাই, খুমন লৈপাক্কী মমান-মমান্নবশিং অমসুং মচীন-মনাউশিংনা মহাকপু পাংদবা-অয়ম্বনি, নুপী-অঙাংগুম্না পঙঙাং ঙাংবা মীনি হায়নসু হায়নবীদুনা মিংচৎ-মিংদা থীনবা ওইরগনি। মরম অসিনা মহাক্কী হায়দোকখ্রবা ৰাফমসিদগী হোংলরোয় হায়না মপুক্লীঙ চপ য়ুংনা মহাক্কী ৰাফমদুদা লেপ্পুনা লৈবগী ৰাফম, মাগী তাল্লোই লৈমা নামুন খাম্বীদা ফোঙদোক্লম্মী।

মথংগী নুমিৎ, চায়না খোঙফেম্ন হানবগী থবক পাংথোকদৌরিবা নুমিত্তুগী অয়ুক্কুদসু লৈমা নামুন খাম্বীনা মমাঙগী-অহিংদুদা মহাক্কী মমঙদা ফত্তবা থৌদোক, লাইবক থীবা অৰাবা ওইরক্কদৌরিবা অদুগী খুদম-চাংদম পীবা মঙ মঙবগী ৰাফমসু মহাক্না মশাবী মপুরোইবগী মফমদা তম্লম্মী। মহাক্কী মঙদুদা মখোয়না লোইজবা য়েনবু মখোয়গী শুম্মাঙদুদা চাক্তাদুনা লৈববু লোইবী চীঙ কাকলেন্না ফাদুনা চঙনা চেনখিবগী মতৌ-মওংদু মঙলম্মী হায়না মপুরোইবদা পাউদমজরম্মী। অদুবু মথৌনা ফরবা, শিবা কিদ্রবা মপুরোইবদুনদি মহাক্কী পুক্লীঙ ৰানা পাউদমজরিবা ৰাফমদা করিসু থৌশা-ৰাশাবীরমদে। অদুগা লৈমা নামুনখাম্বীনা তাল্লোই অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌদু চপ চানা মপুরোইবনা চায়নবা চৎপদা পুনবা চয়োম-য়ুখোমগী চাকয়োম-য়ুয়োম্বগী থবক্তু

পায়খৎলম্মী। অদুগা চায়না খোঙফেন হানবা চৎলমদায়গী মাগী মাগী তাল্লোইশিংনা লাইগী মঙতাক খুদম-চাংদম অমসুং পাদম য়েংনবগী চাংয়েং, চাকয়োম-খোমহানব (চয়োম য়োম্বা অমসুং খোম-য়ু নৎত্রগা য়ুঙৌ পুকয় /অতিঙবদু খোম তুম্বা নৎত্রগা তুম্বাদা হাপচিন-হৈজিনবা) দু লৈমা নামুন খাম্বীনা পাংথোক্লগা য়েংবদসু অফবগী খুদম ফংলমদে অমসুং লৈমা নামুন খাঙবীনা মদুদা মপুক্লীঙ য়াম্না নুংঙাইরমদে, লাংতক্করম্মী। অদুবু নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বদি মথৌনা-মরিংজেন ফবনিনা শিবা নৎত্রগা অশোক-অপনগীদমক্তা করিসু কিবা অমসুং নাচুংবা তৌদনা চায়না খোঙফেন হানরুনবগীদমক্তা খোঙশানখিরম্মী।

চায়না খোঙফেন্নবা ঃ

নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা মশাগী খুৎশূ-খুৎলাইশিং-চুঙ-তা, খুৎশূ থাঙলেন, নামৈয়েপ-থাঙনচিংবগা কোরৌ-ফি ফিঙাং পুদুনা চায়ননবগীদমক্তা লানশীঙননবা হৈরেম লমগী খুঞ্জান কাঙবীশূবু থিরকপদা মখোয় অনি হৈরেম মরকশি, কোনয়া থৈথোকপান কৌবা মফম/লমদা উনরম্মী। মতমদুদা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা মখোয় অনি চায়নসি হায়না হৈরেমগী কাঙবীশূবু চায়ননবগীদমক্তা লানশীঙনরম্মী। মদুদা খুঞ্জান কাঙবীশূনা মহাক্তি চুঙ-তা য়াওদে, শাজৈ পায়দুনা লৌবুক্তা লৌ খোইরম্বনি, মহাক্না শীজিন্নরিবা শনগী পোৎপু ৱা অদুনা মহাক্কী চুঙ ওইবা অমসুং শন শাজৈ অদুনা তা ওইদুনা চায়নবা হায়বসি ওইথোক্তে, চায়নসি হায়রবদি মহাকসু ময়ুমদগী চুঙ-তা লৌরুখিগে, নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বা মহাক মফমদুদা পোথাদুনা ঙাইরম্মু, মহাক মমায় লৈদুনা খক চেল্লোয়, হায়না হায়রম্মী। মদুদা মথৌনা ফরবা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা হৈরেম কাঙবীশূনা হায়বা ৱাফমদু য়াবীদুনা মহাকপু ময়ুমদগী মশাগী খূৎশূ চুঙ-তা লৌবা চংহনখিরম্মী।

হৈরেমগী খুঞ্জানমচা কাঙবীশূনা ময়ুমদা মাগী তাল্লোই শংলৌ য়েনখুৱাংবীদা পাউদমদুনা- মহাকপু খুমন লৈপাক্কী নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা তা চায়নসি হায়দুনা শীঙনররে, চায়নবগী হৌনবা থৌরাং পুম্নমক তৌদুনা চাকয়োম (চয়োম য়োম), য়ুখোম য়ুঙৌ য়ুহাল্লু, --- হায়না হায়খিরম্মী। মহাক্কী তাল্লোইনা চাক-য়োম য়ুহানবদা লাই খুদম মাঙতাক চাংয়েংবদদি,ফবদি ফরগা মপুক্লীঙ থুংফাত্তবা, লুতুং ৱারৈ চেনবগী খুদম ফংখিরম্মী। অদুবু তাল্লোইসিনা মহাক্কী মশাবী-মপুরোইবগী পুক্নীঙ থৌগৎপা-থৌদোংবদি তোকখিদে। অদুনা হৈরেমগী কাঙবীশূদু মহাক্কী মখুৎশূ-খুৎলাইশিং পুদুনা কোরৌ-ফি ফিঙাংগা লোইননা হায়নখিবা মফম, হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈথোকপান্দুদা থুংলখি। মখোয় অনিনা চায়নগদৌরিবা অদুদা চৎলগদবা ৱায়েন-ৱাখুনশিং লেপথোক্লরবা মতুংদা মখোয়না লেপ্পখিবা মখোয় অনিগী মরক্তা লৈগদবা নৎত্রগা থম্নগদবা অরাপ্পা অদুগী

লমশীঙ ওথোক্লদুনা মাগী মাগী লৈগদ-লেপকদবা মফমদা লেপ্লরে। হায়রিবা মতমসিদা মখোয় অনিগী চায়নবদু হৌননবা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা হৈরেমগী কাঙবীশূদা "মহাক্কী মরমদমদা চায়নবনিনা হৈরেমগী কাঙবীশূ মহাক্না হাননা তা হুন্দুনা চায়নবা হৌরসি— হায়না হায়রকখি। অদুবু হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূনা-মহাক্কী মরমদম হৈরেমগী মনুংদা চায়নবা ওইদুনসু নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বা মহাক্না চায়নসি হায়দুনা লানশীঙনবসি হৌরে, অদুনা মহাক্না হাননা তা হুনফম থোকই— হায়না হায়রম্মী। অসুম্না নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা হাননা তা হুন-লংদুনা মখোয়নীগী চায়নবদু হৌদোকখিরম্মী।

চাখা মোইরেম্বা শিবা —

নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা মহাক্কী তিমেন তাদুনা খুঞ্জান কাঙবীশূদা পাননবা পান্দম লাক্তুনা/তমদুনা হুল্লম্মী। মদুদা তা অদুনা খুঞ্জান কাঙবীশূগী মখুৎ খুদোন খজীক্তং খেৎলগা মালেম লৈমায়থক্তা তারম্মী। মতৌ অদু উবদা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা—"পাথৌ হৈরেম কাঙবীশূ! নঙগী নখুৎ খুদোনবু ঐগী তানা খেত্তুনা পাল্লবনি" হায়দুনা মহাক মশাগী হায়ফম থোকপা অপানবগী ৱাদু হায়রম্মী। অদুবু হৈরেমগী কাঙবীশূনা মহাকপু নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী তানা খেত্তুনা পাল্লে অমসুং শোক্লে, হায়বদু য়ারমদে। মহাক্না মীনম্বা ঙাংদুনা লৌনম্বা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা মাগী মখুত্তগী ঈ থোক্লিবা অদুদি মহাক্না ঙসাই লৌউবগী—শমপোৎ খোইবা-পায়বদা কাকফৈনা চীকখিবগী থোকপা ঈনি— হায়না লৌনম তৌদুনা মশা হক্কন্নখি। ৱাফমদুদা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা - "ফরে, মদুগী অচুম-অরানগী ৱায়েন্দি হৈরেম হায়রিবা খুঞ্জান নপা-নপুগী লমসিবু কোল্লিবা লাই অদুনা ঙসিদগী নুমিৎ মঙানীগী মনুংদা তৌবীরসনু" হায়না ৱাশক নামুং থমদুনা হৈরেম লাইদা শিন্নরগা খুঞ্জান কাঙবীশূবু মহাক্কী লেঙ ওইনা তা হুল্লরুবা হায়খিরম্মী। লৌনম-মীনম চাওবা, মখুৎ চুম্লবা হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূনা খোইয়ুম লাইবু করিসু কিবীদনা মাগী তা অদুনা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বদা পান্দমদুনা হুক্লকপদা তা অদুনা চাখা মোইরেম্বগী চনীঙদা য়ুংদুনা তাপাল্লে অমসুং নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা ফুমবী অমগী মথক্তা লোংনা তাদুনা লৈরে।

মায়থীরবা ফিবমসিদা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা মৈতৈগী চায়নরোলগী ৱায়েন-ৱাখুন অমসুং চৎলম-কাংখুন্না পীবগী মতুং ইন্না মশাগী হকচাং অমসুং মথৱাই/মপুন্সিদু মায় পাক্লিবা মীওইদুদা পীথোক্তুনা ময়ুমদগী পুরকপা চয়োম-য়ুয়োম, য়ুখোম তুম্বা পুথোক্তুনা চামিন-থকমিন্নরগা মতুংদা মহাক্না মশাগী মীহাৎ-মীকম/মীকক্কী মরমদা মহাক্না পামজবা মওং অমসুং মহাক্না হায়জবা য়াবশিংদু হায়রম্লগা মশানা য়ানা মশাবু হৈরেমগী কাঙবীশূবু মঙক কক্তুনা হাৎহনখি। হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূনা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্ববু

মঙক কক্তুনা হাৎলগা মহাক্কী অককপা মকোক লুরেন্দুনা মহাক-মশাগী লুখা থানবগীদমক্তা পোন মচা অমা শারগা মদুদা হাপ্তুনা পুরগা মহাক্কী ময়ুম হৈরেম খেরে-চীঙ, খুঞ্জান লাল্লুমথেন্দা লৈবদুদা হনখি। খুঞ্জান কাঙবীশূনা মাগী মখুত্তা নোংয়ায় চাখা মোইরাম্বগী তানা খেক্তুনা ঈ থোকপদুবু শনপোৎ খোইবদা কাকফৈনা চীকপদগী থোকপা ঈনি, হায়দুনা মীনম্বা ঙাংখিবদুগী লাই-ৰায়েন থীম্বা তৌদনা থুংলরে। খুঞ্জান কাঙবীশূ মশাদা অনা তেনবাঙ্লক্লে। অদুবু মহাক্না মীনম্বা ঙাংদুনা লৌনম্বা পাম্বৈনা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্ববু ঙমখিবনি অমসুং হাৎখিবনি হায়বসি হৈরেমগী খুঞ্জান ফুরুপকী মপা-মচা, মচীন-মনাউশিংগী মফমদা হায়দোকপা ঈকায়বদগী অদুম লোক্তুনা থমখিরম্মী। মদুনা হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূনা নারক্লিবা লাইনাদুগী লাইশক-লাইচু লেপ্পা ঙমখিদ্রে। অদুবু অনাবগী মৈচাক্তুদি অসুম অসুম লেপ্তুনা হেঞ্জিল্লক্রম্মী।

লমন খুম্নবগী খোঙজঙ-খোঙথাং

নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী লুহোং-খোঙদোংবা চহি কুমওন ফাদনা য়ুম্বান য়ুমদীন্নরকপী মতাল্লোই লৈমা নামুন খাম্বীনা মশাবী মপুরোইবনা য়ুমদগী মখোঙ থাংদোকখিবা নুমিত্তুদগী মশাবী হল্লকখিগনি হায়দুনা ময়ুম-ঈংখোলদগী নুমিৎ মঙানী চৎথোক্তনা ঙাইজববু মশাবীদি মহল্লকখিদ্রে। মতুংদা মহাক্না লৈকায়গী শীঙজন-ঙাফাবা চৎপা, য়েনশা-নাপী হেকপা-থিবা চৎপা অমসুং ঈশীৎ-লোংখোনবা চৎপীশিংদা পাউহংজবদা মহাক্কী মশাবীদু হৈরেম মরকশি কেনয়া থৈথোকপান্দা চায়না খোঙফেন্নবদা হাৎখ্রে হায়বসি তারম-খঙলম্মী। মপাউ অসিনা নৌজরিবী মহাকপু লুখ্রা ওইবগী পুন্সিদা চিংথবীবদা নত্তনা মীনা লাকচখিবগী খোয়শাও-লিনশাওবগী নুংঙাইতবগী মৈচাক অমসু পীরম্মী। মসিনা মহাক্কী পুক্নীঙ-ৰাখন্দা লমন খুম্নীঙবগী মৈরী অমা চুখৎলক্রম্মী। মরম অসিনা মপুরোইবগী লমন শোয়দনা খুম্নবগী থৌদাং লৌগে হায়না লেপ্লম্মী অমসুং মদুগী থৌরাং লৌখৎপদা মহাক্না হেক ঙমজবগী থাক অদুদা মখোঙ থাংজিন্নবা মশাগী অচেৎপা ৰারেপ লৌজরম্মী।

ঈৰাংলোন মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বীনা মশাবী নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বনা ময়ুম খুমন লৈপাক্কী অৰাবা কোক্লবগী থৌদাং লৌবদা য়েক্লবনা হাৎখিবসিগী লমন খুম্ননবগী খোঙজঙদা অহানবা খোঙথাং ওইনা খুমন ফম্লুপ-ফম্বৈ গী কংলা য়াকাবুঙদা মশাবী-মপুরোইবগী লমন-খুম্বীয়ু হায়না ৰাকৎচবগী ৰাথাংগৎ ৰাফম লানখৎখি। অদুবু খুমননিংথৌ অদোন পুন্সিবনা মহাক্কী মশাবীগুম মপাঙ্গন কনবা, মতীক-মঙম চাওবা অমসুং মথৌনা-মরিংজেন লৈবা খুমন লৈপাক্কী খাথা অমসুং লাইথা পানাগী মীওইশিংসিদা য়াওদে অমদি মহাক্কুম্না হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূগা চায়না খোঙফেন হানবা ঙমগদবা মীশকসু লৈতে। মরম অসিনা মহাক্কী লমন খুম্বসি খুমন লৈপাক্না ঙমলোয়, হায়না

ঈরায় লায়না হায়দোকপীরকখি। মতমদুগী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদারোন মতুং ইন্না নুপীনা লৈঙাক-ৱায়েন ফম্লুপ-ফম্বে কংলাদা কাবসি মতীক ওইদবনি, অদুবু মশাবীগী কায়না মৈচাক্লা ঙাওরবী, লমন খুম্নীঙবগী মৈরীনা মপান থোক্লা চাক্লবী, নহা ওইনা লুখ্রা শীঙদা চলহৌরবী লৈমা নামুন খাম্বীনা ঈকাই-ঈকি, চোপ্পা-লেম্বা, অফবা-ফত্তবনচিংবগী ৱাখল অমসুং ৱাফমশিং পুন্নমকপু মহাক্লা মশাবীবু নুংশিজবা অমদি নীঙজবগী মৈফমদুদা চাকথেকহল্লগা খুমন কংলাদা মপুরোইবগী লমন খুম্বীনবা নীজরুবনি তৌইগুম্বসুং লৈপাক মখোয়গীদমক্তা মথৱাই থাদোকখ্রবা মীশক্তুগী লমন, মথৱাই হাংপীখিগনি হায়বগী কিজরবা খুমন নিংথৌ অমসুং মহাক্কী মীওই অমতনা লমন খুম্নবগী ৱাফমদা মপাম্বোম ফাওবা তিংথোকপীখিদে।

নামুন খাম্বীনা পাম্বে থিবা ঃ

মপুন্সি চুপ্পা লেল্লুরগনি হায়না ওঙলক্লিবা খুমন লৈপাক্কী মফমদগী ফংফম থোকপা হক্কী লমদাংদা নীঙবা কায়রবী, কেগে মোইরাম্বা চনু, লৈমা নামুন খাম্বীনা মমিত্তগী মপি খকঙমদনা নিংঙোন মহাক্কী মপাম লমদম কেগে মোইরাং লৈপাক্তা হি তোংদুনা মপুরোইবগী লমন খুম্বীনবগীদমক্তা মোইরাংগী মবুং-মপ্পাশিংগী-মরক্তা লান্নেক-খুৎনেরুবা চৎখিরম্মী। মহাক্লা কেগে মোইরাং লৈপাক্কী খুমন লৈপাক্তা খুমনগী মৌ ওইরবী মহাক্কী খুমন মতৈ অমদি নোংয়াই মনাউ ওইবশিংগী মঙাই-মশেন ওইবশিং ফাওবদা মহাক্কী মপুরোইবা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বদু খুমন লৈপাক অমসুং হৈরেমগী খুঞ্জান লৈপাক, অনিসিগী লোন্না-থংনবদা লৈবা হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈথোকপান্দা চায়না খোঙফেন্নবদা মীনা হাৎপীখ্রে। মরম অদুনা মপুরোইবগী লমন খুম্বীয়ু, লৈমা নামুন খাম্বী মহাক্লা মপুরোইবগী লমন খুম্বীরিবা মীশক, মী মহাক্তুগী মীনাই ওইজগে হায়না হন্না হন্না হায়জরুববু মোইরাং মচা কনানসু তাবীখিদে, কেগে মচা অমতনসু খুমবীরক্তে অমসুং ঙাংঙোই মচা কনানসু থৌশা-ৱাশাবীরমদে। মদুগী মহুত্তা, নহাক্কী নশাবীদি অকন-অথৌনি, মহাকপু করম্না কনানা হাংখ্রিবনো? মহাক্তি মপাঙ্গন ফবা, মথৌনা লৈবনিনা মমাঙগী মতমদা মোইরাং ঐখোয়বু মহাক্লা কন্দুনা লৈবা লমদগী শীঙ য়ানবা, য়েনশাং হেকপনচিংবা তৌবা য়ারোয়, হায়না থিংলম্বা নুপানি, মহাক্কা মান্ননা অকন-অথৌ শাদুনা ঐখোয়না হৈরেম মরকশিদা লানশীঙনবা চৎপা ঙল্লোয়, হায়না মমাঙগী মলোম থমদুনা মখোয়নী লুহোং-খোঙদোংবা মতমগী নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম পুথোক্তুনা পাউখুম্বীরক্লম্মী। অসুম্না লৈমা নামুনখাম্বী অমুক্কসু নীঙবা কায়না ময়ুমদা হল্লক্লম্মী।

নীঙবু নীঙলবদি থোক্লবা অমা লাকই, হায়বদুনি; ৱানা ৱানা নুমিৎ খরনী খাঙলিঙৈসিদা, নোংমা শকখঙদবী, অহল ওইরবী নুপী অমা, লৈমা নামুন খাম্বীগী

মনাক্তা কোয়থোক্লক্লম্মী। মহাক্না লৈমা নামুন খাম্বীগী অৰাবগী থৌরম-ৱারম পুন্নমকসি তার-খঙলবা মতুংদা হায়রক্লম্মী-ঈমৌ ঈবেম্মা লৈমা নামুন খাম্বী, নহাক্না অরেম্বদা খুমন অমসুং মোইরাংগী য়ুমথোঙ খুদিংদা চঙদুনা নপুরোইবগী লমন খুম্বীনবা নঙগী নতেং নীননবা চঙজদুনা মতম মাঙহল্লে। অদুবু নহাক্না খঙগদবদি নহাক্কী নশাবী নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী মপা-মমা তীন্ননা পোকমিন্নবা মশানৌ অমা শিখোং হায়বা লমদুদা খুনহোংলগা চাক্তাংদুনা লৈখিবনি, মহাক্তুসু মপাঙ্গন কনবা অমসুং মথৌনা লৈবদা খ্বাইনা শীঙথানবনি। নহাক্না মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা মশাবী-ময়াম্বগী লমন খুম্নবা লান্নেকলু-ও"- হায়না তাকপীরম্মী। ৱাফমসি তাবদা লৈমা নামুন খাম্বী হরাউবগী ঙমখৈ লৈরমদে অমসুং অমুক পন্থবা তৌদনা মশানৌ মনাউনুপসিবু থিরুনবা ময়ুম থাদোক্তুনা শিখোং মায়কৈ পাংখিরম্মী।

লমন খুম্বা অমসুং লমন খুৎখুম্ন

লৈমা নামুন খাম্বীনা লমলেন শিখোং লমদমদা থুংলদুনা মশানৌ নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবগী ময়ুম-মশাইগোন হং-হংদুনা থিরক্লম্মী। লম্বীদা ওক্লরকপা-ওক্লরকপীশিংনা মোংবা মকাইফমদু তাকপীরক্তুনা মশানৌ নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবসিগী ময়ুম মশাইগোন্দা চঙলক্লম্মী। মহাক্না মশানৌদুবু য়েংবদা মহাক্কী মশাবীগা শাওং-শাবান, মিৎতা-নাতা, মায়থোংগী মতৌ মায়দা-শকতানচিংবা মান্নবা অদুনা লমজিং ওইরগা মশানৌগী চেংলৌ মশক খঙবা ঙমখিবনি। মনাউনুপা অদুনা মহাকপু চঙক্লনা য়েংদুনা লৈরবদা লৈমা নামুন খাম্বীনা মশাগী মশক তাক্তুনা হায়রকখি—ঈতৈমগী ঈবুংঙো! ঐহাক অসি নহাক্কী নয়াম্বা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী তাল্লোইনি, নহাক্কী নয়াম্বা ঐহাক্কী ঈপুরোইবদি খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা খুমন লৈপাক্কী অৰাবা কোকহন্নবগী শীন্থা-থৌগায় পীবদগী হৈরম মরকসিদা খুঞ্জান কাঙবীশূগা চায়নবদা লৈখিদ্রে। লমন খুম্বীফম থোকপা খুমন লৈপাক্না করিসু তৌবীয়ু য়াদ্রবনিনা নশাবী ময়াম্বগী লমন খুমলো, হায়না নহাকপু লান্নেক্কে হায়দুনা লাক্লিবনি, হায়না ৱারী-ৱাখোঙ শুনা হায়রকখি।

মতৈমগী ৱাফমসি তারবদা নোংয়াই শিখোং নিংথৌবসি অশাওবনা মৈরী থোক্লা চাক্লকখি, ময়া ক্রক ক্রক চীকলকখি। কনা লৈজদ্রবী পীদোন্না লৈরবী মতৈমগী মতৌ অমসুং ময়াম্বা লৈখিদবগী নুংঙাইতবগী মৈচাক হেনগৎলকপনা ময়াম্বগী লমন খুম্নবগী খোঙফমদা অচেৎপা ফিরেপ লৌরকখি। থীম্বদনা মহাক মতৈমগা লোইননা খুমন নোংয়ায় লৈকোয়পুঙ (ময়াং ইম্ফাল)দা লাক্লম্মী। মতৈমা লৈমা নামুন খাম্বী অমসুং মনাউনুপা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবা অনিনা লমন খুম্নবগী লাল্লম-পোরম পুন্নমক য়াৎন-শীন্নখিরম্মী। নহা ওইরিবা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা মখোঙ থাংজিন্দ্রিবা মনাউ নুপাদুগী চায়না

খোঙফেন্নবদা পুগদবা চয়োম য়োম্বা অমসুং হাওদৈ য়ুখোম হানবগী থবকশিংদু মতৈমা লৈমা নামুন খাম্বীনা মমা শরুা পাংথোকপীরম্মী। হায়রিবা চয়োম য়োম্বা য়ুখোম হানবগী লাই-খুদম য়েংবদুদা লৈমা নামুন খাম্বীনা মায়পাক্কনি হায়বগী খুদম-চাংদম ফংলম্মী অমসুং মনাউ নুপাবু মপুক্সীং থৌগত্তুনা শোয়দনা মায় পাক্লগনি, অকি-অখং পোক্কনু অমসুং লান শোক্লরকপদা নীঙহন্নগে হায়বগী ৱাখল খল্লক্কনু, হায়না মনাউনুপাগী মথৌনা হাপ্পীরম্মী। মনাউনুপা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা মতৈমনা মপুক্সীঙ থৌগৎলিবদুগী মথক্তা মশাবী নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী লমন খুম্বা ঙম্বা ওইজরক্কে হায়না নীজরগা মহাক্কী চায়নবগী মতীক চারবা শাফি-লানফি শেৎ-চাদুনা, খুৎশূ-খুৎলাই শুনা পুদুনা মমায় মখা মায়কৈ ওন্দুনা শাথেং-লাম্থেংননবা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবা খোঙহৌ-খোঙশান্দুনা চৎখিরম্মী।

হৈরেমগী কাঙবীশূগী ময়ুমদা

নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা খুঞ্জানশিংগী মরমদম হৈরেম লমদম য়ৌরবদা লম্বীদা থেংনবা অচং-অওকশিংদা খুঞ্জান কাঙবীশূ অথৌববু কদায়দা চৎখিবগে অমসুং কদায়দা, করি তৌদুনা লৈরিবগে হায়না হং-হংদুনা লাকখিরম্মী। মহাক্না শীঙজন-ইফানবা চৎপা, ইঞ্জিং-লোংখোনবা, ঈশীৎ-ঙাফাবা, লৌবুক্তগী য়েনশাং হেকপীশিংদা হংজরুবদা মখোয়না, মহাক্না থিরিবা মীশক, খুঞ্জান কাঙবীশূগী মঙোন্দা পীবীরম্বা পাউদি-হৈরেম কাঙবীশূ অথৌবদি মমাঙগী নোংমা অমদা হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈথোকপান্দা তম্বা নিপা অমগা চায়নরুবগী মতুংদা চায়নবদুনা খুরৌ লৌরগা নাদুনা লৈরম্বগী নুংশাশোর তৎখিদুনা অশিবগী থোঙদা চঙখিদুনা খাঙেনফমদা খাঙেন্দুনা লৈরি, ঙসি মঙানী শুখ্রে অমসুং হয়েংগী নুমিত্তদি মহাকপু মোংফমগী মালেম লৈরোম্নুংদা চন্দুনা ফুমলগা অশিবগী তৌফম থোকপা মথৌ-মঙম পাংথোক্লগনি, হায়না ৱারেপ্পরে, হায়দুনা থেংন-উনবা নুপা-নুপীশিংনা তম্লম্মী।

নোংয়াই শিখোং নিংথৌবনা খুঞ্জান মীয়াম খ্বাইনা হায়নরিবা ৱাফমশিংদু তারুরগা মহাক্না শেৎ-চারিবা চায়না খোঙফেন্নবগী ফিজোল-ফিজেৎশিংসি শেৎ-চাদুনা অদুম চঙলবদি মহাক্না পাংথোক্কে নীঙলি-লেপ্লিবা লমন-খুন্নবগী থবক্তু পাংথোকপা য়াররোয়, ৱারৈ থাংলগনি, খুঞ্জান মচাশিং অদু চেকশিনখ্রগনি অমসুং মহাক মতোম্‌তনা লমন খুম্বগী থবক্তু পাংথোক্লবা পাখৎকদৌরিবনিনা অপনবা থোকপা য়াই, মরম অসিনা মহাকপু মীতোপ লমলানবা মান্দনবা, হৈরেম লমদমদা লৈবা খুঞ্জান মচা অমা মালহন্নবা মহাক্কী নীঙখম, লানফি কোক-য়েৎ, চুঙ-তানচিংবদু খুঞ্জানগী পনথোঙ (খুনগী হোজঙ কোনথোঙ) দা মোংশোং-হাপুঙশিংগী নারক্তা লোৎশিন্দুনা থনম্লগে হায়দুনা লোৎশিল্লম্লগা মশা য়াংনা খুঞ্জান খুল্লক্তা চঙলকলম্মী। অদুগা নুমিদাংগী মতম থেংজিল্লক্লবদা মহাক্না খুনজান

কাঙবীশূগী ময়ুমদা চঙলক্লগা য়ুমদুগী য়েন্নখাদা ফক্লাংদা মশা ঙাশিন-নপশিন্দুনা ঈমুং-মনুংদা করি তৌরিবগে, করি ঙাংন-শক্করিবগে হায়বদু তারম্মী। হায়রিবা মতমসিমক্তদা ঈমুং মনুংদুদা মিৎশেন খাঙদুনা অশিবা হকচাংদু শঙলিবা মীশিং অদুগী মনুংদগী অমনা-নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী অককপা লুরেন/মকোক্তু পোন মনুংদা হাপ্পুনা লুখা থানবা থল্লিবদু চৎনবী-হৌনবী মতুং ইন্না শীঙচেপ মৈরা থান্দুনা থল্লিবদু মৈ মুৎহনগনু-হায়না হায়রকপদু নোংয়াই শিখোং নিংথৌবনা তারম্মী। নুপাসিগী ৱাহৈশিংসি হেক তাবমক্তদা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবদু মহাক্কী পূক্নীঙ-হকচাং পুন্নমক অশাওবা, নুংঙাইতবা অমসুং লমন খুন্নীঙবগী ৱাখন্না পুমকুপ কুপশিনখিরম্মী। অদুগা মহাক্না লৈরিবা মফমদুদগী ঈমুং মনুংদা মীশিংদুনা লৈরিবা অদুদা চঙশিল্লক্লম্মী।

নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা খোয়শাওরবা মহাক্কী থম্মোইদু ফুক্লবা লানশীঙনবগী খোল্লাউ অমসুং লাল্লাউগা লোইননা চোঙথোক্লক্তুনা মশাগী মশক তাক্লগা মহাক্না নীঙলিবা লমন খুম্বগী-থবকশিংদু পায়খৎলক্লে। মহাক্না চোঙশিনখিদুনা ময়ামগী ওইনা ময়ায়দা থাল্লিবা অচৌবা মৈরাগী মৈবুল হাইজাওদু ইম্বুদুনা চায়খায়বগা মদুগী মৈদুনা য়ুমদুদা চুদুনা থারম্মী অমসুং য়ুমথংননা লৈরিবা য়ুমদুসু শাইজিন মৈচুদুনা থারম্মী। খঙহৌদনা লান্দাশিল্লকপা অমসুং লান তকশিল্লকপা মানবা থৌদৌশিংদুদা খুঞ্জানশিং ময়ামদুনা চম্মন্নদুনা লৈরিঙৈদুদা থাগৎলক্লবা মৈ অদুনা য়ুমশিং লাম-লামদুনা চাকপা হৌরক্লে অমসুং খুঞ্জান মচাশিং অয়াম্বসু ৱাখল-লৌশিঙ তাদনা তুফক তুফাই চন্দুনা চেম্থোক্লখ্রে। অসুন্না চরাং-খোয়রাংনরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা চোঙশিনখিদুনা কু মনুংদা হাপ্লগা খাঙঙেন্দুনা থল্লিবা হৈরেমগী লানথৌয়াঙ খুঞ্জান কাঙবীশূ অথৌবগী মথৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদুগী মঙক কক্তুনা লুরেন লৌরে, মদুগা লোইননা লৌবা য়াবা হৈরেম-খুঞ্জানগী হীওই-য়াইওইবশিং পুন্নমক খোমজিন্দুনা ফি অমনা য়োমশিল্লে। অদুগা খোঙলৈ থুনা নোংয়াই শিখোং নিংথৌবসিনা ময়াম্বা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী অককপা লুরেন, পোন্দা হাপ্লগা শীঙচেপ মৈরা থাল্লগা খুঞ্জান কাঙবীশূগী লুখা থানবা ঈরাৎ-থৌনী তৌদুনা থম্লম্বদুবু লৌখত্তুনা ফি অমনা নাহোং শাদুনা মনঙ্গন্দা পোশিল্লে। অদুগা হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূগী অককপা মকোক্লবচিংবদু মখুত্তা পায়রগা হৈরেম খুঞ্জানমচাশিংনা লাংনা-চেন্নরিঙৈ, য়ুমশিং মৈ চাকপগী-ময়ামদুনা ৱাখল-লৌশিঙ মাঙনরিঙৈ মতমদুদা হৈরেমগী খুঞ্জানশিংগী খুনগী পম্থোঙ লাম্থোক্তুনা চৎখ্রে।

লমন খুম্বগী লমন শিঙবা

নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা মতৈলৈমা কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বীগী মনাক্তগী মশাবী ময়াম্বা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগীদমক লমন খুন্নবাগীদমক্তা

খোঙশানখিবগী মতুং মক্তদা লৈমা নামুনখাম্বীগী থম্মোইদা ৰাখল অমা অমুক ফাওরকখি, মদুদি ঈশাবী ঈপুরোইবা লৈত্রবা মতুংসিদা ঐহাক্না ঈশাবীগী লমন খুন্নীঙলুবদগী থৌরাংলুরিবা অসিনা ঈনাউনুপা অঙাং ওইরিবা ময়ুম-মকৈ পাঞ্জদ্রিবা অসিবু হৈরেম লমদমগী খুঞ্জানশিংগী মফমদা মখোঙনা থোংনা মমঙথিহনবগুম থোক্লগদ্রা- হায়বা ৰাখনসিনা মহাকপু শাথীনা কপহনখি। তৌফম খঙদ্রদুনা মতোমতা পঙকপ্তা কপ্তুনা নুমিত্তুমা লেনখিবা খঙহৌরমদে। অসুমনা ৰানা ৰানা নুমিত্তুগী নুমিদাংদু লেল্লকপদা মহাক্কী মমঙদা য়াইফ খুদম ওইগদবা নুংঙাইরবা মঙ অমা মঙলম্মী। মঙদুদা শাদানবা চৎপদসু শা য়াম্না ফাবা, লানফমদা চৎলবসু লানফা য়াম্না ফাগদবা অদুগুম্বা মওংগী মঙ মঙলম্মী। হায়রিবা মঙ অসিনা লৈমা নামুন খাম্বীবু অৰাবগী ৰাখন্না থনবদুদগী নুংঙাইবা-য়াইফবগী নুংশা শোর হোন্দোকপা ফংহনবীরম্মী। মহাক্না মিকপ থোক্লক্লগা মঙগী ৰাফমশিংসি খল্লুরগা মশাবীগী লমন খুন্নবগীদমক মহাক্না হায়বদগী পল্লেপফম খঙদ্রবা শাফম-লানফমদা খোঙজঙ-খোঙদাখ্রিবা মনাউনুপা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবদা অশোক-অপন য়াওবা, খোঙলৌ-পল্লৌবা থোকপনচিংবগী খুদোংথীবশিং থোক্লরোদ্রা হায়বগী ৰাখল অমদি খঞ্জখি। অদুবু মনাউনুপাগী মশক উদ্রিবা ফাওবদি ৰাখলগী পোথাফমদি লৈরমদে।

লৈমা নামুন খাম্বীনা নোং হেক ঙানবগা তৌবা হৌনবা তৌফম থোকপা মথৌশিং পাংথোক্লগা মনাউ নুপাগীদমক অনৌবা চয়োম য়োম, হাওদৈ য়ুখোম হান্দুনা শেম-শারগা মমান্নবী মতারোই অমা-অনি হৌদুনা মনাউ নুপানা হল্লকপা ঙাইননবা উচীবা কৌবা লমদুদা চৎলম্মী। মখোয়-মশেন অসুম খন্নবদা লৈমা খাম্বীগী খোমলেন মঙলান চাদা উরিবা-পীরিবা অদুনা খোইয়ুম লাই-খুদম ওইরবদি নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবদা খুদোংথীবা থোক্লোয় অমসুং নামুন খাম্বীনা লমন খুন্নবগীদমক্তা চাকয়োম খোমহনবদুগী মমল মাঙলোয়, নামৎ শীৎলোয়, হায়বসি খন্নরম্মী। মখোয়না হৈরাং ফজবা খন্দুনা চাকয়োমগা য়ুখোম তুম্বাগা লোইননা উচীবাদা ঙাইরিঙৈদা নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবা মফমদুদা লাকপদু উরম্মী। মখোয়না মহাকপু উবদা ময়াম্বা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্ববু মনঙ্গন্দা পোরগা মরেংবান্দা য়েনবী-য়েনবা খর হাইগত্তুনা য়াল্লগা, মহাক্কী ওয়গী মখুত্তা য়েক্লবগী অককপা মকোক পায়দুনা অমসুং য়েৎকী মখুত্তা তা পায়রগা চায়নবগী ফিজোন ফিজেৎলদুনা হল্লকপগী শক্তমদা উরম্মী। হায়রিবা শকফম-ফিবমসি লৈমা নামুন খাম্বীনা খুবাক লাইখনশা, খুনীঙ মোইদোন কাঙদুনা য়েংবদা মশানৌ-মনাউনুপাবু মশক খঙলদুনা হরাউবনা ফুনগৎহল্লবা নুংশা শোরগা লোইননা মমান্নবীশিংগী মফমদা মনাউনুপা হল্লক্লে, মশাবীবু মনাউনুপানা নাহোং শারগা পোদুনা পুরকপা শোয়দনা ওইগনি মনঙ্গন্দা পোরকলিবসি, মখুৎ ওয়দা পায়রক্লিবসিসু য়েল্লাং হেক্লগা পুরকপা য়েল্লাং মপুন মান্দে,

মী মকোক হাপনবা “লুরেন-পোন মাল্লি, পুবা-থাংবদা লুল্লপ্পা য়ান্দুনা পুবগী মওংদা তৌরি-হায়দুনা মমান্নবীশিংদা পাউদম-পাউতাক্তুনা ৱারী শানা শানা য়েংমিন্নরম্মী।

নোংয়ায় শিখোং নিংথৌবনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্তুনা মতৈমা লৈমা নামুন খাম্বী অমসুং মহাক্কী মখোয়নৌ-মতারোইশিংনা ঙাইরিবা উচীরাগী লমদমদুদা থুংলরম্মী। মদুদা মতৈলৈমা নামুন খাম্বীনা মশানৌ মনাউনুপাবু —“শানৌ নঙদি থৌরাং পুন্নমকসি পাংথোক্লুবদা অমদি লমশাং অথাপ্পসি লাকপদা চোকথবনা ৱারল্লগনি, ঙাইহাক পোথাখো! নতৈমা ঐনা ঈশাবী নয়াম্ববু ঈতম্বাক্তা পমজদুনা অমুক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা অপেনবা মতৌ উৎচখিগে —হায়না হায়রম্মী। অদুগা মনাউনুপাগী মনঙ্গন্দা পোরকপা মশাবী নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী লুরেনতোনবু পোরকপদুদগী থাহল্লগা মতম্বাক্তা পমজদুনা লৈরগা মনাউনুপাবু অৱাবা পোথাহল্লম্মী। অদুগা মহাক্কা মপুরোইবগী অককপা লুরেনগী শরুক অদুবু য়েংজরগা তেংথাদুনা হায়জরকখি —

... ...পলেম-পম্বৌগী মশাইগোন্দা ফনেক খোয়দোম শেত্তুনা লৈরিঙৈদগী নুংশি শকখঙনদুনা পাম্মুবা নতুং ইল্লগনি হায়না নুংশি ননাক্তা পুন্সি লেঞ্জরবী নশানৌ ঐনা থৌখামজববু য়াবীদবদগী হৈরেম মরমদমদা খমনুং শৱা তাল্লুবনা ঙসি কোরৌ নোংগী ফিবম-ফিরেপসি ওইরিবনিদো! নশানৌ নতাল্লোই ওইবী ঐহাক্কা লাইবক থীবী ওইরকপনা অসুম থোক্লরিবনিদো! নশানৌ ঐবু ৱারৌবীগনুকো!

হায়দুনা মশাবী মপুরোইবগী লুরেন কোন্দুনা হীক্কা হীক্কা কপ্পুনা মালেম লৈমায়দা ওন্না থোইনা তেংথাজখি। মিৎলুগী পীরাংনা নুংশি লমন শিঙজবদুদা মতমদুগী চৎনবা লোনচৎকী মতুং ইন্না অশিবা মীদুগী মচীঞ্জাক তম্বা ওইনা নোংয়ায় চাখা মোইরেম্বগী অককপা মকোক্তুগী মমাঙদা চাক্লুক নীঙথিনা শেমদুনা কৎচখি। অসুম্না মপুরোইবগী হৌন-চৎনবীগী মংজনফম থোকপা মংজন্দুনা অশিবা পোৎলোয় শিথিনবগী মথৌ-মঙম পাংথোক্তুনা হৈরেমগী খুঞ্জান কাঙবীশূগী অককপা লুরেন্না লুখা থাদুনা লৈমা নামুন খাম্বীনা মপুরোইবগী মফমদা তাল্লোই অমনা শীঙফম থোকপা লমনদু শীঙজখি।

মায়কৈ অমরোমদা

নোয়ায় চাখা মোইরেম্বগী মংশক তান্দুনা মরূ খুনবীনবা মরৈপাক-মরমদম খুমন লৈপাক্কী খুমন-মচাশিং অমসুং মঙাই লৈপাক কেগে মোইরাং লৈপাক্কী মোইরাং মচাশিংগী মনুংদগী কনা অমতনসু চোঙথোকপীরকত্রবদা চীঙঙু মরাইবক খোইয়ুম মরাইকু অমদগী পোকমিন্নবা মনাউ নুপা অমা খুন হোংখিদুনা অতোপ্পা মফম/খুন (শিখোং) দা লৈরম্বদগী মশাবী ময়াম্বা লৈখিদবদগী পাউ তমদুনা লমন খুম্ননবা হায়রুবদগী তৌফম থোকপা মথৌনি খঙনা পাম্বোম তিঙলকখিবা নোংয়াই শিখোং নিংথৌবা মনাউনুপাবু কেগে

মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বীনা হৌনবা খঙবা উত্তুনা লমন শিঙজখি। নোংয়াই শিখোং নিংথৌবনা নোংয়াই খুমন কনা নৎত্রগা/অমসুং কেগে মোইরাং কনা অমতগী মতেং য়াওদনা হৈরেমগী খুঞ্জানশিংগী কোনুং হৈরেম খেরে-চীঙ, খুঞ্জান লাল্লুমথেন্দা চঙদুনা মতৈলৈমগী মনীঙ থুংনবা মশাবী ময়াম্বা নোংয়াই চাখা মোইরেম্বগী মরূ খুল্লবা অমসুং লুখা থানবা থৌরাং তৌদুনা লৈরবা লুরেনবু হন্দোক্লবা অমদি মশাবী-ময়াম্বগী লমন খুমদুনা ময়াম্ববু লৌনম তৌদুনা হাৎপা মীশক্তুগী লুরেন কক্তুনা পুরকখিবা, মহাক্কী থবক-থৌরমশিং অসিগীদমক্তা মশাবী মতৈলৈমা লৈমা নামুন খাম্বীনা মিংথোল অমা পীদুনা তৌবীমল খঙবা উৎচখি। হায়রিবা মিংথোল অসিদি— "হৈরেম খুঞ্জান ঙম্বা, খুঞ্জান কাঙবীশূ ফাবা, নোংয়াই শিখোং নিংথৌবা — হায়বসিনি (নিং: খে: স:, ১৯৮৮, ৩২)।

ৱারোয়শিন

মথক্তা থমজরিবা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক, 'চায়নরোন' কৌবদুদা য়াওবা ৱারী-শীঙবুনসি পাৰারী-পুৰারীগী ওইগদ্রা নৎত্রগা পুক্নীং-ৱাখল্লা শেমগৎ-শাগৎপা ৱাশেম-ৱারোন/ৱারী (রোমান্তিক/ফিকস্নেল টেল) ওইগদ্রা হায়বদুদি পাবীরিবশিংগী মফমদা ৱারেপ লৌবীনবা লানথোকচরে। ৱারীসিগী মশাদা পীরম্বা মতমগী মতুং ইন্নদি খুমননিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেনচনব (মৈদিংঙু থরানথাব (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) দগী মৈদিংঙু খুমোম্ব (খৃ: ১২৬৩-৭৮) গী মতম ফাওবদা পানবা) গী হাক্তক্তা থোকপা থৌদোক-ৱারী ওইনা পীরম্মী। অদুবু নাৎকী মচাক-মথুমশিং অমসুং লৈবাক পানবগী শীজিন্নরিবা পোৎলম-চৈরমশিং (মেটরিয়েল কলচর) গী মতুং ইন্নদি মতুং কোন্নগী ওইনা তৌই।

ৱারীসিদা য়ুম্ফম ওইরিবা শক্তম নৎত্রগা মীশক অসি কেগে মোইরাম্বা চনু লৈমা নামুন খাম্বীনি। মহাক্কী পুন্সি ৱারীসি খাঙতপ্তগী হৌই অমসুং খাঙতপ্তা লোয়শিনখি। মহাক্কী মপুরোইবা নীঙবা, মথৌনা লৈবনা লমজিং ওইদুনা মপুরোইবদু মীনা/য়েক্লবনা হাৎখ্রবদা মপুরোইবগী মরূ খুন্নবা অমসুং লমন খুম্নবা হোৎনবা অমদি লমন খুম্বনা ৱারীসিগী মপুঙ ওইরিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংনি। অদুগা থৌদোক-ৱাথোকশিং অসিনা লৈমা নামুন খাম্বীবু ফিদমনীঙঙাই ওইবী নৎত্রগা ফিদম্নফম ওইবী অমগী শক্তম শেম্বনি। ৱারীসিদগী পূক্নীঙদা ফাওহনবা ঈথিন (টেষ্ট/সেন্সেসন) শিংনা অকন-অথৌগী, অপাম-নুংশিগী, মমা-মচা নুংশিনবগী অমসুং অৱা-অনাগী মহাউশিং নৎত্রগা ৱাখলগী-ঈথিনশিং (Heroic, Erotic, Maternal cressing and Pathetic Taste/Flarour or sensation/ Sentiment) নি। লৈমা নামুনখাম্বীনা মপুরোইবা কায়নবগী মৈচাক্তুনা মথৌনা লৈরবী মরীংজেল খারবী অমসুং নীঙখিবা থবক্তু পাংথোক্লবা হোৎনবদা তুংলোমদা খোঙফম

নামা ফাওবা হনখিদবী নুপী অমা ওইনা নুপী ওইবীশিংগী পুকচেন্দা থোৎ-মেঙবা অমসুং কনবা-চেৎপগী শক্তম অনিদু তুনা য়েক্লম্বগী ৱাখল, ৱাথোক্লচিংবগী পরীংদা তারিবা ৱারীনি। লৈমা নামুন খাম্বীসিগী মপুরোইবা কায়নবগী অৱাবা, মায়থিবা নংবগী অমদি নীঙবা থুংদবগী চৈথেংশিং অমসুং হোংবা লৈতবা নীঙখিবগী পান্দম অসিশিংসিগী য়ুমফমদা মপুরোইবা নীঙবী অমসুং মথৌনা লৈবী নুপী অমগী শক্তমদা থম্লকখিবনি।

১৫

তম্ফা ৰাংঙম্লোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবী

ৰাহৌদোক

... ... ঈমোম তম্পা ৰাংঙমলোন-ও ! কাইনৌ লৌচীঙখৈবু লনউনবীদে হায়না ৰা-ওইগুনো ! নোংয়াই লম করাম্বনে, কাইনৌ চীঙখৈ পুমনা চন্না নোংয়াই মরমখৈনে হায়খিরগনে। ঈমোম কোল্লোই নমিং থোন্দুম হয়েং পোইৰে চাদোন্না কাউদনবা... কাইনৌ চীঙখৈ লনউনথানবী-ও হায়না মিংথোন্নখি-ও। লাইরেন মৈতেংঙুনা মমোম তম্পা ৰাংঙমলোনবু... পাউথেমখিয়ে (ম: গ:, ২০১২, ১১)।

মথক্তা থমজরিবা "থৱানথাবা হিরান" কৌবা মৈতৈ লাইরিক অরিবদগী লৌথোক-শত্তোকচরপা ৰারোল মতেক অসিদা পল্লিবা তম্ফা ৰাংঙমলোন (মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অহন) অসি মৈত্রবাক্কী অমসুং মৈতৈগী পাৰারী-পুৰারী "তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌচীঙখৈ থানবী" হায়না খঙনৈ। মহাক, মহাক্কী অপোকপা পম্বৌ মপাগী থৱাই/পুন্সি কন্নবগীদমক্তা মশাগী মথৱাই ফাওবা কথোকখিবী মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অমনি। অদুবু মদু মহাক্কী মপুরোইবগী মখুত্তনি অমসুং অৱাং পোইৰৈ মৈতৈ অমদি হাওৰৈ খাগী খুমন মী কাংলুপ অনিসি য়েংথিনবা-য়েক্লনবগী মৈরীনুংদনি।

শক্তাক-ৰাফম

তম্ফা ৰাংঙমলোন চীঙখৈ থানবী মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথবা [থৱা লাম্থাবা (চাওরাক্লা খৃ: ১১৯৫-১২৩১)]গী তাল্লোই মৈতৈলৈমা চকপ্রম চনু নোংবাল্লোন তৌকাইঙম্বী লৈমরেন্না পোকপী মচা ঈবেম্মা অহন্নি। মহাক্কী মবুং মৈদিংঙু চীঙথাং, লানথাবা (খৃ: ১২৩১-৪২) অমসুং মপ্পা মৈদিংঙু শুমৈশু কৌবগা অনিসি পোকমিন্নবা ওইনা লৈ। মহাক মৈতৈ কোনুংদা পলেম-পম্বৌগী শেগা থুপ্তুনা, ময়াম্বুং অমসুং মদুনিংথৌ অনিগী মরক্তা কেনা-মৌনা চাওরকখি। মতমদুদা মৈতৈগী কোনুং অসি হৌজিক্কী নোংপোক ইম্ফাল পানাগী তাংখম-লীৰাপোক্লা শন্দোক্লিবা লমদম অসিৰাইদা লৈরম্বা য়াই, অশেংবা-অচুম্বা মফমদি হায়জবা ঙমজদে। মহাক্লা মপুং-মৰৈ ফারক্লবা মতম, নুজা

ওইবীগী হকচাং কায়াৎ শুরক্লবা চহি মতাং অমদি হকচাং কয়াৎশিংদুনা মথৌ-মঙম তৌবা ঙম্লবা মতীক-ময়াই লৈরক -চেল্লক্লবা মতমদা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবদা থাজ-য়োঞ্জখি অমসুং নোংয়াই খুমন লৈকোয় পুঙগী লৈমাবা অসিদা থাজবসি পুয়াম য়ুমলেনবসিগী মমোম খয়োঙ্গৈরোন চকপা ঙম্বী তাংজা শমফবীগা শিন্নদুনা খয়োঙ্গৈরোনসি মপন পন্থৌ মৈদিংঙু থৱানথাবগী তাল্লোই ওইবগী মতাংদনি (থ: থ: হি:, খু: লাই:)। অসুম্না মহাকপু খুমন নিংথৌদা থাজ-য়োঞ্জখি অমসুং খুমন্দা ওঙদুনা পুন্সি পীখম্লখি।

তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মমিং মিংলেনসি থোনখিবগী মরমদা পীবীরম্লিবদি মথক্তা থমজরিবা লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা অসিদা উৎলিবা অসিনি অমদি ৱাফমদুগী শন্দোকপা ৱারম-ৱাফমশিংদি ঃ-

তম্ফা ৱাংঙমলোনসিবু খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগী মফমদা থাজ-য়োঞ্জবগী মতমদা ৱাংঙমলোনসিনা মপা মৈদিংঙুদা শেল্লোই-লংমাইচীঙগী চীঙশাং নাপোম অমা ওইরিবা "অৱাং কাইনৌ লৌচীঙখৈ চীঙখৈ লমনুংশি" কৌবা চীঙগী শরুকসি অউনপোৎ ওইনা উনবীয়ু, খুমন মচাশিংগী মফমদা নোংয়াই মীয়ামদা লেন্নজরুগে হায়না নীজরম্মী। তম্ফা ৱাংঙমলোনসিনা অউনপোৎসি নীজবসিদা পোইরৈ মৈতৈগী লৈপাক পুবা ফম্নাইবশিংগী মরক্তগী চকলাই ফান্দোনগী অতোনবনা — "নোংয়াই খুমনশিংদি লম করাম্বনি, কাইনৌ লৌচীঙখৈগী লমসি মতুংদা মখোয়না মখোয়গী হাননগী মরমদমনি, হায়দুনা মসিদগী মখা তাবা লম তকশিল্লক্তুনা হেন্না লম হেঞ্জিল্লক্কনি, অদুনা লমদমসি অউনপোৎ ওইনা খুমন্দা পীবীখিগনু, অতৈ অউন পোৎশিং ঃ- শন-ওক, নাই-মীনাই, সনা-লুপানচিংবা মশীঙ থিঙম-লাকঙমদনা উনবীখো, চীঙখৈগী লমসিদি উল্লোয়সি"- হায়না খাল্লম্মি। মদুদা মৈদিংঙুনা -" হায়রিবা ৱাফমসি অচুম্বনি হায়না ৱাফমসিদা শৌগত্তুনা মচীন্না থোক্লা হায়রক্লম্মী, — "লম করাম-মিহৌবা খুমন-মচাশিংনি, অদুনা হায়রিবা লৌচীঙখৈ চীঙখৈগী লমনসি অউনপোৎ ওইনা উল্লোয়, অদুগীদমক্তা ঈবেম্মা নহাক নুংঙাইতবা তৌগনু, হায়রিবা লমসিগী মহুত্তা তম্ফা ৱাংঙমলোন নহাক্কী নমিং মিংলেনবু হয়েং তুংলমচত্তা কাউদনবা লমসিগী লমমিংসি লৌদুনা, "কাইনৌ চীঙখৈলনউন থানবী" হায়বা মিংখৈসি থোনবীরগে" — হায়না থেমজিন্দুনা মিংথোন্না অউনপোৎ ওইনা পীখিরম্মী। অদুদগী তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মিংলেনসি "কাইনৌ চীঙখৈ (লনউন) থানবী হায়না খঙনখি (ম: গৌ: ২০১২, ১১-১২, ৩৩)। হায়রিবা মিংথোন-মিংলেনসিনা তম্ফা ৱাংঙমলোনসিবু খঙন-কৌনদ্রিৈঙগী মমাঙদা ৱাংঙমলোনসিবু করি করম্বা মিংনা খঙনরগে নত্রগা কৌনরম্বগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙঙমদবগী লারোন্নুংদা লৈরি।

চীঙখৈ থানবীগী পুন্সি ৱারী

ৱাংঙম পোইরৈ খুননিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবনা নোংয়াই খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন-চনবগী মমোম খয়োঙ্গরোন চকপা ঙম্বী শমফবীবু তাল্লোই শীঙদা চনগে হায়দুনা তয়ুম মদাইরেমশিং থাদুনা নুপী হায়ন-শীঙনরুব্বদা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবনা মহাক্কী মমোম খয়োঙ্গরোন শমফবীবু পীয়ু হায়রবদি পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ লোইনাই থৱানথবানা মহাক্কী মমোম ৱাংঙমলোনবু মহাক্কী তাল্লোই ওইনা পীয়ু, মমোম মশেন তাল্লোই মশেন ওইনসি, হায়না নীজরম্মী। হায়রিবা ৱাফমসিদা মায়কৈ অনিমক্না য়ানদুনা মচানুপীশিং অমগা অমগা ওন্ন-শিন্নদুনা থাজনখি অমসুং লৌন-লৈনখি। হায়রিবা নিংথৌ অনিসি হান্ননা মাগী মাগী তাল্লোই লৈনরবা ঙাক্তনি, অদুবু মখোয়গী হান্নগী তাল্লোইশিং মৈতৈ নিংথৌগী নোংপাল্লোন চকপ্রম চনু তৌকাই ঙম্বী অমসুং খুমন নিংথৌগী ৱাংঙমলোন পানবা ফাবী-অমদি ৱাংঙমলোন লাইশ্রা অসিদি অহন মতম ওইশিল্লকপগী মপুন্সিদা লৈনা কম্লবা, লৈচু থাউরবা অমসুং মৱাক চাম্লবা লৈরাংগুম্বা ঙাক্তনি।

খয়োঙ্গরোন শমফবীগী মরাইবক

পুন্সিগী নাচোং পাম্বাগী অয়ুক্তা লৈশাৎ তম্লক্লিবা মথোক কারক্লিবী খয়োঙ্গরোন শমফবীনা মৌ অনৌবী ওইনা মৈতৈ কোনুংদা লাকখি-চঙলকখিবা নুমিত্তুদগী মৈদিংঙু থৱানথাবনা মহাক্কী মনাক্তা নৈশিন-লৈশিন্দুনা লৈবসি মৈদিংঙুগী তাল্লোই অহন মৈতৈলৈমা তৌকাইঙম্বীনা য়াম্না কল্লক-খম্বন্নবা মিৎয়েং থম্লম্মী। করি-করিগুম্বদা মিকা-মিহৌবনা লাকশিনখিদুনা মদাইরেম-মফেৎলোইশিংদা তাইনদুনা চৈ-থাংলম্মী। মতম পুন্নমক্তা অশোয়বা য়েংবগী মওং-মতৌদা লৈরম্মী। অদুবু মৈদিংঙুনা মনাক্তা শঙদুনা-শেন্নদুনা লৈবগুম লৈরিবনিনা পঙহেন হেঞ্জিনবদি য়ারমদে। নোংবাল্লোন মৈতৈলৈমসিনা খয়োঙ্গরোন শমফবীসিবু লমচৎ নাইদবী, নত্তবা লমচৎ চৎপী, অতোপ্পা মশাবীনা খুদৈ মায়তৈ তীন্নবী, লমলান পান্না চাবী, অতোপ্পা লমলানবা নুপাদা মশা কথোকপীনি হায়না মরান শীজিন্নবা, হকথেংনবা খুদম-চাংদমগা কোন্ননা লঙজ-য়োনজবগী মরান থংজিন্নবগী শেমজীনবা ৱাপাং (evidence) অমসুং থৌদৌ-থৌওং উৎনবা মতম চুপ্পদা খুদোংচাবা লুমদুনা লৈরম্মী। তেংবানবা মপুনা শীল্লিবা তাইবংপানবগী থৌদোকশিংগী পরীং-পরেংদা লাইবক থীয়ু হায়দুনা তম্লবা থৌদোক অমখক্তা খয়োঙ্গরোন শমফবীগী পুন্সিদা ৱাথোক-লান্থোক ওইয়ু হায়না লাকখিরম্মী। হায়রিবা অসিগুম্বা থৌদোকসি লুমলিবী মৈতৈলৈমা তৌকাইঙম্বী অমসুং মহাক্কী মদাইরেম মীনাই নাইনুবী শেনবী অকোংচনু অকোং লাংমৈনু পাউওনবীনা খুদোং চাবসি মাঙহনখিদে, থীন্দনা থবক পায়খৎখি।

নোংবাল্লোন মৈতৈলৈমা তৌকাইঙম্বীনা খুজীন থৌরাংগী শরৌ-লাং থাকখিনবা শীনখিবা নুমিত্তু পোইরৈ মৈতৈলৈপাক্কী লাংহৈ কুমশাবগী কুমলাং-কুমলাৎ-কুমজনবগী কোরৌ নুমিত্তুদনি। নুমিত্তুগী মমাঙগী থংনবা নুমিত্তুদা মৈতৈগী লৈপাকপুবা ফমদৌশিংগী ফমদীন্নবা, থৌরুপ-শীল্লুপ তীন্নবদা লেপ্পখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না মৈদিংঙুগী মশানৌ মনাউনুপা মৈদিংঙুচা লৈশাপাম্বা তৌকাইঙম্বনা কৌব্রু চীঙ্গোনগী হৈনা য়াংনুখমদা হৈয়ু য়ুতংদুনা লাংজেং থেনকাবদা লমখৌ থেনখৌ (থেঙ্গৌ) শাগদবনি। পোইরৈ কুমশা-কুমলাৎপগী কুম্মৈসিদা পোইরৈ-ৱাংঙম পুন্নমক চত্তুনা লাইখৌ কুম্মৈদু পাংথোকমিন্নরম্মী। কুম্মৈ পাংথোক্লুবগী হল্লকপদা মৈদিংঙুগী চংলম-ফানশাং থোল্লাংমৈদা মৈদিংঙুগী মমাতোন্না পোকপা মৈদিংঙুচা লৈশাপাম্বনা থেঙ্গৌ শাবদা মহাক্কী শমজীন কোকয়েৎ মথক্তা থেৎপা লৈ চরোংদু নাম্থোক্তুনা কেন্দুনা লৈমায়থক্তা তাহৌরম্মী। হায়রিবা চীন্নমন লৈমন কেনহৌ-তাহৌবসি মৈতৈলৈমা তৌকাইঙম্বীগী মদাইরেম, মনাইনুপী অকোং লাংমৈনু পাউওনবীনা লোন্না-লোৎনা খুনগত্তুনা ফিনুংদা কনাসু খঙহন-উহন্দনা পুরক্রম্মী। মবেম্মগী থাজজরবী অমসুং অফ-ফত্ত পুন্নমক তান-খন্নরিবা মীনাই নুপীসিনা হায়রিবা চীন্নমন লৈমন্দু লোন্না পুশিল্লক্তুনা খয়োঙ্গৈরোন শমফবীগী নুংতিগী হীপ্পা-তুম্নরিবা ফমুংগী মোন মখাদা থমজিল্লল্লগা মপান্দা থোকখিরম্মী। হায়রিবা তাঞ্জাসিদা অদুগুম্বা মী-ফত্তগী ৱাখল খক চেন্দবী, তাল্লোই তুরোন্নবগী খম্বন-মিকানবগী লৌ-লাংগী শারৌ খঙজদবী খয়োঙ্গৈরোন শমফবীদি কনাবু হন্না-তুনা য়েংদনা মাগী তৌরিবা মথৌদা মমায় ওনশিন্দুনা লৈরি।

নুমিত্তুগী নোংথিনগী মতম লোয়খিদুনা নুমিদাংগী মতম ওইরক্লুবদা মৈদিংঙু থৱানথাবনা মশানৌ শমফবীগী মনাক্তা মচঙথোক্কী মচঙথোক ওইনা চঙদুনা ফমুংদুদা মতৈ-মনাউ হীপমিন্নরবদা মৈদিংঙুনা ঙশাই মৈতৈলৈমা তৌকাইঙম্বীগী মনাই নুপী অকোং লাংমৈনুনা থমজিল্লম্বা চীন্নমন ওইরবা লৈমনদু থেংনরুরে। মশানৌ মাগী মকাদা অদুগুম্বা শীঙজেন-লৈরাং খুদোন্নখিবা লৈতবা অমসুং লৈরাং লৈশক্তু উখিবগুমসু মতৌবা, অসিশিংসিনা মরম ওইদুনা মৈদিংঙুগী থম্মোইদা নহা ওইরিবীদুবু কল্লকমনখিবদগী চিংনবগী ঈথিন ফাওরকখি, চীন্নমন লৈমনসিগী মরমদা থিগৎলক্তুনা কোনুং মনুংদুদা লৈরিবা য়োঙ্গৈবু-য়োঙ্গৈহৈশিং, নিংথেমনুবীশিং, অমসুং তয়ুম-মদাইরেমশিংদা ৱাহং-পাউহংনখি। কোনুং মনুংদা লৈরিবা নুপা-নুপী কনানসু লৈমন অদুবু খঙই নৎত্রগা উই হায়খিদ্রবদা কবোচনু অকোং লাংমৈনুনা চীন্নমন লৈমনদুগী মশক য়েংবা শাশিন্নদুনা য়েংশিন্নরগা অমদি হৈনা-শিঙনা শেম-শারগা-লৈমনসিদি ঙসাই চংলম ফানশাংদা কুমলাৎ-কুমশাবগী থেঙ্গৌ শাবদা মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙুচা লৈশাপাম্বগী কোকয়েৎ লোনমায় থক্তা থেৎখিবা লৈরাং চরোংদুগী লৈদু মাল্লি, হায়দুনা হায়খিরম্মী (ম: গৌ:, ২০১২, ১৭-২১)। হায়রিবা

ৱাফমসিদগী মৈদিংঙু থৱানথাবনা খয়োঈৰোন শমফবীবু মপুক মাঙবী, অতোপ্পা নুপাগা অরোনবা মরী থম্বী ওইনা মরান শীখিরম্মী। খয়োঈৰোন শমফবীনা মশা কঞ্জনবা অচুম্বা ৱাফম কয়া হায়জরবসু মহাক্কী মৱা কনানসু তাবীখিদে, মতোমতা মরাল লৈরবীগুন্না লৈরম্মী।

য়েংথীনবগী মরু হুনবা

মৈদিংঙু লোইনাই থৱানথাবনা তাল্লোই তুরোন্নবগী ফত্তবা শরৌ লাংথাক্তু খঙদবদগী নহা ওইরিবী তাল্লোই খয়োঈৰোন শমফবীবু লমচৎ নাইদবীনি হায়না মরান শীদুনা ইনথোকপা অমসুং শাওবদগী মহাকপু মহাক্কী লৱাই কোয়রেন্দা তরেং-য়োৎনা য়োৎপী ওইনা থাজিন-লেঙশিন্দুনা হাৎখিরম্মী। অদুগা মহাকপু মৈতৈ নিংথৌগী তাল্লোই অমসুং মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী মৌ অমা ওইনা মৈতৈগী মংদা/মংফম (মোংফম) দা মরাল লৈজদ্রবীদুবু তীনহল্লোয় হায়দুনা মহাক্কী অশিবা হকচাংদু কু অমদা হাপ্লগা, মহাক নাদুনা শিৱে হায়জিন্দুনা মহাক্কী মপাম খুমন লৈপাক্কী নোংয়াই লৈকায়পুঙ, অদোন কোনুংদা থিল্লক্লম্মী। খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা মচা নুপীদুনা নাবগী ঈ-পাউসু অমত্তা লৈতবা, শিরিবা মীশিদুগী অশিবা হকচাংগী মওং-মতৌদু উবদা অমসুং মৈতৈগী মৌবু শিরগা অশিবা মশাদু মাগী লৈপাক্তা থিল্লকপগী খুৎথিল্লক্কী মচৎ-মতৌদুদা য়াম্না চিংনবা পোক্লম্মী। মরম অসিনা মহাক্না য়াম্না কুপ্না শিরিবী মচানুপীগী মীশি অমসুং অশিবা হকচাং অদুদা থিজিন-হুমজিন্দুনা য়েংলম্মী। লাইৱা-তীনৱা, লাইনীঙ-তীন্নীঙনচিংবদা, লৈপাক অনিগী-হীরমশিংদগী ওইবা য়াবা লমদাংশিংদা য়েংবদা করিসু ফংবা ঙমদ্রে। অদুবু অশিবা হকচাংদুদা লৈবা অশোকপা মফমশিংদা য়েংবদগী খঙলে মদুদি হায়রিবা মহাক্কী মচানুপীসি মৈতৈ নিংথৌনা মচানুপীসিগী মকোক্কী লৱাই লেনফুদা তরেংয়োৎকী য়োৎচৈনা লেঙশিন্দুনা হাৎখিবনি। অদুদগী মচানুপীদু লৈরোন চন্দুনা ফুমদ্রিঙৈদা তরেংয়োৎকী য়োৎচৈদু লৌথোক্লগা মং চনবীখি।

লমন খুন্নবা থৌরাং ঃ

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবনা মচানুপীবু তরেং-য়োৎনা লৱাইদা লেঙদুনা হাৎখিবসি, হায়ফম-তৌফম খঙদনা শাওনীঙবা, চীন্না ফোঙদোক্লবদি ফজদবা অমসুং লমন খুন্নীঙবনদি ঙাওবমখৈ খোয়রাংবা ওইরম্মী। মহাকসি, “চেঙ পুরগা চেঙ শিঙ, ফৌ পুরগা ফৌ শিঙ”, হায়বা পাউরৌসিগী ৱায়েন-ৱাখুন্দা পূক্লীং থম্বা অমসুং ৱাখল লমজিংবা ওইবা মীশক-মীওইনি হায়বসি মথক্তা মৈতৈ-নিংথৌগা মহাক্না মখোয় অনিনা মচানুপী মচানুপী লৌনবা অমসুং থাজনবগী মতাংদসু উবা ফংখ্রে। মহাক্না মচানুপী খয়োঈৰোন শমফবীবু তরেং-য়োৎনা লৱাইদা লেঙদুনা হাৎপনি হায়বসি হেক খঙবগা মহাক্না মচানুপী লৱাইদগী

তরেংয়োৎ শত্তোক্নুনা লৌথোকখ্রিবদু মতুংগী থবক্তা শীজিন্নবগীদমক্তনি। অদুগা মহাক্না মচানুপীবু মৈতৈ নিংথৌনা হাৎখ্রিবসি করি মরমগীনো হায়বসি খঙদ্রিঙৈদদি মহাক্না খঙনবা থিগৎপগী লম্বীদা মাঙলোমদা চঙশিনবা, ৰাহং-পাউহংবা, ৰারী তাশিনবা নত্তনা কনাদা করিসু হায়রমদে। মাগী তাক্লোই অতোনবী ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা ফাওবা মহাক্কী মপুক্লীংদা করি নীঙলিবগে করি তৌগে খল্লিবগে, হায়বনচিংবসি খঙবা ঙমদে, ৰাখলগী মমি মায়থোংদা তাদবগুম তৌরম্মী। অদুবু অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু মৈতৈনিংথৌ থৱানথাবা অমসুং খুমন নিংথৌ অনিগী মরক্তা য়েংথিনবগী মরু হুনখি। অদুগা য়েংথিনরিবা খুৎয়েংথিনসি লৈপাক অনিগী নিংথৌ অনিসিগী নিংথৌ শাগৈ অনিগী খুন্নাইলোনগী চারৌ-মৌরৌনবগী অমসুং লৈঙাকলোনগী লৈঙাক-থৌশীন-থৌরাংগী-কায়নবা য়াদবা মরীসিগী মতমদুগী লংলা লংজিনদি তম্ফা ৰাংঙম্লোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবী অসিনা ওইরম্মী। মসি খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী লমনখুন্নবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরক্লবগী থৌশীন্ননি।

খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী শরৌ-লাংথাক
চীঙখৈ থানবী শরৌ-লাংকাই-শৌকাই

য়েক্লবা-য়েংথিনবগী হাৎন-শুনবগী নৎত্রগা নুংঙাইনদবা মরম অমগী লমন খুন্নবা হায়বসি থায়নগী খুনুং-খুন্নাইশিংদা তুংদুনা লৈরম্বা নৎত্রগা লৈরবা মচৎ-মনাৎ অমনি। খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা মমোম লাংলেন খয়োঙ্গরোন শমফবীবু মৈতৈ নিংথৌ লোইনাই থৱানথাবনা হাৎখিবগী মীহাৎসিগী লমন খুন্নবগীদমক ৰাখল-লৌশিঙ থিদুনা পান্বৈ পুথোক্লবা থিরকখি। মহাক্না মহাক্কী মমোম-লাংলেনবু হাৎখ্রিবা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবগী মথক্তা লমন খুন্নবগীদমক্তা শেম-শারম্মী। মসিদা মহাক্না মহাক্কী তাক্লোই অতোনবী, মৈদিংঙু থৱানথাবগী মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নগে খল্লম্মী অমসুং মদুগীদমক মহাক্না থৌশীল-থৌরাংলম্মী। অদুগা মহাক্না পাংথোক্কে খল্লিবা লমন খুম্বগী থবকসি ঈরায় লায়না তৌবা য়াবা নত্তবনা মহাক্কী শরৌ-লাংথাকসিগী য়াওরৌ শাফা-লাং, হুইয়েন লানফা-লাংসিগী লাংথাক-লাংথাগী হিরম অমসুং পোরম হৈ-শিঙনা য়াৎলম্মী। মহাক্না য়াৎলিবা লাংথাক-পোরমদুদি ঃ

মৈদিংঙু থৱানথাবসি মহাক্কী মমোম লাংলেন খরোঙ্গরোন শমফবীবু তুরোন্নবগী অরানবা মওংদা তাক্লোই মশেন কল্লক-খম্বন্নবগী লাংথাক্তা, মীনুংশি খঙদ্রবা শাথী-তমথীরবা মীহাত্তা চনু-নিংঙোন অমবু হাৎখিবনিনা মহাক খুমন লৈপাকসিদা খক খোঙদারক্লরোয়, করিগুম্বদা খোঙদারক্লসু তরায়-তরায়না মমাঙঙৈগুম ঈচম চমনা

লাক্লরোয়। মরম অমনা খুমন লৈপাক্তা নত্তনদি মঙোন্দা লান্দা-তকশিনবা অমসুং মহাকপু হাৎনবা হোৎনবসি ওইথোক্তে। অদুনা মৈতৈ নিংথৌসিবু পাম্বৈ অমা তৌদুনা পাউজেন থাদুনা কৌবগী মথৌ চঙলি। হায়রিবা মথৌ চঙলি-তারিবসি মহাক্কী মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবী, ঐগী তাল্লোই অসিবু খঙহন্দনা থেম-নৌদুনা তৌহ্নবা তাই। মহাক্কসু মশাবী-মপুরোইবা ওইবনিনা ঐনা হায়বদা ইন্দবা তৌরোয়।

মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবসি খুমন ঐগী ঈরৈপাক্তা ঈশিং লম্বী তুরেন অচৌবা (ইম্ফাল তুরেন)গী খোংলম তুখুন্দা হিয়াঙ-হিরেন তোংদুনা লাকহন্নবগী পাম্বৈ অমসুং লৌশিঙ থিবা তাই। ঈশিংগী নৎত্রগা হি তোংদুনা শোক্লবা লান্দদি খুমনশিংনা মৈতৈশিংদগী হৈ-শিঙবা য়াম্না হেল্লি। অদুনা মৈতৈ নিংথৌবু ঈশিংগী হিগী লান্দা হাৎপা নৎত্রগা ফাবা ঙম্লনবা হোৎনগনি অমসুং থৌশিনগনি। হিগী-লানগী শরৌসিগীদমক্তা অমসুং মদুগী মায়পাক্লবগীদমক্তা খুমন অকন-অথৌবশিংগী মনুংদা অখন্নবা লাল্লোইলেন নোংয়াই ক্বাকপা লৈতোন পাম্বা অমসুং মহাক্কী মখুৎ চারবা লাল্লোইশিংগী খুৎকা লোইননা মখুৎ চাবা খুৎশূ-খুৎলাইশিং পায়দুনা মৈতৈশিংনা লাক্কদবা তুরেন মরীনগী লম্বীদা লাল্লুমদুনা লৈহনগনি।

খুমন লৈপাক্কা তাইননা খা থংবা মায়কৈদা লৈরিবা হৈরেম লমদমদা পাল্লিবা খুঞ্জান ফুরুপকী লুৱাং/নুংবান কাংলুপকী মীওইশিংসিগী মথক্তা মৈতৈশিংগা খুমনশিংগা লাল্লোইনদুনা পুন্না লান্দামিন্নবগী লাংথাক-থৌরাং লৌখৎকনি। মসিদা মৈতৈ নিংথৌবু মৈতৈ লান্মীগা লোইননা লানবাংবীয়ু হায়দুনা হায়জরগা শরৌ তৌদুনা লান পাংবা লাকহনগনি। মদু লাক্লনবা মৈতৈ নিংথৌগী মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোনসিবু হায়হনগনি। হৈরেমদা খুঞ্জানশিংগা লানশোক্লবা লোয়দুনা হল্লকপদা খুমন লৈকোয়পুঙ কোনুংদা চঙলকখো শানৈ-য়ুনৈখিসি হায়দুনা মচা নুপী ৱাংঙমলোন থাদোক্তুনা কৌশিনহনগনি। মদুদা খুমন কোনুংদা চঙলক্লবদি শানৈ-য়ুনৈদুনা ঙাওহল্লগা মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাবগী লুরেন কক্কনি। হৈরেমদা খুঞ্জান লান্দারুবগী হল্লকপদা খুমন কোনুংদা চঙলকখো, হায়না মমোম ৱাঙমলোন্না কৌশিনবা অদুদা করিগুম্বা চঙলক্তনা-চঙলমদনা চৎখ্রবদি তুরেন খোংলমগী তুখুম পরীংদা লাল্লুমদুনা লৈরিবা ঈদাইরেম খুমন ক্বাকপা লৈতোন পাম্বা অথৌবা অমসুং মহাক্কী লাল্লোই লুপ্পা ঈশিং অমসুং কংফান অনিমক্তগী লান্দাদুনা মৈতৈ লান্মী তকখায়রগা মৈতৈ নিংথৌ ফাগদবনি।

খুমন নিংথৌদি মৈতৈ নিংথৌনা হৈরেমদা খুঞ্জানগী খেরেচীঙদা লান্দানবগী লান পাংবা হিয়াঙ তোংদুনা লাকপা মতমদা চীঙ-লেম্না ঈফ ফজনা তুরেন্দা হিয়াঙ তোংদুনা লৈরগা মৈতৈ নিংথৌ থুংলবদা তরাম-তরাম্না ওক্কদবনি। ঈশিং লম্বীদুদা লাম্থেংননবা

শীন্দোক্লরগা মৈতৈ অমসুং খুমনশিং মাগী মাগী ৱাঙ্খোঙ-লাল্লমদা চৎনগদবনি। লানফম য়ৌরবা মতমদা মৈতৈশিংবু লান থেংনহল্লগা খুমন্দি য়ারিবা মখৈ লৈথোক থৈদোক্তুনা লৈগদবনি, য়াদবা মতম, মতাংদদা লান মায়য়োক্লগনি অমসুং লাম্থেংনগদবনি। মতম ঙাইহাক লান য়েংলম্লগা নাথৈদুনা হল্লক্কদবনি অমদি পাঙ্গল য়োক্তুনা থমগদবনি। লান্দি মৈতৈ লান্মীশিংবু থেংন-শোক্লহনগদবনি, মখোয়বু য়ারিমখৈ মপাঙ্গন চোকথহনগদবনি। অসিগুম্বশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মৈতৈ নিংথৌ থৱানথাববু হাৎকদবনি অমসুং লৌশিঙনা শামু ফাগদবনি।

খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবনা মথক্কী লাংথাক-শরৌগী লাল্লম অমসুং লাম্থোঙশিং অসি মতম চানা শীন্দুনা মমোম লাংলেন হাৎখিবগী লমন শোয়দনা খুন্নবগী ৱাফমসি মাগী ৱাখলদা থমদুনা খুমন নিংথৌসিনা অহানবা ওইনা হৈরেম লমদমদা খুঞ্জানশিংগী মথক্তা লান্দানবগী থৌরাংসি মহাক্কী খুমন অঙম-অথৌ খরদা শিন্নদুনা শেম-শাহনখি। অমরোমদা খুমন নিংথৌগী হোংলক্লিবা মওঙ, তৌরক্লিবা মতৌশিং অসিদগী তম্ফা ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা মহাক্কী মপুরোইবনা শীল্লিবা লমন খুন্নবগী শরৌ লাংথাকসিগী শামিন অমসুং শউম খর ফংখিরম্মী। অদুবু নোংমদি মহাক্না মপা মৈতৈ নিংথৌবু হৈরেমগী খুঞ্জান্দা খুমন্না লান্দাগদৌরিবসিদা খুমনগী লান পাংবীরনবা কৌগদবনি, হায়না মশাবী খুমন নিংথৌনা য়াথং পীখিরম্মী। করিগুম্বা কাইনৌ চীঙখৈ থানবী মহাক্না খুমন নিংথৌনা পীরিবা য়াথং পুন্নমকসি ইন্দ্রবদি মহাক্কী মপাবুং মৈদিংঙু থৱানথাবনা খুমন নিংথৌসিগী মচানুপী খয়োঙ্গৈরোন শমফবীবু লৱাইদা তরেং-য়োংনা য়োৎপী-থাবগুম লেঙশিন-য়ৈশিন্দুনা হাৎখিবদা শীজিন্নখিবা তরেং-য়োৎ অদুমক্না মহাকপু চপ মান্নবা মীহাত্তা হাৎকনি, হায়না কিহল্লম্মী। পাম্বৈ লৈত্রবী ৱাংঙমলোন চীঙখৈ থানবীনা মপা মৈদিংঙুবু খুমনশিংনা হৈরেমগী খুঞ্জান লান্দাবদা লানবাংবীয়ু হায়বগী লাক্লনবা পাউদি থাখ্রে, মৈত্রবাক য়ৌখ্রে।

মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবনা মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা খুমনগী লানবাংবীনবা মতেং নীরকপগী পাউ ফংলদুনা মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোন পুদুনা মৈদিংঙু থৱানথাবনা তুরেন অচৌবগী মরীন ইন্দুনা হিয়াঙ তোংলগা লান পাংবা লাক্লম্মী। খুমনশিংদি শারৌ লাংথাক্কী অরোনবা লানওংগী লাঞ্জঙ, অরোৎপা লান্দা-লাম্থৈ অমসুং উহন্দ-খঙহন্দবা লাল্লুম্বগী লাল্লম-লাল্লুপশিং হান্ননা শীন্দোক-খায়দোক্লদুনা লোয়খ্রবনি অমসুং মাগী মাগী থৌগায়গী থৌদাং লৌগদবা মফমশিংদা মীশিং লোয়নমক শঙদুনা লৈনখ্রবনি। অদুগা খুমন নিংথৌনা শীল্লিবা লাংথাক শরৌসি খুমনগী মীপুম তিংনা খঙলবসু মৈতৈদি কনা অমতসু খঙদ্রি। হায়রিবা খুমন-নিংথৌগী খুজিন থৌরাংশিং অমসুং মৈতৈশিংগী ওইরিবা ফিবমশিং পুন্নমকসি ৱাংঙমলোন চীঙখৈ থানবীদি নোংয়াই

খুমনশিংগী ফিরেপ অমসুং ৰাংঙম মৈতৈশিংগী ফিবম অনিমকসি তুনা লোয়না খঙলি-উরিবনি। অদুনা মহাক্তি নুঙ-অনিগী মরক্তা লৈবা হা ওইরবনি। মায়কৈ অমরোমদা মহাক্কী মশাবী-মপুরোইবনা মচানুপী হাৎখিবগী লমন খুন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অমসুং মায়কৈ অমরোমদনা মহাকপু হেক পোকপা মপাগী মথৰাই মাঙবা য়াবগী খোঙফম, হায়রিবা অনিসিগী মরক্তা অমদি শোয়দনা থোক্লরগনি হায়বগী মমি উরবনি।

চীঙখৈ থানবীনা মৈদিংঙুবু কৌশিনবা ঃ

লাংতক্লবা অমসুং পল্লেপফম খঙদবা ৰাখলশিং অমদি থবকশিংগী লাংগোয়নুংদা কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা চমন্নদুনা লৈরিঙৈগী মতম মৈতৈগা খুমনগা পুন্দুনা হৈরেমদা খুঞ্জান লান্দাবদু খুঞ্জান ঙল্লে হায়বা লানবাউ তম্ফা ৰাংঙমলোন্না তারে। পাউসি তাবগা লোইননা মশাবী খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা মনাক্তা থুংলরদুনা মপাঈবুংঙো মৈদিংঙু থৰানথাববু হিয়াঙ তোংদুনা তুরেন্দা লাকপদা খুমন লৈকোয়পুঙগী কোনুংগী শঙ্গায়দা কৌশিন্নবা য়াথং পীররে। পোকপীরকপা মপাগা লৈমিন্নবা মপুরোইবগা লৈমিন্নবনা কনবা হেনবগী তৌদবা য়াদবা মথৌনা পুন্দুনা তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা অপোকপবু মীহাৎপগী মখুত্তা হাৎহন্নবগীদমক্তা কৌশিন্দুনা পীগদৌরি। তুরেন অচৌবগী য়েৎথংবা তোবৰ্বান্দা লৈরিবা খুমন লৈকোয়পুঙ কোনুংগী য়ুম্ফম য়ুমশারিবা মফমদুদগী তুরেন মপাল্লোমদা খর চখোক্লকপা মফমদা লেপ্পুনা মপা ঈবুংঙোনা লানফমদগী হল্লক্তুনা হিয়াঙ তোংদুনা লাকপগী হি হোনগৎলকপা ঙাইরি।

মৈদিংঙু লোইনাই থৰানথাবনা হৈরেমগী খেরেচীঙ, খুনজান লাল্লুমথেন লান্দাদুনা চায়খায়রম্লগা হরাউ মথোই কানা হিয়াঙ তোংদুনা মৈতৈ লান্মীশিংনা হিহোন্দুনা তুরেন অচৌবা (ইম্ফাল তুরেন) গী খোংলম ইন্দুনা অৰাংলোমদা খুমনগী খুল্লক ফাওদুনা কারক্লম্মী। মৈদিংঙুগী হিয়াঙ হিরেনসিনা খুমন-খুল্লক্কী চেগায়পোক নামদুখায়" কৌবা লমগী মপা য়ৌরকপদা মমোম তম্ফা ৰাংঙল্লোন চীঙখৈ থানবীনা তুরেনগী তোবৰ্বান্দা লেপ্পুনা লৈবা উরম্মী। খর নকশিল্লক্লবা মতমদা মমোম তম্ফা ৰাংঙল্লোনসিনা মচীন্দা-"খুমন লৈকোয়পুঙগী কোনুংদা চঙবীরমখো, তরা চাক চারগা, হাওদৈয়ু থক্লগা নুংঙাইনা অৰা পোত্থবীরমখো"— হায়না কৌশিনবগী মওং তৌরগা মখুৎনা ফি মনুংদা খত্তোক্তুনা-"চঙলক্কনু, অৰাংলোমদা চৎখ্রো— হায়না মৈদিংঙুনা উনবা খুদম তৌরগা লেপ্লম্বদু উখিরম্মী (মথক্কীসিদা, ৫৩)। মৈদিংঙুনা, "মমোম ৰাংঙল্লোন্না কৌরি, হিহোনবা লেপখো, তোবৰ্বল্লোমদা হোঞ্জিল্লু"— হায়বদগী হি হোনবদু ঙাইহাক লকক তৌদুনা লেপ্পুনা লৈরম্মী। মতমসিদা খুমন লৈপাক্কী খাথা অমসুং লাইথা হায়না খায়দোক্লিবা পানা লৈয়াৎকী খাথাগী লাল্লোইশিং পুন্নমক্তা মখুত্তা খংলং/খংনং-তাশিং হাই-হুমদুনা অমসুং অতৈ তারোনতা,

হাক থং-তা, লম্বু-তানচিংবা শূ-পায়রগা তুরেনগী ঈশিংদা কুমথদুনা মৈতৈগী হিশিংবু পুমকোয় কোয়শিল্লম্মী।

খুমনগী খাথাগী লাল্লোই-লান্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা মৈদিংঙু থৱানথাববু ফানবা হোৎনরম্মী। মখোয়গী ফত্ত-লৌশিঙগী শারৌ-লাংথাক তৌরে হায়বসি খঙলক্লদুনা মৈদিংঙুগী হিয়াঙ-হিরেনগী হিনাউ শারিবা (হিগী মমায় চুম্লিবা) তারিয়া য়েল্লাংবনা হিরেন্দু তোবর্বাল্লোমদগী ঈশিং ঈয়ায়রোমদা মমায় চুমথোক্লগা হোন্দোক হোন্দোক্লা তম্ফা ৱাংঙম্লোন্না মচীন্না কৌরগা মখুৎনা হত্তোক্কুনা হেন্দোক্কুনা চৎখিনবা অমসুং মনাক্তা চঙলক্তনবা তৌরিবা, তৌরি-উৎলিবা খুদমদু মৈদিংঙু থৱানথাবদা খঙহনখি অমসুং হি হোনবদু লেপ্তনবা অমসুং পন্থদনবা হায়খিরম্মী (মথক্কীসিদা, ৫৪)। তৌরিবা খুমনশিংগী থৌদৌ-থৌওং, য়েক্লবা মালহন্দনা তকশিল্লকপা, য়েংথিনদবগুম লৈরগা লান্দশিল্লকপা অমসুং মমোম ৱাংঙম্লোন্না পীরি-উৎলিবা খুদম-পাদমদুদা খুদোং থীননবা তৌরিবা নমথাক্কী থৌরাং, ফত্তবা শরৌ লাংথাক অমসুং ফানা-পুননবা নৎত্রগা হাৎনবগী খুজীলগী ৱাখল-লৌশিঙদু ফংলবা মৈদিংঙু থবানথাবনা মপন-পঙ্হৌ মাবু কৌরিবী মমোম ৱাংঙমলোন্দা, —"ঙসিদি মতমসি থেংখ্রে, খুমন লৈকোয়পুঙ কোনুংদা চঙলরোয়, মথং লাকপা অমদা চঙলগে; ঙসিগীদি হৈরেম লমদমদুগী খুঞ্জান খোঙঙা খোঙতেকপা অথৌবগী অককপা লুরেন অসি নহাক্কী শাফা-লানফা ওইনা শীঙথা-শীঙজন্নজহৌরো,"- হায়না অককপা লুরেন (মী মকোক) অদু তোবর্বান্দা হুনগক্কুনা পীরম্লগা চৎখিরম্মী। হায়রিবা থৌদোকসিগী থৌদৌসিদগী মফম /লম অদুবু "নোংয়ায় তাংজা লুহুনপুঙ"হায়না মিংথোনখিরম্মী। অসুম্না হৈরেমগী খুঞ্জান খোঙঙা খোঙতেকপগী অককপা মকোক্কু পীরম্লগা মৈদিংঙু থৱানথাবগী হিয়াঙ হিরেন্দু তুরেনগী ঈচেনগা মায়য়োক্লনা হঙ্গৎনা হোনগৎখি।

খুমন ক্বাকপনা লমথৎপা

মৈদিংঙু থৱানথাবগী মৈতৈগী ঈশিং লান্মীগী হিয়াঙ হিরেনশিংনা নোংয়ায় তাংজা লুহুনপুঙগী লমদম অসি হেক লাম্থোক্লকপগা খুমন খাথা-লাইথাগী অপুনবা লাল্লোইশিংগী লুপ অমনা তুরেন অচৌবগী নোংপোক থংবা তোবর্বান্দা অৱাং পাংনা কাখৎলক্কুনা মৈতৈগী ঈশিং লান্মিশিংগী হিশিংদা মরু ওইনা মৈদিংঙুগী হিয়াঙ হিরেন্দা লান্দানবা লান-কারক্লম্মী। অমরোমদা অমুক হন্না খুজীন-থৌরাং তৌনখিবগী মতুং ইন্না খুমন ক্বাকপা লৈতোন পাম্বগী খোঙলোই-লাল্লোই লুপ্না, মৈতৈগী ঈশিং লান্মীশিংনা অহানবা হৈরেমগী খুঞ্জান লান্দানবা লাকপগী খোঙচত্তুনা লাম্থোক্কুনা চৎখ্রবা মতুংদা, তুরেন মফৈগী মরাক্তু পুমথুং থুংনা শীঙঙুৎনা পরেং শানা য়ুংলগা য়ামলা পাম্বীগী মনানা ফৈরা মফৈ ওইনা লোনশিন-থিংজিন্দুনা হিনা লান্দুনা চৎখিবা য়াদনবা পনথিংলগা মনাক্তুদা শঙদুনা

লৈখ্রবনি। হায়রিবা মপা অসি য়ৌরকপদা মৈদিংঙু থৱানথাবনা থৎলিবসি লাম্থোক্লবা মদাইরেম ঈশিং লান্মীগী হিরোইশিং অমসুং লাল্লোইশিং পুন্নমকপু মথৌনা-মরিংজেন হাৎপকৎনবা হুইয়েন-লাল্লাউ লাউদুনা অমসুং হিশিংদু মনীঙ-মমাঙ ওম্থোক্লদুনা হিনাউনা হিরুরোম থংদুনা হিরম থৎলি-থিংলিবা নাপী-শীঙবী, শীঙঙুৎ-শীঙনাং, য়ামলা লৈহৌরানচিংবগী পন্দু লাম্থোক্তুনা হোনগৎলকখি। অদুবু হায়রিবা পনসি মৈদিংঙুগী হিয়াঙ-হিরেন্দুনা লাল্লম-লানফাত্রিঙৈদা শীঙঙুৎ য়ুংলিবশিংদুগী মরক্তা শাথুপ্তুনা লৈরম্বা খুমন ক্লাকপা লৈতোন পাম্বনা হিয়াঙদুগী হিনাউদা য়ান্দুনা ফাদুনা থল্লবদা হিয়াঙ-হিরেন্দু ঙাইহাক লকক তৌদুনা লৈরম্মী। মতমদুদা হিয়াঙদুগী হিনাউশাবা মৈতৈগী তারিয়া য়েল্লাংবনা মহাক্কী হিনাউ শাবগী নৌজাও, অতৈ নৌশিংদগী য়াম্না হেন্না চাউবা অমসুং য়োৎনা মপান তোপ্পা নৌদুনা ক্লাকপা লৈতোন পাম্বগী মঙক্তা য়াম্বদুনা মঙক কক্লম্মী (মথক্কী সিদা, ৫৬-৫৭)। অদুগা মহাক্কী মকোক্তু হিয়াঙ-হিরেন্দুগী হিনাউদুদা চিংখৎলগা মদুদা হাপ্তুনা পুরক্লম্মী। থৌদৌ-থৌদোকসিদগী মৈতৈ নিংথৌশিংগী হিয়াঙ-হিরেনশিংগী হিনাউদা মী মকোক (খুমন ক্লাকপা লৈতোন পাম্বগী মকোক্কী মহুৎ শিনবা) হাপ্পগী চৎনবসি হৌদোকখি অমসুং চৎনখি।

খুমন নোংয়াই নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেন চনবনা মমোম লাংলেন খয়োঈরোন শমফবীবু মীহাৎ থিনা হাৎখিবগী লমন খুন্নবা মৈদিংঙু লোইনাই থৱানথাব (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) বু হাৎননবা খুজীন থৌরাং তৌদুনা শরৌ-লাং থাকপবু নোংয়াই খুমন লৈমা তম্ফা ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা শরৌ লাংথাক্তুগী লাং কাইদুনা মশাগী ৱাখল লৌশিঙনা পুথোকপা শরৌ লাংকাইলাং অমনা মপন পম্থৌ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাবগী য়াইবী মথৱাইবু তেমশীঙনরকপা খুদোংথীবা পুন্নমক্তগী নীঙথিনা নম্থোকহনখি।

মপন থৱানথাবগী য়াইবীগা মমোম চীঙখৈ থানবীগী থৱাইগা শিন্নখিবা

লমন খুন্নবগী ঈনা পুক্লীঙগী মৈচাক-মৈশা কোক্লবগী মতমদুদা তম্ফা ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা মশাবী মপুরোইবা নোংয়াই খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবা খুরেনচনবগী লমন খুমনীঙবগী পুক্লীঙগী ঈথিন্দুদগী খক নাম্থোকপা ঙমখিদে। নুজা মহাক্লা মপন পম্থৌ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱানথাববু খুমন লৈকোয়পুঙগী কোনুংদা চঙবীরমখো, হায়না কৌশিঞ্জবগী মতমসিদসু মহাকপু মশাবী খুমন নিংথৌনা মপন পম্থৌদা লমন খুম্বা ফংদবা অদুনা মহাকপু হাত্তুনা লমন খুন্ননবা হোৎনরক্কনি, শোয়দনমক্কী হাৎলগনি হায়বসি খঙজরবনি (মথক্কীসিদা, ৫৪-৫৭)। অদুগা মৈদিংঙু থৱানথাবনসু মহাক্কী মরমগীদমক্তা মমোম চীঙখৈ থানবীবু হাত্তুনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা মমোম-লাংলেন

খয়োঙ্গৈরোন শমফবীবু হাৎখিবগী লমন খুমখ্রগনি হায়বসি খুমনশিংগী থৌদৌশিংদুগী খঙখ্রবনি (মথক্কীসিদা, ৫৫-৬০)। পুন্নমকসিদা লাল্লিবা-লঙজরিবদি মৈদিংঙু থৱানথাবা মশামকসিনি, অদুবু করম্নদি তৌগনি থোকখ্রবা থৌদোক্লিনা মহাক্লসু লমন খুন্নবা থৌরাং-থৌশীনবা নৎত্রগা থৌশীন-থৌরাংবদু থবক্তা ওন্থোকপা নত্তনদি মহাক্কী পুক্কীঙ লৈতানা, ঈংনা লৈবা ঙমলোয়দৌরি (চৈথাঃ কুমঃ ২০০৫, ১২)।

মৈদিংঙু থৱানথাবনা হৈরেম লমদমদা খুঞ্জানগী মথক্তা লান্দাবদগী হল্লকপদা খুমনশিংনা হাৎননবা হোৎনবা পুন্নমক্তুদগী লীখোক্তুনা খুমন লৈপাক্কী ঙমখৈ লাম্হোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা খুমনগী নিংথৌ অমসুং লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংনা মখোয়না শীন্নবা খুজীন-থৌরাং অমসুং শরৌ লাং পুন্নমক্তু অরেম্বদা তাখ্রবা অমদি মখোয়গী পান্দম ফংবা ঙমদ্রবদুদা খুমনগী ফম্বৈ-ফম্লুপ (কংলা) তীন্দুনা মখোয়গী মায়থীবা অমসুং অশোয়বশিংদুগী মরমদা খন্নরম্মী। খুমন নিংথৌনা মহাক্কী তাল্লোই ৱাংঙমলোন চীঙখৈ থানবীদা মহাক্কী মপাবুংবু খাম্বা,খুমন লৈকোয়পুঙগী কোনুংদা চঙহন-পোখাহনবা ঙমদ্রিবগী মরম করিননো, হায়দুনা হংলম্মী। অদুবু খুমনলৈমা চীঙখৈ-থানবীনা মশা কঞ্জনবা থৌদোক্কী ৱারী পরেং, খুমন মীয়াম অমসুং খুমন কাকপা লৈতোন পাম্বনচিংবনা শোয়রকপা ময়ামদু লীরম-তম্লম্মী। অদুগা মহাক্লা মতুং তারকপদদি মপাবুং মৈদিংঙুবু মহাক্লা খুমন লৈপাক্তা অমুক হন্না কৌবা ঙম্লরোয় হায়নসু হায়রম্মী (মঃ গৌঃ ২০১২, ৯৮)।

ৱাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা মপা মৈদিংঙু থৱানথাববু অমুক হন্না খুমন লৈপাক্তা কৌবা ঙম্লরোয় হায়রকপদুদা খুমন লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংদুগী মরক্তা খুমন খুল্লক্কী চেগায়পোক নামদুখায়গী তোবর্বান্দা খুমনলৈমা চীঙখৈ থানবীনা মপা মৈদিংঙু থৱানথাবগা ৱারী মতেক অমা শানখিবা, মফমদু "নোংয়ায় তাংজা লুহুনপুঙ" কৌরক্লবগী খুঞ্জান খোঙঙা খোঙতেকচাগী অককপু লুরেন/মকোক তোবর্বান্দা হুনগৎলম্বদু উহৌবশিং য়াওরম্মী। মখোয়না খুমনলৈমসিনা খুমন লাল্লোইশিংনা মৈতৈগী ঈশিং লান্মীশিংগা লাম্থেংনদুনা মৈদিংঙু থৱানথাবা হাৎনবা নৎত্রগা ফানবা হোৎনরিঙৈদা তৌখিবশিংদু উহৌবা থৌওংশিংদু পাউদম্লম্মী। মৈদিংঙু হাৎনবা/ফানবা থাকপা লাংবু লাংকাইখিবগী মরমশিংদু পুথোক্তুনা মখোয়না লীরক্লম্মী। মখোয়না, খুমনলৈমসিগী মটীন্নদি চঙলক্লবা, খুমন কোনুংদা পোথানবা কৌশিন্নরগা ফিনুংদি ওইরগা মীনা উগদবা ফিনুংদা মখুৎ খত্তোক-হত্তোক্তুনা, লাক্নু, চঙলক্নু, চৎখ্রো হায়না খুদম তৌবা-উৎপগী মচৎ-মতৌদু পাউদম্লম্মী (মথক্কীসিদা, ৬২)। হায়রিবা মওং-মতৌদুনা মৈতৈ নিংথৌনা মহাকপু হাৎনা-ফানবগী শউম/শামিন ফংখিবা মাল্লি হায়বা ৱাকৎ অমসুং ৱাথাঙ্গৎকা লোইননা থল্লক্লম্মী। অদুগা মখুৎনা খুদম তৌবা অদুদসু নত্তনা লৈমা মশাদা ইল্লিবা ইন্নফিবু অৱাং পাংনা লংথোক হন্দোক্তুনা থুনা-য়াঙনা চৎখিনবসু খুদম তৌই হায়দুনা ফম্বৈ-ফম্লুপ তীল্লিবদুদা পাউদমখি (মথক্কীসিদা, ৬২)।

ৰাফম পুন্নমকসি তারবা মতুংদা খুমন নিংথৌ অদোন পুঙ্গিবা খুরেন চনবনা মৈদিংঙু লোইনাই থৰানথাববু মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা খুদম তৌদুনা অরোনবা শরৌ লাংগী মমি অমসুং শামিন/শউম ফংহন-খঙহন্দুনা কনখিবনি হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে (মথক্কীসিদা, ৬৩)। মরম অসিনা লমন খুমনীঙলিবা মপাদুগীদমক্তা কাইনৌ চীঙখৈ থানবী মহাক (খুমন নিংথৌগী) তাল্লোই ওইদুনসু মমোম চীঙখৈ থানবীসিদা লমন খুমফম থোকই অমসুং শোয়দনা লমনদু খুমগনি হায়না মশাগী ৰারেপ লৌরে। অদুগা মহাক্কী মপাবুং মৈদিংঙু থৰানথাবদুনা খুমন নিংথৌ মহাক্কী মমোমবু তরেং-য়োৎনা লৰাই লেনফুদা লেঙশিন্দুনা হাৎখিবা অমসুং হায়রিবা তরেং-য়োত্তু য়াওনা ময়োম লাংলেনবু খুমন লৈপাক্তা থিল্লকপদগী শত্তোকহৌবা তরেং-য়োত্তু লৈরি, অদুনা তরেং-য়োৎ অদুমক্না মা (কাইনৌ চীঙখৈ থানবী) বুসু লৰাই লেনফুদা/লুতোন্দা য়ুংশিন-লেঙশিন্দুনা হাৎকনি। মদুনা মৈতৈ নিংথৌ মহাক্না তৌখিবদুগা চপ মান্নবা মীহাত্তা হাত্তুনা লমন খুমগনি হায়না ময়ামদা অমসুং কাইনৌ চীঙখৈ থানবী মশাদা খঙহল্লম্মী। তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা মহাক মশাবু শোয়দনা হাৎপীখ্রগনি হায়বা খঙলবসু মশাগী মরান লৈতবগী ৰাফমশিং পুথোক্তুনা মশা কঞ্জনবা কয়া হোৎনজখি। অদুবু মদুশিংদুনা খুমন নিংথৌগী পুক্নীঙ পেৎহনবা ঙমখিদে। অসুন্না অপোকপা মপাগী মথৰাই কন্নবা হোৎনবদা মশা শিগনি হায়বা খঙনা খঙনা মমোম লাংলেন অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌদু কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা পাংথোকখি অমসুং মহাক্না মপন পন্থৌ মপাগী মরমগীদমক্তা তমথীরবা মীহাত্তা হাৎহন্দুনা শিখিবা অদু মহাক্কী মরাইবক্তা তন্নবা লাইগী নোংদম্নি হায়না খন্দোক্তুনা অশিবগী মতম্বাক্তা চঙজখি (মথক্কীসিদা, ৬৫)।

ৰাখোম ৰারোয়

মথক্তা থমজখ্রিবা মৈদিংঙু লোইনাই থৰানথাবগী মমোম লাংলেনহন তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবী অমসুং নোংয়াই খুমন নিংথৌ অদোন পুঙ্গিবা খুরেন চনবগী মমোম লাংলেন- খয়োঈরোন শমফবী অনিগী ৰাহৌদগী মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী লমায়দা তারিবা ৰাংঙম মৈতৈ অমসুং নোংয়াঈ খুমন মী-কাংলুপ অনিসিগী মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোম মতোম্‌তনা লৈঙাক ৰায়েন থৌদাজবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুন্না পানরিবা নিংথৌ পানবা লৈপাক মচা অনিগী য়েক্ল-য়েংথিনবা অমসুং লাম্থেং-লানশোক্লখিবগী পাৰারী-পুৰারীগী ওইবা থৌদোক-ৰাথোক্কী ৰারী (চৈথা: কুম: ২০০৫, ১২) সিদা অপোকপা মপাগী মথৰাই কন্নবা হোৎনবদা মশাগী মথৰাই অমসুং মপুন্সি কথোকখিবী তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীসি ফিদম্নীঙাই ওইরবী মৈতৈনুপীগী শক্তম অমনি। মহাক তশেংনমক লিন্দা পানবী, থৌনা ফবী অমনি

হায়বসি মহাক মশা শিগনি নৎত্রগা মহাকপু মীনা হাৎপীখিগনি হায়বসি খঙনা খঙনা শিবগী করিসু নাচুংদনা মথৰাই কৎথোকখিবদুনা খুদম-চাংদম ওইরি।

তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীসি অচৌ-অশাংগী অমসুং অৰাংবা থাক্কী ঈমুংগী মীওই ওইবগী চাওথোকচবা অমদি লেমথোকচবা পাম্বী নুপী অমনি হায়বদুসু মহাক্না মহাক্কী লুহোংলমদায়গী মতমদা শেল্লোই-লংমাইজীঙগী কাইনৌ লৌচীঙখৈ চীঙখৈ লমনুংশি হায়বা লমদুবু অউনপোৎ ওইনা উনবীয়ু, মহাক্না ওঙলু-লৈরুগদৌরিবা লমদুগী/লৈপাক্কুগী মীওইশিং/খুমনশিংদা লেন্নজরুগে হায়না নীজখিবদুনা ফোংদোক্লি। অদুগা মহাকসি থোইদোক্না লৌজনাম-পুজনাম হৈতবী-পামজদবীনি হায়বদু মহাক্না চীঙখৈ লমনুংশিগী মহুত্তা লম অসিগী মমিং পকপা মিংথোন অমা পীরগা মহাক্না য়াখিবসিদগী খঙবা ঙমই।

তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীনা ময়ুম পাল্লবা মতমদা মহাক্কী লমচত্তা অমকপা অমত্তা লৈখিদে অমসুং লোন্নবী তাল্লোইশিংগী মরক্তা/মনুংদা খম্বন্নবা, মিহৌ-মিকানবা অমসুং কল্লক-য়েংথীনবগী থৌদোক-ৰাথোক অমত্তা লৈখিদে (মঃ গৌঃ ২০১২, ৬২-৬৪)। তশেংনমক মহাকসি কল্লক-খম্বন চাওবী মমা চকপ্রমচনু তৌকাইঙম্বীগী মিহৌ-মিকাবদু লৈত-পোক্তবী মমোম-লাংলেন্নি, হায়বসি মহাক্কী পলেম মমা নোংপাল্লোন তৌকাইঙম্বীসিনা শীল্লক-থৌরাংলকপা তুরোন্নবগী কল্লক-খম্বনবগী ফত্ত-শরৌনা খয়োইরোন শমফবীগী পুন্সিগী মৈরা মুৎহন্নবগী মরম ওইখিবগী ৰারী-ৰাতাই অমদি মদুগী থৌওং-থৌদৌশিংদুনা চাংদম ওইনরি।

তম্ফা ৰাংঙমলোন কাইনৌ চীঙখৈ থানবীসি মশাবী-মপুরোইবা নীঙবী অমনি। হায়রিবা ৰাফমসিসু মহাক্কী মথক্তা উৎখিবা মপুরোইবগী য়াথংশিং অদুগী, অফ-ফত্তবা করিসু খন্দ-থিদনা অমসুং মদুশিংদুগী য়ানীঙবা-য়ানীঙদবগী ৰাফম অমতা থাঙ্গৎ-ৰাকত্না পাংথোকখিবশিংদুনা তাক্লি। মহাক্কী ফিদম শক্তমসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিক থৰানথাবা হিরান কৌবদুদা ময়েক লানা য়েক্লি।

১৬

লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপী

ৱাহৌ-শৈহৌ

... ... মৈদিংঙু মদাইরেম ৱাংখৈ লৌরেঙ্গম পীবাদি থিংলৌ নীঙনা তেনা হলৱাইরকপদা কেগে লৌৱাই লৌতাউথোং লৌরেনবা লৈরাং চহুইপোক্তা শানথুপঙম্বী লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপীনা পাউমেনঙময়ে— মৈদিংঙু মদাইরেম হাওবা লমলাং খমলৌ লাইতোন-ও ! ঈপন পন্থৌ নিংথৌ লাইজীঙখু তেলহৈবনা লাইরেন মৈদিংঙুগা চেংলৌ শকখঙনদা পুনুং লেপখঙনদবা মরমবু ৱাওইয়ে। ... ... (ও:ভ:স:, ১৯৬৭,১৮২)... ... ...

মথক্তা থমজরিবা "নিংথৌরোন লম্বুবা" কৌবা পুয়া/লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লি-পীরিবা "লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপী মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই লাইজীঙখু তেলহৈবগী মমোম লাংলেন, পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপা (খৃ:কুম: ১৩০২-২৪)গী তাল্লোই লৈমা, মশুঙলাং-মহাকথংগী মৈদিংঙুসিনা "থংবী লাম্থাবা" হায়বা কোল্লোয় মিংহুন-মিংথোন ফংখিবা লৈমনি। মহাকসি কেগে মোইরাং য়েক্কী, লৈপাক্কী অমসুং ঈৱাং শল্লাইগী নৌনা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৭৪ দা শেমগৎ-শাগৎপা ৱারী-শীঙবুন— মোইরাং কংলৈ-ঈশৈ নত্রগা কংলৈরোনগী ফৌওইবী অকোঙজাম্বা, ফৌরুংবগী লাংওন কুম্মৈগী অরোয়বা শরুক খম্বা-থোইবীগী মরু ওইবী নুপীগী শক্তম ঈৱাংলোন থোইবীগী য়ুম্ফম ওইরিবী অমসুং ফিদম লৌরিবী শক্তম্নি। লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপীগী পুন্সি ৱারীগী থৌদোক-ৱাথোক (Problem) অমসুং ৱাখললোনগী ৱাখল (Idia) শেমদোক-শাদোক্লগা অমদি অহেনবা থৌদোকশিং মৈতৈ পুয়াশিংদগী ৱারী-ৱাখোঙ লৌদুনা শেমজিন-শাজিল্লগা খম্বা-থোইবীগী ৱারী-শীঙবুনসি শাগৎখিবনি, হায়না চেৎনা থাজনরি।

শক্তাক-শকখঙহনবা

ঈৱাংলোন কেগে মোইরাং নিংথৌচনু লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপীসি কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু চীঙখু তেলহৈবগী মতোম্তা নাইতোম পোকচবী, মথক্তা

মবুং অমসুং মচেম শাৎখিদবী, মখাদা মপ্পা (মদুনিংথৌ) অমসুং মনাউ পোকখিদবী তোম্পোকপী মমোম-লাংলেন্নি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। মহাক্কী অপোকপী পল্লেম মমাগী মমিংদি হৈরেম লাইফাচনু নত্রগা হৈরেমলৈমা নিংথৌ য়াঙ্বচনু হায়না কৌই। মহাকসি মৈদিংঙু থংবী লাম্বাব (খৃ: কুম: ১৩০২-২৪) গী তাল্লোই অহন ওইনা শীঙথানৈ। মহাক্না মৈদিংঙু থংবী লাম্বাবগী ঈনা মপারী খুমোম্বা পুমিংনবা পোকখি।

য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপীগী পুন্সি-ৱারী

ঈৱাংলোন লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপী ঈৱাং মোইরাং লৈপাক্কী কংলৈ মোইরাংগী য়োঙ্গীকোনুংদা পলেম মমানা মতোম্তা পোকখিরম্মী। মহাক্কী মপা-মমানা পোকপা মবুং-মপ্পা অমসুং মচেম-মনাউ লৈতে। অদুবু মতোন মপাতোন্না পোকপা মবুং-মপ্পাদি লৈ অমসুং মহাক্কী মপন পঙ্খৌ পুরীক্লাই লাইজীঙখু চীঙখু তেনহৈবগী মতুংদা কেগে মোইরাং লৈপাক্কী নিংথৌ ওইহৌবা পুরীক্লাই থাঙ্গা ঈফেন লাম্বাবসু মহাক্কী মপাতোনগী মচানুপা, মহাক্কী মবুঙ নত্রগা মপ্পানি।

চাওরক-শাংলকপা

ঈৱাংলোন লৈমা য়োঙ্গীরেন তোম্পোকসি মতোম্তা পোকপী ওইবনা কেগে মোইরাংগী কোনুংদা কেনা-মৌনা য়োক্লকখি। পীশক পীক্লিঙৈদগী পো-পমদুনা মখোঙ লৈপাক তাহন্দনা নাউয়োক-নাউকোল্লকপীনি। কোল্লুপ অমত্তদা অঙাং ময়াম লৈবা মরক্তা য়োক্লকপী ওইদুনসু নিংথৌগী মচানুপী ওইবনা চানীঙবা মনীঙ তম, শেৎনীঙবা মখা তম্লকখি। অদুবু পুঙকক চাওরকপা, মশাগী চহি ৭/৮ (তরেৎ/নিপান) শুরকপা মতমদদি মীপুম খুদিংমক্কা তীন্ন-লোইনবা য়াবী অমা ওইরকখি। চাবা-থকপা ফজবী, মীঙোন্দা পীজ-পীথক হৈবী ওইনা তৌরকখি। পীক্লিঙৈদগী লৌশিঙ লৈবী, মীগী মীতীক-মীরৌ খঙগনবী, অতোপ্পা মীনা য়ানবা চৎপী অমসুং নুংশিনবা তৌবী নুপী মচা অমা ওইরকখি। মশাদা হৈথোই-শিঙথোইবা, মশা মতোম্তা লেপচবা ঙম্বগী মতীক-ময়াই লোইনরকখি। মিৎনা য়েংবা অমসুং মতৌ তম্বনা মহাক্কী মহৈ-মশিঙ তম্বগী অহানবা লম্বী ওইরকখি।

ঈৱাংলোন য়োঙ্গীরেন তোম্পোকপীনা চাওরক-শাংলকপা, লৈশাবী ওইনা মথোক কারকপা মতমদা মায়থোঙ কোয়দানরকই, চোয়জাইনবা শম্লাংনা মায়থোঙদা লৈতেং হাপলকখি। চীম্বাল ঙাংঙ্রাননা তঙাং-তঙাংলকই, খজাই লেংওন অনিদসু তঙাংবা মচু শঙলকই। নুজাগী থবাক লীকশিরম তরেৎ শেনবুঙ মখোয়গুম কোয়না খোয়দোংনরকখি। মিৎনা নোকপী, ৱাঙাংদনা মরোন লোনবী চীম্বাল ওইরকখি। অসুন্না শামান-লেঙমান্নরবা পাখংশিংবু শুমহৎনবগী মশক ওইরবী লৈশাবীগী শক্তম অমা ওইনা লৈমা য়োঙ্গীরেন

তোম্পোকপী কেগে ঙাংঙোই কোনুংদা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা)গী লোনদাদা পম্থৌ শঙ্গাই চাওগোইনুংদা ঙাললকখি। নুজা মাগী চেংলৌ হেনবগী পাউসি অৰাং পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক, নোংপোক্তা নোংয়ায় খুমন লৈপাক্কচিংবা থুংনা শন্দোকখিরম্মী। অদুগা মোমনু নুজা ওইবী মহাক্কসু অৰাং পোইরৈ মৈতৈগী মৈতৈ নিংথৌগী চেংলৌ শকথোঙ হেনবা, মরীন লীনদা পানবগী কোল্লোয় ৰারী কয়া মখোয়নৌ মমান্নবী কয়াগী চীঙোয় পাউমেন্দগী তারম্মী।

য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীবু হায়রবা

পোইরৈ অতাম্বা, অৰাং ৰাংঙম মপুঙয়ায়, কংলৈ পুঙময়োন্দা পাখং য়োঙ্গরেন তোম্পোকপনা পোইরৈ নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। মহাক্না ঈৰাংলোন লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীগী চেংলৌ শক্না হেনবা, মোমনু শারেপ শাবান ফজবা অমসুং কোল্লোয় মিংচৎ ফবগী ৰারী ৰাফম পুন্নমকসি তারম্মী। চেংলৌ মশক্তি উদ্রি, অদুবু মমিংদা তাবদা অপাম-নুংশিবা পোকখ্রে অমসুং নুজাগী নুংওন ৰাখন্না পাখং থম্মোই মচু শঙখ্রে। অদুনা পোইরৈ মঙাইরোই, নিংথৌ মদাইরেমশিং কৌশিন্দুনা হায়রকখি ঃ—

... ... ঈদাইরেমশিং-ও।_ কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু তেলহৈবদা পাউমেললু-ও ! লাইরেন ঐসুং তুবী শাবীলৈ, লাইরেন শানৌলৈ শাৎমিন্নদে। ইমোম তমফা ৰাংঙমলোনসু ফুয়মিন্নদে। নমোম কেগে মোইরাম্বচনু লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীসুং মদু ঙাংঙোই ফমলেন য়ুতোনবসু শাৎমিন্নদে। কেগে শানৌলৈসুং ফুঈমিন্নদে। নোংকাং কৌখাওম তোমশাৎনৈয়ে। লাইরেন ঐগা কোল্লোয় মিংমান্নৈয়ে। কোল্লোয় মিংথোংবু করম মিংমান্নবনো ? লাইরেন ঐঙোন্দা পীনৌ-ও ! কেগে শেনচঙনসে হায়রু-ও ! (মথক্কীসিদা, ১৮১)।

অসুন্না মদাইরেম মনাইশিংদা হায়দুনা নুপী হায়রুনবা থাখিরম্মী। মদুদা মৈদিংঙুগী মদাইরেমশিংদুনা কেগে মোইরাং লৈপাক্তা চৎখিদুনা মোইরাং নিংথৌ পুরীল্লাই লাইজীঙখু চীঙখু তেলহৈবদা মৈতৈ নিংথৌগীদমক্তা মচানুপী পীয়ু হায়না হায়রম্মী। মদুদা ঙাংঙোই পুরীল্লাইসিনা মৈতৈ নিংথৌদা মচা নিংঙোন থাজনীঙদদুনা মহাক্কীদি লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপী কৌবী মচাসু পোক্তে, কনানা পাউ লাননা তমশিল্লিবনো হায়না নখোয়গী নবুংঙো মৈদিংঙুদা হায়রু-হায়না মশা কম্থোক্তুনা হায়রম্মী।

য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীনা পাউজেল্লকপা

মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু চীঙখু তেলহৈবনা মৈতৈ নিংথৌ য়োঙ্গরেন তোম্পোকপবু মশক খঙনদবা, তোৎন-তীন্নদবা ওইবনা মচানুপী থাজ-য়োঞ্জনীঙদবনি। মহাক্না মৈদিংঙুগী মদাইরেমশিংনা মচানুপী হায়ন-শীঙনবা লাকপদা ঙাংন-শক্করিবা ৰাফমদু

মচানুপী লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীনা ঈমুংদা লোয়না তারিবনি। মপা ঈবুংঙোনদি মচা নিংঙোনগী পুক্নীঙ খঙদবনিনা মচা নিংঙোন পোক্তে অমসুং লৈতে হায়না হায়দোক্লুনা নুমিত্তুগীদি মশা লিৎথোক্লে। অদুবু মমোমদুদি ঈচাও চাওনা লৈরিবনিনা ময়ুমদা মচানুপীদু উখ্রবদি মীনম্বা ঙাংঙি, নমথাক তৌই অমসুং নত্ত-ওইদবা হায় হায়দুনা মৈতৈশিংদুনা ঙাংনখিগনি, অতৈদসু শন্দোকখিগনি অমসুং মদুনা মসিদা নত্তনা মোইরাং অপুম্বগী মিংচৎ থীবা পুরক্কনি, মিংদা থীগনি। অদুগীসু মথক্তা অৱাং পোইরৈ মৈতৈ হায়বসি মরৌ চাওবনি অমসুং খুৎকন-পাঙ্গনবনি, মখোয়না খঙখ্রবদি মচা নিংঙোন লৈনা-লৈনা লৈতে হায়জিন্দুনা পীরক্তে, লান্দাদুনা মুনসি, হায়দুনা লান্দারকপসু য়াই। অদুনদি পাম্বৈ অমা তৌদুনা মমোম লাংলেনসি লোৎপা তায়, হায়না মশাগী ৱারেপ লৌখিরম্মী।

তাউথোং লৌরেনবদা মচানুপী থৈবা

মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু তেলহৈবনা মমোম লাংলেন ঈৱাংলোন য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীবু থেমদুনা ময়ুম মোইরাংগী য়োঙ্গকোন্নুংদগী পুথোক্লক্লগা মোইরাং তাউথোং লৌরেনবা লৈরাং চহুইপোক কৌবা লম অদুদা লোত্তুনা লৈয়ু হায়দুনা খাঙপোকশঙ অমদা থম্লম্মী। ঈৱাংলোন য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীনা খুদোং চাদ্রবা, লৈবদা নুংঙাইত্রবা, কাঙ য়াম্না লৈদুনা চীকপা অমসুং অহিং তুম্বা য়াদ্রবা মফমদুদা লৈয়ু, লোৎলু হায়না মপন পম্বৌনা হায়রিবা অমসুং থম্লরিবদু করিগীনো হায়বদু খঙলম্মী। অদুবু মহাক্না হায়বা ইনবী মমোম অমগুম্না মপাগী মফমদা ৱাকৎ অমতা কত্তনা তুমিন্না তাউথোং লৌরেনবদা লৈহৌখিরম্মী। মরমদি মহাক মৈদিংঙু য়োঙ্গরেন তোম্পোকপদা ময়ুম পানবা পাম্লম্মী, অদুনা মপানা মাবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতমদা মহাক্না থোকপা পাম্বৈ তৌদুনা পাউ থারগা মহাকপু মৈতৈ লৈপাক্তা লৌবীরো হায়গে নত্রগা মহাক মশানা মৈতৈগী লমদা চেনখিগে হায়না খল্লম্মী।

মৈতৈগী লৈপাক পুবা অঙম্বা মৈদিংঙুগী মদাইরেমশিংনা কেগে মোইরাং নিংথৌদা মচানুপী, মৈতৈ নিংথৌগী তাল্লোই মৈতৈলৈমা ওইনবা পীবিয়ু হায়না হায়না- শীঙনরুবদা মচানুপী লৈতে হায়দুনা পীরক্ত্রবদা মৈদিংঙুদা পাউ হন্দোরুবা মোইরাংদগী মৈত্রবাকলোমদা হল্লক্লম্মী। মখোয়না লাকপসিদা মোইরাংগী তাউথোং লৌরেনবা কৌবা লম অসিগী মনাক নক্না ফাওদুনা চৎপা তারম্মী। মৈদিংঙুগী মদাইরেম ৱাংখৈ লৌরেনবম পীবানা হল্লকপা মতমসিদা ঈৱাংলোন লৈমা য়োয়রেন তোম্পোকপীনা মঙোন্দা হায়রম্মী ঃ—

মৈদিংঙুগী মদাইরেম হাওবা লমলাং খমলৌ লাইতোন-ও ! ঈপন পম্বৌ নিংথৌ লাইজীঙখু তেলহৈবনা লাইরেন মৈদিংঙুগা চেংলৌ শকখঙনদবা, পুনুং লেপখঙনদবা মরমবু ৱাওইয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু মশুঙলাংগীবু তাউথোং লৌরেনবা অসিদা কাঙবী

মৈথাননা ঐবু নোংখোইরিয়ে। অয়িম কেগে মনীন নাইবা, মোইরাং তানদবদি কোরৌ নুমিৎ ৫নি শুরবগা হেনুজম খুৎলংলোই, খোইনাইজম শনপোৎলোই, উদোইজম য়াংখঙলোই পাখং থাঙকোক চুমপুনলোই নুরা তাউজেং ফমহাইরোইবু পুন্না হৌনা কেগে লমলেন মদাইমা চীঙহৌ লমদাইথেৎ থংবী য়োঙ্গনৌকোন শোংলেন হাললম পানখোকপোক য়িহৌদা, থংবী তাউজেন্নগে, হায়রে। লাইরেন মৈদিংঙু চাখা খোঙজোম্বু হুয়েন লানহৌরক-ও!"—(মথক্কীসিদা, ১৮২-৮৩)।

অসুন্না মোইরাং লৈবাক্কী মীশিংনা লৌউ-শীঙউগী মতম লোয়খিদুনা লৌরোক ফৌরোক পাম্থা লানখ্রবদা শীঙয়ান-ইফানবগী থবক পায়খৎনবা মতম ওইরে, ঙসিগা থানা নুমিৎ ৫ (মঙা)নী শুরবদা মোইরাংগী মী পুন্নমক হুপ্না ময়ুম থাদোক্তুনা শীঙয়ান ইফানবা চৎনখ্রবনি, চীঙহৌ-থেৎ কৌবা লমদা শীঙয়ান-ইফান তৌদুনা লৈনখ্রগনি। মী অমতসু মোইরাংদা লৈররোয়। অসুন্না মী চীকলিঙৈ মতমসিদা লাইরেন মৈদিংঙু য়োঙ্গরেন তোম্পোকপনা লান্দাদুনা লাক্লগা মহাকপু লৌবীররো অমসুং কেগে মোইরাং লৈপাক্তগী মৈতৈ লৈপাক্তা পুবীররো লাও, হায়দুনা মৈতৈগী ফম্নাইবা হাওবা লমলাং খমলৌ লাইতোন কৌবদা পাউ চেন্দুনা মৈদিংঙুবু কৌরম্মী।

মৈদিংঙু থংবী লাম্থাবনা মোইরাংদা লান্দাবা

ঈৱাংলোন লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীনা মহাক মোইরাংগী কংলৈ য়োঙ্গকোন্নুংদগী ঙাংঙোই তাউথোং লৌরেনবা কৌবা লমদা থৈদুনা লৈরে, মহাকপু মৈদিংঙুনা মোইরাংদা লান্দারক্লগা থংবী পাম্থা, হায়বদি, লৌগী মতম লোয়খিদুনা মোইরাংগী শীঙয়ান-ইফানবগী মতম অসিদা মোইরাংদগী মৈত্রবাক্তা লৌবীরো হায়বা পাউ অসি মৈদিংঙু য়োঙ্গরেন তোম্পোকপদা হেক থুংবগা মৈদিংঙুনা মোইরাংদা লান্দানবা মৈতৈ লান্মী খোমগৎলে। অদুগা হি তোংদুনা কংলৈ পুঙময়োন্দগী খা-নোংচুপ্লোমদা মোইরাং লোক্তাক ৱাংবরেন কৌবা ঈশাইগোনদা মোইরাং থংবী পাম্থাগী মতম অমসুং মফমদুদা লান্দরকখি। মৈদিংঙুগী মৈতৈ লান্মীনা লোক্তাক ৱাংবরেন্দগী য়াইথিং কাপ্পরম নামবা চুঙশেনকোন লাম্থোক্লগা থংবী য়োঙ্গনৌকোন হায়না নৌনা মিংথোল্লবা চীঙহৌ লমদাইথেত্তা লানদাখিরম্মী। লমদমদুদা লান্দাবদা পোকপী মচন থিংকুশূ-অরাই নোংদাচানা য়ামবী মচন লৈরোং তাউবী অমসুং লান্দা মমিং চৎলবা লোইনাই থাংথোন কৌববু হাৎলম্মী। অসুমনা হাৎপসি কম্বোং হৌরিবা, তৌ হৌরিবশিংদুগী মনুংদা ফাবা হাৎপসি তৌ-মপুনগা মীগী মকোক্কী মশীঙগা পানদুনা য়েংবদা তৌ মপুনগী মশীঙনা অমা হেল্লদুনা মৈদিংঙুনা অরোৎপা মী থিরম্মী। মদুদা করোং কৌবা য়ুমলেনবম পীবা লেরা অতোনবনা কম্বোং মরক্তা লোক্তুনা লৈরম্বা থেংনরম্মী। অদুবু মহাক্না হৈ-শিঙনা ঙাং-শক্তুনা মৈদিংঙুনা মাবু হাৎপা তুপ্পা তৌগদবদুদগী নাম্থোকখি। মদুগী লমদাংদুদা পীবীরল্লিবা ৱারোন্দি ঃ—

মৈদিংঙুনা খোয়মা নারোন্নুংদা হুয়েন লানথিববু করোং য়িমলেনবা পিবা লেরা অতোনবা কমপোং নারোন্নুংদা শানথুপ্পবু তানফংলুবে। করোং য়িমলেনবা পীবানা, লাইরেন ঈবুংঙু তাউ-ও: নদাইরেম ঐদি খাল্লে লৌদা তারবসু তেৎনৌ য়োৎখোমলোই, অতোনবনে, শমু খোঙলম চৎলবসুং চৈরে ফিপায়লোই অতোনবনে। নদাইরেম ঐবু লুরক কাঙদে থি, খৌনাউ লোনথোং লেনবীগুনো, হায়না... ... ... পুরুম্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা, তয়ম... ... ... তাংজা নরৈতোন অসিদি করম শিঙবনো হায়না লুরক কাঙদৈ থিদনা লাইশেংজখিয়ে... ... ... [মথক্কীসিদা, ১৮৫-৮৬]।

অসিনি। অসুন্না মোইরাংগী মীয়াম হেনুজমগী খুৎলংলোই উদোইজমগী য়াংখংলোই, খোইনাইজমগী শনপোৎ লোই, অসিনা চিংবগী মীশিং, পাখং-লৈশাবীশিংনচিংবা মোইরাং থংবীগী তৌ য়ানবগী থবক তৌবা, শূবা-নোম্বশিংবু লান্দাদুনা ফারম্মী। অদুদগী মৈদিংঙুসিগী মমিং মিংলেনসি "থংবী লাম্থাবা " হায়না কৌখিরম্মী।

য়োঙ্গরেন তোম্পোকপী লুহোংবা

মৈদিংঙু থংবী লাম্থাবনা মোইরাংগী থংবী পাম্থাদা লান্দাদুনা থংবীগী শীঙয়ান-ইফানবা অমসুং তৌয়ান-তৌফানবা মীশিংবু মায়থীবা পীদুনা কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু তেনহৈবগী নাইতোম তোমপোকপী মমোম-লাংলেন লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীপু মোইরাংগী তাউথোং লৌরেনবা কৌবা লমদগী পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা পুরক্লম্মী। অদুগা মখোয় অনিগী থম্মোইগী ৱাফমগী মতুং ইন্না অপাম-নুংশি ৱাইথুংনখি। মতমদুদা পোইরৈ মৈতৈগী চৎনবা-তৌনবা খুন্নাইগী লৌন-লৈনবগী চৎলম-পরমগী ৱায়েন মতুং ইন্না নুহোঙ-খোঙদোংদুনা লৌন-লৈনখি। অদুগা মোইরাংশিংনসু মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারক্তুনা লমন খুম্বা ঙমদবনা অদুম্মক তুমিন্না লৈনখ্রে। লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীসু মৈতৈলৈমা ওইদুনা মপাম মোইরাংশিংগা অমুক তীন্না-তোৎনবা তৌদনা মৈতৈ লৈপাক্তা অদুম লৈখ্রে। অসুন্না লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকী ঈৱাং মোইরাং নিংঙোনসি য়ুম্বালবগী পুন্সিদা খোঙদাখি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা

ঈৱাংলোন লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীনা মশানা খঞ্জবা, মহাক্না নীঙজ-পামজবা নুপাদা ওঙ-লৈদুনা য়ুম্বানবগী পরম-পরীংদা চঙখি। মহাক মৈদিংঙু থংবী লাম্থাবগী তাল্লোই ওইনা মৈদিংঙুসিগী মচাঈবুংঙো খুমোম্বা পুমিংনবা পোকখিরম্মী। হায়রিবা খুমোম্বসি নোংথোনবম সনাৱাইবম হায়বা য়ুম্নাক শাগৈ অদুগী পুকোক ওইখিরম্মী। ঈৱাংলোন লৈমা য়োঙ্গরেন তোম্পোকপীগী য়ুম্বানবগী পুন্সিসিদা মশানা পামজবা অমসুং নীঙজবা নুপাদা য়ুম্বানবনিনা মায় পাকপা য়ুম্বানবগী পুন্সি হায়বদু ওইখি। মৈদিংঙু থংবী

লাম্থাবসিনা তাল্লোই ৬(তরুক) পানবনা তুরোন্নবা নুপীশিংগী অহন ওইদুনা নুপী ময়ামগী কল্লক-খস্বনবা অমসুং মিকানবগী মরক্তা লৈদুনসু মপুরোইবগী থম্মোইদা মাগী মফম অমা কন্দুনা লৈখিবনা মহাক্কী থোইনা ৰানীঙঙাই লৈখিদে।

লৈমসিনা নোঙ্গাখিবা

লৈমা য়োঈরেন তোম্পোকপীনা মৈতৈ নিংথৌগী কোনুংদা মচাঈবুংঙো পোক্তুনা মতম শাংনা লৈরক্লে। মাঙলোমদা চঙশিল্লিবা পুন্সিগী মতম্না লেপ্তুনা হৌজিনখিবনা লৈমা য়োঈরেন তোম্পোকপী মমৌ ফংদুনা মশূ পোক্তুনা মহাক্কী অহন ওইরকপগী মতমদু লেল্লি। অদুবু মীওইবগী পুন্সিনা পোকপদগী লমন তোন্দুনা লৈরবা শিবগী খোঙথাংনা লাক্লবগীদমক্তা মতম্না পুরক্লিবা অহন ওইশিল্লকপগী শোঞ্জিল্লকপা অমদি হকচাংগী পাঙ্গলনা হস্তরকপনা ওইরক্লিবা পুন্নমক্তু মায়য়োক্লদুনা লেল্লি। অশিবগী মিকুপ্তুনা লাক্লবদা পুন্সি কনানসু খাঙদুনা চোন্থনা খক লৈতে। তাইবং পুন্সি লোয়দুনা তেংবানবা মপুগী মনাক্তা চৎনখিবা ঙাক্তনি। অদুনা ঈৰাংলোন য়োঈরেন তোম্পোকপীসু তাইবং মাল্লংপান থাদোক্তুনা চৎখি। অদুবু মহাক করম্বা মতমদা মালেম তাইবংপান থাদোকখিবগে হায়সি খঙবা ঙম্নদে।

ৰাখোম-ৰারোয়

ঈৰাংলোন লৈমা য়োঈরেন তোম্পোকপী, কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইজীঙখু তেলহৈবগী মমোম লাংলেনসি মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারিগী মনুংদা নুংশি-নুংওনগী ৰাইথুংনবগী খুদমগী মশক ওইনা লৈরিবী শক্তম অমনি। মহাক্কী খুদমসিগী ফিদম অমসুং চাংদম লৌদুনা তরাগা মাপনশুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী অরোয়বা তংখায়গী মৈতৈগী অহল-লম্মনশিংনা ঈশৈগী শৈরোনদা ফিদম-চাংদমদুনা শাগৎলম্বা অমসুং ফুঙ্গাৰারীগী পরীং-পরম অমগী ৰারী ৰাখোঙ লৌফম পাৰারী-পুৰারীগী ৰারী অমসুং থৌদোক কুম্মৈ অমনি। নিংথৌ পানবা লৈপাক অনি— মোইরাং অমসুং মৈতৈগী লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী মরীগী পরম অমনি। মশক-মশা উনদনা মমিং-মমিংদা তানবদা নুংশিনখিবা পাখং-লৈশাবী অনিগী নুংশি-পস্থুংনখিবগী থুংনা-ৰাইনখিবগী থৌদোক-ৰারীনি।

২১৭

১৭

লারালা শংনু শাফাবী

(হাওরৈমা শম্বুবী)

ৰাহৌদোক

শকাব্দ ১২৮১দা মৈদিংঙু তবুংবনা নিংথৌ ওই-এ।। ... ... অৰাংলোমদা চীঙশোং হাওনা ফীবোং চামিলোই, ৰাংগোন পুকৈ লোইবু পীদে হায়দুনা চীঙশোংদা লান্দাখিবদা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মতু লারালা শংনু শাফাবীগী মলোমনা মৈদিংঙু তবুংবগা মনাই অকাংজমচা তোনখৈবগা হাৎখিএ[চৈথা:কুম:, ২০০৫,১৭]...।

মথক্তা থমজরিবা "চৈথারোল কুম্বাবা" কৌবা মৈতৈ লাইরিক/পুয়াদগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৰারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "লারালা শংনু শাফাবী" হায়রিবী লোইবী চীঙলৈপাক্কী ৰুঙ [K.B.S.,1976,1] নত্রগা তাংখুল চীঙমী কাংলুপকী নিংঙোন অসি মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙগী খোইমোম লাইরৈমশিংগী মনুং চন্দুনা লমলেন শেক্তাদা ঈরৈমা/পান্থোইবীগী লাংওন অমসুং লাইচৎ-লাইচন ওইদুনা তম্ফা লাইরেম্মা হায়না মিংথোন্দুনা লাইকোন-লাইবুঙ লীংদুনা লাইশঙ-লাইয়ুম শাদুনা খুবম য়ারগা লাৎলি। অদুগা অমুক মহাকসি ওক্করগা লাইনা-তীন্না পীবা, চবান-চাকথা/চাকথাক চাবা, য়াম্না ফত্তবা লাইদি নত্তবা, শারোই-ঙারোইসু নত্তবা লাইরেম্মা, খুবম য়াদুনা লাৎন-নীঙনবা লাইরৈমসু ওইদবা লাইরেম্বী "হাওরৈমা শম্বুবী" হায়না মিংথোনবী ওইনসু লৌনৈ। মসি লারালা শংনু শাফাবীসিনা মৈদিংঙু তবুংব (খৃ: ১৩৫৯-৯৪)গী অককপা মকোক শমদা হাপ্তুনা চীঙশোং চীঙগী চীঙমী খুন্দগী পোইরৈ তম্পাক্তা চেল্লকপগী ৰারমগা মরী লৈনৈ। মরম অসিনা মহাক্না পাখৎনা, কিনা অমসুং থক্কৎনা মৈতৈ নিংথৌগী অককপা লুরেন্দু লুখা থাখিদনবা পুরকপা মতমদুদা ওক্না-থেংনরুরবদি মহাক্না মশা কঞ্জনবা, য়েক্লবনা তৌরকপা লান-তকশিল্লকপদু ঙাকথোক্লবা অমসুং মশা নাম্বোক্লবদা হোৎনবদা ওক্ল-থেংনরুবা মীদুদা মহাক্না ঙমজবা মতীক/ময়াই শীজন্নদুনা নাম্থোকখিবা নত্রগা মীদুনা মাগী মনাক্তগী চৎখি-হন্দোকখিনবা তৌবদগী ওইরম্বা য়াই, মদুনা মহাক্না ওক্ল-থেংনরুবা মীদুদা অশোকপা ওইনা নাবা, অঙাও-অফৈ ওইনা চৎপা, অসিনচিংবা ওইরম্বা য়াই।

শক্তাক-ৱারম

লোইবী চীঙচনু, বুঙ কাংলুপকী নিংঙোল লারালা শংনু শাফাবীসিগী অপোকপা মপন পম্বৌগী মমিংদি চীঙদাই খুল্লকপা/নিংথৌ খেলেম্বা (খেলেমবা) হায়না কৌই। অদুগা মহাকপু পোকপী পলেম মমাগী মমিংদি খঙবা ঙমদ্রে। চীঙদাই হায়রিবা চীঙসি ইম্ফাল কংলৈগী ময়ায়দগী নোংপোক্লোমদা চীঙখে মায়কৈরোমদা খজীক্তং পৈরপ্পা কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্পা লৈবা মৈত্রবাক্কী তম্পাক্কী খুন শেক্তা হায়বসিগী মমাঙ/নোংপোক লোমদা চীঙখৈদা পৈরপ্পা মরক্তা লৌবুক অমনা খল্লগা লৈবা চীঙশাংনি অমসুং মসিগী মখা থংবা চীঙশাবু পীদোংনু চীঙ কৌই, পীদোংনু চীঙসিগী চীঙ নাপোম অমগী লোক্তু মতম অমদা থুম থোকপা থুমখোং লৈরম্বগী থুমখোং-লোক অমসুং চীঙ নাপোম অদুবুনা "থুমখোং-লোক-চীঙ" হায়না মমিং থোল্লি। চীঙদাই চীঙ অসিগী চীঙখেরোমদা চুমদ্রিংনা কিলোমিটর মঙা/তরারোম চঙশিল্লগা চীঙশোং চীঙ অমসুং মদুগী চীঙথক্তা চীঙশোং কৌবা বুঙ/তাংখুলশিংগী খুল লৈরম্মী।

চীঙদাই বু ঙ খুনগী নিংথৌ খেলেম্বা বুঙ অসিগী মমোম লাংলেন লারালা শংনু শাফাবীসি চীঙশোং খুনগী খুল্লাকপা/নিংথৌ খামলংবা নত্রগা খমলাংবা [ও:ভ:স: ১৯৬৭,২০৬ নচিংবা] গা হায়না-শীঙনদুনা নুহোঙ-খোঙদোংখি। অদুবু মখোয় অনিসি মপারী নত্রগা মমোম অমতা শাক্তে। বুঙ খামলংবা/খমলাংবনা পাল্লিবা চীঙশোং খুঙ্গংসি খুৎকন-পাঙ্গনবা খুন অমা ওইরকখি অমসুং য়ুমলোন-য়ুমথংননা লৈরিবা চীঙমী খুনশিংনা শৌগৎ-পমখৎপা, মতেং তেংবাংবা খুন্নি অমসুং চীঙমী খুনশিংদুগী মনুংদা খ্বাইনা য়াবা, পান্নবা অমদি মমিং থাগৎপা হৌরকখিরম্মী।

লারালা শংনু শাফাবীগী পুন্সি-ৱারী

লারালা শংনু শাফাবী চীঙদাই বুঙ চীঙমী খুন্দা পোক্লকখি। খুন্দুদা মাগী মপন পম্বৌ অমসুং পলেম মমানা লুনা-নুংশিনা তৌবীদুনা য়োক্লক-থাক্লকখি। লোইবী চীঙখাঙগী পামেল উকাদা শাংপী উথম্বালগুম চেংলৌ শকহেনবী অমা ওইনা হৌরক-শাৎলক্তুনা মৈতৈ তম্পাক্কী চীঙখে মায়কৈদা লৈরিবা তমপাক্তা নক্লবা চীঙশিংগী চীঙমী খুনশিংদা লৈরিবা বুঙ পাখংশিংনা ফজবা শক্কীদমক্তা শকখঙনরবী লারাল শংনুনি। মহাকসি কুচু পানবী, মায়থোংদা মোমোন মীনোক্তুনা লৈতেংদুনা লৈবী ওইনা লৈশা মপুঙ ফারক্লমগদবা মাল্লি। লৈশাবী ওইনা অউবা-অয়েংবা অমগী মমিত্তা লেঙ ফনবী, খ্বাঙ চেঙবী, নীঙনা পাক্লপ তৌবীগী শাবন্দা তোংগাননা, মরেপকা মঙানগা য়েংনবদা মরেপ্পা ঙল্লপ তৌনা মাঙদা লেপ্পমগনি। অদুবু নুজা ওইবী মোমোন্নবগী মায়থোংদু ঈকাইবগী শউমনা লৈতেং হাপ্পমগনি হায়না থাজে। অসুন্না মশাগী চহি ১৪/১৫ দা লেপ্তুনা চীঙদাই নিংথৌ খেলেম্বগী য়ুমদা ঙাল্লমখি।

লারালা শংনু শাফাবীনা পলেম মমাগী তেংবাংবা ওইনা য়ুম পুবগী থবক ইনখাংগী মহৈ-মশিঙ পলেম মমাদগী তল্লকখিরম্মী। ফিশা-লোনশা, ফুশা-ৱানশা, ফিরোন-ফিরীবনচিংবা মমাদগী খর মখৈ তল্লমগনি। পুঙকক চাওরক্লবা, থবাক্কী শকওং হোংলক্লবদা য়ুমদা শান্ন-খোৎনদুনা পলেম মমাদা নপ্পুনা মহৈ-মশিঙ তম্নম্বদগী ৱুঙ কাংলুপ-ফুরুপকী মচৎ-মনাং লৈশা-ফান্দা কাদুনা মরুপ মপীজা, নুজা খোয়নৌ-মতারোইশিংগা পুন্না শীনশু-শীম্বামিন্নদুনা নুপীচা লৌশিঙ তাল্লমগনি। পোকপদগী পীথোক্লকপদা মীকৌ-মীওক ফজবী অমসুং হৈবী ওইনা থেংনা-উনবা খুদিংমক্লা লোইনা-তীনবা নুংঙাইবী ওইনা লৈরমগনি।

মৈদিংঙু তেলহৈব (খৃ: ১৩৩৫-৫৫)না চহি ২০ (কুন) নিংথৌ ওইনা পাল্লম্লগা খৃ:১৩৫৫দা নোঙ্গাখ্রে। মহাক্লা মৈতৈলৈমা স্নারেম্বী পানদুনা মচাঈবুংঙো অনি মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মনাউ অম (সনায়াংনু)গা পোক্লম্মী [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪,২৪]। মপাবুং ঈবুংঙোনা নোঙ্গাখিবগী মতমসিদা মখোয়গী মতোনশী তোনাবনা মৈত্রবাক পুবা অঙম-অথৌশিং খরগা শরৌ শীন্নদুনা নিংথৌ ফম্বাল/খুবম নমদুনা মুল্লগা মৈদিংঙু তোনাবা (খৃ:১৩৫৫-৫৯) হায়বা মিংথোলসিদা চহি ৫ (মঙা) পানখিরম্মী। মৈদিংঙু তোনাবনা নিংথৌ ওইবগা মাগী নিংথৌ ফম্বালদা য়েৎলক্কদবা ময়াম্বুং মৈদিংঙু তেলহৈবগী মচাঈবুংঙোশিং— মৈদিংঙুচা তবুংবা অমসুং মৈদিংঙুচা সনায়াংনুগা অনিসি হাৎননবা খুজীল-থৌরাং তৌরক্লে। মৈদিংঙু তোনাবগী শরৌ খঙলদুনা মৈদিংঙু তেলহৈবগী মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন স্নারেম্বীনা মচাঈবুংঙো অনি পুদুনা মৈতে কোনুং থাদোক্কুনা চেনখিরম্মী। মখোয়না মমা-মচা অহুমদুগী খোঙগুল লীবদা করিগুম্বা শামিন অমতা ফংবা ঙল্লমদে।

মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন স্নারেম্বীনা মচাঈবুংঙো অনি (তবুংবা অমসুং সনায়াংনু)বু পুদুনা মপুরোইবা মৈদিংঙু তেলহৈবগা মতাউ শান্দুনা লুনা চান্না তীন্নরবা চীঙদাই ৱুঙ (তাংখুল) খুনগী খুল্লাকপা নত্রগা নিংথৌ খেলেম্বগী মনাক্তা চেল্লক্লম্মী, অদুগা ৱারম-থৌরম পুন্নমক তম-লীদুনা মখোয়গী চঙজফম পীবীনবা হায়জরম্মী। ৱুঙ খুল্লাকপা খেলেম্বা, মহাক্কী মরুপকী মচানুপা অনি তবুংবা অমসুং সনায়াংনুবু লৌশিন্দুনা মখোয় মমা-মচা অহুমগী চঙজফম পীদুনা মহাক্কী মখুন্দা শঙলেন অমা শাদুনা মখোয়বু লোননা থমখিরম্মী অমসুং মহাক্কী ৱুঙ খুঞ্জাশিংদা অরোনবদু কনা অমতদা হায়দোক্তনবা য়াথং তৌরম্মী। অসুন্না মমা-মচা অহুম ৱুঙ (তাংখুল) চীঙমী খুঙ্গং চীঙদাই খুন (খুনসি মৈদিংঙু তোনাবনা পাল্লিবা কোনুং কৈহৌ খুঙ্গং/কংলৈ, হৌজিক্কী টাইগর কেম্প কৌনরিবা নোংপোক ইম্ফালগী লম, শওমবুং কৈবীদগী চঙগদবা, মফমদুগী পঙলাপ লাপ্পবা চীঙ/চীঙশাং নত্তে)দা ৱুঙ চীঙমীশিংগী মরক্তা মখোয়গী ফিজেৎ শেত্তুনা, মখোয়গী

চীঞ্জাক চাদুনা, মখোয়গী শাজৎ-লোনচৎ পুন্নমক চত্তুনা— পাম য়ান্দুনা, শীঙ চন্দুনা লেনখ্রে। চীঙদাই খুঞ্জাশিংনসু মখোয় অহুমবু মখোয়গী মী ওইনা খনখ্রে।

মৈদিংঙুচা তবুংবনা চীঙদাই ৱুঙ খুন্দা লাকপা মতমসিদা মশাগী চহি ১৮/১৯গী শুবগী মতমদনি। মতমসিদা চীঙদাইগী খুল্লাকপা খেলেম্বগী মচানুপী মশাগী চহি ১৩/১৪ শুরবী মশক মতৌ ফজরবী অমা লৈরম্মী অমসুং মহাক্কী কোল্লোই মমিংনা লারালা শংনু শাফবী হায়না কৌরম্মী। তেংবান মপুনা তাইবং মীওইববু শেম্বী-শাবীরকপা মতমদা পীবীরকপা মথোৎ কারকপা মতমদা থম্মোইদা অপাম-নুংশিবনা য়াওল্লকপা, পুক্নীঙ, ৱাখন্দা শামান-লেংমান্নবা, হকচাং কায়াৎ মান্নদবা মপাংবু লোইনবা-লোইনবী ওইনীঙবগী ঈথিন ফাওনরকপা তাঞ্জা ওইবসিনা পাখং মৈদিংঙুচা তবুংবা অমসুং লৈশাবী লারালা শংনু অনিসি হেক উনবা নুমিত্তুদগী অমনা অমবু উনীঙঙি, য়েংনীঙই, মখোঞ্জেন তানীঙঙি অমসুং মহাক্কী ৱাখন তৌনীঙঙি। তোয়না উরিবা অমদি উনরিবগী মতীক থম্মোইদা নুংঙাইবা ফাওরম্মী। অসুন্না নোংমা-নোংমগী খর-খর নকশিন্নরক্তুনা ৱা ঙাংনবা-শরুবা ফংলক্লে, থম্মোই-থম্মোইগী অনীঙবা ফোঙদোক্লদুনা নুংশি ৱারী শান্নরে। তশেংনমক তেল্লবা মতম খরদংগী মনুংদা লৌনশি-লৈনশি হায়নদুনা পাখং লৈশা অনি অদু থম্মোই অমতা ওইনা নুংশিবগী ঈচেন্দা চেম্থমিন্নরে।

মতমনা কনাবুসু ঙাইবীদবনা মৈদিংঙুচা তবুংবগী মমা-মচা মখোয় অহুন্না চীঙদাই চীঙমী খুন্দা লৈরকপা কুমজা মঙা শুরক্লে। মতমসিদা লারালা শংনুনা মপা খুল্লাকপা খেলেম্বদা মৈদিংঙুচা তবুংববু মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল ফংননবা মতেং পাংবীয়ু, হায়না হায়রম্মী। অদুনা চীঙদাই খুল্লাকপা খেলেম্বনা ৱুঙ চীঙশাংদগী লাম্মী খোমদুনা পোইরৈ মৈতৈগী কোনুংদা মৈদিংঙুচা তবুংবনা লুচিং-লাঞ্জিংদুনা লান্দারক্লম্মী। মৈদিংঙুচা তবুংববু উবদা মৈতৈ লাম্মী অয়াম্বা মহাক্কী মীচঙদা য়াওরক্লম্মী। অদুনা লান অদু মৈদিংঙুচা তবুংবনা ঙমলে। অদুগা মায়থীরবা মৈদিংঙু তোনবা লানফমদগী চেনখ্রে। হাঙলবা নিংথৌ ফম্বালদুদা মৈদিংঙু তবুংবনা খৃ: ১৩৫৯ দা কাদুনা নিংথৌ ওইরে। নিংথৌ ওইবদগী মৈদিংঙু তবুংবা চীঙদাই চীঙদা কাবা ঙমখিদ্রে। লৈঙাক থৌ-না চিনখিবনা লারালা শংনু শাফবীগী মনাক্তা নোংমতসু চৎলুবা ঙমদ্রে। অসুন্না নোংমা-নোংমগী থাপ্তোক্লরক্লে। অদুগা অমুক পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লৈঙাক-থৌগায় পুরিবা অঙম-অথৌশিংনা নোংবাক্লোন লমফেন ঙম্বীবু হায়ন-শীঙনদুনা লুহোং-খোঙদোংবীখ্রে অমসুং মৈতৈলৈমা হাপখ্রে। লারালা শংনু শাফবী, নীঙ্বা কায়রবা পুন্সিগী শক্তম অমা ওইনা চীঙদাই খুঙ্গংদা লেল্লকখি।

চীঙদাই মচীঙগী মোংবা মরানয়ায়দা লৈবদগী পন্থৌ মপা অমসুং পলেম মমানা থাজ-য়োঞ্জদুনা লারালা শংনু ৱুঙ কাংলুপকী চীঙমী খুন চীঙশোংগী নিংথৌ খামলংবদা ওঙদুনা চীঙশোং চীঙনা অমসুং খুন্না মচীঙ অমসুং মখুন ওইদুনা চীঙশোংদা নুংঙাইনা

পাল্লকখি। চীঙশোং খুল্লাকপী নত্রগা চীঙশোংলৈমা চীঙমাবী ওইনা চীঙশোং মশাইগোন্দা পান্‌বদুদা শাবী কনা কেৎনদা, শানৌ কনা খৎনদনা পুকচেল-খোয়জেন তীন্ননা ৱুঙ চৎলম কায়দনা পাল্লম্মী। চীঙশোং খুন অমসুং চীঙদাই খুঙ্গং অনিসিদা মতমদুদা পাল্লিবা মী কাংলুপ-ফুরুপশিং অদুবু মরাম কাংলুপকী মীশিংনি— হায়না নিংথৌরোল লম্বুবা (মৈতৈ নিংথৌশিংগী) কৌবা পুয়া/লাইরিক্লা পীরি। অদুবু থিজিন-হুমজিনবগী পল্লোনুংদা চঙশিন্দুনা থিজিন-হুমজিনজরুবদা মখোয়দু ৱুঙ নত্রগা তাংখুল কাংলুপ-ফুরপশিং ওইনা থেংনজে।

মৈদিংঙু তবুংবগা থেংনা-উনবা

মৈতৈগী মবুংঙো তবুংবা খৃষ্টগী কুমগী ১৩৫৯ (শক ১২৮১)দা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। নিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তদি লান হায়বসি লৈঙাক্লোন অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী লানখোম-লানওক-পোৎ (War booty), লোইপোৎ পোৎনা (Tribute) অমসুং খুদোল-পোৎ (Presentation/Gift) ফংনবগী শেন্দান লম্বীনি। অদুনা মৈতৈনা পোইরৈ তম্পাক্কী মনাক নক্লা লৈবা চীঙশিংদা পানবা চীঙমীশিংগী খুনশিংদা লান্দাদুনা পোৎখোম-চৈখোম্বা অমসুং চহিগী লোইপোৎ লৌবা অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদগী তৌরক্লবা অমসুং চৎনবী অমা ওইনা লৈরকপসি মৈদিংঙু নিংথৌচেং (চাওরাক্লা খৃ: ৯১০-৪৯) গী স্নাহাক্তক্তগীনি। ৱাংঙম-মৈতৈনা মখোয়গী তম্পাক লমদমদা লৌউ-শীঙউদুনা, শীনশূ-শীন্থাদুনা, খুৎহৈ-শীনহৈবগী থবক শূ-নোমদুনা তম্পাকী উমং-ৱামং, পাৎ-তুরেন, লমহাঙ-তুহাঙদগী লৈনুং-খোংগী পোৎচৈ খোমদুনা হিংদুনা পান্ননবা অমসুং খুন্নাই লীংননবা হোৎনবদা পোৎলম-চৈরমশিংদুনা কোন্নরক্তবা অমসুং মতমগী অহোংবা লাকপনা অওনবা পোৎশক-চৈশকশিং পাল্লকপনা চীঙমীশিংদগী পোৎ-চৈশিং ফংন-লৌনবগী খোঙথাংদা লান্দাবা অমসুং লানখোম্বগী থবকশিংসি লৌখৎলকখিবনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু তবুংবসু মপা-মপুগী লীক্লম-খোঙ্গুন ইন্দুনা লোইবী চীঙগী চীঙমী খুন-খুঙ্গংশিংদা লান্দাবা, মখোয়দগী লানখোমপোৎ অমসুং লানওকপোৎ খোম্বা অমদি কুমওনগী লোইপোৎ লৌবা অমসুং তানবগী থবকশিংসিদা চখরক্লম্মী।

মৈদিংঙু তবুংবনা নিংথৌ ওইরবা মতুংদা অহানবা ওইনা মৈতৈ তম্পাক্কী অৱাং-নোংপোক/চীঙখৈ মায়কৈদা লৈবা য়াংফম চাকলীকপোক/চরীকপোক কৌবা চীঙমী খুঙ্গংদা লান্দাদুনা মারেম হায়না ঙল্লিঙৈদা লৈরম্বা চীঙমী কাংলুপ/ফুরুপকী মীশিংগা লাম্থেংনখি। লান্দু মৈতৈনা ঙমখি অমসুং খুন্দুগী খুল্লাকপা/নিংথৌ ফাখি। মথংদা মৈতৈগী মবুংঙোসিনা মরাম চীঙগী মরাম চীঙমী কাংলুপকী মীশিং, মচু শঙনবা লী/পাম্বীনা লোইপোৎ পীবা/কাবা কাংবুসিনা মখোয়গী কুমগী পীফম থোকপা লোইপোৎ/ পোৎনা:

পীদবগী মখোয়গী মথক্তা লান্দাগে, লোইপোৎ পীহনগে য়াদ্রগা তকখায়দুনা মুনগে হায়না মৈতৈগী লাল্লোই (Warrior) শিং অমসুং খোঙমী-লান্মী পুদুনা লাক্লম্মী। মখোয়না মরামশিংগী খাপুঙ অমসুং থিংবা য়ৌদ্রিঙৈদা নুমিৎ তাখ্রে। অদুনা লম্বীদুদা লৈবা অনকপা চীঙগী খুন চীঙশোং চীঙমী খুন্দা থুংলম্মী অমসুং খুন্দুদা লেক্ল-পননবা থৌরাং শেম-শারম্মী।

চীঙশোং খুঙ্গং, মতমসিদা মৈতৈ লৈপাক্কী মখা পোনবা অমসুং মৈতৈ নিংথৌদা লোইপোৎ কাবা খুঙ্গংনি। অদুগা খুনসিগী পাল্লিবা খুল্লাকপা/নিংথৌনা বুঙ/তাংখুল খামলংবনি। মহাক্না মৈতৈ নিংথৌ অমসুং মহাক্কী লান্মী তেঙ্গোন্না মহাক্কী খুন্দা থুংলবদুদা হরাউ-হরাউনা মৈতৈ নিংথৌবু তরাম তরাম্না ওক্লম্মী। মৈতৈ লান্মীশিংদু মহাক্কী মচীঙ চীঙশোংদা লৈবা-লেনবা নুংঙাইগদবা চীঙ নাপোম অমদা মখোয়গী লেকফম-চাফম পীদুনা মখোয়না নুংঙাইনা লৈননবা থৌরাং তৌরম্মী। অদুগা মৈদিংঙু নিংথৌগীদি অখন্ননা মখোয়গী খুঙ্গংগী পাখং-ফান শঙলেন্দা লেকফম-নোংলেনফম অমসুং চাফম থকফম শেমদুনা মখোয় ৱুঙ মী-কাংলুপকী চৎনবা, চৎনবীগী মচৎ মতুং ইন্না ময়ুমদা থুংলবা মীথুং-মী/মীথুংলেন অমবু মখোয়গী নুপী (মরু ওইনা লৈশাবীনা অয়াম্বা মতমদা অমসুং থৌদোক্তা তৌনৈ) অমনা খোঙহাম-খুৎহাম্বা, ফমুং ফমথাবা, চাবা-থকপনচিংবা থবক্তা থৌগন তৌবা, লোইয়িন-খময়িন ওইবগী পরম-কাঙলমগী পরীংদুদা চীঙশোং নিংথৌ/খুল্লাকপসিগী তাল্লোই শকহেনবী লারালা শংনু শাফাবীবু থৌগল-লাংগন ওইনবা শীল্লম্মী। খুল্লাকপসিগী পুকচেন্দা হিরমসিদা করি অমতা চিংনবা নত্রগা ফত্তবা ৱাখল খনবা লৈরমদে।

লারালা শাংনুনা হকচাং কখোকপা

পাখং ফানগী শঙলেন্দু য়ুমদোমপোক ওইনা খুনগী মতাই ওইবা লমদা চীঙগী থেন অমদা শাবনি। চীঙশোং খুননিংথৌ খামলংবনা মাগী তাল্লোই চীঙশোংলৈমা লারালা শংনুদা পাখং-ফানগী শঙলেন্দা মৈদিংঙু তবুংবা য়াইরেক্কনি, মহাকপু থৌগল তৌনবা মতীক চাবী খুনগী লৈশাবী অমতা হৌজিক থিরু-নেক্লুবা ফংলরোয়, অদুনা মহাক চক্তুনা থৌগল-লাংগল খর তৌবীরু, হায়না য়াথং পীরে। চীঙশোংলৈমনসু মহাক্কী মফুরুপ-মকাংলুপকী চৎনবী কাঙলোন ওইবনিনা ঙম্মোয়, হায়না ৱাকহোকপা ঙমদ্রে। অদুনা মহাক পাখং ফানগী শঙলেন্দা লাক্লে। অহানবা নুমিৎ তারকপগী য়াচঙলকপা অমসুং য়াচঙবা মতুংগী নুমিদাং মতম অদুদদি খুনগী মীনা চীক্ল-চায়নবা ঙমদবা মখৈ, মৈদিংঙু মৈতৈ নিংথৌবু চেংলৌ মশক য়েংহৌ-উহৌনবা করক করক ইন্নবা মখৈ তীল্লম্মী। পাখংফানগী শঙলেন্দুগী চীঙগী থেন্দা শাবা য়ুমদোমপোক ওইবগী অচীকপদু পুমকায়

কায়খি, পুমলাং লাংখি। মদুদগী অম-নী অম-নী চৎনখিদুনা চীকথরকপা হৌরকখি। চীঙশোং নিংথৌ খামলংবসু মৈদিংঙুগী নাক্তা ফমদুনা শানৈ-য়ুনৈরম্মী। মহাক্কী তাল্লোই লারালা শংনুনা মহাক্কী অমসুং মৈদিংঙুগী থৌগল তৌদুনা মখোয়নীবু পেলহল্লি।

নুমিদাংগী য়ুথক তেনশীল্লক্তুন অহিংগী য়ুথক চঙলক্কদৌরবা, নুমিদাং থেংজিল্লক্লবা মতম মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা চাবা-থকপা লোয়শিল্লবা মতমদা চীঙশোং নিংথৌসিনা মৈদিংঙুবু থৌগল-লাংগন নীঙথিনা তৌননবা মহাক্কী তাল্লোই চীঙশোং লৈমাবী লারালা শংনুদা চেকশিন্না শিন্নরম্লগা মহাক্তি চীঙশোং খুনগী পাখং ফানগী শঙলেন অদু থাদোক্তুনা মোংবা মরানয়ায়দা চৎখ্রে/হনখ্রে। মৈদিংঙুগী মদাইরেম মৈরীংবা খর শঙলেনগী মপান্দা খাম্বী মৈরীংদুনা মৈদিংঙুবু শঙবশিংদু নত্তনা পাখংফানগী শঙলেন্দুগী মনাক্তা মী কনা অমতসু লৈত্রে, অদুগা শঙলেন্দুগী মনুংদা মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং লারালা শংনু অনিসি নত্তনা অতৈ কনাসু লৈত্রে। লারালা শংনু মতমসিদা চহি ৩০ (কুম্থ্রা) গী মখা ২৫ (কুনমঙা) গী মথক্তা লৈরিবী চনুরানি। মহাক্কী মায়থোংগী ফজবা, হকচাং কায়াৎশিংনা ঈপোম হৌরিবা অমসুং তঙাংবা চীনবান্না মোমোন্নরিবা অদুগী লৈহী মৈদিংঙু তবুংবনা য়ুগী ময়াই কাখৎলকপদা থক্লীঙবনা ঙাওরক্লে। লোইবী চনুরাদুবু থম্মোইদা চেৎনা কোন্দুনা অপাম-নুংশিগী কুম্মৈ শান্নদুনা অহিং ঈনুংদু লেন্নীঙলক্লে। অদুনা লারালা শংনুবু কৌশিন্দুনা ৱারী শাবা হৌরক্লে। মতম ঙাইহাক্তংগী মনুংদা মৈদিংঙুনা নীঙবদু মায় পাকখ্রে, লারালা শংনুবু ঈনুং ফমথক্তা কোন্দুনা নুংশি লৈওনমিন্নরক্লে। মসিগী মতাংসিদা থম্বীরম্লবা ৱারোন্দি ঃ—

... ... লাইরেন মৈদিংঙুনা চীঙশোং মপুঙয়ায়দা ৱাইথুংলবদা লোইবী চীঙশোং মরৈমাবী হাওনু লাসংনু শাফাবীবু শাইবা ফীয়াননা তীংখং-খোঙচঙনা চীঙ্গোই পাউরননবা ৱাগীবু... ... ... [ও:ভ:স:১৯৬৭,২০৫]।

অসিনি। অসুম্না অহিং অদু শাবী-শানৌ অনিদু মতৈ মনাউ ওইনা লেনমিন্নরগা কৌরৌ ঈনুং ঙাল্লদুনা লমলান্নবা মীতোপকুম তোংঙান তোংঙান্না মাগী মাগী মথৌ তৌনদুনা লৈনরে। অদুবু মখোয় অনিগী অমনা অমবু চিংশিন্নবদি হেনগৎলক্লি, অমনা অমগী মনাক্তা লৈরগা নুংঙাইবা পোক্লি অমসুং অমনা অমবু উরগা অপেনবা ওইনরি। অদুনা ঙাইহক লৈতনা য়েংনীঙবা পোক্লরি। লোইবী চনুরা ৱুঙ নিংঙোন লারালা শংনু চহি ৫/১০ য়ুম পান্দুনা লৈরক্লবদা হকচাংগী নুংঙাইবা নত্তনা নুংশিবগী ৱাখল ফাওরমদবা অমসুং নুংশিবা মশক খঙলমদবদু হৌজিক্তা নুংশিবা মশক খঙলক্লি। তশেংনা হায়রবদা থৌদোকসিদগী চীঙশোং লৈমা লারালা শংনুনা মৈদিংঙু তবুংববু থম্মোই শেংনা নুংশিবা ফাওখ্রে।

মৈদিংঙু তবুংবা হনখিবা

মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু তবুংবনা চীঙশোং খুন্দা থুংলবা অমসুং অহিং য়াইরেক্লবা অসিগী পান্দমদি, মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মরাম চীঙমী কাংলুপকী খাপুং চীঙদোন অমসুং থিংবা কারোং (হৌজিক্কী সেনাপতি চীঙ-কংলৈ মথক্কী অৰাং কারোং) চীঙজাওগী নিংথৌশিং মথং শীৎনা মরাম চীঙকোনবা অমসুং মরাম ৰাহকপা অনিনা মখোয়গী চহিগী লোইপোৎ পীদ-কারক্তবগী মখোয়গী মথক্তা মখোয়গী খুনশিংদা লান্দনবা লাকপদগীনি। চীঙশোং খুন্দা অহিং লেকপগী নোংঙাল্লবদা হায়রিবা চীঙমী খুনশিং অসিগী নিংথৌশিংসিনা মৈতৈ নিংথৌনা লান্দাবা লাক্লে হায়বা পাউ অসি মখোয়গী লাঞ্জাবা নত্রগা খুল্লানবশিংদগী তারদুনা চীঙশোং খুনসিদা মৈদিংঙুনা লৈরিঙৈসিদা মখোয় মখোয়গী খুনগী লোইপোৎ-পোৎনাশিং পুদুনা লাক্লগা লোই হাররম্মী। মসিগী থম্বীরম্বা ৰাফমদি ঃ—

... ... লাইরেন মৈদিংঙুদা মরাম নিংথৌ চীঙকোনবগা থিংবা নিংথৌ ৰাহকপগা হাওবা মুয়ুম য়াইশংলিবু মুয়ুম খোইবাক পোত্তম পু, ফিবোং চৈরৈ ফিবুন শা, চীঙশোং ঈঙেল খুত্তা শু, মেনাং তনবা চীরৈ চিংনা পুরুমলৈয়ে। "লাইরেন মৈদিংঙু ঈবুংঙো তাউ-ও! নদাইরেম ঐখোয়বু লোইবী ঈচীঙ কাবীগুনো, থিংবা মখৈ ফংবীগুনো। মরাম মতোন লোমবীগুনো— হায়না পুরুমলৈয়ে।। লাললোই কাউজেংবা ফানখোং, ৰাংনু লৈমা চীনওনখোং, থোংকাপাক লানচনৰাই, চকপা পুমসাইখোং, খাবী লেংনাউ মোমবী চৈরৈ ফিশূখোং, খুৰা য়োংয়ানখমদা থৌদু লেপনা খীন, মেননাং তনবা শাখৌ থৎনা শায়ী নুঙদা তৈনা ৰারেপ্পখিয়ে। মদাইরেম থিংবা নিংথৌ... ... [মথক্কীসিদা, ২০৫-২০৬]।

অসিনি। মখোয়না লোই হাররবা মতুংদা উরীবোক্কী খুৰা/খ্বা য়োংয়ানফম, হায়বদি "খ্বাই লৈকায় লায়াত্তা নুঙ য়ুংদুনা, হামেং লাবগী শাখৌ থৎলগা ঈদু নুঙদুদা তৈদুনা অমুক হন্না লম হেল্লরোয় হায়না ৰাশক্লখি অমসুং মদু লোয়রগা মখোয় ময়ুমদা ময়ুমদা হন্নখি।

মরাম চীঙমী কাংলুপকী মীশিংনা লোই হাবগী থবকসি ঙাইনবদা মৈদিংঙু তবুংবা নুমিৎ হুমনী চীঙশোং খুনসিদা লৈদুনা লারালা শংনুগী লৈহীসি পেন্নবা চুপখি। মসিদা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবসি শউম খর ফংবগুম তৌখি। অদুবু মতীক চাবা খুদম-চাংদম পুথোকপা নত্রগা পীবা ঙমদবনা মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মাগী তাল্লোই লারালা শংনু শাফাবী অনিগী অরোনবা নুপা-নুপীগী মরীসিদা করিসু হায়বা ঙল্লমদে। অদুগা অমুক মথক থোংবা খুৎকন-পাঙ্গনবা নিংথৌনিনা অমসুং লান্মীগা লোইননা লান্মী পৈদুনা লৈরিবনিনা, হান্ননা শেম-শাদুনা লৈহৌবা নত্তবনিনা হায়রুরগা লানশীঙনবা তাদুনা খুদোংথীবা থোক্লপা য়াবনিনা হায়রম্বগী কান্নবা লৈতে। অমরোমদা অমুক ঈকাই খুম্নরিবা

মীথুং (Guest) অমা ওইনা মহাক্না তরাম-তরাম ওক্তুনা খুনগী পাখংফানগী শঙলেন্দা লৈহনবা অমসুং মহাক্কী তাল্লোইবু থৌগল তৌহন্নবা শীনখিবনিনা মহাক্না ৱাফমসি কাংথোকপা ঙম্লমদে। মপুক্নীঙদা নাইনু কীশি কিদুনা শামু ৱারুম, নিংথৌ ৱারুম পুদুনা লৈখিরম্মী। মৈদিংঙু তবুংবদি মহাক্কী পান্দম ফংলবনিনা মখা তানা মরাম লান্দাবগী মথৌ তাদ্রবনিনা নুংশিবী মাগী ৱাখল পুদুনা ময়ুম পোইরৈ মৈত্রবাক্তা করিসু তৌদবা শাদুনা হনখিরম্মী।

চীঙশোং খামলংবগী থৌরাং

লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবনা চীঙশোং চীঙজাও থাদোক্তুনা পোইরৈ তম্পাক য়ৌখ্রবদা চীঙশোং খুননিংথৌ খামলংবনা মাগী পুক্নীঙ ৱাখন্দা পুরকপা চিংনবগী ৱাফম —মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মহাক্কী মতাল্লোই চীঙদাই নিংথৌ খেল্লেম্বা চনু লারালা শংনু শাফাবী অনিগী অরোনবা নুপা-নুপীগী মরী অদুগী মরমদা থিগৎপা হৌরে। মহাক্কী মখুনগী মফুরুপ বুঙ মচা কনা অমতসু হিরমসিদা লংলা-লংজীন পুথোকপা অমসুং খুদম-চাংদম পীবা ঙমদে। মরমদি মখোয়দি মখোয়গী নিংথৌ মহাক্কী য়াথং ইন্দুনা মৈতৈ নিংথৌনা লৈরি-য়াইরেক্লিবা মখোয়গী পাখংফানগী শঙলেন অদুগী মনাক্তা নুমিদাং অহিংদি থমখ্রদুনা অয়ুক নোংথিন্দা ফাওবা চঙলুদে। কনাগুম্বা পাউখোন চৎপা, চীঞ্জাক থিঞ্জিনবা চঙবা, ঈশিং পীবা চৎপশিংনচিংসু কুইনা পম্বদুনা লৈবা নত্তে, পুরক্লিবা পোত্তু পীরম্লগা হেক্তা থোক্লকপা ঙাক্তনি, মদুসু মৈতৈগী নিংথৌ শেনবা, মৈরীংবনচিংবনা উরিবনি। অদুনা চীঙশোং নিংথৌসিনা মহাক্কী তাল্লোইসিনা হায়দোক্লকপা নত্তনদি ৱাখুন অমতা ফংবা ঙম্লরোয় হায়বসি খনখ্রে।

চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা খঙঙি মদুদি নুপী ওইবীশিংনা নুপা ওইবশিংদগী য়াম্না হেন্না লাইশিংবু থাজে অমসুং ৱাশক নামুংববু কিনা চৎলি অমদি লুনা নীঙঙি। অদুনদি মফম অমসুং মতম চাবা য়েংদুনা মহাকপু শরী নামুং শোলহল্লগা ৱাফমসি মহাক মশাদা হংবা তাই অমসুং হায়দোকহনবা তাই, হায়না বুঙ খামলাংবা মহাক মতোম্তা ৱারেপ তারে। অমরোমদা চীঙশোং লৈমাবী লারালা শংনু শাফাবীনা মশাবী মপুরোইবনা মহাকপু চিংনবগী মিৎয়েংনা য়েংলিবা অদুগী শামিন/শানীন ফংলম্মী। অদুবু মহাক্না করম্না, করি হায়গদৌরিবনো? নুংশিবগী মফমদা থম্মোই কৎচনীঙঙি, অদুগা মহাক অসিনা হৌজিক-হৌজিক পানদুনা লৈমিন্নরিবা মপুরোইবনি, মহাক্না হায়বা ইন্দ্রবদি খুন্নাইদা মিংদা থীবা, ৱাথোক চাওবী ওইবদা নত্তনা মরীন খাবা নুপানিনা লাইবক থীবা থৌদোক থোকপা য়াই। অমরোমদা থোকখ্রিবা থৌদোক্তু মহাক্না হায়বা ইনবদগী থোকখ্রিবনি, অদুনা মহাকসু ঐতগী ইরান নত্তে, হায়বসি খন্থফম থোকই। অদুবু থোকখ্রবা, হৌখ্রবা, লোয়খ্রবা থবক-থৌদোক্নিনা ঐনা করি তৌবা ঙম্লুগনি, ঈরাবক্না পুবা মায়কৈদুদা

ঐ চৎপা তাবনি, হায়না মতোম্‌তা নুংশিবা অমসুং য়েংথীবা অনিগী মরক্তা নুঙ অনিগী মরক্তা লৈবা হা ওইনা লৈরি।

চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা নোংমদি মতাং চাবা তাঞ্জা অমদা মহাক্কী তাল্লোই লারালা শংনুবু শরী নামুং শোলহল্লগা ৱাফমদু হংলক্নে। শরী নামুংখ্রবনিনা ৱাশক্তু পুরিবা চীঙগু খোইয়ুমদুবু কিবনা লারালা শংনু অরোনবা থৌদোক্তু লোৎপা লৈতনা হায়দেক্লক্নে। অদুদসু নত্তনা মৈদিংঙুনা মৈতৈলৈমগী ফম্বাল লাংহনগে, কুমওন-কুমশীঙ খর লৈরগা মহাকপু লৌবা লাককে, হায়রম্বনচিংবা পুন্নমক লোয়না হায়দোক্তুনা অরোনবা নুংশি-নুংওনগী মরীদু অফোঙবা মরী ওইহল্লে। মহাক্কী ৱারমশিংসি তারগা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মথম্লোইদা য়াম্না শাওনীঙলবসু মহাক্কী তাল্লোইদদি উৎত্রে। অফবা শাদুনা করম্না মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা লমন খুমশিগে, ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইবা মীথুংলেন মীথুংলবা অমা ওইনা ঈশাগী কাংলুপ-ফুরুপকী চৎনবী ঙাক্তুনা থৌগল-লাংগন তৌফম থোকপদু পাংথোকপদা অদুপ পুকচেল পীক্লা তৌবীমল খঙদবগী লমচৎ চৎবদি মহাক্কী মথক্তা লমন খুমদনা তোক্লোয় হায়না লারালা শংনুগী মমাঙদা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা শরী নামুং, ৱাশক শকখ্রে, মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু তবুংবা হাৎকনি, মাগী লুরেন লৌরগা লুখা থানগনি, হায়না শারী পন্দোম লোমখ্রে। অদুগা চীঙদাই চনু লারালা শংনু মহাকসু মহাক্কী (খামলংবগী) ৱাশক অদু থুংনবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি, হায়না শারী নামুং শোল্লু, হায়দুনা শোলহনখ্রে।

লানকৌবগী থৌশীল

চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মৈদিংঙু তবুংবগী মথক্তা লমন খুমগে, হায়না শকখ্রিবা ৱাশক অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগী লম্বী অমসুং পাম্বৈগী মরমদা হন্না হন্না খল্লম্মী। মহাক্না মদুগীদমক্তা য়ুমলোন-কৈরোন্নরিবা, য়ুমথং-কৈথংনরিবা, চীঙশোং খুন অমসুং চীঙগী অকোয়বদা লৈরিবা চীঙশিং অমদি চীঙশিংদুদা খুন্দা-লৈতরিবা চীঙমী খুনশিং অমদি মদুশিংদুগী নিংথৌশিং, খুল্লাকপা-লুপ্লাকপশিং, খুনবু-খুনজাহনশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগা লৌতুনবা-লৌমান্নবা, মখোয়গী মতেং-তেংবাং অমসুং খন্ন-তানবগী মথৌ চঙঙি, হায়বসি মহাক্না খঙলম্মী। মদুশিংদুগীদমক্তা মহাক্না হায়রিবা অকোয়বগী খুঙ্গংশিং অদুদা কোয়না চৎলম্মী অমসুং মথৌ চঙবা মীওইশিং অদু উনদুনা মখোয়গা লৌতুনবা অমদি খন্ন-তানবগী থবকশিং চথরক্লম্মী। অসুম্না খুনশিংগী মচীন চৎপশিং অমদি খুঞ্জাশিং পুন্নমক লৌতুনবা, তানা-তীক্লবগী খুজীল-থৌরাং অমসুং শরৌ-লাংলৌগদবা পুন্নমক শীন্নবা লোয়রবদা মহাক মখুন্দা লাক্তুনা মখা চত্থগদবা থৌরাংগী থবক পায়খৎলম্মী। অদুদগী মহাক্না মৈতৈ নিংথৌ কোনুংদা মহাক্কী খুনগী পীফম-তমফম থোকপা লোইপোৎ-

পোৎনাগী পোৎলমশিং পুদুনা চৎলম্মী। অদুগা মৈতৈ নিংথৌ তবুংবদা চীঙগী খুনশিং অয়াম্বা খায়বুং-খায়বুং তৌনরে, মৈদিংঙুগী লোইপোৎ পীররোয় হায়না লেপ্লখ্রে, মখোয়গী মথক্তা লান্দাবিরো, মহাক অমসুং মাগী খুনগী লাম্মীশিংসু মৈদিংঙুগী মতেং পাংজগে, শোয়দনা লান্দানবা লেঙবীরকউ, হায়না চীঙশোং খুনদা লাকপীনবা কৌররম্মী। মসিশিংসিগী মতাংদা থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দি ঃ—

... ... মৈদিংঙু তবুংবা মদাইরেম চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা তাল্লোই মরূম খম্বন ৱাগী হেম্বা খোয়বুঙ মরৌ চাওনা লোইবী মচেৎ নাইদববু মচেৎ নাইরে, হেম্বা পাংশোয় নীক্তববু পাংশোয় নীক্লে। হাওমন খনফেরোই, কারাং খনরোইলোই, ময়ুম য়াইশংলোই, ফিবোং চামিরোই, ৱাঙ্গোন পুকৈলোইবু লোইকা পীররোয় হায়না চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মেন্নাং তনবা চীরই চিংনা লাইরেন মৈদিংঙুদা লমওক্লরৈয়ে।। মৈদিংঙু ঈবুংঙো তাউ-ও! নদাইরেম য়িখোইবু লোইবী মচেৎ নাই, হেম্বা পাংশোয় নীকলে। খোইফু তুগুম মচীন তুম, শাইবা তুগুম ময়া শারে। ফিবোং চামিলোই, ৱাঙ্গোন পুকৈলোইবু লোইহারোয় হায়রে। লোইবী নৈকায় পনশাংমবু খোমখিরাও! হায়না খোয়বুঙ মরৌ চাওনা পাউথেমখোনগী লাইরেন মৈদিংঙুদি মদাইরেম পোইরৈ খুঞ্জা হৌ, তয়ুম নাইজা হুপ্না চীঙশোং মপুঙ য়ায়দা হুইয়েন লান্দানখিয়ে [মথক্কীসিদা, ২০৬-২০৭] ...।

মৈদিংঙু তবুংবা নোঙ্গাবা

চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মৈতৈ নিংথৌ তবুংববু কৌবা মৈতৈ কোনুংদা লোই কাবা লোইপোৎ পীবা শাদুনা লাক্লম্লগা থুনা য়াঙনা মচীঙ চীঙশোংদা চেন্না চেন্না হনখ্রগা মহাক্কী লৌতুনবা অতৈ খুনশিংগী খুল্লাকপশিং অমসুং খুঞ্জাশিং পুম্নমক শীন্নখিবা পাউ ফাওনরগা মহাক্কী তাল্লোই কৌথোক্তুনা মৈদিংঙুনা চীঙশোং খুন্দা থুংলবা মতমদা তৌগদবা থবকশিং তাক্তুনা শিন্নখি অমসুং মখুনগী খুঞ্জাশিং অমদি লৌতুনবগী শরৌদুদা য়াওরিবা মীওইশিংনা তৌগদবা থবকশিং শীন্দোক্লখি। পুম্নমক শীন্দোক্লবা লোয়রবদা মহাক্না মহাক্কী তাল্লোই লারালা শংনুদা হায়খিরম্মী, মদুদি—

মৈতৈ নিংথৌনা থুংলরগা অতৈ চীঙমী খুনশিংদা চত্তুনা মখোয় লানহৌরবা, লোইপোৎ-পোৎনা পীরোয়, হায়দুনা নিঙঙাই তৌবরা নত্রগা অতৈ খুনশিংগা তীন্ননীঙদবা, তোখায় তাবা তৌবরা, হায়না খুনশিংদা চত্তুনা হংলু থিরুগনি, মদুদা খুনশিংদুগী খুল্লাক-লুপ্লাকপশিং অমসুং খুঞ্জাশিংনা মসিগুম্বা অকায়বা-ফত্তবা অমতা লৈতে, হায়না খুম্লক্তুনা করিসু অহোবা লৈতে হায়দুনা চীঙশোং খুনসি থাদোক্তুনা চৎলসি হায়না হায়নরকপা অমসুং থৌরাং তৌরকপা মতমদা ওকশা, য়েনশানচিংবা থোং থাক্তুনা হাওদৈ (অতিঙবা), ৱাংলৈ (কালৈ/অশাবা) নচিংবা থৌরাং তৌদুনা থম্লগা মদুশিংদু লৈরে, চাকচা-শাজাদুনা,

শানৈ-য়ুনৈদুনা অহিং অসিমতদি নুংঙাইনা লেনবী-লেকপীখো, হায়দুনা খামগদবনি। অদুগা নহাক নশানা শা-য়ুদু য়েন্দুনা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু, মহাক্কী অঙম-অথৌশিং, লাল্লোই-লাল্লোইরেনশিং অমসুং খোঙমী-লান্মীশিং পুন্নমক য়ু লোয়না পীথক্তুনা ঙাওহনগদবনি, অমসুং মখোয়বু য়ুগী ময়াই অমসুং ময়াক্তা লাকহত্তুনা তুহনগদবনি। হায়রিবা ফিবমদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা নহাক্তা য়ু য়েনগদবনি।" অসিশিংসিনি। অদুগা লান্দা-লানজঙবদা য়াওগদৌরিবা মহাক্কী লাল্লোইশিং, অকন-অথৌশিং অমসুং লান্মীশিংগী মফমদা মহাক্তা শিন্নরিবদি ঃ—

"অহিংগী মতম চঙলকপা, নোংয়ায় হেক য়ৌরকপা মতম, মৈতৈশিংনা য়ু ঙাওদুনা তুথ-উইথরকপদা অহানবদা লোন্না তকশিন-চঙশিন্দুনা হাৎপা হৌগদবনি। মৈতৈ নিংথৌনা লৈরিবা মফমদু চীঙশোংগী লান্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা মৈদিংঙুদু লাঙ্গোয় চনশিন্দুনা থমগদবনি। করিগুম্বা ফিবম অমতদা মহাকপু নাম্থোকহনখিবা য়ারোয়। অদুগা মৈতৈ নিংথৌবু হাৎপদি চীঙশোং নিংথৌ খামলংবা ঐহাক ঈশানা ঈখুৎ পেন্নবা হাৎকনি"— অসিনি। অসুন্না থবক পুন্নমক শীন্দোক্লরগা মানা মানা তৌগদবা-পায়গদবা থবকশিং অদুগীদমক ৱাখল তৌদুনা লৈনখ্রে। চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মহাক্কী অরোৎপা লাল্লোই খর, মী অতৈনা খঙলোয়-উরোয়দবা মফমদা লৈহন্দুনা থৌশীন-থৌরাং লোয়শিনখ্রে।

মৈদিংঙু তবুংবনা চীঙশোং খুন্দা থুংলরবদা খুন্দুগী নিংথৌ খামলংবগা উনরে। মহাক্তা মৈতৈ কোনুংদা হায়খিবা মতুং ইন্না করম্বা/করি খুন্দগী হৌনা তকখায়সিগে হায়না খন্নরে। মহাক্তা খুন-খুন্দা চত্তুনা হংবী-থিবীরো হায়বদগী মৈতৈ লান্মী-লাল্লোইশিং লাঞ্জিংবা-লাঞ্জিংলেনশিংনা পুদুনা চৎলগা হং-খোত্তুনা থিগৎপদা করিগুম্বা ফত্তবা অমতা তৌরমদবদগী চীঙশোং খুন্দা লোয়নমক হন্নরক্লে অমসুং মৈদিংঙুদা লানহৌবা নত্রগা তোখায় তানবা খুজীন থৌরাংবা অমতা লৈতে, হায়না পাউদম্লম্মী। মদুদা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মৈতৈ লান্মীশিংদু উবদা কিরদুনা ফত্তবা তৌরম্বা মীওইশিংদুনা করিসু তৌবা লৈতে হায়না হায়জিল্লিবনি, অদুবু ফরে মখোয় মশানা য়ারবদি মখোয়গী মথক্তা লান্দাদবা তারেদনা, হায়দুনা মহাকসু লৈথোকখ্রে। মৈদিংঙুনা, "অদু ওইরবদি ঐখোয় তম্পাক্তা হল্লগে, ঈয়ুম-ঈরানয়ায়দা চৎলগে" হায়না হায়রে। মদমদুদা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা হাননা শীনখিবা খুজীনগী মতুং ইন্না চীঙশোং লৈমা লারালা শংনুনা মৈদিংঙুগী মনাক্তা লাক্তুনা চাক-য়েনশাং, শা-য়ুনচিংবা থৌরাং তৌরে, অহিংসিমতং চা-থক্তুনা লেনবীখো, ননাই নুপীনা পুক্নীঙ পেঞ্জগে,— হায়না হায়জদুনা খাল্লরে। মসিগী মতাং অসিগী ওইনা থম্বীরল্লিবা ৱারোন্দি ঃ—

... ... চীঙশোং মলৈমাবী হাওনু লাশংনু শাফাবীনা মথংলেন চীঙশোং নিংথৌ খামলংবা শংলৌ মথৌরাংগী থৌখামঙময়ে, "লাইরেন মৈদিংঙু ঈবুংঙো তাউ-ও! নদাইরেম ঐখোয়দি তেকপী ওকচাও হাৎ, ৰাংলৈ খরুঙ থীৎনা নোংহামলিএ। শারেন শানৈখিসে, ফয়েং নোংফাইরম-ও! হায়না থৌখাম ৰাগী লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবদি মদাইরেম সনা খোম্বুরোই... ... ... [মথক্কীসিদা, ২০৭]...।

অসিনি। অসুম্না খামদুনা মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মনাইশিং শানৈ-য়ুনৈদুনা লৈরে। মৈদিংঙু অমসুং মৈতৈ লাম্মী-লাল্লোইশিংনা য়ু ঙাওরক্লবা অমসুং য়ুগীময়াক অমদি ময়াইনা ঙমদুনা হকচাং পুবা ঙম্লক্ত্রবা মতমদুদা লোইবী হাওশিং অদুনা মৈতৈ লাম্মীশিংগী মথক্তা লান্দারক্লে।

চীঙশোং খুনগী পাখংফান লৈবা থেন্দুদা মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মহাক্কী হাকথং খাওবুরোই অকাংজমচা তোনখৈবগনা লৈরিবা মফমদু চীঙশোং ৰুঙ কাংবুগী চীঙমী-লাম্মীশিংনা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবগা লোইননা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা লান্দাশিল্লক্লে। অসুম্না লানশোক মায়ওন খঙদনা মায়কৈ শল্লাই খঙদনা লানথেংনরিঙৈ মতমসিদা খুরাই লৈকোক লৈকায়গী চোমগাং পাম্বা কৌবগা মহাক্কী মরুপ অনিগনা চীঙশোং নিংথৌগী মপারী মচানুপা নিন্দাম্বা কৌববু মঙক কক্লগা লুরেন মকোক্তু মখুত্তা পায়দুনা লান্দারক্লিবশিংদুগী তকশিল্লক্লিবদু নাম্থোক-লাম্থোক্তুনা চেম্থোক্লম্মী। মৈদিংঙুনা মহাক অমসুং হাকথং ঙাক-শেনবা মনাই তোনখৈবগা মখোয় অনিবু কোয়শিল্লিবা হাওয়ামগী পল্লোন্দু লাম্থোকপা ঙমগনি হায়বা থাজরক্ত্রবা অমসুং শোয়দনা য়াইবী মাঙলগনি হায়না খল্লক্লবা মতমদুদা চোমগাং পাম্বা অমদি মাগী মরুপ অনিগা মখোয় অহুমদা, মৈতৈ নিংথৌ মহাক্তি মদাইরেম অকাংজমচা তোনখৈবগা লোইননা চীঙশোং লানফমদুদা লাম্থেংনদুনা শিহৌরগে, মখোয় অহুম্না মৈতৈ কোনুং য়ৌনা চৎখিদুনা মৈতৈলৈমা কৌবরোন লমফেনঙম্বী অমসুং মচানুপাদা চীঙশোং খুনসিদা লান্দাদুনা লমন খুম্লনবা অমসুং তুংলমচৎকী নিংথৌরোন খুদিংমক্তা লান্দারনবা শীল্লম্লবা পাউ তম্লুচো" হায়না পাউজেল্লম্মী [মথক্কীসিদ, ২০৭-২০৮]। হায়রিবা খুরায় লৈকোক লৈকায়গী চোংগাং পাম্বাগা মহাক্কী মরুপ অনিদুগদি মৈতৈ কোনুং য়ৌনা চেল্লক্তুনা লাইরেন মৈদিংঙুনা চেল্লকপা পাউসি সনা কোনুংদা তম্লখিরম্মী।

মৈদিংঙু তবুংবগী লুরেন ঃ—

লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবা চীঙশোং ৰুঙ খুনগী পাখংফানগী শঙলেন মনুংদা শানৈ-য়ুনৈরিঙৈদা চীঙশোংগী ৰুঙ হাওয়াম্না কোয়শিন্দুনা লান্দাশিল্লকপদা লান তকশিল্লকপদু ঙাকথোক্লবা লাম্থেংনবদা মৈদিংঙুগী হাকথং ঙাক-শেনবা মদাইরেম অকাংজমচা

তোনখৈবগী লুরেন ককখ্রে। মৈদিংঙু মতোম্তা ঙাইরবদা চীঙশোং হাও-লান্মী লাল্লোইশিংগী লানফা ওইরে, মখুত্তা খুৎলাই য়াওদ্রে, মখুৎ অনি তুংবুন্নরে। মতমদুদা মতাল্লোইগী মলোম পুদুনা লমন খুন্নবা থৌরাংলিবা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মখুত্তা থাঙপাক পায়দুনা চঙলক্লে। মহাক্না মনাইশিংদা থৌদাদুনা মৈদিংঙুবু লৈমায়দা লোংনা তুদুনা লৈহল্লে, মনাই অমনা মৈদিংঙুগী ঙকশম মখাদা শদন ওইনবা উকক অমা থল্লে। অদুগা চীঙশোং নিংথৌ খামলংবনা মপা-মপু ওইবা খোইয়ুম লাইশিং খুরুমজদুনা মহাক্না মখোয়বু পন্দুনা শারী নামুংখিবদু পন্দুনা হায়জরগা মহাক্কী শরী নামুংদু ঙাকচরি হায়না খোঞ্জেন থোক্লা হায়রগা মৈদিংঙু তবুংবগী ঙকশমদা থাঙপাক অদুনা য়াম্থরে। মৈদিংঙু তবুংবা খুদক্তুদা য়াইবী থৱাই থারে অমসুং খামলংবনা মহাক্কী মঙক্তু তুপ্পবা কক্তুনা লুরেন্দু লৌরে। অসুন্না চীঙশোং খুনগী লান্দা মৈদিংঙু তবুংবা ৱুঙ চীঙদাই চনু চীঙশোং মরৈমাবী লারালা শংনু শাফাবী নত্রগা লাশংনু শাফাবী মশুঙলাংগী য়াইবী থৱাই মাঙখি অমসুং লান মায়থীবদা নত্তনা মহাক্কী লুরেনসু লৌখিরম্মী।

চীঙশোং খুননিংথৌ খামলংবনা মৈদিংঙু তবুংবগী অককপা লুরেন পুরক্লগা মহাক্কী তাল্লোই লারালা শংনু শাফাবীদা লেন্নদুনা উৎলম্মী অমসুং পোন মচা অমদা হাপ্তুনা মহাক্কী মোংবা মরান শঙলেনগী লপ মথক্তা থাঙ্গত্তুনা থম্লম্লগা থোকখিরম্মী। হৌজিক মহাক্না পাংথোক্লুবা থবক্কী মহৈনা থীন্দনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক হৌনা লান্দারক্লগনি হায়বসি মহাক্না খঙদুনা লৈরবনি। অদুনা মহাক্না মহাক্কী খুনগী লুপ্লাকপা, খুনবু, খুঞ্জাহনবা অমসুং খুঞ্জাশিংগা মখা করি চত্থগদবগে, লান করম্না ঙাক্কদবগে, অসিনচিংবা খন্ন-তানরুন্নবা ময়ুমদগী থোক্লক্লুম্মী। হান্না লৌতুনরম্বা অতৈ খুনশিংদা পাউ থাদুনা মতেং পাংবীনবা অমসুং মৈতৈনা লান্দারকপদা লান শোক্লমিন্ননবা হায়জরুবদা খুন অমতগী খুঞ্জা কনামসু য়াবীরক্ত্রে। মমাঙদা মহাক্না মখোয়গী মায়য়োক্তা মৈতৈ নিংথৌদা চীরোন তৌই অমসুং নত্ত-ওইদবা হায়জিল্লি, হায়দুনা লোয়নমক মমায় লৈথোকখ্রে। চীঙশোং খুন মতোম্তা নাইতোম তাহৌরে।

লোইব়ী চীঙদাই নিংঙোন লারালা শংনু শাফাবীনা চীঙশোং নিংথৌ মশাবী খামলংবনা উৎলম্লগা ঈমুংগী লপ মথক্তা থমখিবা মৈদিংঙু তবুংবগী লুরেন্দু য়েংনীঙলক্লে। ঈমুংদা লপ মথক্তগী লুরেন হাপ্পা পোন্দু লৌথরগা পোন্দুগী মখুম হাঙদোক্তুনা লুরেন্দু লৌথোক্লে। মশুঙলাংগী অশি লৈপাক্তা চৎখ্রবা, মহাকপু মৈতৈ লৈপাক্কী মৈতৈলৈমগী ফম হাপ্পীগনি হায়রম্বা, কোরৌ নুমিৎ হুমনীদংগী লোইয়ুম্বা মহাক্কী অককপা লুরেন্দু উরুরগা মখোয় অনি লৈনবা নুপা-নুপী মরিদুগী অরোনবা, মখোয় অনি নত্তনা মী অতৈ কনানসু খঙদ্রবা ৱাফমদুবু মহাক্না হায়দোক্লুবদগী মহাক্কী ফিবম অসি ওইরিবনি, অককপা কোক ওইনা উরিবনিকো, হায়বসি খল্লুবদা লারালা শংনু শাফাবীদু নীঙমদবগী মৈচাক্না মৈরী থোক্লা

চাক্লক্লে। অসিগুম্বা ফিবমদা লৈরবা মহাক অসিবু অশি-লৈপাক্তা মীনাই ওইহন্নবা লুখা থাহনবা অদুদি তৌহল্লরোয়, নুংশিবা মহাকপু ঐহাক্না লুখা থাগদবদুদগী কন্নগনি। অহিংবা-অচঙবগী তাইবংপান অসিদা মাগা ঐগা থুংনদ্রবসু, লৈমিন-লেনমিন্নবা ফংদ্রবসু অশি-লৈপাক্তা থাদোক্লম্বা লৈতনা পানমিন্নরুগনি হায়না মপুরুীঙদা ৰারেপ তারে, করন্না তৌশিগে হায়বদু অমুক খনবা হৌরে।

লুরেন-পুদুনা চেল্লকপা

মৈদিংঙু নোঙ্গাখিবগী,মৈতৈ নিংথৌ হাৎখিবগী পাউ অসি চীঙশোং চীঙমী খুন্দা ময়ৈকৈ অদোমগী চীঙমী খুনশিং লম হেল্লে, ৰারক্কনি, হায়দুনা চৎখিবা মৈদিংঙু তবুংবা অমসুং মহাক্কী মৈতৈ লাম্মীশিংবু চীঙশোং খুনগী লৈমাবীনা শানৈ-য়ুনৈখিসি হায়না খামদুনা মৈতৈশিংবু য়ু ঙাওহল্লগা চীঙশোং খুঞ্জাশিংনা লানহৌদুনা তকশিল্লকপদগী চীঙশোং নিংথৌগী মচানুপা নীন্দামবু হাৎলগা মঙক কত্তুনা লুরেন পুরগা চেল্লকপা খুরাই নহা চোমগাং পাম্বা অমসুং মাগী মরুপ অনিনা তম্বদগী মৈতৈ কোনুংদা তারে। লৈমকোন্দা য়োঙ্গৈবু-য়োঙ্গৈহৈশিংনা কপ্পরি, লৈঙাক ফম্লুপ-ফম্বৈ শঙলেন্দা নিংথৌ ফম্বাল হাঙহৈদে হায়দুনা মচাঙ্গৈবুংঙো পুন্সিববু নিংথৌ হাপ্পবা লাংনরি। পোইরৈ ফমদৌ তীল্লে, মৈতৈ নিংথৌ হাপ্লে অমসুং মতুং তারকপদা চীঙশোং লান মাঙবগী, মৈদিংঙুগী য়াইবী লৌথিবগী অমসুং লৌনম-লাংথাক তৌবগী লমন খুম্নবা খন্নরে। থীঙ্গদনা কোরৌ শীঙবুম মঙানীদা মৈতৈগী লাম্মী তেঙ্গোন খোমত্তুনা চীঙশোং লান্দানবা খোঙশানখ্রে।

পোইরৈ মৈতৈগী লাম্মীনা চীঙশোং খুন্দা লান্দানবা লাক্লে হায়বা পাউসি চীঙশোং খুঞ্জা পুন্নমক তারে। চীঙশোং নিংথৌ খামলংবা মহাকনা তৌরুবা থবক্কী মহৈনি, মহাক্না লৌতুনরম্বা পুন্নমক্না মমায় লৈথোকখ্রবসু, মীচঙ লাম্মীশিং লৈতবনা মৈতৈগা লাম্বা তৌনবদা নোপকদবা অমসুং মায়থীগদবা লৈরবসু লাম্বাদি তৌদবা য়াদে, লান্দি তৌদবা য়াদে। পাংথোকখিবা থবক্তুনা লান তৌরবসু শিগনি, তৌদ্রবসু হাৎখিগনি, অদুনা লান তৌনরগা শিবদুনা হেন্না ফৈ হায়দুনা মহাক লাম্মী খোম্বা, মখোয়বু তাকপী-তম্বীবনচিংবদা ময়ুম চঙবা শুপশং শংদে অমসুং চঙদে। মৈতৈনা লান্দাবা লাক্লে হায়বগী পাউসি চীঙশোং খুল্লৈমা লারালা শংনুসু তারে, মহাক্না তৌগে লেপ্পিবা মৈদিংঙু তবুংবগী অককপা লুরেন পুরগা মহাক পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা চেনখ্রগে হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লে। অদুনা মহাক্না লুরেন্দু পোন্দগী লৌথোক্লে, হাওফি অমনা য়োমদুনা শম মনুং হাপচিল্লে। শম অদু মকোক্তা য়ানশিল্লগা তুং-মাঙ য়েংদুনা ময়ুমদগী কোম্বোঙলোমদা থোক্লক্লে। চীঙশোং নিংথৌ মশাবী খামলংবনবু উদ্রবদি অতৈ মীশিংনা উবদি উগে উজসনু, মহাক্না খুন লাম্বোকখরগা পাউ তমগে, হায়রবসু তমজরসনু চীঙশোং খুনসি লাম্বোকহৌরগা লোয়রে, হায়দুনা থুনা য়াঙনা মখোঙ থাংলদুনা চৎলক্লে।

চীঙশোং লৈমা লারালা শংনু শাফাবীনা কোরৌ নুংথিল পোবোপ্পা চীঙশোং লাম্থোক্লবা চৎলিবদু খুন্দুগী খুঞ্জাশিং খরনা উই। অদুবু মৈতৈনা লানদানবগীদমক্তা খুন্দু তম্না লাক্লে হায়বা পাউসি তানরবনিনা লানগী থবক লাননেকপা নত্রগা মতেং নীবা নত্রগা অতোপ্পা মফম/খুন্দা নত্রগা মপাম চীঙদাইদা লাঞ্জেনবা চৎলিবা ওইরমগনি হায়দুনা য়েংদুনা অদুম লৈহৌই। লারালা শংনু শাফাবীনা চীঙশোং থাদোক্লম্লগা মপাম চীঙদাই চীঙগী মায়কৈ পাংলক্লে। খোঙনা লেপ্তুনা চৎলকপনিনা নুমিদাং ৱাইরমগী মতমদদি মহাক মপাম চীঙদাই লমদম য়ৌরক্লে। মতমসিদদি চীঙশোং নিংথৌ খামলংবগী মফমদা মাগী তাল্লোই লারালা শংনুনা চীঙশোং খুন থাদোক্তুনা মপাম চীঙদাই খুল্লোমদা চৎখিবগী পাউসি ফংলে। অদুবু মহাক্তি খুন্দু থাদোক্তুনা মাগী তাল্লোই তান্নবা চৎপা য়াদ্রি, অদুনা মরোই-মনাউ অনি থাদুনা লারালা শংনুগী খোঙ্গুল লীরুনবা অমসুং মৈতৈশিংনা কদায় য়ৌশিল্লক্লবগে হায়বসু পাউ লৌনবা থৌরাং শীল্লে। লোইবী চনুরা লারালা শংনুদি নুমিৎ তাথ্রদুনা য়াচঙবা মতম ওইরকপদদি মপাম চীঙদাইদা মপা-মমাগী য়ুমদা চঙদুনা ঙাইহাক পোথারি। নুজা ওইবীগী পাম্থৌ মপা অমসুং পলেম মমানা মমোম লাংলেনগী লাইবক থীবগী পাউ পুন্নমক্তু তারিবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয়না মমোম লাংলেন্না মতমদুদা করি তৌগে লেপ্লিবা অমসুং মহাক্না পুরক্লিবা শমদুগী মনুংদা করি য়াওরিবা, করি হাপ্তুনা পুরক্লিবগে হায়বা অদুদি খঙদ্রি। উনশানা কুপশিনবা পুক্নীঙনি, নুংশিবগী মফম কল্লিবা কায়াৎনি। অদুনা মমোম লাংলেন্না করি তৌগে, কদায়দা চৎকে হায়দুনা লাক্লিবনো হায়বদুদি, মখোয়গী ৱাখল্না লাকশিনবা ঙমদে। মপুরোইবগা নীঙঙাই শঙদানরগা নিংঙোল্না মপামদা লাকপসি মহৌশা অমসুং হৌনশা ওইবনিনা মদুদা লাকপা ওইনা খল্লি। পীজ-পীথক্তুনা হীপ্পফম-তুম্ফম পীরগা লাইবক্কী নোংদম্নি হায়না থেমজিল্লগা পোথানবা শীল্লম্লগা মখোয়সু পোথাখ্রে।

অহিং ঈনুংগী মতম্না নোংয়ায় চবুক লোল্লকপা মতমদা অনীঙবগী মৈরীনা চাক্লবী চীঙদাই চনুরা লারালা শংনু শাফাবীদু তুম্ফমদগী হৌগৎলক্লে। মীচীক-মীরাউ তাদ্রবা মতমদুদা মহাক্না চীঙশোংদগী পুরকপা শমদু পোশিল্লে, অদুগা ঈমুংদগী মপান থোকখিদুনা পীদোংনু চীঙশাংগী চীঙখোঙ চীঙয়াদা মমায় মখা পাংনা হাইথরক্লে। মতম ঙাইহাক্কী মতুংদা পীদোংনু চীঙগী খা থংবা চীঙমৈ ফংলে। মফমদগী মমায় নোংচুপ ওন্দুনা পোইরৈ তম্পাক্কী লমদমদা কুম্লক্লে। তাউবা হুইশিংদনা তেংথানরিবা মতমদুদা মতম খর চৎলগা মৈতৈ কংলৈ পুঙ য়ৌরে। তাইবং পুন্নমক খোমলেন মঙদারিবা অহিং তাংলৌ মতমনিনা নুজা মহাকসু পামেল উখোঙ অমদা চঙদুনা কোরৌ ঈনুং ঙানবা ঙাইনবা ফমথরে। হৌখ্রবা পুন্সিগী লমদাংদা কোরৌ শীঙবুম হুমনীদা থোকখিবা থৌদোক, শানখিবা ৱারী অমসুং নুংশি-নুংওনগী থৌরমশিংদু অমতা চিখ্রদনা নীঙশিঙলক্লে। করি তৌরুগনি নীঙশিঙলকপদুগী কপচবা নত্তনা মরমদি শাবী-শানৌ অনিদো মতমসিদদি নীঙশিঙজরিবা

মহাক্কা অহিং-অচঙবা মীনি, নীঙশিঙলুরিবা মহাক্তুনা অশিবা থৱাই য়াওদ্রবা লুরেননি, অককপা মীকোক্লি।

লমশাং লাকপগী চোকথরবা হকচাংদুনা অহিংগী অচীকপা অমসুং অঙ্গঙ-অশা মান্নবা নোংশীত্তুগা তক্লরকপদা হকচাংদু মুম্থরক্লে। ৱাখলগী মঙলৈপাক্তা ঙাইহাক্তং চিংথবীদুনা ৱাখল-লৌশিঙ মাঙহনবীখ্রে। অদুবু কোরৌ খেনকারকপগী নোংঙান য়েনখোং তম্লকপদদি অহিংবগী ৱাখলনা অতুম্বগী পঙথববু পোমিৎ কাংদুনা মিকপ থোকহল্লে, ঙসাইমখৈ হাওরৈমা শমবুবী ওইরম্বদু ব্রুঙ নিংঙোন লারালা শংনু শাফাবী ওইহল্লক্লে। কোরৌ ঈনুং ঙাল্লে, নমু মীপুম খুদিংমক য়াহৌনরক্লগনি খঙদুনা হাওশম নমদা পোশিল্লগা মৈতে কোনুং তম্লক্লে। তপ্না তপ্না মোঙ-হাদনা লাক্তুনা কোনুংগী হোজঙদা থুংলরে। মৈতে লান্মীশিং পুন্নমক চীঙশোং লান্দাবা চৎখিবনা নমু মীকোক য়াম্না কোনুংদা লৈতবা মতমনি। কনাগীসু অথিং-অপনবা লৈতনা কোনুং চঙলক্তুনা মৈতৈলৈমা কৌবা লমফেন্ন ঙম্বী থিরক্লে। মৈতৈলৈমা থেংনরবা মতমদা চেংলৌ শক্তাক্তনা শমদগী লুরেন্দু লৌথোক্তুনা মিৎলু পিরাং শীষ্থ-শীষ্থনা মৈতৈলৈমদা মৈদিংঙু তবুংবগী লুরেন্নি হায়দুনা শিন্নরে। মৈতৈলৈমনা লুরেন্দু উবদা শকখঙলে অমসুং নুংশি কায়ন-মৈচাক খাঙঙমদনা ওন্না-থোইনা কপচরে। কোনুং মনুংদা লৈরম্বা য়োঙ্গবু-য়োঙ্গহৈনচিংবা নহানুবী পুন্নমকসু পিরাং থিংবা ঙমদনা কপ্পরে। অদুবু মৈতৈলৈমা কৌবা লমফেন ঙম্বীনা মৈদিংঙুগী লুরেন পুরকপী চেংলৌ শক্তাক্তবী মহাকপু থিরকপা মতমদদি লোইবী চনুরা মহাক্তি লৈরমদ্রে। কোনুংগী ঈংখোল চাওগোয়নুং, পোইরৈ ৱায়েন থৌদাফমগী মনুংদুদগী নুজাদুগী শক্তম মুৎখ্রে।

লারালা শংনু লৈখিদবা

লোইবী চীঙদাই চনু, চীঙশোং মরৈমাবী ব্রুঙ (তাংখুল) নিংঙোন লারালা শংনু শাফাবীসি মতমদুগী মৈতে কোনুংদা মৈদিংঙু তবুংবগী অককপা লুরেন থিল্লক্লম্বসিদগী মৈতৈলৈমা কৌবা লমফেন্ন ঙম্বী অমসুং অতৈ নুপীশিং অমদি কোনুংদা লৈরিবা নুপাশিংনা মশক খঙগে হায়দুনা থিরকপা মতমদা উবা ফংখিদবা অমসুং থিবা ফংখিদবা অসিদগী কদায়দা চৎখ্রবগে হায়বা কনানসু খঙনখিদ্রে। অদুবু মহাক নমু তাইবং মীনিনা, মীওইবা হায়বসি পোকপা অমসুং শিবা নাইবা থৱাই পানবনিনা মহাক্কীসু শিবা হায়বসি লৈফম থোকপনিনা মহাকসু শিরমগনি। অদুগা মহাক মৈতৈগী কোনুং মনুংগী মচী অমদা শিখ্রিবরা নত্রগা কোনুংগী ঈংখোলগী ঙমখৈ মনুংদগী থোক্লক্লগা অতোপ্পা মফম অমদা মতম খর লৈরম্লগা নত্রগা লৈরমদনা শিখ্রিবরা হায়বগী অরেপ্পা খঙননবা লংলা-লংজীন অমতা থম্বীরমদ্রে। অদুগা মতমদুগী মৈতে নিংথৌগী কোনুংদু কদায় ৱাইদা ওইরম্বগে, হায়বদুসু

খঙবা ঙমদে। হায়দা হায়রুরগা কংলাদা পাল্লি হায়রক্কনি, অদুবু কংলাগী লমদম অসিদা কোনুং শেম্বা অমসুং কোনুং ওইবা হৌদোকখিবসিদি লাইনিংথৌ মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) ননি হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবনা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লি[চৈথা.কুম:২০০৫,৩২-৩৮] অমসুং সনামহী লাইহুই অচৌবা নত্রগা খাগেম্বা লাংজৈ পুয়া/লাইরিক্সু শৌগত্তুনা লৈ [স:লাই:অ:, খুৎ:লাই:]। মরম অসিনা চীঙশোং লৈমা লারালা শংনু শাফাবীসি নোঙ্গাফম খঙদে। অদুগা মহাক করম্বা মতমদা, করন্না (লাইনা, মীনা হাত্তুনা, খুদোংথীবা থৌদোক থোক্কুনা নত্রগা অহল ওইরক্কুনা) শিখিবগে, হায়বসিসু খঙদে।

বু ঙ কাংলুপকী নিংঙোন লারালা শংনু শাফাবীনা হাওরৈমা শম্বুবী হায়বী লাইরেম্মা ওইখিবগী মহাক্না মৈদিংঙু তবুংবগী অককপা লুরেন হাওশম/শমদা হাপ্পুনা পুরকপগী ৰারী-ৰাতাইসিগা মরী লৈনৈ। অদুবু করম্না, কদায়দা, করিগী, কনানা অমসুং কৈদৌঙৈ থোনখিবগে হায়বগী চপ চাবা ৰারী-ৰাখোঙ, থেংনজদ্রি।

ৰারোয়শিন

লোইবী চনুরা চীঙদাই নিংঙোন, চীঙশোং খামলংবা ওঙবী লারালা শংনু শাফাবীসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী চীঙ অমসুং তমগী নুপা অমসুং নুপীগী নুংশি-নুংওনগী মরীগী ময়েক লারবা খুদম-চাংদমনি অমদি নুপী ৰাহৌদগী চীঙলৈপাক্কী চীঙমী খুন্নাই অমসুং তমলৈপাক্কী তম্মী খুন্নাই অনিমক্তা অমাঙ-অতাক থোকখিবগী খুদম-চাংদম ওইবগী থৌদোক-ৰাথোক অমদি শাথোক-লাম্থোক্লি। মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারীদা য়ুম্ফম অমসুং কাইদোং ওইবা থৌদোক-ৰাথোক্লি। খুন্নাইদা য়ুম্বাল্লবা নুপা অমদি য়ুম্বাল্লবী নুপীনা মাগী মাগী তাল্লোই অমসুং মপুরোইবা অদু নত্তনা অতোপ্পী-অতোপ্পশিংগা নুপা-নুপীগী য়ুম্বানবগী চাপোক-চাদানবা মরী লৈনরদি খুদোংথীবনা মখোয়দুগী পুন্সিগী লম্বীদা লুমদুনা লৈ, হায়বদু তাকপা থৌদোক্লি।

মৈত্রপাক্কী পাৰারী-পুৰারীগী অরিবা অমসুং অঙনবা মতমগী তাংকক [Ancient and Early Historical period of Manipur] তা চীঙমী খুন্নাই অমসুং তম্মী খুন্নাইগী মরক্তা থোইদোক্না খেন্নবা লৈরমদে, চাকচা-য়ুথক, য়ুমলৈ-কৈরৈ, য়ুম্বান-কৈবান, ফিজেৎ-ফিরোইনচিংবা মান্নরম্মী। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা পোৎলম-চৈরম লৌশিন-খোমজিনবা, নোম্বা-লীকপনা পোথোকহনবনচিংবগী মথক্তা লান তৌবা হায়বসিনা পান্না-লৈনবগী অমসুং খুন্নাই লীংনবগী শেন্দান-শেম্থোক লম্বী ওইনা চীঙমী অমদি তম্মী অনিমক্না শীজিন্নরসু খুন্নাই অনিগী মরক্তা লমন খুম্নবগী পাম্বৈসু ওইনা শীজিন্নৈ। মতমগী য়াওন্না পুরকপা মহৈ চাদুনা চীঙমী অমসুং তম্মী লাপথোক্নরকখিবনি, হায়বসিগী লীক্লম-লীকখুন উৎলিবা লারালা শংনু শাফাবীগী পুন্সি-ৰারীনি।

১৮

মৈতৈলৈমা নোংপাল্লোন লিন্থোইঙম্বী

ৱাহৌদোক

...... মৈতৈলৈমা নোংপাল্লোন লিন্থোইঙম্বী-ও তৌনা কৌএ।। অঙৌবা তুরেন ৱাংমা নিংথৌ কাওসোমবা লমমিৎ মনাউ শেনখু ফাবনা পোকপী, নোংপাল্লোন লুচাওবী, অৱাং থাঙৱাই নময়াই-চীঙ, য়োঙ্গৈবু খোইমোম লোইমোম ফৌওইবীনা তুচোং পল্লানলম থাঙৱাই লৌতাংখম, তাংখম লী-ৱাপোক, থাঙৱাই লম্মহন চংবী মকইরেন্দা সনা খোমহানবনে [ও:ভ:স:, ১৯৬৭,২২৬] ।।

মথক্তা থমজরিবা নিংথৌরোল লম্বুবা কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শন্তোচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "মৈতৈলৈমা নোংপাল্লোন লিন্থোইঙম্বী" হায়রিবী মৈতৈগী মবেম্মসি মৈত্রবাক্কী পৱারী-পুৱারীদা, মহাক্কী মথৌনা-মরীংজেন অমসুং মপুন্নীঙ-লৌশিঙনা মৈত্রবাক্তা মশাবী মৈদিংঙু অমদি মৈতৈ নুপাশিংনা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা শেনবী কবোগী লমদমদা অক্লা লোইচনবা চৎখ্রিঙৈদা লোইবী তাংখুল/ৱুঙ চীঙশাং পুন্নমক হৌদুনা মৈত্রবাক লৌগে, পোইরৈ লোই চনগে লাকপদা মপারী নাউপুবা থা-শুরবা মতমদা চোংথোক্তুনা মৈত্রবাক কল্লগা তাংখুল লানফা ময়াম ফাখিবীনি। মহাকসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা মফম চাওনা কল্লিবী অমসুং মৈতৈ চনুরা নিংঙোনশিংগী ফিদম লৌনফম ওইরিবী, পাৱারী-পুৱারীগী মীশক/মীওই নত্রগা শক্তম/মশক অমনি। মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী অঙনবা নত্রগা অরিবা মতম তাংকক লোয়শিল্লকপগী পোলোয় মতমদা মৈতৈলৈমা ওইনা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা পাল্লম্বী মৈতৈগী মবেম্মনি।

শক্তাকপা

মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিন্থোইঙম্বী অঙোম নিংথৌ নোংপোক কাওশোম্বগী মনাউ ঈবুংঙো শেনখুলেঙ ফাবগী মচাঈবেম্মনি। অঙোম চনু অসি মথক্তা মবুং শাক্তে, মখাদা মপ্পা ফুয়দে, অদুনা পারী-মমোম শক্তুনা পীবা অমসুং নিংঙোন অনিমক ওইনা

য়োক্লক-চাওরকখিবনি। মহাক্কী মবুং নত্রগা মপ্পা লৈজদবসিনা মহাক্কী মপাবুং ঈবুংঙোসি চাদা-নাউদাদবা ওইনা শাগৈ-শল্লাইরোন, য়ুন্নাক-শাগৈরোন্দা শাগৈ মুৎলবা, য়ুন্নাক লৈত্রবা ওইনা শীঙথাদুনা মমিং-মথা পিবীরমদে। মহাক্কী মপাবুংগী মমিং পল্লম্বসি মরু ওইবা লাইরিক্তা নিংথৌরোন লম্বুবা খক্তদনি [নিং:লম:খু:লাই: অমসুং ও:ভ:স:, ১৯৬৭,২২৬]। অঙোম য়েক ওইবী লিম্হোইঙম্বী অঙোম য়েক ওইবদা নত্তে, শল্লাইসু অঙোমনি, শাগৈসু অঙোমনি। মহাক্কী মপাবুংগা পোকমিন্নবা মপাবুংহন নোংপোক কাওশোম্বনা অঙোম য়েক শল্লাই পুন্নমক্কী নিংথৌ ওইরিবনি। নোংবাল্লোন লিম্হোইঙম্বীগী পোকমিন্নবা মবুং-মপ্পা লৈজদ্রবসু পোকমিন্নবদগী হেন্না লুনা-চান্না তৌবীবা মপাবুংহন অঙোম নিংথৌনা পোকপা হৌমিন-কামিন্নরকপা মবুং অনি কম্বোং ফাবা অমসুং খোংজোম্বা কৌবা অনি লৈ [ম:স:ক:এ: ১৯৯৪,১০৪]। লিম্হোইঙাম্বী অমসুং মবুং অনিসিবু মপাবুংশিংসিনা পোকপীরকখিবা অমসুং য়োকপিরকখিবসি খুরাইগী খ্বাইরম থংবা পন্দোন খুরাই খরাইপুঙগী পুঙ মনাক্কী লমদমসিদা মাল্লি। মহাক পীশক পীক্লিঙৈদগী মরূ খীংবী, হকচাংগী তুখোঙ শেংবী, মহাক্কী মায়থোংদা মীনা নুংশিনবগী ওইবা শকফম মচেৎ অমা য়াওবী, ঙাংথোক-শক্তোক্লকপদা অতাবনা তানীঙবা পোকপী ওইবগী ময়াই অমা মপোকঙৈদগী লোইনজরক্লবগুম তৌবগী মথক্তা খজীক্তা হায়বদা খঙগন-হৈগনবী অমসুং পাইরক্কী লৌশিঙগী মঙাল লৈবী ওইনা লিম্হোইঙম্বীগী পুন্সি-ৱারী হৌরকখি।

লিম্হোইঙম্বীগী পুন্সি ৱারী

লিম্হোইঙাম্বী অঙোম য়েক শাগৈগী নিংথৌ মচানুপীগুম্বীনি, মপাবুংহন অঙোম নিংথৌনা মমোম ফুয়দবা, নিংঙোন পোকচদবনা মহাক্না অঙোম নিংথৌগী মমোম লাংলেন শক্না নাউয়োক্লকখিবীনি। শেৎনীঙবদা মনীঙ তৌ, চানীঙবদা মখা তম্বী, অঙোমগী নিংথৌকোন, খুরাই লৈমকোন্দা মনীঙ তম্বীনি। মপোকঙৈগী ওইনা নুপা ওইবগী, পুকচেল-লীংজেন খর য়াওরকপনা নুপীমচা মহাক্না মবুং অনিনা শগোল তোংবা তম্লবসু মহাকনা য়াওনীঙঙি, নাইতোম শাৎপী মচন্নিনা শগোল শায়াঙ্দা থাঙ্গৎপীদুনা তোংহল্লি। মবুংশিংনা চেন-চোংদুনা শান্নবা মতমদসু মহাকসু য়াওই, নুপা-নুপী খায়দ্রিঙৈ, নুপাগী মচৎ, নুপীগী শাজৎ নাইনদ্রিঙৈগী চহি মতাংনিনা মহাক্নদুম হেন্না লমজেন য়াঙঙি। অসুম্না অঙোম নিংথৌকোন্দা মবুং অনিগী মরক্তা তোমথিন ওইনা ঙাল্লকখি। মতমগী খোঙথাংদি লেপ্পা লৈতে অমসুং মদুনা পুরকপা অহোংবা অমসুং অওনবসু তুমদুনা লৈরবসু মখোঙ থাংবদি লেপ্তে। নুপীমচা ওইরম্বী লিম্হোইঙাম্বী লৈশাবী মচা ওইরক্লে, চহি তরামাথোই মপুঙ লেপ্লক্লে। অদুবু পুকচেল-লীংজেন হোংদে। নুপা-নুপী খায়না খন্দে, হকচাংদা য়েংদে, থৌনা-লীংজেন্দা মিৎয়েং থম্লম্মী।

মতমগী চৎনবা মতুং ইন্না মতমদুগী নুপাগী মহৈ-মশিঙ, শা-লানগী লান্দম্বা, শাফা-লানফাবা তম্বা, থাঙ-তা পায়দুনা লান্দা-লানকনবা, লাঙ্গৈই শগোল তোংদুনা শায়াঙ থক্তগী ৰাইরা তেম্বাবা, তারোন তা হুনবা, কাঙদ্রেন ফৈনা লংবা, অসিনচিংবা মবুং অনিনা তম্বদু লীষ্ণোইঙাম্বীসু থৱাই তানা য়াওজে। তেনকাপ চুম্বা, তাহুন ফজবা অমদি পান্দম শোয়দবসু মহাক্না মথোই; থাঙহাই কুপশিনবা, তাগী খোঙজোঙ হৈবদসু নুপীমচা মহাক্না মহেল্লি। নুপীচাগী মহৈ-মশিঙ, শীষ্টা-শীল্লমসু খর মখৈ তমশিল্লি, হৈবা য়াবদি হৈজিল্লি, কয়াদি খোয়দাদে, শাদম-লান্দম্বদা হেন্না খোয়জঙ্ববগুম উই। অদুবু মতমগী শাফুনা হকচাংদা ঈথিন পীরকই, হকচাংগী ফিবম-ফিরেপ্তা হকচাং কায়াৎশিংগী ঈপোম নাইরক্লে। অঙাং ওইরিঙৈগী পুকওংনা থবাক্কী মায়কৈ তমখ্রে, শমু খ্বাঙনা চেংলক্লে, থেল্লোঙ নীঙনা পাল্লক্লে, নীঙদুগী ঈপোম হৌরক্লে, চনীঙ ফিদুপ নাইরক্লে। মোমনু নুজা ওইবীগী খজাই লেংলোই তঙাংলক্লে, মোইকাই চীনবান তাউজীঙ তয়ালগুল্লক্লে; অউবা শামান লেংমান্নবনা চীনবান-চীষ্ণেংননীঙবগী ঈথক ঈহৌহল্লক্লে, শীঙঙেন লৈহী পাথোকপগুম্লে। তশেংনমক নোংবাল্লোন লুচাওবী নত্রগা মিংথোইঙম্বী হকচাং কায়াৎ পুম্বা মপুঙ-মরৈ ফারবী লৈশাবী অমা ওইরে, কায়াৎ খুদিংমক লৈহী শীষ্ণরে, থাজ-য়োঞ্জবগী মতম ওইরক্লে, অউবনা তীনয়োৎলে।

অনিশুবা পুন্সিগী খোঙথাংদা

লৈহী চেনবী লৈরাং ওইদুনসু মশানা মোঙ-হাদ্রবদি মাল্লংবনা কাইদা-কাইদা কাইহৌদুনসু লৈকা-লৈনা লৈয়োম্নুংগী লৈহী খক নীকথোক্তে, লৈয়োন ফম্বাক্তা তুংদুনা অদুম মরৈজে। নোংবাল্লোন লুচাওবী লৈশাবী ওইদুনসু থবাক ঙানফম থোইদুনসু তিমেন তা হুনবদি খক ঈকাইবীদে, কজেং নোংথাঙ কুপহনবদা, থবাক ঙানোয় চোংবদি করিসু খল্লুদে, লাঙ্গৈই শাথৌ থোইদুনা লীরুং লীরী তেঙ্গাথোং তেনকাপ-তেম্বাবদা নুঙাইজে পাখং কনাবু হঙ্গোয়জদ্রি, মবুং অনিগী মতুং ইন, মবুং ঙাইবশিং খোঙলোইননা য়াওরৌ শাদানবদা খোয়দাজে। মশাগী চহি মতাংগী মতম অমসুং ফিবমনা ৰারক্লুক্তুনসু মতোম্তা য়াওবী নিংঙোন ওইবী, মপাদা মনীঙ তমলিবী চনুরা ওইবনিনা মহাক্কী শাথৌ-লানফাগী মখুৎশূশিংদু চনু মোমনু মখুৎশূশিংবু পায়দ্রি-থেংদ্রিঙৈদো নোংমতা শোকহৌ-য়েংহৌদনা তোক্তে; নুজা মখুৎসূ ফিশা তেমদো কজেং থাঙপাক মীয়ান-থাঙ ওইবা য়া'নি, মখঞ্জে; নিংঙোন ফিতিংন' শীঙকাপ্তো ৰাইরা লীরুং ওইনীঙঙাই, শাৰা উচেক কাপ্পবা শাইরোঙ লীনাইবদু ওইঙৈনি মখঞ্জে। অদুবু মরোন লোনথক্কী খুন্নাই মপা-চা, শাগৈ' মবুং-মবুংঙাইবশিংনদি নোংমা মীমৌ ওইরুগদবীনি খন্না লোইনবী।

পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী মতমগী য়াওন্দা থোক্লক্লি-ওইরক্লিবা লৈঙাক্লোন-খুন্নাইলোনগী লৈরি-উঙলিবা মকোয়গী পনগোয়নুংদা ঙসি-হয়েং খঙহৌদনা মৈদিংঙু

পুঙ্গিবা (খৃ:১৪০৪-৩২), খৃ:১৪৩২ দা খমনুং শৰা পোন্দা য়াইবী মিরেন লাংখরে। মপারী তোম্পোকপা খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা অমসুং মশানৌ মতাল্লোই য়োঙ্গরুমলোন লম্বাশূ চাখা শারুংঙম্বী (লিক্লাইঙম্বীসু কৌই [ম:স:কএ:, ১৯৯৪,৫৯], ফম্বাল মিংনি, হায়না লৌজে) অনিনা লাকচখিবগী নীঙমদবা মৈচাক্লা তকলৌ শিদং শোননা তেংথা-নাউওইরি। অদুবু অৰাং পোইরৈ মৈতৈগী লৈপাক পুবা অঙম্বশিং, অঙোম নিংথৌ অঙৌপাম্বা নোংপোক কাওশোম্বমক য়াওনা লৈখিদ্রবা মৈদিংঙুগী অশি' পোৎলোয় হিথাদ্রিঙৈ, মংলেন মংজনবগী মথৌ-মঙম তৌদ্রিঙৈদা নিংথৌ ফম্বাল হাঙহন্দনবা নিংথৌ মহুৎ হাপ্পবা তকশিল্লি। অদুবু মৈদিংঙুগী শমু লেঙশিনগদবা মপারী চরাইরোংবদি তাল্লোই নাক্তা থাদ্রি, অদুনা নিংথৌ মহুৎ শিনফদ্রি। অদুনদি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙুগী মৈতৈলৈমা ওইবা য়াবী, লৈমা ওইবদা মতীক-মপানগদবী চনু নিংঙোন কনা লৈবগে, খন্না থিনরকপদা চেংলৌ শক্তসু ৰাত্রবী, পয়িমা লৌশিঙদসু পুক্নীঙ লিননা ঙাল্লবী, শাফা-লানফাগী মহৈদসু নুপা মরাই অমা হেল্লবী, মোমনু শীল্লম-শীম্থাদসু শীনশূ-শীনহৈথোইবী অমদগী নুপী মরাই অমা হেল্লবী, য়েক শাগৈদা য়েংলুরবসু অঙোম নিংথৌগী মমোম লাংলেনহনমক শক্লবী নোংবাল্লোন মিংথোইঙম্বীবু খুদক্তা হায়না-শীঙনদুনা খৃ: ১৪৩২ সিদা মৈদিংঙুচা চরাইরোংবগা লুহোং-খোঙদোংলে। পম্থবা য়াবা মতম থোকখিদবা, থীম্থনবগী তাঞ্জা লৈখিদবনা মৈদিংঙুচা খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংববু "মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা মিংথোন্না অমসুং নোংবাল্লোন লুচাওবী (ও:ভ:স:, ১৯৬৭,২২৬) নত্রগা মিংথোইঙম্বী (মথক্কীসিদা, ২৩০) বু লীম্থোইঙম্বী (লিনথোইঙাম্বী) হায়না মিংহুন্নদুনা খৃ: ১৪৩২গী চহিসিমক্তদা মৈদিংঙু মৈতৈনিংথৌ অমসুং মৈতৈলৈমা লৈমরেন হাপখিরম্মী (চৈথা: কুম: ২০০৫,১৮)।

মপুরোইবগী ওয়গী লমদাং ওইবী

লুহোং-খোঙদোংদুনা লৌন-লৈনরবা নুপা অমসুং নুপী অনিসি হকচাং অমতগী কায়াৎ য়েৎকা, ওয়গনি; হকচাংদি তোংঙান্নৈ, পুক্নীঙদি অমতনি, থম্মোইসু অমতনি। অদুবু নুংশিবগী লীপুন্না পুল্লম্বদু তৎখ্রবদি নীঙশিঙবখক্তনা থম্মোইগী মরল ওইহৌই। চরাই-মিংথোই অনিগীদি লীপুন্দু তক্তনবা নুংশি খুদোনগী লংলানা য়েক্তুনা লংজা শেক্তোকপা য়াদনা মণিপুর পুৰারীদা মৈদিংঙু ক্যাম্বা, থাঙৰাই নিংথৌবা কৌনা লৈহৌরি। মৈদিংঙু খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা, পোইরৈ নিংথৌখোম্বনা মৈতৈনিংথৌ হেক ওইবগা ময়ুম কেগে মোইরাংনা লাকচখিবা, পম্থৌ মপাবুংবু কেগে থেৎলৌপুঙ, ঙাংঙোই হাওতমখোংবু নাতৈননা খৌশারুবদা হাৎখিব [ও:ভ:স:,১৯৬৮,২১৬,২১৯] গী লমন খুন্নবা, করোং খুৎকুমননা, পম্থৌগী মংশক তান্নবা পোইরৈ অঙম-অথৌশিং অমসুং মৈতৈ অকন-অরিংগা লোইননা শারম-লাল্লম থিনরি, শাথোঙ-লাম্থোঙ য়েংনরি। চকপা

লমবু কোনখাং লাইজাওবা থাদুনা তুমুগী কবোশিংবু মোইরাংদা লান্দাবদা লাল্লোইননবা থৌশীনখ্রে। মোইরাংদা লান্দাবগী মরমসিদা মাঙগী অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা ৱারোন্দিঃ—

... ... মৈদিংঙু চরাইরোংবা শংলৌ মথৌরাং, মদাইরেম য়াইচীং খুল্লাকপা সনা ঈলুপলেল্লকপা কোংয়াম্বা, লৈচোল লাকপা তোল্লোংখোম্বা, অঙৌবা হিথা লাংলোইঙম্বা সনা খৌয়েকনা, লুপা খৌথাংনবগা সৌপোন মাঙওই থিননা খৌশাথবদি, কেগে য়ুমখৈ ফং, মোইরাং পনতোন লোমনা, তুবী থিংকু মথি নাই, লাইরেন মৈবু ওৎনা ময়ুম কেগে চাওবপুঙবু মরান থুমবী মৈমাঙ চন, হুয়েন য়াইশীঙ মুৎলে। খুয়োন, সেকলৌ, তুংলৌ, ঙাংলৌ, ঙাংখা, ওকচীন, লাকখোং, খোইনাই, ওমপু, উরা লাইচীঙ, য়াউসু খুনতোন, হিথা, চৎনম ফানশাং মনীন নাইনা পানবপুঙ, থাংঙা লৈকায় ৭ মবু খারা খেনচঙ কীন, শরীক লাইখন থুম, শাইপু মৈতান পকনা পনথেংলে। হুয়েন লান্নিগীদি কেগে মোইরাং খাম্বীলৈমা পুকৈরেন লাংনুসুগা কেগে শেল্লোইঙাই, মোইরাং পাইরৈঙাইবা পুন্নমসু খোমখৎলকলে। খোয়বা রাশিকাপু, খোম্বা সনা পোনচেংঙম, য়াউসুরাকপা মচা লৈতাং লাম্থাববু কায়নহুনলে [মথক্কীসিদা, ২২২]।

অসিনি। কেগে মোইরাং নিংথৌ স্নাহোঙবনা মৈদিংঙু চরাইরোংবা/নিংথৌখোম্বা অমসুং মহাক্কী লানবাং-লাল্লোইনবা তুমু কবো লাল্লোইশিংগী মায়য়োক য়াবা ঙমদদুনা হুয়েন লাঞ্জেন্নখ্রে। মহাক্কী লাম্থেফম মফম খঙহন্দনা লোৎখ্রে। মোইরাং লৈপাক কায়রে, কেগে লৈপাক তাক্লে, ঙাংঙোই নিংথৌ পান্দরে।

তাউজীঙ তয়াল তমবা

কুমওনগী খোঙথাংগী অওনবনা কনাদসু তাকপীরমদনা মচৎখি, লেপ্তবা খোঙকাপ নাউরৈ ওইবনা কুমওন্না কুমওনবু ওক্তুনা অসুম অসুম মচৎখি, হৌখিবগী ঈপাক্তা তীনশিনখি। খৃষ্ট কুমশিঙ ১৪৪২ শুরকপদা নোংবাল্লোন লিম্থোইঙম্বীগী লৈহাউ চেল্লবা কোরৌ নোংজা অমদা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী অচঙবা ফৌদীনা তাখিবনা নোংবাল্লোন লিম্থোইঙম্বীগী পায়মা লিনগোয়নুংদা তাউজীঙ তয়াল তমখরে, চনুগী চরৈ চিল্লে। কোরৌ শীঙবুমগী খোঙচৎ অমসুং লোইদাম থাজগী খোঙথাংনা লুতুলোমদা খক হন্দবনা পলেম পীবুক্লুংদা য়াতারিবা নমু মীওইবগী মরুম লুমলেন তীন, নাউৱা অপকঙাসু লোইদাম থাশীঙ ইন্না হম-হম চাওখৎলক্লি। চকমোম তেমখাঙ লোননা লৈমা লিম্থোইঙম্বীনা নাকলূ ফিয়াল্লকপা লোইদাম থাজ মপান হৌজিনখ্রে।

চৈকারিঙে মতমদদি তৌরুবা খুদিংমক মায়পাকপনা অমদি অহানবা লান্দা-লোইচনদা নীঙথিনা মায় পাকখিবনা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা অনৌবা লানচৎ-লান্দানীঙবগী ময়াই

কারক্লি। পোইৰৈ কৈদা লান্দাসিগে খন্নবদা মরৈপাক্কী লমখৈ শন্দোক্লনবগী থৌরাং শীনবা য়াবা লমদমদা লান্দাসি লেপ্লখি। লান্দাফম অসি পোইৰৈ লমদম অতামবা মীরান মরম অথাপ্পদা লৈরিবা শেনবী কবো মরমখৈগী তুমুরাকপা মখুঙ্গংগী পনমাঙ লমদমদা লৈরিবা অকলা খুঙ্গংদা লান্দানবা লেপ্লরে। খৃ: ১৪৪৩ দা শেনবী তুমু মরৈকায়গী কবো অকলাদা লান্দানবগীদমক্তা পোইৰৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং তানরে, অকন-অরীংশিং শীঙনরে। লমদম অথাপ-অতাম্বদা কোরৌ-শীঙ্জুম খর চৎকদবা, ময়ুম মশাইগোন থাদোক্তুনা পোইৰৈ তম্বা নুপা মখৈ চৎকদবনিনা, মখোয়না চৎখ্রগা নুপী-অঙাংশিংবু কদায়দা থম্লমগদবগে, হায়বসি খন্নরম্মী।

নুপীশিং লাম্থেরম্বা

মৈতৈ নিংথৌ অমসুং অঙম-অথৌশিংনা খন্নবগী মতুং ইন্না অকলাদা লান্দাবা চৎননবগীদমক্তা খোঙশান্দ্রিঙৈদা মৈতৈ নুপী পুন্নমকপু মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী লফুগী ঈংখোন লৈরিবা তাংখমদা পুরক্তুনা মখোয়না লৈবা য়ানবা শেম-শারম্মী। লফু অমসুং লাগী ঈংখোন্দুদা নুপীশিংদুবু থম্লম্বা মতমসিদা মৈতৈলৈমা লিশ্লোইঙম্বীসি মপারী/মমোম নাউপুবা লোইদাম থাবুম তরা চঙলক্লবা— ওইরক্লবনি। অদুবু মপুরোইবনা পোইৰৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ নত্রগা লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইনা লৌখৎলক্লিবা শেনবী কবোগী লমদম অথাপ্পা অকলাদা লান্দানবগী থৌরাংসিদা মৈতৈলৈমা লিশ্লোইঙম্বীনা অয়েৎ-অপনবা পীবগী মহুত্তা হেন্না পুক্নীঙ থৌগৎপা পীদুনা নুপী ময়ামদুবু তাংখমগী লফুগী ঈংখোন্দুদা চীকোন-নাউকোন্না লৈহৌখি [মথক্কীসিদা, ২২৬ অমসুং চৈথা: কুম:,২০০৫,১৯]।

মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা পোইৰৈ মৈতৈ লৈপাক্কী অশোন-অনা নত্তবা নুপাশিং, য়াওৰৌ শাদান হৈবা তম্বশিং, ৰাইরা শাহিং চাবা লমশাশিংবু শাফা থৌবা অথৌবশিং, হুয়েন লানদা হৈবা, মরান লান্দান থোইবা লাল্লোইশিং, অকন-অরীংদা মিংনাই-মিংচৎপশিং পুন্নমক পুদুনা শেনবী অকলা লান্দারুনবা কবো মতমপাক্তু য়ৌবদা কোরৌ নুমিৎ হুমনি-মরিনি চঙবগী খোঙচত্তুদা খোঙশানখ্রে। পোইৰৈ মৈতৈ লৈপাক্তা নুপা অমতা লৈহৌদ্রে। অদুবু পীক্লিঙৈদগী নুপা-নুপী অনিমক্কী লমচৎনবী নোংবাল্লোন লিনথোইঙম্বীনা মোমনু নুজা ওইবীশিংদুবু নুপা-নুপী শক্না তাংখম লীৰা-পোক্তা লাঙ্গোন্দুনা লৈরি। মপুরোইবা লৈত্রবদুদা মপুরোইবগী মহুৎ শিন্দুনা লৈঙাক্লি, নুপী খুন্নাই পুম্বদুবু অৰাৎ-অপা য়েংবীদুনা নাউকোল্লি।

তাংখুল চীঙশাংগী লানহৌ

"মৈতৈ কোনুংদা মৈতৈ নিংথৌ লৈত্রে, মৈতৈ তম্পাক্তা মৈতৈ নুপাশিং লৈত্রে অৰাগী লমখৈদা অকলা লান্দাবা চৎখ্রে, মৈতৈ কোনুং অমসুং তম্পাক্তা নুপী ঙাক্তা

ঙাইহৌরে, পীদোং-লীলা শান্নবা নুংঙাইরনি, শল-ওক্লচিংবা লনয়াম খোস্বা য়ারনি” হায়বা পাউজেন অসিনা তাংখুল লাইরম অমসুং খারমগী চীঙশাং পুন্নমক শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রে। তাংখুল নুপা পুন্নমক অপাম-অপান্বা লোক্লুরনি হায়না মখুত্তা তাপাক পায়দুনা পোইরৈ তমদা কুন্নরক্লে। চীঙশাং পুম্বগী বুঙ-তাংখুল মখোয়বু তাংখুল তুশেন খুঙ্গংগী মনিংথৌ পুরীংবা কৌবনা লুচিংদুনা লান্দারক্লি। মখোয়গী লানহৌ লানদারকপসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদি ঃ—

... ... থাংৱাই লৌতাংখম তাংখম লীৱাপোক, অৱাং থাংৱাই নময়াইচীঙবু নাতৈনা চঙবী মকৈরেন, কৈখু চাগা তৈ কৈরেন হাপচা হাপ্পা-কৈদা য়োঙ্গবু শল্লাই ৫মা পোইরৈ হাথৈবদা লৌতাংখুন তাংখুল মচীঙলেনগী তুশেন মনীন নাইবনা পোইরৈ কৈচোয়ববু ফাগে, ৱাংঙম হাথৈববু খোমগে হায়না হুয়েন লানহৌরকপদা... ... ... [ও:ভ:স:, ১৯৬৭,২২৭]

অসিনি। তাংখুলশিংনা লান্দারক্লে হায়বগী পাউ অসি মৈতৈ নুপী ময়াম্না লৈরিবা মফম তাংখমসিদা ফংলম্মী। মতমদুদা নুপী পুন্নমক অদু অমা-অনিখক নত্তনা অতৈদি লৌশিঙ লৌমাঙনরে, মীতোপ-মীরান মখুত্তা তাদুনা মীনাই-মীশন ওইরগদ্রা, নুংশিবা মাগী মপোৎ পীথোকউ য়াদবগী য়াইবী থৱাই মাঙগদ্রা নুংবঙ-ফুম্বংনরক্লে। পায়মা লৌশিঙ চাওবী, উনগোয় লিননা ঙানবী নোংবাল্লোন লিন্থোইঙম্বীনা মহাক্কী পীবুক্লুংদা লৈরিবা নাউৱাদুবু মিৎকুপ অমতং খম্বরুরগা ৱাখল-লংজীন অমা ফংখ্রে। মহাক্কা লোইনদুনা লৈরিবা মৈতৈ নুপী পুন্নমকপু মনাক্তা কৌশিল্লগা তাংখুল তুশেনগী লাল্লোইশিংবু হুয়েন লাম্থেংননবা ৱাতানখ্রে।

তাংখুল তুশেন লাম্থেংনবা

তাইবং মপুনা মীওইববু শেম্বী-শাবিরকপদা পা-পী অনিমকসি, হকচাং অমসুং মসিগী কায়াৎশিংগী মশক-মওং, মতৌ-মওং, মশীঙ-মপানচিংবা চপ মান্ননা পীবীরক্লবসু পাঙ্গল, মতীক-মঙন্নচিংবগী মরমদদি খেন্ননা শেম্বীরকই। নুপানা পাঙ্গন কন্নবা হেন্না, নুপীনা হকচাং কায়াৎশিং থোৎপা হেন্না শেম্বীরকই। অদুনা নুপীচা ওইবী মৈতৈ নিংঙোনশিংদুনা নুপাগী পাঙ্গল ওইবা তুশেন তাংখুলশিংদুবু করন্না লাম্বা পাগদবগে, করি খুৎলাই শীজিন্নদুনা মায়রোঙ য়ানগদবগে খন্নরকই। পায়মা লৌশিঙ চাওবী মৈতৈলৈমনা মহাকসু অমসুং লৈরিবা নুপীশিং পুন্নমক্তুসু মাগী মাগী মপুরোইবগী ফিজেৎ-ফিজোলশিংদুনা শেত্তুনা মপুরোইবশিংদু শাদুনা তাংখুলশিংদুগা মায়য়োক য়াগদবনি হায়বগী ৱাখল পুথোক্লকখি। লৈরিবা লৈমশিং, অরামনুবীশিং পুন্নমকসু মৈতৈলৈমগী ৱাফমসি য়াদুনা তাংখুনশিংগা লাম্থেংননবা লাম্থোঙ শীন্নখি। লমদাংসিগী ওইনা থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দিঃ—

... ... য়োঙ্গবু মৈতৈলৈমা মকোই পাউনীঙশিঙবীনা লাইরেন মশাবীগী চেংলৌ শকপানথোং, পুনুং লেপ্পানথোংবু শোনতমখিয়ে। শমলাং চগো লৈ; মকমরৈ উনকোয়-থোং, লাবা শমজীন নাওরোইথোংবু নোংথৌ ৱাংবা শঙশানা, নাশি পুঙমায় লেম, সনা কোনফম তাউ, লুকোয় শল্লাই য়েৎ, শাংতিং মনীঙখমবূ ওকয়া তেমচীন শানা লাইরেন মশাবীগী চেংলৌ শকপানথোংবু লৈৱাইরে। য়োঙ্গবু চারনতা, য়োয়হৈ খোঙফাং লেংবী পুম্নমসু শমজীন নাওরোই থোংনা শাংতিং লালথৈ থেমলে [মথক্কীসিদা, ২২৭]।

অসিনি। অসুম্না নুপীশিংদুনা মাগী মাগী নুপাশিংগী ফিজেৎ শেৎচিন্দুনা নুপা শারগা তাংখুলশিং অদুনা লাকপা ঙাইদুনা লৈখিরম্মী।

তুশেন খুনগী তাংখুলশিংনা লুচিংলকপা তাংখুলশিংদুনা নুপা লৈত্রে, নুপী ঙাক্তা ঙাইরে, হায়রবনিনা থোইদোক্লা অকি-অথুকপা, পাখৎ-নাচুঙবা লৈতনা তাংখম তম্লা লাক্লম্মী। তাংখুলশিংদুনা লাকপদুদা মখোয়গী ফিজেৎ-লৈতেংনচিংবগী মরমদা শৈথারল্লিবদি — "মদাইরেম তাংখুল তুশেন মনীন নাইবদি চুমপুল লাল্লে থেম, হুইরোং লূফা চীন লাইথোং হুইয়োমবা তিমেন ঙানোয় চোংনা পোইরৈ হাথৈফমবু ইনতাল্লকয়ে" [মথক্কীসিদা, ২২৭]— হায়বসিনি। মখোয়না তাংখমগী লফুগী ঈংখোনগী মমাঙদা হেক য়ৌরকপগা মৈতৈলৈমা লিনথোইঙম্বীনা মপুরোইবগী ফিজোন্দু শেক্তুনা, ফিবম-ফিরেপ, চৎপা-লেঙবগী মচৎ-লাকচৎনচিংবা পুম্নমক তমদুনা থোক্লক্লগা তাংখুলশিং অদুগী মমাঙদা লেপ্লম্মী। অতৈ থৌগল তৌরিবীশিংসু অঙম-অথৌশিংগী ফিজেত্তা মৈতৈলৈমগী মনাক্তা লেপ্লম্মী। তৌরিবা মতৌদু উবদা তাংখুলশিংদু পুমঙক ঙকখরে অমসুং মখোয়না তারকপা, খঙলকপা অমসুং খল্লু- লৌরুরিবা পুম্নমক্তা তাইয়োন্নবনি, অরানবনি খন্দুনা চপ লেপ্তুনা লৈখিরম্মী।

তাংখুলশিংবু লানফা ওইহনবা

তুশেন তাংখুলশিংদুনা ঙক্তুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাসিদা পুক্লীঙ লৌশিঙ লৈরবী অমসুং পাইরক্কী লৌশিঙগী মবেম্মা ওইবী মৈতৈলৈমনা— "ঈদাইরেম তুশেন মনীন নাইবশিং-ও! নঙখোয়দি লাইরেন ঐনা শেনবী অকলা থেংলুবদি থৌরৈ তেংপাংলদে, হুয়েন লানলুম্বীরদে" হায়না য়াম্না চান্না-নুংশিনবগী মওংদা হায়রকখি। তাংখুলশিংদু মদুনা অমুক য়াই থাবগুম পঙথহনখ্রে। মখোয় মশেন, "মৈতৈ নিংথৌসিনা অকলাদা লান্দাবা চৎখিবদু হল্লক্ত্রি হায়না খন্দুনা লান্দারকপনি, অদুবু মহাক্তি মহাক্কী লফুগী ঈংখোলসিদা ঐখোয়না য়ৌরক্তিঙৈগী মমাঙদা থুংলদুনা লৈরম্লে। হৌজিক ঐখোয় করি তৌগনি, লান্দারুরবসু মখোয়না ঙমখ্রগদবনিনা চান্না-চিন্নবগী মওংদা মখোয়গা তাইশিন্নবা তাবনি, হায়না মখোয়না খন্নরিঙৈদা, মৈতৈলৈমনা অমুক নোৎশিল্লকখি—

"মরুপ-মপাংশিং! হৌখিবদু হৌখ্রে, হৌখ্রসনু; মতুং চামরক লৈরি, মদুদা অমুক লানবাংনরগা লোয়রে। ঙসিদি অকলা লানঙম্লকপগী নুংঙাইবা নুমিৎনি, য়ু অফবা, অহাউবা ৱাংলৈ অয়াকপা, হাওদৈ অথুম্বা লৈ, থকমিন্নখিসি" হায়দুনা মৈতৈলৈমনা শানৈ-য়ুনৈনবা য়ুকৌরে। মশাগী মনাৎনা চাবা-থকপা, হরাউ-নুংঙাইবা, জগোয়-ঈশৈদা খোয়দাজবা কাংলুপনিনা হরাউনা য়ুকৌবদুদা য়ারে।

মৈতৈ নিংথৌগী লৈমশিংগী মরক্তা মফম ফমথোন কাবী লৈমা, য়োঈবু [মতমসিদদি অসিগুম্বগী থাকসি লৈবা উদ্রি, অদুমকপু ইরম্লবনিনা থাকসিগী লৈমশিংদি— (১) লৈমরেন, (২) অপানবী/অপাম্বী ((I) অপানবী অহন, (II) অপানবী নহা, (মসি ৮ ফাওবা লৈবা য়াওখি) অমসুং (৩) লৈমখুবী (I) লৈমখুবী অহন, (II) লৈমখুবী নহা, (মসিসু ৮ ফাওবা লৈবা য়াওখি)] অমসুং ফমথোন কাদবী লৈমা য়োঈহৈশিংনা হেক লৈরিবা য়ু মখৈ পুথোক্তুনা তাংখুলশিং অদুদা পীথক্লে। তাংখুলশিং অদুসু থোইদোক্লা ফত্তবা ৱাখল খল্লুদবনা মখোয়না হেক ঙমজবা থাক্তুদা পুথোক্লক্লিবা য়ুশিংদু থক্তোক্লে। ময়াই কানবা অমসুং ঙাওননবা শেম্বা ৱাংলৈ (কালৈ) অমসুং হাওদৈ (ৱাইয়ু/ খোময়ু নত্রগা অতিঙবা) নিনা তাংখুলশিং অদু ঙাওরক্লে। মশাগী মহকচাং পুবা ঙমজদ্রে, ৱাখল-লৌশিঙ পুম্নমক মাঙখ্রে। লৈরুবা-তারুবা মফমদা তুদুনা খোমলেন তুমখুন তানবদগী হেনবা ঙমদনা পঙথদুনা লৈখ্রে। অসিগুম্বা তাংখুলশিংসিগী ফিবমসিদা লৌশিঙ লৈরবী মৈতৈলৈমগী পাউতাক মতুং ইন্না মৈতৈ নুপীশিং অদুনা তাংখুলশিংদুবু থৌরি তুংবুনরগা উখোঙ-ৱাখোঙদা, কৈখোঙ-কৈখাদুনা পুন্দুনা লোয়নমক থমখ্রে। হৌজিক্তি তাংখুল পুম্বদু মৈতৈগী লানফা ওইরে। হায়রিবসিগী লমদাংদা থম্বীরম্বা ঈ-পাউ নত্রগা ৱারোল্দিঃ—

১) নিংথৌরোল লম্বুবদা—

…… …… …… ঈদাইরেম লোইবী তুশেন মনীন নাইবশিং-ও! নঙখোয়বু লাইরেন ঐগী ৱাংলৈ অয়াকপা হাওদৈ অথুম্ববু লৈয়ে। ৱাংলৈ য়ুপিং থকখি-ও! হায়না য়োঈবু চাদা, য়োঈহৈ খোঙফাং লেংবীশিংনা ৱাংলৈ পাকতক্লা হাওদৈ ফাফেন্ননা ৱাংলৈ য়ুপিং থকলে। লোইবী তুশেন মনীন নাইবদি য়ুপা তোনঙমনা, হাওদৈ কোক্তা কানা তাংখুল লানয়াম থারে। পামেন কৈখোঙ লুরোইমগা হুয়েন লানপুমমগা থৌরী ঙংকোয় হুকনা তাংখুল লানয়াম থারে, তুশেন লানয়াম ফারে। হুয়েন লাননিগীদি তাংখুল তুশেন মনিংথৌ হুহেন পুরীংবা লানথৌয়াঙবু কায়নহুল্লে। অদুনোংগীবু নোংবাল্লোন লিনথোইঙম্বী হুয়েন পুরীংবা ফাবী-ও, তৌনা কৌয়ে [মিথক্কীসিদা, ২২৯]।

২) চৈথারোল কুম্বাবদগী

শকাব্দ ১৩৬৫দা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা অকলা নাখিঙৈদা মৈতৈলৈমা লিনথোইঙম্বীনা চিংনা লৈপাক অপুম্বা তাংখমদা থৈরিঙৈদা তাংখুল হাও চীঙশাং পুম্বা লান হৌরক্তুনা খোমগে লাকপবু ঙমনা ফারৌএ। অদুদা মৈদিংঙু ক্যাম্বসু পোকএ। অদুগা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বসু কবো অকলা ঙমএ (চৈথা:কুম:, ২০০৫,১৯)।

মচাঙ্গীবুংঙো পোকপা

মৈতৈলৈমা অঙোম নিংঙোন লিনথোইঙম্বীনা খৃ: ১৪৪৩ দা তুশেন তাংখুলশিংবু লৌশিঙনা শামু ফাবগুম ফাখিবা, মখোয়না মৈতৈ নুপীশিং ফাগে, মৈতৈ কোনুং লোই চনগে হায়দুনা লাকপদা লৌশিঙ তৌদুনা তাংখুলশিংদুবু য়ু ঙাওহল্লগা লানফা ওইনা ফাখিবগী মতমসি মহাক্না পায়বা লিনগোয়নুংদা মপারী-মমোম নাউপুরকপগী থাবুম তরা শুবদনি, হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। অদুগা মহাক্না মপারী থাংৱাই নিংথৌবা (মতমদুগী তুংলচৎকী মৈদিংঙু শেনবী ক্যাম্বা নত্রগা কিয়াংঙম্বা) পোকপগী চৈথারোল কুম্বাবনা পীবা ৱারোলদুসু মথক্কী কোটেসন্দা হাপচদুনা উৎচরে। মপারী নাউপুবা থা ১০ (তরা) শুরবী নুপী অমা ওইদুনসু মৈতৈলৈমা লিনথোইঙম্বীনা লৈঙাক্লোনগী ওইবা হক্লবা থবকসি চিংনবা লৈতনা পায়খৎখি। মহাক্কী পীবুক্লুংদা পুরিবা নুংশিবা মহাক্কী খুদোন্দু নুংশিবা মহাক্কী নিংথৌ ফম্বাল অমসুং লৈপাক কন্ননবগী থবক্তা মাঙখি-তাকখিদনবগী থৌরাং মহাক্না খন্থখিদবা নত্তে; শা-লান হৈবী, শাথেং-লাম্থেংননীঙবী মহাক্না মশা লুপ্লবনা মদুগী মতম নত্তে, মশাদা শোকখি-পনখিবা থোক্লবদি নাউৱা মঙোন্দা ফত্তবা থোকখিগনি খন্দুনা লৌশিঙনা শামু ফাখিবনি।

মৈতৈলৈমা লিম্থোইঙম্বীনা তুশেন তাংখুলশিংবু ফাদুনা কৈখোঙগী উখোঙশিংদা পুন্দুনা হেক থম্বগা লৈমসিনা মপারী নাউপেংনবগী নাউয়েক চৈনা ফাওরক্লম্বা য়াই। মসিনা খৃ: ১৪৪৩ সিদা মপারীসি শাৎপসিনা তুশেন তাংখুলশিংদুগী মরাইবক ফখি। হায়বদি মখোয় মৈতৈলৈমগী নত্রগা মৈতৈ নিংথৌ থাঙগী থাঙয়ান ফংখিদে। মৈতৈ নিংথৌ অমসুং মৈতৈ লাল্লোই, লাল্লোইলেন, লানথৌয়াঙনচিংবসু মতম ঈকান কান্নদনা অকলা লানঙল্লগা হল্লকখিবনি। অদুনা শাওনীঙবা কোঙ্গায় লৈরবসু মপারী পোকপগী হরাউ-নুংঙাইবনা পুন্নমক কোমথোকহনখি।

মৈতৈলৈমা লিম্থোইঙম্বীগী অতৈ লান্দাশিং

মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিম্থোইঙম্বীনা মবুংঙো মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা মৈতৈ কোনুং [লৈমরেনসিগী মতমসিদা মৈতৈগী কোনুংসি তাংখমসিদা ওইরম্মী] দা লৈত্রিঙৈদা

তুশেন তাংখুলশিংনা লুচিংবা তাংখুলশিংনা মৈতৈবু লোই চনগে লাকপদগী মখোয়দুম লানফা ওইহন্দুনা মৈতে পোইরৈ সনা লৈপাক কনখিবা অসিনা মহাক্কী শা-লানগী পুন্সিগী খোঙথাংসি লোয়দ্রি। মশাগী পীথোক্লকুবা মথৌনা-মরীংজেন্না পুন্সিগী লম্বী চৎলিবী অমা ওইনা অতৈ মফম/লম/খুঙ্গং কয়াদসু লান্দাখি, লান থেংনখি। হায়রিবা মখোয়গী মতমসিদা অমসুং মসিগী মতুং তারকপা মতমশিংদা খৃ: ১৮৯১ ফাওবগী মতমদদি লান হায়বসি শেন্দান-থুমদানগী লম্বী ওইনা লৈরম্মী। লান তৌরগা লান্দারগা লাল্লোকপোৎ/লানখোমপোৎ (War Booty), লোইপোৎ-লান্দা খুদক্কী লোইপোৎ (Immediate tribute) [মথক্কীসিদা, ১৪৮] অমসুং চহিগী লোইপোৎ [মথক্কীসিদা, ৯] ফংই। মরম অদুনা লান্দাদুনা লোইচনবসি শেন-থুমগী ফিবমদা ফগৎ-হেনগৎহনবনি।

(১) তাইতন সূনাচীঙ

মৈতৈলৈমা লিন্থোইঙম্বীনা ইম্ফাল সহরগী নোংপোকলোমদা লৈরিবা নোংমাইজীঙ চীঙজাওগী চীঙ্গোন মনুংদা লৈবা তাইতন সূনাচিঙ কৌবা মফমদা লময়েংবা ওইনা চৎপনি। অদুবু মফমদুদা ফিশা-লোনশাগী ৱাফম অমা তারুবদগী মহাকসু মফমদুদা হৌরিবা উপান্দা ঈয়োং-শেম্লগা ফি শানবগী থৌরাং তৌরম্মী। অদুবু তাইতন সূনাচীঙগী নিংথৌ তাংখুল হাওতোনবা তেবনা থিংলকপদগী মহাক্কা লান থেংনদুনা মহাকপু হাৎখিরম্মী [ও:ভ:স:, ১৯৬৭, ২২৯-৩০]।

(২) মোংবা হিয়াঙলমগী কানম্ খুন

মৈতৈলৈমা লিন্থোইঙম্বীনা মোংবা হিয়াঙলমগী কানম্ কৌবা খুঙ্গংদুদা লান্দাদুনা মফমদুদা পানবা কাকি চীঙমীশিংগী নিংথৌ তেচনবী-তেচনবা কৌববু হাৎখি [মথক্কীসিদা, ২৩০-৩১]।

(৩) কবুই য়াংলা খুঙ্গং

"কবুই য়াংলা" হায়বা খুনসি মতমদুগী ইম্ফাল কংলৈগী অৱাং-নোংপোক পাংবরোমদা লৈবনি। মৈতৈলৈমা লিনথোইঙম্বীনা হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা লান্দাদুনা কুবুই য়াংলা ফুরুপকী নিংথৌ শনথৌবী-শনথৌবা কৌববু হাৎখিরম্মী।

(৪) কুমফি লৈশোকপুঙ

'কুমফি' (কুম্বী) হায়রিবা মী ফুরুপ অসি মতমদুদা মণিপুরদা খুনহোংলকপা কুইদ্রিবা মী ফুরুপনি [ম:ত:খু: লাই ১সুং ত:কু; খু:লাই]। মখোয় অসি মতমদুদা কোমিলাসার কৌবা, হৌজিক্কা বাঙ্গলাদেশকী মনুংদা লৈরিবা কোমিলা ডিভিজনসিগী মফম অমদগী খুনহোংলকপা তখেন (ত্রিপুরী) মী কাংলুপকী নিংথৌমচা অমা অমসুং মহাক্কী মতুং

ইনবা মী ফুরুপ্নি। মখোয়, মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী হাক্তক্তা খুম্নোক-খুনহোংলকখিবনি। মখোয়গী মথক্তা মৈতৈলৈমনা লান্দাদুনা মখোয়গী খোংয়াং খুনগী নিংথৌ মাকু শায়াপান মরীংবা কৌববু মায়থীবা পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৩১]।

(৫) কাচক লাংথা খুন্দা

চীঙমী খুন অসি মতমদুগী ইম্ফাল কংলৈগী খারোমদা লৈবা খুঙ্গংনি। লাংথা হায়রিবা মী কাংলুপ অসিগী খুঙ্গংসিদা মৈতৈলৈমা লিম্নোইঙম্বীনা মখোয়গী খুনগী নিংথৌ মারা কৌবা মমিং চৎপা নুপাদুবু হাৎখি [মথক্কীসিদা, ২৩২]।

(৬) খারম খোইরোই খুঙ্গংদা

খারম চীঙমী কাংলুপকী খোইরোই হায়রিবা খুঙ্গং অসি মতমদুগী ইম্ফাল কংলৈগী খা-নোংচুপলোমদা লৈবা খুঙ্গংনি। মৈতৈলৈমা লিম্নোইঙম্বীনা খারম চীঙমী খুঙ্গং অসিদা লান্দাদুনা খুঙ্গংদুগী নিংথৌ লুহপ্পা কৌববু হাৎখি [মথক্কীসিদা, ২৩২]।

(৯) কবো খারী তম্পাক্তা

কবো খারী তম্পাক হায়বসি হৌজিক্কী ম্যান্মারগী মনুংদা লৈরিবা 'মংশা' হায়না কৌবা, মণিপুরগী ৱাংজীঙগী মমাঙ ওইরপ্পা (নোংপোক/মৈরম) লৈরিবা হৈরোক্তগী খোইবুগী চীঙল্লোন অহুম লাল্লগা লৈরিবা মফমসিদগী নোংপোকক্লোমদা হেক থংননা লৈবা তম্পাক্নি। মফমসি খোইবু লম্বীসিদা চৎনরম্মী। হায়রিবা খারি তম্পাকসিদা মৈতৈলৈমা লিম্নোইঙম্বীনা লান্দাখি। হায়ররিবা মতমদুদা লৈরিবা মীওইশিং নত্রগা লাম্নেংনবদা মায়থীবা পীরিবা চাউফা সমচাই হায়রিবা মীওইসিগী মমিংসিদা মিৎয়েং থম্বদা মহাকসি অমসুং মহাক্কী মীওইশিং অসি চাইনাদা 'টাই' কৌনবা, অৱাং থংবা ম্যান্মারদনা শান কৌনবা মৈতৈনা 'কবো' হায়না খঙনবা মী কাংলুপ অচৌবদুগী মীওইশিংনি। খারিদা লান্দাবসিদা কবোগী অথৌবা চাউফা সমচাই কৌবা অথৌবা লাল্লোইলেনসিবু লৈমা লিম্নোইঙম্বীনা মায়থীবা পীখি [মথক্কীসিদা, ২৩২]।

(১০) লোক্তাক ৱাংবরেন্দা

"লোক্তাক ৱাংবরেন" হায়না কৌবা লমসি মোইরাং লৈপাক্কী লমখৈগী মনুংচনবা, ইম্ফাল কংলৈগী খা-নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা লম্নি। মফমসিদা মৈতৈ লৈমা লিম্নোইঙম্বীনা লান্দাদুনা লমদুগী লুচিংবা মোইরাং মচা হাওমুরাবা হাওতোনবা কৌববু মায়থীবা পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৩২-৩৩]।

পুন্সি পোলোয় তানখিৱা

মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিহ্লোইঙম্বী করম্বা চহিদা পুন্সি পোলোয় তানখিবগে হায়বসিগী মরমদা খঙননবগী পাম্বৈ অমতা লৈতে। অদুগা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বদি খৃ: ১৪৩২ দা নিংথৌ ওই অমসুং খৃ:১৪৬৭ তা নোঙ্গাখি, হায়বসি মৈতৈ অহল-লম্নশিংনা পীৰীরমদুনা লৈরে [চৈথা: কুম: ২০০৫,১৮ অমসুং ১৯]। অদুবু অশিবগী লমন তোন্দুনা পোক্লকপা মীওইবনিনা মহাক শিবা হায়বদুদি শোয়দনমক উনখি। অদুবু পাৱারী-পুৱারীগী ৱায়েনগী ওইনা মতমদুগী মীওইবগী পুন্সিগী মতাংদা লেপল্লকপদা মহাক মশাগী চহি ৫০ (য়াঙ্খে) রোমগী অদুৱাইদা নোঙ্গাখিরম্বা য়াই। হায়রিবা মতমসি খৃ:১৪৬৭-৬৮দা পাবা য়াই। মসি মৈদিংঙু ক্যাম্ব (খৃ. ১৪৬৭-১৫০৮) না নিংথৌ ওইবা কুম অমসুং মদুগী মথংগী কুম, অনিদুগী মরক্তনি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগা তুংথ-মাঙথা ওইনা লৈখিরমদবা য়াই।

১৯

মৈতৈলৈমা শেনবী তাঙজখোমবী

ৱাহৌদোক

মৈতৈলৈমা পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনু, কায়বী য়াশৌবা য়াকোন চাউহোঙবা চনু, শমলাং অহোঙবনা য়েনবী; শেনচেৎ লোইয়াবা, তাইপোং লোইনেনবা লাংকোই শাতীকপা চনু।। ... ... শেনবী তাংদা মপুঙয়ায়দা সনা খোমহানবদি হুয়েন লাননিংগীদি শেনবী তাংদা মনিংথৌ চাৱাইরোং অথৌববু কায়নহুল্লে। য়োয়বু সনা খোমহানমনগী মিংথোংনখিয়ে, য়োঙবু মৈতৈরৈমা তাংদাখোমবী (তাঙজখোমবী) -ও! তৌনা কৌয়ে [ও:ভ:স:, ১৯৬৭,৩০৯,৩১১]।

মথক্তা থমজরিবা নিংথৌরোল লম্বুবা কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "মৈতৈরৈমা তাংদাখোম্বী (তাঙজখোম্বী)" হায়রিবী মৈতৈগী মবেম্মা অসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌরেন মৈদিংঙু (মৈতৈ ঈংঙু/ঈংবুঙু=মৈতৈগী মবুংঙো) শেনবী পাইখোম্ব (খৃ:১৬৬৬-৯৭)বু পোকপী মপন পল্লেম মমানি। মহাকসি পোইরৈ ৱাংঙম লৈপাক মৈত্রবাক্তা মহাক্কা লৈঙাক্লোনগী লানদা-লানচন অমসুং লোইচন-লোইনেনবদা তৌরম্বা খুদোনগীদমক্তা মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা মফম অমা কন্দুনা লৈরিবী মৈতৈলৈমা অমনি।

শক্তাকপা

য়োঙ্গরুমলোন তাঙজখোম্বী/তাংদাখোম্বী লুৱাং মী-কাংলুপ নত্রগা য়েক্কী লুৱাং লংমাই/লংমাইবা মী-ফুরুপ নত্রগা শল্লাইগী নাউশোম শাগেগী নত্রগা যুম্নাক্কী নিংঙোন্নি। মহাক্কী অহানবা মমিং-মিংলেন নত্রগা মপা-মমা অমসুং ঈমু-মনুংগী মীশিংনা কৌন-খঙনবা মিংখৈদি "য়োঙ্গরুমলোন মুবীশূ" হায়বসিনি [মথক্কীসিদা, ৩১০]। মহাক্কী অপোকপা মপন পন্থৌ মপাগী মমিংদি "কায়বী য়াশৌবা য়াংকোন/য়াঙ্গোন চাউহোঙবা হায়না কৌই। অদুগা মপন পল্লেম মমাগী মিংলেনদি খঙবা ঙমজদে। মহাক্কী পোকমিন্নবা

নত্রগা পোকমিন্নদবা মবুং অমসুং মপ্পাশিং কয়ামরুম লৈবগী খুদম-চাংদম অমসুং লংলা-লংজীন্দি লৈ, অদুবু মদুশিংদু থিজিন-হুমজিনবগী মনুংদা থমজরি।

তাঙজখোম্বীগী পুন্সি ৱারী

য়োঙ্গীরুমলোন মৈতৈলৈমসি চাদা লাইহুই পুয়া লাইরিক্তা "তাঙজখোম্বী [ন:খ:স:, ১৯৬৬,৬৩]" হায়না অমসুং নিংথৌরোল লম্বুবা পুয়া লাইরিক্তনা 'তাংদাখোম্বী" হায়না পীবীরম্মী। অদুগা মহক্কা তৌখি-পাংথোকখিবা থবকশিংগী, মরু ওইনা লান্দা-লানচনবগী থৌদোক অমসুং থৌরমগী মতুং ইন্না থৌদোক্তুগা (থৌরমদুগা) মরী লৈননবা অমদি চাননা মিংহুন-মিংখৈ ওইবা মমিং, মিংথোনশিং কয়া মরুম লৈরি, মদুশিংদুদি— তাংদাঙম্বী (শেনবী তাঙজাখোম্বী); চৌখৈ লানথৌয়াঙ ফাবী; তাংখুল কাসোম ঙম্বী, খোইয়াঙবা ফাবী; তাংখুল ঙাংঙোই ঙম্বী, হুয়েন সনারেং ফাবী অমসুং তুশাংঙম্বী, অসিশিংসিনি।

পোক্লকপা অমসুং চাওরকপা

য়োঙ্গীরুমলোন পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনু মুবীশূ নত্রগা মৈতৈলৈমা নাউশোমচনু তাঙজখোম্বী শেল্লোই লংমাই চীঙ (নোংমাইজীঙ)গী লংমাই পায়রংথেন অমসুং শেল্লোই কাপুক চীঙমতোন হায়না খঙনবা লমলেন লমদমসিবু শৈথা-শৈরেংদুনা শৈশরুবা মীওইশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা মপন-পষ্টৌ য়াংগোন চাউহোঙবগী ময়ুম মরানয়ায়গী শঙলেন-শঙ্গাইনুংদা খৃ:১৬২৮ পোকলক-শাৎলকখিবনি। মহাক কংলৈ পুঙময়োনগী খ্বা য়োংয়ানফম, খ্বাই লৈকোক লৈকায় (Headquaters Land) গী উরীপোক খোমশায়ান (হৌজিক্কী উরীপোক লমদম) গী মরান-মশাইগোন্দা মপন পষ্টৌ, পলেম মমা অনিনা কোল্লক-লাঙ্গোল্লকখিবনি, য়োকলক-থাক্লকখিবনি, অদুনা মহাক উরীপোক খোমশায়ান লমদমদা হৌরক-চাওরকখিবনি অমদি চেননা-চোংনা শান্নরকখিবনি। শেনবী তাঙজাখোম্বী, পীশক-পীক্লিঙৈদগী চীনগা খুৎকা খুৎনা হানবী নত্রগা য়াঙবী ওইরকখি অমসুং মহাক্কী মপা চাবা মহাক্তা ঙমগদবা থবক নোমজ-শূজরগা নুংঙাইজবী নুপীমচা অমা ওইনা হৌরকখিবীনি। অদুগা মহাকসি থবক-থৌরমশিংদা চীলহাউ থিদবী অমসু ওইরকখি।

মহৈ-মশিঙ তম্লকপা

য়োঙ্গীরুমলোন নাউশোমচনু মুবীশূনা মশাগী চহি ১২/১৩ (তরানিথোই/তরাহুমদোই) শুরকপদগী মতমদুগী নুপী ওইবীশিংগী লেমজরবা মহৈ-মশিঙশিং ফিশা-লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, ফিতাই-ফিতুবা, ফিশূ-ফিশঙবা, লৈচপ-খামু চপপা, অসিনচিংবা তম্লকখি। মহাক খ্বাঙগী ফিশা অমদি ঈয়োং-পাংদিংগী ফিশা মখল শুনা হৈরম্মী, পরী-

ফি, মুংফি, কোরৌ-ফি ফিঙাং, হৈকোয়-ফি, তরাও-ফি, লৈরুম-ফি, অসিনচিংবা ময়েক থোকপা অমসুং থোক্তবা, মচু মখল-মখাগী লংপীক (Fine thread) অমসুং লংপৌ (Course yarn) গী ফিশিং শাবা হৈরকখি। ফিগে ফিশিং— ফনেক ময়েক নাইবশিং, কানক মপান নাইবশিং, ফৈজোম, ইন্নফি, ঙবোং, ফিবোং চামি-ফি, খুদৈ, মোনপাক-ফিদক, মায়খল্-য়ুখল-ফি, ফাগং-ফি, অসিনচিংবা ফিশিং শাবসু তম্লখি। পুঙকক চাওরক্তুনা লৈশা-শীঙদা চল্লক্লবদা তরেঙ অমসুং শীন্নজৈ পুদুনা শীন্নাইফম-শীন্নাইশঙ কাদুনা লৈশাবী মচা ময়াম্না য়ুমথোঙগী লেঙ নাইনা নুমিৎ খুদিংগী লৈকায় পনশাংগী য়ুম থুংনা মোইথাপ নাইবা, তুনুং লংজা চিংথোকপা অমসুং লীকতাক-শীনতাকপীনা ৰারী লীবা, খুন্নাইগী চৎলম-লীক্লম তাকপা অমসুং শীনশূ-শীম্থা শীনতাক্পসু য়াওরকখি। করিগুম্বদা লৈকায়গী নিংঙোন লাকপীনা মহৈ-মশিঙগী চাংয়েং তৌবদসু শরুক য়ারকখি।

শা-লানগী মহৈ-মশিঙ

য়োঈরুমলোন নাউশোম চনু মুবীশূনা চাওরকপা মতমসি মৈদিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) না পানবা সনা হাক্তক, শা-লান তোয়বা অমসুং লান্না শেন্দান লম্বী ওইনা চৎনদুনা লানগী ঈরাং কনবা মতম্নি। য়োঈরুমলোনসিবু পোক্লিবা পম্থৌসি লৈবাক মীরক তীনবা, লৈমা-নিংথৌ তোৎনবা, অঙম-অথৌশিংগী মনুংদা ফম পায়বা মীশক্লি। মহাকসি, মহাক্কী ঈমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমসুং ঙাই-শেনশিংসি লৈঙাক-খুনঙাক্কী থবক-থৌরমশিংদা থৱাই য়াওবা, মশা-মশা চোংথোক্তুনা শা-লান য়াওবা অমসুং মীরৈবাক-মীরমদমদা, মরু ওইনা কবো-ক্যাং, শমজোক, খমপাৎনচিংবদা লান্দাবা চৎপদা তত্তনা অমসুং শোয়দনা য়াওবা মীওইশিংনি। অদুগা য়োঈরুমলোন মুবীশূগী পম্থৌ মপাসি খৃ: ১৬০৬, কী ময়াং (ডিমাসা/কছাড়ী) লান মতুংদগী লাঙ্গোই শামু অমসুং শগোন লৈবা-য়োনবা নত্রগা লল্লোনবগী থবক তৌদুনা মীরৈবাক্তগী শগোল লৌরু-লৈরুবগা থাকপা, অদুগা মৈত্রবাক্কী মীশিংদা য়োনবা মীশক অমসু ওইরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩০৯]। অদুদসু নত্তনা মৈতৈলৈপাক্কী ওইনা শা-লানগী শাজেন তৌবসি মখোয়গী ময়ুম মকাইফম অসিদা তত্তনা তৌরম্মী। অদুনা নাউশোমগী ঈমুংগী মীওইশিংসি শা-লান পাম্বা মীওইশিং ওইরম্মী।

য়োঈরুমলোন মুবীশূসি অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী হকচাংসি অমসুং লমচৎসি নুপী ওইবীগী থোৎ-মেঙবগী শরুক্তগী নুপাগী হকচাংগুম উইবা, নুপাগুম্না মীকি-লাইকিদবা অমসুং শা-লান পাম্বগী শরুকসিনা হেল্লম্মী। অমরোমদা মপাঈবুংঙোগী শীনফম্না ময়ুম-মশাইগোনগী পনগোইনুংদা লাঙ্গোই শগোল হোঙনা লৈবা অমসুং ফংনীঙবা মতমদা ফংবনিনা মহাক মবুঙ-মপ্পাশিংগা লোইননা শগোল তোংবা তম্লকখি, য়াঙনা

থৌবা তান্নরকখি অমসুং তপ্পা-লেমনা চৎপসু তান্নরকখিরম্মী। অদুগা লান্দমলিবা, লান ঔরায়রিবা অমসুং লানগী শাজেন তৌরিবা নুপাশিং অদুগা লোইন্নবা লীরুং-তেন শীজিন্নবা, তা খৌশাবা, থেঙ্গৌ শাবা অমসুং তানা শাথেং-লাম্থেংনবা, শাফা-লানফাবনচিংবা; থাঙ হাইবা, য়েরুবগা লানথেং-লানশোরুবা, নোংমৈ খুদোং কাপ্পা, হীদাক-মচাক হানবা, লানয়েংবা অমসুং শগোল তোংদুনা শগোল মথক্তা খুৎশৃ-খুৎলাইশিং শীজিন্নবগী মহৈ মশিঙশিং তম্লকখিরম্মী অমসুং শাজেন তৌদুনা ঔরায়রকখিরম্মী। অদুনা য়োঙ্গরুমলোন মুবীশৃসি শা-লানগী মহৈ-মশিঙশিংদা মীথোই-মীহেন্না হেন্দোক-থোইদোকপী অমা ওইদ্রবসু মশা ঈকপা ঙম্বী, মশাবু ঙাকচ-কঞ্জবা হৈরবী অমা ওইজরম্মী। মহাক্না নহা ওইরিঙৈদা তমখ্রি-হৈখ্রিবা মহৈ-মশিঙশিং অসিনা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা মিংথোন-মিংখৈগী মিংচৎ কয়ানা লৈতেংবী অমা ওইহল্লকপা ঙমখি। নাউশোম চনু মৈতৈলৈমা তাঙজখোম্বীসি শা-লানগী লাল্লম অমসুং লানথোঙ খঙবী-উবী অমদি লানথোঙ শীনবা হৈবী অমসু ওইরকখি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা

য়োঙ্গরুমলোন নাউশোম চনু মুবীশৃ/তাঙজখোম্বী লাইনা-তীন্না চেন্দবী, মশা-মউ ফবী অমসুং মরু খীংবী চনু-নিংঙোন ওইনা হৌরক-চাওরকপীনি। মহাক চাবা-থকপদা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাগন-থক্কনবীনি, অদু ওইদুনসু মহাক্কী হকচাংদু য়াম্না নোয়-পেনবী নুপীগী শাওং-শাদাদি ওইরমদে। মহাক্কী মশা-হকচাংদু নুপী ওইবীগী ময়ায় ওইবা শাবান্দা মরেপকা মঙানগা মান্ননা তোংশা নীঙথিনা চেকশিন্না তাশিনবা শারেপ-শাবান্নি। মহাক্না লৈশাবী মপুঙ ফারকপা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) শুরকপা মতমদা মহাক্কী মায়থোংদা অমসুং হকচাংদা নুপা ওইবশিংনা পামগদবা অমসুং কল্লক-মিহৌগদবা মতৌশিং লৈরম্মী।

নাউশোম চনু মুবীশৃসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী তাল্লোই মৈতৈলৈমরেন তাইপোম্বীনা পোকপা মপারী ৩ (অহুম) শুবা/অতোনবা তোন্নাবা/তোনবা, নোংপোক খোঙফেন থৌবগা অহল-লম্মন হায়না-শীঙনদুনা খৃ: ১৬৪৩ দা মশাগী চহি ১৫দা নুহোঙখিরম্মী। মহাক্কী লুহোং-খোঙদোংবগী পুন্সিসি মায় পাক্লবা পুন্সিনি। অদুনা মহাক্কী মচানুপা/মপারী অহুন সনাহিহোনহন (য়াইস্কুল লাকপগী ফম ওইরম্মী, খৃ: ১৬৬২-৬৩দা মরাম চীঙমীশিংনা থিংবা কারোংদা হাৎখিরম্মী) চহিসিদা পোকখিরম্মী [চৈথা:কুম:, ২০০৫,৪০]। মহাক্কী লোন্নবী মনাউ-নুপী অহুম, অঙোম চনু পোরোম ফাবী অমসুং শোইবম চনু ২ (অনি)গা লৈরম্মী। অদু ওইদনসু মহাককী অনিশুবা মপারী পাইখুখোম্বা পাইখোম্বা (তুংলমচৎকী মৈদিংঙু শেনবী পাইখোম্বা) খৃ: ১৬৪৫দা মশাগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) তা পোকখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫,৪১]। মহাক্কী লোন্নবী মনাউ পোরোম ফাবী, অঙোমচনুনা মপারী

অনি— ঈবুংঙো অচৌ য়াইস্কুল লাকপা অমসুং ঈবুংঙো শমৈরাং অতোনবা পোক্লবসু অমদি লোন্নবী মনাউ শোইবম চনুনা মপারী মরি— ঈবুংঙো চামা ফাবা, ঈবুংঙো তোংখোম্বা, ঈবুংঙো কবোম্বা অমদি ঈবুংঙো লাংদেঙম্বা পোক্লুনসু মহাক্কী মপারী অতোনবা ঈবুংঙো তোনশেনঙম্বা খৃ: ১৬৪৮ মশাগী চহি ২৩ দা পোকখিরম্মী। মহাক্কী মচাঈবুংঙো ৩ (অহুম) অসিগী মনুংদগী মচাঈবুংঙো অনিশুবা পাইখোম্বা অসি মতৈঈবুংঙো মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা মহাক্কী তাল্লোই. মৈতৈলৈমা থাঙজম চনু [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪,১৮৮,১০১] না মপারী অমতা শাক্ত-পোক্তবনা নিংথৌ ফম্বাল কাবা মতম খৃ: ১৬৫২দী লৌখিদুনা মপারী অপোকপা ওইনা য়োকচ-লাংগোঞ্জখি। মদুনা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা খৃ: ১৬৬৬ তা নোঙ্গারবদা মৈদিংঙু পাইখোম্বদা খৃ: ১৬৬৬তা নিংথৌ ফম্বাল কাখি।

মপুরোইবা কায়নবা

য়োঈরুমলোন মুবীসূ তাঙজখোম্বী মশাবী মপুরোইবা, অহল-লম্মন্না থাজ-য়োঞ্জবীদুনা নুহোঙ-খোঙদোংলগা পান্নখিবসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মপারী অতোনবা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা, নোংপোক খোঙফন থৌবনি। মপাবুং নোঙ্গাখ্রবদা ময়াম্বুং মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক-থৌগাই পুবা অমসুং য়েরুবনা লান্দারকপা ঙাকপা, লৈপাক্কী ঙমখৈ শন্দোক্লবা অমসুং লানখোমপোৎ, লানগী খুদোনপোৎ অমদি লোইপোৎ ফংনবা মীরম-মীরৈপাক লোই চনবনচিংবা লৈঙাক্লোনগী শা-লানগী থবক-থৌরমশিং পাংথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবসি মৈদিংঙুচা তোন্নাবনি। ময়াম্বুং মৈদিংঙু নিংথৌনসু চপ যুংনা থাজবা, মহাক্না চঙখ্র-পায়খ্রবদি থবক্তু শোয়ররোয়, মায় পাক্লগনি, হায়না থাজনা লৈরিবা নিংথৌগী য়েৎথংবা পম্বোমনি। মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা খৃ: ১৬৫২দগী চহি ১০ (তরা) মায় পাক্না পাল্লক্লিবসি মৈদিংঙুচা তোন্নাবগী মপান্নি। অদুগা মহাকসি মহাক্কী ঈমুং-মনুংগী মীশিংগী, মপারী-মমোমশিংগী মফমদা ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইরবা পল্থৌ মপানি, তাল্লোই ওইবীশিংগী মফমদা নুংশি-নুংওঞ্জনীঙাই ওইরবা মশাবী মপুরোইবনি। অসুম্না মীয়াম খ্বাইগী অমসুং মরননাই ময়ুমগী ওইবা ৱারম-থৌরম পুন্নমক্তা চন্না-শীঙথানদুনা লৈরবা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা, নোংপোক খোঙফেন থৌবনি।

পোইরৈগী অৱাংলোমদা লৈরিবা চীঙশাং পরেংশিংগী চীঙমী খুঙ্গং, খুঞ্জাও, খুল্লেন, খুনবীশিংগী চীঙমী কাংলুপশিংগী মনুংদা মরক-ময়ায় ওইনা লৈরিবা মরামশিংনা খৃ: ১৬৪৪দা মখোয়গী নিংথৌ চরাই-কাপোংবু মৈদিংঙু খাগেম্বনা লান্দা ফারগা লানফা ওইনা ওৎ-নৈদুনা থল্লম্বদগী হৈনৌপোক্তা পুরগা হাৎখি [চৈথাং:কুম:, ২০০৫,৪১]। অদুগী লমন খুম্নবা মচানিপা মরাম নিংথৌ/খুল্লাকপনা মৈতৈশিংবু শীঙদুনা লৈরিবনি।

মখোয়না মখোয়গী মীশীঙ হেনগৎহন্দুনা লান্মী শেমগৎনবা চহি ১৮ (তরানিপাল্লোম) চঙনা হোৎনদুনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লগা খৃ: ১৬৬৩ দদি ফোঙনা শীঙনদুনা মৈতৈ নিংথৌদা লোইপোৎ কাদ্রে অমসুং পীররোয় হায়দুনা মচীঙ মকাইফমদা লৈখ্রে। মখোয় মরাম চীঙমীশিংনা ফোঙনা লানহৌবগী পাউ অসি ৱাংঙম/পোইরৈ মৈতৈগী কোনুং কংলাদা খৃ: ১৬৬৩ গী অঙনবা মতমদা য়ৌরকখিরম্মী। মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা কংলা য়াইবুঙ থীন্দুনা লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং, লৈঙাক ফম্বে-ফম্লুপশিং, পোইরৈ লাল্লোই-লাল্লোইলেনশিং অমসুং থৌবু-থৌয়াবশিং পুন্নমক কৌখত্তুনা কুচু থৌদাফম, ৱায়েন-চৈরাকফমদা কৌখৎলে। অঙম-অথৌশিং অমসুং অকন-অরিংশিং পুন্নমক তীল্লবদা মৈদিংঙুনা— "মরাম চীঙমী কাংলুপ্না মরমদা লানহৌরে, কুমগী লোইপোৎ-পোৎনা পীরক্রে, পীররোয় হায়না হায়রক্লে,"— হায়না অঙম-অথৌশিংদা পাউদম্লে।

—"মখোয়না অসুম্না তৌরবদি চীঙমী কাংলুপ অতৈসু খুদুং ইনথ্রগনি, মখোয়বু নমথদবা য়াদে"— হায়না অহল্লুপ লাকপা, নহারুপরাকপা, লৈকোক লৈকায় মরিগী লাকপশিং, পুখ্রনবা, নোংথোনবা, ওক্রনবা, হিয়াঙলোই হঞ্জবা, কৈরুং-শেল্লুংবনচিংবা পুন্নমক্না খোঞ্জেন অমতা ওইনা হঙ্গৎলক্লে।

—"মখোয় মরামশিংবু নমথবা-লাকশিনবদি লান নত্তনা চুন্না ৱারী শানবনদি য়াররোয়, অদুনা মরামগী মচীঙদা লান্দানবা থৌরাং শীল্লো"— হায়না মৈদিংঙুনা সনা য়াথং পীরে। —"হন্দক্কী মরামগী লানহৌসিদি অশীঙনবা লানহৌনি, লানশোক-লাম্থেংনবা খর লুগদৌরি, লম্বু, লানজা-লাল্লুম্বশিং খর হাননা চত্তুনা লানফম ওইগদবা চীঙশিং, মরু ওইনা থুময়োন খুল্লেন [তুময়োন খুল্লেন, হৌজিক্কী সেনপতি পানা/ডিষ্ট্রিক্তগী টি: খুল্লেন [Tumayon or T. Khullen], থিংবা কারোং অমসুং মরাম খুনবী-খুল্লেন, হায়রিবা চীঙশিংসিদা মরামশিংগী মকোন-মহুম্নি, মখোয়শিংসিদা মাঙজৌনবা লাঞ্জাবা থারো! অদুগা মরক্তুদা পোইরৈ-ৱাংঙম লান্মী লানপু-ফাবা অমা শাগৎলসি" হায়না মৈদিংঙু অমসুং পোইরৈগী অঙম্বশিংনা লেপ্নরে। —"হন্দক্কী মরাম-লান অসিদি লানফম অমসুং লাম্থেং অরুবনিনা ঈশানৌ অতোনবা নোংপোক খোঙফেন থৌবা, তোন্নাবা নহাক্না লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইদুনা চৎলো। নহাক্না নখুৎ চাগদবা লান্মী লাল্লোইশিং অমসুং খোঙমী লাল্লোইলেনশিং খনগত্তুনা শীল্লো। লান চৎননবগী থৌরাং শেম-শাবা হৌরো" — হায়না মনাউ ঈবুংঙোদা তাকপীরে।

মৈদিংঙুচা তোন্নাবনা খোঙমী-লান্মী পুন্নমক কংলা কোনুংগী ঙমখৈ লমকননুংদা থম্লগা মোংবা ময়ুম-মরানয়ায়দা তাল্লোইশিং অমসুং মপারী মমোমশিং উননবা লাক্রম্মী। মতমদুদা মহাক্কী মপারী অহন সনা হিহোনহন য়াইস্কুল লাকপা অমসুং ঈবুংঙো চামাফাবসু

লান্দম্বা ওইনা মপাবুংনা লান চংপা অদুদা য়াওজগে, হায়না অঙাং মশা মশানা হঙ্গৎচরম্মী। ৰাফমদুদা পল্লেম মমাশিং নাউশোম চনু মুবীশূ অমসুং শোইবম চনুনসু য়াবীরদুনা মপা-মচা অহুমদু ঈমুংগী মীশিংদগী কায়নবগী ৰাফম লৌদুনা কংলাদা থুংলরে। মখোয় অহুন্না মৈদিংঙুদা খুরুম-খাজঙজদুনা, "লান মায় পাকচরক্কে" হায়না নীজরম্মী। মৈদিংঙুনসুং মপারী পাইখোম্বগী ময়াম্বুং অনিগী মথৌনাবু থাগৎপীদুনা লানঙম ফিরান পুদুনা হল্লকপা ওইজরো হায়দুনা থৌজাল লনকুবীরম্মী। মখোয়না থাজজরিবা নিংথৌদা চীঙঙু লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লি হায়বসি মৈদিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা খৃ: ১৮০৮দা হৌদোক্লগা খৃ: ১৬২২দা খ্বাইগী অয়াবা ফংখিবনি [মথক্কীসিদা, ৩৪ অমসুং ৩৭]। অদুগা খুরুম্বা অসিসু মৈদিংঙুসিনা খৃ: ১৮০৮দা হৌদোকপীখিবনি [মথক্কীসিদা, ৩৪]।

মৈদিংঙুচা তোন্নাবা, নোংপোক খোঙফেন থৌবনা মপারী অনিগা লোইননা খৃ: ১৬৬৩দা মৈতৈগী খোঙমী লান্মীশিং, লাল্লোই-লাল্লোইলেনশিংগী লানপু ফারবা লান্মী তেঙ্গোন পুদুনা অৱাং মায়কৈ পাংনা লাকপনা কোইরেঙ্গৈ- খোঙহামপাৎ তুংওইনরম, ফৈদিঙ্গা-ঈহারাই লান্দুনা কৌব্রু চীঙ্গোন চঙলক্লে। কৌব্রু চীঙ্গোনগী কৈথেন মানবীগী লমদম লাল্লকপদদি থুমময়োন খুল্লেন চঙশিল্লক্তুনা মরামশিংগী খুল্লেন্দু চায়খায়রে, অদুগা মফমদুদা নোংমা ফাইরে। মফমদুগী হাইগৎলকপনা থিংবা কারোংগী ঙমখৈ য়ৌরক্লে। মফমদুগী মৈতৈগী লম্বুশিং অমদি পোইরৈ-মৈতৈগী লাঞ্জাবা-লাল্লুম্বশিংনা লাক্তুনা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা, পোইরৈ লাঞ্জিংলেন-পুরেনগী মফমদা মরাম লান্মীশিংগী পাউ পীররে,— "মরামগী লান্মীগী লাল্লোই-লাল্লোইলেনশিং পুন্নমক য়াওরবা মরামগী অচৌবা লাল্লুপ অমা মরামগী খুন পুন্নমক্তগী কৌদুনা পুল্লগা শাদুনা থিংবা কারোংগী চীঙথক-চীঙদোনশিং অমসুং চীঙ-নাপোমশিং পুন্নমক শীন-থুংনা লৈখ্রে। মখোয়না চীঙথক-চীঙদোনশিংদা নুঙজাও অচৌ-অচৌবশিং খুনগৎ-পুখৎলগা পৈদুনা থমখ্রে। অদুনা নুঙগী লান হাননা থেংনবা তারি, চেকশিনবীয়ু" —হায়না লাল্লোং-লাম্থোঙগী পাউ তম্লরে।

মৈদিংঙুচা তোন্নাবনা মৈতৈ লান্মী-লাল্লোইশিংগী লাম্থোঙ অমসুং লাল্লমশিং শীনদোক-য়াখোক্লে। মহাক মশাগা মচাঈবুংঙো অনিগনা লাঞ্জিংবা লুপনা মরাম লান্মীগা চুদ্রিং মায়য়োক্লবা লাল্লমদা চঙশিন্দুনা লান্দানবা শেম-শারে। মরাম লান্মীশিংনা চীঙথক্তা অমসুং চীঙদোন্দা লৈবনিনা অনেম্বদা লৈবা মৈতৈশিংনা তৌরিবা অমসুং শীল্লি-লাংলিবশিংদু লোয়নমক উরম্মি। মখোয়না মৈতৈ লান্মীশিংনা চঙলকপা লাঞ্জঙ অমসুং তৌরকপা লানওংগী মতুং ইন্না লাম্থেংননবা থৌরাং তৌরম্মী অমদি শীল্লম্মী। মৈতৈ লান্মীনা লান্দাগদৌরিবা চীঙজাওসিগী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী অকোয়বদু ঙা-থেংদুনা তুরেন অমা (কারোং নত্রগা থিংবা কারোং তুরেন) চেল্লি। হায়রিবা তুরেনসি লান্দ্রবদি থিংবা কারোংগী মরামশিংনা তেঙ্গোন শারিবা চীঙ অসি য়ৌবা নত্রগা কাবা য়াদে। মরম অসিনা

মৈদিংঙুচা তোন্নাবা মৈতৈ লান্মীশিংবু মহাক্কা লোইননা তুরেন্দু লান্ননবা অমসুং চীঙজাওদু কাননবা লাঞ্জিংলেন ওইনা য়াথং পীরম্মী। মৈতৈ লান্মীশিংনা লাঞ্জিংলেনগী য়াথং মতুং ইন্না মহাক্কা লোইনরগা চীঙ কাখৎপা হৌরকপমক্তদা মরাম চীঙমীশিংনসু চীঙথক্তগী নুঙ ইন্থবা হৌরক্লম্মী। ঙাইহাক লৈরগদি নোংজু-পান্থাদা অঙন্বদগী নত্রগা চীঙথক্তগী ঈচেন/তুরেন্না চেন্থরকপগুম নুঙজাওশিংগী ঈচেন চেন্থরক্লে। হায়রিবা চেন্থরক্লিবা নুঙজাওশিং অদুগী মরক্তগী অমনা মৈদিংঙুচা তোন্নাবগী কোকথক্তা তাখ্রে অমসুং কোকথক্তুগী লৰাই লেনফুদা পানখ্রে! মহাক চীঙগী চীঙচেপ্তগী ওন্থদুনা চীঙখোঙদা তাখ্রে, মচা নুপা ঈবুংঙো অনিদুনা মপাবুংগী মনাক্তা চেনশিন্দুনা মপাবুংগী লাইকন্নবা হোৎনরি। অদুবু মৈতৈগী লান্মী-লাল্লোইশিংদি নুঙজাও ইন্থদুনা মরামশিংনা লান্দারকপা অদুদা লাম্বা তৌবা ঙমদদুনা অমসুং লান খাঙবা ঙমদদুনা খরনা শিখ্রে, অদুগা অতৈনা মথৰাই হিংনবা চেনখ্রে। নুঙনা লান্দারিবা মরাম লান্মীশিং অদু মৈতৈ লান্মীসিংনা চেনখ্রবদুদা চীঙথক্তগী কুমথরক্লে অমসুং মখোয়না ইন্থখিবা নুঙশিংনা পান্দুনা শোক্লবশিং অমসুং শিরবশিংগী লুরেন ককপা অমসুং শিদবশিংবুনা হাৎলগা লুরেন ককপগী থবক হৌরে। অসুন্না মরামশিং অসিনা মখোয়গী খুলালাকপা/নিংথৌনা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা, নোংপোক খোঙফেম থৌবা, মহাক্কী মচাঈবুংঙো অনি— সনাহিহোনহন, য়াইস্কুল লাকপা অমসুং ঈবুংঙো চামা ফাবা অমদি মৈতৈগী অঙম-অথৌ খর অমসুং লান্মী-লাল্লোই খরগী লুরেনশিং কক্তুনা মরাম খুল্লেন্দা পুখিরম্মী। থৌদোক-ৰাথোকসিনা মখা চত্থরকপদা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা তরুঙ লাইরৈম্মা ওইরকপগী পাৰারী-পুৰারীগী থৌদোকশিং শমথরক্কনি।

কংলৈদা পাউ তাবা

অৰাংগী থিংবা কারোংগী লান অসিদগী চেল্লকপা মৈতৈগী লান্মী-লাল্লোইশিংনা পাউ তম্লদুনা মৈতৈনা মরাম চীঙমীশিংগী মথক্তা লান্দাগনি হায়দুনা লান চৎখিবদু থিংবা কারোংদা লান থেংনবদা মৈতৈ মায়থীরে, অমাঙ-অতাক চাওনা থোক্লে অমসুং মৈতৈগী মী য়াম্না শিখ্রে। অদুবু ৰাফমসি অইবা লাইরিক্তা থম্বা হৌনদে, লৈপাক পানবগী মচৎ নত্তে। চীনবুঙ-চীফাদা ৰারী-শীঙবুন ওইনা লীনবদি য়াই। লান মায়থীবগী পাউ অসি মতুংদা খৌরাংনা ঙাইনরিবা পাউদি মৈতৈ লান্মীগী লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইনা চৎখ্রিবা মৈদিংঙু তোন্নাবা করম তৌখ্রবগে, শিখ্রবরা নত্রগা হিংলিবরা, হায়বসিনি। অদুবু ঈকুই কুইদনা নুমিৎ ৫নি/১০ নিগী মতুংদা তারে, মরাম নিংথৌনা মৈদিংঙুচা তোন্নাবগা মপারী অনিগগী লুরেন কক্তুনা মরাম খুল্লেন্দা পুখ্রে, হায়না।

নাউশোম চনু তাঙজাখোম্বী খৃ:১৬৬৩, মশাগী চহি ৩৫ (কুম্বামঙা)দা লুখ্রা ওইবদা নত্তনা মচাঈবুংঙো অহন সনাহিহোনহন, য়াইস্কুল লাকপা, মশাগী চহি ২০ (কুন) খক্তা ঙাইরিবসু মপাবুংগী তুং ইন্দুনা নোঙ্গাখ্রে। মাগী মনাক্তা মচাঈবুংঙো অতোনবা তোনশেন

ঙম্বদা মঙাইহৌরে। লাইবক্না তল্লকপা নোংদমনিনা মশাবী মপুরোইবা অমসুং মপারী অহনগী নোঙ্গাথৌ-লাইথৌ তৌদুনা ওল্লকপা চহিদা উক্রোঙ হোঙবা য়াদদুনা হোঙদ্রে। অসুম্না থৰাই নুংঙাইতনা ঈনুং মোল্লাং কোন্দুনা কপ্পুনা লেললে। পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ, মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনসু লমন খুন্নবা থৌরাং অমতা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরে।

নিংথৌপোকপী মৈতৈলৈমা ওইরকপা

খৃষ্টগী কুমশীঙ ১৬৬৬ তা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা মশাগী চহি ৪৫ (নিফুমঙা), নিংথৌ ফম্বালদা চহি ১৫ (তরামঙা) পাল্লল্লগা নোঙ্গাখ্রে। লৈপাক পুবা মৈত্রবাক্কী অঙম-অথৌশিংনা লৈখিদ্রবা মৈদিংঙুগী নোঙ্গাথৌ-লাইথৌ পাংথোকপগা লোইননা মচাঈবুংঙো নিংথেম পাইখু ঙমবা পাইখোম্ববু মশাগী চহি ২১ (কুনমাথোই)দা নিংথৌ হাপ্লে। মৈদিংঙু পাইখোম্বা চহিদা নহা ওইজরবসু, অয়োকপা মপাবুংগী অশি-লাইথৌ মকোক্তা থোংনা পাংথোকখ্রবসু অপোকপা মপাবুং অমসুং ময়াম্বুং অনিগী অশি-লাইথৌগী কুমওনগী উক্রোঙ হোঙদুনা লুপুঙ থোনবগী নোঙ্গা-থৌরম পাংথোক্তনা অপোকপী পলেম মমানা অৰা পোৎলুম পুদুনা নুংশুক-নুংজাননা পুন্সি লেল্লিবদো খঙলম্মী। অপোকপা মপাবুংগী লুপুঙ থোনবগী লাইথৌসি লুপুঙ থোনবদুদা চঙদৌরিবা লুশিং অদুগী লুরেন্দি য়েরুবনা লৌখিদুনা মখোয়গী লুখা থানবা থমখিবনা লাইথৌ থৌরমদু পাংথোকপা য়াদদুনা পাংথোক্ত্রিবনি। ৰাফমসিদা নিংথেম পাইখোম্বনা অপোকপা মপাবুংনা লাইবক থীবা থৌদোক্তা খৃ: ১৬৬৩দা লৈখিদবা অমসুং মপাবুংগী লুরেন অমদি ময়াম্বুং অনিগী লুরেনশিংগা লোইননা মরাম হাও খুল্লাকপা নিংথৌনা কক্তুনা মখুন্দা পুখি হায়বা তাবা মতমদগী লুরেনশিং অদু হন্দোক্কে, মরাম খুললেন্দগী পাম্বৈ অমা তৌদুনা লৌরুগে হায়না পুক্লীঙ চেৎনা লেপখ্রবনি। হৌজিক্তি মহাক্না পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মপু ওইরে, তৌনীঙবা পাংথোক্লীঙবা থবক্তা খুৎ থাবা য়ারে, অদুনা করি, করম তৌরগা নীঙখিবা থবকসি পাংথোকসিগে, অপোকপী পলেম মমাগী অৰাবগী পোৎলুমসি থাংথসিগে, হায়না ৰাংঙম মচীন-মনাউশিং অমসুং পোইরৈ লৈঙাক-থৌপুবশিংগা ৰাতানদুনা ৰারেপখ্রে।

মৈদিংঙুনা নিংথৌ ফম্বাল হেক কাবগা অরোনবা ফিজেৎ শেত্তুনা অরোৎপা শক্তম পুথোক্তুনা লায়র' চুদৎনবা শীল্লংবা শাদুনা মরাম খুলেন্দা মশামক চত্তুনা মপাবুং অমসুং ময়াম্বুংশিংদু লৌরু-হন্দোক্লুগে, হায়না লেপ্পরে। সনা কোনুংদা নিংথৌ লৈতে, করিগুম্বা থবক অমা চৎখ্রি নত্রগা তৌখ্রি, হায়বসি কনাদসু অমতদসু খঙহন্দবা হায়বসি মনাউ ঈবুংঙো তোনশেনঙম্বা অমসুং অঙম্বা খরনা থৌদাং লৌদুনা কোনুংদা লৈহৌরে। অসুম্না মরাম খুল্লেনদা চহি অমরোম মৈদিংঙু পাইখোম্বনা লৈরুবনা অপোকপী পলেম মমা নাউশোম চনু মুবীশূ ফাওবা খঙলমদে। মথংগী চহি লাকপা খৃ: ১৬৬৭ তা মৈদিংঙু

পাইখোম্বনা মরামচনু ঈংঙাল্লেগা লোইননা মরাম খুল্লাকপনা কক্তুনা পুখ্রবা লুরেনশিং মঙ্গন্দা পোরগা মৈতৈ কোনুংদা থুংলখি। পোইরৈ মৈতৈগী অঙম-অথৌশিং মনাউ ঈবুংঙো তোনশেনঙম্বনা লুচিংদুনা মৈদিংঙুবু ওকখি। নাউশোম নিংঙোন মুবীশূনা মশাবী মপুরোইবা অমসুং মপারী মচানুপা অহনগী লুরেনশিং পুরক্লে তাবদা নুংঙাইজবগী ঙমখৈ লৈরমদে। অদুবু ঙাইহাক লৈরগা চহি মরি চুপ্পা লুবাক-তাবুন্থংদা লীদুনা থম্বদগী কংশিল্লবা লুরেনশিং অদু য়েংলুবা অমসুং কোনুংদগী লানগীদমক খোঙশানখিবা নুমিত্তুদা য়েৎখিবা কোকয়েৎ য়াওনা লৈরম্বদু উবদা নাউশোম চনু মুবীশূ কপ্লরোয় খনখ্রবনি ঙল্লক্ত্রে, মিৎলুদা পিরাং লেপ্তুনা শীন্থরক্লে। চহি মরিগী মমাঙগী মতমদা শেৎনা-কায়নখ্রবা মশাবীনা কায়নরমদায় মতমদুদা মমাঙদা লেপ্পলবদু মমিক্তা শংশঙনা উরকখি। অদুগা ৱানা ৱানা হৌখিদুনা কোরৌ নুমিত্তুমসু চৎখিরম্মী। মৈদিংঙু পাইখোম্বনা পলেম মমা অপোকপীনা পাম্বগী মতুং ইন্না মপন পন্থৌ অপোকপা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা অমসুং ময়াম্বুং অহন ঈবুংঙো সনা হিহোনহন, য়াইস্কুল লাকপা অমদি ময়াম্বুং ঈবুংঙো চামা ফাবা অহুম্মক্কী কুমওন হোঙনেমদুনা উক্রোঙ অহুম হোঙলগা কংলা কোনুংগী ঙমখৈ মনুং মঙলেনগী লমকন্দা লুপুঙ থোনখিরম্মী। মশাবী মপুরোইবা অমসুং মপারী মচা অহনগী লুপুঙ থোনবগী লাইথৌ থৌরম পুন্না পাংথোক্লবদা খোইয়ুম লাইরৈপাক্তা মখোয়গী য়াইবী থৱাইশিংবু থিনগৎখরবদা য়োঈরমলোন নাউশোমচনু মুবীশূ পেঞ্জবগী ঙমখৈ লৈরমদে। মতমসিদা মৈদিংঙু পাইখোম্বদি মপাবুং অমসুং ময়াম্বুংশিংগী লুরেনশিং অদু ফংনবা হোৎনবদা মরাম চনু ঈংঙাল্লেদা মৈতৈলৈমা (Queen of Meitei Kingdom) ওইহন্নগনি হায়দুনা শরী-নামুং শোন্দুনা ৱাশকখিবগী মহাকপু মৈতৈলৈমা ওইহন্নবগী ৱাফম পুখৎলুবদা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী অঙম-অথৌশিংনা লোইরং শীঙখোঙ ওইদুনা য়েৎপদগী ৱাংঙম কংলৈপাক্কী লৈঙাক্লোন্দা পুক্নীঙ চঙদ্রে, মশানৌগী ৱাখন্না লাইনীঙ ওইদুনা লৈখিবনা পোইরৈ লৈঙাক শোন্থরক্লে, লৈপাক্কী ঙমখৈ শন্দোকপা, য়েক্না লৈপাক লান্দাবনচিংবা লেপখ্রে। মৈত্রবাক চীঙলৈপাক্কী মীশিংনা লমকেৎ-লমহাইরক্লে, মকেং থাঙ্গালগী চীঙমীশিংনা লানহৌরক্লে। লানহৌ নমথনবা মৈদিংঙুনা চত্তুনা লাম্থেংনখ্রিঙৈদা পোইরৈ লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংনা শরৌ-লাংথাক তৌদুনা মরাম চনু ঈংঙাল্লেবু তাম্থোক্লবা ঈংঙাল্লেনা লৈবা কংলা মনুংদা লৈবা শঙ মৈ থারুবদগী মরাম চনু ঈংঙাল্লে মফম খঙদনা মাঙখরে। মদুনা মৈদিংঙুদা অমুক হেন্না শোকহন্দুনা অচৌবা লৈঙাক্লোন্দা অপন-অকায়বা ওইরে। অসিগুম্বা লৈপাক্কী চিরবা মতম, মচাঈবুংঙো মৈদিংঙুনা ৱাখল ককঙাওনদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জা অমসুং ৱাংঙম পোইরৈ মৈতৈশিংনা তুফক তুফাই চল্লিঙৈসিদা য়োঈরুমলোন নাউশোম চনুনা পোইরৈ মৈতৈশিংবু য়াকায়হনখি। পুন্নমক্লা লৈখা তারক্লবসু মৈদিংঙুগী নিংথৌপোকপী পলেম মমা লৈরি হায়না চোংথোক্লকখি।

মৈদিংঙুগীদমক মৈদিংঙুগী মহৎ শিন্দুনা পোইরে লাম্মী খোমদুনা শাজিং-লানজিংলকখি। মৈতৈমচাশিং পুম্নমক্কা নিংথৌপোকপীগী শমু মতুং ইন্নরকখি।

মৈতৈলৈমা ওইনা নাউশোম চনু মুবীশূ

মৈদিংঙু পাইখোম্বা, মপুকথোক্কী মপারী য়াঈমবনা মরাম চনু ঈংঙাল্লে মগুণ্ডলাংগী নুংবঙনদুনা লৈঙাক-থৌদাং নাচুংদ্রিঙৈ পলেম মমা নাউশোম চনু য়োঈরুমলোন মূবীশূ তাঙজখোম্বীনা মৈতৈ লাম্মী পুদুনা লান্দা-লানচনবা অমসুং লোইচন-লোইকেনবগী খোঙচৎ-খোঙথাং লৌখৎলকখি। মহাক্কা খ্বাইদগী ঈহান হানবদা লৌখৎখিবদি পোইরে মৈতৈ লৈপাক্কী নোংপোক মায়কৈদা শেনবী তাংদা/তাঙচা হায়না কৌবা লম অদুদা লান্দারম্মী অমসুং লমদুবু লোই চললম্মী। মদুদগী মহাকপু তাংদাখোম্বী নত্রগা তাঙজখোম্বী হায়বা মিংথোন-মিংলেনসি পীখি [মথক্কী ৱাহৌদোক্তা উৎচরিবদুনি]। মহাক্কা হায়রিবা লোইচনবগী থবকসি পাংথোকখিবসি "চৈথারোল কুম্বাব" দা পনবীরমদে।

শেনবী তাংদাগী লম লোইচল্লবা মতুংদা মৈতৈনা "কবো হায়না খঙনবা হৌজিক্কী ম্যান্মার লৈপাক (Myanmar country) গী মী কাংলুপ শান (Shan) হায়বসিগী লমদম মৈতৈ কবো তম্পাক (Cassey Shan valley) লাম্লেক্লগা অৱা কবো তম্পাক (Merap/ Burmese/Mramma or Myamma Shan valley) তা লৈবা ক্যাং (Tkiang) হায়না কৌবা লম/কংলৈদা লান্দাখিরম্মী। ক্যাংগী লান্দা অসিদা লমদুগী লান্দা থৌনা ফন্না খোঙলে থুনা অমসুং য়াঙনা লান তকশিন-লান্দাবা লাল্লোইলেন চৌখে (Chou khe or Chao Khe) কৌববু লানফা ওইনা হাৎখি [ও:ভ:স:, ১৯৬৭,৩১১-১২]।

মৈতৈলৈমা নিংথৌপোকপী য়োঈরুমলোন নাউশোম নিংঙোন মুবীশূ নত্রগা তাঙজখোম্বীসিনা মৈতৈলৈমা অমা ওইনা লান্দা-লানচনবদি মথক্কীসিনা লোয়বা নত্তে। মহাক্কা মখা তারকপা ওইনা পোইরে মৈত্রবাক্কী ময়ায়থংবা তম্পাক অসিগী নোংপোক মায়কৈরোমদা লৈবা চীঙশাংশিংগী মনুংদা শূমদন (হৌজিক্কী উখ্রুল পানাগী সোমদন) চীঙজাওদা লৈবা বুঙ/তাংখুল মী কাংলুপকী শূমতন/ সোমদন খুল্লেন্দা লান্দাবা খুল্লেন্দুগী লুচিং-লাঞ্জিংবা/খুল্লাকপা শনপাং লাকপা কৌববু লানফা ওইনা হাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩১২]। অদুগা মখা চথরকপদা মৈতৈগী মবেম্মা নিংথৌপোকপী মমাসিনা শূমতন খুললেনসিগা য়ুমলোন্না-খুল্লোন্না, লৈরোন-ঙমথংননা খুন্দা-লৈতারিবা বুঙ/তাংখুলগী খুঙ্গং কাসোম কৌবা খুঞ্জাওদুদা লান্দাখিরম্মী। কাসোম বুঙ খুনগী লান অসিদা খুনসিগী লাঞ্জিংলেন খুল্লাকপা খোইয়াঙবা কৌবা শা-লান হৈবা অথৌববু লানফা ওইনা হাৎখিরম্মী। মদুদগী মৈতৈ লৈমা তাঙজখোম্বীবু "তাংখুল কাসোম ঙম্বী, হুয়েন খোইয়াঙবা ফাবী" হায়বা মিংলেন-মিংথোলসি পীদুনা মমিং হোংখিরম্মী।

মতুং তারকপদা মৈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন নাউশোম চনু তাঙজখোম্বী হান্নগী নোংপোক মায়কৈদুদা বুঙ-তাংখুলশিংগা থংনা লোন্ননা খুন্দা-খুল্লীংবা চকপ্রম পুমাউ খুঙ্গংবু লাম্থোক্লগা মোনথৌ কৌবা ময়ায় থোকপা লম অদুগা হেক লোন্ননা লৈরবা ঙাংঙোই কৌবা চীঙশাং অদুদা য়ুমলীং-খুললীংলিবা চীঙমীশিংগী খুঙ্গং ঙাংঙোই খুন কৌবদুদা লান্দাখিরম্মী। লানফমদুগী লান্দুদা চীঙশাংদুগী লুচিংবা লাঞ্জিংলেন লোইবী/চীঙগী সনারেং কৌবা থৌনা ফরববু লানফা ওইনা হাৎখিরম্মী। হায়রিবা থৌদোক-লাম্থোকসিদগী মৈতৈলৈমা অসিবু তাংখুল ঙাংঙোই ঙম্বী, হুয়েন সনারেং ফাবী" হায়না মিংথোন্নখি [মথক্কীসিদা, ৩১২]। মৈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন নাউশোম চনু মুবীশূ নত্রগা তাঙজখোম্বীগী থৌনা ফবগী, লান্দা-লানচনগী থৌদোকশিং অসিগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা মমি তাদে।

অরোয়বা পুন্সিগী তাংকক ১সুং নোঙ্গাবা

মৈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন নাউশোম চনু তাঙজখোম্বী পুন্সিগী ৰারীগী মতাংদা ইবা লাইরিক য়াম্না তাংঙি। মহাক, মশাবী মৈদিংঙুচা তোন্নাবা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা লুখ্রা ওইনা খৃ: ১৬৬৬, মশাগী চহি ৩৮দা মপারী পাইখোম্বনা মৈদিংঙু ওইরবদা অমসুং মথংগী চহিদা মশাবী অমসুং মপারী অহনগী অশিবগী মথৌ-মঙম অরোয়বা ওইনা পাংথোক্লবদা মমিৎ-মমায় পাংলকপনি। হায়রিবসিগী মতুংদা লৈঙাকলোনগী থৌদাং চহি তরারোম লৌরম্লগা লৈঙাকলোনগী থবকশিংদগী পোত্থাখিবা মাল্লি। মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মরামচনু ঈংঙাল্লেগী মৈচাক হন্থদুনা খৃ: ১৬৬৮দা হাওবম চনু খয়োঈরোন পোংলেনখোম্বী নুহোঙদুনা মৈতৈলৈমগী ফম্বাল কাহল্লব [চৈথা: কুম:, ২০০৫,৪৬-৪৭] দা ঈমুং মনুংগী ঈরাং নেমথখিদুনা পাল্লবদা মচা-মমৌ কোন্দুনা কোনুংদা চহি তরারোম শাচৎ-লানচত্তুনা লৈরম্মী। হায়রিবসিগী মতুং তারকপদা চহি ৩/৪ লৈরম্লগা মশাগী চহি ৫০/৫১ শুরবা মতম খৃ: ১৬৮০/১৬৮১ দা নোঙ্গারম্বা য়াই। অদুবু লাইবক থীবদি মহাক নোঙ্গাবগী থৌদোকসি চৈথারোল কুম্বাবদা ইখৎ-চনখৎপীরমদ্রে।

ৰারোয়শিন

মৈতৈলৈমা য়োঈরুমলোন নাউশোম চনু তাঙজখোম্বী মৈত্রবাক্কী পাৰারী-পুৰারী ময়ায় চনবা মতমগী তাংকক্তা লৈঙাকলোন, অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী লমদাংশিংদা লৈপাক্কী থৌদাং লৌরম্বী ৰাংঙম নিংথৌ শাগৈগী মৌ ওইরম্বী অমনি। মহাক্কী অশম্বা শক্তাক্তা মহাকসি মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু পাইখোম্বগী অপোকপী মমানি, মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমৌ, মচানুপা মৈদিংঙুচা তোন্নাবা নোংপোক খোঙফেন থৌবগী তাল্লোই অহন্নি। মহাক চাওরাক্লা খৃ: ১৬২৮ দা পোকখি, খৃ:১৬৪৩, মশাগী চহি ১৫দা লুহোংখি

অমসুং লুহোংবগী চহি (খৃ: ১৬৪৩)সিমক্তদা অহানবা মচানুপা ফংজখি, খৃ: ১৬৪৫দা অনিশুবা মচা নুপা, মৈত্রবাক্কী খৃ: ১৬৬৬তা নিংথৌ ফম্বাল কাখিবা, মৈদিংঙু পাইখোম্বা পোকখি, অমদি মতুংদা মচানুপা অতোনবা তোনশেনঙম্বা [ওমমাসু কৌই (মথক্কীসিদা, ৪৭)] পোকখি, অদুবু মহাক পোকপগী কুমশীঙদি পীবীরমদ্রে। মৈতৈলৈমা তাঙজখোম্বী খৃ: ১৬৬৩ দা মশাবী মৈদিংঙুচা তোন্নাবা নোঙ্গাখিদুনা লুখ্রা ওইহৌখি [নিং:ম:, ১৯৯৪,] মহাক খৃ: ১৬৬৬তা মৈদিংঙু নিংথৌপোকপী ওইদুনা মৈতৈলৈমা ফমথোন কাখিরম্মী। মহাক খৃ: ১৬৮০/১৬৮১ দা মৈতৈগী কংলাগী লমকন মনুংদা লৈবা মোংবা মশঙ্গাইদা নোঙ্গাখি।

মৈতৈলৈমা তাঙজখোম্বীসি মপুরোইবা নীঙবী, মশাবী মপুরোইববু পেনহনবা ঙম্বী, খুন্নাইলোনগী য়ুম্বান-লোনচৎ খঙবী, চায়োক-নাউয়োক হৈবী নাউশোম চনুনি। মহাক্কী মপাম নাউশোমসি মপা-মপুনা কৈরাক থারকপা, মৈদিংঙু খাগেম্বা, খুঞ্জাওবা অমসুং পাইখোম্বগী সনা হাক্তকশিংদা চহি ১০০ (চামা) মপুঙ ফানা লৈঙাক থৌদাংদা শরুক য়ারকপা শাগেনি। মৈতৈলৈমসিসু শা-লানগী মহৈ-মশিঙ হৈবী ওইনা অথাপ্পা মীরম (কবো) দা লম অনি অমসুং মৈত্রবাক্কী চীঙলৈপাক্তা লৈবা খুঞ্জাও অহুম লোই চল্লমদুনা মৈত্রবাক্তা মহাক্লা ঙম্বা খুদোন তৌজরম্মী। মহাক্নম্বী মৈতৈ চনুরাশিং অসিগী মপান্না মৈত্রবাক্লা খুৎকন পাঙ্গন্না ময়ায় চনবা পাৱারী-পুৱারীগী মতম তাংকক্তা লৈরম-পাল্লম্লিবনি। মখোয়বু তাইবংপানবা মপুগী খুয়াদা নুংঙাইনা পোথাবা ফংহনবীসনু।।

২০

তরুং লাইরেম্মা (মরাম চনু ঈংঙাললৈ)

ৱাহৌদোক

লাইনিংথৌ পাইখোম্বদি ৱাংলেন খরদঙ অৱা মৈচাক কয়াবু নুংশি চৈথেংখোল ফংবা ওইদুনা লৈরম্লগা... ... ... লাইনিংথৌনা খুৎহৈবশিং থাদুনা লাংগোন মুৱা নিংথৌগী খোইয়ুম মশাইকোন্দা ইবেম্মগী শঙলেন অমা চিরা মরি লাইখন তানা শাদুনা অমাই লাকলৌ শীন্না অশৈ খোলফাং লেংনা শঙলেন শঙ কাদুনা লৈকৎলে [নিং:ম:, ১৯৯৪,১৬৮]।

মথক্তা থমজরিবা "মৈদিংঙু লাইনিংথৌ পাইখোম্বা" কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শক্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা "ইবেম্মা" হায়না পল্লিবা নুপী অসি মৈতৈগী "তরুং লাইরেম্মা", চহি কুমওনগী চৈরাউবা নুমিত্তা কুমদুগী ওইনা খুরুম-খাজঙদুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎনরিবা কুমওনগী থাদোকপা য়াদ্রবা (কুম কাংহৈদবা) লাইরৈমসিনি। লাইরেম্মসি মৈতৈগী মপা-মপু/অপোকপা লাৎপা লাইনীঙগী মখাদা নমু-তাইবং মীনা ওইখি-ওইহনখিবা লাইরেম্মনি। লাইরেম্মসি ওইখিবা মীশকসি "মরাম চনু ঈংঙাল্লে/ ইংঙাল্লে" হায়না কৌবীসিনি।

শক্তাক-ৱারম

মরাম চনু ঈংঙাল্লে হায়বীসি মৈত্রবাক্কী পোইরৈ ৱাংঙম তম্পাক্কী অৱাং মায়কৈদা লৈরিবা চীঙলোনশিংগী চীঙশাং "মরাম চীঙ" হায়না থোনবা চীঙজাও অমদা মখুন খুনবী ওইরগা পানবা, অতৈ চীঙ অমা অনিদসুং মখোয়গী কাংলুপকী খুন্দা-লৈতাফম শন্দোকপা চীঙমী কাংলুপ অদুগী মখুন খুনবী (Axial/Parental village) অদুগী খুল্লাকপা অদুগী অমতা পোকপী মমোম লাংলেন্নি। খুল্লাকপা অসিগী মমিং-মথা অমসুং ঈংঙাল্লেবু পোক্লিবী মমা খুল্লাকপী অদুগী মমিং-মথাদি মৈতৈ লাইরিকশিংদা ইশিন্দুনা থম্বীরমদ্রে।

মরাম চনু ঈংঙাল্লে অসি পোইরৈ মৈতি নিংথৌ মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃ: ১৬৬৬-৯৭), পাই (Pai/Payi) নত্রগা পাইখু (Paikhu or Small or Little Pai) হায়না খঙনবা মী-কাংলুপ অচৌবা টাই (Tai) হায়না চাইনাদা খঙনবা, বর্মা/ম্যান্মারদা শান (Shan), শ্যাম/থাইলেণ্ডদা থাই (Thai), অসিনচিংবা তোংঙান-তোংঙানবা লৈপাকশিংদা খেন্ন-খেন্নবা মমিংশিংনা কৌন-খঙনবা মী-কাংলুপ অদুগী ফুরুপ অদুবু লানঙম্বা, মখোয় পাইশিংবু নাই/মীনাই ওইহন্নবা লানফা ওইনা খোম্বা মীনি/নিংথৌনি হায়দুনা পাইখোম্বা হায়না মিংথোনবদুগী খ্বাইদগী ঈহান হানবী মশা মশা নুংশিনদুনা লৌন-লৈনবী তাল্লোইনি। অদুবু লাইবক থীবদি মরাম চনু ঈংঙাল্লেসি মৈতৈলৈমা ওইনা লৈমা নিংথৌগী ফম্বাল তোংবা/কাবা ফংখিদে।

মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী পুন্সি-ৱারী

মরাম চনু ঈংঙাল্লেসি মরাম খুল্লেন/খুঞ্জাওগী খুল্লাকপা (Village Chief) গী তাল্লোই মরাম খুল্লাকপীনা মরাম খুনবী (খুন মপী) খুল্লেন খুঙ্গংগী খুল্লাকপগী মশাইগোন-মকাইফম, মরাম খুনঙাক-লৈঙাক্কী ফম্বী-ফমলেনফম (Headquarters of Maram village Administration) গী খুল্লাকপগী ময়ুম-শঙ্গাইদা পোকখিবীনি। মহাক্না পোকখিবগী চহি কুমশীঙসি পীবীরমদে অদু মহাকসি মৈদিংঙু পাইখোম্বাগা হৌমিন-কামিন্নরকপা অমসুং মৈদিংঙুসিগী তাল্লোই ওইবসিনা মৈদিংঙুসিনা চহি অমা-অনি খক্তা হনবা নত্রগা চহি অমতগী মচাশিং ওইমিন্নবা ওইনা লৌজে। অদুগা মৈদিংঙুসিদি খৃ: ১৬৪৫(শক ১৫৬৭)তা পোকখি [চৈথা: কুম, ২০০৫,৪১] হায়না পীবীরম্মী। মরম অসিনা মরাম চনু ঈংঙাল্লেসি খৃ: ১৬৪৫ দা নত্রগা ১৬৪৬/১৬৪৭ তা পোকখিরম্বা য়াই নত্রগা মতুং চহি ৩/৪ গী মতমদা, খৃ: ১৬৪৮/১৬৪৯ দা পোকখিরম্বা য়াই হায়বা ৱাফম থমজরি। চীঙমী খুন্দা পোকপী ওইদুনসু নুংশিবা মায়থোং পুবী ওইনা অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী ওইরকখি।

ঈংঙাল্লেনা পাইখোম্বগা লোইন-তীন্নরকপা

ঈংঙাল্লে নোংমা নোংমগী খঙহৌদনা চাওরকপসিনা নুজা ওইবীগী হকচাং কায়াৎশিং মপুঙ-মরৈ ফারক্লে, মায়থোং থাজগুম ঙাল্লক্লে অমসুং মশাগী চহি ১৪/১৫ (তরামরি-তরামঙা) শুরক্লে। অদু ওইরবসু মতোম্‌তা নাইতোম তোমপোকপীনিনা মরাম চীঙমী খুন অদুদা হাইনা-হুম্না মনীঙ-মখা তন্না মশুঙ-মমান্নবা মখোয়নৌ-মতারোইশিং অমসুং মরাম পাখং মবুংঙাই-মপ্পাঙাইশিংগী মরক্তা পুন্সিগী ইনখৎলকপা মতমদু লেল্লি। শাবী-শানৌ শীঙদা চল্লবসু থম্মোইদা অপাম-নুংশিবগী মশক লীংখৎত্রি। হায়রিবা নহা ওইবগী পুক্নীঙ-ৱাখলগী পামেল চীঙথ্রাও শীঙঙেলনা লৈকা হাইদোক্লকপা, থম্মোই থম্বালনা

লৈনা ফল্লকপা অমসুং নুজা শমু হকচাংগী উথম্বালনা লৈনম চেল্লকপা মতমসিদা নোংমগী কোরৌ নোংজা অমদা পন্থৌগী শুম্মাঙ মথৌবুঙ, কংলে মশাইগোন্দা মহাক্না চহি লোনগা ওইগদবা নত্রগা চহি অমগা-নী হনগদবা চরৈ ফিজেৎ মোৎতা-চুদানবা, চেংলৌ শরুদি চরৈগী মপান তাংদবা, নমু মীতোপ লম্লানবা ওইবা পাখং অমা পন্থৌ খুল্লাকপগী শমু মমাওদা লেপ্লরে। পাখং মহাক্না মপন পন্থৌ খুল্লাকপগা ৱারী-ৱাতাই শানরকপদা "তাম্লবা লমদমদগী শীল্লংবা লাকপনি, পীতৎ-পাদৎলে, অরৈবা থবক পীবীয়ু, শূজগে" হায়না হায়বা তাখি। চেংলৌ শকহেন্না নহাগী মতম ওইবা, পুমবুম্নবা হকচাং কায়াৎশিংগী উনৌ কোনদেগুম্বা মতৌদু উবদা মীনুংশি পোকক্লবা মরাম খুল্লাকপনা— "ঈমোম লাংলেন অমতং লৈজৈ ঈপারী ঈচানুপা লৈজদে, ঈপারী শকনা য়োকচগে, ঙসিদগী খুল্লকপা ঐগী য়ুমসিদা লৈরো, ঈমোম-লাংলেনগা নবুং-নচন শকখঙনরো, করিগী শীল্লংবগী থবক শূরুগদবগে?" —হায়দুনা পন্থৌ মপা খুল্লাকপনা ঈংঙাল্লৈবু কৌথোক্তুনা মবুং-মচন ওইনা শকখঙ-মায়খঙনহল্লে। অদুগা— নবুংসে ঙসিদগী ঈমোমগী নবুং ওইরবনি, ঈপাগী ঈয়ুম-ঈকাইনুংদা পুশিল্লো, মহাক্কী কা অমা পীরো, তরা চাক পীজরো, হাওদৈ অথুম্বা পীথক্লো, নুংঙাই-মরাং কায়না পোথাহল্লো! অদুগা নবুং-নচন্না মোংবা য়ুমসি শঙলম-ঙাক্রুম্মু, পল্লেম নমা খুল্লাকপীগা পন্থৌ নপা ঐগদি লোইবী ঐখোয়গী পামলৌ শূরুগে, হোরেন তোনবা নারন চনখিদুনা অঙানবা ময়ুম চঙখ্রগা হল্লক্কে" হায়দুনা মপন পন্থৌ খুল্লাকপনা মবুংঙাইবা পাখংদু ঈংঙাল্লৈদা শিন্নরম্লগা খুল্লাকপা-খুল্লাকপী অনিদি মখোয়গী পামলৌদা চৎখরে।

মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা পন্থৌ মপানা শিন্নরম্বদগী নুমিত্তুদদা শকখঙনরিবা অমসুং উনরিবা পাখংদুবু ময়ুম মশঙ্গায়দা পুশিন্দুনা হায়রম-শিন্নরম্বা পুন্নমক পাংথোক্লে। অদুগা নুজা ওইবী মপোক্কী লৈতেং ওইজবী ঈকাইবনা থত্তুনসু ময়ুমদা লোইনদুনা লৈমিন্নগদৌরিবনিনা খঙদবা য়াদবা পাখংগী কোল্লোয়-মিং, অপোকপা-অপোকপীগী মমিং মিংলেনশিং, পোইরৈ লমদম কদায়দগী, করি লমদগী লাকপনো, অসিনচিংবদু হংজরে, অমসুং নিংঙোন মহাক্কী তাকপা য়াবা, খঙহনবগী মথৌ তাবশিংদু খঙহল্লে। পাখং ওইবা অদুনা মহাক্না পাল্লিবা পান্দমগী মখাদা শেম-শাবা মশাগী শক্তাকপগী ৱাহংশিংগী পাউখুমশিং পুন্নমক পীরে। নুরা পাখং অনিনা পলেম-পন্থৌনা পামদা চৎখিবা মতম পুন্নমক্তা য়ুম শঙমিন্না, কাংলুপকী অমদি খুনগী লৈঙাক-খুনঙাক থৌশিংগী, কুমওন-কুমচৎকী হরাউ-নুংঙাইগী থৌরমশিং অমসুং খ্বাইগী অমদি লন্নাইগী মথৌ তাবা থৌশীন অমসুং থৌরাংশিং পুন্নমক শরুক য়ামিন্নদুনা লেনমিন্নরকপা লোইদাম থাবুম মরি-মঙা শুরক্লে। কৌরৌ নুমিৎনা হৌখ্র-হৌখ্রগা শাবী-শানৌ অনিগী মরক্তা অমগা অমগা চিংশিন্নবগী চাং হেনগৎলকই, নকশিন্নবগী লম, চঙশিন্নবগী থাক হেনগৎনরকখি।

মবুং-মচন ওইনা শকখঙনখিবদু নুংশি-নুংওনগী শাবী-শানৌ ওইনরকখিরম্মী, অমনা অমদা থৰাই-হকচাং, মপোক-লাংওন, পুন্সি-শানওননচিংবা পুম্নমক খাক্তনা কখোক্লরকখিরম্মী। অদুবু অরোনবা থবক্কী পান্দমদি অদুম্মক অরোনবদু ঙাক্তুনা থন্নখি।

অরোনবনা ফোঙনরকপা

মরাম চীঙমী খুল্লেন্দা লোইবী মবুং শারিবা নুজা থম্মোইনুংগীদি মশাবী লোইয়ুম্বদো অরোনবা শক্তম অমনি। হায়রিবা শক্তমসিগী অশেংবা-অচুম্বা মশক্তি নুজা মহাক্তি খঙজদ্রি। খোইয়ুম লাইনা লোৎপা নত্তে, নমু তাইবং মীনা মপা-মতোনগী মরূ খুন্ননবা অরোনবা খোঙফমদা অরোৎপা শকফম শাদুনা লাকখিবনি। অদুবু চীঙঙু মাগী থৌশীন্না অরোৎপা মাঞ্জগা অফোঙবী শানৌ লৈরাংগা থম্মোই থম্মোই শিন্নখ্রে। মরাম খুল্লাকপা-খুল্লাকপী অনিদি খঙদ্রি, মবুং-মচন ওইনা অদুম মউরি।

নোংমগী কোরৌ নুমিৎ, মরাম খুল্লাকপা-খুল্লাকপী অনিনা লোইবী পামলৌগী লৌশঙ-কাইদা য়াইরেক-নোংলেনগনি হায়দুনা মোংবা মশঙ্গায় থাদোক্তুনা চৎখিবদা লোইবী চনু ঈংঙাল্লৈনা মহৌশাগুম মশাবী মবুং শাবগা মোংবা ময়ুম শঙহৌরি। কোরৌদুগী নুমিদাংৰাই য়াচঙলকপা মতমদা মরাম চনুনা নুমিদাংগী তরা চাকথোংনবা থৌরাং তৌরি। মতমসিদা মপন খুল্লাকপগী ঈমুংগী শগাই পাবনথক্তা কোদ্রোক-কোদ্রোক লাউবা মখোল অমা ৰাংলেন পুঙখায় অমরোম হৌনা থোক্তুনা ঈমুংদুদা পুমনীন নীল্লম্মী। মখোন অদু তাবদা লোইবী মবুং শারিবা হেম্বা পাখংদুনা পুক্নীঙ অকি-তুজুংনা তাদুনা লৈরম্মী। মখোল অদুনা লেপথ্রবদা মহাক্না মচন শাবী মশানৌ ঈংঙাল্লৈদা মখোন্দুগী মরমদা ৰাহং-পাউহংলম্মী। মদুদা ঈংঙাল্লৈনা পাউখুম পীরকখি— "মখোল অসি পলেম-পম্বৌনা য়ুমদা লৈবা মতমদসু থোক্লক-তারকই, অতৈ মতমদা মরক মরক্তসু তৌরকই। মসি পোইরৈ মৈতৈগী কংলৈগী নিংথৌ মচা মশূ অমসুং ফম্নাইবা লাল্লোইশিংগী অককপা তাংজা লুরেনশিং তাবুনুং-লুবাক্লুংদা হাপ্তুনা লুখা থানবা থম্বশিংদুনা মরক্তা মথক থংবা তান্নবগী চোংনা ইন্নবদা থোক্লপা মখোন্নি"—মহাক্কী ৰাহৈশিংদু তাবদা মবুং শাবা মশাবীদুনা খঙনীঙনা মখা তারকখি— "ঈশানৌ-ও! নহাক্না হায়রিবশিং অমদি করম্না, কনাদগী তাহৌ-খঙহৌরিবনো"? মদুদা মশানৌ ঈংঙাল্লৈনা মখা তানা পাউখুম্লকখি— "মদুগী মরমদি কোরৌ নোংমা অমা পল্লেম পাম্বৌগা লোইননা লৈরিঙৈদা মখোল অসি হৌনা-লাউনা তারকখি। মদুদা ঐনা হংজবদা পম্বৌ-ঈপানা তাকপীবদগী খঙজবনি, মরু ওইরিবদি লুরেন মকোক অহুমন্নি, ৰাংঙম মৈতৈ নিংথৌগী মশানৌ ৰাঙ্গোন নিংথৌ তোন্নাম্বা কৌবগা, মপারী সনা হিহোন খুল্লাকপা কৌবগা মনাউ ঈবুংঙো মপারী চামা ফাবা কৌবগা অহুমসিগী লুরেনশিংসিনি। অদুগা অঙম-অথৌ খরগগী লুরেনশিংসু হাপ্লিবনি, হায়;

লুরেনশিংসি চহি অহুমলোমগী মমাঙদা মখোয়না মরাম খুন্দা লোইপোৎ থৌবা লাকপদা ঈপা মরাম খুল্লাকপনা মরাম খুঞ্জা লাল্লোইশিংগা লোইননা লমলেন থিংবা কারোংদা মখোয়গা লান শোক্লবদা মরাম্না অহিংদা নুঙ ইঙ্খদুনা লান্দাবদা লানঙমদুনা লুরেনশিংসি কল্লগা পুরক্তুনা থমখিবনি", হায়না তাকপীখি। হায়রিবা পাউখুমসি তারবদা অরোনবা অমসুং অরোৎপা পোৎশকশিং অসি থিরক্লিবা মবুং শাবা পাখংদুনা, অদুদি লুরেনশিংসিনা করি তৌনগদৌরিবনো অমসুং মখোয়দুগী মীশকশিং অদুগী লুরেনশিংদি করম করম্বনা কনা-কনাগীনো হায়বদুদি করম্না মশক খঙগদৌরিবগে?" হায়না অমুক হংলকখিরম্মী। মদুদা ঈংঙাল্লৈনা— "লুরেনশিং অসি ঐখোয়গী চৎনবী মতুং ঈপা খুল্লাকপনা শিরবদা মহাক্কী থৱাইদুনা অশি-লৈপাক্তা চৎপদা অমদি লৈরব্বদা লুরেনশিংসিগী মপু ওইবা মীওইশিং অদুগী য়াইবী থৱাইশিংদুনা মহাক্না লোইননবা অমসুং মহাক্কী থৌগল তৌরুনবা লুখা থানগদৌরিবনি, হায়বদি মহাক্কী অশিবা হকচাংগী কোক্কী/লুরেনগী মখাদা থম্লগা অশিবা হকচাং অদু ফুমগদৌরিবনি,; অদুগা লুরেনশিং অসিগী মীশক খঙ্গনবগী ৱাফমদুদি মখোয়সি মথক থংবা তাননৈ হায়খিবদুনি, অদুগা খ্বাইদগী মথক ঈথং থংবদুনা নিংথৌ মচা তোন্নাম্বগীনি মথংনা মচানুপা সনা হিহোন খুল্লাকপগী, মদুগী মথংনা মচানুপাগী মনাউ চামা ফাবগী অমসুং মদুশিংদুগী মখাদা লৈবশিংদুনা অঙম-অথৌশিং অদুগী মফম ফমথোনগী চাওবা-পীকপগী মতুং ইন্না মথক-মখা লৈনবনি— হায়না খুম্লকখিরম্মী।

মতম অসিদা মশক লোৎলিবা মবুং শাবনা খঙ্দদুনা মমল য়াম্লবা অরোৎ-অরোনগী ওইবা অককপা কোক্কী অকংবা লুরেনশিং অদুবু কনা অমতনা মরূ খুনবা লাক্তবরা, অদুগা মদুশিংদু লৌরদ্রিবনা করিগীনো, লৌরনবগী পাঙ্গল লৈত্রিবনা করিগীনো, অসিনচিংবগী ৱাহং কয়া থম্লকপদা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা লুরেনশিংদু থম্বগী চেকশিন থৌরাং, চেকশিন পাম্বে অমসুং য়েক্লবনা মরাম খুঞ্জাও চঙলকপদা শাবাউ-লানবাউ তাকপীরকপগী অরোনবা মরমশিং— মরাম খুল্লাকপগী য়াইম্বুঙ অচৌবা, মথন্তা য়েজরকপা (মখোন থোকচরকপা) অদুগী মরম পুন্নমক লীদুনা তাহনখি। মদু পুন্নমক তারবা মতুংদা শকলোৎপা পাখংদুনা পুন্নমক্তু ফৈ, লাইবক ফবনি! "হায়দুনা থাগৎলগা ৱাফমশিংদু তুমিন্না মতম খরদুগী থমখরে।

মশক তাকথোকপা

মশক লোত্তুনা মরাম খুঞ্জাওদা লৈররিবা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈগী মবুং শাবা নুজা থম্মোইনুংগীদি মথংলেন মমান-মচা অসি তুংলমচত্তা মৈতৈ কংলৈ নিংথৌ ফম্বালদা ফম্লগদবা লাইনিংথৌ পাইখোম্বনি। মহাক্না মরাম খুঙ্গংদা লাক্লিবা অমসুং লৈররিবসি মথক্তা পনখিবা মৈতৈ নিংথৌ খুঞ্জাওব (খৃ:১৬৫২-৬৬)কী মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙুচা

তোন্নাম্বা নত্রগা তোনাবা অমসুং মহাক্কী মচাঈবুংঙো অনি সনাহিহোন খুল্লাকপা অমদি চাফবা অহুমসিগী মরূ খুনগে অমসুং লুরেনশিং অসি হন্দোক্কে নত্রগা লৌগে হায়দুনা অকনবা অনীঙবা অমসুং অচেৎপা ৱাশক/নামুংবা অমগা লোইননা লাকপনি। মরমদি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মচা তোন্নাম্বা/তোন্নাবা অসি লাইনিংথৌ পাইখোম্বগী অপোকপা পন্থৌ মপানি অমসুং সনাহিহোন খুল্লাকপা অমদি চাফবা অনিসিনা লাইনিংথৌসিগী পোকমিন্নবা ময়াম্বুংশিংনি। অদুবু মৈদিংঙুচা তোন্নাম্বা/তোনাবা, মৈদিংঙু পাইখোম্বগী মপন পন্থৌসি খৃ:১৮৭৪দা শি হায়না চৈথারোল কুম্বাবনা পীরি [চৈথা:কুম:, ২০০৫,৪৮]। অদুগা ঈংঙাল্লৈগী থৌদোক অসিগী ওইনা মৈদিংঙুচা তোন্নাম্বা/তোনাবা, মচাঈবুংঙোশিং সনাহিহোন খুল্লাকপা অমসুং চামা ফাবনা শিবগী মরামদা লোই থৌবা চৎপা, লানশোক্নবা অমদি শিবগী পীবীরল্লিবা কুমশীঙসি খৃ:১৬৬৩ (চৈথারোল কুম্বাবদা চহি অমা হেনগৎনা পাবনা খৃ:১৬৬৪)নি [নিং:ম:,১৯৯৪,৯৯-১০২]। তরুং লাইরেম্মা, মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা ওইখিবসি লাৎলমদ্রবদি চৈথারোল কুম্বাবগী কুমশীঙসি লৌজরমগদবনি। অদুবু লাইরেম্মসি কুম কাংদনা কুমওন খুদিংগী মৈতৈগী চহি হৌবা নুমিৎ (New Year's Day) তা লাইথৌ তৌদুনা থৌনীরিবনিনা চৈথারোল কুম্বাবগী কুমশীঙসি চৎনবা য়াদবা ওইবনা লৌজদ্রে। অদুগা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মরাম খুল্লেন্দা লাক্লিবসি মরাম লান অসিগী মতুং চহি অহুম লৈরগা মশাগী চহি ২০ (নত্রগা ২১) দা লাকপনি।

মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মপন-মপাবুং মৈদিংঙু খুনজাওবনা থুপখিদুনা মহাকপু লৈপাক্লনা নিংথৌ হেক হাপ্লগা মনাউ ঈবুংঙো অমসুং অঙম-অথৌ খরগা অরোনবা থৌরাং শীন্নদুনা পোইরৈ কোনুং কংলাদা নিংথৌ লৈতে হায়বা অতৈ বন্দাদসু খঙহন্দনবা থৌশীন্নরগা লাইনিংথৌ মতোমতা ফিজম শেত্তুনা মীচম শারগা কোনুং থাদোক্নুনা লাকখিবনি, হায়রিবা মপন পন্থৌ অপোকপগী অমসুং ময়াম্বুং ঈবুংঙো অনিগী লুরেনশিংসিগী খোঙ্গুল লীরকখিবনি। হৌজিক মৈদিংঙুসিনা শকলোত্তুনা মরাম চনুসিগী মফমদগী মহাক্লা থিরক্লিবশিংদুগী লৈফম খঙলে অমসুং মদুশিংদুগী লৌন-ফংনবগী চেকশিন থৌরাং অমসুং ঙারুবা উকন-হাক্নগী পাম্বৈশিং খঙলে। অদুবু মহাক্লা চমজরবী ঈংঙাল্লৈগী থাজবা মাঙহন্দুনা, মহাকপু লৌনম তৌবীদুনা অমসুং মশাগী নুংশিববু মীনমদুনা করম্না থবক পায়খৎকনি। তৌদবা য়াদ্রবা মথৌগী থৌদাং লৌদুনা লাকপনি, মীনম-শরৌ লাংথাক্কী পাম্বৈনা মায়পাকপগী মনা পুদুনা করম্না কংলৈ পুঙময়োন্দা হনগনি, নৌজরিবী লৈরাং মাদি লৌনম লাংদা থুহনবা, খোঙয়াগী উফুল্লক্তা লৈনা চোয়না তাহৌদুনা মীনুংশি খঙদনা নেৎখায়বীখ্রগনি। অসুম্না ৱাখলশিংসিনা লাকহত্তুনা মৈদিংঙুসি তুম্বা চাবা চঙদনা অৱাবা মৈশা লাংলে। ফোঙদোকপসু ঙমদা ফোঙদোক্তবসু য়ারোয়দবগী মথৌ লৈবদুদা লৌনম চাওবা তাদুনা নুজা মাঙদা চাং তাগদবদু খনবদা ওমচারুবনসু

মায়থোং অদু কাহৎলে। মচী মচী খুদিং ফুম্বগননা লেপ্পুনা উংদুনা লৈরক্লে। মায়থোংনা নোংমদোন্দা যেংদুনা তৌফম খঙদনা কোরৌ শীঙবুম নোংমা-নিনী লেল্লক্লে।

মরাম নিংঙোন ঈংঙাল্লৈনা মশাবীগী ওইরিবা মতৌদু উরক্লে। মহাক্কী অকায়বা করি লৈবনা মশাবী মহাক্না অসুপ মৈশা লাংলিবনো, খনবা মখৈ খল্লুরগা চীন্না থোক্না হংলক্লে। করিসু তৌদে খুন্নম্বদগী অৱাবা মৈচাক্তু কোকহনবা ঙমগদবা, মহাকপু মতেং পাংবীবা ঙমগদবদি নুজা মহাক্তনি খন্দুনা মহাক্কী অৱাবগী মরম খঙগে হায়রবদি নমু কনা অমতদা তাইবং কনাদসু হায়দোক্লোয় হায়দুনা শরী নামুংহল্লে, ৱাশক পরৈ লৈহল্লে। নুজা ওইবী মহাক্না নুংশিজবগী ময়াইনা নিংঙোন য়াইবী থারবসু তাইবং কনাদা হায়দোক্লোয় হায়না শরী পন্দোম লোমখরে। মতমদুদা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মহাক কনানো, করিদমক মরাম খুন্দা লাকপনো, হায়নবচিংবা অরোনবা অমসুং অরোৎপা পুন্নমক্তু হায়দোক্লে। মশানৌ মহাকপু থম্মোই শেংনা নুংশিজবা, পোইরৈ মৈতৈলৈমগী ফম্বালদা ঙালহন্দুনা নুংশি লৈপুন ওইনীঙবা পুন্নমক্তু ফোঙদোক্লে। অদুগা মহাক্না পাংথোক্কে লাক্লিবা মথৌ থৌদাং, মদু পাংথোক্ত্রবদি পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা হন্নীঙদবা অমসুং পাংথোক্কে নীঙলিবা মথৌ থৌদাংদু পাংথোকপা ঙম্নবা মতেং পীবীনবা নীজরক্লে।

নুংশিজবা মহাক্কী অশেংবা চেংলৌ মশক খঙলক্লবা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙুনি, শক খঙলক্লবা মিৎকুপ্তুদা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা কাংলুপকী য়েক্লবগী ৱাখল থাদোক্তুনা নুংশিবা মতুং ইনগনি, নীঙলিবা থবক্তু পাংথোক্লবা মতেং খুদিংমক পাংগনি, নুজা থৌদাংনি খনগনি, য়ুমগী মৌগী মথৌ-থৌগায়নি নীঙগনি, হায়দুনা অমুক হন্না শরী নামুংলে। অদুগা মৈদিংঙু লাইনিংথৌ পাইখোম্বনসু মশানৌ ঈংঙাল্লে মহাকপু পোইরৈ মৈতৈলৈমগী ফমথোন হাপকনি, লৈমক্লেন ফম্বাল ফমহন্নগনি হায়দুনা চীঙঙু লাইবু খুদম থমদুনা শরী নামুং শোনখরে। শাবী-শানৌ অনিমক অপাম-নুংশি ৱাইথুংনরবগুম পুক্নীঙ মকা লাম্নরে।

লাইনিংথৌ পাইখোম্বা অমসুং মরাম চনু ঈংঙাল্লৈনা মৈদিংঙুগী অনীঙবা পান্দম ফংনবা, থবক-থৌরম পাংথোক্লনবা অমসুং নুংশি ৱাইথুং-পম্থুংননবা থৌশীন-থৌরাং খন্নরে, করন্না থৌরাং লৌখৎকদবগে, করি থবক্না হাননা খুৎমাগদবগে অমসুং মনা-মনীন নাইদনা করন্না থবক মায় পাক্কদবগে হায়বদুগী খুদোংচাবা য়েংদুনা থবক্তা খুৎ থাবা হৌরক্লে। পম্থৌ মরাম খুল্লাকপা অমদি পল্লেম মরাম খুল্লাকপী অনিনা পামলৌ লৌশঙদা লৈখ্রি-লেকখ্রিঙৈদা মতোমতা য়ৈজরক্তুনা পম্থৌ খুল্লাকপগী শগাই পাবনথক্তা য়েক্লবা চঙলক্লে তাক্লক্কদবা য়াইবুঙ লাইওইবা অদুগী পুঙমায়শিংদু শেগায়-হোগায়রে, মপা খুল্লাকপগী ফমুংগী লুখুমগী ফক্লাংদা য়াল্লিবা চীঙঙু সরারেন, অঙোম পুরৈরোম্বগী অখাক-অরাউ লোইননা লীরুং অমসুং তেঞ্জৈ হাপ্‌-য়াওবা তেন্দোং হীওই য়াইওইবসু লৌথোক্তুনা লেঙবান্দা য়ান, নমদা পোশিল্লে। অদুগা খুল্লাকপগী শগাই পাবনথক্তা থম্বা

লুবাক তাবুনুংদগী মথক থংবা লুরেন অহুমদু চরৈ ফি অমনা য়োমদুনা ঙক্তা কিশিল-য়ানশিল্লগা মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং মশানৌ ঈংঙাল্লে অনিনা খুৎলৈ-খোঙলৈ থুনা মরাম খুল্লাকপগী মোংবা ময়ুম থাদোক্তুনা থিংবা কারোং তম্না চেল্লক্লে। অসুম্না মখোয় অনিনা চেল্লকপগী মতমসিদা পামলৌগী লৌশঙদা লৈরিবা মরাম খুল্লাকপগী মশাদা চীঙঙু লাইনা ফত্তবা থোকপগী খুদম পীবগুম্না করিগুম্বা অমা ফাওরক্লম্মী। অদুনা ময়ুমদা কারসি হায়দুনা থুনা-য়াঙনা কারক্লম্মী।

মরাম খুল্লাকপনা ময়ুম মোংবা মশাইগোন্দা থুংলবা মতমদা তৌরম্লিবা মতৌশিংদু উরুবদা অঙাং অনিদু চেনখ্রে হায়বা খঙদুনা মরামগী লান্মীশিং খোমদুনা তান্নক্লে। চীঙলম্বীদু মৈদিংঙু পাইখোম্বদি চৎফম খোঙদোইফম খঙদদুনা লমদল্লম্মী অদুবু ঈংঙাল্লেনা লমজিংদুনা চীঙলক্তুদা লাকপনা নুমিৎ তারকপা মতমদা থিংবা কারোংগী ঈশিংখোং মপান্দা থুংলম্মী। মফমদুদা অহিংদু লেন্ননবা লৈরিঙৈদা তান্নরকপা মরাম লান্মীশিংনা তানখৎলক্তুনা মখোয় অনিবু কোয়শিনখিরম্মী। অদুবু ঈংঙাল্লেনা মৈদিংঙুগী পুক্নীঙদা থৌনা য়াকায়হন্দুনা অঙোম পুরৈরোম্বগী অখাক-অরাউ য়াওবা লীরুং-তেন্দু শীজিন্নদুনা মশা ঙাকথোকচবা ঙমখি। অদুগা মরাম লান্মীশিং অদুনা অহিংদুগী খুদোংচাদ্রবা লান অদুদা পোইরৈ মৈতৈগী লান্মীশিং লাক্ল-থুংলরবদি হেন্না খুদোং চাররোয় হায়না খন্নদুনা অহিংদুগী নোংঙান্দ্রিঙৈদা থিংবা কারোং থাদোক্তুনা চৎখ্রে। অসুম্না মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং ঈংঙাল্লেগী অশোয়-অঙাম থোক্কদবদগী কোকখি।

নোংঙাল্লগা মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং ঈংঙাল্লে অনিনা থিংবা কারোংগী পনশাং তুংওইনরম্লগা তুরেন অচৌবা (ইম্ফাল তুরেন) লাম্থোক্তুনা কৈথেন মানবী তাদুনা কৌব্রু চীঙশাং পরেংগী শোঙল-শোঙলবা চীঙনুং-মাননুং, লোক্নুং লাইচম্নুং কয়া শম-লান্দুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী কংলৈ লমদম (Urban area) তম্না লাকখিরম্মী। অসুম্না লমশাং শীৎনা লাকপনা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা চারীয়া লোক্কী খোংনাং মখোঙদা থুংলম্মী। মফমদুদা ঈংঙাল্লেনা মশাবীবু চয়োম পুথোক্তুনা পীজখি। অদুদগী মফমদুবু "চরা ৱানফম" কৌখিরম্মী, অদুবু মতুংদদি কুরাউ পোকপী হায়না খঙনখি [মথক্কীসিদা, ১৩৫]। কুরাউ পোকপী তুংওইনরম্লগা লাকপনা মপা চীঙজেংগী চীঙমৈদা তুরেন অচৌবগী মপান্দা থুংলরম্মী। মফমদুদা ঈংঙাল্লেবু লৈরম্মু, মহাক কংলা কোনুংদা চঙলুখিগে, মহাক্কী থুংফম-লৈফম থৌরাং তৌরুখিগে" হায়দুনা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা হায়রম্লগা কোনুংলোমদা চৎখিরম্মী। অদুগা মরাম চনু ঈংঙাল্লেনা মশাবীবু ঙাইদুনা লৈরমখিবা মফম অদুবু "অৱা কোক্না হিথাথেন" কৌরম্বদগী "অৱাং চাওগোল ঈরেল/হিদেন" হায়না খঙনখি [মথক্কীসিদা, ১৩৬]। ৱাংলেন পুঙ্গোয় খর লৈরগা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা থুনমক মফমদুদা লাক্লগা মশানৌ ঈংঙাল্লেবু লৌরদুনা পোইরৈ সনা কোনুংদা

থুংলখি। অদুগা মশানৌ ঈংঙাল্লেগীদমক্তা নোংমা ফাওবা চঙদনা শাবা শঙলেন, নোংমা লেনদা-চঙদবা শঙ, "নোংলেনশঙ" হায়না থোনবা শঙ অদুদা মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং মনাউ ঈবুংঙো তোনশেনঙম্বা অনিনা থিঞ্জিন্দুনা লৈহনখি। মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মচা অমা ওইবগী মপা ঈবুংঙোগী মরূ খুনফম থোকপা মথৌদাং পাংথোক্তুনা হল্লক্লগা কংলা ফম্বালদা অমুক হন্না ঙানথোইরখি।

কংলা ফম্বাল তোংফদবা

মরাম চনু ঈংঙাল্লে, পোইরৈ মৈতে কংলা কোনুংদা মশাগী মোংবা শঙ্গায় শাদুনা লৈখ্রে। মহাকপু পোকপা পলেম-পম্বৌদি মরাম মচীঙ মশাইগোন্দা মমোমগী কায়না মৈচাক খাঙদুনা লেনখ্রে। মৈদিংঙুগী মপন পম্বৌ মৈদিংঙুচা তোন্নাম্বা/ তোনাবা অমসুং মৈদিংঙুগী ময়াম্বুং ঈবুংঙো অনিগী মংলেন মংজনবগী অশি লাইথৌ পাংথোকপা লোয়খ্রে। মতুং তারকপা লৈপাক্কী থৌরমদা মৈদিংঙুগী কংলা ফম্বাল তোংনবগী ৱাফম খন্নরক্লে। মৈদিংঙুনা ফম্বাল কাবদা মৈতৈলৈমা ওইনা মৈদিংঙুগী তাল্লোই ওইবী পোইরৈ মৈত্রবাক্কীনা লৈবাক খ্বাইগী মমা ওইগদবী অমা ফম্বাল কাবদুদা য়াওগদবনি, ফম্বাল কামিন্নগদবনি/ তোংমিন্নগদবনি। ৱাফম অদুদা মৈদিংঙুনা লোইবী মরাম চনু নীঙথীবী ঈংঙাল্লেগী মমিংবু পুথোক্তুনা লৈপাক মীয়ামগী মমাঙদা থল্লে। অদুবু পোইরৈ অঙম-অথৌশিং অমসুং মায়চৌ-য়োয়রেনশিংনা মরাম চনু ঈংঙাল্লে, পোইরৈ মৈত্রবাক্কী অমসুং ৱাংঙম নিংথৌ শাগেগী থৌদাং-থৌগায় মরু ওইবদি পাংথোক্লে অদুবু নুরা মহাক্তি লৈমরেন ফম্বাল কাবা মৈতৈলৈমা ওইবদি মৈতে চৎলম ৱায়েন্না নামুংঙি হায়দুনা অথিংবা পীরে [নিং:ম:,১৯৯৪,১৩৮-৪৩]। লৈপাক্কী অথিংবা কংলা ফম্বাল তোংফদবগী ৱাফম অসিদা নত্তনা মরাম চনু ঈংঙাল্লেবু মৈদিংঙু মশা খঙহন্দনা কংলা কোনুংগী লমখৈ মনুংদগী লোন্না তানথোক্লবা মৈদিংঙুগা নরুন্দনবগী অরোনবা ৱাফমগী ৱারেপ লৈপাক পুবা অঙম্বশিংনা তানখ্রে [মথক্কীসিদা,১৪৩]।

মৈদিংঙু পাইখোম্বনা ঈংঙাল্লেবু পোইরৈ চৎলম-লুপতীন্না মৈতৈলৈমা ওইবা য়াদে হায়না থিংবা অসিনা নীঙবা কায়বা অমসুং শরী-ৱাশক ঙাকঙমদবনা মরম ওইদুনা তুফক-তুফাই চন্দুনা লৈখরে। অমরোমদা ঈংঙাল্লেনা পামজরিবদি মৈতৈলৈমা ওইবা লৈমরেন ফম্বাল ফম্বা অদু নত্তে, নুংশিবা মনাক্তা পামু শেগা থুপ্পা লৈজবা অদুতনি। মপাম মরাম লমদম, নুংশিরবা পলেম-পম্বৌ থাদোক্লমদুনা নুংশিবা মতুং ইঞ্জরকপা মরম অদুখক্তগীনি। অদুবু তাইয়োন্নবা নোংদম্বগী নোংদমখোন্না লৈপাক চৎলম-লুপতীন্না শৌ ওইদুনা নুজা মায়থোং মকশিলহল্লে। অদুবু হিংলিবা পুন্সিনিনা হিংলিবা মখৈদি অৱাবদু খাঙবা তাই। মায়কৈ অমরোমদা মতমগী লেপত্রবা খোঙজেন্দা থৌদোক-ৱাথোক্কী পরীংনা মীওইবগী অনীঙবা-অপাম্ববু মশক কয়াদা ওঙ্গোকপীবনা কনানা হরাউ' মীনোক তম্বা, কনা অমনা

মিৎলুগী পীরাং থক্তুনা অৱা-পুন্সি লোম্লখি। শরী-নামুংবগী ৱাশক্লা পুল্লবা মৈদিংঙু পাইখোম্বনদি লৈপাক্কী মীৱা-মীশাও লাংলবসু মরাম চনু ঈংঙাল্লৈবু থাদোক্কে হায়না খক খনখিদে, মনাক্তগী খক লাপথোক্লা থমখিদে। অদুবু লৈপাক মীয়ামগী খুজীন্দি খুদোংচাবা ঙাইবনি, থৌপু-থৌপাংগদৌরিবশিংগী শরৌ-লাংলৌদি থৌদোক্কী তাঞ্জা ঙাইবনি।

পাইখোম্বা, ঈংঙাল্লৈ শেংন-খায়নবা

মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং ঈংঙাল্লৈ মৈতৈ পোইরৈগী কংলৈ কোনুং কংলাগী লমকন মনুংদা মৈদিংঙুগী শঙ্গায়রেন অমসুং কোরৌ নোংলেনশঙদা লৈরি। লৈপাক খ্বাইনা পামদ্রবসু মখোয় অনি উনবা অমসুং ৱারী-ৱাতাই শাবদা কনানসু অথিং-অয়েৎপা পীবা ঙমদে। য়ানীঙদবশিংনা মতৈ-মনাউ অনিসিবু লাপথোক্লহন্নবা শীন্নবগী থবক তৌনা-পাংথোক্লবা শিন্নবা মীশিংনা লোননা য়েংবা নত্তনা করিসু হায়রুবা ঙমদে। অদুবু তেংবানবা মপুনা তমখ্রবা নোংদমদুদি শোয়দনা থোক্লকখি। খৃ: ১৬৬৮ দা মকেঙ থাংগাল হাওনা লানহৌ-লানতৌনবগী ঈরাং কন্না তৌরম্মী (চৈথারোল কুম্বাবদা খৃ: ১৬৬৯ ওইফম থোকই, হায়রিবা চহিসিগী মমাঙ অমসুং মতুংগী চহি ৫/৫গী মতমদা থৌদোকসি থোকখিবগী অইবা ৱারোন লৈতে)। মদুদা ঈরাংদু নমথনবা ময়াম্বুং তাংখোম্বগী মখাদা লান্মী খর থাদুনা মকেঙ থঙ্গালদা চৎখি। অদুবু ময়াম্বুংনা খোঙশানখিবা মতুং নুমিৎ হুমনি শুবদা মৈতৈগী খোঙমী-লান্মীশিংবু মকেঙ থাঙ্গালগী লান্মীশিংনা লাঙ্গোয় চনখ্রে, হায়বা লানবাউ মৈতৈ কোনুংদা য়ৌরক্লম্মী। মদুদা লাইনিংথৌ পাইখোম্বা মশামক্লা মৈতৈগী লান্মী তেঙ্গোন পুদুনা ময়াম্বুং অমসুং মৈতৈগী খোঙমী-লান্মীশিংবু লানকন্নবা খোঙলৈ থুনা খোঙহৌ-খোঙশানখিরম্মী। মৈদিংঙুনা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মশানৌ ঈংঙাল্লৈগী মনাক্তা লাক্তুনা মকেঙ থাঙ্গালদা হুইয়েল লান চৎলুখিগে, নোংমা-নিনীদং কংলাদা মতোমতা লৈরম্মু- হায়না তাক্লম্মী। মতমদুদা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী য়ানীঙদবগী শউম ফংলবী ঈংঙাল্লৈনা "মহাক্কী হায়ববু মশাবী মৈদিংঙু নত্তনা কনাসু লৈজদে, মশাবীনা কংলা থাদোকখ্রবা অমসুং পোইরৈ খ্বাইনা মহাকপু মাঙহন্নবা থৌরাং তৌরকপদা মপাম মরাম চীঙদা হনবসু ঙমজরোয়, অতৈ কনাদা চঙজফমসু লৈজদে, অদুনা মতম কুইনা থাদোকপীগনু" হায়না ৱাকৎচরম্মী। মদুদা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মশানৌ লাংতেঙম্বা, শগোল হঞ্জবদা "ঈয়াম্বগী ঈবুংঙো! ঈয়াম্বনা কংলা কোনুংসিদা হল্লক্ত্রিবা ফাওবদি নঙনা শীন্দুনা নতৈমসি থাদোক্তনা কুপ্পা শেন্নরম্মু", হায়না শিন্নরম্মী। অদুগা লম হেল্লবা থাঙ্গাল চীঙমীশিংবু লাকশিন্নবা মৈদিংঙু পাইখোম্বা লান চৎখিরম্মী।

মৈদিংঙুনা কোনুং থাদোকখিবগা মনাউ ঈবুংঙো, লাংতেঙম্বনা ময়াম্বুং নিংথৌগী অকনবা য়াথংদুনা কংলা কোনুংগী ঙমখৈ-লমকন মনুংদা মতৈমা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈবু কদায়দা করি শোয়খিগদবগে, করি করম্বা পোৎ ৱাৎলিবগে, হায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না

অহিং মিংশেন খাঙদু শেন্নরি অমসুং শঙলি। মতমদুদা মকেঙ থাঙ্গান্দা হুইয়েন লানশোকনবগী ঈ-পাউসু ঙাইহাক লৈতনা শগোল-পাউ পাউমীনা পুরক্তুনা তারি। কোরৌ শীঙবুম হুমনী লানশিনখ্রবদা মৈতৈনা লাকচদুনা লানহৌবগী লুচিংবশিং খুদুম চনবগী পাউ তারে, হয়েং কোরৌ নুমিক্তদি মৈদিংঙু কোনুং তম্না খোঙশাল্লক্লগনি হায়বা পাউ হায়ররে। নুমিদাংগী মতম ঙল্লিঙৈদা মনাউ ঈবুংঙো লাংতেঙম্বনা থৌগল তৌদুনা ঈংঙাল্লৈনা মহাক্না লৈরিবা মশঙ্গায় নোংলেনশঙগী মাঙ্গোল্লাংদা ফমদুনা মকেঙ থাঙ্গালগী লানবাউ তাদুনা লৈরম্মী। নুমিদাং মতম থেংজিল্লক্লবদা ঈমুং চঙখিদুনা পোখানবা থৌরাং তৌখ্রে। নুমিদাংগী মতম লোয়খিদুনা অহিংগী মতম লানশিল্লকপা, নোংয়ায় ঈচীক হুনখ্রবদা ঈংঙাল্লৈনা ঙাইহাক উইথরক্লে। মতমদুদা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরিবা লোইরং শীঙখোঙ ওইবা লৈপাক্কী অঙম্বা তরুক্না মমায় ফিনা মায়খুম খুম্লগা নোংলেনগী শাইজীনগী চিরা মরিমক্তা খাম্বী মৈ চুরদুনা মৈ থারক্লে। মদুদা মৈচাক ফম্না চাকখৎলক্লিবা মৈদুগী মৈখোল, মৈনীন অমসুং মৈঙাল ফংলক্লদুনা মরাম চনু ঈংঙাল্লৈ খোমলেন মিকপ থোক্লক্লে। তৌরম্লিবা ফিবমদু উবদা থোঙ হাঙদোক্তুনা মপান্দা চেম্থোক্লগা খোঞ্জেন হৌনা— "মৈ চাকলে, মৈ চাক্লে, কম্না কম্না লৈবগে! অমুক্তা কনবীয়ু" হায়না লাউবা হৌরক্লে। মতমদুনা মাগীনি হায়বা খাম্বী লৈকন্নবা কনাসু চোংথোকপীরক্ত্রে। হান্ননা শীন্নদুনা থাবা মৈনিনা চোংথোক্লক্কদবা, মৈকল্লগদবা মীশিংসু লোয়না ফাজিন-থেমজিনখ্রে।

পোইরৈ মৈতৈগী অঙম্বশিংনা মৈকন্নবা চোংথোক্লকপগী মহুত্তা মরূমদা মশা লোৎশিল্লগা, "মরাম চনু ঈকাইবা খঙদবী, চৎলম-লুপতীন লীংদবী! নহাক্না মৈতৈলৈমা ওইবা ওইথোক্তে, নপাম মায়কৈ পাংহৌরো, নত্রবদি য়াইবী নথরাই মাঙজগনি"— হায়বা অকনবা ৱাহৈনা মীচৈগা লোইননা তাম্থোকপীরক্লে। হন্না য়েংবদা মহাক্কীনি হায়বা মী অমতা উরক্ত্রবদুদা অকি-তুজুংবনা থুমহৎলবী মরাম চনু ঈংঙাল্লৈদু মখোঙনা পুবা মায়কৈদা, হাওরৈ শল্লাই খঙদনা মখোঙ থাংদুনা চৎখরে। ঈংঙাল্লৈবু মখোঙনা পুরক্তুনা অবাং চাওগোল হিদেন্দা থুংলরে। মফমদুদা মহাক্না মশাবী মৈদিংঙু পাইখোম্ববু লাকখিগদ্রা হায়না পুঙ্গোয় খর ঙাইদুনা লৈরম্মী। অদুবু মতমগী খোঙথাংদি লেপ্পা লৈতবনা অহিং ঈনুংগী মতম হৌখ্রে। মতমদুদা ঈংঙাল্লৈনা মশাবী খোঙদোই হুল্লক্ত্রে, কোরৌ ঈনুং ঙাল্লক্লে, পোইরৈ লৈপাক মীয়াম্না তাথীরবী ঐবু পোইরৈ মৈতৈ কনানা মফমসিদা উখ্রবদি অমুক হন্না ঈকাইবা পীবীরগনি, অদুনা মীনা উরোয়দবা মফম অমদা চত্তুনা চেংলৌ ঈশক উহন্দনা লোৎলগা মাঞ্জা মানা হল্লকপা ঙাইরগে— হায়না খন্দুনা মফমদু থাদোক্লগা চীঙমৈ হাইথ-লোমথবদগী খা-নোংচুপ পাংলকপা মুৱা লোক্লেনকোন খোইয়ুম লাইয়িংথৌ মুৱা অতোনবগী মচীঙলেন হাওকপ মনীল নাইবচীঙ... ... ... লোইয়ারাকপা খোঙফেন্ন থৌবনা ফম্বাল থোং, চীঙদোন নাপোম তরামথোই শুবাচীঙ, ঈরোক লাইচম

১২না কোনবা চীঙ... ... মুৱা নিংথৌ অতোনবা লাংগোন কৌবনা কোনবা লম, ঙাংজেং পুন্সিলোক [মথক্কীসিদা, ১৬০-৬১] অদু তন্না লাকখিরম্মী। নুংশি শেৎনবা, পাম্মু খায়নবগী মৈচাক্না তুরোই-ঙামলোই লাক্তুনা লাইয়িংথৌ লাঙ্গোন নিংথৌগী মশাইগোন্দা মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী অরোয়বা নুংশা হোন্দোকখিরম্মী।

তরুঙ লাইরেম্মা ওইখিবা

মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মকেঙ থাঙ্গ্‌দা লান চৎলুবা মায় পাক্তুনা মৈতৈ কোনুং কংলাদা হল্লক্রবদা মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী নোংলেন শঙ মৈ চাকখিবগী পাউ অমসুং ওইখ্রিবা থৌদোক অদুগী ওইরিবা ফিবম অদুদা মরাল লৈদ্রবী মরাম চনু অদুবু মহাক্কী মরমগীদমক্তা হায়নীঙঙাই লৈতনা ৱাহল্লে, হৌজিকপু মহাক কদায়দা, কনাগী মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরমগদবগে হায়দুনা পাউ লৌবা হৌরক্লম্মী। অদুবু কনা অমতনসু মহাকপু খঙঙি-উই হায়বা য়াওরমদে। অদুমকপু মনাউ ঈবুংঙো লাংতেঙম্বনা মতৈমদি হাওৱে লাইনা পাংনা মফম খঙদনা হাইঙাৎখি হায়না পাউদম্লকপা তাবদগী মৈদিংঙুপাইখোম্বনা লাংগোইশগোল তোংদুনা অৱাং মায়কৈরোমদা থৌগৎলকখি। মপা চীঙগী চীঙমৈ হাইথবা অৱা পোখাথেনদা য়ৌরবদা মফম অদুদা মশানৌবু লৈরমগদ্রা হায়দুনা কোয়না-কোয়না চক্তুনা য়েংলম্মী। মফমদুদা মশানৌনা মতম খর পল্লম-লৈরম্বগী খুদম-চাংদমগী শউম-শমিন্দি ফংলে, অদুবু মশানৌদি লৈরমদবা, অদুগা মফমদুদগী কদোমদা চৎখিবগে হায়বগী খোঙ্গুলগী লংলা-লংজীন্দি ফংদবনা চৎখিবা লম্বীগী পল্লেপফম খঙদদুনা কক্‌ঙাওনদুনা লৈরে। মফমদুদগী মখা তানা চৎখিবা লম্বী অমসুং মফম খঙদ্রবনিনা সনা কোনুংদা হল্লক্তুনা লৈরে।

লাইনিংথৌ পাইখোম্বনা মশানৌবু কাউথোকপা ঙমদদুনা হৌখিবা থৌদোকশিং নীঙশিঙ নীঙশিঙদুনা লৈরে। অসুন্না নুমিৎ খর হৌখ্রবদা নুরা মহাকসি লাঙ্গোন নিংথৌগী মকাইফগী ঙাংজেং পুন্সিলোক্তা নোংগাখ্রে হায়বসি খঙলকখি। অদুনা মফমদুদা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা কোনুংদগী খুৎহৈবশিং থাদুনা নুজা মহাক্না নোঙ্গাখিবা মফমদুমক্তদা মশানৌ ঈংঙাল্লেগী কোল্লোই মশঙ্গাই, খোইমোম লাইয়ুম ওইনবা শঙলেন অমা য়ুমথক চিরা মরিদু লাইখন তানা শারগা অমাইবা-অমাইবী, অশৈবা-পেনা অমসুং মাইচৌ-য়োয়রেন য়াওনা শঙলেন্দু শঙ্গাদুনা কৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৬৮]। অদুগা মৈদিংঙুনা মথংগী চহিদগী মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী মোংবা মশাইগোনসিদা কুমদুনা অমাইবা-অমাইবী পুদুনা ঈৱাৎ-থেল্লাৎলগা খোইমোম লাইবাউ তারে। মদুগী মখা তারকপা কুমজাশিংদসু মৈদিংঙু পাইখোম্বনা কুম খুদিং লেপ্তনা মশানৌ মাগী মশাইগোন, খোইমোম লাইকোন-লাইবুঙ/লাইকংলাসিদা কুমদুনা খোইমোম লাইবাউ তাদুনা নুংশি মৈচাক্না কাথেক্লবা থম্মোইদুগী মৈচাক খাঙজখি।

ৰাখোম-ৰারোয়

মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী নোঙ্গাখিবগী মফম অসিদা মশাবী মৈদিংঙু পাইখোম্বগী দমক্তা মশাগী লৈজবা পুন্নমক কখোল্লগা লোইবী চীঙদা লোইদাম ঈঙেন থাদা শাৎপী লৈরাং ঈঙেল্লেগুম চীন্নদনা কেনখ্রবী মরাম চনু ঈংঙাল্লেগী য়াইবী থৱাইবু ঈকোই খুন্নবা উভ্তা মহাক্কী খুবম অমা মৈদিংঙুসিনা লীংখৎখি। নুংশি শেৎন-খায়নবগী মৈচাক্তি কায়নবগী মৈশা খাঙদুনা মিৎলু পিরাং কংদনা লেনবদুনা ওইনখি। মৈদিংঙুসিনা মচা অমা ওইবগী থৌদাং, মপাবুংগী মৱ্ৰ খুন্নবা চৎপা অমসুং লুখা থাননবা অকক্ক-অশীঙননা থমখ্রবা লুরেনশিংবু লৌথোক্লবা হোৎনবদা ওইথোক্লরোয়দবা ফিবমদা লাক্লবদা মীনুংশি অমসুং অপাম-নুংশিগী শরী-নামুংনা পুন্দুনা ওইথোক্লরোয়বা মৈদিংঙুগী থবক্তু ওইথোকহল্লগা ময়ুম-মকাইফম, মশাগী কাংলুপ-ফুরুপ, মচৎ-মনাৎ অমসুং চৎলম-লুপতীন পুন্নমক থাদোক্তুনা অনৌবা পুন্সিগী লমদাং অমদা খোঙ থাংজিল্লকপদা লম্মুক্লরবা পুন্সি ওইখ্রবী মরাম চীঙমী কাংলুপকী চনু নিংঙোন ওইরবী ঈংঙাল্লেনি। মহাক্কী তৌবীমলগী লমন শিঙনবা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মৈতৈলৈমা (মৈতৈগী মবেম্মা) ওইহনগনি, হায়না শরী নামুংববু চীঙদা শাৎপী ঈঙেল্লেনা মালং শউমগী শাফুনা চীন্নদনা কেনখিবগুম থিফম খঙদনা মাঙখ্রবদা অশিবগী পাউ ওইনা ফংখিবী ঈংঙাল্লেনি।

মহাক্কী খুবম শেমদুনা মহাক্কী অচঙ-অহিংবা য়াইবী থৱাইবু খুরুম-খাজঙজবদা মৈতৈ নিংথৌগী অঙাক-অকন, য়োকপী-কোনবীবী, অফ-ফত্তগী থোক্লগদবা থৌদোক্কী মাঙতাক-মাঙজৌননা মালং পাউজেন পীবীবী অমসুং য়াইফ-থোইবা থৌজান পীবী-লনকুবীবী ওইনা লৈরিবী শৌবোন লাইরৈমা নত্রগা লাইরেম্মা য়ুমজাও লৈমগী খোইমোম মরাংওন ওইনা লাক্লম্বী ওইনা ঈরাৎ-থেল্লাৎনখি। লাইরেম্মা মরাম চনু ঈংঙাল্লেসিগী খোইমোম মকাইফম, মুৱা নিংথৌ অতোনবা লাঙ্গোন নিংথৌগী মচীঙ্গোন মশাইগোন, হাওকপ চীঙশাং, খুনফম ঙাংচেংগী ঙাংচেং লোকসি মতম খোঙলৈ মতুং ইন্না খোংনাং তরুঙ" (বাঙ্গলা ৱাহৈ "তরু" ৱাহন্দোক্লা "পাম্বী/উপান", হায়বসিদগী লাকপা মাল্লি) অমা হৌরক্তুনা মশা-মরেং ফন্না অমসুং মমিং চৎনা লৈরকপদগী ঙাংচেং লোক" সি তরুঙ লোক হায়না চহি তরেৎ খুনতাকপ (খৃ:১৮১৯/১৮২০-২৫)গী মতুংদগী খঙনরকখি। মদুদগী ঈংঙাল্লে লাইরেম্মা অসিবু তরুঙ লাইরেম্মা হায়না খঙনরকখি। তরুঙ লাইরেম্মসি লৈপাক লৈচাও-খুঞ্জাওনবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা অমসুং লৈমা-নিংথৌ পুন্সি নোংশাংনবা কুমগী লাকয়েন তাইবা, শজিবু চৈরাউবনচিংবদা ফিরোই-ফিঙাম হোংনা ঈরাৎ-থেল্লাত্তবা, লাইরাৎ-থৌনীদবা য়াদবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী খোইমোম লাইরেম্মনি।

২১

খয়োঈরোন কোরৌ নোংথিল চায়বী

ৱাহৌ-শৈহৌ

নয়োন মৈতৈরৈমা "খয়োঈরোন কোরৌ নোংথিল চায়বী, মকক লোইখোম্বী-ও ! তৌনা কৌয়ে। হেমবা লাংতে লোইখোম্বা, মালেম খারম লোইচনবী, সনতং নারেং চিং, শেনচাও নমতা পো, মেননাং তনপা চীরৈ চিংনা লোইয়াবা নিংথৌচনু, মপাম লমলেন মদাইমা উচীৱা খোইতোংপান, হুইতৌ খোঙতেন লাকপিচা মরান পামেন ঈতুমকোন... ... ... [ও:ভ:স:,১৯৬৭,৩৩৯]।।

মথক্তা থমজরিবা "নিংথৌরোল লমপুপা" কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "খয়োঈরোন কোরৌ নোংথিল চায়বী" হায়বী মৈতৈলৈমা অসি পোইরৈ-ৱাংঙম মৈত্রবাক্কী মৈতৈ নিংথৌশিং পুন্নমক্কী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ঈহেন হেল্লবা অমসুং ঈচাও চাওরবা নিংথৌরেল মৈদিংঙু ময়াম্বা [মেখলেশ্বর, গরিবনিৱাজ মহারাজ, বৈষ্ণব থোংনাং ময়াং ঙম্বা, থোংনাং তখেনঙম্বা, শেনবী শমশোক ঙম্বা, গোপালসিং, নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা/পামহৈবা, রেখে তেলহৈবা (খৃ:১৭০৯-৪৮)] গী অপোকপী পল্লেম মমানি অমসুং তুবী চারাইরোংবা , খোইমোম লাইয়িংথৌবু শাইওনবা, শেনবী তেখাউ লানথাব (খৃ: ৯৭-১৭০৯)গী অনিশুবী তাল্লোইনি।

শক্তাক ৱারম

খয়োঈরোন কোরৌ নোংথিল চায়বীগী অপোকপা মপন পম্বৌ অমসুং অপোকপী পলেম মমাগী মমিং মিংলেনশিং লাথুপনুংদা থুপ্লুনা থমখ্রে, খুমন কংলৈপুঙদা মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃ:১৬৬৬-৯৬) না লান্দাবদা খুমন চীঙখোঙ ওঙজবী, খোয়জী মিতল্লবী চনুরা অমা মাগী-শক্তম নিঙথিবা উবদা নিংথৌনা মাগী লৈমগী লানঙম মায়য়োক ওইনগে হায়না পুরকখি, মকুম-মথা ওইরক্লবদা নুজা মঙোন্দা মমোম অমা শাংখি [শ্রীমীন:স:১৯৮০,৬১-৬২], হায়না থম্বীরম্মী। পোক্লক্লিবী মমোম অসি "কোরৌ নোংথিল চায়বী" ওইরক্কদৌরিবনি। হায়রিবা ৱাফমসিনদি পাৱারী-থৌদোক ওইবা য়ারোয়।

লোৎলিবসি মীচমশিংনা লোৎপা নত্রগা তৌবা নত্তে। শাৎপম চনু নোংথিলচায়বী খয়োঙ্গৈরোন নত্তে, শাৎপম শাগৈসি নোংথিল চায়বীনা লৈশারিঙৈদা খুমন কাংলুপ্তা নত্রগা য়েক্তা লৈরমদে, ৰাংঙম/মৈতৈ/নিংথৌজা কাংলুপ্তা নত্রগা য়েক্তা লৈরম্মী। অদুবু মৈদিংঙু চরাইরোংবনা শাৎপম চনু নোংথিল চায়বীবু লৌরবদা য়েক লৌনবা য়াদে হায়বা খুন্নাইগী অমসুং খুন্নাইলোনগী অথিংবা লৈবনা নোংথিল চায়বীগী পষ্টৌ মপা অমসুং মহাক্না মনুং চল্লুরিবা শাৎপম পুরুপ নত্রগা কাংবু অদু খুমন য়েক ওইরো হায়দুনা ওইহনখি অমসুং ওনহনখিবনি। অসুম্না ৰাংঙম চনুরা, ৰাংঙমলোন ওইবী শাৎপম চনু নোংথিল চায়বীসি খুমন চনু, খয়োঙ্গৈরোন ওইখি অমসুং শাৎপম শাগৈসি খুমন য়েক্তা লৈখি অমদি খুমন য়েক ওইখি।

শাৎপম চনু কোরৌ নোংথিল চায়বীসি নোংচুপ ইম্ফাল পানা/দিষ্ট্রিক্তগী অনিশুবা ডিভিজন (Imphal West II)গী উচীৰা খুঙ্গংদগীনি। মসি নত্তনা মহাক্কী মপা-মমাগী মরমদা মখা তানবা করিসু হায়জবা ঙমজদ্রে। অদুবু মহাকসি উচীৰাদগী মমানা পুক্তা পুরক্তুনা মৈতৈ কোনুং কংলাগী ঙমখৈ লমকন্ন মনুংদা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী সনা হাক্তক্তা খৃ: ১৬৭৫গী অদুৰাইদা পোকখিরম্মী। মহাক্কী মপা মমানা করম্বা ফিবমদা লৈরম্বগে হায়বসিগী তাংদাংবা হায়বা ঙমজদে। মতমসিদা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা খুমন লৈকোয়পুঙ নত্রগা লৈপাক্তা লান্দাখি হায়বসি পাৰাবী-পুৰারীদা খুদম-চাংদম লৈতবা ৰাফম্নি। খুমন লৈপাক্না পোইরে মৈতৈ লৈপাক্তা তীনখিবসি খৃ: ১৩৩৫গী অদুৰাইদনি, হায়বসি খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা অমসুং খুমন কংলৈরোন কৌবা লাইরিকশিংনা পীরি [বি:ক:শ:, ১৯৯৮, ১৩৪]। মরম অসিনা লোৎখ্রবা ৰাফমশিংসি থাদোকচরল্লে।

চাওরকপা ১সুং য়ুম্বানবা

শাৎপম চনু নোংথিলচায়বী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা হেক উবদা নুংশিবগী মতৌ অমা লৈজবীনি। মহাকসি মীকৌ-মীওক ফজবী, মীঙোন্দা পীজ-পীথক্কনবী অমা ওইরকখি। অদুগা মীগী মপান তাংজগন্দবী, মশানা তৌজ-নোমজরবা নুংঙাইজবী অমনি। পীশক পীক্লিঙৈদগী লৈমকোনগী পাখোন চৎলক্রবীনি নোংথিলচায়বী মাবু পোকপী পলেমগী চেংলৌ শক্তম অমসুং হকচাংগী শারেপ-শাবান, ফিবম-ফিরেপ অমসুং শাওং শান্দা লৌদুনা ইনখৎলকপা মতমদুদা মোমোন মীনোক্না মীশুম্বী, নুজা মায়থোঙনা মী চিংশিনবী অমসুং শাবান-ফিবম্না পাখং ফাবী ওইনা কংলাগী চেকপন পনগোয়নুংদা কোয়চৎ চৎলম্মী। অঙাং নাউৰা ওইরিঙৈদগীনা মশাগী চহি তরানিথোই শুরকপা ফাওবদা লৈরম্বা হকচাং অমসুং মসিগী কায়াৎশিংগী মওং-মতৌ, ফিবম-ফিরেপ্নচিংবা হোংখরে, পুক্লীঙ-ৰাখনসু ওনখরে, লৈপাম্বা খোইমু উরগা পুক্লীঙ তথক-তথক্লে অমসুং নিংঙোন

পীবুক্লা খোয়দাবা খোইমু পাইরকপ্রা হায়না চীক্লা তুমিনা ঙাইজরক্লে। মশাগী চহি তরাহুমদোই মপুঙ লেপ্লে অমসুং হকচাং কায়াৎশিংনা নাচোং পান্থাগী মতমগুম ময়াই কারক্লে।

খৃ: ১৬৮৯ হৌগৎলকপগী মতম, ৰাকচীঙগী উল্লেন্না তাবা হৌরকপা মতমদা লৈমা-নিংথৌকোনগী ৰাঙ্গোননিংথৌগী মোংবা মরানয়ায়দা মীকপ-মীরাউ থোক্লা কপ্পরকপগী অৰাবগী থৌদোক অমা থোক্লে। শাৎপম চনু নোংথিলচায়বীনা তাইবংপানবগী মপু মহাক্কী মনোংদমনিনা অৰাবা শৰুক য়াননবা ৰাঙ্গোন নিংথৌগী মোংবা মরানয়ায়দা চৎলম্মী, মদুদা লাইবক থীরবা থৌদোক্তু মমিৎমক্লা উবে, মদুদি, মৈদিংঙুচা ৰাঙ্গোন নিংথৌ তুবী চরাইরোংবগী তাল্লোইনুংচানবী হৈৰাম চনু নীঙথিবী মালেম তাইবংপান থাদোক্কুনা অমন য়াইথোঙ কুম্লবগী [চৈথা:কুম:, ২০০৫,৫৮] মংজন মংথিন কাই, অশিবগী কুন্দা হাপ্পুনা শুন্মাঙ কংলৈদা লৈরম্লে। ৰাঙ্গোন নিংথৌগী মতৌ উবদা ওস্থোক্লসু নুংঙাইত্রে, মহাক মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক) চঙলকপা মতন্নি। অদুবু ৰাই-এ হায়দুনসু থিঙঙু-পলহল্লুবা ঙম্বা নক্তেনবনিনা ৰানা ৰানা অদুম হৌখরে। লোইদাম থাবুম খর চৎলকপদদি চেংলৌ শকফম উদবনা নোংমা নোংমগী অৰাবদু পুথোকখিদুনা অকাউবগী পল্লোনুংদা চঙখি।

মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবগী পুক্লীঙ ৰাখন্দু নুংতিগী নোংমতা কাংদনা উরিবী শাৎপম চনু নোংথিলচায়বীদা খৃ: ১৬৮৯ সিমক্তদগী তুংশিন্দুনা লৈবা হৌরে। শাৎপমচনু মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) খকতনি, মহাক্লা ৰাঙ্গোন নিংথৌগা মপা চানদে, মহাক্লা ৰাঙ্গোন লৈমা ওইবা মতিক চাদে, হায়না হন্না হন্না কস্থোকচবনি, অদুবু ৰাংগোন নিংথৌনা তকশিল্লকপনা হেল্লি, নুজা থম্মোই অমসুং পুক্লীঙ-ৰাখলগী অহানবা ফাওরকপা নুংশিবগী লীচিংনা মহাকপু ৰাঙ্গোন নিংথৌগী মনাক্তা পুশিল্লকপনা হেল্লি। অসুম্না মৈদিংঙুচা চরাইরোংবা অমসুং শাৎপমচনু কোরৌ নোংথিলচায়বী মশা মশা নুংশিনজদুনা অহন-লম্মনশিংগী অথিংবা কয়া নমথেক্তনা লৌন-লৈনখি। মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবনা নুজা মাবু অসুপকী মতীক খোয়দাজে, মদুদি মতম চুপ্পদা নোংথিলচায়বীগী মনাক্তা নৈশিন্দুনা লৈরম্মী। মতৈ-মনাউ অনিসিগী নুংশি-চান্নবা অসি মথংগী চহি শক ১৬১২গী পোইনু ২২নি পানবা থাঙজা (খৃ:১৬৯০গী ডিসেম্বর থা)দা মচানুপা অহন ময়াম্বা/গরিনিৰাজ পোকখি, হায়বা ৰারোল পীরি, মদুদি ঃ—

... ... থৌগ্নাউজম মুবগী কুম শক ১৬১২... ... ... পোইনু থা... ... ... ২২নি থাঙজ (খৃ১৬৯০গী ডিসেম্বর)দা নিংথেম ময়াম্বা পোকএ [মথক্কীসিদা, ৫৫]।।

... ... অসিনি। পোক্লিবা মফমসি কংলাগী ৰাংগোন নিংথৌগী ময়ুম মরানয়ায়দনি। থাঙ্গাল হাওখুলদা অঙাংসি থৈখি, হায়বগী ৰাফম নত্রগা মসিগী শামিন/শনম-মীনম, শউম নত্রগা লংলা-লংজীন অমতা লৈতে; খুশেম হৈবা, শাজিন-শেমজিনবা হৈবা অমসুং

অফবা পাম্বা অখণ্ড-অহৈশিংদুগী মখুৎশেমগী চার "পামহৈবা" থোকহল্লিবদু মতাং অসিৱাইদনি।

চকপা মখাওঙম্বী অমসুং লোইয়ম্বা য়ায়মা অনি পোকপা

মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ ওইবসিদা নত্তবা য়াইস্কুল লাকপগী ফম ওইবসি [মথক্কীসিদা, ৫৯] খৃ:১৬৯১-৯২ দা ফম থিন্দোক্লম্বা য়াই। অদুগা খয়োঙ্গরোন শাৎপমচনু নোংথিলচায়বী হায়না ওইরকপসু নত্রগা ওল্লকপসু কুম/চহি অসিদা ওইরম্বা য়াই, হায়বদি নোংথিলচায়বীসি মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবগী তাল্লোইনি হায়না খ্বাইনা য়াবীবা নত্রগা অয়াবা পীবসু কুমসিদনি। অসুন্না শাবী-শানৌ অনিসিগী নুংশি/নুংশিনবনা মায় পাক্তুনা শাৎপমচনু নোংথিলচায়বী মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবগা পুন্না য়ুম অমতদা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা)দগী লৈমিন্নরে। তশেংনমক শাৎপমচনু নোংথিলচায়বীগী য়ুম্বানবগী পুন্সিসি মায় পাকপা পুন্সিনি। মহাক্না মশাবী তুবী চরাইরোংবগী ঈনা খৃ:১৬৯২ দা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বী কৌবী মমোম লাংলেনসি শাৎচখি। হায়রিবী ৱাংঙমলোনসি মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবনা মৈদিংঙু নিংথৌ ওইরবদা অৱা [AVA or Mramma/Myamma or Burman\Burmese] গী মংত্রা/ তোঙগু নিংথৌদা থাজদুনা মৈত্রবাক অমসুং মৈতৈ মী-কাংলুপ কন্নবা হোৎনবদা চারৌ-মৌরৌনবগী খুৎলাই/পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নখিবীনি। নিংঙোন মশুঙলাংগী মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা অৱা লৈপাক্তা তরারক হন্না লান্দাদুনা অৱাগী অকিবী মৈতৈ নিংথৌ ওইরকখিগদৌরিবনি।

মৈদিংঙুচা তুবী চরাইরোংবনা পোইরৈ মৈতৈ তম্পাক্তা তম্পাক য়ুমদা, ৱাঙ্গোন নিংথৌকোন্দা য়াইস্কুল লাক্লিঙেসিদা মশানৌ খয়োঙ্গরোন কোরৌ নোংথিলচায়বী, শাৎপম নিংঙোনগা পানদুনা খৃ:১৬৯৫ মপারী অমা অমুক শাৎচখি। মপারীসিগী কোল্লোই মমিংনা লোইয়ম্বা নত্রগা লোইয়ম্বা য়ায়মা হায়না মিংথোনখি। মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিৱনিৱাজগী মনাউ ঈবুংঙো লোইয়ম্বা য়ায়মসি মৈতৈগী ৱাংঙম নিংথৌ মচাশিংগী য়ুন্নাক-শাগৈ "কৈথেনমপান তাবময়ুমগী পুকোকনি [ম:স:ক:এ:, ১৯৯৪,২৫০]। অসুন্না মৈত্রবাক্কী মৈতৈ কাংলুপকী মী কাংলুপ-ফুরুপ শেম্বদা শরুক য়ারিবা মীশক অমনি। মহাক্না খৃ: ১৭১২দা তাইবংপাল থাদোক্তুনা নোঙ্গাখি [চৈথা:কুম:, ২০০৫,৭৪]

নোংথিলচায়বী নোঙ্গাবা

শাৎপমচনু খয়োঙ্গরোন কোরৌ নোংথিলচায়বী মৈদিংঙুচা তুবী চারাইরোংবা, য়াইস্কুল লাকপগী তাল্লোই তুনুংশি, মরূম্বী খোয়জঙবী ওইনা তাল্লোই তুরোন্নবী কনাসু লৈতনা কংলাগী ঙমখৈগী লমকন মনুংদা লৈবা ৱাঙ্গোন তম্পাক য়ুমদা লৈরম্মী। মহাকপু মকেং থাঙ্গাল হাওখুল (হৌজিক্কী সেনাপতি পানা/ডিষ্ট্রিক্তগী থাঙ্গাল চীঙমী খুঙ্গং, ইম্ফাল

কংলৈদগী কিলোমিটর ৫৫ রোম লাপ্পা মফম)দা নমদুনা লৈহল্লিবসি মতুংগী অহৈ-অপা শাবা খরগী খুজীল-থৌরাংনি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবনদি অদুগুম্বা ফত্রবা থৌরাংদু য়াদে। মহাক ৱাঙ্গৌল নিংথৌগী তাল্লোই অমনা ফংফম থোকপা ঈকাই খুম্নবা, হৰুনচিংবা পুন্নমক লোয়না ফংলম্মী।

শাৎপম চনু নোংথিল চায়বী মশাবী মপুরোইবগী থৌগল তৌদুনা মপারী অহন ময়াম্বা, মমোম লাংলেন চকপা মখাও ঙম্বী অমসুং পীক্লিবা মপারী অতোনবা লোইয়ম্বা য়াঈমা কোন্দুনা তমপাকয়ুমদা লৈরম্মী। অদুবু নোংদম্বা মহাক্না তম্বীরকপদা কুইনা অমসুং নুংঙাইনা মশাবীগী থৌগল তৌ হায়বসি তম্বীরক্কে। ঈঙাগী নোংজু মরক্তা খোঙহাম-পুকচৎকী লাইচত্তা পুন্সি খম্মু হায়না তম্বীরকপোই। মরম অসিনা মশাগী চহি ২১ (কুনমাথোই)দা খৃ: ১৬৯৬তা তাইবংপান থাদোক্তুনা মপারীশিং অমসুং মমোম হুন্দোক্লগা অশি লমলেন্দা ওঙখি।

... ... য়েংখোইবা লাংমৈগী কুম শক ১৬১৮ ঈঙা থা... ... ... ২৭নি ঈরাই (খৃ: ১৬৯৬ কী জুলাইগী ২শুবা চয়োন)দা মৈদিংঙু মরাম্বগী মমা শাৎপম চনু নুংথিল চায়বী শিএ [মথক্কীসিদা, ৫৯]।।

মসি, খয়োঈরোন শাৎপম চনু নোংথিল চায়বী লৈখিদবগী/শিখিবগী ঈ-পাউ পীবা ৱারোন্নি। ৱারোলসিবু থৌশা-ৱাশাদনা খয়োঈরোন অসিবু নমথাক্কী পুন্সি অমা শাগৎপীরে হায়বসি মহাকপু "মকক লোইখোম্বী" হায়বা মিংথোনসি [ও:ভ:স:, ১৯৬৭,৩৩৯] দগী খঙবা ঙম্মী। অদুগা মহাকসিবু মৈতৈলৈমা [মৈতৈগী-লৈমা নত্রগা মৈতৈ কুইন (Meitei queen) অমা ওইনা নিংথৌরোল লম্বুবনা পীশিল্লিবা অসিসু অরানবনি, মহাক মৈতৈলৈমা ওইখিদে, মৈদিংঙু চারাইরোংব (খৃ:১৬৯৭-১৭০৯) না নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা নোঙ্গাখিবনি। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইখিবদি—

... ... চনম্বা শরাগী কুম শক ১৬১৯... ... ... লমদা থা ১০নি ঈৱাই (খৃ:১৬৯৭/১৬৯৮ গী মার্চকী ৪শুবা চয়োন)দা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা চহী ২৫দা ফম্বাল কায়এ [চৈথা:কুম: ২০০৫,৬০]।।

অসিদনি। অদুনা চহি অমগা থা তরেৎ হেন্না শাৎপমচনু নোংথিল চায়বীনা নোঙ্গাবগা মশাবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইবগসি খেন্নৈ। নোংমা-নিনীগী ৱাসু নত্তনা অসুপ কুইবা মতমসিবু মীনম্বদি পাৱারী-পুৱারিদা লঙজবা হায়বদু থোকই। অদুনা নোংথিলচায়বীনা মৈতৈলৈমা ওইনা লান্দাদুনা লোই চল্লি হায়রিবা খুঙ্গং অমসুং লমশিং— (১)চৱাই, (২) চেংকোই (৩) লহাং [ও:ভ:স:,১৯৬৭,৩৪০], (৪) অনাল, (৫) চকপা/নান্দা শেকমু, (৬) মুয়োং, [মথক্কীসিদা, ৩৪১] (৭) লনহাং, (৮) লোনতাই, (৯) শাকং [মথক্কীসিদা,

৩৪২] অমসুং (১০) শারেন তেখাউ [মথক্কীসিদা, ৩৪৩] অসিসু শীঙথাজদ্রে, মরমদি মীনম্বদা য়াওশিনবগী লঙজবদু পামজদে।

ৱাখোম-ৱারোয়

খয়োম্ঈরোন শাংপম চনু কোরৌ নোংথিলচায়বী মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না খুৎকন-পাঙ্গনবা অমসুং মতীক চাওবা নিংথৌ মৈতৈ মবুংঙো গরিবনিৱাজগী অপোকপী পল্লেম মমানি অমদি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী অনিশুবী অমসুং খ্বাইদগী হেন্না নুংশিজবী তাল্লোইনি। মহাক খৃ: ১৬৭৫ দা পোকখি অমসুং খৃ:১৬৯৬ তা নোংগাখি। মহাক্কী মপা অমতগী মচা অহুম (১) মপারীহনময়াম্বা, (২) মমোম চকপা মখাওঙম্বী অমসুং (৩) মপারীতোন লোইয়ম্বা লৈজখি। মহাক পুন্সি তেন্না হিংলম্লবসু মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা ঙমজবা খুদোন তৌজরম্মী, অদুবু ওইদবা নমথাক ওইনা মপারীগী শক্তম অমা লাইরিক-লাইশূগী মহৈনা শেমগৎলগা মহাকপু, "চীঙদা শাৎপা ঈঙেল্লে, চীন্নদনা কেনখিবা, কল্লক-ই-দে!" হায়না শৈথাদুনা শৈশক্লে।

২২

আমিনা বেগম

ৱাহৌ-শৈহৌ

মশাবী আব্দুল মিয়াগী পায়মানুংদা কয়াগী মতীক নুংশি-চান্না খোয়জঙবী, তিল্লাং খোয়দানফম ওইরিবী মশানৌ আমিনা কোল্লোয় মিঙ্গৌবী অমগা পান্নদুনা লৈমিন্নরময়ে। আমিনা কৌবীগী শকওঙ শক্তম, শাহৌ-শাবন্দা চুঙ-ফিরান চানা অপাম মিকারবী, নীঙথিবী চেংলৌ শক্তম অমা ওইরিবী, হৌনা মরমচৎতসু ফজবীনি [নিং:ম:, ১৯৯৪,৪৩]

মথক্তা "মৈদিংঙু লাইনিংথৌ পাইখোম্বা" কৌবা পাৱারী-পুৱারীগী ৱাশেম-ৱারী শীঙবুন (Historical Novel) দগী লৌথোক-শত্তোকচদুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লি-হায়রিবা "আমিনা" মিঙ্গৌবী মুস্লিম নুপী অসি মৈদিংঙু খাগেম্বা [ময়াংঙম্বা ময়াম্বা, পোইরৈ নিংথৌহনবা, সনাহিহোনহন (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২)]গী সনা হাক্তক্তা লৈরম্বা মুসলমান পাঙল আব্দুল মিয়া কৌবা অমগী তাল্লোইনি। মতমসিদা মুস্লিম পাঙলশিংসি খৃ:১৬০৬ তগী হৌনা পাঙল পারা (পাঙলগী লৈফম/লৈকায়) শমজিল্লগা পারা (হৌজিক্কী মেনুথোং মনাক্কী মখা থংবদা লৈরিবা হাপ্তা/হটা অমসুং গোলাপতিগী লমতুপ-লমচেংকী লমদম, চেক্কোন অমসুং ত্রাইবেল কোলোনিগী লমদম) দা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরম্মী। পাঙল মুসলমানশিং অসি খৃ:১৬০৬ তা মখোয় খোঙমী ১০০০ (লীশীঙ অমা), লাঞ্জিংবা ১৬ (তরাতরুক) অমসুং মখোয়গী লাঞ্জিংলেন তরফ লৈপাক্কী নিংথৌমচা মহম্মদ সানীনা ময়াং/কছাড়ী (ডিমাসা)শিংনা মৈত্রবাক্তা লান্দারকপদা মতেং পাংবা লাকপদা ময়াংশিংনা চেনখ্রবদা মৈতৈশিংনা পাঙলশিংসি লোয়নমক য়াঙ্গৌই তুরেনগী মপান্দগী লানফা ওইনা ফারগা মৈত্রবাক্তা খুন্দা-লৈতাহনখিবনি। মখোয়না মৈত্রবাক্তা থোক্লকপা-লাকপা মতমদা নুপী অমতা য়াওরক্তে। মখোয়দা মৈতৈ নুপী পীদুনা চারৌ-মৌরৌনহন্দুনা মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা লৈবা মীশিং (প্রজা/Subjects) ওইনা লৈরকখিবনি। মখোয় মুস্লিমশিংসিসু মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্কী থৌদাং য়াবা অমসুং লৈপাক্কী থৌগায় তৌবা নত্রগা ইনবা ওইনা লাল্লুপ কারম্মী। লাল্লুপসি নুমিৎ ৪০ (নিফু)নি খুদিংগী মী অমনা নুমি ১০ (তরা)নি লৈপাক মীয়ামগী থবক তৌদুনা লৈপাক পানবদা মহাক্লা শীজিন্নরিবা লম,

পোৎলম-চৈরম, লম্বী-লম্বেল, তূ-খোং, চীঙ-তুরেনচিংবা লৈপাক নিংথৌগী নৎত্রগা মীয়ামগী মরন-মথুম (Public property) শীজিন্নবগী মমল (লম্বাম্বল/Tax), খুৎশূমন নৎত্রগা হকচাংগী পাঙ্গলগী অনোম্মন্না পীথোকপনি।

আমিনা বেগমগী থৌদোকসি খৃ:১৬৩৫ দা শীঙজমৈদা ইম্ফাল তুরেন নত্রগা মৈত্রবাক্কী তুরেন অচৌবসি থৈবা অমসুং তুরেন তুখুন অনৌবা তৌবগী ৱাফমগা মরী লৈননা থোকপা থৌদোক ওইনা খৃষ্টগী কুমশীঙ, শক কুমশীঙ অমসুং পাখংবা কুম্‌শীঙগা কোন্ননা পীরি [মথক্কীসিদা, ২৬,৪১-৪৮,৫৩-৬৩]। অদুবু ৱাফমসি চৈথারোল কুম্বাবদা থিজরুবা মতমদা চহি/কুমসিদা ৱাফমসিগী মমি তাদে। অদুগা খৃ:১৬৩১ দা "তুরেন মরীন তেংহৌএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫,৩৮]" হায়বা ৱারম অমদি য়াওরি। মসি ওইগদ্রা নত্রগা ওইরোয়দ্রা মদুদি তশেংনা হায়জবা ঙমজদে।

আমিনাগী পুন্সি ৱারী

আমিনা কনাগী মচানুপীনো, মপা-মমানা কনা কনানো, করম্বা শাগৈ-শল্লাই নত্রগা ফুরুপ-কাংলুপকী মীওইনো, হায়বগী লমদাংদা করিসু পীবীরম্বা লৈতে। আব্দুল মিয়াগা নিকাহ্ শোন্দুনা লৌন-লৈনরবা মতুংদা মৈতৈ-মনাউ ওইনা পানদুনা লৈমিন্নরবা মতমগী ওইনা পীবীরম্মী। অদুগা আমিনাগী মশাবী মপুরোইবা ওইরিবা আব্দল মিয়া অসিসু কনা-কনাগী মচা-মশূনো কৈয়ুম, শাগৈ নৎত্রগা পুরুপ-ফুরুপ করম্বগী মীওইনো হায়বা অমতা পীরমদে। ঈচম চন্না মমিং অমা হেক্তা পানশিন-হায়জীল্লম্বা মাল্লি। ৱাফমসি আমিনাগী মতাংদসুনি। অদুনা ৱাফমশিংসিগী অরেপ্পা, অচুম্বা অমসুং অশেংবা ৱাফম থমজবা ঙজদ্রে। অদুবু মখোয়গী মতমদুদা মৈত্রবাক্তা মুস্লিম খুন্নাই অমদি লৈ অমসুং মতমদুগী লৈপাক-নিংথৌনা শকখঙলবা পাঙল মুসলমানশিংগী লোইশঙ অমা খৃ: ১৬০৬ সিদগী লীংখত্তুনা লৈরে [মথক্কীসিদা, ৩৩] হায়বসিদি অচুম্বা ৱাফম্নি। অদুগা পাঙল মুসনমানশিংসি মতমদুগী মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোম্না পানা মচা (General people) গী থাক্তা শকখঙ-মায়খঙঙি [T.C.H. 2003,53]। আব্দুল মিয়াসি ঈরীন তুরেনগী মপান্দা খুন্দাদুনা পানবা ঈরম তাবা পাঙল কাংবুগী মীওই ওইনা পীবীরম্মী [নি:ম:১৯৯৪,৫০]।

আমিনাগী চনু চরৈ চীনবা

আব্দুল মিয়ানা আমিনা বেগম পানদুনা য়াম্না নুংঙাইনা পুক্নীঙ ঈংনা লৈরম-পাল্লিম্মী। আমিনাসি মহাক্কী ওন্ন-তৈনবা হকচাং কায়াৎকী ওইবা মীওইশিংবু মহাক্কী শারেপ-শাবান, হকচাং কায়াৎশিংগী ফিবমশিংনা চিংশিল্লি হায়বসি ৱারেংসিগী ৱাহৌ শৈহৌগী ৱারমদা য়াওখ্রে। মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না নুপা ওইবশিংবু মঙোন তন্না চিংশিনবগী মতৌসি মহাক্কী শুমহুৎয়াই পুবী মোমোন মীনোক, কোয়রাওনবী মিৎস্না থম্বাল, থেংনবদা

খোইথুন্নগদবী তঙাং-তঙাংবী চীম্বাল অদুখক্তা নত্তে, চৈরৈ ফিতনা য়োমদুনা মকা ফম্না শন্দোক্লিবা থবাক্কী হৈরাং, ফিরেপ চানা চেংশিঙ্খ্রাবা নুজাগী খ্বাঙদুগী মখা থংবদা নুরা খাঙচেৎ ফিনা কুপশিন্দুনা থল্লিবা চনীঙগী শরুক্কা লোইরিবা ফৈরূ-ফৈবাক অনি অমসুং নীঙদুগী ঈপোম্না অউবগী মিৎশিংবু অপাম-ময়াই কাহন্দুনা মিৎফম হোংনীঙহন্দবী নুজাগী হকচাং কায়াৎশিংদুসুনি। আব্দুল মিয়ানা শুমহৎলবী হকচাং কায়াৎশিংদুগী মরেক-মহাউ চা-থক্তুনা ঈনুং কয়া কোম্নথেংদুনা লেপ্লকখিবনি। অসুম্না পাখং পুক্নীঙ থুংনা অহিং লেনমিন্নরগা আব্দুল মিয়ানা মথংগী নুমিত্তুদা লৈপাক থৌগায় পুনবা লাল্লুপ কাখিরম্মী।

লোইদাম থা অমগী লাল্লুপ থৌগায় পুনবগী থৌদাং লৌদুনা মৈদিংঙু নিংথৌগী কোনুংগী পাঙল লোইশঙদা লাক্লগা মানা হৈবা শীল্লমগী শীনশঙদা থবক শূননবা চঙলকখিবনি। লোইদাম অমদু হৌখ্রগা মহাক্না নুংশিজবা আমিনাগী মনাক্তা থুংদুনা হান্নগুম নুংশি চীল্লোক-চীন্দীননা ৱারী শারুনি, হকচাং-হকচাং থেংননা, কায়াৎ মশেন তক্ক-রাইনা নুংশি কুম্মৈ শান্নরুগনি, হায়না ৱাখল নুংঙাইনা মতম লেঞ্জরম্মী। থবক লোয়দবা য়াদবা তাঞ্জাদুদা লাল্লুপকী থৌমী অমা তেকলে, মহুৎ লোমদবা য়াদে, মথংগী লাল্লুপকী মতম শাংথদবা য়াদ্রে, লাল্লুপ তেক্লিবা নুপাদুগী মহুৎ-মরেং শিন্দবা য়াদে, হায়না লাল্লুপ শীল্লিবা অঙম্বা (লাল্লুপচিংবা) না হায়রে অমসুং য়াথং থারে। আব্দুল মিয়া নাম্থোকপা য়াদ্রে, ৱাখলগী মঙলান পুম্নমক কায়রে। মহাক লোইদাম থা অমগা শাংথবা লাল্লুপকী শীনশূ-শীনশীঙ অদুদা লেপ্লে।

মীওইবগী লাইবক্না পুরক্কদবা থোক্লগদবা থৌদোক্তি কনানসু খঙবা ঙমদে। পুরিবা লাল্লুপকী মতম নুমিৎ তরানি অদু লোয়রকপগী অরোয়বা নুমিত্তুদা পাঙল লোইশঙগী লাল্লুপ শীল্লিবা অঙম্বদুনা মীশি-মীনা থোক্তুনা লাল্লুপকী থৌমী অমা অমুক তেকপা, লাল্লুপ থৌগায়গী থৌদাং নীঙথিনা পাংবা ঙমদবগী পাঙল লোইশঙগী লুচিং' পুরেন অমসুং কাজি ৱায়েনবগী য়াথংনা লাল্লুপকী শীনশঙদা থৌমী কাংবা য়ারোয় হায়না হায়রে, আব্দুল মিয়াদু মথংগী লাল্লুপ অদুদংগা লোম্লমদবা য়াদ্রে হায়না কন্না হায়ররে। আব্দুল মিয়ানা মহাক লাল্লুপকী মীগী মহুৎ লোম্লক্লবনি, অতোপ্পা অমা শীনবীয়ু, হায়জবু লাল্লপ শীল্লিবা অঙম্বদুনা মহাক নত্তনা মী অতৈ কনাসু লৈত্রে, মহাক কাজিগী মমাঙদা শিবা তারে, অদুনা লাল্লুপ অদুমতংগা মহুৎ লোম্লমখো, হায়না খাম্লে। আব্দুল মিয়া য়ানীঙদা য়ানীঙদনা য়ানীঙদবা য়াখিদ্রে, মথংগী লাল্লুপ্তুমসু পুবা তারদুনা শীনশূ শঙদা চঙখ্রে।

আমিনানা আব্দুলদা পাউদম্বা

লাল্লুপকী থৌগায়গী মতম লোয়রদুনা লোইদাম থাবুম অহুমগী মতুংদা ময়ুমদা হল্লক্তুনা থুংলরে। মহাক ময়ুমগী অয়ুক্কী চাক্লেন চানদ্রিঙৈগী মতমদা য়ৌরকখিরম্মী।

মহাক্কী ৱাখল্দা ঈনখৎলকপা মতমগী শউমদা লোইদাম থা অহুমগী মমাঙদা খঞ্জখিবা মহাক্কী আমিনাগা নুংশি-চীন্দীন্নবা ফমদীন্ননীঙবগী ৱাখল্দু আমিনাগী মশক উরগা অমুক হেন্না মৈচাক কনখৎলকখি। আমিনাসু অদু মঙাই, চীন্না ফোংদোক্তনা, ঈঙ্গিৎনা উত্তুনা ফোংদোক-খঙহল্লুদ্রগসু ৱাখল্দদি অপাস্বদু অদুম ফাওরি, থম্মোইদদি অদুম ময়াই কারি। মতৈ-মনাউ অনিদুনা অচীকপা তাঞ্জা ফংলবদা মখোয়গী নীঙবা থুংজরে। অসুন্না-পেন্নরবা মতমসিদা আমিনানা মহাক্না শাবী মপুরোইবগী ঈনা হৈরাঙ মচা য়ান, তাউজীঙ হৈরু পননা তাউজীঙ তয়াল তমখিবা চনুগী চরৈ চিল্লকপা লোইদাম থাবুম অহুম শুরে— হায়না মপুরোইবদা পাউদমজরে। আব্দুল মিয়ানা মহাক্কী তাল্লোইগী ৱাসি তাবদা চঙরুনা থুগ লাউনা চিংনবা অমা ফাওরে। মাঙলমচৎকী থৌদোক অমসুং থৌদৌ কাউথোকপা, হৌখ্রববু নীঙশিঙদবা নুপা ওইবগী মরমচৎনি, অদুনা মাগী তাল্লোইনা মহাক্না য়ুমদা লৈতবা থা অহুমদুগী মনুংদা তাউজীঙ তয়াল তমলে, চনুগী চরৈ চিল্লে হায়বদুদা চিংনরিবনি। মদুগী নুংঙাইতবা ৱাখন্না শেংজরবী আমিনাবু লমচৎ মোৎলবী ওইনা লৌখ্রে। অদুনা মতৈ-মনাউ চীন্দা পাউদানদুনা খৎনরে। অদুগা আমিনাবু লৎনদুনা ময়ুম লৈরনু হায়দুনা তাঙ্হোক্লে। মদুগী মতাংদা থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দি ঃ—

তাল্লোই লীচৎ নাইদবী, খোন্নৌনা মীনস্বী নঙনা নমু মীতোপচাগা নুংওন পুক্নীঙ লীতীন্ননা লম্লক লুথুন্না হৈরাঙ লোঞ্জা চা, লৈরাং লোঞ্জীন চিন, তাউজীঙ লম্মুক্রুদুনা খোয়জী-খা মিঙ্গন তম, নাকলৌ ফিয়াল্লস্বদি নথংলেন ঐবু ৱাশাদবীনে, পুন্সি লৈখা তাহনবীনে। মনুং থোঙগা পরৈনবী, মোমনু লীচৎ তমথীবী নঙদি ঐগী মোংবা শঙলেন য়ায়দা ৱাংলেন মিৎকুপ অম-ফাও লৈফরোয়য়ে, শমু খোঙ্গুন তারগনো, নপাম খোঙদানা নদু খোঙগুমখরো, চৎখিরো, মফম অসিদা অমুক লৈরগনো, নশাবী ঐদি খাঙল্লক্তরে [নিং:ম: ১৯৯৪,৪৬]।

অসিনি।। চিংনা চাওবা আব্দুল মিয়ানা মশাগী মাঙলমচৎ কাউথোক্তুনা আমিনাবু চিংনবদগী মতৈ-মনাউ নুংশি লীতীন্ননা লৈরম্বদু শেৎনা খায়নরে। অসিনা মপুরোইবগা অয়ুক-নুংথিল চুপ্পদুমা য়েৎনদুসু মপুরোইবগী চিংনবদু কোকহনবা ঙমদ্রে। মপুরোইবনা নুমিদাংগী মতম ওইরক্লবদা আমিনাবু ঈমুংদগী চিংথোক্তুনা, 'মপামদা চৎখ্রো' হায়দুনা য়ুমগী মাঙ্গোন্দা থম্বীরম্লে। অদুগা মহাক্তি থোঙ লোনশিল্লগা ফমুং ফমজাও কাখত্তুনা হীপখ্রে, কৌবা-লাম্বা তাদবগুম খুমক্লে।

আব্দুল মিয়ানা ময়ুমদা কুম্লক্তনা লোইদাম থা অহুম লাল্লুপ থৌদাং তৌদুনা কোনুংগী লাল্লুপ শীনশু শঙদা লৈরুবদু মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বনা শীঙজমৈ লমদমদা পন থিংদুনা ইম্ফাল তুরেন থৈগে হায়বা থৌরাংগীনি। পন থিংবগী ৱাফমসি লৈপাক শীনবা থুংনা

তানখ্রবনি। পন অসি থিংলা-নীঙখায়রা, থিংলা-নীঙখায়রা তৌদুনা লৈরকপা মরিরক শুখ্রবনি। পনসি থিংবদা মী অমা হাপ্তবা য়ারোদৌরি, পন থিংল্লিবা মফমদুবু পুরি-কোল্লিবা কংলৈখোম্বা কোঙ্গোল পাখংবনা নমু মী অমা পীয়ু, অদুগা পন থিংবা য়াহনগে, হায়রি [মথক্কীসিদা, ৩০-৪০]। অদুনা পন থিংল্লিবা পনফম অদুদা মথং নুমিৎ (হয়েং)কী নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবগী মনুংদা পন শঙলিবা নুপা ৫০ (য়াঙখৈ) অদু নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমা লৈরল্লবদি মহাক অদু পন থিংবদুদা হাপকনি, হায়না নিংথৌ সনা য়াথং লৈপাক পুন্নমক তানবা লাউথোকখ্রে [মথক্কীসিদা, ৪৮-৪৯]। লাউথোকখ্রিবা অসিগী ৱারোন্দি ঃ—

"হয়েংগী কোরৌ নুমিত্তা ঈনুং ঙানবদগী হৌনা পন শঙলিবা তমবা নীপা য়াঙখৈ অসিগী হেন্না পনফম অসিদা তাইবঙ কনা অমা চঙফরোয়। নিংথৌ ঐনচিংবা পনফম অসিদা হাননা চঙদুনা লৈরম্বা চঙলম্বা তাইবঙ মহাক অদুবু ফাদুনা হাপকদবনে। তাদবা— খঙদবা মখৈ ঙম্না খঙহৌরো [মথক্কীসিদা, ৪১]।

অসিনি। মপুরোইবা আব্দুল মিয়ানা ঈমুংদগী মপান্দা চিংথোক্কুনা থল্লবী, ফত্তবা মিংদা থীবা পীবীদুনা মহাক্কী অচুম্বা অশেংববু মীনম্বীরবী আমিনানা মপুরোইবগী চিংনবা কোকহনবা ঙমদ্রবদা; ওক্কবী, লমচৎ নাইদবী মিংথোন ফংদুনা নত্ত-ওইদবগী ৱাহৈ কয়া তাদুনা পুন্সি হিংগদবগী শরুকপুদি শিজখিবনা ফৈ হায়বসে মপুক্লীঙদা চেৎনা লেপ্লক্লে। করি তৌসিগে, করম্না শিসিগে খল্লক্লে।

আমিনানা শীঙজমৈ পনফমদা

মশাগী চহি লৌরিবী মশাবী মপুরোইবগী চিংনবা অমসুং থাজদবগী মিৎয়েং অমদি থৌদৌনা তাইবং মাললংপান থাদোক্লীঙলবী আমিনানা মশাবু মশানা হাৎচদুনা শিবদি তেংবান মপু "অল্লাহগী মফমদা লঙজবনি খল্লম্মী। মহাক্না অরানবা লীচৎ চৎলুদবনা মশা মতোম্‌তদা মরান লঙশিঞ্জবগী থৌরম অদুদি তৌরোয় নীঙলম্মী। অদুবু নুপীচা ওইরগা মিংদা থীবগী মিংচৎ ফংদুনা মীয়াম্না চীবোন-চীবোন ঙাংনবা, হায়ঙম-তৌঙমদবশিংগী ৱাঙাংনা পীরকপা লমচৎ নাইদবীগী মীচৈ, কল্লক-য়েংথীবশিংনা খাক্লা খাক্লা নোক্কুনা ঐগী ফত্তবা মিংফম শন্দোকপদু তাদুনা-য়েংদুনা লৈবা নত্রগা হিংবা ঙম্লোয়; ঐনা অশি-লৈপাক্তা চৎখ্রবদি চিংনরিবা মহাক্লসু অচুম্বা অশেংবদু খঙবা ঙম্লক্লগনি। অদুনা ঐহাক শিদবা য়াদ্রবনি। অদুনদি ঐহাক করি তৌবা তাবগে? লৈপাকসিগী নিংথৌনা তুরেন থৈননবগী পন থিংবদা মী অমা হাপকনি, হয়েং ঈনুং ঙানবদগী পনফমদুদা লাক্কুনা হাননা লৈরম্বা পন শঙবশিং নত্তবা মীওই অদু পন থিংবদা হাপকনি, হায়না লাউথোকখ্রে। অদুনা ঐহাক পনফম অদুদা চত্তবা য়াদে, চৎপা তাই,—হায়না আমিনা বেগম্না মশাগী

ৱারেপ লৌজখ্রে। অদুগা ঈরীন মপানগী আব্দুল মিয়াগী ময়ুম ঈংখোলদু থাদোক্তুনা শীঙজমৈগী মায়কৈ পাংনা চৎখ্রে।

অমরোমদা অহিংসিদা লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা মশাগী য়াথং— শীঙজমৈগী পম্ফিংফম পনফম অদুদা হয়েংগী নুমিত্তা লৈরম্বা মী অদু পন থিংবদা হাপকনি— হায়না লৈপাক খঙনবা লাউথোকখ্রগা শিনীঙবা মী কনাসু লৈতবনা পনফমদুদা কনাসু লাকপীরোয়, হায়না খল্লম্মী। অদু উরবদা লাইয়িংথৌ কংলৈখোম্বা কোঙ্গোন পাখংবদা নমু তাইবং অমা কৎকনি হায়বদুদি শোয়রে, কৎত্রে। অদুনা পন থিংবসি য়াদদুনা লৈপাক্কী য়াইফবা পুরকপা অমদি মহাক্কী অনীঙ-অপাম্বসি ফংবা ঙম্লরোয়। অদুনদি পন থিংবা য়ানবা মী অমদি কত্তবা শুপয়া য়াদ্রবনি, অদুবু মৈত্রবাক্কী মীদি অমতসু মফমদুদা লাক্লরোয়-চঙলক্লরোয়। অদুনদি লৈপাক্কী য়াইফন্নবগীদমক নিংথৌ ঐগী পুন্সিসি কখোকপা তাবনি, ঐ ঈশামক পনফমদুদা চত্তুনা লৈরুবা তাবনি, ঐবু পন থিংবদা হাপহনবা তাবনি— হায়না পুক্নীঙ চেৎনা নীঙদুনা মৈদিংঙু খাগেম্বনা কংলা সনা কোনুংদগী শীঙজমৈগী পনফম তম্না নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা লাক্লে।

মৈদিংঙু খাগেম্বনা নোংঙান তু উরকপদা শীঙজমৈগী পনফম মনাক্তা থুংলরে। মহাক্না পনফম অদু তম্না চঙলকপা মতমদা পন শঙবা নুপা য়াঙ্খ্রেদুদি ঈথিং-পম্ফিংলিবা পনফমদুগী খর লাপ্তুক্না লৈরগা পনখোঙ মনাক অদুদা চরৈ ফিমু অমনা ফিরুক-ফিরাং খুম্বী অমা লৈবদু উরে। মহাক্না পন শঙবশিং অদু কৌশিন্দুনা য়েংহল্লগা পনয়াদা চঙশিল্লক্তুনা য়েংবদদি নুংশিবগী অৱাবা লান্নংনা য়াইবী থৱাই পাম্মুদনা মতোম্‌তা ফমদুনা লৈরিবী নুপী অমা ওইরম্লে। কোরৌ ঈনুং ঙাম্থোক্লবা মতমদা ৱাহং-পাউহংলবা তৌদনা পন শঙবশিংদুনা নুপীদুবু ফারগা পনথিংবগী পনফম অদুদা হাপ্নবা থৌরাং তৌরম্মী। মতমদুদা মৈদিংঙুনা হায়খিরম্মী ঃ—

"ঙাইখো ঙাইখো, পন শঙবা থৌমীশা! হাননা য়াথং লৈরে হায়দুনা নখোয়না থৌরাংলিবদো! মহাক অদু কনানো, করিগী মফমসিদা লৈরম্লিবনো হায়বগী মরম অমুক্তা হংখিসি, মরম অদুদংদি খঙখিবা চুম্রা, হায়না খল্লি।"

মৈদিংঙুগী সনা য়াথংসি তারগা পনশঙবশিং অদুনা নুপী অদুবু থাদোক্তুনা মৈদিংঙুগী সনা মাঙদা থম্লম্মী। মতমদুদা নুপীদুনা মৈদিংঙুদা খুরুমজদুনা মপু নোংদম তম্বীরকপা ঙাইজদুনা লৈরম্মী। মদুদা মৈদিংঙুনা নুপীদুবু য়েংদুনা তাকপীরকখি—

"— ঈবেম্মা নহাকপু কনানো, মফম কদায়দগীনো, মফম কদায়দা চৎকে লাক্লিবনো? কোল্লোয় নমিংনা করি কৌবগে?

— "মৈদিংঙু ঈবুংঙো, য়াইফ-থোইরবা! ননাই ঐহাক আমিনা বেগম কৌজে, ঈরীন মপান তুরম ইন্না খুন্দাবা ঈরম তাবা পাঙন খুন্দগীনি, মহাম্মদ আব্দুল মিয়াগী তাল্লোই ওইজরম্বীনি।"

— অদুদি নহাক ঙরাংগী কোরৌ নুমিত্তা য়াঙ্গৈই শগোল তোংদুনা লৈপাক্কী পাউজেন অকনবা, কোললোয় য়াথং অহকপা পাউ চেনখিবদু ঈবেম্মা নহাক তাহৌদবরা? য়াইবী থৰাই মাঙগনি হায়বসি খঙদবরা নত্রগা কিদবরা?"

— "মৈদিংঙু কংলৈ মপু-ও! ননাইনুবী মপুগী য়াথং পাউজেন তাজে। পম্থিংবদা হাপকনি হায়বসু খঙজে। অদুননি ননাইনুবীনা পনফম মফমসিদা লাকচরিবা।

—ঈবেম্মা নহাক্কী করি নুংঙাইতবা, করি পেন্দবা লৈদুনা য়াইবী থৰাই মাঙবা পাম্লিবনো?

—লাইয়িংথৌ ঈবুংঙো! লন্নাই ঈরন্নাইগী ওইবা ৰাফম্নি, নুপী ওইবীনা মপুরোইবনা থাজবীদ্রবা, চিংনবগী মিৎয়েংনা লাঙ্গোয় চল্লবী ওইরবদা কয়াম কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙমগনি? ঈশা ঈতোম্তা হাৎচদুনা শিজবদি তাইবং মপু "খুদা"গী মফমদা লঙজবনি খঞ্জদুনা মফম অসিদা নীঙবা থুংনবা লাকচবনি।

—অদুদি ঈবেম্মা! নহাক্না ঐঙোন্দগী হাননা করম্না মফমসিদা য়ৌরম্লিবনো?

—মৈদিংঙু ঈবুংঙো! চিংনবনা মিংদা থীহল্লবী, থাজবীদবনা ৰাথোক চাওবী ওইহল্লবী ঐনা শাংনা হিংদুনা লৈগদবগী শরুক লৈপাক-খ্বাইগীদমক্তা য়াইবী থৰাই থাদোকখিবনা মথংগী মপোক্তা য়াইফরুনবা নীঙজবনি। অদুনা পন্থদুনা লৈথোকপা ঙমজদদুনা ঙন্না লাকচবনি।

—হে ঈবেম্মা শকহেনবী-ও! নহাক্কী কোল্লোয় নৰাহে তাবদগী খঙলে, চীঙঙু খোইয়ুম মানা পন অসি থিংবা য়ানবা থাবীরকপা নমু তাইবং মপোক্লি। লৈপাক্কী কান্ননবা, য়াইফনবা তৌগে লেপ্লিবী নহাক্কী তৌবীমল পোইরৈ নিংথৌ ঐনা কাউরোয়। অদুগা নহাক্না পাম্বা, ঐহাক্না তৌবা নত্রগা পীবা ঙমগদবা অমগা হায়রো! ঐহাক শোয়দনা পীনবা নত্রগা পাংথোক্নবা তৌগে।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী ৰাফম অসিদা আমিনা করিগুম্বা পাউখুম অমতা পীরমদে। মহাক মৈদিংঙুগী মফমদগী করিসু পামদবগুম তুমিন্না লৈথোক্লবদুদা মৈদিংঙুনা অমুকসু হন্না অনীঙবা-অপাম্বা অমা হায়না-নীননবা তকশিল্লক্লম্মী।

আমিনানা মৈদিংঙু খাগেম্বগী তকশিল্লকপা ৰাফমদা খাঙবা য়ারক্ত্রদুনা ৰাখল মুন্না খন্থরগা হায়জরক্লম্মী— "মৈদিংঙু কংলৈ-মপু-ও! ননাই পাঙলনুবীবু নীজৌ হায়না

থৌওইনা তাকপীরবনিনা ননাই হঙ্গৎচরগে, ননাইনা পষ্থিংবসিগী-পনফমদা হাপ্পা অসিদা ননাইগী পায়মা লিনগোয়নুংদা নাউপুরিবা নাউৱা অমা য়াওগদৌরি, নাউৱা অসিগী য়াইফনবা মরম অমদি শীনবীয়ু।

"অদুদি ঈবেম্মা, নিংথৌ ঐবু নাউৱা অদুগী মহুৎ-মরেং শিন্দুনা শিয়ু হায়বা নত্রা? অদুনা ঐহাকসিবু নঙগী নহুৎ শিন্দুনা পনম্থিংবা অসিদা হাপ্পা তাবনি, ৱাফমদু ঐ য়ারে। নাউৱাদুগী য়াইফনবগীদমক্তা ঐবু পম্থিংবদা হাপ্লসনু।"

"নত্তে, নত্তে মৈদিংঙু! ননাইনুবীনা য়োল্লবা-লাল্লবা ঙাকপীয়ু। ননাইনা হায়জবদা নাউৱা মাদি ননাই ঐগা লোইননা পনথিংবদা হাপ্লগনি, শিমিন্নরগনি, অদুবু লৈপাকসিনা মহাকপু নীঙশিঙবীনবা মফম অমদি থম্বীয়ু, নাউৱা মাগী নীঙশিঙ খুদম অমদি পামেল উরায় হকপগুম থম্বীয়ু হায়না হায়জবনি।"

"হে ঈবেম্মা, পাঙলচনু পুকচেল চাওরবী! নীঙশিঙ খুদম অদুদি থমগে, অদুবু করি খুদমনো ঐনা থমগদৌরিবা নীঙশিঙ' খুদম অসিবু?"

"মৈদিংঙু ঈবুংঙো য়াইফব্বা! ৱাংঙম নঙগী নয়েকচা, পোইরৈ নিংথৌ নঙগী নশাগৈদা মতুং তারকপা কংলৈ মপু অমগী মমিংলেন্দা নাউৱা মহাকপু কাউদনবা নীঙশিঙ-মিংখে পীনবীদুনা নাউৱা নীঙশিঙ খুদম থম্বীয়ু।" হায়না আমিনানা মাগী ফিরৈদা য়েপ্লকপা, ফিনুংদা পুরকপা পাইত্রি (খাও) অমা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মফমদা নোল্লুক্লা কৎশিঞ্জরে [মথক্কীসিদা, ৬২]। মৈদিংঙুনা পাইত্রি খাও অদু লৌরগা সনা খুৎনা মদুগী মনুংদা হুমজিন্দুনা য়েংবদা মনুংদা করিসু য়াওরমদে। মদুদা মৈদিংঙুনা পাইত্রি অসিদি "নাউদা লৈতরোয়রে" হায়না মৈদিংঙুগী সনা পুক্নীঙ ঙকচাননা লৈখি। অদুগা মৈদিংঙুনা লৈপাক মীয়াম তানা লাউথোকখি— "খাগেম্বগী লৈরিবা অকন-অথৌ, লৈপাক মীয়াম পুম্বা তারো। তাদবা-খঙদবা তাহৌ-খঙহৌরো। মতুংগী থৌরম নীঙশঙনবা, কাউদনবা ওইনসে। আমিনা কৌবী অসিগী শীনয়োমনুংদা লৈরিবা লোইদাম থাবুম অহুম চঙলবা পঙবা চেঙঙাচা নাউৱা অসিনা ময়ুম য়ুম্ফম হোংবদি হৌ কংলৈ লম্মহনবনা কোনবা সনা লৈপাক অসিগী মপী-মপা ওইগদবা ময়ুম য়ুম্ফমদা চঙদুনা থোকঙম্বা ওইসনু।" — মসি লাউথোক্লবা মতুংদা মৈদিংঙুনা আমিনাবু পনশঙবশিংদা মহাক্কী মনীঙ থুংনবা শীন-লাংলগা থবক পাংথোক-উ হায়না শিন্নরম্লগা পাইত্রি অদু থম্লুখিগে, মদু পায়বা-শোক্লবা অঙাং অদু নাউৱাসিগী মপোক লাংওন ওইগদৌবনি, অদুনা পাইত্রি অসি চেকশিন্না থমদবা য়াদে, থম্লুখিগে— হায়রম্লগা অঙম-অথৌশিংগা লোইননা শগোন তোংদুনা কংলা কোনুংলেন্দা হনখি।

আমিনা নোঙ্গাবা

পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌনা হনখ্রবদা আমিনা বেগম ঙরাংগী কোরৌদগী তরা চাক্লেন চারক্তবনা অরাম-খৌরাংবগী মৈশা লাংলম্মী। মতমদুদা মহাক্না পন শঙলিবা নুপাশিং অদুদা হায়জখি—

"হে মৈতৈ ঈবুংঙাইশিং-ও ! মাল্লেম তাইবংপান থাদোক্লগদবী পাঙলনুবী আমিনানি, অদুবু আরাং কোরৌ নোংদগী তরা চীন্দম্লক্তবনা অরাম-খৌরাং মৈচাক পুরে, মৈচাক অসি য়াওনা অমন খমলৈ কুম্লবদি মথংগী লাংওনসু মৈচাক অসি লোইনরগনি। মদু থোক্তনবা ঈবুংশিং-ও ! নচনবু তরা চাক থোংদুনা খজীক্তং চাবা য়ানবা শীনবীয়ু, মীওইবা মপোক্লি, অরাম-মৈচাক লোইননা নোংমন্নীঙদে।"

মৈদিংঙু নিংথৌনা নুজা মনীঙ থুংহন্নবা চেৎনা লুনা শিন্নদুনা থম্লস্বনা পনশঙলিবা থৌমীশিং অদুনা কোয়চেন চেন্নদুনা তরা চাক থোংনবা পোৎলমশিং— চেঙ-চাক, থুম-থাউ, য়েনশাং-নাপী অমসুং থোং-থাক্লবা চাকথোং কোন্নচিংবা লৌরুদুনা আমিনাগী মফমদা শিন্নরে। আমিনানা পোৎচৈশিংদু লৌরগা থিংঙেন থিংলিবা পন অদুগী লাইজা ঈৰাংমদা তরা চাক থোংনবা খল্লম-নীঙলম্মী। মরম অদুনা মহাক্না চাক থোংনবা পোৎলম-চৈরমশিংদুগা, মৈ চল্লবা মৈহুম অদুগা পুদুনা থিংঙেন পন অদুগী পম্বক্তা তুরেন ঈৰাংমদা লাম্থোক্লবা চৎলম্মী। তাইবং মপুনা শীল্লকপা থৌশীন্নি, আমিনা বেগম্না থিংঙেন পনথক্তুগী ময়ায় চল্লকপা মতমদা নুরা খোঙফম শোয়দুনা খুৎশীন-খুৎনাম্থোক্তুনা পম্বক অদুদগী মখারোমদা ঈশিংদা তাখ্রে। থিঙ্গক্তুনা মৌখক্তুনা লৈরবা ঈশিংনিনা পোৎশিং অদুগা লোইননা আমিনা ঈরোন্নুংদা থীম্বদনা লুথখরে। পন শঙলিবশিং অদুনা থাপ্না উবদগী চঙশিল্লক্তুনা তোৰ্ব্বান্দা লেপ্তুনা য়েংবদদি করিসু উবা ফংলমদে। মতম ফনা কুইনা ঙাইরবদসু ঈশিংগী ঈমায়দুদা করিসু ফাওগৎলক্তে। পুন্নমক ঈরোন্নুংদা লুপখিদুনা মাঙখরে। অসুম্না লাইবক থিরবী আমিনাগী পুন্সি লোমখি, লাইজা ঈশিংনা মহাক্কী কবর তৌখি।

আব্দুল মিয়ানা নীঙঙল্লক্তবা

আব্দুল মিয়ানা চিংনবগী মৈশা লাংদুনা মহাক্কী তাল্লোই আমিনাবু ঈমুংদগী মপান্দা চিংথোক্তুনা হুন্দোকপীরগা মহাক্না ফমুংদা চঙদুনা লৈরম্বদগী তুম্নবগী লাইরেম্মনা শুমখিদুনা মহাক অশিবগুম তুমখ্রে। নোং ঙাল্লগা ফমুংদগী হৌগৎলকপা মতমদদি আমিনাদি লৈরমদ্রে। মদুদা মহাক থোইদোক্না খম্বরুবা লৈতে, চিংনবা অমসুং শাওনীঙবগী ময়াই লৈরিবনা, মহাক (আমিনা) খায়নবা হায়না মপুকনীঙদা চপ য়ুংনা লেপ্পি। আব্দুল মিয়া মীনা লাকচখ্রে, হায়না শাওনীঙখিবনা নুমিত্তুমা ময়ুমদগী মপান থোক্তনা ফমুংদা তুমশিন্দুনা অদুম লেল্লে। মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তদি মমান্নবা অমা লাক্তুনা মহাক্কী তাল্লোই

২৭৭

ওইরম্বী আমিনাগী থোকখিবা থৌদোক্কী মরমগী পাউ পুন্নমক তন্নরে। পাউদু তারুবগা মহাক্না আমিনা বেগম মরাল লৈতবী, লমচৎ লান্দবীনি হায়বসি চপ চানা খঙলক্লে। মতমদুদি মহাক নীঙমদবগী মৈচাক্না চাক্লক্লে। নীঙশিঙলুরগা মহাক্কী অয়াকপা ৰাহৈ, পুকচেল শেংলবীদুনা ৰানা খাঙলম্বগী মতৌশিংদো মহাক্কী মৈচাক অহোইননা অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। থম্মোই থম্বালগী লৈনা খুইথরক্লে, লৈকা চোয়না কেল্লক্লে।

আব্দুল মিয়া ময়ুমদা ফম-লেপ্পুনা লৈবা ঙমক্ত্রে। মফি-মরোন তনহোং হোংদুনা শীঙজমৈগী পম্বিংফম মফম পনফমদা লাক্লে। আমিনা লুপখিবা মফমদুগী ঈমায়দা য়েংদুনা মিৎলুদা পিরাংনা থুমহৎলক্লে। চীম্বান্না মকা ফোংনা হায়দোকপা ঙমদ্রবা মহাক্কী পুক্নীঙগী অৰাবদুগী মরীক মরীক্না মহাক্কী পিরাংদুদা য়াওদুনা তুরেনগী ঈচেন্দুদা তীন্দুনা লাঞ্জদ্রবী মহাক্কী তাল্লোইগী শক্তম্বু থিরুরি। অদুবু মরাল লৈত্রবী মহাক্কী য়াইবী থৰাইদি তাইবং মপুনা শেম্বীবা কবরনুংদা য়াতাশ্রবনা মহাক্কী পিরাংদুনা য়ৌবা ঙমখিদ্রে। আব্দুল মিয়ানা হায়ফম-তৌফম খঙদনা শীঙজমৈগী পনফমদগী মপু সনা কোনুং তন্না অমুক লাক্তুনা কংলা কোনুংগী পম্বান মনাক্তা ঙাইহাক উয়ুংবগুম লেপ্পুনা লৈরম্লগা ময়ুম মোংবা মশাইগোন তন্না হনখি।

ৰাখোম-ৰারোয়

মৈতে পাঙনচনু আমিনা ঈনখৎলকপা পুন্সিগী মপান শাৎকৎলকপদা মহৈ য়ানবা নংদনা পোমকংনদুনা মাঙখ্রবী চনুরা অমনি। অদুবু মীওইবগী পুন্সিদা লন্নাইগী ৰামৈগী মৈরীনা ৰাইদুনা হিংনীঙবগী অপাম্বা লৈরক্ত্রবদা ঈশানা ঈশাবু হাৎচবদি তেংবানবা মপুদা লঙজবা, অয়োন-অরানবনি খঞ্জবীনি। শিবনা পুক্নীঙগী অরেপ্পা ৰারেপ ওইরবদি ঈচম চম্না করিসু তৌদনা শিখিববুদি ময়ামগী/মীয়ামগী কান্ননবা করিগুম্বা অমা/খর তৌরম্লগা শিবনা ফৈ, হায়বা ফিদম অসি থনম্লগা অমসুং কাউঙম্লরোয়দবা মরাল লৈত্রবা থবক্কী, থৌদোক্কী অমসুং থৌরম-ৰারমগী নীঙশিঙ-খুদম থন্নবগী ৰাফম হৌদোক্লম্লগা শিবগী পান্দম থল্লম্বী আমিনা বেগমগী পুন্সিগী ৰারীসি হৌজিক্কী মিৎয়েংদা মমল লৈবা অমনি। মহাক্কী শেমগৎ-শাগৎ-ৰারীসিনা পাৰারী-পুৰারীগী মফম অমা লৈজখ্রবা অমসুং মী কাংলুপ-ফুরুপশিংগী তোংঙান-তোংঙানবা মচৎ-মনাৎ লৈজবনা পাৰারী-পুৰারীগী কাংলুপ্তা চঙবদি য়ারোয়। মমিং-মথা, থৌদোক-ৰাথোক্লচিংবা খর মান্ননা পীরবসু নত্রগা লৈরবসু কোরৌহনবা নুমিৎনা নুমিৎনি, লোইদাম থাজ থানা থানি। মাগী মাগী মশক-ময়াই অদুম্মক তোপ্পা তোপ্পা লৈজবনি। অদুনা আমিনা বেগম চীঙদা শাৎপী ঈঙেল্লে নত্তে, তমদা শাৎপী তখেল্লেনি। মানা মানা তৌবা-পাংথোকপা থবক্কী মমলগী মতুং ইন্না মী মহাক অদুগী মমল লেপকদবনি অমসুং খঙগদবনি।

মরী-মখোঙ তাকপা

১) চৈথা:কুম:,২০০৫ শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল— ২০০৫)

২) ম:স:কএ:, ১৯৯৪ মণিপুর ষ্টেট কলা একাডমী: শাগৈ শল্লাইরোল (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৯৪),

৩) ম:চ:স:, ১৯৯৯ শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: পাম্ভোইবী খোঙ্কুল (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল— ১৯৯৯),

৪) ই:অ:স:, ১৯৮১ ইরোম অমুবী সিংহ: লৈহৌ নোংহৌ (মশানা, ইম্ফাল —১৯৮১),

৫) ও:ভ:স:, ১৯৬৭ ওয়নাম ভোগেশ্বর সিংহ: নিংথৌরোল লম্বুবা (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৭),

৬) খ:য়:স: ১৯৭১ খুমল্লম্বম য়াইমা সিংহ: পোইরৈতোন খুন্থোকপা (মশা, ইম্ফাল— ১৯৭১),

৭) ই:চ:১সুং ক: ১৯৯৬ ইবোচৌবা, চিত্রেশ্বর অমসুং কুলচন্দ্র: নোংদা লাইরেন পাখংবগী মপা মমা থিবা (চিত্রে অমসুং কুল, ইম্ফাল — ১৯৯৬),

৮) খ:য়:স:, ১৯৬৭ খুমল্লম্বম য়াইমা সিংহ পাখংবা ফম্বাল (মশা, ইম্ফাল — ১৯৬৭);

৯) ব:ক:শ: ১৯৯৮ বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (এল লোকেন, ইম্ফাল— ১৯৯৮),

১০) ও:ভ:, ১৯৭৭ ওয়নাম ভোগেশ্বর: নুমিৎ কাপ্পা (য়ুনিভর্সেল লিটরেরী এসোশিয়েসন, ইম্ফাল— ১৯৭৭),

১১) ল:কা:স:, ১৯৬৫ শ্রীকলাচান্দ সিংহ: শাগৈ-শলাইলোন (ও:কে::ষ্টোর, ইম্ফাল— ১৯৬৫),

১২) ম:নো:, ১৯৯৬ মোইরাংথেম নরেন্দ্র: কৌবরেন খুনগুম (মো:চ:স: মেনুস্ত্রিপ্ত লাইব্রেরী, ইম্ফাল— ১৯৯৬),

১৩) রা:মাই:, ১৯৮০ রাজো মাইবী: লাংদাই (মশানা ফোঙবা, ইম্ফাল — ১৯৮০),

১২) ম:গৌ:, ১৯৯৭ ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র: মণিপুরদা য়োৎগুং য়োৎশা — খমলাংপা খুনকুমলোন (পীপলস' মুজিয়ম, ককচিং — ১৯৯৭),

১৫) রা:মাই: ১৯৭৭ রাজো মাইবী: লাংগুন (মশানা ফোঙজবা, ইম্ফাল — ১৯৭৭),

১৬) ক:ধ:স:, ১৯৭৪ কোঞ্জেংবম ধনসিংহ: মৈতৈ পুয়া ৱারী মচং (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৭৪),

১৭) নিং:খে:স:, ১৯৬৭ শ্রীখেলচন্দ্র সিংহ: নাউথংখোং ফম্বাল কাবা (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৭),

১৮) ম:গৌ:, ২০১২ ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র: থৌৱান থাবা হিরান (পিপলস মিউজিয়ম, ককচীঙ ২০১২),

১৯) ন:খ:স: ১৯৮৮ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চায়নরোল (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৮৮),

২০) নিং:খ:স: ১৯৬৬ শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চাদা লাইহুই (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৬),

২১) নোং:ম:স:, ১৯৮৯ নোংমাইথেম মনাউয়াইমা সিংহ: চেংলৈরোন (এন:চন্দ্রাবলী দেবী, ককচীং— ১৯৮৯),

২২) অ:হে: ১৯৯৩ অরাম্বম-চা হৈরাংঙৌ: মৈত্রবাক্কী মৈহৌরোন য়ুম্বী (মশা, ইম্ফাল— ১৯৯৩),

২৩) মো:ন:, ১৯৮১ মোইরাংথেম নরেন্দ্র: লাংরোন (মশানা, ইম্ফাল — ১৯৮২),

২৪) ডা:ল:চ: ১৯৭০ ডা:লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ: মণিপুর ইতিহাস (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৭০),

২৫) ম:১সুং ম:, ১৯৬৭ শ্রীলাইশ্রম মঙ্গিসিংহ, শ্রীলোংজম মনি সিংহ: মণিপুর ইতিহাস মৈতৈপুরান বিজয় পঞ্চালী শ্রীভাগ্যচন্দ্র চরিৎ, দ্বিতীয় খণ্ড(মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৭),

২৬) ল:ম:স:, ১৯৭৬ শ্রীলাইশ্রম মঙ্গি সিংহ: মণিপুরী দেবালয়গ্রন্থ (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৭৬),

২৭) রাকু:স:স:, ১৯৬৪ রাজকুমার সনাহল সিংহ বি-কম: চিংথংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা (নোংমাইথেম কালি, ইম্ফাল— ১৯৬৪),

২৮) লু:বা:, ১৯৯১ লুৱাং বাবা (W. Ibomcha Singh): অনুপ্রভুগী কনানা করি তৌরি (Medha Ibom&Sons, Imphal–১৯৯১),

২৯) স:ছ্:স:, ১৯৯৬ সোইবম ছত্রধারী সিংহ: মণিপুর ইতিহাসতা ইরাবাত (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৯৬),

৩০) ই:ম:, ২০০৩ ইরোম মঙ্গী: জননেটা হিজম ইরাবত (খুন্নাই য়াওল্লোই নিংতম য়াওল্লোই) (মশানা, ইম্ফাল— ২০০৩),

৩১) লাং:ই:, ১৯৯৬ লাঙ্গোন ইবোয়াইমা: ইরাবত, পুন্সিগী শক্তম খর (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৯৬),

৩২) ৱ:গ:স:, ১৯৭০ শ্রীৱাহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহ: মৈদিংঙু নরসিংহ (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৭০),

৩৩) ব:ক:শ: ২০১১ বি:কুলচন্দ্র শর্ম্মা: সনা চহি অহুম (আর:কে: দুযরীগোপাল, ইম্ফাল— ২০১১),

৩৪) ডা:হ:ব:, ১৯৯৪ ডা: হাওবম বিলাসিনী দেবী: নিংথৌরোল লম্বুবা (২শুবা শরুক) (মশানা ফোঙজবা, ইম্ফাল— ১৯৯৪),

৩৫) ই:অ:স:, ১৯৭৯ শ্রীইরোম অমুবী সিংহ: ঔৱা ঙম্বা (মশানা ফোঙবা, ইম্ফাল— ১৯৭৯),

৩৬) ম:চ:স:, ১৯৬৭ মোইরাংথেল শ্রীচন্দ্র সিংহ: গম্ভীর সিংহ নোঙ্গাবা (কে:ঐচ: জয়বী সিংহ, ইম্ফাল— ১৯৬৭),

৩৭) ব:ক:শ:, ২০১১ বি:কুলচন্দ্র শর্ম্মা: চন্দ্রকীর্ত্তি জিলাদরবার (১৮৭৪) (বি:কুকুরবিন শর্ম্মনা ফোঙবা, ইম্ফাল— ২০১১),

৩৮) চৈথা:কুম:, ২০১৫ বি:কুলচন্দ্র শর্ম্ম; লোংজম সনাথোই অমসুং হাওরোঙবম রাজমনী সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, শিলচর/ইম্ফাল— ২০১৫),

৩৯) ও:ভ:, ১৯৮২ ওয়নাম ভোগেশ্বর: মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৮২),

৪০) ইউ:এল:এ:, ১৯৮০ ইউ:এল:এ: (য়ুনির্ভসেল লিটরেরী এসোসিয়েসন, খুরাই): খুমন শৈরোন (পেনা অশৈবশিংদগী খোমজিনবা) (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৮০),

৪১) চ:হে:, ২০০৪ চনম হেমচন্দ্র: মৈহৌবলেন সঙ্গাই ফম্মাং (মশানা, ইম্ফাল ২০০৪)
৪২) নিং:ম:, ১৯৯৪ নিংঙোম্বম মনিজাও: মৈদিংঙু লাইনিংথৌ পাইখোম্বা (ৱাইখোম যুগেশ্বর, ইম্ফাল— ১৯৯৪),
৪৩) ঙা:কু:মা:, ১৯৮৮ ঙাংবম কুমার মাইবী: কংলৈ উমংলাই হরাউবা (মশা, ইম্ফাল— ১৯৮৮),
৪৪) ও:ভ:, ১৯৬৭-২ ওয়নাম ভোগেশ্বর: খাগেমবা লাংজৈ (মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৭),
৪৫) ডা:ঙা:এ:, ২০০৬ ডা:ঙাংঙোম একাসিনী দেবী' মৈতৈ অমাইবী (মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল— ২০০৬),
৪৬) ও:ভ:স:, ১৯৬৭-৩ ওয়নাম ভোগেশ্বর সিংহ: নিংথৌরোল শৈরেং (গন্থকার/মশানা, ইম্ফাল— ১৯৬৭),
৪৭) এম:কে:বি:, ২০০৯ বিনোদিনী: বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী (মশানা, ইম্ফাল— ২০০৯),

বাঙ্গলি লাইরিক

১) উ:চ:গু:, ২০০৬ শ্রী উপেন্দ্রচন্দ্র গুহ: কাছাড়ের ইতিবৃত্ত (মশা, ত্রিপুরা— ২০০৬),

খুৎই লাইরিক

১) খা: য়ুম:, খুৎ: লাই: খাগম্বা য়ুম্বী, খুৎই লাইরিক,
২) নোং, খুৎ: লাই: নোংখ্রং, খুৎই লাইরিক,
৩) চেখোঙ, খুৎ: লাই: চেখোঙ, খুৎই লাইরিক,
৪) কৈরোই, খুৎ: লাই: কৈরোই, খুৎই লাইরিক,
৫) লংথবানলোন, খুৎ: লাই: লংথবানলোন, খুৎই লাইরিক,
৬) কৈকোই, খুৎ: লাই: কৈকোই, খুৎই লাইরিক,
৭) য়ুমলেপ, খুৎ: লাই: য়ুমলেপ খুৎই লাইরিক,
৮) পা: মৈ:, খুৎ: লাই: পাংখংবা মৈহৌবরোন, খুৎই লাইরিক
৯) ক:স:প:প:, খুৎ: লাই: কংলৈ সঙলেন পুবা পুয়া, খুৎই লাইরিক,
১০) পা: লাই: খুৎ: লাই: পাখংবা লাইহুই, খুৎই লাইরিক

২৯৪

১১) পা: ফম: খুৎ: লাই:	পাখংবা ফম্বাল, খুৎই লাইরিক
১২) পা:লম: থ:, খুৎ: লাই:	পাখংবা লমলেন থোকপা, খুৎই লাইরিক
১৩) পান: খ:, খুৎ: লাই:	পাঙ্থোইবী খোঙ্গুল, খুৎই লাইরিক,
১৪) লৈ: ন:, খুৎ: লাই:	লৈহৌ নোংহৌ, খুৎই লাইরিক,
১৫) চেংলৈ:, খুৎ: লাই:	চেংলৈরোন, খুৎই লাইরিক,
১৬) শ: ফ: খুৎ: লাই:	শঙ্গায় ফম্মাঙ খুৎই লাইরিক,
১৭) পো: খুন: খুৎ: লাই:	পোইরৈতোন খুম্থোক, খুৎই লাইরিক,
১৮) নিং: লম: খুৎ: লাই:	নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎই লাইরিক
১৯) লাং: চীঙ: খুৎ: লাই:	লাঙ্গোয় চীঙ্গোয়রোন, খুৎই লাইরিক
২০) অ: খোঙ: খোই: খুৎ: লাই:	অঙোয় খোঙহৌ খোইরা, খুৎই লাইরিক
২১) কাঙ: খুৎ: লাই:	কাঙজৈরোন, খুৎই লাইরিক
২২) সু: অচৌ:, খুৎ: লাই:	সুবিকা অচৌবা, খুৎই লাইরিক,
২৩) পু: লাই:, খুৎ: লাই:	পুতিন লাইরিক, খুৎ লাইরিক,
২৪) লৈথক-লৈখা:, খুৎ: লাই:	লৈথক-লৈখারোন খুৎই লাইরিক
২৫) নুঙ: অচৌ:, খুৎ: লাই:	নুঙলোন অচৌবা, খুৎই লাইরিক,
২৬) থি: না:, খুৎ: লাই:	থিরেন নানম্বা, খুৎই লাইরিক
২৭) লৈশেম: অরি:, খুৎ: লাই:	লৈসেমলোন অরিবা, খুৎই লাইরিক
২৮) নিং: শা:, খুৎ: লাই:	নিংথৌফি শাবা, খুৎই লাইরিক
২৯) খু: কং:, খুৎ: লাই:	খুমন কংলৈরোন, খুৎই লাইরিক
৩০) খু: নিং: লম:, খুৎ: লাই:	খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎই লাইরিক
৩১) ফৌ: ৱা:, খুৎ: লাই:	ফৌওইবী ৱারোল, খুৎই লাইরিক
৩২) পেন: তেং:, খুৎ: লাই:	পেল্লোন চেংথা, খুৎই লাইরিক
৩৩) লং: চীঙ:, খুৎ: লাই:	লংমায়চীঙ চীঙকোয়পা, খুৎই লাইরিক
৩৪) চা: লাই:, খুৎ: লাই:	চাতা লাইহূই; খুৎই লাইরিক
৩৫) খম: খুন: খুৎ: লাই:	খমলাংপা খুনকুমলোন, খুৎই লাইরিক
৩৬) লাইকাও, খুৎ: লাই:	লাইকাও খুৎই লাইরিক
৩৭) সু: অচৌ:, খুৎ: লাই:	সুবিকা অচৌবা খুৎই লাইরিক

৩৮) কোন: নোং:, খুৎ: লাই:	কোনথৌচম নোংকারোল, খুৎই লাইরিক
৩৯) চেং: পু:, খুৎ: লাই:	চেংলৈরোন পুয়া, খুৎই লাইরিক
৪০) স: লাই: অ:, খুৎ: লাই:	সনামহী লাইহুই অচৌবা, খুৎই লাইরিক
৪১) থাঙমৈ: পু:, খুৎ: লাই:	থাঙমৈরোন পুয়া, খুৎই লাইরিক,
৪২) শম: ঙম:, খুৎ: লাই:	শমশোক ঙম্বা, খুৎই লাইরিক
৪৩) মশীন, খুৎ: লাই:	মশীম, খুৎই লাইরিক
৪৪) ফমলোন, খুৎ: লাই:	ফমলোন, খুৎই লাইরিক,
৪৫) শঙ: পা: পু: ম:, খুৎ: লাই:	শঙ পানবা পুন্নমক্কী মশীন, খুৎই লাইরিক
৪৬) চক: তিং:, খুৎ: লাই:	চকপা তিংশাংলোন, খুৎই লাইরিক
৪৭) য়েল: পু:, খুৎ: লাই:	য়েললোন পুয়া, খুৎই লাইরিক
৪৮) মহা:লৈহেক:খুৎ:লাই:	মহাদেব লৈহেকলোন, খুৎ লাইরিক
1) R.K.J. 1992	R.K Jhaljit Singh: A Shorty History of Manipur (Self, Imphal-1992)
2) B.N.L., 1988-89	B.N. Luniya: Life and Culture in Ancient India (Laxmi Narain Agrawal, Agra-1988-89)
3) N.I.S., 1976	N. Ibobi Singh: Manipur Administration (Self, Imphal 1976)
4) K.B.S, 1976	K.B. Singh: An Introduction to Tribal Languages and Culture of Manipur (7 Tribes) [Manipur State Kala Academy, Imphal-1976]
5) A.C.H., 1997	Autonomous Council, N.C Hills District (Assam): History of the Dimasas (Halflong-1997),
6) N.N.A, 1983	N.N. Acharyya: Assam and Neighbouring state Historical Documents (Omsons publication, New Delhi-1983)
7) S.J.J., 1990	Sir James Johnstone: Manipur and Naga Hills (Manas Publication, Delhi-1990)

8) D.D., 1969 D. Datta: Cachar District Records (Govt. of Assam, Silchar-1969)

9) M.B. 1979 Manilal Bose: Historical and Constitutional Documents of North-Eastern India (1824-1973) (Concept Publishing Company, (Delhi 1979)

10) E.W.D, 1981 E.W. Dun: Gazatteer of Manipur, (Delhi 1981)

11) T.C.H., 2003 T.C. Hodson: The Meitheis (Delhi-2003)

12) Ca. Se, 1990 Catherine Schwarz, George Davidson, Anne Seaton... : Chambers English Dictionary (Allied Publication Limited, New Delhi-1990)

13) M.M., 1980 Michael Macintyre: Spirit of Asia (British Broadcasting corporation, London 1980)

চেফোঙশিং ঃ

১) ঋতু-৪৪,১৯৭২: খুমন্থেম প্রকাশ সিংহ: ঋতু (৪৪শুবা মশীঙ) (কলচরেল ফোরম, ইম্ফাল— ১৯৭২)

২) ব:হি:প:, ১৯৮৯ বিশ্ব হিন্দু পরিষদ, মণিপুর: ওঁ মণিপুর রাজ্য হিন্দু সম্মেলন (ব:হি:প:, ইম্ফাল— ১৯৮৯)

বৃটিশকী রেকোর্ড ঃ

১) পো:কন্সল্টেসন নং ৮৫-৯৩,১৮৩ ঃ পোলিটিকেল কন্সল্টেসন, ১৯ ডিসেম্বর, ১৮৩৩, মশীঙ ৮৫-৯৩।

২) পো: কন্সল্টেসন নং ১০০-১০৩, ১৮৪৪ ঃ পোলিটিকেল কন্সল্টেসন, ২৭ এপ্রিল, ১৮৩৪, মশীঙ ১২৭-১২৮

বি: কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল ঃ ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেল ঃ ১৯৬৯)
৩) য়ুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল ঃ ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক ঃ ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইনিংথৌসিগী লাইরিক ৬খক ঃ ১৯৮৯)
৭) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত ঃ ১৯৯৬)
৮) নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মমা মপা থিবা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
৯) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
১০) ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৬)
১১) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুন্থোক-খুন্দারোন (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৭)
১২) চীংঙা লাইরেম্বীগী পুৱারী (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-ৱানশারোন (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী ৱাহন্থোক য়াওবা)
১৫) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী ৱায়েন-ৱাখুনা (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৮)
১৬) মৈতৈগী শা লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৭) সনা-চহি অহুম (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৮) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ১৯৯৯)
১৯) Typology & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work-1999)
২০) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২১) লমাদোংগী বিযুও লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২২) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০০)
২৩) সঙ্কীর্ত্তণ নির্নয় (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০১)
২৪) কেক্রুপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০১)
২৫) ফাইল (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৫)
২৬) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work 2007)
২৭) মৈত্রবাক্কী য়োৎ থাঙগী চক (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৭)
২৮) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৮)
২৯) Phamlon (Translation Work 2009)
৩০) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশুশিং (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০০৯)
৩১) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc. (থিজিন-হুমজিনবা ঃ ২০১০)
৩২) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল অ[illegible]সুং নুমিৎ থবান (২০১০)
৩৩) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা [illegible]রম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুর মুস্লিম) গী ফিভম (২০১০)
৩৪) জেনরেল শৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি ৱারী (২০১১)
৩৫) সনা চহী অহুম (২০১১)
৩৬) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম-পাদম (২০১১)
৩৭) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার —১৮৭৪ (২০১২)
৩৮) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী ৱায়েনশঙশিং (২০১৩)
৩৯) লৈশাং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না (২০১৩)
৪০) হিয়াংথাং লাইরেম্মা (২০১৩)
৪১) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী (২০১৫)
৪৫) পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর—অহুমশুবা শরুক (২০১৫)
৪৬) পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর—অহানবা শরুক (২০১৬)